খম্নুং ইঙাল লৈশাবা

হয়ম—হয়িচক

অইবা
মংলেম মৈতৈ

খম্নুং ইঙাল লৈশাবা

অইবা
মংলেম মৈতৈ

ৱারি অসিনু পীবিরকপা ঃ
অঙ্ক হং চন্নম্বম ৺বিরহরি মৈতৈ লৈথিবা
খ্বায় উরিপোক খোইস্নাম লৈকাই, ইম্ফাল

37175

DATA ENTERED
BY ....

ফোংদোকচবা ঃ— সং লাইরেঞ্জম মংলেম মৈতৈ
লাইরেঞ্জম মন্নাই লৈকাই

ফোংবা ঃ নোংদালাই কুমশিং ১৯৮৮ থবাল, খৃ ঃ ১৯৯৫ আগষ্ট
শকাব্দ ঃ ১৯১৭

কোপী মশিং ঃ— ১,০০০

নম্ফম ঃ – ১বা কোমোল প্রেস নম্বোল পেজ ৬৪ ফাওবা
২বা কে আর প্রিন্টিং প্রেস লোইবা ফাওবা

থম্মুং ইঙাল লৈশাবা

হয়ম — হয়িচক

“খঙ্খোক লৈশেম্লোন, লাইয়েক লাইশক শাদোকপা,
মৈহৌরোল; নমু তাইৰং শাথোকপা, তাইবং মপোক
নোংদম্না চৎলম লুপ্তিন লাইরকচন, য়ারা ইখোল
লৈরো লাইয়েক লৈথম্না, পুয়া ৭ কী পুকোক পুয়ানি ॥”

ঐবু য়েংলবদি থরাই পিচা অচংবা ন্নুমিৎ থা
তেক্কবা, ঈ খুদেং তাদবা, অচংবদা ইপুক্ ইরু
ইশেংনা লাইয়েক ঐবু য়েংৰিয়ু ॥

অইবা—মংলেম মৈতৈ



মৈতৈ চীং তম লাইয়েক

(থরাই লাইয়েক)



লাইয়েক অনি অসিদো (ꯀ) লাইয়েক্কা লুচিংবা লাইয়েক ৩৬ গা যাইবী লাইয়েক ১১ গা অসিনা লাইমিংথোই স্নামহিনা শুয় হাইরে ॥ (ꯀ) লাইয়েক্কা লুচিংবা লাইয়েক ৩৫ অসিনা পা-খংবানা শুবনি হায়না মরুনা পাউ-শানবিত্র ॥

লাইয়েক অপকওা

ꯛ , ꯜ , ꯝ , ꯞ , ꯟ , ꯠ , ꯡ , ꯢ , ꯃ

ই , ক্ , ন্ , প্ , ম্ , র্ , ল্ , ঙ্ , স ॥x

তিলুক লাইয়েক

ꯀꯥ , ꯄꯥ , ꯑꯥ , ꯅꯥ , ꯍꯥ , ꯏꯦ , ꯀ꯭ꯀ

ক্র , ব্র , ক্ষ , ক্ল , ষ্ক , জ্ঞ , ঙ্ক ॥

লাইয়েক য়েখাইচৈ

ꯤ = ি , ꯤ = ী , ꯨ = ু , ꯨ = ূ , ꯦ = ে , ꯩ = ৈ , ꯣ = ো , ꯧ = ৌ , ꯪ = ং , ꯫ = ।, [illegible] ॥x

চৈনপ লৈতাকপা

ꯀꯥ ꯀꯤ ꯀꯤ ꯀꯨ ꯀꯨ ꯀꯦ ꯀꯩ ꯀꯣ ꯀꯧ ꯀꯪ ꯀꯃ ꯀꯢ ꯀꯥ ꯀꯤ ꯀ꯭ꯔ ꯀꯥ ॥x

চৈশিং অয়েক

꯱ ꯲ ꯳ ꯴ ꯵ ꯶ ꯷ ꯸ ꯹ ꯱꯰

১ ২ ৩ ৪ ৫ ৬ ৭ ৮ ৯ ১০ ॥x

খুদম চৈ —

꯫ = । মিহিং চৈ

। = ॥ য়াবেপ চৈ

? = ? য়াহং চৈ

x = x পাউখুমচৈ

-- = -- লৈয়াং চৈ

= = = ইমানচৈ

॥x য়ারোই চৈ

য়ারুপ ১ লোইবদা থমগনি।

॥x॥x য়ারি ১ ইবদা পুমলোই

লোইবদা শিজিন্নবা খুদম

রাহৌদোক

পুয়া অসিগী মমিং "থমুং ইঙাল লৈশাবা" কোই। করিগুম্বা লৈরমদবদগী নোংদম্বা মানা মাগী রাখন্দগী মথং মথং পুথোক্লুনা পংলবা তাইবং ঐখোইবু কদাইদগী লাকপনো, করম তৌনা মালেম অসিবু হৌরকপনো হায়বদো পুয়া অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মালেম অসিনা মীওইবা পোক্লিংউদগী চিংঙু শিংনা হান্না লৈরম্মে হায়বশু তাকলি। চিংঙু শিংনা হান্না লৈরম্বা মতমশুবু "হয়ম চক" হায়না কৌনরম্মি। তাইবং চহিদা লাইথমলেন অমা পান্নম্মি। ঐখোইনা খংনবা য়াবা চহিদা অমা ইরগা নোংলুম কুনমাথোইনি। হায়রিবা চহি অসিদা তাইবংনা তৌরগদবা থবক, পান্নগদবা চহি শিজিন্নরগদবা পোৎ অমদি মানা মানা নিংনরগদবা লাইনিং লাইশোল পুম্নমক শেম্বা শাবা লোইরগা মালেম্বু অমুক 'লৈশম্বা' হায়তুনা শেম্মগা মপোক অহুম শুবা তাইবংমী পুথোকপনি। মপোক অহুম শুবা হায়বদি অহানবদা মানা মানা তৌনিংবদা তৌতুনা লৈরম্বা মপোক অমা, অনিশুবদা মাডোন্দগী মানা মানা পুথোক্লিংবা পুখোকপা খুংনা মেত্তুনা শাবা মপোক অমা, মপোক অসিবু নমু ৭কি মপোক কৌই। অহুমশুবদা পাগা পীগা নাইনা নাওদরকপা মপোক অমা, মপোক অশিবু ঐনা হৈজ শিংজরবদি চিংঙুগী মপোক ওইবা য়াই হায়তুনা খোইয়ুম তাইবং মপোক হায়নশু কৌই। চিংঙুগী লাংওন শান্নরগা নমু ৭কি লাংওন অমুক শান্নে। কালেনগী (৫) নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তুগী হয়ি চং হৌরে। নুমিৎ অসিদা পা-খংবনা ফম্বাল তোংবা লুমিংনি। নুমিৎ অসিদগী ফৈদোম ৪ খাহবা হৌরে।

হংকো শাবগী মরম—হয়ি, হয়া, খুন, লাংবা চং মরি অসিনা পুন্নগা কোহংকো অমা কৌই। কো হংকো ৪ ন. তয়ো হংকো কৌহ তয়ো হংকো ৪ না হংকো লৈশাবা কৌই হায়না লাইরিক অসিনা হায়রি। তাইবং মীনা পোকপদগী নোংদলাইনা পোকপা লাংবা চঙী চহি ৩১০৮ চংবা ইংঙা থাগী ১৫নি পানবা শাগোলশেল নুমিংকি নুমিৎ য়ুংবা মতমদা শাথোরকপদা পোইনাওতা শিদবনা মথক্কগী শমথনা শুরকপা পুয়া অসিবু পিরম্মনি হায়রি। নোংদলাইনা থোরকপা মতম অহু ফাওবদা তাইবং চহি কয়া শুরবগে হংজনদা তাংগথা মরিবনা তাকখি।

হৌজিক তয়োহংকো ৬শুরে ৭চংলে; অতুগা হংকোনা ২৭ শুরে ২৮ চংলে তারো নোংদলাই। হয়ি চঙী চহি ১৭,২৮০০০ হয়া চঙী চহি ১২,৯৬০০০ খুন চঙী চহি—৮,৬৪০০০, লাংবা চঙী চহি ৪,৩২০০০নি পুন্না :—হয়ি—১৭,২৮০০০+হয়া : ১২,৯৬০০০ + খুন : ৮,৬৪০০০ + লাংবা :

৪,৩২০০০=৪৩২০০০০ কো হংকো : ১

× ৪

১৭২৮০০০০ = তয়ো হংকো : ১

× ৬

১০৩৬৮০০০০ = তয়ো হংকো : ৬ কী চহি

তয়ো হংকো ৭ চংবগী চহি হয়ি ১৭,২৮০০০+

হয়া চহি ১২,৯৬০০০+খুন চহি ৮,৬৪০০০=পুম্না চহি ৩৮,৮৮,০০০ ওইরে। +

'কো হংকো ৩গী চহি ৪৩২০০০০×৩=১২৯৬০০০০ নি

হৌজিক তয়ো হংকো ৬ কি চহি + ১০৩৬৮০০০০

চং ৩ গী চহি + ৩৮৮৮০০০

লাংবা চঙ্গী চহি + ৩১০৮

তয়ো হংকো ৬ শুবা ৭ চংবগী চহী ১২০৫৩১১০৮ শুরে।

কো হংকো ২৭ শুবা ২৮ চংবদা অমুক য়েংশি :—

হয়ি+হয়া+খুন+লা ব

(১৭,২৮০০০+১২,৯৬০০০+৮,৬৪০০০+৪,৩২০০০)=৪৩২০০০০

× ২৭

হ কো ২৭ কি চহি= ১১৬৬৪০০০০

চং (৩) গী চহি (হয়ি+হয়া+খুন) + ৩৮৮৮০০০

লাংবা চঙ্গী চহি + ৩১০৮

১২০৫৩১১০৮

মীওইবনা পোক্তুনা মালেমদা খোংদাবা হেক হৌবদগী কো হ কো ২৭ শুগ্রগা ২৮ চংলকপা লাংবাচঙ্গী চহি ৩১০৮ কাওবদা তাইবং চহি ১২ ৫৩১১০৮ শুরে।

হৌজিক হৌজিক হায়বদি খ: ১৯৯৫ কাওবদা চহী কয়া শুরবগে খংগে হায়রদি নোংদলাইনা শাথোকপা লাংবচঙ্গী চহী ৩১০৮ দনি, খ ষ্টাব্দনা চহী ৭ হাল্লি মরম অহুনা লাংবা চঙ্গী

কুমশিং ৩১০৮—৭=৩১০১ হৌজিকী খৃষ্টীয় চহী ১৯৯৫+৩১০১=৫০৯৬ ওইরে ।।
মথক্কী চহী নোংদলাই চহী য়াওদনা (১২০৫৩১১০৮—৩১০৮)=১২০৫২৮০০০+৫০৯৬২=
১২০৫৩৩০৯৬ নি চহী অসি থা ১০ নাওপুনা পোকপা হয়ি চক্কী ওসি খৃঃ ১৯৯৫ ফাওবদা
ওইগদবা চহীনি ।।

লাংবচক ১

লাংবা চক ২না খুন্নচক অমা

,, ,, ৩না হয়া চক অমা

,, ,, ৪না নম্রগা (খুন্নচক ২না) গু হয়িচক অমা অশুমশু চক্কী চহী শাই ।।

খঙদবা : খৃষ্টাব্দগী চহী ৭ থাইরগা নোংদলাইগী চহী ওইগনি ।

হয়ি চংদা লৈগদবা মীদি মশাগী খুত্থুপ ২০ মরেপ রাঙনি । মপুন্সিনা মনিংতমগনি । চহিনা ১৭২৮০০০নি ।। হয়া চংদা লৈরগদবা মীদি মশাগী মরেপ খুত্থুপ ১৪ রাঙনি মপুন্সি চহি ১০,০০০ ওইগনি চহিনা ১২৯৬০০০ নি ।।

খুন চঙ্গী মীনা লৈরগদবদি মশাগী অরাংবা মশাগী খুত্থুপ ৭ রাঙনি । মপুন্সিনা চহি ১,০০০ ওইগনি । চহিনা ৮,৬৪০০০ নি ।।

লাংব চঙ্গী মীনা লৈরগদবদি মশাগী অরাংবা খুত্থুপ অহুম মখাইদগী খুত্থুপ ৪ ফাওবা রাঙনি । মপুন্সিনা চহি ১২০ ওইগনি লেপ্পখি । চহিনা ৪৩২০০০নি ।। অশুম্না ফৈদোম ৪ অসিনা ওন্না ওন্না পানবনা লাইথমলেন অমা ফাওবা পাল্লগদবনি ।

থম্মং ও লৈথংদবা- করিবু করাবু ওইবনো খ দবা মহাক, নহাক, ঐহাক মাংফ-তুমফদবা অশুম্না অমাওই মহায়বা । নংনা লৈবা লৈকপ্পু অহাংবা কৌব্রা ? অশুম্বা, অকোইবা কৌব্রা ? অরাংবা হায়গে কদাইনো অনৈম্মদা লৈঞ মহায়এ, নংনা লৈবা মফমদি নংদবা মথংঙি, নশক নওংশু নংদনা মথংঙি । নশক নওং ওইবনা= ওহনিংবতা ওইবনা থংহল্লগে থল্লকুনা থম্মং ইংঙাল লৈশাবা, থুম্বাক লৈশেমলোন, থে ইমুম মৈ তারোল, চংকম লুত্তিন লাইয়কচন, য়ারা ইথোন লাইয়েক লৈশুবা, নমুতাইবং শাথোকপা তাইবং অপোক খোংকম নোংদম্বা কৌবা পুরারিবু হয়ি, হয়া, খুন, লাংবা চক ফৈদোম ৪বু মথং লেম্না ওন্না ওন্না শান্নবা পুথোকপিরম্বা পুরারিনি ।

পুয়া অসি ইহান হন্না লাইমিংথোইনা শুরম্মি । মথংদা কৌব্রু লাইলোংবনা হায় চংদগী শুবা হৌখি । খোরিফাবগা শুমিন্নবনি ।। হয়াচংদা— ওকুং থোংখোং লুথিবনা শুই । মথংদা কারন

লম্বনা ওই। মথংদা নুংঙ্গং পিবা হৌচোংবন্দা ওই। মথং—তাইখো ভম্বা, খুলেঙম্বা, লমথা ওম্বনা ওরে। থুন চক্তা মুবাংলমহাং ওম্বনা ওই। লাইমিংথোইনা লৌখংখি। লাংব চংদা—হুমিত্তগী নোংদলাইগী চহী ২৬ চংবা মেরাগী ৬নি পানবা শগোলশেল হুম্বিত্তগী তাকখা মরিবা; খারম থাদোই, লোংমুজাম্বা, থিংবাইজাম্বা, নম্বোনবা নোংমাইহনবা, খাংহিনাইবা, লৌরাংজাম্বা, চিংঙু থোংনাং থাবা লৌয়াংবা মাইচৌশিংনা মথংলেংনা ওহৌবা পুয়ানে।

মথংদা লুখোইনা চিংথং খোম্বা কাওবা ওরে। মথংদা খুম্বোং চন্দ্রমনি অমগুং অথা মেজর, পুত্রম্বা মেজরনা ওরে। খৃষ্টাব্দ ১৮৯১ গী এপ্রিল তাং ২৩দা শাওনা শিরে তাবদগী পুয়া অসি পুত্রগা ভাপ্রুম চিংদা লোত্তুনা থনম্মগা কছার ডাবজালং জিলাদা লানজেন্দুনা লৈখি। মতুংদা পুয়া অসি লোকরগা কছারদা থমখি॥ মতম থরা লৈরগা উটিবোক খোইশ্যাম লৈকাইদা লৈবিরম্মা ওঝা চাওবম বিরহরিনা ফংলক্তুনা অমুক ওরে॥ মথংদা আইরেঙ্গমদা লৈবা বীরমঙ্গল (মংলেম্বদা) শিন্নবিবদগী থ্বাইদা লাম্বোকচবা ওম্বনি॥ অশোই অঙাম য়াওখিবা পুন্নমক তাকপিরকপবু হয়াওনা ঙাইজরি, ॥X

লাইরিক অশি হৌবদগী মৈতৈ ময়েক্তা ইতুনা থম্মীরম্বনি বাঙ্গলি ময়েক্তা ইথোকচরগা ফো-দোকচবনি। বনানগী পথাপ চৈথে, কোমাগী পরিং থবদি মশোইনবে। হয়ম চক্তগী মথংলেংনা শমথনা হয়িচক, হয়াচক, খুনচক, লাংবচক্কী নিংথো চুরাচান্দ হাক্তক ফাওবা থম্বিরম্মি॥ অমুকং ফোংদোকচগে হায়না থনবশি ফনা কুইর॥ নম্বোলদা কমল প্রেস্তা অহানবদা নম্মি, মৈ চাং নাইনা লাক্তবদগী অমুক কৈশাম পাংতা হিজম কুমার প্রেস্তা কোন্না অমুক নমজবনি॥ মরুপ কুমারগী মীথোক মীচান ফজবা তৌবিমল থংবা হিজম ইবাবোত কী মচা মশু ওইবিরমতুনা লৈ-বাক্তি অমদি মৈতৈগী ইপা নাং ইপু নাংপু থোইদাক হেন্দোকক্না মু শিঞ্জবা অমা ওইরমতুনা ঐগী লাইরিক নম্বগী থোইদাকপা অরাবা লৈকদে॥ মরুপ অশিগ মফমদা মহাক্না লাইরিক অশিগী মথাদা অশুম্না তৌরগ ফজগনি তাকপিদুনা হোংনবিশিবগী লমন শিংবা ওমদনা তোল্লে।

তংশংবমক্তি লাইরিক অশি ভোলুম অমতা ওইনা ফোঙ্গে হোংনজবনি, চাওখিগদবা থরচ হেন্না চংখিগদবা কিজবদগী চক চক্কী ওইনা ফোংজবনি মথা তাবা লাইরিক ফোংবা ফোংদবা থ্বাইগী থোঞ্জানগী মথাদা লৈরে মৈতৈ লৈবাক্তি মাংফদরবা লাইরিক অমদি লৈফম থোকপরা থঞ্জবগী তৌজবনি, অশোই অঙাম অরাল অহুই তাকপিয়ু রারৌবগী মহুত্তা খুদোন পোংকুম ফিগাও শানা য়াজগে॥ লান্দবা য়াদবগুম লানখিবা মথঙ্গী খুংনমদা শেংদোকচগে॥

মংলেম মৈতৈ

তাইবংও ৱাহোমপে তাজৌও

(খ)

লাইয়েক কৌবদি নোংদম্বা খোইয়ুম মাবু হাইবনে ।। লাইয়েক্না হক্লে, চৈশিংনা শিংলি নাওরি তুনে খংও ।। লাইয়েক্না হুমফু তরাগা তরেৎনে ।। লাইয়েক অসিনা তেংবানববু শেম্বনি, লাইয়েক অমবু মাংবা ৱাৎপদা নোংদম্বগী হকপু কাইয়ে লৈৱাং লৈথম্ফদে ।। ইশা নশাবু লাই-থুং তিম্মুনেহুনা খ্বাংতেক খাংমাংনগদবনে, লাইয়েক্কি লাইমিংদি অমদি আঙিনি, অনিদি ইঙাল লৈশাবনে, মশক্কি অমা খমুংদি ৭" অনি ইঙাল লৈশাবদো ৪" অসিনে অসিবু খঙ্গরবদি থোক্কম হুম্নফম্ব তাইবং পান্দ খবনে ।। তরাদি থরাইনি ।। কুম্থা মঙাদি হক্কী নাওয়োম য়াইবি হা-মোইবনি ।। অপকমাদি ৭ নে ।। লৈতিন ৱাঙু ৭নে, চৈগবদি তরাগা তরেৎনি মশক্কি ঐপী ইঙাল ইওমনে ।। খংখিগনি উখিগনি হাইবগী লৈরোৎ থুপচননা মাইগৈ ৪বু পানশানা থম্বনি ।। অথিবনা খশম্ব খদবনা খ্বাংতেক খ্বাংমাংশম্ব লৈয়েং লৈথি নাইদবা মপুক লুম্নাং নাইদবা লুতুং লৈথন্দবাদো খংজৌও ।। লৈবনে ৱাত্তনা মুমিৎ থাবু লৌথাম্বিবা লৈফমদা শিদা নাইদ য়াইবু হৌবনি, মুমিৎ, থা, মৈ, ঈশিংনা খংবনে উবনে খংজো ।। ঐবু লৈথিনবদি লৈরাঙ্গম্না লাকম্ব ।। হৈরাং চৎলুম লৈপুনা নপুক হক মাইতনা নকোক নউ ইতুম্না খুজিন খুয়া লৈশেংনা নোংদম লাইমিং লাইমিংবু থাগোম্না লৈথি লৈহাংজো ।। নপুক লুম্নাঙ্গী লুবাক্কুদো চেৎনা চান্না লৈথমও ।। ইমুং ইতম্ব নও লুবাক মথুং হাঙম্ব নবা ইর লৈখলোই, য়াঙ্গোই কোইহুনা লৈথিশম্ব কোরো নোংমদি তাং-স্থেংলগদবনি খুম্ব খরংবু থেনেবদা উরিৎ শেম্দাং পাইবগুম নোংমদি শমাংদা পাইশিল্লকুনা তুগদ-ৱনে, নমিৎ ইমিৎ পেন্না য়েংঙমজো য়ৈথাই লাইনা তুবদো হেয়ম হৈয়ম হৈয়ম ।।X

পুবারিবু তানফজবা মতম, অমদি নোংদম্বহুনা পীবিবা মৱম্ব থোকাওদনবা লাইয়েকথানা লৈথমজবা, অমদি মরু অনিবু থাগোনজবা ।।

লাংবা চক্কি কুমশিং ৫০২৫ নোংদলাইগী কুমজা ১৯১৮ চংবগী কালেন থা ৩নি পানবা শগোল-শেল মুমিৎকি অয়ুক্কি কোলুপ ১১ তারকপা মতমদা কুবি নোংদম থৌদাবিবগা লোইনহুনা পুৱারি ১২ গী মউ উপান ওইবা পুরাবু তানফজহুনা লৈশিঙ্গবা হৌরে ।। মতম অসি ইশাগী চহি ২৩ চংলে ।। মতম অসিদা করিগুম্বা মৱম অমদগী লৈকাইগী য়াম্বা অমদি মকশিঙ্গী মতুং ইন্দুনা মৈতৈনা শাবা ফিরানবু য়োনবা (অসাম দরংজিলা কামরুপ) হাইবা অসিদা চৎলি ।। তেজপুর জিলাগী

মমুংদা লৈবা অমলা বতি কৌবা থুন অসিদা পুন্সি মুংশাংলবা কুমজা ১০৫ চংলবা অহল ২বু লৈবিরমতুনা অহন ২গী মনাক্তা চংজতুনা ঐ:খাইগী লৈথুংফম ওইতুনা লৈওমলে ।। শঙ্বম অঙাং-জাও, অয়েকপম তোম্বা, থাংজম অমুথরো, য়েলাংবম পুষ্কর, থম্বালজাও, চাওনি ঐগা (ওঝা বিরহরিগা) ঐ:খোই ৭ লৈমিন্নৈ ।। অহিং অ:থংবদা অশামদা লৈরম্বা অহল ২ বু মাঙোন্দা ফম্মিন্নতুনা মৈতৈ লৈবাক্কী পুন্নারি নিং:থৌরোলবু পাওশানরগা অহুন ২ বু পুক্লন্নতুনা হিক হিক লাওনা কপ্লে, ম:তো অশুম্বা পাওশানবশে মরি মঙারক শুভিল্লক্লবদা অহিং অমদি ঐবু পাওশাদু তাজনিংতুনা অহন অনিগী মনাক্তা চংতুনা ফম্মি ।। হংঙি নঙ্গী নপিজা মথৈদি য়াহৌওন্নবা তুম্মি নংদি পোথবা য়াত্রবন্না ঐখোইনা নিনবা অসিনা ? চৎলো চৎলো পোথাকয়ো পাওশা তোক্লগে অহন চো:লম হুক্কেদা ইচাশিং পোথাজবা মতমদা ।। ঐনা হাই ঐদি পোথবা য়াদতুনা মপান্দা থোকচবা নচচদে, পাওশাবু তাজনিংতুনা থোকওমজবনি ।। ঙসি মরিনি চুপ্পা তাজববু মফম্ থরদং থাম্লনা ন্নারোল শে:না তা:জবা ফংজদতুনা তাজগে চংজরকপনি ।। মতুংদা ঐবু হংঙি— নংদি কনানো ? ঐ মৈতৈ মচানি ।। নংদি নমাংনা লাকপরা নতুংনা লাকপরা ? লুতুংনা মাং-চৎনজগে লাকচরি ।। ইয়া শোনো শি:দে, নংবু পোকপা ইপাগী মমিং করি কৌবা, লৈকাই লৈকম কদাইদা লৈবা ? খ্বাই উন্নিবোক খোইস্নাম লাইরেম্বী লৈকাইদা লৈবা চান্ননম চাও:থোইগী মচানি, ঐদি বিরহরি কৌই ।। ইপাদি মৈতৈনি মুংশিদা মীতৈ নদ নবুবোক লৈরিববা ? ইবুবোক লৈং থিদরে ।। হি: করিনো খংদেনা ।। ন্না অসি হাহরগা অহন ২ বু কোন্নতুনা কপমিন্নে, মতুংদা অঙাং নং থংডে হয়েং পাওশাশি পোথাক্ল:রো ইতাওগী মপাও হৌজিক্তা ম:াইদো ইক্ল মাইতা-রুথিগে অহিং অতুদা মকোক ইতুম্না ইক্লরগা পোথপ্রে ।। মতুংদা তাকপা ঐ:খাহ মৈতৈনি, মৈতৈঙু কুল্ল চন্দ্রগী থোগন ইনবদগী মফম অসিদা লৈবিবনি অন্নাং থংবদা লৈরিবা নপুবোক অসি নপুবোক তুলোপ মুক্ল কনবগী মপিজান মমিংবু নিং:থৌরোল অহুম্বু লৈগুপ্পা নোংদম শংলেন লৈফমলম্ববু নোংমাইথেম্বা য়াংলৈ কৌবা অহুম্বি । নপুবোক তুলোপ মুক্ল কনব চাম্নবনা মৈতৈঙু ৩ বু লৈচুপ্পা কাইবিরোল শংলেনবু লৈপুবনিদো ।। অথা মেজর তোলেনখোম্বা কৌবা ঐনি লৈঙাক লৈকল্লোন শংলেনবু নপূ ঐনা পুন্নম্বনি. নংনা থংন্নিংবা নপা নপুগী পুব রি ২ শুনা লৈত্রবা লাইগী পুংশেম পুন্নারি নপুবোক নোংমাইথেম্বদা মথং শিংনা লৈঙম্মি নপোংনি, নঙ্গৌদমকপু নপুবোক নো:মাইথেম্বনা মৈতৈঙু কুল্লচন্দ্রগী শ্না য়াথং পুতুনা অহিংদা লালচেন্নবদা পুন্নান্নিবু লৌথোক্ল নোংদম্নকুনা নবুবোক্লা নোংদম শংলেন্দগী লৌথোক্লতুনা ঙাপ্রম চিংজেন্দা লৈমুং চন্দুনা লৈথমলুরবা পুয়াবু নপুগী থুত্তা লৈন্নরবনি ন্নাগমু ।। নংদি নপাগী নপুগী লাইয়েক্তী পাবা ইবদি হৈন্নেদনা ? মতুদি ঐদি খংজদ্রি ।। লাইয়েকপু পাবা ঙমদ্রবদি অথং অহৈবদা তম্মুবদা মাগী থুংলাই ওইথিবা

তাইদনা নংনদি মুম্না থংহৌরোইদৌরেদনা, লাইয়েকশে নংনা লৈবা তমখো হৈরগা নখুৎশু ওইজনবা লৌজরৌ, পুরারি অসিদো মৈতৈ লৈবাক্তা অনি শুনা লৈতবা লাইয়েক পুয়ানি লৈঙম হৌবা পুরারি মথেদি নাপনলেম্বা লাইয়েক পুয়া ঙাত্তনে ॥ নোংদম শংলেন পুবা শ্না পুরা অসিদগী শেমদোকখিবা ঐনা মহেল্লে পাওশানবনা যুমথোংশিল্লা চীয়া তময়া থুংনা লৈথুপ্লহুনা লৈঙম থমজম্মিবনি মশাগী চংনরম্বু অকাইবা করি হুংনধু য়েলুপ লুখাই তাম্না লৈখিবদো লৈথুপ লৈথম্লহুনা, মিহুল মীমাং রানা লিচুম শৈরেং ওইঙম্না পুরারি লৈপুব লৈথানা, মচেৎ লুখাই লৈথম্মবনা লৈবাকপু ময়া লেমফু ফুক্লা চংলম লুতিন ফাওবা মাংলরনি মতম থরদি ॥ মতুংদা ইপা ইপুগী চংনলম্বু লৈথুংনবা লৈথি নাররোই, লাইথোং তিনথোং লৈমাংহন্দুনা লৈঙাক লৈবল্লরনি ॥ হৌজিক (ফিরিংজি) লাক্লদো মৈতৈঙ, কুমজা ১০০ গী লৈহুংদা মলেসনা লৈঙাক লৈপুহনা তথুম লৌরমচা অয়াম্বনা মপা মচা লৈখংনহুমা, লৈপান থোদানরকনি। রায়েন থোদা অহনা চাকরাইনবল্লবদা লৈবাকপু লৈঙাক লৈকন্নবা, মরু অনিনা লৈথম্লম্বা (নোংদম শংলেন লৈপুবা শ্না পুরারি লাইয়েকপু) অশুম মাংহন থ্রশিন্না মৈতৈঙ হাইনা নবুবোক নোংমাইথেম্বনা বংলো শামাদা হঙৎপদা নিংথৌনা ইপু চুম্মি নোঙাল্লনদি ফিরিংজিনা চংথ্রনি তুঙ্গী উরেপ ওইগদবা মাংফদবা রায়েন নোংদম্বা পুরারি থরদি লৌশিন্নব তৌবিহৌ, ঐদি খোংশাল্লরে লৈহন্নিংদ্রে ॥ সনা য়াথং পুহনা নপুবোক্না নোংদম শংলেন্দা লৈচংহুনা পুনারি (থম্মু ইঙাল লৈশাংবা) সনা পুরারি, পুরাবি লৈঙম্বা থৈবিকি পুকোক ১গা, শথাই পুরার ৭ কা পুরাবি লৈথম্বা মম্লংদগী লৈশংলুহনা নবুধৌনা মৈতৈঙ কংলৈ পিবা কুল্লচন্দ্রদা পীরমলেদো ॥ মৈতৈঙনা— ইপু এনা পুবারি অসিবু লৈফম কদাইদা থমগনি, ঐদি লাঞ্জেল্লবানিংনি, মাংদনবা ইপুনা অশীও মতম চানা পিনবা নোংদম্বহুনা নপুবোক্না ঐখোই ওনা চীংলেন ঙাপ্রম লিংফমদা যোং উপুদা হাপ্পুনা লৈহুং চন্না লৈথম্মুববনি ॥ মৈতৈঙবু ফিরিংজিনা ফাহুনা মীবেবাকপা থম্মুবদগী থাদোক্লক্লনা নবদিপ্পা লৈবদা নপু অনিন চংদা থোকাওনৈ, মহুদা নবুবোক নোংমাইথেম্বনা শাংহুনা "থুং" হাইরম্মগা থোকপ্লে, অহুদা নপুশু তুংহন্দুনা লাকপনা মফম অসিদা লৈররে ॥ নপুনা য়ুম্বান্দুনা লৈরে মহুদা মৈতৈ লৈবা মফমদা লৈকনি চংথ্রগা লৈথম্মম্বা পুরারিবু পুরক্লনা অমুক হনঙম্লক্লনা নঙ্গা উনরিদো নংনা অঙাং ওইমনবা অসিনা কমদোগবা, নবুবোক্না পাওশাবদা নংবু নবুক লুবাক্তা লৈহাপ লৈথম্ববু ঙমগদরা নংনা লাইয়েক হৈত্তে হাইবা অসিদি রাথ্রেদা কমদৌশিবা। ইবুবোক বাঙলা ময়েক্তি থরা থরা পাবা ইবা ঙমজে, ঐনা খংজবা বাঙলা ময়েক্তা ইজগে, ইবুবোক ২না নোংমা নোংমগী থরা থরা পাবিয়ু ॥ লাইয়েক খংলবা পাবা ঙম্নবা মতমদা নোংদম্বীহুনা পিবিরো হাইবদা য়াবিরহুনা পুরাবু শিঙ্গরে ॥ লাইয়েকপু হুমিং খুদিং পাবিরে কুমজা ৬ লৈচংবদা লৈশিনবা লোইহুনা অমুক হন্না ইবুবোক ২ না পাবি-

হুনা ঐমা ইজমদা ঐমা য়েংজরগা য়ম্না ইখোলবু চানৈ ।। অমুক ঐনা পাম্নে ইবুঙোক ২না পুম্না-ম্নিদা য়েংহুনা চুনৈ ।। মতমহুদা হাইবি ইবা পাওশা য়াম্নাদি লৈতিম্লে, লাইয়েক্না মীগী লাইয়েক ওইবা মঙাইয়ে মঙান করিবু লৈম্নাংতরে মপাঙলিদ্দি থম্না নাওশোম্নওম্ননি নঙ্গী লাইয়েক অসিনা অহুবু নপু ঐনা লৈহাপ্নগে কোয়্নো অসিদগী নখুংগু ওইজরো নপোংনি খংঙো ।। পাগী পুগী লাইয়েকশে লৈখংনবা তৌওম্মু কুমজা থম্নদি লৈখিশন্নু নংনা পাবা ইবগা হৈবদা লোঁওম্নো নোংদম্না লাইয়েকপু য়েক্কুনা খংনবা হোংনৌ পীওম্নী ।।x

৺বিম্নহম্নি
উম্নিবোক খোইসনাম লৈকাই

খম্নুং রাবু ইণ্ডাল লৈশাবা পুরারি শম্নপ্পা

(ক)

ইম্নুংলোন নোংলোন পরম্বু লৈশানা লৈথম্বা পাওশা রাবু খজিক হাইগে ।। হৈয়ম খম্নুংও লৈথংদবা করিবু—করাবু ওইবনো হাইবনো খংদেদা, মহাক নহাক ঐহাক মাংফদবা তুমফদবা অহুম্না অমা ওই হাইবা, নংনা লৈবা মফম্বু অহাংবা কৌবরা, অতুম্বা ওইবা হাইবারা, অরাংবা হাইগে কদাইনো, অনেম্বদা লৈয়ে মাইগে, অরাংবা করি কয়াবু লৈদুনা হাইশিবনো, নংনা লৈবা লৈফমদি নংতনা মথংঙি, নশক নওংগু নংতনা মথংবা, নশক নওং ওইবনা নংনা লৈথংহল্লগে রাথম্লক্কুনা শাফোংলগে হাইদুনা লৈবদি কুং লাইয়েক অমনা নহাক হাইবা লুবাকুম্না লৈশারেদো, কুং অমনা মহাক হাইবা লুবাক অতুগী মথুম অমা শেমদুনা লৈথুমলগা অনিগী মরক্তি ময়াইদা নোংলুপ হাইনা ঐহাক হাইনা লৈবনে মরু নংনদি মহাইদো ঐনদি খংদবনা নংবু খম্নুং হাইবনে লুবাক্তি মশক অদুবু থিকলেন হাইনা পাওশানদুনা থিকলেনবু পোক থাইহন্দুনা লাবা থিয়াং শা-ফোঙ্গে রাথম্না নশা উং লৈম্নুংদা লৈশা লৈথম্বা লাইয়েক ৭৭ পু লৈয়েংলগা উং হাইনা লৈশত্তুনা ঙংদুনা নিংশাবু ফুইনা কামদুনা ইরি কোঙ্গালবু লৈকামদুনা লৈথমলে ।। লাইমিংবু কুং কৌরে, ঙং ঙং ঙং ল্যাইয়েকপু লৈশত্তুনা ঙংদুনা কাম্বদা কংবি কংনাও পোকহল্লে, মমিং কংহিংলেন অকুপ্পা কৌরে ।। অমুক য়েং লাইয়েকপু লৈশত্তুনা ঙংদুনা কাম্লে মতুদা ঈশিং পোক্তুনা মমিংবু ইহিংশং কৌরে ।। নিংশা অতুগী ইদুম্না ঈশিংবু ইচাই থোক্তুনা ঈশিং অদুনা লৈবাক্তি মশক ওইহন্না লৈঙম-দুনা লৈশিবা লৈহৌ লৈথমনদুনা নোংদম্বা মাগী খোংনেৎ থুদাবু লৈথমলদুনা থিরেল উংলৈ ঙুংদগী লৈরোল অতুম্বু শাফোংনা লাবা থিয়াং লম হৌরে ।। লৈফম্বু হৌ কংলৈ লম্মা হনবা=কংলৈ ম্না পুংমাইয়োন মিংহল্লে ।। লাইমিংবু (হিশ্না মনিক তপয়েংবা পুরেম্বা) লৈহল্লে ।। লৈবাকপু লৈ-হিংসং ইপুথোক ইয়াবা মিরিহিং লৈয়োম্বা লৈহুন্দুনা (কং) লাইয়েক্ক লৈফা লৈথম্নগা লৈথকলোনবু গুনতরং=উংফুংকেৎ কক্লাচিং শংকুরেল থাকৌনা কোং লাইয়েক্লা নোংলেলবু ফাদুনা মালেমদগী লৈকানদুনা নোংলোন পরম্বু লৈশা লৈপুনবা থৌশিল্লে ।। নোংলোন্দা লৈফমদুনা থুদা ৮ লৈথানা লৈফমলে লাইবুংথৌ ৯ না মরুগী মচু মঙান ৭ পু শাফোংলক্কুনা মরুবু থবিয়মগুম কোইরম্মগা ময়াইদা তংখাই লৈথাইনা নাক অনিদা তারগা লাইপাথং ১ লাইমুরা ১ শাথোক্লে ।। লাই পাথংদো শলাইলেন অমম্বা, লাইলৈমবু ইংথেরেল লাইওইবী হাইদো ।। অগুম্না ফম্বানবা লৈফমদা (শ-ঙ্গাই পুঙ্গিবা) মনাক হাইরে ।। অহুম মক্তি লাইমিংবু মঙাং হৈথোক হৈঙাংলালিং হাইবনে '। মরুনা লাইগু, মৌগু, পোংগু তুমিং য়ুরান শা·ঙা উচেক লৈঙমগদবা থৈবিকপু শেমদুনা ফৈদোম

মরি লৈথাইনা শেমগৎ শাগত্তুনা লৈথম্নহুনা পরম থাইনা নং শানৌও পৌরম্মু থৌয়েংহুনা ঐবু ঙংঙাই য়াইকং ওইগে নবিত্তা লৈহৌরো ।। ঐবু পাথেৎ লৈথক্লো লৈগে কাখ্রে ।। লৈফম্মু শঙ্গাই পুন্সিবা লৈফম হাইরে ।। অনিবু মুংবা মহারাবা, মুংমু তুমদ-মাংদবী লাইয়েকপু নং, হুং, অংক হং, সং, কোং, উংঙা মাপন্না মরু ৭ কা লৈফম ৬কা শেমহুনা লৈঙম্বা মশক খিবিক্লা হাপ্লে ওইদেদো, লাইলৈমনা লাইয়েক ৩৬ পু লৈরৌনহুনা লাইরৈমা ৩৬ লৈশানা লৈফম ৬ তা লৈয়েন লৈহাপ্লবদা মহৌ মহৌনা নোংখোং নিক্লে মৈবি শঙাইশেল পাইরে, শজিক্লা নোংদাম্ল, থবানা নোংখাইরে ওকপুরোইনা ওকওমলে ।। মৈ, ইশিং, মুংশিৎ লৈচিল থরাই পিচা মুমিৎ থা পরম থাইনা মরুরোল লৈফম ৬তা লৈয়েন্দুনা নোংল্লোনবু লৈশা লৈথম্বা থৌরোইনহুনা মালেমদা লৈকুম্নবা পাওশানহুনা অশৈ খোংফাংনা লৈকুম লৈহৌরে ।। লাইশু মীশু করি করাবু লৈঙম্নদরিঙৈদা নোংদম্নবা শাফোংনখিবা লৈফম্ন, লৈথিহুনা লৈফম অহুদা হুকচাংনা থাংপোক ওইনা থন্দুনা লৈবা হৌরে; থনশঙ কৌরে মফমদো ।। অহুদগী নোংহুমশঙ হাইরে ।। লৈফম অসিদা লৈরবদা শলাইলেন=শোরারেল=মুংবা মহারাবদো লিং তোং মরাপা লিং লিং কৌরে ।। মহুংদা অতিয়া মরু শিদবা ওশ্না থমলেখম=থপ্লং মরুপা কৌয়ে ।। মরুগী হুকচাংদা মুমিৎ শিংয়েৎ ৭ থাক্তা ১২ শেমগৎপা ৬ শাগৎপী ৩৬ মুমিৎ থা, থারাইপিচা মৈ, ঈশিং, মুংশি, লৈচিল লৈবাক লেংঙি পাল্লিবা অচৎপা চত্তবা পুম্বনা তিলু থানা শাথোক লৈপাল্লি হাইহুনা (অপানবা) হাইএ ।। মরুগী হুকচাং লেমফুবু কংলৈ পুংমাইয়োন উন্দ্রা কৌএ ।। ম্নিংলনবু মি হিং সাং সংদা অপানবা কৌএ ।। অচাওপুং, চাওদপুং পুন্সিপুং পোক্লপুং লৈফাৎ লৈথম্মি লাইমিংবু সং সংদা হি লিক হে কৌএ ।। অহুদগী শালাইলেন অমম্বদি ইখৈরেল লাইওইবীদা নামু বা কৌনা লুতিল্লেদো ।। মহুদা কারিনে, কারনে, কারাহেল্লে, নোংদমথুবনে, নো.দমহনবনে, য়ুহামে পোক্লে ।। অহুদগী চৌনফুরোল লৈচিক ঙানবা কৌনা থা পনশাবদা পোকপা (নোং তম অথুবা) কৌবদি খোইযুম খোংলৈমা লিকশিংগুনে, মহাক্লো থানা চাওবনে ।। লৈথোনববু লৈরোইরগে নিংহুনা লৈথমলবদা পোকপা (নোংদন অহনবনা ও পারি মেম্তে মেলাংথোই কৌনা তিনখোং লাইখোং অমম্ববু অফুনববু তিনশেং লাইশেং থংদনা লৈববু পোইরোই শংমিংথোই কৌনা কাওবকুনা থংহল উইল্লি ।। মহুদা কংলোইয়া চামা নিপালবু লৈথাইনা অশৈবনা খোইয়ুম লৈফম লম্বগী মতিক মঙানবু শকুনা অমাইবনা তিনখোং লাইখোং লাইশোন্দুনা নোংলম পুনা শ্না লুপা কোনয়াই থাহুনা লাইমুরা লাই পাখংনা মপুক হরাও তয়াম্না তিলু লৈকোই শাথোক্লহুনা নোই নৈএ ।। হৈ রোং লৈমা ফিঙম্বীনা লৈতাইয়ে ।। অশুম্না শা-উচেক, ককচেং খোইয়া তুমিং য়ুরান মী·পোঙ ঙা লৈঙম্ববু শেম্বী শাবি পোকপীহুনা থম্বীয়ে ।। হে মীওইবা থংঙো অশুম্না ওইঙমহুনা লৈরকলিবনে (হৈয়ম চক চৈথেন্তবা) থংঙো ।।x

হিরম লামায়

১। চৈশিং লাইয়েক মশক লাইমিং তাম্বেংবা ১
২। থম্মৃংবাবু ইভাল্লেশানবা ব্রাখম শিংথেকপা চৈশিং ২
৩। থম্মৃং ইভাল্লেশাবা হয়ুম হয়াহে ৩
৪। নোংজোন পাথেং লৈশা লৈথম খৌহৌবা ৭
৫। মৈতিঙু নোংদলাই নাওয়োম হায়গে ভাও
৬। নোংলোন্দা লৈকা পাউহংনা থরায় হাপ্পা ১০
৭। ইংথৈরেল লাইওইবনা লাইরেম্বী শাগৎপী লাইরেম্বী ৩৬ না শাথোকপা ॥ ১২
৮। নোংলোন্দা লৈবা মুমিৎ-থা থরাইপীচাশিঙ্গী মঙম শীনবা। ১৩
৯। নোং কোরী অমদা খোংলম ৪ লাইবুংথৌ ৯ গী মরুলোন ৭ না থৌগল লৈচংবা মতম হায়গে। ১৪
১০। শেমগৎপা ৬ পূ থাজ চৎলম লুত্তিন থানা থৌগনবা ॥ ১৬
১১। মালেম লৈকুম্নবা থৌপু পরম অশে শৈরাও শাকোই ॥ ১৮
১২। ২নং মালেম লৈয়াইলেন্দ লৈভস্বা পরম থৌহৌবা অতিয়া মরু শিদবা লৈশিরেন লৈপুনবীগনা খোয়ুম শাথোকপা। ২০
১৩। নোংদম থৌপুনা খুম্বোকলৈমা লৈনাওতাবীনা লৈভস্বা লাইঙেকপা থরবোন য়ৈখায়বা। ২৩
১৪। অতিযা শিদবগা লৈশিরেনগনা থৌশিনবা খোয়ুম ময়াম শাথোকপা। ২৪
১৫। লৈয়াইলেন কলৈ লম্মহনবদা থৌপুনবা শাথোকপা ॥ ২৫
১৬। ৩ নং নোংপোক চিংবা পনশাদুনা নোংচুপ থোং থিংবা। ২৯
১৭। কোঙ্গস্তু থোকপনা মিৎলুরেম্বীবু য়েংদুনা লৈরম্বদগী পাউশানবা ॥ ৩৮
১৮। ২ অৱাংদা চিংবা ৯ পনশানা থাথোংবু লৈথিং লৈভাকপা ॥ ৩৯
১৯। কুরুতিক্রা থেঙ্গাং চিং শেম্বা হৌবা
২০। কোঙ্গস্তু থোকপনা কুরুম চীংদা ফম্বনবা ৪৪
২১। অতিয়া শিদবনা খোয়ুম (৩)গী মগস্তা ফম্বা ৪৭
২২। লাইমিংথোক্তনা মনাওগী মঙম হাপ্পা। ৪৯
২৩। কুরুম চীংলেন কংলোইয়া ৫০
২৪। নোংচুপকী চীংবা পনশা ৯ লৈশাদুনা নোংপোক থোং থিংবা ৫২
২৫। লোইজিং চিংশাং শেমদুনা থুবম থম্বা লাংজিংপুং লৈথম্বা। ৫৩

২৬।	নোংচুপ লোয়ারমগী মুরাং চীংলেন খুবম লৈয়াংপা।।	৫৬
২৭।	শনথোং চীংবু খুবম থাবা লাইমিংথোইনা খাগী মাইগৈ পনশানা অরাং থোংথিংবা।	৫৮
২৮।	মরুনা মালেম লৈতিল লাংবা হৌবা	৬৬
২৯।	উচ্চং পুথোকপা	৬১
৩০।	সনা খোংনাং লৈমনা লাইরুক ফিরানবু শাবা হৌবা	৭০
৩১।	মাইগৈ শিন্না লৈথাখিবা খোইয়ুমশিংনা মরুগী পৌদাবু থৌগুন্নবা থোপুনবা।	৭২
৩২।	পুংশাবা।।	৭৩
৩৩।	খুং শাবা, খোইরৌ লীখং শাবা।	৭৪
৩৪।	পেনা পুথোকপা।	৭৫
৩৫।	শনিব—শরিক পুথোকপা।	৭৬
৩৬।	মন্তিংলা শাথোকপা।	৭৭
৩৭।	অতিয়া শিদবনা খোয়ুম কোইজাইনহনখিববু কৌশিনবা।	৭৮
৩৮।	হৈরোং লৈমনা চন্নৈ ফিরোলবু লৈখন নাইনা লৈহুনবা।	৮১
৩৯।	অতিয়া মরু শিদবনা লৈশিরেন্দা য়াইফু পীবা ইমাইন্নুগা লাই কৈরুংবগা শাফোংবা পরম।	৮৩
৪০।	লৌ উবা তর্ম্বাবা খোয়ুম লৈঙম্বা পুম্নবু।	৮৫
৪১।	হরাও তয়াম্বগী ফিশেং।	৮৭
৪২।	লৈহৌ লৈশা শৈরাওবা।	৯৫
৪৩।	লাই কাংজৈ শান্নবা।	৯৬
৪৪।	ঔগ্য মিকোন্নবা।	৯৭
৪৫।	মক নোংদম্বু নোংলোন্দ লৈথিলবা।	৯৯
৪৬।	অতিয়া শিদবনা মচা অনিদা কুবি পেম্বীবা (নোংখো কোয়বা)	১০২
৪৭।	কুযাম ৭ খোংগুম ৮ বু তাকপা।	১০৭
৪৮।	সনা খোংনাং লৈমবু লুত্তিন লৈরোবা।	১০৮
৪৯।	লাইমিংথোইনা লৈকোয় লৈহল্লকপগী থৌদোক।	১১২
৫০।	অতিয়া মরু শিদবনা লাইমিংথোরবু থেম্নোবা লৈফম থিবা।	১১৮
৫১।	লৈশিরেন্না মরুবু লৈথিল্ল পরম।	১২০
৫২।	অতিয়া মরুগা লৈশিরেনগা শায়োন শাথোক্লবা।	১২১

৫৩। লৈশিরেম্না মচাবু থাকৌবা। ১২৩
৫৪। ব্রাঙ্গোয় লাইকোন লৈথম্বা পাখংবগী লৈকম তম্বীবা। ১২৬
৫৫। খুনঙ্গাও লৈচাওনবা থৌবু থৌশারোল। ১২৮
৫৬। ব্রাঙ্গোই থেনবু লৈশাবা লোয়হুনা লাইমিংথোইনা লৈহুনবা। ১২৯
৫৭। লাইমিংথোই খাববু লাইগী নিংথৌ হাপ্পা। ১৩০
৫৮। ব'ঙ্গোই লাইকোন্দগী কংলৈদা থোক্ষবা, মকুনা নোংদম্বা। ১৩১
৫৯। নমু তাইবং শেম্ব পরমবু পাওশাবু হায়গে মৈতিঙু নোংদলাই তাও লাইমিংথোইনা নমু তাইবং শেমগৎনবা থৌরাংবা হুনিনা যৈখাইনবা তৌওম্বা। ১৩৪
৬০। হুনি নারো ৯গী খোংচং। ১৩৮
৬১। বারক থোকাও নোংদম্বা লোইহুনা নমু তাইবং শেম্বা। ১৪২
৬২। মশক ৭কী লৈকম নাওযাম তাকপা পুরোন তরেং শাথোকপা। ১৪৪
৬৩। লাইলিথোইনা থব্রাই পানবা পুম্বগী হকচাংবু লৈপুনা শাদম্বা। ১৪৭
৬৪। পাখংবনা তাইবং মশক অমা পুখিহুনা কৌব্রু লাইলোংবা লৈহুনবা। ১৫১
৬৫। লাইনুরা লাইপাখং লৈথাঙ পাওশানবা। ১৫২
৬৬। লৈহৌবা মশক ৬পু মমিং মিংহুন্দুনা চংলম নোংদম্বা। ১৫৯
৬৭। লাইমিংথোইনা কোঞ্চু থোকপদা লৈপুবা লাইতাকপা। ১৬০
৬৮। লাইথম্ব তাইবং মপোক শাথেব্রবা থেখন্নবা। ১৬২
৬৯। তাইবং মপোক শমথনবা হোইদোকপা। ১৬৩
৭০। মৈতৈঙ পাখংবা অমশু হায়গে শিরাইএ মৈতৈঙ পাখংবা হৌজিক্তি তাইবং মপোক কদৌবিবা। ১৬৫
৭১। শাগৎপা ইমানা থাজা ম্বওপুবগী থৌরম। ১৭০
৭২। মৈতৈঙু তাইবং হক্কী কয়াৎ ৯বু লৈথম্বা হাইগে। ১৭৩
৭৩। থাজ ৭ লৈচংবগী মথৌমওম থো ১৪ য়াত্তুনা মমিং তম্বা হায়গে। ১৭৪
৭৪। থাজ ৬ চংবগী থৌরম্বু হায়গে। ১৭৫
৭৫। চাংপাক নাওদা য়াইফং থৌনি থোংতৌবা মতম। ১৭৭
৭৬। ঈ, মপাল মরা লেমফু লৈত্তানবা থৌনি চংলম। ১৭৯
৭৭। লাইকব্রেল লুচিংবা ৫ বু চেংলৈ থোইদিং তিংথৌ। ১৮২
৭৮। লাইবুংথৌ লৈত্তাকপা ৮ লাবুংলে ১৮৩

৭৯। থেবা ৩গী মমিং কোকী ময়োল মচু মমিং। ১৮৬

৮০। লংহীং লংফাই ইরাংপা লংজা ৯ বু পীগীনা লংজা ৭ লাংকনি। ১৮৭

৮১। ইশেংবা লাইরমলেল তাইবং লুতিন। ১৮৯

৮২। তাইবং নাবু পাগ্রংবা মিংচুম্না তাইবং চাকইন্দুনা উস্থা। ১৯০

৮৩। চাউম লৈফম ফিদাবু নিংজএ।
নাওবাবু ফিদাক্তা কমহল্লে থুদাব পাওশাই। ১৯২

৮৪। পলেম্না চাকইন থৌপুরে, মরুনা লাইশোললে চহুম অহুম শুনবা,
লৈশিরেম্না থিংবা শুম্বীবু পুথোকপা।। ১৯৩

৮৫। তাইবং নাওদা নাওয়োক নাওকোন চংলম নোংদম্বা।।
কুমজা ৫ লৈচংবদা লাঙয়েক লাইশক লৈতাক্লে।। ১৯৪

৮৬। লাইয়েক য়াকৈবী শিদবা ১০ গী রা ১৯৯

৮৭। ময়েকী খোম্থোক পুথোকপা, লাইয়েক য়েখাইবা।। ২০৩

৮৮। অপকমা লাইয়েক, লাইয়েক তিলু থাবা, লাইয়েকশিঙ্গী য়াবা ইথোল
লৈহৌ শাথোকফম তাকপা।। ২০৪

৮৯। অরুম্বা অয়াংবা চৈনপ হাইগে।। ২০৫

৯০। লংহিং লংফাই য়াম্নাবা পরম থৌপুবা, হকি লৈফম ৯ দা মালেম লৈহুনবা
তাকপা।। ২০৬

৯১। পুক্নিং হকচাং ইরুমাইওবা পরম।। ২০৯

৯২। লংহিং লংফাই য়ানবগী মরম হায়গে পাগ্রংবা।। ২১০

৯৩। যুম্বাল থৌপুবা।। ২১১

৯৪। হয়িচক চংঙকপা ২১৩

৯৫। পাগ্রংবা পিবনা মচাইবুংঙো কংলৈ খোম্বদা লৈশিন্নবা পরম।। ২১৫

৯৬। কংলৈখোম পাখংবনা মপুক তাখিক্লনা লৈকোইখিবা।। ২২১

৯৭। মাইগৈ ঙাকপা লম্বুবা য়েলুপ শখাইশিংনা মনিং মথা তম্নবা।। ১নং
নোংপোক পানবা অঙাইবনা, ২নং হৌকেগোন কোনবা লম, খাথংবা মুরাং
নিন্দু পনবান অরাপ্পা মনিংথৌ।। ২২২

৯৮। ওলাং লাইগা নিংথম লাইগা হায়বা ২শুবা পুরারি অমুক লিবা।। ২২৬

৯৯। উরাওনা তেনরা হাংপা ২২৯

১০০। ২নং ঔরাং লমদা হেনবা মনিংথৌ লমশেন লম্বুবা।। ২২৩

১০১। ৩নং মথা মাইগৈদা থুন্দ য়ুম্বান খুম্থোকপা, ৪নং ঔরাং হারম পনশাবা
লাইবুংথৌ, ৫নং নোংপোক চিংখৈ পনফবা মনিংথৌ, ৬নং খা মৈরম
মনিংথৌ।। ২৩৩

১০২। লৈমা তারিৎন্নু কনানো ? ২৩৪
১০৩। মা চুপ লোক্লো কোন্দা পনফা কোৎটিংলেন, মাইরেন ফমপ্রেংকী পুবারি ।। ২৩৬
১০৪। তাইবং মাইরেম্মা হিদিঙ্গ মরাং খানবা য়াওবা ।। ২৩৮
১০৫। মারং থানবা হল্লকপগী পরম ২৪১
১০৬। তাইবং মাইরেন ফমংশেৎন য়ুম্বান থৌপুগে থৌরাং থৌশিনবা পরম ২৪৪
লমাই
১১০। লোইদাম ওম্বা লাইনিংবনা লাইনিংবা হৌবা।। ২৫০
১১১। লোইদাম ওম্বনা লৈহুন থৌনিবা। ২৫১
১১২। অহিং খাওয়া হগুবদা সনালেম্বীনা চংজবা ।। ২৫৪
১১৩। কংলৈ লংচপাত্তা পোকপনা মীরাম্লেম্মা থুন্দবা। ২৫৬
১১৪। লৈত্তমখিবা মশক মমিং। কংলৈসনা পু মাইয়োনগী লুচংবিবা কংলৈ থোম্বগী পুবা ।। ২৫৭
১১৫। হৌ চ লৈ লম্মতমন্নবু তোংলোম্ব চীং মিংথুনবা লাইফদিবী শান্নবা হৌবা।। ২৬০
১১৬। মাইগৈ লম্বুবা ওলুপ খারন তাইব মথুঙ্গতনা লৈত্তম্নবা। ২৬৩
১১৭। ঐরাং লমদা থেনবা মনিংথৌ চেংডানা লাইওইখিবা। নোংলেন নোংপোক লৈহৌনা পানফবা থবাইনা লৈথুপথ্রবদা।। খা নোংপোক শুংদাই মনিংথৌরা মুচেনা লৈথুপথ্রবদা ২৬৪
১১৮। থাংজিং ঙাংঙাই মুরাং নিংহু পানফবা। লাইথং ১০৮ গী লুচিংবা লাইনা পনা মথৌ মওং, থৌনিহুনা শিন্নাবা ২৬৫
১১৯। লোউবা মাইলেন ৭ লৈহুনা ২৬৯
১২০। লৈতাংবা থাজা থবান থুনিং লেথুন লোতাবা মৈতৈগু লাংবন কারক্লবদা অশাই অশম্ব, য়াওনা চৈবুল লেংদা থোংনহুনা পাওশানৈদো ২৭০
১২১। নাবা শিবা থৌরম্ব, তাইবশিঙ্গী থৌতম থৌপু ওইনবা থৌশিনবা ।। ২৭১
১২২। অশিরোই চৎলম থৌহৌবা ।। ২৭৬

খমনুং ইঙাল লৈশাবা

হয়ম

ইঁথয়ং আঙ্গি কৌবনে ।। তাম্নবদি অমম্বা করি করাবু শাথোক্তরিবা মপোক শিবা-নাবা লৈতবা, অমাং-অতা নাইদবা চিংঙ্ মতম কৌবনা মশক মওং লেপত্রিঙৈদা মথন্তা লৈরম্ববু খঙহল্লগে নীংলক্ত্না ঐবু করি করা কমদৌরগা খঙহনশিবনো হন্না হন্না লুম্নাং লৈ-খনবদা শিংথা চৈশিং খরবু তাম্বেংনরে ।। উম চৈশিং অসিদি মশীং অসিবু শুন্না শাথোক্লগা ঐনা লৈতম্লিবা পরম্ব খ-হনবা য়াগনি হায়রিন', ঐ ইথন্ত লৈবনদি ঐবু ঐনা খঙবদগী হেন্নোই হায়রি। অতুদি চৈশিং অসিবু শুনবা মশকপু শাথোক শাকোংনবা তাঙমে ।। লেপখিবা চৈশিং বু হায়সে চাবোল শুদোম্না খঙহৌনবা য়েক্লগে ।।×

(চৈশীং লাইয়েক মশক লাইমিং তাম্বেংবা)

অমা, অনি, অহুম, মরি, মঙা, তরুক, তরেৎ, নিপাল, মাপন, তরা, অরাগা অমা, তরাগা অনি, তরাগা অহুম, তরাগা মরি, তরাগা মঙা, তরাগা তরুক, তরাগা তরেৎ, তরাগা নিপাল, তরাগা মপন, কুন, মথং মথং কুনগা মাপন, কুনগা তরা, মথং মথং কুনগা তরা, নিফু, য়াংখৈ, হুমফু, তনফুগা তরা, মরিফু, মরিফু তরা, চালুপ অমা—

অমা	১,
তরা	১০,
চালুপ অমা	১০০,
লিপুন অমা	১,০০০
লিপুন তরা	১০,০০০
লাপুন অমা	১,০০০০০
লাপুন তরা	১০,০০০০০
লাতিং অমা	১,০০০০০০০
লাতিং তরা	১০,০০০০০০০
লাম্নুং অমা	১,০০০০০০০০০
লাম্নুং তরা	১০,০০০০০০০০০

লাক অমা	১,০০০০০০০০০০০০
লাক তরা	১০,০০০০০০০০০০০০
লাঅক অমা	১,০০০০০০০০০০০০০০
লাঅক তরা	১০,০০০০০০০০০০০০০০
আক অমা	১,০০০০০০০০০০০০০০০০
আক তরা	১০,০০০০০০০০০০০০০০০০
উক অমা	১,০০০০০০০০০০০০০০০০০০
উক তরা	১০,০০০০০০০০০০০০০০০০০০
লাইলোই অমা	১,০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০
লাইলোই তরা	১০,০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০
লাইথমলেন অমা	১,০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০

লাইথমলেন তরা লাইন্নুম অমা, লাইলুন চানুপ (খয়ুং) অসি মখোয়দি শিংথাদ্রে ।। চৈশিং তিন্নবা, চৈথাইবা, শথাইযেন্নবা, হায়রিবা পরম অসিবু নুমলা, চৈরেপ্তুনা মশকপু শুনবা শেমগৎ-তুনা খয়ুংদগী ইন্দাল লৈশানৈয়ে । ×।।×

(খয়ুং রাবু ইন্দাল লৈশানবা রাখল, শিংথেকপা চৈশিং)

হয়ম হোয়াক্তে লিক্লাইগু ইবুধৌ, নোংদম ইগা ইপুরেল নংবু কনানা খংবনো নংতনা নংবু খংবা উবনে ।। করি করা লৈঙমদ্রিউদা অমা হায়বা নত্তা মরৈনবু খঙবদো ননা হায়বগী, নথৌ-জানবু কুবি নোংদমলকপদগী নহাক্তনা নংবু খঙবা উবা ওইবনি ।। হৌজিক্তি নংনা যেনহৌ রাবু হায়নিখিবদো থৌকাওদনা মথংত্তেনা খংজবা ওইনা নফম্নাংদ লৈহনগে। নপুক খোঙ-জং লৈতানা তাবিও ।। ঐ কনানো, ঐনা লৈরিবা লৈফম অসিনু করিনো, অতুগা এবু কদাইদগী লাকপা, ঐনা মঙম করিবু থৌপুবা ? ঐনা লৈবা অসিদি খয়ু নিদনা মফম থাদবা অমম্বা ওইবি ॥ অতুদি ঐ অসি কনানো হাইবা ইশক ইউনু লৈশক লৈচু খংহনবা ঐ খয়ুং অসি ইন্দাল লৈশানবা থৌপুবা তাবে, অতুদি করি কদাইদগীনা কদাই কাওবা মশকপু শাদমতুনা লৈথমলগা মতুংদা ফৈদোম মরিবু থমতুনা ইন্দাল লৈশাবা ওমগনি ! অমদি ঐ লৈরে মথংদি করি করা লৈঙম্বা হায়না রাখন্দুনা (থিরেন মমা হরুংদা) মথং মথং য়েংলক্কে ॥ মশক অনি অমা উরে অহুম শুরে ।। অনি অমগা উরে মঙা শুরে ।। মথংদা পা ৪ গা পী ১ গা মশক মঙা অমগা উরক্কে, তরা শুরে ।। অগুম্না মথং মথং মমা হরুং থিরেম্নুংদা য়েংবদা মশকপু চানুপ অমা = ১০০ ফারে ।। মতুংদা চানুপ তরা = (লিপুন অমা ১০০০)

তানকংলে ।। মতুংদা লিপুন তরা তানকংলে, অমুক লিপুন চালুপ অমা ফংতুনা লাপুন অমা উরে ।। মতুংদা লাপুন তরা তানকংলে, অমুক য়েংলে লাপুন চালুপ অমা তানকংতুনা (লাতিং অমা) কংলে ।। অমুক থিরে, লাতিং ১০ শুরে, অমুক থিবদা লাতিংবু চালুপ অমা উতুনা (লাম্‌সুং অমা) ফারে ।। অমুক থিরে, লম্‌সুং তরা শুবে, মতুংদা লাম্সুংবু চালুপ অমা উরে, (লাকক্‌ অমা) শুরে ।। অমুক থিরে লাককপু তরা উরে, মতুংদা লাককপু চালুপ অমা উতুনা লাআক অমা ফারে ।। মতুংদা লাআক তরাবু উররে, অমুক লাআক চালুপ অমা উতুনা আক অমা শুরে ।। অমুক আক তরা শুনা উরে, মথংদা আকপু চালুপ অমা উতুনা উক্‌ অমা শুরে ।। মতুং অমুক য়েংবদা উক্‌ তরাবু তানকংলে, মতুংদা উক্‌ চালুপ অমা উতুনা (লাইরোই) অমা শুবে ।। মতুংদা লাইরোই তরাবু উরে, মথংদা লাইরোইবু চালুপ অমা উরক্তুনা শেমগ শাগদবা মশকপু লাইথমলেন অমা শুরে ।। মতুংদা শেমগদবা মশকপু করি বাংলিবগে হায়তুনা স্না হক্‌চংদা থিবদা করি কনাবু উগমদরে ।। উম ইভাল লৈশাবদা খোকভমগদবা মশক চৈথেক চৈশিংদি লাইথমলেনবু চৈশুনা শাথোক্লগা থম্‌মংশুনা অসিবু ইভাল লৈশাবা য়াংমেলনি হায়রবো ইদনা ।। তদুদি মকাশিং অশিবু ঐনা শেমগৎ শাগৎপশিংবু করিবু বরমজোনা শেমগৎ শাগৎসিবনো রাখমা অমুক স্না হক্‌চং থিরেন উংলৈমুংদা হুমা হুমা য়েংলক্লে ।। থিরেন অতুগী উংলৈমুংদা ইরিক কোন্সোনগী মশক কুম্না, মশক ময়াম অতুনা অমুক (থবা লৈতিল তিলু) চৈথানা, থরা অমনা য়েংলুপ শখাই থা, থরা অমনা হোরিনতুনা থবা অমনা মশা য়ৈথাইননা লৈফমতুনা ইরিক ভমফুতরাগা তবেৎপু শাদমা লৈঙমা উরে ।। উম মশকপু লাইথমলেন চিশিংশুনা শেম্বা উম্নবা খোইয়ুম লাইয়েক্তি অসি ওইবে হাইতুনা লাইরমলেন ৭৭ পু থিরেন উংলৈমুংদা য়াইবী লাইয়েক লোমলে ।। হামোইবা, অপকমা, তিল্লবা, চৈনপ, চৈহাপ মিংহুমা লুপ মরি থোক্না লৈথমতুনা চৈশিংনা শিম্মোং ওইরে ।। লাইয়েক নাওয়োম থানা শেম্মো হাইভমলেদনা অতুদি লৈভম উভমলিবা লাইয়েক অশিবু ঐনা কদাইদবু থমলগা লৈরৌনহুনা থম্‌মং অশি ইভাল লৈশানবা কৌভমশিবনো লুম্নাবু লৈহমা য়েংলে ।। নোংদম্বগী হক্‌চংগা ভম্রা ময়াই শুনদোনপানবু লৈকোইনা য়াইবী লাইয়েক তরানা থম্‌মং অাজি =

কৌববু কোইশিন্না লৈরম্মে ।। অা, ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ, এ, ঐ, ও, ঔ
(১০ শিনা) লৈনা লৈকা পানবশুন্না, হিঃ মশিদি পরম অমশু

হাইরিনা লাইয়েক অশিবু করিবু কমদৌ হাইবনো কোইনা য়েংলে, মিউদা হামোইবা লাইয়েক — ক্ষং, হং, বং, সং, শং, ।। কৈফগন কৈফবাক্তা — রং, রং, লং, য়ং, যং, ।। খেংইদা — মং, ভং, বং, ফং, পং, থক্তিন্দা — নং, ধং, দং, থং, তং, ।। থবাক্তা ণং, ঢং, ডং, ঠং, টং, ।। ওইগী কমরাদা — ঞং, ঝং, জং, ছং, চ, ।। য়েংকী কমথোংদা — ঙং, ঘং, গং, খং, কং, ।। লাইয়েক অসিনা

লৈফম্ন লৈত্তাক্লুনা লৈঙমনবশি অশিববু য়েম্মিংহন্নবা লাইবা লৈম্নৌ লৈথিনবমিনা অদুনদি মাগী মাগী লৈহাপনবা লাইয়েক শিন্থোংগু গুলৈয়ে, ঐবু ইঙাল লৈশারগে য়ারেপলে ।। ৪ ।। ×

থম্নং ইলাল লৈশাবা

হয়ম হোয়াহে

তাও নোংদালাই পা-থংবা মৈতৈগুং তাইবং মপোক অথোই চংথোনবগী মশক ওইনা শাফোং শাথোযপা, তেংবানববু পোক্লেন শাংপা নোংদম মপা মপুরেন্না করিবু করা লৈঙম-ত্রিউৈদা মাংবা য়াদবা অমাং অত্তা লৈতবা তেংবানবা মপুনা (নোংলুমগী) মশক ওইনা লৈঙমহুনা থম্নং লৈশানববু ইঙাল লৈশানবা বাথলে ।। য়াথম অদুদা লৈথনবা মশকপু নোং-দম্বগী শিয়োমগী মমুংদা ফৈদোম মরি লৈখাইনা ইরিক কোঙ্গোম থাবগুম লৈহন্নক্রুনা মহাক্রা উবা ফংলে ।। উম মশক লাইয়েক অসিদি ইঙাল চাওবা থরাই য়াইবীগী মশক ওইবদি তারগা অমত্তা, থরাই হাযোইবা মিয়েন হামচংপদি কুম্ন্না মঙা ইহুল্লিনা, অসিংদি লাইয়েক অনি অসিনা তিল্লং লৈথানা থোরম খুদিংদা শাফোং শাথোক্লবা য়াদ্রেনা, অদুদি ঐনা ঙোংমগদবা থোরম অসিবু লাইযেক নিফুমঙা' সিদো তিল্লং থাস্নগা, য়েথাই য়েথাইহুনা থবোন লৈথাহুনা লাইয়েক লাইশক য়ারা ইজন্না শাথোক শাফোংবা ভারি, নত্তরবদি থোরম্নং শিনগুনা লৈশাবা থোংম লেইদৌরে' অদুদি ঐবু ঐনা লাইযেক্না হায়া লৈশাবা ত্তারে ।। নোংদম য়াথম্দা শারেপতুনা লাইয়েকপু লৈশায়ে, মৈতৈলোংদালাই লৈশা লাইয়েক হাইগে পুবারীনা লাইয়েক লৈথম্বিবাস তাবিয়ৌ ।।

য়াইবী লাইয়েক (ইঙাল চাওবা)—

আঙ্গি ইঙাল লৈশাবা অ, আ, ই, ঈ, উ, ঊ ঋ, ৯, এ, ঐ, ও, ঔ, অং ।×

শিংথেক শিংহাপ চৈ লাইয়েক— ১, ২, ৩, ৪, ৫, ৬ ৭, ৮, ৯, ১০ ।।×

লাইয়েক হাযোইবা— ক খ গ ঘ ঙ

চ ছ জ ঝ ঞ

ত থ দ ধ ন

ট ঠ ঢ ড ণ

পফবভম্ন
অ= যয়ম্নলর
শযসহক্ষ ।। ×

লাইয়েক য়ৈথাইবা (অপকমা লাইয়েক)—ই, ক, ঙ, ন, প, ম, ল, ব, স, ।। ×

লিতিন থবোন লাইয়েক— ক্ক, ম্ন, ক্ল, ক্ব, ঙ্ক, ঙ্ক, জ্ঞ, ।।

মৈতৈলোন লাইয়েক হুমফুগা অনিবু ম্না হবচাং মম্নুংদা শাগৎতুনা শিংথাচৈ হরাগা শিংথানবা লৈথমল্লব্রেদো ।। ×

মৈতৈলোন নোংদালাই হৌজিক্তি তাইবঙ অসিবু
কবিবু কমদোনা লৈশানা লৈথম্নম্নলো, পবম
থোরম্নং পুরারী থম্নং রাবু ইঙাল লৈশাবা
পুবারীবু য়েক্লিবা লাইয়েকপু পাঙম্নগে
নীংশিংনবা পবম্নং ওইনা তাবিবো ।।

অমাং অমা লৈবা মশক মওংবু হাম্নওমদবা মশক্লা লৈথম উওমখিবা লাইয়েক্কুগী লৌঙনা য়াবা অমা (উং) হায়না ফুনা থিবেন মম্নুংদগী নিংশা ফংইনা কামতুনা ফলে ।। ঙংলিবা য়াবা অতুদগী মাইগৈ শিন্থংনা ঈরিকপু পান্দম্বা ওমদনা মপান মাইদনা ঈশিংতনা ইলং লংনা লৈঙমতুনা ঈশিং অসিদা তাওতুনা ঈশিং ঈরিক কামথোরকপা অতুদগী (কোঙ্গোন) হায়বা মশক অমা মায়গৈ থংনা লৈরে, ইরিক কোঙ্গোন অতুগী মমিং লাইয়েকপু (ক্কু) কৌরে ।। অমুক ম্না হক্লংদগী (য়) লাইয়েকপু লৈশত্তুনা (য়েঙ) হায়বা অমা ঙংলক্রে, য়াবা অশিবু ঙংদতুদা ঈশিং অতুদগী (ঈশঙ) হায়বা মশক অমা থোরক্কুনা মাইগৈ শিন্না ঈশঙনা শিনলে ।। অমুক নাঙ্গয়েক অমা লৈশত্তুনা (ঙং ঙ ঙং) হাযবা যারা অমা অমুক ঙংলে, যারা অতুগী মওম্না ঈশিঙ্গ ঈশিঙ্গ য়ৈবদা (কংবি-কংনাও) হায়বা মশকপু শাথোবক্কুনা মমিংবু (কংহিংলেন অকুপ্পা) কৌরে ।। ঈশঙদগী শাথোবপা কংবি কংনাওগী মরা মম্নুংদা তাবা মরা অতুদা (ঈনাং) হায়বা মশক অমা শাথোক্কুনা ঈরুংবুংদা য়ানতুনা লৈরে ।। মশক অসিবু লাক্লবদা (উং, ঙাং, ঈং, য়েং, ঙং) হায়না ঙংতুনা ঈশিঙ্গী মথাদা ঈনাংগা ঈশঙ্গা থমলে ।। অমুক (স, হ, র, হ, র, স, র, স, হ,) লাইযেক অহুম্না তিন্নুনা য়াবা ইঙনং নিংশা ফংইনা কামতুনা লৈঙম্বা ঈরিক কোঙ্গোন পুম্নবু চাইথোক্কনা ঈনাঙ্গ-ঈশঙ্গা লৈতা লৈশিন্না লৈঙম্বা মশকপু শাফো লে ।। মশক অসিবু উবদা পরিং লাংশম থঙমতুনা নিংশা ফংইনা ফংইনা হোনতুনা কৈদোম মরি, শুংদাই মরি থায়না মালেম লৈশিববু শিন্থংনা ফারে ।। লৈঙম্নম্বা ঈশিংবু ঈচাইথোকতুনা মালেম অতুগী মথাদা লৈঙম্নম্বা মালেম অতুবু ঈপাক থক্লা

তাওহনা নোয়ে হায়য়ে ।। থৌরম্ব উবদা নোংদম্বনা (লৈবিতোম শোন মরিননপকা) পাওশানা নিংশাগী ইহনবু কামহনা মালেম লৈশক ওইগদববু লৈফা চুকথানা লৈথম্বা হোরে ।।

করি করাবু লৈঙমলমদবদগী মালেম লৈমবু লৈরকলবদা ঐগী শাথোকফম লৈরে থোকউম্নগে, ঐবু কদাই লৈফমদা শাথোকশিবনো রাখলহনা ঈশিং ঈনাংবু তাদবা অকংবা লৈফম অহানববু মাইগৈ নিপান লৈফানা কোইনা য়েংহনা লৈথিএ ।। লৈফম অমবু উরক্লনা ঐনা থিরেন অসিদগী ইঙাল লৈশানবা শাথোক শাফোংনবা লৈফমদি অসিনিদনা রাখলহনা থিরেন ওমলৈ মুংদগী লাবা থিয়াংথোক্লা, ওইথংবা থোংনাম্মা মালেমদা নেং, য়েং থংবা থোঙ্গী থোংদোম্মা ওইগী খুদা নমহনা, য়েং থংবা পম্বোম্ব থেক্লা লোংনা থাঙ্গৎলগা, খুবাক থম্বাল লৈনা শানা লুরাই মপা লাক্লা থম, ওই থংবা খুৎপাক্লা য়েৎকি খুৎনিং মপালাক্লা লৈথমহনা শাথোক্লে ।। লৈফম্ব (হৌ কংলৈ লম্মহনবা = কংলৈম্মা পুংমইয়োন) মিংথোক্লে ।। লৈফম অসিদা শাথোক্লবদা রাখল্লে, মালেম অসিদা লৈগদবদি অচা অথকতনা হিংনবা লৈরগদবনি, লৈঙম্নগদবা পুন্নমককী য়াইফং নোংদম্নবা পরম থৌরম্ব লৈথন্নবা নোংলোন হায়বা লৈফম অমা লৈথাইরবনিনা নোংলোন লৈফম অসিবু লৈশা লৈহাম্না লৈথম্বা ভাঙাম্নদনা রাখলক্লনা মালেম লৈয়াইলেন কংলৈ পুংমাইয়োম্নগী অহাংবা নোংলোন করি করাবু লৈঙমদবা নোংলোন্দা চোংথৎখিহনা অহাংবা লৈফম অহুদা ফম্বাম্নাংহনা অমুক রাখল্লে ।। রাখল অহুদগী মচা মঙাল তরেৎনা থবিয়মগুম কোইবা মঙাল অমা শাথোক্লনা নোংদম্বা লাইবু কোয়শিন্না ভাম্না শানা থোক্লনা থল্লে ।। ভাইহাক লৈরম্নগা মঙাল অহু চেকথাইহনা ময়ায়দা ভংলে, য়েৎলোম ওইরোমদা তাথ্রগা য়েৎলোমদা তাবনা লাইবুংথৌ অমা ওইনা শাফোংলে ।। অহুম মক্লা তিল্লা ফমবান লাংবা লৈফমবু নোংলোন (শঙ্গাই পুন্সিবা লৈনাপ) হায়ম্নে, অহুম মককী লাইমিংনা (মঙাং লৈথোং হৈঙাংলালিং) কোয়ে ।। মক্লগী চপ্রেল মথোঙ অহুম কোয়ে ।। মঙাং, লুবাং, খুমন হায়য়ে ।। লাই অহুম্না নোংলোন্দা তিল্লা লৈফমলবদা পাওশা লিরোমহনা মুংঙাইনৈ ।।

পাওশানথিবা য়াম্না :— উ-ই-তে মী কী হীং, মি হিং ষং চিং তে তে, চিং তে তে নপম্নু ; অক্কো শি রিং কি রিং, নোং তরেং, নোংতা কাংবিরু লৌপুন ওরা ।। কী রীং শীরিং সম্নুরীকা নোং তা কাং বি রু, মুং বীরেল পুরীং উ-ইওরা উ-ই-তে মুং তরেং পিষং থপম্নু ; উ-ই-তেবা উ-ই-তে তেম্নু চিংতে তে চিংতে তে নতেম্নু ওবা ।।

লিরোমববু লোইবদা নোংদম্বনা হায়য়ে ।। লাইবুংথৌ শলাইলেন অমম্বা, ইথেলেন লাইওইবী, নবঙানিনা ঐনা নীংবা পরম খৈবিকপু থৌঙম থোপুনবা তোঙমহনা ফৈদোম মম্নিবু লৈয়াংনা চৈথাদবা নং-ঐগী (হয়ম চক) অসিদা মথং লেংনা লৈঙম্নবা, থৌঙম থোপুনবা

তৌঙন্ন॥ ।। ঙৈঙ্গোন নোংলোনগু লৈথম পরম্ব॥ লৈখাইনা শেমগৎ শাগৎতুনা পরম্ব॥ বাস্তনা থম্মীহুনা ইভাল লৈশানবা তৌভয়ো ।। নবঙানিগী নঙস্ব॥ থোয়েংনা অয়িংবনা শোক্তবা অ- শাবনা লৈথ॥রেবা অহাংবগী মথক্তা অহাংবা লৈফমদা পুন্নমক্কি মঙম মথৌবু থোয়েং থো- য়ানা কমহুনা লৈঙমগে ।। ঐগী ইঙস্ব॥ নবঙনিনা থোবুনবা তৌরো শিন্নহুনা কুবি নোংদম্নগা লৈকম অসিদগী নোংলোন অরোইবদা লৈংকাহুনা লৈঙমগ্রে ।। লাইমিংবু (উংলো য়াইবিরেন শিদবা) কৌয়ে, মেরুবা লাইমিংয়ু (ঙং লৈহিংফা, লৈফা ও-এ কু নোংনুম) ও রা কৌ- খিএ ।। × ।। ×

(নোংলোন পথেৎ লৈশা থৌপু থোহোবা)

থোদা নোংদম্ব॥ থোয়ানা অনিমক্কা লৈঙমহৌহুনা নোংদম থোদাবু থোপুনবা বাতামরকই ।। ইথৈরেন লাইওইবীনা হায়—মুঙ্গী বাখল থোঙস্ব॥ করি থোহৌশিবা ? শলাইলেন অমম্বনা হায়—মুঙ্গী বাবু থোঙম পরমগু থোহংহৌদে করিবু কমদোবা নোংদমদি থোয়াহোরে নং ঐতগী হেম্না করি করাবু উদে, নং ঐনা করম থোহৌশিবনো বাতামহুনা চাকচা য়াহিপ তম- লক্রে ।। শলাইলেন অমম্বা লাইমিংথোইনা ইবেম্মা হংক্তি— "(মুক্তা লৈতে মুংলৈতে, মুং- লৈ শলৈতে)" ।। ইথৈরেন লাই ওইবীনা বাখল॥রগা হায়রকই— থোহৌ পরম্ব॥ করিবু করম্বনা থোহৌ হাযবনো মহু হংহৌদে ।। (শোলো নোলো, নোলো থাম্নুংগাইবৈ) নং ঐবু মুঙ্গী রাখনবু তামনা থোদাবু থোঙম্নবা থোপুসে, থোরম্ব॥ ঐতনা থোঙম্মোই নং য়াওদনা (ল.ইরেম্মগী তিলিথোং, লাইনিংথৌগী তিলিকাং)= লাইরেম্বী লাইবুংথো অনিনা থম্মোইমুংদা বাখমবা থোরমবু তিন্ন॥থানা বাতানহুনা নোংলোন্দা লৈগদবা মশকপু লৈথম্নবা থোশিল পাওবাক্রে ।। ইবেম্মা থোরমদি অগুম্না থোপুনশি উংলো যাইবিরেন শিদবগী মঙম শিম্নোং থোদাবু (শলাইলেন অমম্বা= (শোরারেন অমম্বা) ঐনা পুবগে ।। মৈতৈঙ॥ নোংদলাই—হায়রিবা মশক অসিদি মহাক্কি (লৈচিম্নি) ।। তাওবিরোইলাই শলাইলেনগী শিম্নোং ওইবদি (অতিংঙানি) মশক্তি (মুংশিংনি)· তাওবিরোইলাই হায়বদি (লোইনবনে) অসুম্না শিম্নোং পরম্ব॥ লৈথম্না লৈথম- লবদা অনিমক্কা অমুক পাওশাই—(পিংতরং পিংতরং করশং করশং যন যংলাই যং, শমপিং পিং) হায়বদি নোংদলাই— থোরমবু শিনবিনবদি তানফংলে অহুবু মশক থোরমবু য়োমহুনা থম্নবা লাইশং = নাওয়োম ওইবিনবদি লৈঙমদে হায়হুনা নাওয়োম ওইনববু লৈশিল্লে ।। ×

(মৈতৈঙ॥ নোংদালাই নাওয়োম হায়গে তাও)

তেংবান অসিবু নোদম্বা লাই উংলো য়াইবিরেন শিদবা মশক মনিং হায়না লৈরিবা পুন্নমক অসিবু মহাক্কগী মশক্কা ওইহল্লিবা লাই অসিনা (অতিংকোক) হায়বা মিংথৈ অসিবু য়োমহুনা

লৈদো, লাইমিংবু (রঁৎম রঁৎয়েং) লাইয়েক অসিনিদো ।। অতিংকোক কৌবনা অমম্বা হায়বা অসিবু য়োম্মিদো, নাওয়োম লাইয়েক্না (বঁৎইং ফুংকেং কক্রচিং) লাইয়েক য়াব্রানিদো ।। অমম্বা কৌবনা মুংশিংপু য়োম্মি, লাইয়েক য়াবানা (রঁৎম কিক, ওক্, কুক,বঁৎ) লাইয়েক য়ারানিদো ।। মুংশিংনা লৈচিনবু য়েংম্মে, য়াবা লাইয়েকপু (ইং হুং খং তরেং লিয়োম্বা) য়াবানিদো ।। লৈচিম্না ঈশিংবু য়োম্মি, লাইমিংবু (রঁৎ লৈচিন পুমচিনলেন লিক্লা পুন ইয়োম্বা) য়াবানিদো ।। ঈশিংনা লৈবাকপু য়োম্মে লাইমিংবু (লৈহিং খং ইপুংথোক ইয়াব মি রি হিং লৈয়োম্বা) য়াবানা য়োমমিদো ।। × মৈতৈডৎ নোংদলাই হায়রিবা শিম্থোঙ্গী মশক মওঙ্গ, নাওয়োম হায়বা লাইয়েকপু লৈতনা করিগুম্বা মশক অমতা শাথোক্ৎনা মশক অহু ওইবা য়াদে, তেংবানবগী মপুনা নাওয়োম ওইগদবা লাইয়েকপু ওবশিন্দুনা লৈথমলম্বা করি করাবু লৈঙমলি খংদবনা (থম্বৎ থিক লেন) হায়বনি, য়োংলম্বা মানা থিরেল নাওয়োমগী মশক ওইহুম্বা লাইয়েক য়াইবিরেন ১২। থরাই হামোইবা ৩৫। মিরেন হামচংপা ৯, অপকমা লাইয়েক হামোইবা ৭ কা, চৈ ১৬ কবু থিরেন ভং লৈ মুংদগী পোকথাইহুনা চেকথাইরকলবদা পরম থারনা শাদমহুনা শাথোক্রবা থৌশিনবিদো ।। ×

তাবিও মৈতৈডৎ—হৌজিক্তি নোংলোন্দা লৈথম্বা পরম মমিংবু পাজগে—

লাইমিংথোই মহারাবা, মুংমুতুমদ-মাংদবী অনিমক্লা বাথরবদা শিম্তোং ওইগদবা। নাওয়োম ওইগদবা পরম্বৎ তানকংনহুনা খংহুম উঙমলবদা তিল্লৎ কম্বান লাংনা লৈকমলে, লৈকম্বা মশক্তি লাইয়েক্লা ওইবদি (ঙ) লাইয়েক্লা ওইবনে, লাইমিংবৎ (হুম খংবৎম লেন চিং পিং থিকথবা) লৈহল্লে ।। অশুম লৈবদা তাওবীলোই লাইনা (আ, শ, প, থ, ম,) লাইয়েক মঙানা শিম্তোংহুনা নাওয়োম থানা (ওমথি) শাথোক্লে, মশক্তি (অতিয়াগী মশক্তি, লোইদাম থাজনি, তরং লাইজগী) মশক্তি ।। ঈহৌরোল মাপম লৈহল্লে, (১-রৎং চিরি। ২ বৎং চিংথাম, ৩-বৎং চিবাক, ৪-রৎং চিরিক, ৫ রৎং চিতক, ৬ বৎং চিবো। ৭ রৎং চিল্লা, ৮ রৎং চিথা ৯ রৎং চিথৎম) য়ারা ইহৌনা লৈথমলে ।। মতুংদা অমুক শাম্ম বি বৎ (ঙ, ক, র, ট, ণ) লাইয়েক মঙানা নাওয়োম ওইহুনা শেমলে মশক্তি কুমিংনি মঙান মৈনে। লাইমিং শিম্থোং রাহৌ ইখোন য়ারাবু (১-বৎং মৈমুংশং, ২ বৎং মৈতরংঙাং, ৩ রৎং মৈঙান তুহিং। ৪ রৎং ঙান তুঙান, ৫ বৎং শংতরেং, ৬ বৎংমৈ কেম্রবী, ৭ বৎং মিহিং-খন, ৮ রৎং মিংতরং, ৯ বৎং শংম্বাক) লৈহুম্না লৈথমলে ।। মতুংদা অমুক অনিমক্লা তাম্রহুনা অশংবা মচৎ অমা শেমলে মশক্তি থরাইপিচা (শজিক্তি) লাইমিংনা শংতরেং হায়রে। অপকমা শংথৈএ ।। অমুক অকুম্না শেমলে। মশক্তি (থাবানে) অপকমাবৎ কুপথৈদো লাইমিংবৎ (খং থা কুপ) কৌএ ।। অপকমা লেংথৈ মমিংবৎ (তরংহুই) কৌএ ।। অঙাইবা শেমলে, মহাক্তি উরীরেম্মি ।। অপকমা ঙাইথৈ

মমিংবু তুকুপলেং) কৌএ ।। অরোংবা শায়ে, মহাক্তি (লাংয়েন শিদবনি) ।। অপকমা লোংথে, লাইমিংবু (খিং খিং চুম্মরোং) কৌএ ।। অতোংবা শেয়ে, মশক্তি থরাই পিচা (লিংথৌ শিদবা) কৌরে ।। অপকমা তোংজে, মমিংনা (তোংকুপলেং) হায়এ ।। অহুইবা শেয়ে. (তোংজেংলেন, মমিংনা যংখ্ পহিং নোংদম্বা) কৌএ ।। মতুংদা—হিপোকপী, য়াই-পোকপী, হিকুবী, হিরৈমা, য়াইরৈমা, য়াইকুবী য়াইম্না মশক তরেৎ অসিগা শাগত্না লুচিংবা থরাই পীচা ২৭ (কুনতরেৎ) ওনবা শাগৎলক্লে ।। ×

(থরাই পীচা ২৭ কী মশক নাওযোম লাইয়েক) ১। লাই পাখং (৩) চু, চে; চো, লো লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা খোংজোমনুবী শেমলে, তানয়ৈ ইহুন্দে ।। ×

২। মরাইলুকপা ৭ শারে, লি, লু, লে. ল লাইয়েক য়ারানা নাওয়োমতুনা (অপকমা) শেয়ে, তানয়ৈদে ।। ×

৩। আ, ই, উ, য়ে লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (শজুংতেলহৈবা) শেয়ে, তানয়ৈদে ।। ×

৪। ও, ব, বি, বু লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (লিক্লা পিচা শেয়ে ।। ×

৫। পে, বো, কা, কি লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (চিংচরোইবী) শেয়ে ।। ×

৬। কু, ঘ, ঙ, য লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (চুংশেলমুবী) শেমলে তানয়ৈদে ।। ×

৭। কে, কো, হা, হি লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নিংথৌনাগা) শেয়ে, নিংশাহুন্দে ।। ×

৮। হু, হে, বৃ, বা লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নিংথৌতুরেল) শেয়ে ।। ×

৯। তি, তু, তে, তো লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নোংথৌশামু) শেয়ে, হাকাম চন্দে ।। ×

১০। মা, মি, মু, মে লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (শামুপীচা) শেয়ে, তিংলিদে ।। ×

১১। মো, তা, তি, তু লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (উফোংতু) শেয়ে, হাকথি থন্দে ।। ×

১২। তো, পো, বি লাইয়েক্লা নাওযোম ওইতুনা (মোং কাং শক্লা) শেয়ে, তানয়ৈদো ।। ×

১৩। পু, ষ, ন, থ লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (লুরাং শক্লা) শেয়ে ।। ×

১৪। পে, রো, রা, রি, না লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নাক্লা শক্লা) শেয়ে, তিংলিদে ।। ×

১৫। রা, রে, রু, তা লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (ওকপুয়োই) শেয়ে, য়াংলিদে ।। ×

১৬। তি, তু, তে, তো লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (তাওছইরেং) শেয়ে, মীহিংতানয়ৈদে ।। ×

১৭। নি, না, নু, নে লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (তোংচেংলুবী) শেয়ে, হাকথি থন্দে ।। ×

১৮। নো, জ, দী, জু লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (থয়াই) শেয়ে, নাওরেংদে ।। ×

১৯। জে, জো, ভা, ভী লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (থাদোন) শেমলে ।। ×

২০। ভে, ঝা, ভা লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নিংথৌমাছু) শেমলে হকাম চন্দে ।। ×

২১। ভে, ভো, ঝা, জি লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (হারৈময়ে) শেমলে, নিংশা ইহুনতমদে ।। ×

২২। খি, খু, খে, খো, মি লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (কায়ৌম্ব) শেমে, অক্নো-অঙ্গাপান্দে ।।x

২৩। কা, গি, কু, গে লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (থাবা লিতেং) শেমে ।।x

২৪। পো, ষ, শঙ, গু লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (শীক্লীলিরেং) শেমে, নিংশা হোন্দে ।।x

২৫। শে, ষো, ধা, দী, লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (য়াম্বা খুরো) শেমলে, লেংদে ।।x

২৬। তু, থ, শ, ন লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (শকোং শরৈ = য়াকপা) শেমলে তানয়েদে ।।x

২৭। তে, দো, চা, চি লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (থয়োই) শেমলে, তানয়েদে ।।x

লুচিংবা থবাই পিচা ২৭ পু শেমহুনা লৈথমলবদগু শেমগৎ শাগৎপা মশক মওং পুম্বনু করি করা অমতা তৌদনা হায়বদি ভিংলি য়াংলিদনা লৈথম্না মকমদা তা-তাহুনা লৈদো ।। থৌরম্ব উবদা করিবু য়াহনা তৌবনো হায়না থমতুনা অনিমক্লা মুংবং কম্বাল্লাংনা লৈঙমলে ।।x

---

থজদবাঃ— মথং মনাও নাইমা ইবনা পাবদা নুংঙাইগম থজদুনা ইজবনি, হায়া পুথোকখিবদি

১ বদা	মরাইরুকলা	৭	মতুদি	২, ৬, ৯ ১১, ২০, ২৪, ২৫ ।।
২ বদা	মাইথোংফবা	৩	মতুদি	২১, ২২, ২৬ ।।
৩ বদা	কঙাওবা	২	মতুদি	১৬ ১৮ ।।
৪ বদা	অঙাল চাওবা	৩	মতুদি	৭, ১০, ১২ ।।
৫ বদা	লাইলাথং	৩	মতুদি	১ ৩, ১৩ ।।
৬ বদা	মরাই লোংবা	৪	মতুদি	৪, ৮, ১৯, ২৩ ।।
৭ বদা	মতুক লৈবা	৫	মতুদি	৫, ১৪, ১৫, ১৭, ২৭ ।।

অসুম্না পুম্নাদা কৈরম্মি ।।x

(নোংলোন্দা লৈকা পাওহংনা থবাই হায়া)

মুংবা মহারাজগী মুংবংনবা য়াথনবু উবদা মুংমু তুমদা মাংদবীনা হায়, লাইমিংথোই রাথল করিবু মতনো, লাইমিংথোইবু নোংদমনা শাথোক শাকোংবদা লাইমিংবু (খোরা রেল অমম্বা) মিংহুনখিববু করিমুক্তীবু লৈহুনবনো, নোংদম্বনা থোক্লপদবা থৌরম্ব উহুনা মিংহুলম্বা ওইরমায়ে, নোংদম থৌদাদি থোয়াহ্নোরে থোক্লপনবদি থৌহং হৌদনা হৈত্তম শাওমদবদগী থৌওমদবা ওইগ ওমলবনি, লৈবাখিবিকপু থোওমলগনি য়াথম্বনা নোংদম্বা মক (উংলো য়াইবীরেন শিদবনা) পাওহংদে থোয়াবদা হায়তুনা পুকহং-পাওহংনা থৌপুহনগে, থৌরম্ব থৌপুনবদা পাওহংবা, পাওদাক পাওময়কম্ব ওইবিগে, অক্নোন অয়াম থৌপুনখিবম্ব থৌয়ানবিগে হায়তুনা নোদম্বনা

থোরোই থোরম্ন্ লৈক্পা লৈখিংনবনি ।। অমম্বা রাথনবু থাদোক্লো, নোংদম্বনা লৈবা লৈফমদা থোক্পা ইহন তম্বিরো পরম পুম্বা থোহংনা নতিক-নওম্ন্ থৌনিনবা তৌবিও, লৈংমলিবা মশক মখেবু লৈঙাক লৈয়েং থোরম্ন্ ঐগী ইঙম ওইরগে ।। ইথৈরেন =হুংমুতুমদ-মাংদবী পরম অতুনা ওইবরা। অতুদি নংনা শংলম্মু মশকশিংসে ঐবু নোংদম লৈফমদা চৎলগে হায়তুনা নোংদম য়াইবীকোন্দা য়ৌনবা কারক্লে ।। খুদক অতুদা নোংদম্বা মরুনা মবানিবু করিতৌরবনো থৌঙম থোপুনখিদরে লাংলম্বগু তুমথরে কদৌরবনো য়েংলকপদা অমদি উদে কদাই য়ৌঙমগ্রবনো মাই-গৈশিন্না য়েংববু উঙমদে, করি করম তৌখিবনো তাংজা লুক্লা য়েংবদা নোংদম্বা মরুগী মখোং-খাদা কুন্দুনা লৈরমলে ।। নোংদম্বনা ইপা অরিবা নংদি কদৌরিবা ? রাহুংবগী চৌনবান কারপতৌনা পাওশাবা অতুদা (পুরুং লাংঙরিক) ওইনা নোংদম্বগী নিংশা চিংশিনবদা তোংতুনা চংখ্রে ।। করিনো ইনাক্পা লৈরম্মগে মাংখ্রিবা অসিবু মনিং করিবু থংদবা লৈবনো কদাই য়ৌনা চৎখ্রবা থিবদা মরুগী খোইজিখাদা লাংঙরিকম্না পিকশিন্দুনা লৈবা উরে ।। উম, অসিদি রাথল অমনিন', মানা হায়বা অসিবু ঐনা য়াদ্রে কৌখোকপা য়ারোইদৌরে কমদৌ-শিবনো, মহাক্লা থোকলক্লবদি কৈদোম মরি লৈখায়না লৈথক, লৈথা, লৈয়াই লৈথম্না ইঙাল লৈশা লৈথমগে রাথনবা অসিবু থৌশিন থৌদা মোংদম্মবা মশকপু লৈতরে ।। মানা ঐগী ইঙম পুম্বা লৌতুনা পুথ্রগে, ইপুক রাথন পুম্বগু লোইনা হোইদোক্লনা মানা ঐবু পুথ্রগে। মানা থোপুরকপবু য়েংঙমতুনা অকবা ফত্তবা পুম্বা থোয়েং থোয়াবা ওইনা লৈঙম হোরো হায়না মানা ইপুক মমুংদা চংইবা মরম অশিনদি মানা হায়বা মতিক মঙম পুম্বশি পিরগে, ঐনা থোয়াবা তারে ।। থৌঙম্নবা মানা পাম্বা মঙম পুম্বা ঐভোন্দগী হোয়দোক্লনা লৌজরশগ্ন রাখন্দুনা মরুনা মপুক মমুংদা লৈচং ফম্বাম লাংথ্রবা হুংবা মহারাববু পাওপানতুনা কৌরক্লে ।। খোরায়েন অমম্বা হুংবা মহারাবনা হায়য়ে আহা ইহে, হোইরৌ, হোইরৌনগে, ষেয়ে, হোইরৌ ঃX মরুনা হায়-আহা ইহে, হোয়া হোয়া হোয়া, হোয়ানগে-গে ।। নোংদম য়াইবী কোন্দগী নোংদম্বগী মতিক মঙম্ন্ লৈহাওনা নোংলোন পথেং (ভরুক গুবদা) হল্লক্লনা ইংখৈরেন লাইওইবী হুংমু তুমদা-মাংদবীগী মকমদা পরম পুম্বা পাওশানতুনা শেমগৎ শাগৎলিবা মশক পুম্ববু ভানয়েনবা হাকথি হকাম চম্নবা, তিংলি য়াংলিনবা থোপুনবা থোহোনরে ।। হুংবা মহারাবনা লাইরমলেনগী শাথোক লৈথমখিবা লাইয়েক ৪৫ দগী লাইয়েক ৭পু লৈশংলে— (আ, ক, হ, গু, ম, স, ঈ) লাইয়েক্লা থাবোন থানা য়ৈখাইতুনা লাইবু থো ৯ গী লাইয়েক য়াবা ৯ শাকোংলে ।। মতুদি— অ, ক, হ, ন, ষ, উ, চ, ট, ও লাইবুংথো ৯ বু লৈফম ৬ তা লৈথমতুনা মরুয়োন ৭ কি লাইমিং য়াবা শাফোংলে ।।

মতুদি— ১। অঙ্কহং =হৈয়েৎ= শগোলশেল

২। নং = হুংশিং = ইরাই

৩। সং = অশিং — য়ুমশকৈশা

৪। ঊং—ঙা = মরোং—মশিং = নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা

৬। কোং = মকাপ = লৈবাকপে'বপা

৭। হুং = মশেং = থাংজা

লৈফম তরুক অসিদা মরুলোন ৭কী লাইমিংবু লৈথক্লে, লৈফম্ (শেমগৎপা লৈফম তরুক) হায়না লৈশারে ॥ মরুলোন ৭কী লাইমিং লাইয়েকপু (যং—অশিং ; অঙ্গুং—হৈয়েং ; নং হুংশিং ; হুং—মশেং ; ঊং—মরোং ; ঙা—মশিং ; কোং—মকাপ ।। য়ারা ইথোল ৭ হায়না থমছুনা (শেমগৎপা) লৈফম তরুকপু লৈওম্বা মশক পুম্বমদা মাগী মাগী পরম য়েংনা লৈহা-প্নদা মশক মচুদি কাওরে, মিহিংদি তানয়ৈদে ॥

ইংথেরেন লাইওইবীনা লাইরেম্বী শাগৎপী ৩৬ শাথোকপা

শোরারেন অমম্বা= মুংবা মহারাবনা হায়,-ইবেম্ম তুমদা মাংদবী করি তৌওমলিবনো ওই-ওম্নবা নঙ্গী নওম শাথোক লৈহাপনবিরো ॥ ইবেম্মা তুমদ মাংদবীনা লাইরকচন্দা থম্বা লাইয়েক ৪৫ বু য়েংলগা লাইয়েক (৩৬) পু শঙ্না লাইমিংবু (শাগৎপী লাইরেম্বী) মিংহুম্না লাইরেম্বী ৩৬ শাথোক শাফোংলে ॥ লাইরেম্বী ৩৬ পু য়েন্দুপ শাথাইনা (শেমগৎপম) মরুগী লৈফম তরুক্তা তিন্থানা লৈহাপ্নদা মহৌ মহৌরেদো ॥

১। যং— শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১- নোংথোংম্বী, ২- নোংথাং লৈমা ; ৩- চিংম্বু লৈমা ; ৪- চুমথাং লৈমা

৫- ঙাশোই লৈমা ; ইংকোই লৈমা তরুক থংলে ॥

২। ঊং—ঙা শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১- লাইরিম্বী ; ২- হাইম্বু লৈমা ; ৩- চেম্বু লৈমা ; ৪- থাদোই লৈমা ;

৫- এরাং লৈমা ; ৬- চিংচেংইবী ; তরুক থংলে ॥

৩। হুং-শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১- য়োংচম্বী লৈমা ; ২- কশাথৌরী ; ৩- থৌম্বু লৈমা ; ৪- তোংথাংম্বী ;

৫- হিনজি লৈমা ; ৬- অকোক লৈমা ; তরুক থংলে ॥

৪। কোং-শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১- লাইরোই লৈমা ; ২- থরোই লোংবী ; ৩- থবা লৈমা ; ৪- তেংপান লৈমা ;

৫- আকোং লৈমা ; ৬- লৈরোং লৈমা, তরুক থংলে ॥

৫। নং- শেমগৎপগী মকনদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১। তিঙ্গোই লৈমা : ২। কোংতিং লৈমা ; ৩। খোংঙাই লৈমা ; ৪। অঙাই লৈমা ; ৫। চেংঙা লৈমা ; ৬। থাইরেমা ; তরুক থংলে ॥X

৬। অহুং- শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১। চিংখৈ লৈমা ; ২। য়াতরৈমা ৩। চাকশো লৈমা , ৪। হিংপোক লৈমা, ৫। ইমোই লৈমা , ৬। য়াইপোক লৈমা , তরুক থংলে ।।X

শাগৎপী ৩৬না শেমগৎপা ৬তা য়েন্নহুনা লৈখয়বদা লৈাম্বা মশক পুম্বু মংগৌ মক্তৌ নরক্তুনা মিহিং তানখৈনহুনা হাকথি হকাম চন্দুনা তিংশিরে য়াংলিরে, নোংখোং নিক্লে নোংলাওবে মৈবী শঙাইশেন পাইরে, তাওহইবেংনা লেংলে, শজিক্লা নোংদয়ে থাবনা নো থাইরে (ওক পুরোইনা) ওকওয়ে ।। লৈরিবা মশক পুন্নমক্তী মশাদা (নিং নিং নিং, রি রি রি) হায়না মরুগী খোইজি থাদগী চিংখত্তুনা মখোই খিবিক্তা মরুমা পীগুম ২ গী মরক্তা (কুং হাং) হাম্লিরে, লুবাইদা ম', নাগোন য়েংলোমদা (র), ওইদা (হ), নথাংদা (কুং) লাইপক ময়াইগী শমখোংদা (গং) যেংকি পীগুম মথক্তা (ক), ওইগী পীগুম মথক্তা (ব) লাইয়েকপু থাগোন্নবা হেক লোইবদা মাগী মাগী মখৌ মগুম্বু গুনিংলাতিং অমা থোকপগুম ওয়াল্লে, থাজা লাতিং থোকপগুম ইংনা মঙাল ফোংনরক্তুনা লৈনবা হৌরে ।। হয়ম হোয়াহে ।।X। X

নোংলেন্দা লৈবা নুমিৎ থা থরাইপিচা শিঙ্গী মঙম শানবা ॥

শলাইলেন অমম্বা= লুংবা মহারাবনা লৈঙম্নীবা থোকওম্নিবা মকমদা হায়, অশুম্না মাগী মাগী মঙম পরম নাইদনা লৈঙম্বশিংদি লুতুঙ্গী পরম থোরম্ব অকাইবা ওইহ্নগনি, নঙ্গী নঙ্গী থৌপু পরম্ব য়েন্নহুনা নুমিৎ থা হায়বা পরম অমা শারশি নোংদয়ে ।। মশক মরিমক্তা য়েলুপ্তুনা শ'থোক লৈপুনওম্ম লোইদাম থাজ নংনা পুবা মতম্ব অহিঙ্গী কোলুপ হায়না কৌনশি, পুবা ভম্খায় চনবদা অহিংয়ুংথক খানবা হায়শিদো ।। ২-থরাইপিচা থাবমা শাখোক লৈহল্লকপা মতম অসিনা (নোংগাম্নমদাই) কোলুপ হায়না খনশি ।। ৩-শজিক থরাইপিচনা শাখোক্লকপবু (নোংঙান তু-উবা) মতম হায়না খংনহুনা অহিংচুপনা য়াহীপ য়াতানহুনা পোখনববু য়াকাই য়াহৌনওম শিদো ।। ৪-কোরৌহনবনা শাথোক ইহল্লকপদা (নোংঙান চিংখৈহনবা) হায়হুনা, মতুংদা (অয়ুক্তী কোলুপ) হায়রগা মতুং ভম্খায় চনশদা য়ুংথক খানবা =লুমিৎ য়ুংবা) হায়না হায়নাশ ।। মশক মচু শেংনা উবা ওমদবা মশকপু মাগী মতিক মঙাম্না উহল খংহল্লি, লুনা চেংনা থম্বা কনাবু খংহল্লরোই উহল্লরোই হায়না লোক্তুমা থম্বু মানা মঙ্গ উদবা লৈংবা মঙম্ব লোইনহুনা শাথোক শাফোংলি (লুমিৎ) কৌগে ।। অরু অহেনবা মতিক মঙম্ব শাফোংহুনা শাথোক্লিবা, মাগী মঙাম্তুনা মালেম্ব শিম্না ভালহল্লিবা লুমিৎপু (মালেম অঙানবা কোরৌহনবা) হায়মা মিংলেন

নোংক্কোয়রৌ অমদা চংবা মতম শাগে

অসিমত্ত লৈহাপশি ।। মুমিৎ মুংবা মতুংবু (মুংখিল কোলুপ) হায়গে ।। কোরৌহনবনা লৈপু লৈথাববু (মুমিৎতাবা) হায়শিদো ।। অহিং অমগা মুংখিল অমগা অনিনা (নোংকোয়রৌ অমা) কৌরগে ।। লৈকম মাপন অসিবু (মুমিৎ, থা; থাবা; শজিক মরিমক্কা পুবা থক্‌ংববু খংনৈ) ।। মিহিং ইক্কন ৮০ শুবদা মিকু—১ শাই ।। মিকু ২৪ না নাহুম ১ শাই ।। নাহুম ২ মথাইনা কোলুপ অমা লৈশাশি ।। নাহুম ৬০ না নোংকোয়রৌ ১ = কোলুপ ২৪ নত্ত কোরৌ অমা লৈশানহুনা মুমিৎ; থা; থরাইপিচানা থৌপুনরো ।। লৈরিবা থরাইপিচা নখোইনা লোই-দাম থাজগা পুমিন্নহুনা থোকভম লৈগুগদবা পুম্বগী থরাই য়াইবি ওইনা শাথোকউ ।। লুচিংবা ২৭ (কুমন্তরেৎতি) কোরৌ খুদিংবু লৈশিন্নহুনা মুমিৎ থানা লৈপুবদা য়াওনা লৈগুয়ো নোংথাই নোংদয়ে ।×

নোংক্কোয়রৌ ৯ দা খোংলম ৪, লাইবুংথৌ ৯গী মরুলোন ৭না থৌগল লৈচংবা মতম হায়গে ।।

শজিক্কা পুবা মতমবু (অশিং) মরুগী লোখন কোলুপ লৈহাপ্লে ।। কোরৌহনবনা লৈ-শিনবা মতমবু (চৈয়েং) মরুগী কোলুপ কৌরে ।। কোরৌ হনবনা পুবা তথাই চনবগা লোইদাম থাজনা পুবা অহিংগী ভণ্ডথাই চনবা য়ুংথক খানবগা অনিবু তিন্নক্‌ থানা (হংশিং) মরুগী থোখন কোলুপ মিংহুয়ে ।। মুংখিলগী কোলুপক্‌ (মশেং) মরুগী থোখন লৈচংবা হায়গে ।। মুমিদাং রাইরমগী কোলুপে নোংভাল্লবদাইগী কোলুপে অনিশিবু তিন্নক্‌ থানা (মরোং) মরুনা থোখনবা কোলুপ কৌরে ।। লোইদাম থাজনা লৈপু লৈশিনবা মতমবু (মশিং) মরুগী থোখন লৈচংবা কোলুপ কৌরে ।। অহিংগী মতমবু (মকাপ) কৌবা মরুনা থোখন লৈচংবা কোলুপ মিংহুন্না লৈথয়ে ।। লৈকম ৯ লাইবুংথৌ ৯ কৌবা লৈকম অসিদা মরুলোন ৭ না লৈকয়া থক্‌ংবগা থরাইপিচা নোংথৌ শিদবা কৌবা শজিক্কা লৈপুনা লৈথাবগা, কোরৌ-হনবনা লৈপু লৈশিনবা হেক হৌবা, অশিং মরুনা মরুগী মথৌ মওক্‌ শিম্বাবা অমুক হৌজন্না মরুলোন ৭ কী খোংলম্ক্‌ কইদনা, থৌওক্‌ কাইদনা থৌপুরকপবু লৈহৌবা মরুনা অমুক লৈহৌ লৈশিনবা হেক হৌবদা নোংকোয়রৌ অমা শিজ্ঞাশি ।। নোং কোয়রৌ খুদিংবু (ওসি) হায়না মিং-হন্না ওসি খুদিংবু মরুলোন ৭ কি লাইমিংবু লৈহাপ শিংথেক শিজ্ঞানশি নোংদয়ে ।।

মুজাং মিংথোই = মুমিৎ ; মুজাং লৈমা = থা ; অনিনা তিন্নক্‌ লৈপান খুদিংদা মরুলোল ৭ পোক্তক্‌না মরুগী লাইমিং খুদিংবু মথংশিংনা কোরৌ খুদিংদা লৈহাপহুনা থাজ কুমজা শিংহাপ লৈথাইনা, শিংহাপ শিংথা খুদিংদা লোইদাম থাজবু শিংথেক শিজ্ঞা লৈথম লৈপুনবা থৌকৌরে ।।

ওসি থাজ নোংমা পানবা অশিং কৌবা মুমিৎনি ।

,, ,, শিনি ,, হয়েং ,, ,,

,, ,, হুমি ,, হংশিং ,, ,,

ঙসি থাজ মরিনি পানবা মশেং কৌবা মুমিৎনি ॥
,, ,, মঙানি ,, মরোং ,, ,,
,, ,, তরুক্নি ,, মশিং ,, ,,
,, ,, তরেৎনি ,, মকাপ ,, ,,
মিংথৈ ৭ পু শুবদা তরেৎনি চৈও চৈথবা হায়না চৈ অমা চৈগা চৈথয়ে ।
,, ,, নিপাম্নি ,, অশিং ,, ,,
,, ,, মাপন্নি ,, হয়েং ,, ,,
,, ,, তবানি ,, হংশিং ,, ,,
,, ,, তবামথোই ,, মশেং ,, ,,
,, ,, তবানিথোই ,, মরোং ,, ,,
,, ,, তবাহুমদোই ,, মশিং ,, ,,
,, ,, তবামরি ,, মকাপ ,, ,,
,, ,, তবামঙানি (থানিল) অশিং ,, ,,
,, ,, তরাংকক্নি ,, হয়েং ,, ,,
,, ,, তরাতরেৎনি ,, হংশিং ,, ,,
,, ,, তরানিপাম্নি ,, মশেং ,, ,,
,, ,, তরামাপন্নি ,, মরোং ,, ,,
,, ,, কুম্নি ,, মশিং ,, ,,
,, ,, কুনমাথোই ,, মকাপ ,, ,,
,, ,, কুম্নিথোই ,, অশিং ,, ,,
,, ,, কুলহুমদোই ,, হয়েং ,, ,,
,, ,, কুনমরি ,, হংশিং ,, ,,
,, ,, কুনমঙা ,, মশেং ,, ,,
,, ,, কুনতকক ,, মরোং ,, ,,
,, ,, কুনতরেৎনি ,, মশিং ,, ,,
,, ,, কুননিপান ,, মকাপ ,, ,,
,, ,, কুনমাপন ,, অশিং ,, ,,

ঙসি থাজ লৈতুবা চৈশিং কুহ্মাগুবা থামাং=থাশি হয়েং মুমিৎনি ॥ হায়না থাগী মঙান মুমিৎ উবা কংদবা কারো মুমিৎ অতুদা লোইদাম থাজ অহুনা শাকোংবা হায়না মুমিৎ শারে ;

অসুম্না শাবা অহানববু শজিঙ্ৢ; য়ুমহৌ, য়ুমশাবা মিংতল্লে ॥

অনিশুববু কালেন, খোইরাংবা থা মিংছল্লে ॥

অহুমশুববু ইঙা, খোইরাং থা মিংছল্লে ॥

মরিশুববু ইংঙেন, য়ুমহৌ য়ুমশাবা মিংতল্লে ॥

মঙাশুববু থরান, মৈচাক মৈহৌ থা মিংছল্লে ॥

তরুকশুববু লাংবন, মৈচাক মৈহৌবা থা মিংছল্লে ॥

তরেৎশুববু মেরা, য়ুমহৌ য়ুমশাবা থা মিংছল্লে ॥

নিপানশুববু হিয়াঙ্গৈ, য়ুমশা য়ুমহৌথা মিংচল্লে ॥

মাপনশুববু পোইন্থু, মুংশিং নোংহুম ফংবা থা মিংছল্লে ॥

তরাশুববু বাকচিং য়ুমশা য়ুমহৌবা থা মিংতল্লে ॥

তরামথোইশুববু ফাইরেন থরাই মিবু হামোইবা, রাইশেং লমশেং তুশেং থা মিংছল্লে ॥

তরানিথোইশুববু লমদা, লাইতানবা, মিরেন হমোইবা মিংতম্না থা অসিগী শিংথেক লোইবদা নোংকোরৌ ৩৬০ (চহুম হুম্ফৢ) লৈশুরে শিংশৎলে ॥ কুম অমা শিংথারো পাঙ-দাকৢনা কুমজা অমা লৈশারে, থাজ ১২ তরানিথোই শুবদা ॥

কুমজা শিংথেক তরুক শুবদা শুংদাই অমা মিংছল্লে ॥

শুংদাই ,, অনিশুবদা লাকয়েন অমা মিংছল্লে ॥

লাকয়েন ,, অনিশুবদা লাংদাই শিংহাপ অমা মিংছল্ল ॥

লাংদাই ,, অনিশুবদা লৈপুন কুমজা অমা মিংছন্না লৈথম্না হৌরে ।

শেমগৎপা ৬ পু থাজ চৎলম লুতিন থানা থৌগনবা

শলাইলেন অমম্বা=মুংবা মহারাবা=শোরারেন অমম্বনা নোংদম্মি শেমগৎপা ৬ শাগৎপী ৩৬ মক নঙ্গী নঙ্গী য়েলুপক লোইননা থাজ ১২ গী চৎলবু তিসু নোংদম্না নখোই ৬ না থাজ খুদিংগী নঙ্গী নঙ্গী লোইনবী শাগৎপী অহুমগা য়েলুপমা নঙ্গী নঙ্গী চৎলম মঙম নোংদম্না তিলু থাবা থাজা অহুগী লুচিংবা থৌবুরেন গুইনা ভেংবানবগী মপু নোংদম্বা উংলৌ য়াইবিরেন শিদবগী থৌথন তানকংজো, কোরৌ খুদিঙ্গী থৌগন্দি নখোই ৬ না নং নঙ্গী কোলুপ হায়বা অচৎপা থরাই পানবা নোংলোন্দা লৈঙমলিবা মশক পুম্বু মথরাই হিংলি হায়বা পরমু খংনরিবা (মিহিং) হায়বা অসিগী তানদৈ খোংচৎ ৮০ হেক য়ৌবদা মিকু অমা শাই ।

মিকু ২৪ লৈশাবদা নহুম অমা শাই ॥

নাহুম অনি মখাই কোলুপ অমা শাহুনা, কোলুপ অসি ২৪ না অহিং অমা মুংথিল অমগদা লৈথুংহন্দুনা নোং কোরৌ অমা কৌরি, মমুং অসিদা নাহুমগী খোংচৎনা ৬০ লৈশুনা থুংঙে ॥

নোং কোরৌ অমদা :—

১। শেমগৎপা (মকাপ) কোং লাইথেক নংনা শাগৎপী ৬কা লোইনহনা সুমিং খুদিঙ্গী অহিং য়ুংথক মতুং কোলপ অমা তাবা মতুংদগী নোংচান কোলপ ৫ তাবা ফাওবা থোগঙ্গৌ ॥ নতিক নংন্না থমোই হবচাংবু অয়িংবা নুংঙাইবা ওইহন্দুনা অরাম থৌরাংববু কোকহন্দুনা অনৌ য়েন্নিংবু মপুং মরৈ ফাহম্নবা থৌপুন্থনা থোগনগদবনি ॥ নঙ্গী নংন্নু (শজিভু- কালেন) থাক অনিদা তিন্ন থানা লৈপনিদো ॥ অতুগা থাক অমি অসিদা নংনা থোগন- বদি শজিভু থাদনা শাগৎপা ১—লাইবোং লৈমা ; ২—থরো য়োংবী ; ৩—থবা লৈমা অহুমগা লোইনহুনা থোগন্ন্॥

কালেন থাদনা—শাগৎপী ১—তেংনান লৈমা ; ২—অকোং লৈমা ; ৩—লৈবোং লৈমা অহুমগা লোইনহুনা থা অসিবু চুপনা নোংদম্বগী থৌখনবু তানফংজবো নোংদম্রে ॥

২। শেমগৎপা (অশিৎ) যং লাইসেক নঙ্গী নওমদি লৈতম্বা পুম্ব অনৌ য়েন্নিং তম্নরবা হাই-হৈ লাওনা পুন্স শুংশাংনা লৈতন্নবা নোদম্বা ওইতম্লো ॥ নঙ্গী নোংদম চংলম্বু (ফাইরেন-লমদা) থাক ২দা তিন্নু লৈথাবা ওইহনা নঙ্গী য়েন্নুপমা শাগৎপীশিঙ্গা লোইন্দুনা নোঙান কোলুপ ৫ লৈখুংগ্রবদগী কোলুপ ৯ সুমিং খুদিঙ্গী তেংবানবা মপুগী থোগন ফংজো ॥ অতুগা ফাইরেন থাদা—থোগনবদি নংনা লুচিংবা থৌবুরেন ওইনা শাগৎপী ১—নোংখোংঙ্গুবী ২—নোংথাং লৈমা ৩ চিংন্নু লৈমা অহুমগা লোইনহুনা চঙ্গদবনি ॥

লমদা থাদনা ১ চুমথাং লৈমা ; ২—ঙাশোহৈ লৈমা ; ৩—ইংকোই লৈমা অহুমগা লোইনহুনা মপুগী থোগন ফংজবা ওইজবো ॥

৩। শেমগৎপা (মরোৎ মশিৎ) ঊং ঙা লাইয়েক মরুলোন য়ান্না মিংলেন অনিনা লুক্তিনবগী মঙমদি (থন্নান, লাংবন) থক ২দা তিন্নু লৈথানা লৈঙম্বা মশক পুম্বগী খোইরাং খোইশাওনবা, মপুক রাখন লাংতক্লবা থৌশিনবা নত্তিক নঙম ওইহুনা নুংথিল কোলুপ ১০ তরা চংবদগী সুমিং য়ুংবা মতুং কোলুপ ১ তাবা ফাওবা সুমিং খুদিঙ্গী থোগন লৈচঙ্গনি ॥ অতুগা থন্নান থাজদা থোগন চংবদি ঊং মরোৎ নংনা থৌপুরেন ওইনা শাগৎপী ১-লাইরিবী ; ২-হাইন্নু লৈমা ; ৩-চেম্মু লৈমা অহুমগা লোইনহুনা থোগনবু লৈচঙ্গমি ॥

লাংবন থাজদা শাগৎপী ১-থাদোন লৈমা ; ২-য়েংরাং লৈমা ; ৩-চিংচোইবী অহুন্না লৈচঙ্গনি ॥

৪। শেমগৎপা (মশেৎ) চুং লাইয়েক্তি (ইংঙা, ইংঙেল) থাক অনিগা তিন্নু লৈকানা লৈঙম্বা মশক পুম্বগী অরাম থৌরাংবা লৈতবা, ওলাং খোইশাওনা লৈপাল্লম্ববু চনিং লৈতানা লৈথম্নবা চংলন্না নঙম ওইহুনা কোরৌ থুদিংদা সুমিং য়ুংথক থানবা মতুং কোলুপ ২ চংবদগী

মুমিদাং কোলুপ ৫ ফাওবা নোংদম থোৌগন লৈচংঙু ।। অতুগা ইংঙা থাজদা নোংদম্বগী থোৌগন ফংবদি হুং শেমগংপনা থোৌপুরেন ওইনা শাগৎপী ১-রোংচংবী লৈমা ; ২-কশা খোরী ; ৩-মৌতুবী অহুমগা লোইনহুনা থোৌগনু ।। অতুগা ইংঙেন থাজদনা শাগৎপী ১-তোংখাংমুবী ; ২-হিজি লৈমা, ৩-অকোং লৈমা অহুমগা লোইনহুনা থোৌগনু ।।

৫। শেমগংপা (হৈয়েং) অকহং লাইয়েক্লা মতিক মঙম্নু মেরা, হিয়াঙ্গৈ থাজ ২ দা তিন্নু থানা লৈঙম্বা মশক পুন্নমক্তা চনিং লৈতানা মপুক হয়াও তয়াম্না লৈপানজববু নোংদমনা অহিং কোলুপ ৬ চংবদগী হৌনা কোলুপ ৯ লৈথুংবা ফাওবা কোরৌ খুদিংবু নোংদম্মু ।। নোংদম্বগী থোৌগন্দি অকহং লাইয়েক্লা থোৌপুরেন ওইনা মেরা থাজদা শাগৎপী ১-তিপোক লৈমা ; ২- ইমোই লৈমা ; ৩- য়াইপোক লৈমা অহুমগা নোংদম্বগী থোৌগনবু তানফজো নোংদম্মে ।

৬। শেমগংপা (হংশিং) নং লাইয়েক্কী মঙম্নু (পোইম্নু, রাকচীং) থাজ ২ গা তিন্নু থানা মশক লৈঙম্বা পুম্বদা অরিবা মশা মউবু নৌহনবা। থগাই য়াইবিবু হিংজনবা তকবা মশকপু শংনবা নোংদম্বা কোরৌ খুদিঙ্গী অহিং কোলুপ ৯ দগী অহিং য়ুংথক থানবা মতুং কোলুপ ১ তাবা ফাওবা নোংদম্মু ।। অতুগা পোইম্নু থাদা থোৌগনবদি (নং) লাইয়েক্লা থোৌবুরেন ওইহুনা শাগৎপী ১- তিঙ্গোই লৈমা ; ২- কোংতিং লৈমা ; ৩- থোংঙাই লৈমা অহুমগা লোইনহুনা থোৌগন লৈচংঙু ।। রাকচীং থাজদনা শাগৎপী ১- অঙাই লৈমা ; ২- চেংঙা লৈমা ; ৩- থারৈমা অহুমগা লোইনহুনা নোংদম্বগী থোৌগন লৈচংবা ওইঙম্মু ।।

অশুম্না নোংলোনগী থোৌরম্বু শিনবা লোইহনা নোংলোন্দা (খোইয়ুম হৈয়মচক) চক শিংথেক্তবা চকপু চক তঙ্খাই অমা নোংলোন লৈশাহুনা শান্নহুনা লৈরে ।। অনিমক্তা লৈয়াইলেন্দা লৈকুমহুনা লৈথারোন্দা থমগদবা, মালেমদা লৈগদবা মশক খিবিকপু শাগক্নুনা লৈথমলুরগে রাখন্দুনা ইংথৈরেন লাইওইবী হুংমু তুমদ-মাংদবীনা (নোংলোন লৈচিন্দা) মাগী মঙম্নু লৈথমহুনা নোংলোন্দা পাইবা লৈচিন নংনা শাথোক লিরৌ খোইরৌনহুনা নোয়না শাকোংনহুনা ঐনা মালেমদা লৈবদা অরাবা মুংঙাইবা পাওশাবু পাওদাক্লকউ ঐদি মালেমদা লৈকুম্নগে শিন্নরে ।। শোরারেন অমম্বনা কোরৌহনবদা মালেম অঙানবা কোরৌ নোংথোনংনা পঙ্খৌনি, মালেম লৈমনা ইমানি, পঙ্খৌ পালেম ২না নাওকোনলকও লৈকুমলগে লৈশিন্নরেদো ।।x

মালেম লৈকুমবা থোৌপু পরম
(অশৈ শৈরাও শাকোই)

নোংলোনবু লৈথম্নমহুনা মালেমদা লৈকুমহুনা মালেমদা লৈথমগদবা লৈঙমগদবা মশক্তা লোইনহুনা লৈঙম্নবা থোৌহৌরগে মালেমদা চৎলনি পাওশানা নোংলোনগী থোৌরম্নু নোংলোন্দা লৈবা মশক পুম্বদা লৈশিন্নখ্রবা অতুদা মক অনিবু শাগৎপী ৩৬ না শাকোইরগা মক ২বু ময়াই

শুমদোংপান লৈকমদা লৈথম্মগা শেমগৎপা ৬ মরুলোন য়ারা লাইমিং ৭ বা শাকোই য়া মদা লৈহুনা শেমগৎপা মশিং (মং) শ্রাইয়েক্না লৈয়োমহুনা খোগনবু লুচিংনা ন্যোংঙান কোলুপ (৬) দগী কোলুপ (১০) লৈথুংবা ফাওবা অশৈ শৈহৌ শৈরাওনা খোগনবু লৈচংনহুনা মাগী মাগী কোলুপ খোগনবু থোয়েংহুনা অনোই শদম, শৈহৌ শৈরাওহুনা নোংলোন্দগী লৈয়াইলেন্দা লৈথুনবা থিরক্লে ॥ মৈতৈঙ্গ নোংদালাই মরু ২ বু নোংলোন্দগী মালেমদা লৈকুমদা লিয়োল শৈরাওনথিবদো শৈরাওগে তারো ॥ শেমগৎপা লুচিংবা (অশিং) না শৈরোয়ে শেমগৎপা মরেং-মশিং ; শেমগৎপা মশেং ; শেমগৎপা হৈয়েং ; শেমগৎপা হংশিং ; শেমগৎপা মকাপ ; শেমগৎপা তক্রা চিরা ৭ দা লাওয়ে ॥

হয়মলে হয়মা, ও-হয়মলা ;
হায়ুতে হোয়াতে, ও-হোয়াতে ;
অঙোয়ে অঙোয়ে, ও-অঙোয়ে ;
হোই, হোই, হা-হা-হা ; ও-হা, হা হা ॥

শাগৎপী ৩৬না শাকোই খুজেং পালোইনহুনা শৈরাও শৈখুমরক্লে । শাগৎপী ঃ—
১) নোংখোংহুবী, ২) নোংথাং লৈমা, ৩) চিংমু লৈমা অহুম্মা শৈহল্লে ॥

১) চুমথাং লৈমা, ২) ঙাশোই লৈমা, ৩) ইংকোই লৈমা, অহুম্মা লুচিংল্লে ॥ ১) রোংচংবী লৈমা, ২) কশাখোরী, ৩) মোইনু লৈমা, ৪) তোংথাংহুবী ; ৫) হিনজিন লৈমা ; ৬) অকোক লৈমা ; ৭) লাইরিবী ; ৮) হাইনু লৈমা ; ৯) চেমু লৈমা ; ১০) থাদোন লৈমা ; ১১) য়েরাং লৈমা ; ১২) চিংবা লৈমা ; ১৩) চিংচে ইবী ; ১৪) চিংথৈ লৈমা ; ১৫) রাঙ্ত লৈমা ; ১৬) চাকশ্রো লৈমা ; ১৭) হিপোক লৈমা , ১৮) ইমোই লৈমা, ১৯) য়াইপোক লৈমা, ২০) তিংগোই লৈমা, ২১) কোংতিং লৈমা, ২২) খোংতাই লৈমা, ২৩) অঙাই লৈমা, ২৪) চেংতা লৈমা, ২৫) থারৈমা, ২৬) লাইরোই লৈমা, ২৭) থরোংলোংবী, ২৮) থবা লৈমা, ২৯) তেংবান লৈমা, ৩০) অকোং লৈমা, ৩১) লৈরোং লৈমা, অসিনচিংদনা শৈখুম্মে ॥

হাউং হাউং, উয়িতে মিক্রিহি মিহিংখং চিংতেতে, চিংতেতে নপুহ ॥ অক্না শিরিং কিরিং নোংতরেং নোংতা কাংবীবু, লিপুন ওয়া ॥ কিরিং শিরি খম্নরিকা নোংতাকাংবিরু মুংপিরেন পুরি উংলো ওয়া ॥ উয়িতে মুংতরেংবী শংথুপহ উয়িতেবা উয়িতে, তেমু চিংতেতে নাতেমু ॥ মুঙাইতে মুংলৈতে, মুংলৈ শলৈতে ॥ শোলো নোলো, নোলো শোলো রি পাথা মুংগুবে ॥ লাইরেম্বীগী তিলিখোং লাইমিং থোইগী তিলিকাং ॥ পিতরং পিতরেং করসং করসং সনশ লাইশং শম পিং পিং ॥ শৈশক শৈরাওনা থোগন লৈচংনহুনা নোংলোন্দগী

থিল্লক্নবা মালেমদা খোংদারে ।

২ নং মালেম লৈয়াইলেন্দ লৈওবা পরম থোহৌবা

মালেমদা লৈথুংলবদা অনিমক্কী কোইনা চত্নবা য়েংঙি, লৈফম অসিবু তেংবানবগী মবুংঙো (উংলো য়াইবিরেনসিদবনা) থম্মৈ মশক্কী ইঙাল লৈশানবা শাথোক শাকোংবা লৈফম্ ওইবরা ওইদবরা রাখন্দুনা কোইনা য়েংবা লোইরগা নোংলোন্দগী লোইমরকপা শেমগংপা ৬ শাগংশী ৩৬ তা হায়, লৈফম অসিদি (হৌ লম্মহনব পুংমাইয়োন) হায়বা নোংদম্বনা শাথোক শাকোংবা লৈফম অতু অসিনি থংঙৈ, লৈফম অসিদা ঐবু শাথোক্নবা লৈরগা লৈবাক অসিবু ঐনা লৈবদা থুংঙাইনবা, লৈঙম্ববনগু খোইজং খোইদনবা লৈশেমখিগে, ঐনা লৈশেম্বা লোইরগা নোংদম্বগী থৌদবু লৈতনবা ওইনা, তেংবানবা মপুবু ইরাৎ গৌগন লৈচঙনি, মতম অতুদা নখোয় পুন্বগু হল্লো নোংদম্মে ।। লাকমিন্নবা শেমগংপা ৬ শাগংশী ৩৬ না হায়রিবা নোংদম থৌদাবু থৌওম থৌপু লৈশিনবা খোইযুম নংবু লাইমিংবু কোবৌ নোংথৌদগী লৈকুম্নক্নবা লৈঙম্বনি থকাওদনবা (অতিয়া য়াইবিরেই শিদবা) থাকোগে, লাইমিং মেরুবনা (ওম্নাখম্লেথং থুপ্প মকবা) লৈম্নাংনা লৈহুন্নজগে ।। নশানৌ ইংখৈ লৈমদি মালেমদা খুন্থোক লৈশেমঙৈদগী নোংলোন্দগী লৈকুমমিন্নরক্নবা লৈমিন্নবী থৌরম খুদিংদা লৈথানবা লৈত্রবনি থৌকাওদনবা লাইমিংবু (লৈশিরেন য়াইবি লৈপুনবী) থাকোগে, লাইমিং মেরুববু (ওসনা মুহেন্থ নোংসনা মনিক খোম্বী, চিরিওম কাতু কাঙরি অরিয়া থুরুংনপা) শাংলান থৌরম পুন্বগী মথেম্মা থৌপু থৌওম্বী হায়না লৈরাং লৈহুন লাংজগে ।। লৈফম্ নোংলোন্দগী লৈকুম খুন্থোকপদা কোইনা চত্নবা লৈয়েংখিববু কাওদনবা মালেম্বু (অকোইপুং) হায়সে ।। মালেমদা লৈবদা লৈঙম্বা লৈফম অহানবনি থৌকাওনবনা (হৌলম্মাহনবা) কৌগে ।। মালেম পুন্বগী ময়াই খোইদৌ লৈফম্নি লৈথংনবা (কংলৈসনা পুংমা-ইয়োন) কৌগে ।। লৈফম অসিদগী লৈবাক খুদিংমকপু মুংঙাইবা, য়াইফংবা, অরাবা, অনংবা পরমু থৌয়েম্নবা নোংদম্নবা খোংলম ৪ লৈববু (অচাওপুং, চাওদপুং, পুন্সিপুং পোরুপুং) কৌগে, লাইমিংবু (সং সংদা হিলিকহো) কৌনা লৈফাগে ।। হৌ কংলৈ লম্মহনবা সনা পুংমাইয়োনগী লাইমিংবু (মিহিং সং সংদা অপান্বা) কৌজগে ।। লৈফম অসিদা নোংদম্বগী থৌগনবু লৈচংজবা ওইজনা ঐখোইবু লৈজবা নোংদম্বীবা নিজগে ।। নোংদম্বনা পাওশাবু পেনবিতুনা শেমগংপা ৬ শাগংশী ৩৬ লৈমিন্নরশি নোংদম্মা মালেমদা লৈবা হৌরে ।।

অতিয়া মরুশিদবা, লৈশিরেন লৈপুনবীগনা খোইযুম শাথোবপা

অতিয়া মরুশিদবগী লৈকমদা লৈশিরেন লৈপুনবীনা হায়, "অতিয়া মরু মালেমসিদা খুন্থোক্রে অতুবু থৌরমদি লৈশিজ্রী অসিবু কমদৌশিবনো" ।। বাহং বাহৌবু তাবদা অতিয়া শিদবনা হায় "উম ইবেম্মা বাহং পাওশাবদি হৈশিংবিদো থৌরম অসিবু করিবু কমদৌনা থৌপু

থোঙনগবা পরম অহুদি লৈথিবহুনা লৈশিনবিবদো ভৌঙমদে, এবুদি থোহোগদবা ঙাইঙমদনা ঙাইজরি নতিক মঙম্ব শাথোকপিও ইরেম্মা ।। অভিয়া মরুপী যাবু ভাবদা লৈশিল্লেম্না করি-সুংবু ওইবনো য়াথল্লে ।। উম পরম অসিবু ওইরে, লাইয়েকপু লৈথমদনা মশকপু শেদা য়াদে হায়বোইরে, অহুবু পরম অসিদো নোংলোন শেমঙৈদা শাথোক শাকোংপ্রবনি অহুবু মালেমদা নৌহৌনা শাথোক শাকোংনহুনা লৈহৌ লৈথমগে য়াথল্লবোইদো, থৌরম অসিবু লৈমুওনবা করিকরাদবু লৈয়েক্কা লৈহুনশিবা বাথন্দুনা কংলৈ পুংমাইয়োম্দা লৈশিরেম্না কোইনা লৈম্লেংলে ! থুদক অহুদা নোংদম্বনা কুবি নোংদম্বক্কনা শাথোক লৈহৌনখিবা লৈকম (মহৌকংলৈ) লৈকম্নদা মনা বাই পাকপা, থুনিং কুইনা শাংবা মশক অমা মপুং মরা চুম্না হৌহুনা লৈবনু ভানকং-লে ।। মহুদা লৈশিরেম্না মশক অহুবু করি করাবু মালেমদা হৌঙমদ্রিঙৈদা হৌঙম্বা মশাক্কি থুংম্বাক থুন্দা লৈহৌবদা ভানকংনবা মশাক্কি পরম্বু থোকাওদনবা য়াথমহুনা মশক অহুবু (লৈহৌলা) মিংঙল্লে ।। লৈহৌলাগী মমাইদা লাইয়েকপু শাকোংনা য়েক্কনা অভিয়া মরুগী মক্কল্লাদা লৈহল্লে ।।

হয়ম অা, ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ, এ, ঐ, ও, ঔ, ।। ক, খ, গ, ঘ, ঙ ; চ ছ জ ঝ ঞ ; ট, ঠ ড ঢ ণ ; ত থ দ ধ ন ; প ফ ব ভ ম, য য় র ল ৱ, শ ষ স হ ক্ষ ।।X

লাইয়েকপু উবদা অভিয়া মরু শিদবনা! হায়- ইবেম্মা লাইয়েক অসিদো মতিক মঙম্ব মামদে করিবু কমদৌনা শাথোকউ হায়রবো পরম্বু শুনা হায়বিও লাইয়েক লাইনৌগাবিও ।। মরুগী লাইহিং মিকৌতাবদা থুদক অহুদা লৈশিরেম্না মাগী লৈয়েং মঙোন লৈয়াইদগী (এং ঐং) লাইয়েক অনিনা কুয়োমহুনা লাইরেম্বী অনি শাথোক শাক্ষোংহন্দুনা মরুগী মাংদা থুং-ফাং ভরাবু চেপ্পা লোম্না মরুগী পাওহংবু পাওথুম হল্লে ।। মরু য়াইবিরেন লাইয়েক ১১ গী মঙান য়ারাবু লাইয়েক য়েংনা লৈহাপ্পুনা লাইয়েক হাযোইবা ৩৪ গী য়াম্না ইথোন লাইশকপু শেমগৎ শাগৎনবগীদমক্তা লাইয়েক য়াইবিরেন ইহৌ অমা লৈহাপ লৈথমজবা অসিনি ।। অহুদি ইবেম্মা (থুম্হোং ঙানবী) লাইয়েক ৪৫ অসিগী য়ারা ইথোন ইহৌফম্বু লৈফম কদাই বদাইগীবু ওইগদ্রকপা ? অভিয়া শিদবা নজী নোংদমদগী তানফংজবরি (থৌরি) হায়বা লৈফম অসিদগী (আ, হ, ক, খ, গ, ঘ, ঙ) লাইয়েক অসিগী য়ারাবু শেমজবনি ।।

য়াদগী মউ ওইনা ই, ঈ, য, শ, ল, চ, ছ, জ, ঝ ঞ লাইয়েক মশক য়ারাবু শেমজবনি ।।X

কোক লৈফমদগী- ঋ, র, য়, ট, ঠ, ড় ঢ ণ লাইয়েক য়াবাবু শাথোকখিরে ।।X

য়াগী লৈফমদগী মউ লৈহৌওইনা- ল, স, ত, থ, দ, ধ, ন লাইয়েক লাইশক য়বা ইরাই লৈফম ওইনা শেমখিরে ।।

চিনবান লৈফমদগী লৈহৌ যুঙকম ওইনা (উ, ঊ, র, প, ফ, ব, ভ, ম) লাইয়েকি মশক

য়ারা শাগোকপি ।।X

খৌরিনে, ডৌনে অনিনা মকু লৈয়ৌকম ওইনা (এ, ঐ) মশক য়ারাবু শাথোক্লখিদো ।।X

খৌবিনে চিনবায়ে অসিনা লৈহৌ লৈকম ওইতুনা (ও, ঔ) লাইয়েক মশক য়ারাবু লৌথোক্লুনা শাফোংজনবে ।।

ইবেম্মা লাইয়েক লৈমা লাইনৌতাবী লাইয়েক পিংম্বীবা অসি মতিক মঙম য়াথানা করি কদাই, করম্বনা মথল্লাই শুবা, শুদবা, অকম অশোম ওইবনো ? মতুদি মরু ঙ, ঞ, ণ, ন, ম লাইয়েক ৫ অসিবু শাথোক্লুনা য়ারা ইথোনবু শাথোকপা লৈকমদগী (নাতোন) হায়বা নিংশা হোন্দোক হোজিল্লিবা (শানাচি) কৌবা লৈফম্বু লৈশোক্লনা হায়দোকপা য়াদে অতুম্বুঙ্গীবু লাইয়েক ৫ শিগী মঙম মঙানবু শানাচি হায়বা নাতোন লৈফম্না মঙম্বু হাপ্পিদো ।।X

শ, ষ, স, হ– লাইয়েক ৪ অসিনা মঙ লৈফমদগী শাথোক্লবা থাকৌবদা য়ারাবু শানা ঙাম্না শাথোকল্লবপা লাইয়েক্লি (অশাবা) লাইয়েক কৌবনিদো, মরু ।।

য়, র, ল, ব– লাইয়েক ৪ অসিনা থাকৌবদা লৈতৌরকপা লৈফম্বু লৈয়োদনা মরক্কুগী মঙম যারা ইথোনবু শাথোক্লকপা মশক্লি, লাইয়েক অসিদো (মরক্তা মঙম লৈথম্বা) হায়বিও, মরু ।।

(আ, ই, ঈ, উ, ঊ, ঌ, এ, ঐ, ও, ঔ– লাইয়েক ১০ শিদি ইঙান চাওবা লাইয়েক্লি (লাইয়েক য়াইবি শিদবা) কৌবনে, মরু ।। লাইয়েক ৩৪ গী মফুদ লাইয়েক ১০দি থরাইদি কল্লি মঙমদি শোল্লি মতুদি– খ, ঘ, ছ, ঝ, ঠ, ঢ, থ, দ, ফ, ভ– অসিদো (থরাই কনবা লাইয়েক হামোইবা) কৌজগে, মরু ।।

ক, গ, ঙ ।। চ, জ ঞ ।। ট, ড ণ ।। প, ব, ম ।। লাইয়েক অসিদো থরাইবু শোনবা মঙানশু শোনবা লাইয়েক্লিনা (হামোইবা) হায়জগে ।। অতুদি লাইয়েক অসিনা পুরারি অমা লৈশেল্লবদা মিহিংনা করিবু থংনবা ; বাহং খুখিল্লা কমদোনা লৈয়েকপা ; ইচম চৈগানা করি করম্না লৈশাগদগে পরম থায়না, য়েলুপ নাইনা, থৌকাওদনবা লৈথম্বা পরম খুদিংবু লৈহাপ্নুনা থম্মিও ।। লৈহৌ লৈশারকপবু মথংলোংনা থৌকাওদনা লৈঙম্বা অসি কোরৌদগী থৌঙম্বা থৌপুরো ; তানকংবা লাইয়েক্কীনা নাওয়োম থানা লৈহাপনা থোইয়ুম শাথোক শাফোংনবা থৌপুনবা তৌজবো ।। মরুগী নোংদম্বু থৌপুনা পুরারিবু লাইয়েক (খাল্লিপোন) লৈথাই লৈশংনা লৈথম্বা তৌজগে মরুনা কুবি নোংদম্বু লৈহাপ্পীবা ওইবিও ।। অতুগা (লৈম্লেমা) নংনা অচা অথকপু বাংতনবা থৌঙমলো নোংদল্লা থমলে ।।X

মোংদম থৌপুনা খুম্হোকংলমা লৈনৌতাবিনা ।।

লৈওন্বা লাইয়েকপু খরপোন য়েখায়্নবা ।।

লাইয়েক অপকমা — য়ারা ইখোল লৈলেম্বদা লাইয়েক অমদা লাইয়েক অমা চংলবা লাইয়েক ইখোনবু লৈমাংখিদ্রনা য়ারা ইখোন অমা থোক্লবা লাইয়েক ইচম্মু য়েকপা তাববদি (ই্, ক্, ঙ্, ন্; প্, ম্, ল্, র্, স্) অসিদি হককি লাইয়েক ৯ বু লৈশাগে ।।

লাইয়েক লিংলিনবা = তিল্লাইয়েক- হায়বা অসি লাইয়েক অমগা পক্লনা য়েকপা তারবদি য়ারা ইখোনবু অনিমককী লৈমুংচন্দবা লাইয়েক লৈওবু কব=(ক্ব) ; কম+(ক্ম) ; কন=(ক্ন); বল= (ব্ল) ; যঞ= (ঞ্চ) ; জঞ =(জ্ঞ) ; সক=(স্ক) লাইয়েক ১৪ অসিদো অসুম্না লৈহাপনগে ॥ আপ্লি লাইয়েক ৩ অসিনা লৈলিংনবদি লাইমিং (ইভাল লৈশাবা) কৌএ ।। লাইয়েক অসুম্না লৈথমগে ।। অসিবু (আপ্লি ইভাল লৈশাবা) হায়গে ।। অমদি থম্মং আপ্লি তায়গ, লাইয়েক্না অসুম্না লৈথম্নগে ।।

চৈগা চৈনপ্- যাব পাওশা লাইয়েকপদা, লৈওম্বা লাইয়েক খুদিবু হায়নিংবা ইখোনবু শাংফা নবা লাইয়েক য়াইবিরেন ১০দগী খরবোন য়েখাইনগে মতুদি অা =া ; ই- ি, ঈ =ী ; উ =ু ; ঊ =ূ ; ঋ =ৃ ; এ =ে ; ঐ =ৈ ; ও =ো ; ঔ =ৌ ; ॥

চৈনপ্ ইবাই ৭ অমগা লাইয়েক হায়োইবনা য়েখাইদুনা (৩) অমা লৌগে, ৪দি লাইয়েকপু য়েশিন্নদুনা চৈরৌগে ।। য়েখাইবা- ট =ৎ ; র =্ ; জ =া ।। নম =৲ ; বপ =´ ; রস =ঃ (অচং কৌগে) ঙ,ঞ,ণ,ন,ম, =ঁ (চরৎ) হায়গে ॥ অনং = লাইরকচন্দ লাইয়েক ৭৮ অসিবু লৈথমদুনা পুরাবিবু লাইয়েক লৈরৌনদুনা লৈথম্নবা থোপুগে ।।

পাওশাবু করি করম খুখিল লৈহাপ্নগা থোবম্মু লৈথংনবা অমুক রাইখলক্কনা পুরাবিবু পাওশাবদা মিহিং ইহুন অমা নিংশা ইহুনফম্মু লৈপিদ্রবাদ পাওশা (লিরো থোইবো) নাইদবা হায়বা অদুনি, খুখিন অসিবু লৈহাপলম্বা লৈফমদা পাওশা অদুগী নিংশা হোন্দোকফম ওইশনু খুখিনবু অনি হাপ্লগা মিহিং অমা ইরেপন্নবা মশিংবু (মিহিং খুখিন) ।। মশক অসিবু য়েকপা লৈফম অদুদা নিংশাবু হন্দোক তঙ্গিন মিহিং নিংশা ২ বু পাওশা ইরেপফম লৈহাপ খুখিন ওইনগে ।।

করিগুম্বদা পাওশাবু হেকপদা লাইয়েক লৈথুংদদুনা লৈফম অমদা য়েকপা তারবদি (লৈরাং খুখিন) =- অসিনা লৈহাপ্নুনা লৈতাকপা তারে ।।

পাওশাবদা পাওহংনবা থোকওম্নবদি (হংচৈ) =? খুখিন অসি লৈহাপনগে ।।

পাওশা পাওহং অদুবু লৈতাকপদি (খুমচৈ) খুখিন অসিবু লৈয়েক লৈহাপনগে ।।

পাওশানদদা অকিংবুং ওইউম্বা, অথংবা ওইওম্নবদি (খ চৈ =! অওক খুখিন) খুখিন অসিবু

লৈথমগে ।।

পাওশা ৱারম অমবু ..ইবনা (ৱাবোই বখৌচৈ) _ । খুংথিন অসিবু শাথোক্লে ।

পাওশানবা পুৱারী অমগা ইরোইবদা (লৈথৈচৈ) । × হায়বা খুথিন অসিনা লৈহাপকে ।

থৌরম পরম অদুবু পান্দান লোইরদুনা পুৱারি লৈফম অমা হোংদনা লৈয়েকপা তারবন্দি (লৈথম থমচৈ) IIX IIX খুথিন অসিবু লৈতপ লৈথেমগে ।।

চৈশিং ১দগী লাইথমলেন অমা — ১০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০ অসি ফাওবা য়েক্কনা তাক্লে ।। নোংদম্বগী থৌদবু থৌপুজনবা ১উ মগাকপু শাদোক, শাথোকপগু লোইডমগে ।। নয়াথংবু থৌপুনা থম্মৈরাবু ইঙাল লৈশানখিবা পুৱারিদু লৈয়েক লৈথন্নবা থৌহৌনরগে হায়দুনা লৈহৌ কৌবা লাগী মখাই মনমদা লাইরেম্বী লাইনৌতাবীনা পুৱারি লাইয়েকপা খোঁহৌবে ।। মৈতৈডং নোংদলাই হৌজিক্তী আতিয়া মরু শিদবগা ইমা লৈমরেনগা অনিনা খুম্ঠোকপীদুনা লৈমিন্নবা থৌদা থৌপুনবা লায়ুপ লাবৈ লৈনবা শাথোক শাফোংনরকপা পুৱারিবু নিংশিংনবা ওইনা মথং লেংনা পাবগে তাবিও IIX

আতিয়া শিদবগা লৈশিরেনগনা থৌশিনবা থোইদম্ম মন্নাম শাফোংবা ।।

আতিয়া শিদবনা হায়— ইবেন্মা থৌদা নোংদম্ব লৈথংবী নঙী নয়াথংবু থৌপুনরগে পরম থৌরম্ব থৌয়েংনা থৌয়েংনবা পরম খুদিংবু তেংবাং নোংদম ওইবিয়ুকো ।। শালাইলেন আতিয়াশিদবা নোংদম থৌদবু লুবাই কোইরেন্দা লৈহাপা থৌরম পুম্বু তুংইন থৌগন লাংজনি, পরম খাইনা থৌহৌবিরো তুংইন থৌগন ওফংজবা ওইজগে ।। শলাইলেন আতিয়ানা লাইয়েক (ও, ক, প, স, ঙ, থ, র, ল, খ, ব, ঐ, উ, আ, ত, ধ, ঈ,) ১৬পু মনা হুকচাংদা চিংশিনখিদুনা খোইদৌদা লৈহাপদুনা লাইয়েক ১৬ অসিনা নাওয়োমদুনা খোইদৌ মন্নাইদা নিংশা থিংনা অমুক্তং লৈকাম্বদা লাইবুংথৌ অমা চোংথোক্কনা মালেমদা লেপ্তনা মরুগী মাংদা লৈওরে ।। মরুনা মশকপু (লৈমুং লোপ্পা আম্নিবা খাবা তাওরোইলাই) নংদি মতম পুম্বদা ঐগা থানবা লৈতনা লৈগদবনি ।। ঐগী মুংঙাইবা, ঐগী পোথনফম নহাক্নি নংদি লৈখারোন্দা লৈউমদুনা ঐগী ইউবু পুদুনা পরম খুদিংদা ম্নাওনবা শেমদুনা নশাবু তোক্লেন লিপুম অমা লিহাপ্পা, মপুক মথানা চৎপা থোকউন্নগদবগী লুচিং ক্ষম্বানবা (নয়াই লৈকোই ওমদোং ক্ষম্বানবু) লৈকমদুনা ওইনিংবদা ওইদুনা লৈরু ।। নশক লাইয়েক্তি (ঙ) গী মশানি নমিংবু (লৈমুং থোংঙাক্লেন) কৌবনি, লাইমিংবু (দিংখি মিংথোই মোং হাং মনিক মা তরেং

খোম্বা, স্নাচিক তরেংখোম্বা, হয়ম তনৌ লুতোন হুকপ', (হে! য়োসো লৈপুনবা ও কুং) কৌবা নংনি ।। মশক অনিবু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবীনা (ও, হ, ঐ, য়, ই, ত, ন, ঙ, ব, ক, ফ, ঙ, উ, র, ল, ম, আ) লাইয়েক ১৭ বু নিংশা থিংহুনা খদাংবু লৈচিক্লা মশা মউবু তনিক তনিক্লা হেক চোংনা পাম্বোম অনিবু লিতিংনা লৈথিংলম্বা নিংশাবু হেক কাম-লক্লে, মহুদা লৈমাইথক্তা লেপ্লুনা ইবেমগী মাংদা লাইরেম্বী অমা শাথোক্লে ।। মশক অহুমবু উবদা লৈমরেম্না (লোইনবী হগি তনৌবী) নংদি মতম পুম্বদা নঙ্গা ঐগা অমতা ওইনা লৈ-গদবনি, ঐগী থৌবম খুদিংবু নংনা শাথোক্লহুনা থৌঙম তেংবাংগদবনি, হৌজিক্তি লৈখারোম্বা লৈগুম্না লৈখারোম্বা লৈবা মশক পুম্বগী য়াইফ নোংদম্বীনবা লৈভম্বীও, মহাক্তি (ক্ত) লাই-য়েক্লে, য়াইবিরেন মেরু বনা (ওং কুং ধুং ধুং) লাইয়েক্তি, লাইমিংনা (লিরি তিং, কুমাই-তিং হুয়িতনৌবী) নংনি, খংদবা তাদবা ওমদবা লৈতবী হিমরু য়াইমরু বাংতবী নংনা ঐগী ইওম্বু থৌঙম থৌপুবো IIX নোংদম থৌদাবু থৌয়া থৌপুনা অনিমক্লা লৈখারোম্বা লৈকুম-খিহুনা লৈকম অদুদা লৈবা থম্বা য়াবা মশকপু শেমগৎ শাগত্তুনা মাইগৈ লম য়েম্নহুনা পরম থৌবম্বু বাক্তনবা থম্বীহুনা লৈখারোম্বা লৈপাম্নবা থৌপুনা লৈরেদো ।। মৈতৈভ কংলৈ শংবা লৈখারোম্বা লৈভম্বা মশক্তি পরম থৌরমদো মাগী পরম লাকভম্বদা পাওশাগে, কংলৈ লৈয়াই লেনগীবু হায়গে IIXIIX

লৈয়াইলেন কংলৈ লম্মহমবদা থৌপুনবা শাথোকপা ।।

অতিয়া শিদবা শলাইলেম্না মহাক্তি অশাই অশম ওইনবা হায়বগী--

১	(আ)	লাইয়েক্ল	নাওয়োমহুনা	লাইবুংখৌ	(অঙাইবা)	শাকোংলে ।।
২	(উ)	,,	,,	,,	উকোংলেন	;,
৩	(ক)	,,	,,	,,	কোংতিংলেন	,,
৪	(খ)	,,	,,	,,	খৌঙাইবা	,,
৫	(চ)	,,	,,	,,	চেংঙা	,,
৬	(থ)	,,	,,	,,	থৌঙাইবা	,,

৮ য় লাইয়েক্লা নায়খোমহুনা লাইবুংখৌ য়ুচেঙ+য়ুহাগা শাকোংলে ।।

৯ লৈমিংল্লা লাইবুংখৌ ৮ বু উবদা মাগীগু মঙাইরোই ওইনবা

১০ আ লাইয়েকগী অঙাইবী শাকোংলে; নোংপোক থোংদাজ্রে ।।

১১	ক	লাইয়েক্তগী	কোং িংলৈমা	শাদোংলেং	নোংচুপ্তা	খোংদহল্লে ।।
১২	চ	,,	চিংসলৈমা	,,	অল্লাং	,,
১৩	ঠ	,,	[ঠারৈমা	,,	মৈরম	,,
১৪			থৌঙাইবী	,,	মথাদা	,,
১৪			থিংবা লোইথোম্বী]	,,	সম্বোংদা	,,
১৬	প	,,	পুকশি খোম্বী	,,	নোংপোক্তা	,,
১৭	ম	,,	য়ুচেং লৈমা	,,	কৌত্রুদা	,,

মাগী মাগী মঙাইরোই পাওশামিন্নবু মনাক মনাক্তা লৈঙম্নরবদা অতিয়া শিদবনা লৈ-ঙম্বা অতুদা লৈবাকপু য়াইফংনবা য়েক্লবা তিনয়েং থোইয়েংপা লৈতনবা লৈশেমহনগে রা-থল্লক্তনা নিংশাবু থিংতুনা লৈঙম্নগা থোইদো মথাগী ফম্বী লৈফমদা লৈবা (হো, রো, সো) লাইয়েক অহুমগা লোইননা ফম্বী অতুগী মথক্তা লৈবা (সং, নং) লাইয়েক, থুদোন অমা কাবদা লৈথম্বা (হিং, হিং) লাইয়েক, অসিগী মথক থুদোন ২ কাবদা থম্বা লাইয়েক (য়ে), খোইদোদা থম্বা (কুং) লাইয়েকপু (নিং নিং নিং) হায়না য়াকাইরগা (বি রি রি) হায়না চিংথংলক্তনা, নথাংদা থম্নগা (হং ঐংঐীং হ্রীং শ্রীং ক্ষোং) হায়না ঙক্লাংতু লৈনা য়েংথংবা (লংজুমদা) নিংশাতু হেক কামথোরকপদা মতিক মঙাম্না লিক্লাগী মথক্তা মালেম অঙানবগী মঙাম্না লৈচংলবদা লংনা ঙাম্না লৈবগুম লাইবুংথো অমা চোংথোক্তনা লেপ্তনা মরুগী নাক্তা লৈঙল্লে ।। অমুক নাথাংদা লৈহাপ্লবা লৈয়েকপু মাগী মাগী লৈফমদা লৈথম্নগা থোইদোদা লৈবা (কুং) লাইয়েকপু য়েংতুনা নিংশাবু চিংশিন্না হুম্ভিহল্লকপদা মালেম লৈমাইদা কোংয়াং চৈমা তাবগুম মশা কোঙন তুথোক্লা মরুগী মথোং থাবু লৈশোক্লা পুকম লৈপাংনা মঙম্না সনাগী চীংতুম থিনবগুম মালেমথক্তা তুতুনা লাই পাথং অমা লৈংল্লে ।। মতুদা অতিয়া মরুনা য়েং থম্বদা লৈবা লাইবুংথোপু য়েংতুনা পারি চরৈ অহনবা (শ) লাইয়েক্লা নাওয়োন শাথোকপা (লাইমিংথোই) নংনা লৈবাক অসিদা য়ৈথাই থিঙ্গাইনা কনা থোংদারকপা ঙম-দম্বা মীহুম পোংলম থারনা চীংবা পনশামা মাইপৈ মরি অসিবু পনশা পন্থিংলু, পনশাবদি নোংপোক লাইনা নোংচুপ থোংদবা ঙমদনবা নোংপোক্তা নোংচুপথোং থিঙ্গদবান ।। অল্লাংদা — থাথোং, নোংচুপ্তা— নোংপোকথোং; মথাদা-- ঔবাংথোং, পরম খাইতুনা পনশা পন্থিংলম-গনিদো, লৈবাক অসিবু মুংঙাই য়াইফংনবা মঙ লৈফমবু ১০৮ লৈথম্না লৈবাক পুংগী মঙ লেমকু লৈহৌনক্তম ওইমা শেম্বীরম্ন ।। অতুগা পারি কোন্দে তনৌবা নশকপু (ঙ, রা) লাইরেক্লা নাওয়োমতুমা শাথোকপা (সনা কোঙন তুথোকপা) নংগু নয়ান্নুং লাইমিংথোইগী

রাখন উবদা মচাগী থৌচল্ল তেংবাংবিনি। নিহুনা অতিয়া মরুশিদবনা মহাক্কগী (ল) লাইয়েক্লা নাওযোম থানা লাইবুংথৌ (লৈখোমজাও)গা (ন) লাইয়েক্লা নাওয়োমহুনা নোংখোমতাওনে, লৈশাতাওনে, নোংশাংখ্রেনে, শাফোংহুনা মচাগী মঙল্লু থংহন উইন্দুনা মাইপৈ ৪ দা তুংইন্না তেংবাংনবা নোংদয়ে ।। অমুক লৈবাক লৈপাক পুন্নমকপু তেংবাংনবা অসিবু করি লৈঙম্মদবদগী থম্নংববু ইঙাল লৈশা লৈহৌবদা মতম অমতদা লৈনি লৈথুংহনখিববু নিংশিংলক্তুনা (হ) লাইয়েক্লা নাওয়োমহুনা লাইবুংথৌ (হারাবা) কৌবা অমা শাথোক্তুনা নুংশিং কৌবা লাইগী মচল্ল লৈহাত্তুনা মপারি কোঞ্জন তুথোকপগী হৈনা তুংইন্না লৈঙমলু শিন্থানা থাঙমখ্রে ।। লৈশিরেন লৈপুনবীনা মহাকী মচাক ওইবী অমা (গ, ঙ) লৈয়েক্লা নাওযোমহুনা লাইবেম্মা অমা শাফোংহুনা লাইমিংবু (ভুবৈথোংলৈ ইরৈমা) মিংহুন্না ওবাং পাংনা থাখ্রে ।। মা অনিনা লৈরৌফল্ল লৈখংদহুনা রাখন্নবনু উহুনা মচা অনিগী লৈবৌফম্ন লৈরাদনা লৈপিগে রাখন্নহুনা (লৈশৌবুং) অমগী মশকপু শাথোকহনহুনা মচা অনিনা লৈঙম্না লৈফম অহুগী ময়াইদা ইমথংহনহুনা লৈথল্লে ।। লৈশিরেনগী থৌরল্ল অতিয়া মরনা লৈখংলহুনা মহাক্কগী লাইবুংথৌ (নুংপোকপা মহারাবা)বু থাকৌ থোক্তুনা নঙী মশকপু রাত্তনা শাথোক্তুনা লৈপি লৌশী অহুগী মনুংদা লৈথোনবদা রাওনবা লৈউমলুরো নোংদম্না লৈশৌপুং মপী অহুগী মনুংদা চংহুনা লৈহল্লে ।। করি করা লৈঙল্লমদবদগী মচিন মনাওগী মরক ময়াইদা লৈপুং অমা ইনথক্তুনা লৈরম্ববু উবদা লাইমিংথোইনা লৈবাংলরোই নোংদম্লনা কুবিরে থংলহুনা ইশানৌ কোন্দে তনৌবা লৈথোনববু লৈফম অসিদগী লৈহৌরশি নোংদম্লনা নোংদম লৈপীনউয়ে লৈবাংলরোই পাওশানা মনাওবুশিনগুরশি রাহৌয়ে ।। লৈফল্লু (মহৌমারহনবা) মহৌপুংলেন মিংচন্না লৈফম অসিদগী মথন মরোংথাইনা মশানৌনা লৈমেং লৈশীরে, ময়াম্লুং লাইমিংথোইনা লৈহৌন্দুনা নোংপোক পনশা ৯ লৈগুনবা লৈহাপ লৈথোল্লে ।। লাইমিংথোইনা লৈফমগী পরল্ল থৌয়েনা কোরি পমগদবা লৈফমদা কোরিথম, শেনথমগদবদা শেনথম, সনা, লুপা, কোঙৌ, নুং অঙাংবা, অশংবা, অঙৌবা পরম থাইনা লৈথম লৈথোনহনা লোইঙম্মগে রাখনহুনা লৈঙাকলাই করি করাবু শাথোক লৈথমশিগবা রাখন্না ভাইহাক পোথাহুনা রাখন তৌনা লৈঙন্মি ।। খুদক অহুদা মশানৌ কোঞ্জন তুথোকপনা (হারাবা==মালংবগা) তাম্নহুনা লৈথোনবা লোইরববু মানা মনিং থুদবা পামদবা লৈফম মখৈবু চাইথাইহুনা মীরম্লেনবু লৈশিন্না চিংবা পনশা কয়ামকপু পাইথোলক্তুনা লৈঙমখ্রে ।। ময়াম্বনা করি তৌরবনো হায়না য়েংলকপদা মনাওবা হারাবগা তাম্নহুনা চিংবু ফক্তুনা চাইথাইববু উরে, শাওদেরে ।। থামলুবগু য়াগদবা লৈত অহুনদি মাবু লৈথোনবশি য়াওহল্লরোই পোথাহনহুনা মাবু লৈহনবা তাবে, রাহুনা শাওরমায়ে রাখনহুনা মনাওগী মনাক্তা লাক্তুনা ইশানৌ কোন্দে তনৌবা

রাররিনি ইনাওদি পোথবদা নুংঙাইগদবা লৈফম য়েংহূনা অহুক পোথহূনা লৈঙমজৌ য়াম্বনা নহুৎ নরেংবু লৈশিন্না রাংলেন থরদং লৈমেং লৈথিংনা। লৈথোনগে পাওশানা মনাওবু পোথহূনা লৈহল্লে ॥ লাইমিংথোইনা মথন্তা অমুক লৈহৌদৈগুন্না নিংথিনা লৈথোন লৈথম্লে ॥ লোইশিল্লগে তৌওন্না লৈয়েংবদা অশাইগী মতৌগুন্না চংথৈ পাইথোকখিহূনা ইরৈ লৈরমল্রে ॥ অহুম্না তৌওমশম্লু মনিং থুংদহূনা তৌওন্নিবনি রাথনহূনা হুম্না হুম্না লৈথোন লৈরোইরগে তৌওম্বু লৈহৌ (১০৮) লৈগুংখ্রে ॥ মহুদা লাইমিংথোইনা রাথল্লি মরু লৈথোন লৈরোইবা য়ারোইদৌরে ঐনা কদৌগবনো রাথম্না লৈথোনবশে ইশানৌনা থুগাইবনা হেলমল্লে, মসিবু মরুনা লৈথামদ্রবদি থৌরোইবা য়ারোইদৌরে রাথম্না মরুবু নিংশিংনা লৈপাইনরক্রে ॥ লাইমিংথোইনা মনাওবু লম হেনমল্লি হায়হূনা চথোকপা ঙমদনবা সনা হুকচাংদগী শাম্বোন ২ গী মহুংগা, কমথোং ২ গা মরুগা তুনা লৈবা (ক্ষ) লাইয়েকপু চিংথোক্লুনা মনাওবু উপ্তুনা কোইশিন্দুনা লিফা লিথম্লগা অমুক পনশানা লৈখ্রে ॥ লাইমিংথোইগী থৌরম্বু অতিয়া মরুনা উবহূনা ময়াম্বনা তুংবুন লিফানা লৈথমলম্বু কোঙ্গন তুথোকপবু লৈথংহল্লরোই থৌবোইদ্রি ফাওবা রাথন্দুনা মসৌ লাইমিংথোঙ্গী থৌওম তেংবাংবিগে হায়না অতিয়া মরুশিদবনা থোইদৌ তন্না য়েংহূনা (ক্ষ) লাইয়েকপু (থোইনৌ) হায়না কৌহূনা মিংনচাগী মককুন্না মরুগী মিংলুদগী লাইমিংবু (থোইনৌ মিংলুরেম্বী, তরৈ তরৈ মিংয়েংশেল, মি মি মিংয়েং শেল) হায়না থাকৌথোক্লুনা মরুগী খুংনাওবী মতৌন্দা হাপ্তুনা নোংথৌ পাংনা ইনথংলগা হায়রে ॥ নোংথাং লৈমা, পারি লাইমিংথেইনা লৈবক্তা য়াইফংনবা লৈথোনববু নোঙ্গাংদনা য়েথাইরিবা কনানো য়েংঙু কনা লৈবগে ? মরু নয়াথংবু থৌপুনা মাইগৈ মরি শুংদাই মরিতুনা য়েংবদা কনা থোইনদি উঙমদে, মপুক কন্নাওহনবগী মশককুম্বা অমদি উঙম্মি মশিবু করিনো ? স, ক, ল, হ মিংলুলৈমা ঐং, নোংথাং লৈমা ক্লীং, লৈহিংমু ক্লীংনেং লৈনপক্ক।) মশক অহুনি মানা তৌওমলিবনি, মালং হারাবগা তাম্নহূনা চাইথাইবনি, মিরমলেনগু লৈখুংখ্রে মাগী থোইশাওবদো থৌকাওনবা নংনা ওম্বা নওম্বু তৌওম্না উহন্দুনা মপুক থোইশাওবদো থৌকওনবা লৈথাম পাওশানা পারি চরৈহন লাইমিংথোইনা নোংপোক পনশাবা থৌরেহেনদ্রিফাওবা মপুক থোইশাও লৈথায়বা তৌওম্লো থৌদনা মরুগী খুংনাওবীবু লৈশন্তুনা থোইনো মিংলুলৈমা=মিংলুরেম্বী নোংথাংলৈমা কোরৌ নোংথৌদা লৈথমহূনা লৈহল্লে ॥ মিংলুরেম্বী নোংথাং লৈমনা কোরৌ নোংথৌ অহাংবদা মৈথি শঙাইশেন পাইবগুম মাইগৈ ৮ বু কান্নন থানা পাইরম্মগা (আতিংঙাতরঙ্গী) ময়াইদা মৈরিকহুন্না ঙানবা ফিরোনবু শেন্তুনা তগুপ তঙ্গুপ তরং তরং ঙাম্না শানাথোক্লুনা লৈরে ॥ কোঙ্গন তুথোকপা হারাবনা মশক অসি উবদা উকচানহূনা, হিঃ মশিদি করিনো, রাথনহূনা নোংথৌদা য়েংহূনা তৌওম্নিবা থৌরম্বু থৌকাওনহূনা মশক অহুম্বু য়েংহূনা লৈওমে ॥ লাইমিংথোইনা

ত্তেংবাংবা ওইনা তুংইন থোগন ওইহৌমজৌ ।। পাদ্রি সনাহন করিগুম্বদা পরি ইচানা অন্না পোথাবা মতমদা ত্তেংবাংবা ওইনা নশানৌ অসিবু থরা পুখিবু ।। লাইমিংথোইনা পাউখুম কৈ, মরুগী নোংদম থৌদাবু থৌওম কুবিনোংদম্বীগনি ।। ইশানৌ কোকনতুথোকপা মরুগী নোংদম থৌদাবু থৌওম থৌপুনবা ইচিন ইনাওহু চৎওম্নশি মালেম লৈমাই থক্তা কুরি মুঙ্গৌবু কোয়াংতাবগুম তাহুনা লৈবনো হৌগৎলো, পাওশানা মালেমদগী মনাওবু কোনখত্তুনা মনাওগী খুৎচেং পালোইনহুনা চৎওয়বা থৌরাংলে ।। মচা অনিগী মথৌনা মরুগী নোংদম্বু তাবদা লৈশিন্নেন লৈপুনবীনা হায়—পাদ্রি লাইমিংথোই করিম্নুংম্বু থৌয়াবনো শাথোকপদা ভাইওম্বা পাদ্রি অনিগী লৈফমদা লৈওম অশুব লৈচাওনা মরুনা করিবু নোংদম্বনো ? করম্বগু থৌয়ারিবা মরুগী থৌদা অসিবু পাদ্রি নচিন ননাওনা করম্না থৌওম থৌপুনি মমুং মতম ওইদরি নোংদম থৌদা থৌয়াবা; পাদ্রি চরৈহন চৎখিনু ইমাগী নাক্তা লৈওম্লো; নওম নতিক চারগা নোংদম থৌদা থৌপুগনি মমুং মতম চাদ্রি চৎখিনু ।। তাকওমখিবা নয়াথংবু যিগাওগানা য়াজরি নচানা মরুনা থৌদা হানখিবনা য়াদয়ে মরুগী থৌদাবু থৌওমজবা পলেম ইমানা কুবি নোংদম লৈহাম্লীবা নোংদম্বু নচানা ফিগাও শানা নিজরি ।। পাদ্রি সনাহন লাইনিংথোই নমা ঐবুদি মরুগী থৌদাবু থৌওম থৌপু ওইওম্বদি লৈপিমি অহুবু পাদ্রি নচিন ননাওবু চীংবা পনশা লৈথিংবা থৌরম্বু করিবু করম্না থিঙ্গনি লৈথিংনবা লৈচাক্লা কদাই লৈফমদগীহু লৌগনি, পরম থৌরম অদো নমা ঐবু থংহল্লে উহল্লে ।। পাদ্রি নচিন ননাওনা মরুগী থৌদা চৎখিবদো থোইজং লৈতনা লৈওমজবা ওমগদরা, নতিক নওম হৈশিংবা তৌওমগদবা পরমদো নমানা থোইজং লৈতানা য়েংওমগে নচিন নমাওনা পরম অদো তৌওম্লে ।। মমাগী য়াথংবু থৌপুনা লাইমিংথোইনা মনাওগী খুজেং পালোইনা হৌরগা মালেম্লে লৈথোন, লৈচাক লৈরৌ রাখন লৈথাবা, লৈচাকপু ইকৌ ইচাইনা লৈথিংপা মনাওনা লৈপিরগা লাইমিংথোইনা লৈহোন লৈথোনবা, লৈচাক লৈপিনবা লৈওমদহুনা মনাওনা পোথা লৈওম্নবদা লাইমিংথোইনা নোক্লহুনা মপুক হরাও তয়াম্না মনাও য়েংল য়েংলহুনা নোক্লা নোক্লা লৈখি ।। লৈমেৎতুনা লৈথিংহুনা পনশা লৈয়োন ৯ লৈথাইনা চীংবা পনশা থৌপুরগা নোংপোক্লোমদগী অয়েং অথোং লাই (ছবি) না নোংপোক্লোমগী নোংচুপ থোংবু লৈহাংনহুনা থোংদাবকপা ওমদনবা শাথোক লৈথিংবা পরম্বু শাকোই অনোই ওইনা মমাবু উহল্লে ।। মচাগী মতিক মগুম্বু উবদা লৈশিন্নেন মমানা মপুক হরাও তয়াম্বগা লোইনহুনা নোংদম থৌদবু থৌওম্বা কুবি নোংদম লৈহাম্লীহুনা মচা অনিনা মমাগী থৌওম নোংদম্বু ভানকংনা হৌকংলৈ লম্ম হনবদগী নোংপোক পনশামা নোংচুপ থোংথিংবহু থৌহৌনবা চৎখ্রে ।। মচা অনিমা নোংদম থৌবু থোংশানগ্রবদা

অতিয়া মরু শিদবনা লুতুঙ্গী রাখল অমবু থোযেংনা লাথুপ অমুক থোহোরে ।। কংলৈ পুংমাইয়োন্দা লৈঙ্গা পম্বু অতিয়া মরুশিদবগী সনা হকচাংনা থন্দুনা লৈথম্বা হোরে লৈকন্নু (থনশং) মিংথম্লে ॥ লৈঙম্বা লাই গোইনবা লোইনবী পুম্বদা লুতুঙ্গী রাবু তাম্লদুনা নোংকোরৌ অমা চুপনা রাখম্লদুনা থোরাংনবা তৌভম্মি, লৈফম অদুবু (নোংছুম শংলেন লৈশাকম) কৌরে ।। লাইমিংবু (লিংতোংমরাবা লিং লিং) কোরৌ লৈশিবেন লৈপুনবীবু (থেম্মাচম্নু অরাই কংদবী) বোরে ।। অতিয়া লিংতোংমরাবনা (ল, ঐ, থ, উ, ঙ, ন, আ, চ, ই, ব, থ) লাইয়েক ১১ না নাওয়োম শাথোক্লদুনা লাইবুংথৌ লৈম্নুং খুং খুং অচিবগা থোংঙারেনগা অনিবু পুথোক্লনা লাইবুংথৌ নংদি লৈযাই লৈখারোনদুনা কোংনা চক্লনা লৈঙমথো নংবু ঐনা থাকৌরক্লবদা লৈপন্দনা যৌনবা লাক্লদবনি পাওশানা চৎহনখ্রে ।।

প, ও, ই, র, ঐ, ম, ঙ, এ, চ, আ, ব – লাইযেক ১১ না নাওয়োম শাথোক্লনা লাইবুংথৌ পোইরৈ মোইরেং চাম্নবু শাফোংদুনা নোংপোক পাংনা পাওশিন্দুনা চৎখ্রে ।।

ই, র, আ, ঙ, থ, এ, ল, প, উ, ম, ন, ব – লাইয়েক ১২না নাওযোমদুনা লাইবুংথৌ (ইরাংথেন পুংমিম্নবা) বু শাফোংবিদুনা থা মৈবম পাংনা চৎহনখি ।। মরুগী মপম্ন ঐবদা লৈশিরেন পোংলম পোংথাইনবীনা (হ, উ, ঙ) লাইয়েক অহুম্না নাওয়োম থানা লাইরেমবী (হৈরোংলৈমা) কৌবী শাথোক শাফোংবিদুনা নোংপোক চিংথৈ পাংনা লৈথানা চৎহনখ্রে ।।

শ, আ, ন, ই, ক, ল, ন, ঔ, ত, ব – লাইয়েক ১০না নাওয়োম্নদুনা লাইরেম্বী (শনিক লাইনৌতাবী) বু শাথোক লৈথম্লে ।।

ল, ই, র, ঔ, খ, ও, ব – লাইয়েক ৭ না নাওয়োম থানা লাইরেম্বী (লিরৌথোই রৌবী) বু শাথোক শাফোংবিদুনা লৈথম্লে ।। থোংইম্নম অনিনা রাকয়ৈহিদাম্নবঙম তাম্নদুনা শাংঙা উচেক, পাইবং, তুমিৎ, য়ুরান, লৈবা খৈবিক শাথোক লৈথম্লে ।।

লৈশিরেম্না মহাক্কী মহাক ওইবী লাইরেম্বী অমা সনা হকচাঙ্গী ওইগী লকাদগী শাফোংদুনা লাইমিংবু (সনা থোংনাং লৈমা) মিংথন্দুনা অঙাইবা লাইদা লৈশিন্নদুনা লৈথম্মি লুতুঙ্গী রাবু পাওশানা শিন্নদুনা থম্না হোযে ।।x

তনং নোংপোক চিংবা পনশাদুনা নোংচুপ থোংথিংবা

লাইমিংথোইনা লমজিংদুনা মশানৌ কোঞ্জন তুংথাকপগা লোংইনদুনা কংলৈ পুংমাইযোন্দগী নোংপোক পাংনা থোঙ্গারক্লনা লৈকম লৈহৌ চাবা য়েংদুনা লৈফম অমদা মচিন মনাওবু মায়োক্লদুনা করি কদাইদগীবু লৈরৌনদুনা চিংবা পনশানশিবা রাথম্না লৈঙম্মি ।। মচা লাইমিংথোইগী

ময়ক অসিদা নোংপোক পনশাদুনা মোংপোক্কী নোংচুপ থোংবু লৈখিংবা লোইনবা তৌওমহৌগে রাখন্দুনা লৈরোগে চংবদদি লৈপিদো লৈতরে॥ করিন্নুংবু ওইগ্রবনো য়েংবদা (ক) লাইয়েক্কা মনাওবু লিক্কা লিপুন্দুনা লৈথন্নবা তৌবদা লাইয়েক্তনা মনাওবু লিচিংখদা লৈপী লৈশো অদুমু য়াওনা লিপুন লৈথগদা য়াওডমলয়ে ।। হিং করিনো ঐদি রাখল লৈনুংদেদা বদাইদগীবু তানফঙবা, কনাদবু হায়শিবনো রাখয়া মথোং য়েংকি থুয়া অদুনা মালেমদা অমুম ওক্কনা নৈদুনা রাখমবদা মথয়াই পানবা মথোঙ মশা পানবা অমা থোরক্লে ।। মশক অদু উবদা লাইমিংথোইনা রাখমে, মশিদি ঐগী পাওশিনবা মশক্কম ওইরগে, ঐনা লৈথোনবা হৌবা মতুংদা লৈবাক্তনা লৈখিদ। মতম অসিদা ঐগী তেংবাংনবা কোয়া শাথোক্লকপমিন্না অমিংবু (কোবী=লৈপী) কৌগে ।। কোবী লৈপী নং মরুগী মফল্লাংদা চতনা নিংশিংলু, মরু নচানা লৈথোক্লবদা থোৌবোইরগে তৌবদা লৈচাক লৈতদুনা খুৎলৌদুনা লৈঙমে মালেমু (পুক্নুং ঙাইথোং লাংলুক মরুমদা) লৈপী লৈথোন্নগা নোংদম্বদুনা পিওর্গায় লৈমিরকই হায়না শাওদনা লৈনিরুচংপু ।। লৈপী কোবীনা মরুগীনাক্তা লাক্কনা হায়ওঙ্কপা রাবু পাওশানা লৈনিবদা অশিয়া শিদবনা মালেম লৈচাক চাওনবা পুক্নুং ঙাইথোংমুক চাওনা তাথোক্কনা লৈপিরগা শিন্তাক্লে ।। লিপী কোবী লৈপী অশিবু পারি ইচানা লৈরোবদি নংনা লৈফাওবা লৈফম অদুদা তাথোক্তনা লৈরী হায়যু, অদুগা লাইমিংবু (লৈবি তোমশোমপক্কা) হায়না ক্কাদুনা তাথোকউ হায়মু পাওশানা লৈশিন্নদুনা পুরক্লে ।। লিপী কোবীনা লাইমিংথোইগী মনাক য়েনবা লৈবীতোমশোন মরিন কাংনা লাক্কনা লৈপীপা লাইশোনগা পিরক্লে ।। লাইমিংথোইনা মরুনা তাকওথীরকপা লাইমিংবু লাইশেনদুনা লৈপীবু কারগা চাইথাইদুনা অমুক চৌংবা ৯ বু পনশাম্নবা থোহৌরে ।। থোরমু উবদা নোংলোন্দগী লাওব-লাওরদুনা "লাইমিংথোই চরৈ খুংশেং হোংওমথো লৈথোন খুংশেংনাঙ্গেয়ে, চীংলেন অদুবু লৈবাককী য়াইফনবা লৈবাক পনশাবা লৈহৌবা লৈকমি মওম তরং হৌনা শেম্মীরম্মু" পাওশানা লাইমিংথোইবু কৌদুনা মালেমদা লেকুমলক্কনা চরৈ খুংলি খাবাখিবমদা ঙানবা লৈথন ২ নাইনা শেম্না ফিরোন অমা লাইমিংথোইদা লৈশিন্না পি, মদুদা লাইমিংথোইনা শাওগে তৌদুনা চরৈ হুনকপা মাইগৈদা মাই হেক থাঙ্গৎলি ।। লাইমিংথোইনা য়েংলকপা মিৎয়েং উবদা হায় লাইমিংথোই ঐ খংই নংগী ননাক্তা ঐ চংলোই, ঐ হৈহবোং লৈমা চরৈকিওম্নী হায়বা অদুনি নোংদমনা থোরমু, থোয়েংনা চরৈ নোংদম্মু, নোংদম্খিবা অদুনি, ঐ মওমু থোরাক্তনবা লৈশাবা চীং অশিগী চিংথৈবা লৈথোনবগা লোইনদুনা উরি, বারি নাপীশিংবী হিয়াইনচিংবা লৈথম্না মওম তরংহৌনা শেম্মীনবা চীংলেন অশিগীদমক্তা লাকপনে হায়রম্মগা মাংখ্রে ।। থোরমু উবদা লাইমিংথোইনা খুংশোং লৈকচোন, খুংয়েংপু লৈথমদুনা নোংদমবা খুংলি ফিরোন-খাবা ঙানবা লুক্তিনকিয়োনব

হোংহুনা মাংদা লাইখন থানা শেংচিল্লে ।। লৈফম্বু (লৈশিল লৈহৌচিং) কৌনা লৈফম অসিদগী লৈথোনবা অমুক থৌহৌরে ।। লৈফম্বু মঙাম তরংহৌনা খান অমম্বদা লৈশারক্তনা লৈফমগী চীংশাং নাপোম অকোইবদা সনা, লুপা, কোরি, বোঙৌ থোক্নবা হাপ্লনা (লৈবি ভোনশোন মরিনবু) নোংচুপ ওনবা অমা, অরাং ওনবা অমা, নোংপোক চীংথৈ ক্ষাংবা অমা লৈখুম অহুম লৈফাৎ লৈশানা থল্লে ।। লাইমিংথোইনা রাথল্লি — লৈফম অশিবু লৈরোন নোংলোনভুনা লৈফাওনা লৈথম্বা রারদল্লা রাথন্দুনা চীংশাংবু কোইনা লৈয়েঙ্গে হায়হুনা (কুন্নং-মকুহিং) হায়না লাওবদা মকু কৌবা ঈচেক অমা লাক্লে ।। মকু অহুদা তোংহুনা কোইনা রেংবদা থবম্বু থাবা রারনি উহুমা লৈফম অশিবু লৈঙাক্লবা লাই শালাইশেন ৭ পু সনা হকং চাংদগী শাথোক্লে ।। লাইমিংবু ১- ভুহিংঙাংক্রংবা, ২- পাহিংঙাংক্রংবা, ৩- ভুহিং চিক্রংবা, ৪- ভুকুপলীভুরিকপা, ৫- ভুখিংভরিকচাংক্রংবা, ৬- ভুখিংলিক কুং কুং চিবা, ৭- ভুখিংভরং পুমজরংবা লাইবুংথৌ ৭ না থংনা লৈরগা ময়াইদা লাইমিংথোই (খিংখিং কুপত্রংচুম্মরে) কৌববু লৈথল্লে । লৈফম অশিগী মথক্তা লৈঙম্বা লৈফমদা রংখিংহমুমলেং ভাংনোংলৈভাংহিং) কৌববু লৈথল্লে ।। লৈফম অশিদা লৈঙাক্তনা তেংবানবগী নোংদম্লিবা পুম্নমক্কি মপা মপুরেব হকথংবা কুয়োমগী লৈচুম (রান্দেং খোইবী মপাম্মা) ভুমজরিবা (উংলৈহিংক্ষা লৈফাও এ কুংনোংলুম) কৌবগী লৈফম খোংলম্বু লৈরোনবা লৈফম্বু থংনা লৈথল্লগা হম্বরক্তনা চীংলেন মমিংবু (চীংথৈ লৈশিনচীং) কৌবগী লাইমিংথোইনা লুতুঙ্গী খোংলম্বু লৈয়েংলক্তনা অশিরোই চীংশাং কৌগ রশ্মে শিরোই চীংজাও হাম্মরে ।। নোংপোক লমদগী (হুনি, নারো) য়েথাইবা থিঙ্গাইবালাইনা, য়েক্রবনা নোংপোক্তগী (নোংচুপ খোংবু হাংহুনা থোংদরকপা ভমদনরা (নোংপোক নোংলেন চীং) গী লৈফমদা লৈবিভোমংশোন অহুম লৈফাৎ লৈথল্লে, চীংদোন্দা অমোমপা=অমোমগী লৈখুম্নি ।। ময়াইথংবা লৈখুম্না (কংলৈ পুংমাইয়োন সনা শংলেন য়ুমজাও) গা ওকশঙ্গা লামশঙ্গা, খুংলাইভাঙ্গা, (খুংলাই) বাংথৈতাওগা, (বাংথৈ) য়াংথৈতাওগা, (য়াইখুলি) থ্বাই-রোইভাগা (থ্বাই) ভুরে ভুথুপ ভুখোং ৯ বু লৈফাওনবা শেম্লে ।। অরাং থংবা লৈখুম্না ময়াই ভমদোংপালদগী লৈবাক লৈপাক পুব্বু কোইনা থুংনা লৈফাওনবা শেম্লে ।। নথা থংবা লৈখুন্দা (শল লোইভাং, খুংলাইভাং, ইয়মপুরেনপুং) বু লৈফাওনা শেম্লে ।। অহুম অশিনা পাওশা পাওদাক পাওজেমবু লৈথংনবা মতমু লৈহাপ লৈথল্লে ।। মমিংবু (অরাং কাইনৌ চীংথৈ চীং-থৈলমগী তেংবানবগী লৈরোমুংদগী শিম্বরক্তনা লৈশাবা ইরোং অহুম লৈফাৎপা নোংপোক লৈহৌচীং থাকোনা লাইমিংবু (ভুখিংহিং ভাং ভজংবা) লৈহল্লে ।। থৌরাইরগে রাথন্দুনা অরাংপাংনা ইথোং অমা ইচেমবা ইশিংমক ইরোং অহুম কাংবা কাওনা ময়াইদা (থৌহু অপাকপা)= হুজাও অপাকপা অমমা লেন্দুনা লৈথল্লে ।। লৈফম রাংপা হেক লোইবদা নোংপোক লৈহৌ

চীঙ্গা ফাইবোকখ্রা শেমগুম্না (ন, চ, থ, ই, ঙ, আ) লাইয়েক ৬ না নাওয়োরহুনা লৈপী অমম্ভ ইনথৎলক্লে ॥ লৈপী অশিবু উবদা লাইমিংথোইনা লৈপী অহুগী মমিংবু (চীংথাং) কৌয়, মচুনা (নোঙ্গী মচু মাল্লি), চীংলেন নোংপোক লৈহৌ চীঙ্গা, চীংথাঙ্গা অনিবু মিকু থানা লাইমিংবু লৈপুবক্খ্‌না (নোংচুম পুং মমাং থাওয়োইপুং) য়ৌনা পুবরক্লগা চীংথাবু (কুম্ভং-রোং, লেংঙাংতঙাং) লৈঙাক কৌহুনা (মুংপোবশীদা) থম্লে ॥ নোংপোক লৈহৌ চীংবু লাইমিং মেরুববু (তিঙ্খংরোং) লৈতম্না (শুমশঙপুঙ্গী মনাক্তা থম্লে ॥ অহুগা অমুক 'নংম্রেকহুনা (নোংজ্রমপুংদগী) শত্তোকখ্‌না নোংলেন পুং হায়বা অমা শেম্লে ॥ নোংপোক লৈংহৌ চীঙ্গী (চুক) ওইনা থম্লে ॥ পুঙশিগী মথক্তা (কাপ্পু হুইথারে) ॥ নোংথৌ কলাং থনা ফারে ॥ পুঙ্গী মখোঙদা হুই হিংচাবা - ১, শনহিংচাবা-১, মেলাংভোং হিংচাবা- ১গা অহুম শাথোরক্লে, হা ! অশিদি কারিনো মশিদি লুক্সুং বাবু পাওশানা শাথোকইদা অহুদি মাংহনবদি য়ারোইদৌরিবোইরে, মশিদি (মি, মরু মরু হিংপুচিলেম মিহিংচি) কৌবা অহুনিদনা হায়হুনা মফম অশিদগী লেংকদে হায়হুনা মুংপাক অহুম্না মখোঙদা নমথহনা থমলে ॥ সুংদি মঙানি মথা মাইগেদা থোংবু থিংহুনা লৈথম্লে ॥ নোংলেন চীংবু মিকু চিংনবা (শঙ্গাহরেনপুঙ) হায়বা অমগা কংলৈদা শেমহুনা য়াংলে ॥ লৈকম অশিগী লৈচং ওইনবা (লুনাপান) হায়না লৈকম অনবু য়াওখ্‌না লৈথম্লগা, নোংপোক লৈহৌ চীং মঙান মতিক মঙম্বু ভবং হেৌনা মশাময়োং ৯ ফাংনা লৈশাববু মিকু থানবা লাইমিংবু ঙাংক্রুংবা লৈহম্না লৈথরম্লগা অমুক হনওরক্খ্‌না নোংপোক পনশা নোংচুপ থোংথি লৈরোইবা (চীংথৈ কিহুর্প অহুম) মিকম্না চীং ১ অমুক শমথহুনা লৈথম্লে ॥ নোংপোক চীংথৈরোম মুবা লোক্রৌকোম সনাচীং মতোন্দা সনাগী শঙ্গাং ইবু লৈশানা লাইগী লাইশঙ ২ বু লৈশা লৈথম্লে ॥ মনাক্তা ঈশাইকু অমা লৈত্তৌহুনা লৈথম্লে ॥ ঈশাইফুগী মনাক্তা থৌহু মুজী মশক্তা খুদা অহুমু থাহুনা খুদা অমদা চীংথৈ মরু হায়না শাথোকখ্‌না লাইমিংবু (মিরুহিংপুরেচী) লৈহম্না ফম্লে ॥ খুদা অমদা (চেংচানিংথোবা) হায়না শাথোকখ্‌না লাইমিংবু (ফোরুচি) লৈহম্না ফম্লে ॥ খুদা অমদা নোংপোক অচিবনি লাইমিংবু (পিংপিং হোচি) হায়না লৈহম্লে ॥ শঙ্গাইগী মনাক্তা (শেনগী লাইশঙ অমবু অমুক লৈশারে, মনাক্তা খুঙ ৯ না খুনেংথানা থমহুনা পুন্সি লৈনি লাইমিং থানা লৈহাম্লে ॥ অমনা (হোরেং), অমনা (অহচি), অমনা (সনিক), অমনা (হোবোচি), অমনা (থহচি), (রুহোচি (, অমনা (গুহোচি), অমনা (রংহোচি), অমনা (রনিক) কৌরে ॥ মাপনমকপু (সয়োহিং, রহছি, সিংহনম্বি) হান্না লৈকাহনা থম্লে ॥ মনাক্তা (শল) অমা থম্লে ॥ শলগী মনাক্তা (মা) থোকপা কোম অমা লৈত্তৌহনা থম্লে ॥ মনাক্তা মা মচু মানবা খুঙ অমা থাম্লে ॥ মুজী মঙম (য়াপোকপা) মমখ লৈহাপ্পনা থম্লে ॥ মপুরেন্দি লাইমিংথোই

চিংখৈমক অচিবনি, মশক্কি (স) লাইয়েক্কি লাইমিংবু (মিহিং, য়োহিং) কৌয়ে ।। উংসোঙ হাই হাই, ওম-নিং-রিং-রিং সং-নৈ-তে-ওয়া) হাইনা শাংথোকহনা লৈশিংমতুমা লৈথম্বা হৌরগা অমুক মমাই মথা পাংনা নোংলেন লৈহৌ চীংদা লৈথমগদবা করি করাবু থাংলিগবা য়াংখন্দুনা লৈকম অতুদগী খোংশংলক্লে ।।x

কোঞ্জন তুম্থোকপনা মিংশ্লুরেম্বীবু য়েংদুনা লৈরম্দগী পাওশানবা

নোংথৌ পাংমদা নোংথাং লৈমা মিংলুরেম্বীবু উবদা মপুক থাহন অচক অঙাংহুনা ওকচানদুনা লৈবদগী কোঞ্জন তুম্থোকপনা হায়মক্লে ।। "শুনতরঙ্গী মথকতা মৈরা মৈরি মশক-কুয়া ঙান্না শানা লৈরিবী নংবু পাইমা ঐনা মুংজংবী তিল্লাং থোক্নদবীবু খোক্লরে, পেম্মা নংবু কমানো" ? হোইদা নহাবা, লৈকু মরুম থোইচোপ্পা, লৈরাই মরুমদা থোইংচাইবা, লৈতুমহুম্না পাওশবা, ইপনগী পুক্লাং কাইরেদো, পুক্লাং লোইয়্রোই কাইবত্র শিংবিরোই হায়দরা ? নানা শিংবিরোই হায়রগা ইপাথোইদা ঙাকনি শিংলমলাওদা হোইদা নহাবা । ঐদি পেংম্মান দা হুক্কেনা, লৈপাকশঙদা লৈবী কোকান কম্বাম্নাংবী, মনম্ব মুংশা য়াইবী চোমগী কাইতোইশিনবু হুনবনি হুনবনি ।। হে পেম্মা নিংথিবীও থিংথিং লৌজশে পামনা পোইনা লৌজশে ।। 'হে ইবুং নহাব-ও য়ায়োদগী শঙাইনা মচি কেক্র থোকতরি, লমহাংদগী কাকফৈনা মনা হুমাই শাদরি, তোক্কমদগী ওমুনা থোইজু তোলোক চিন্দরি, কোনবগী ঙাথানা চেঙ্গোই কবাকলাকতরি য়াখোক মপানশাদরি, শুক্লা মহৈ য়ান্দরি, কুমশি মপান শারগা নোংমৈ মহৈ য়াল্লগা লৌজ-রো" ।। পাওশারগা মাংগ্রে ।। মশক উরিউৈদি থোকাওরম্মি, হী ! করিনো ঐবু তৌঙম-লম্মিবা অসিদে, ঐবু কনানা তুংবুন লিকানরম্মিবা শাকচৈদা হায়না শাওগ্লকতুনা নিংশাবু মাইগৈ মরি লৈশিন্না ফুইনা ফুইনা লৈকামলক্লে ।। নিংশাগী ইহুন অতুদগী মৈ হৌরকতুনা অকি তুঙ্মুং তানশংনা মাইগৈ মরিদা মৈহৌরকতুনা মৈঙাম্তনা অকি তুঙ্মুংনা নোংথৌ পাংনা মাইগৈ মরি হায়গৎনা চাকথংলক্লে ।। থৌরম্বু উবদা লাইমিংথোইনা থংলহুনা থোংকাপ নারাই কম্না লাকতুনা মনাওগী নাকতা চংশিল্লকতুনা মনাওবু পেম নৌনা লৈথামনৈয়ে ।। ইশানৌ কোন্দে তনৌবা করিবু মুংবু অতুক থোইশাওবা নঙ্গী য়াইফংনবগীদমকতা লৈকম থুদিংবু লৈথি লৈয়েংনা পুং খুদিংবু শেন্নাথোনবা ঙাকতনি, নং ঐনা নোংদম থোপুবা অসিবু লৈমাং লৈমুং-হল্লগা কবি কমদৌনগে থাথনবা ? লৈমাংখিবনা লৈহানবনি নঙ্গী নিংশাদো হজিল্লু । ময়া-মনা লৌথাম্বু য়াদহুনা অহোইবনা মৈচাকলক্লে, লাইমিংথোইনা হায়ক্লে ঐনা লৌথাম্বু অংনা করি মুঙী য়াওমদবা, নংবু মাওবা থাখন থৌলিংজক্রিবা ইনাওনিদো হায়হুনা থেম্নৌ লৌথাম্বনি,

ইশানৌ নঙ্গী নঙম্নদি মৈহোৌরগা ময়াম্বা ঐনা নঙ্গী মৈহোৌলোনবু মৈমুৎ মৈথম্বদি থৌডমলোইবু রাথম্বোইনা ইনাওদি, ইশানৌ কোম্নন তুংখাকপা নপুক থোইনা কম্নাও হুম্না থোইরাং খোইশাওবা তৌওম্নম্ন ইনাওগী নিংশাগী নঙম্না মৈবাক্কি চিরা শুংদাই মরিবু মৈথুং মৈহোৌবা নংনা মৈমুৎলু য়াম্রবগু ইয়াম্বনা ইশানৌ নঙ্গী নঙম্নু তেংবাং থৌঙম ওইঙম্না মৈহোৌ মৈমুৎনৰ ৰীগে ।। লাইমিংথোইনা মনাওদা পাওদাক্লম্নগা ঈহৌলোন ৯ বু ঙংলক্রে, (উংচিরি, উংচি-খোম, উংচিবাক, উংচিরিং, উ.চিংক, উংচিংসা, উংচিম্না, উংচিখা, উংচিথুম) ইরোল ইহৌ ৯ বু ঙরুং ঙরুং হেক্তা ঙংহুনা নোংলোন পাংনা নিংশা ফুইনা লিকাম্না মাইগৈ মম্নিবু লিফানা হেক্তা য়েংলকপদা (নোংখোং নিক্লে নোংখোং লাওয়ে) অপম্নবা মৈতনা নোংলোন্দগী নোঙ্গী ঈশিংবু অঁকি তুজংং তানফংনা তাউয়ে ।। লাইমিংথোইগী মঙম্নু উনদা অতিযা মরু শিদবা মৈশিরেন মৈপুনবী অনিনা মচাবু পারি লাইমিংথোই নোংখা-ম্নো মৈবাকপু ইথুম ইরাক্লা মাংঙনি নপা ঐবু মৈফম মৈতরে হায়না পাওশানা চেম্নম্নুনা লাইমিংথোইবু মরুঅনিনা লৌখায়ে ।। মরুগী লৌখাম বাবু তাবদা লাইমিংথোইনা মব অনিবু পুরুম্না থৌনিরম্নগা মশানৌ কোম্নন তুখোকপদা হায়রে—"ইশানৌ নঙ্গী নঙম্নু উবদা মরু অনিবু থাংঙম মৈঙমদহুনা নফম্নাংদা লাক্লেদো। মরুবু মৈপাই নঙমো পাওশানা মনাওগী থুং-চেং পাম্রোই লাক্লা পায়হুনা লিপুন লিফাবা লাইয়েকপু মৈহাংহুনা মালেমদা মৈহৌবা অসিবু কোরৌ অসিদগী মৈফম অসিদগী মৈহৌ মৈহৌথি পোইরৈ চারোন শুরোম্না থৌকাঙনা থংঙম্নবা ইশানৌ নংবু লাইমিং (অপাম্বা) মিংহুম্না মালেম অসিদা মৈফু মৈশেম্না। থাম্বী মৈশেং মৈম্নিংহনা মৈমুত্তনা মরুনা মৈয়াংখিবা মৈদোম মম্নিবু মৈচুপ্না শাথোক কম্বাল্লাংনা মৈঙ ঙম্নবা তৌঙমলম্নু ।। কোরৌ অসিবু মৈহৌহুনা মালেম শিম্না চাক্লম্বা নঙাল কোরৌ থক্তা মৈকাবদে। নোংলোনগী মৈচিন্দা তিন্দুনা মৈদোম মম্নিবু মৈচুপ্না মৈশম্ন, কম্নি করিগুম্বদা শাথোকপদা লাইমিংবু (মাইগৈ চাকপা) হায়না মৈথংনবা ওইনশি। থাম্বী মাগী মচু মঙান ৭ পু নোংথো মৈচিন্দা তিগু থানা কোরৌ অসিদগী নয়াম্বা ঐনা মৈথমজগে ।। ময়াম্বগী নোংদম্নু তানকংবনা মশানৌ কোম্নম্নাংবনা মহাক্কি মহাক ওইবা অমা শাথোক মৈথমজগে হায়না লাইমিথোইদা থৌনিজহুনা লাইবুংথৌ অমা মহাকগী শাথোক্তুনা মহাক্কি মহাকমক ওইনা মৈফমহুনা মনিংবু (অপাম্বা = পনমমিংথোই) মৈহম্না মৈকু মৈরিং-বা মৈগৌ মৈকনহুনা মৈহৌনা মৈহৌরে । মৈহৌরোনবু – ১ – উং মৈমুৎশং ।। ২ – উং মৈতরংঙাং ।। ৩ – উং মৈঙাংতুহিং ।। ৪ – উং মৈঙানতুঙান ।। ৫ – উং মৈসংতরেং ।। ৬ – উং মৈকেম্বী ।। ৭ – উং মৈহিংসন ।। ৮ – উং মৈমিংতম্নং ।। ৯ – উং মৈসংম্নবাক মৈশেং ৯ না মৈহৌনরে ।

মরু অনিনা হায়রে, লাইমিংথোই কোন্দে ভনৌবা অপাম্বৃদি নোংদম্বীয়ে, পারি ইচানা লৈবাক্কী মুংঙাই য়াইক্কা নোংদম্বীগে হায়বগী লৈথোন লৈহৌবা লৈকম অসিদা নপা ঐগীগু কম্বাল লৈকম অমগুদি নোংখাই নোংদম্বীগু পারি ইচানা নমা ঐগবু লাথুপ শাথোক লৈতন্না লৈঙমজগে ।। লাইমিংথোইনা মরুগী থৌদা থৌপুনা নচাদি শিনগু লৈগুবতনি নতিক নঙম্ব্ ঙাক্তনি নচাগী নঙম করিবু লৈহুনা মরুগী কম্বী লৈহুমবা ইচাক ইরন লৈজদে লৈবা থিবিক পলেম পম্হৌগী ঙাক্তনি মরুগী খোইজং লৈতাবা কম্বি লৈফম পুম্বদা মা কম্বাল লাংবিরগা ভুংইন থৌগনবু ওইজনা পলেম পম্বৌ অনিগী নচানা থৌগন তানফংবা নফম লাংদা লৈজগে পরম অসিবু তানফংবা কুবি নোংখাই নোংদম্ব্ নচা ঐনা নফম্লাংদা নিজহৌগে মরুগী মা কম্বাল ঙাক্তনি ।। পারি লাইমিংথোই নোংদম্বদি (মুমিং, খা, থরাইপীচানা ফংদবা, অরিংবা অশাবনা য়োদবা) থরাই য়াইবীতনা তানফং লৈচংকম ওইরবা (উংমরি, শিমরি, য়াইমরি) হায়বা লৈকমদা পুম্নমককী থৌয়েংফম্বাল্লাংনা থৌয়াবা মশাক্তগী ঐহাক ওইবনা নোংদম্বনি ।। নোংদম্ব্ থৌদা লৈশিনববা নপা ঐনা লৈশিনজবনি মপু মাগী নোংদম্ব্ থৌরম্ব্ থৌশক লেপ্পনা নমা লৈশিরেন লৈপুনবীনা মওং মশকপু লেপ্পনি, থৌঙম থৌপু শিজবদি পারি নংতনা শিনগুবনি অহুনুঙ্গীদমক্তা নফমলাংদা নপা ঐনা লৈনিবনি ।। নঙম্ব উবদা নপা ঐনা পারি ইচাবু থাকৌনা লৈথাম্ববু লৈহৌচীংদা লাকপদগী মপা মচা অনিবু থানবা লৈংতনা কমলেন কম্বী শেমহুনা লৈমিন্নখি চাদোন গুদোম্না থংনবা নপা ঐগী ফম্বী লৈফম্বু নোংদম্না শেমলো, পারি নংগু নপা ঐনা থা কৌ লৈথিম্নংনখিদো খংনবা নমিংবু (নোংপোক কৌত্রু অচিবা) মিংহুম্না ইফমলাংদা লৈঙম্বা পারি নংবু তানফ.লো ।। মরুগী থৌদাবু থৌপুনা লাইমিংথোইনা চীংথক্কা থৌহু =মুং ময়াম্বু লৈহাপ লৈথম্নহুনা লৈথমলগা, অতিয়া শিদবগী কম্বী লৈকম লৈহুম্নে ।। চিংবা পনশা লৈহৌনবা লৈথিবদা মরুগা মমা লৈশিরেনগনা মালেমগা থৌহুগা লৈতিন লৈপিনৈ লৈথংনবা মরু অতিয়াবু (মুংকাংমহারাবা), লৈশিরেনবু মুংমুতুমদা মাংদবী = তাওবীরোইলাই মিংহুম্না শাথোক কম্বাল্লাংনা য়াহিপ চাকচা লৈতম্না লৈঙমলে ।। য়াহিপ চাকচা তম্বদা (ঈশিংওমথি) গা (মৈশনুবী) গা শাথোক শাফোংল্লে ।। ঈশিং ওমংথিগী লাইমিংবু (পুংথোং) লৈহুলে ।। মচুমঙানবু (হিগোক লোইয়াম্বা) মচু মঙানবু নোংদম্না লৈথেম্নবদা মপারি কৌত্রু অচিবা লাইমিংথোইনা মালেমদা থুহুপ ৩ গা কাপ ১ লুনা লৈতৌহুনা ঈশাইফু লৈশেম্না ঈশিংওমথিবু লৈথমলে লৈফম অহুদা ।। ঈশাইযুবু মৈশম্ব্বীনা লৈশং লৈকমলে ।। অসিদগী হৌনা ঈশাইথোং (৩) লৈথম্বা হৌরে ।। লাইমিংবু (কোংঙাথোং পাং, মুয়াপাং, নোংদমপাং) হায়না লৈথজ্ঞ । অহুলগী ঈশিং ইঙৌবা থোং (৩০)

লৈফাংনবা ইঙৌবা থেং মরু অমগা শেমদুনা লাইমিংবু (ওমনোংথি — ঈশিং ওমনোংথি) মিংহুন্না শেমদুনা লৈথম্বা হোৌরে ।। মতুংদা (লম লমপু) হায়না লাইগী থুবম অমা শেমদুনা মুং অমনা নন্দুনা লৈথরে ।। লৈকম অসিদা লাইমিংথোইনা ভেংবানবগী মপুগী মিরেন শিদববু) লৈফা লৈথমদুনা (লৈকম থাগোল্লবা) লৈফম্বা থোৌহোৌরে ।। লৈকম অমা অমুক (অমম লৈশালোক) মিংহুন্না অমত্তু শেম্লে ।। লৈকম অদুদা নুংমশক ৯ থোক্লা থাদুনা মুংকাংমহারাবগী লাইকোনবু শেমদুনা মালেমদগী লৈহৌরকপা লাংনা, উনা, রানা, উরিনা মথক্তা কুপ্তুনা (শম্লাং হামুল মথক্তা উরিশেক শমজিন থেৎপগুম্না কুপ্তুনা লৈথমলে ।। উরিশেক থেৎপগুম্না লৈরিবা হামুল অদুবু লাইমিংথোই কৌক্রু অচিবগী খোইরি লিনশাংবু শাথোক্তুনা য়েত্তুনা থম্লে । খোইরি লিনশাঙ্গীলাইমিংদি (রুপা রাক য়োমশং) কৌয়্লে ।। নঙ্গী নশক ওইবা অদুবু মখুৎনা উরিশেকি মশক তোংবু পায়দুনা গুদুনা নোংপোক কৌব্রু অচিবনা কোন্দুনা লৈরে ।। লাইকমগী লাইমিংবু (শমচুরোক) = শত্তুরোক মিংহুন্না লৈথম্লে ।। মফম অসিদা তারিবা ঈশিঙ্গী মচুনা (উতি চুবদা তারিবা ঈশিঙ্গী মচুগুম্মি) ঈশিং অশিবু হাওচক ইথিংবু লৈকাৎলরবদা ঈত্তা ইকাওনবা লৈমুংদা ইকাৎ লৈথম্না শেম্লে ।। হাওতক লৈযম অসিবু য়ৌনা ঈশিং অত্তনা তাবদা লৈবাক্কি অরাবা খোইশাওবা, লৈবাক ইরাং হোৌহনবা, মতিক মঙান চাওবা অঙম্বা অথোৌবা তুংদা লৈগদবা তাইবংশিংবু পুন্সি মুংশাংলোই হায়বগী খুথিনবু খংনবা ওইনা মমিংবু (লিক্লা শোরেন ঈপুবা) কৌরে ।। মেকুবা মমিং (তক তক কক হিং তিং) লৈহুন্না থম্লে ।। লৈকম অশিদগী লাইমিংথোই কৌব্রু অচিবগী মশক তোংবু শাথোক লৈথম্না পরম থোৌরম্বু লুতুং য়েংনা লৈশিন নোংদম্লগা নোংপোক লৈহো চীংবু চিংদোন অরাংবা লোয়্না কাথৎলে ।। চীংদোন্দগী অরাং পাংনা (লোক অমা) শেম্লে ।। মপান অকোইবা থুংনা মালেমদগী উরি বারী নাপী শিংবী পুথোক্তুনা হোৌহল্লে ।। অদুগী মতুংদা লাইমিংথোইনা (মাগী তু চেন্দবা) কৌববু ফুক্তুনা শিদবা হিদাক অশিবা হায়বা মশকপু তানফলবদা থরাইবু ফাদুনা লৈহাপ্তুনা অহিংবা হায়বা মশকপু ওইহনবা ঙম্বা হিদাক মপান ৬পু মালেমদা থারে ।। মমিংবু (তুংহিং থোম্বীমা কৌরে ।। মউবু ঙাংহল্লি, মরানা কৌহল্লে, মপানবু শংনা শাৎহল্লে, মহৈবু মুনা য়াশহল্লে ।। মনাবু খুৎনাওবীমুক পাক্লা শাংনা মচুবু রাওথাংনহল্লে ।। লৈখিবনা থিঙম্লগা থংজশনু নোংদম্না মপাম্বীবু (মালেমদগী খুদুপ (৩) রাংনা চিংখত্তুনা হোৌহল্লগা নাপী লাং চরোং উশা রাশানা মনা মশা হায়থনা খন্দুনা য়োমদুনা খংবদা রাওম্লবা পরম্বু খংনা লৈখিরগা তানফংজবা ওইনবা লৈথমলে ।। চীংগোই লাই অমত্তু শাথোরক্লে, লাই অসিবু লাইমিংথোইনা ফাদুনা মুংনা নন্দুনা থম্লে, মহাক্কি (মিমুংলেন) কৌবা লাইনি ।। চীংথক্তা

লাইমিংথোইনা মাগী খুবম্ শেমদুনা লাইমিংবু (হিংঙ্গা মিরেন খোম্বা) লৈদুনা লাইমিং-থোইগী মশক অমা খুদম থারে । লাইমিংথোইগী থৌরাংবু উবদা লাইরেম্বী চুংমুতুমদবী তাওবীরোলাইরেম্বীনা লাইরেম্বী (৩) বু শাথোক্লদুনা লাইমিংবু (মিহিংলেন মিথুম্) লৈদুনা চীংমাইদা থম্মে ।। মমাগী থৌরম্বু উবদা হী! মসিদা ঐ লৈবা য়াদ্রেনা ইমানা ঐবু থৌরোইরো নোংদনলক্লেনা লাইমুরাবীবু শাথোক লৈথম্বপা অসিনদি খন্দুনা লৈকম অদুদগী কৈদ পুংমাইয়োন তানা খোঙ্গারক্লুনা (নোংহুমশঙ) গী চীংথাংবু কৌদুনা চিং-থৈগী চুক ওইনা থাদুনা ফারে ।। পুং অসিবু চুক থারিউদা চীংখোংদা (ওক্লাই অমগা), শম্লাই অমগা, কৈ লাই অমগা শাথোরক্লুনা লৈরমলে ।। হী: করিনো মসিদি লৈফা লৈ-থমদবা য়াদেনা মখোই অসিনা শাথোক্লক্লবদি লৈবাক্তি অৱাবনিনা হায়দুনা থোত্ত চুং ৭ পু লৌক্লদুনা লাইগী মমিংবু (সবোহোংসতাচি) মিংহুম্না চুংহুনা নন্দুনা নমথরে ।। হুদগা নোংথৌথোংবু খিংলে, (লৈবাক করোঙ্গ, নোংথৌ করোঙ্গ) অনিবু লাপ্পদনা য়ুংদুনা থম্মে ।। চীংখোংদা কোম অমগা লৈত্তৌদুনা থম্লে, মমিংবু (লাইপাং = লাইরেনপাং) মিংহুম্না লৈপাক শিবদু পুল্লি চুংশাং লৈশিবা, লৈপাকপু মাংহন তাহনবা নোংদম্ মতান লৈহাপ্পুনা লৈথম্ম ।। চীংলেন মকোবপু নোংপোক পাংনা শেম্মে ।। চীংদোন্দা নোংথোংশিজুনা লৈরাকপা বে ।। লৈকম অদুদা নোংথৌকরোং লৈপাক করোংবু য়ুংনা লাপ্পদনা থম্মগা মরাইদা (কাপতু কাশলেন) থারে ।। হুমুতুমদবীনা উংমলে—চাংলেনগী মতম্বু লৈহাপ্পদুনা খুবম্ লৈথম্বা লোইওমগববু লোই-ওমহল্লগে হায়দুনা মহাক্তী মহাক ওইবী লাইমুরা ১ শথোক হন্দনা মমিংবু পাম্ভোইবী মিংহুম্না লৈকম অদুদা থারক্লে । মশক্তি, (শক্তিবীনি) ।। মশক অসিবু শাথোকপা হেকউবদা উম লৈকম অসিদা ঐহাক্লা চুংশাংনা লৈশুবা য়াদ্রেদনা হায়দুনা মক্কম অদুদা (থিপ্পীখলোং) লৈ-থারগা, মনাক্তা (লাইকোম অমা শেমদুনা থম্মগা খোংশাল্লগে হেক তৌবদা লাইরেম্বা অদুনা শানা য়োংকি চৈশু পায়রকপবু লাইকোম অদুদা লৈথাদুনা চৈশুবু লৈথম্মি থৌরম্ উবদা হী: করিবু মত্তৌনো মশিনা শাথোক তৌইরবদি লৈবাক অৱাবা তোইনা তাম্মেংবা ওইদৌরি-দনা হায়দুনা লাইরেম্বীবু (লাংম্না মিহিংনপ) লৈদুম্না লৈক! লৈথমলগা লাক্লে ।। লাইমিং থোইনা হনউবলক্লনা মৈহৌ মৈশংফমদা লাক্লনা মনাওবু ইশানৌ কোন্দে তনৌগা ওক্লে থাম্বী মৈহৌ মৈশংবা য়াম্বনা নওম য়েংঙ্গে তৌবনি, করিমুঙ্গীবু ইনাওনা মৈয়াং মৈশংদুনা লৈপ্পদগে ইনাওগী থৌরম পুম্বগী থৌয়েঙ্গদবা থৌপুরেন ওইগদবা ইনাওনি, নঙ্গীদমক তাক্তনি পুন্নমক চংলশি লাও নোংদমথৌদাবু থৌউম্নবা য়াম্বনা নোংপোক পনশানা (নোংচুপথো) লৈথিংবা লোইরে নোংপোক লৈহৌদগী অৱাংবু উরান্দনা অৱাং পনশানা খাথোং থিংনবা তৌরশি ।। মা কোঞ্জন লাংবা মরাম্ভঙ্গী য়াথংবু তানক্কংলবদা মহাক্তি মহাক ওইনা শাথোকপা (নোংপোক

অপাম্বগী) লৈকমদা মতিক মঙম লৈবা থিবিকপু শিন্নহুনা চক কৈদোন ৪ বু লৈথইরক্ল-বদগী হৌনা কৈদোম ৪ বু লৈচুপা লৈফম অসিদো নঙ্গ লৈকম কম্বান ওইনা কোরৌ অসিদগী হৌনা লৈকম্নহুনা থাম্বী মৈশেং মৈরাবু মৈরৌ মৈহৌফম লৈফম ওইনা লৈঙাক্ক-না। মৈলিং থৌম্নেং পুংমলো। য়াম্বগী ম্নাথংবু থৌঙম থৌপু নংনা ঐনা য়াম্বগী হৈনা খৌথন শানফজনা শুইঙম্না হৈনা তুংইনমবগে। পাওশা লৈশিম্না মাগী মশক্তি মহাকপু লৈথমলম-হুনা মচিন মনাওবু নোংপোক লৈহৌচীংদগী অরাং উম্নানলক্কনা পল লৈফম লৈযেংলক্লে ।। মচা অনিনা অরাং পাংনা খোংশানথ্রবদা মরু অনিবু মাগী মাগী কম্বাল লৈফম খুদিংদা শাথোক নাইর লাংপ থান্নখিবা মশকপু লৈথম্নগা মরু অনিগু হনঙম্নক্কনা হৌক লৈ লম্ম হনবা কলৈম্না পুংমাইয়োন্দা লৈঙম্নে ।।

২

অরাংদা চিংবা ৯ পনশানা, থা থোংবু লৈথিং লৈঙাকপা

লাইনিংথোইগা মশানৌ কোন্দে তনৌবা কোঞ্জনতুথোকপগা অনিনা অরাং পনশা পম্ভিং-নবা লৈরৌফম্নু লৈথিবদা ভানফংদরে । লাইমিংথোইসনা পুক্লিং য়াঙম্নে। ঐবু করি কমদৌ-শিবনো নোংদম থৌদদি থৌঙম্নবা থৌপুনি থৌম্নারকই অত্রবু মালেমবু লৈরৌনবা লৈপদি লৈ-থিবগু ভানফংদে ঐবু করি কমদৌশিবনো হায়হুনা মুংগুক মুংজা মুংবংনহুনা য়াথল থৌঙম-লম্বদগী অতিম্না মরু শিদবনা তাকপিখিবা য়াহু নিংশিংলক্লে ।। নোংদম্বদি (উংলোযাইবি-রেন শিদবনি) থৌশিনবনা ঐহাক্লি, থৌঙম থৌপুবনা নহাক্লি হায়বিখি অহুনদি উংলো-য়াইবিরেন শিদবদা লৈনিদরবদি থৌরম্নু থৌঙম্বা ঙমদবা ওরে য়াথল্লক্কনা লাইমিংথোইনা লাইনিং কম্বাল লাংঙম্না উংলো য়াইবিরেনশিদববু থাগোম্নহুনা পুকম লৈপাই মৈহৌনা ইরাং থৌনি লৈহুনববু থৌহৌরক্লে ।। মৈহৌরোন ৯ বু ঙংহুনা থাম্বী মৈশেং মৈহৌরে ।। লাই-মিংলাইশোলনা থাগোম্নে খুংশা তরাগী তাংকক ইযেক্লা শিংথা শিংহাপ শিঙ্গনহুনা থাকৌ থৌনিরে ।। তেংবানবগী মউ মপা নোংদম্বা উংলোয়াইবিরেনশিদবা ওরা ।। ম্না অহিংবা কোক্লেন শাংপা ওরা । মহা মহিক থোম্বা ওরা ।। তরেং তম্নেং সনাচিক তম্নেং থোম্বা ওরা । পাখংয়োই তরেং থোম্বা ওরা ।। মিত্তোংলেন সনামনিক ওবা ।। সনা লৈক্রেং থোম্বা ওবা ।। কুং শংং কুং ওরা ।। উংলৈহিংফা লৈকাওয়ে কুংনোংলুম ওরা ।। হয়ম হয়ম হয়ম ।।

লাইমিংথোইগী থাগোন মিংহুন শিংথাশিংহাপ থাকৌ অসিদা নোংদম্ববু লৈঙম্বা য়ালহুনা

নোংলোন্দগী লৈখারোন্দা মচাক্কী মচাকমক ওইবা অমা শাথোক লৈথমহন্দ্রনা ঈশিংতরঙ্গী মখাদা খুদা অমা লৈথা ই. কন্না লৈপিগা কুবিহুনা। (কুরু তিক্কা কুরুং) হায়না মশক অমগা শাথোকহন্দ্রনা মশক অহুগী মথক্তা ক্কমহুনা লৈথম্লে ।। অতিয়া শিদবগু মপারি লাইমিংথোইনা তেংবানবগী নোংদম্বা মপুন্নেন উংলোয়াইবিন্নেন শিদববু তাকঙমখিবা পন্নম্ন থোকাওন্দনা থৌবম্বু থোহৌবা ওইনা মপুন্নেনবু লৈপাইনা লৈনিজবহু উন্নক্কহুনা মচাগী থোঙম তেংবাংবিগে বাথন্দ্রনা লৈখারোন ইম্নুংবুংদা কুমথখিহুনা ঈশিঙ্গী লৈখাদা করি করাবু লৈবগে লৈথিরক্লে ।। নোংদম্বনা থেঙ্গ্রগী মথক্তা তোংহুনা ঈশিঙ্গী মথাদা লৈবা মশকপু উরে। হীঃ করিনো নোংদম্বা মরুদি লৈখারোন্দবু লৈরম্লেনা, নোংলোন্দা লৈফম্বনি হায়ববু লৈফম অসিদা কদৌরম্বা ওইগবা হায়হুনা নোম্লক্লা মরুগী নাক্তা চংশিন্নক্লনা লৈপায়না। লৈঙমলক্লে ।। নোংদম্বনা হায়যে—“অতিয়াশিদবা নংবু লৈফম অসিদ কদৌবা লাকপা”? “মরু তেংবানবা অশিবু ইংঙাল লৈশানবা নোংদম্বা মপুবেন্দি মরুনি, মাংলমগী মপুশু মরুনি, লৈথোন্নবা লৈচাক লৈরোনবা লৈতননা লাইমিংথোই নচানা নোংদম পোপু থোঙম্বদা ঙুংবংনবা ওইঙমলে, লৈমাং লৈমুত্তবা লৈপী অমতা পিনৌ হায়হুনা নফম্না বু লৈথিনা নকাফমদা লাকচরি” ।। অতিয়া নংনা লৈপাক পীয়ু হায়বা অসিদা ঐনা পীগদবা লৈপাক অসিদো অসিমঙাইরে ।। মহুদি নখুৎ অনি অহু নতুংলোমদা থম্নগা ঐগী খোইদৌ অসিদগী (পুক্লং ঙাইখোংলংলুক) মরুম লৈখিও = লৌখোও তাক্লে ।। অতিয়াশিদবনা মখুৎ অনিবু মতুংলোমদা থম্নগা ময়ানা চীক্লনা (পুক্লং ঙাইথোং লাংলুক মকম) চাওনা লৌখৎলে. লৈপাকপু লৌখৎপা লৈফমগী লাইমিংবু (থোইরৌ লৌখৎ) কোযে । লৈবাকপু ময়ানা চীকতুনা লৌখৎপদা অতিয়াগী মমিংবু (লৈরংলেন লৈপুবা) থাকোরে ।। উংলৌ যাইবিরেন শিদবগী মশক্না হংঙি, অতিয়া শিদবা মরু = লৈরুলেন লৈপুবা, নংদি লৈবাক অসিদো করিদা শেমহনগদৌবা ? মরু মহুদি মরুনা নোংদম্বা লৈফম মশক্তা শেমজগদবনি নোংদম্বীনি মরু ।। অহুদি মরু অতিয়া ঐনা তোংলিবা থেঙ্গ্র অসিগী মথক্তা তাথোক্লনা শেম্মো হায়না থেঙ্গ্র অসিবু লাইমিং অমুক (তিকতা লৈতোংলেন লৈথৎপা) মিংহুন্না অতিয়ানা লৈপাকপু ময়ানা চীক্লনা অতিয়া মরুগী লাইমিংবু লৈরংলেন লৈপুবা মিংহুন্না থেঙ্গ্রগী মথক্তা তোংহুনা লৈখারোন্দগী মপারি লাইমিংথোইনা তেংবানবা মপুবু পুরুম থাগোনবা লৈফমদা লাক্লনা মপান্নি লাইমিংথোইদা তাকপীরম্লে ।। লাইমিংথোই নোংদম থৌদাবু থৌঙম্নবা নপা ঐনা পান্নি নঙীদমক্তা তুমদমাংদবা মালেম ইমা লৈশৌ লৈমবু পুরক্লে লৌরো, কুরু তিক্তা থিংকুরুং অসিগা তানহুনা থেঙ্গ্র অসিগী মথক্তা লৈপাকশু তাথোক্লনা চীংবা পনশানববু মম্নুং মতম ওইরো পাওশানাপিরে ।। নোংদম থৌদা থৌপুনা থেঙ্গ্রগী মথক্তা মালেম লৈপী তুমদা মাংদববু

লৈথন্না লাইমিংথোইবু লাইমিং (লৈরংলেন লৈতকপা) মিংতম্না তাথোক্তুনা মাশেম লেপী- বু তকথোক্লে ।। লৈপীবা লৈফম অদুবু (সং মরুশিদবগী লুরাই লেমফু) হায়না কৈথম থরে ।। লাইমিংথোইনা পনশাপশিংববু থোহৌরগে নিংতুনা লৈপাক লৈঙাক লাইনু শাথোক- তুনা লৈথম্বা হৌরে ।। নোংচুপ্পা (পীশাতাও), মখারমদা (করিবু), নোংপোক পাংবদা (করানা), অরাংদা (নোংদমথুবা) থোইমুম ৪ বু লৈঙাক কৈথম লৈহৌবা উবদা অশিংগী মরু শিদবনা থেঙ্গুদা হায়-

থেঙ্গুও নহাবা,
লৈবাক লৈরোল পানবা
পরম অমা থোপ্তুশ
নংবূ লৈপাক পুবোলাও ।।

থেঙ্গুনা হায় - ঐনা লৈবাক পুবদি
লৈরোল থাবা ওইগমলোই
ইনম পোল্লি পুকদে ।।

অতিয়া মরুনা - থেঙ্গুও নহাবা
ননম পোল্লি হায়বদো
নঙ্গি নঙম শিঙ্গোংনি
থেঙ্গু লৈফম পুদবা য়াদে পুঙ্গু ।।

অসিবু মরাক ময়ুং পাক্লা শাংনা লৈরোনগু থানবা থৌরম পরম অমা থোহৌশি লৈফম অশিনংনা পুরো ! থেঙ্গুনা থুম্মি "নয়াথংবু থোপুনা পুবদি পুজগে অদুবু ঐনা লৈপাকপু পুবনা নানিং থুংববু মমু মতম খামতম্লোই, তোক্লেনলিশিং লৈপ্পানুবা, হি য়াই লৈপুবা, লৈয়ুং লোঙ্গা অরিবা লৈয়ুংথাবা তাওরোইলাই থোংঙারেন পন্থৌ অরিববু) থাকো- না তাম্নবনা মমুং মতম ওইগদরা" মরুগী নোংদমু থোপুনা লাইমিংথোইগা, থেঙ্গুগা অনিনা থাতাম্নহনা লৈয়ুং লোঙ্গা অরিবা তাওরোইলাই থোংঙারেনবু) থেমনৌনা থাকৌরক্লে ।।

আথিং কোবে থিংকোরে
থিংকো লাংমৈ থিংকোরে
লাইবেল কোকপা থিংকোরে
হেহৌ তানহে হৌ
নে নে, নে নে নে,
রি রি, রি রি রি,

রে রে, রো রো রে। ।। হায়না লৈমুং লোঙ্গা অখিববু কোথোক্তুনা থৌনেক্লবদা লৈহুং লোঙ্গা অরিবা থোঙারেনগু থোযাহুনা খোইয়ম মচি নমনাওদা থেঙ্গুগা লৈমিন্নহুনা থৌহৌরে ।।

কোরুতিক্তা থেংগ্রউ চীংশেম্বা হৌবা

লাইমিংথোইনা থেঙ্গুগী মথক্তা লৈশিন্দুনা মানেম্বা শাথোক্তুনা থেঙ্গুগা থাংচবেনগা অনিগী মথক্তা লৈগমহুনা অরাং পনশা চাংলোন ৯ বু লৈখন লৈথোম্না অবা পনশাবা লৌইতুনা খাথোং লৈথিনবা লৈঙাক লাইবু লৈখন্নবা চীলেন মখুংশু থান অমম্দা লৈশাবা, অরাং ইরোক মা চীংশা ৯ ফাংবা তেংবানবগী যাইফং পবম্, হানিং নবা, কুমজ্জা থাজ্জা খুদিংবু অনৌ অপেন অচা অথক লৈবা খিবিবপু নোংথাই নোমন্নবা মথৌ মতম্ লৈহাপ লৈথন্নবা লৈফম্ থেংগুউগী মনঙ্গন্দা লৈহাপ লৈথন্না লৈশাইযে অহুন্নঙ্গাবু (কংলোইয়া অরাং থেংগ্রউংচীং) থাকৌনা লাইমিংবু সনা থেংগ্রউ চীং অরাং চিংরিক) লৈহল্লে ।। মতুংদা লেংলি পাম্লিবা অচৎপা চত্তবা লৈতম্নগদবা মশক পুম্বগী য়াইফং পবম্ লৈথিনফম ওইজনবা বাখল্লকতুনা লৈমুং লোঙ্গা অমবা তুবি লৈবাং শাংথনা শাংথা লেংথনা য়াম্বিল্লিবা থোংঙাম্বেনগা তাম্নহুনা থাবা তানবাইলাই অসিগী মথকতা লৈথমহুনা চীংলেন অমগা শেমহুনা লৈথাম্নে। চীংলেন অসিবু অরা মা ইবোক ১২ ঈথন্না চীংশা নাপোম তরামথোই লৈহাপ লৈথন্না পনশাহুনা মমিংবু (মহৌ থেংগ্রউং কুরুমচিং) থাকৌনা লাইমিংবু (কংলোইয়া কুরুম পুরুমচাং উংরিং) মিংহুন লৈশানা লৈথম্নে । লৈফম অশিবু লৈথোল্লম্নগা লাইমিংথোইনা অরাং পাংনা খোঙ্গারক্তুনা করি করাবু লৈরাংলিবা রাখন্দুনা কোইনা চৎনা লৈয়েংঙি, লৈথোনবগী রাবগা লৈয়েং লৈকোইবগী রাবগা থবাক মৈবাঙৌ, খৌনাও নিংশা মৈবা লিচিংনহুনা মালেমদা ফম্বাললাংনা অরা পোথশা ওইলৈয়ে ।। (গ, ও) লাইযেক অনিনা নাওয়োম থাম্নশাথোক্লখিবী লাইবেম্বী (তুবৈ খোলৈ ইরৈমা । কৌবী অরাং পাংনা খোদাখিবীনা লাইমিংথোইগী অরা পোম্বা ডনবা থবাক মৈবা চৌবা, খৌনাও মৈবাচিংনা নিংশা ইহুনবু নালুইফুইনা লৈওম্বু উহুনা লাইমিংথোইগী স্নাহকচাংবু অরা পোথা ওইগদরা রাখন্দুনা লাইরেম্বীনা মহাক্তগী মহাক্নুম্বী লাইরেম্বী অমা শাথোক্তুনা লাইমিংবু রাংলৈমা লৈগুম্না ময়াই কাবা ঈশিং ঈখোং ওইনা অরাংলমদগী মথা পাংনা লাইমিংথোইনা ফম্বালিবা লৈফম্নু লৈথুংনবা চেম্নখল্লে ।। লাইমিংথোইনা ঈখোং ইচেম্লকপা উবদা এা মশিদি বরিনো

নিংথিজৈদা মহাওবু মতিক মঙম হল্লদবা মানখ্রেদা, বদোরমংগনা থন্দনা ঈশিং অতুগী মতিক মঙম্বু থংগে হায়রুনা মায়াই কাবা ঈশিং অতু লাইমিংথোইনা থুংচোক ১ বু লোইদুনা থকওল্লে ।। ঈশিং অতুগী মহাওনা লাইমিংথোইগী থবাবপু চিংথাই শেগাইগদৌগুম তৌওল্লে, হীঃ মশিবু করিনো ঐবু অগুম্না তৌওম্বা অসিদি লৈথম্বা যাবা মশক খংদেনা মশি লৈকং তানা থবথোক্লু-না লৈথম্মদ্রবদি অরা তানফংনহৌবা তারে রা থন্দনা ঈশিং অতুবু উপ্রাক্সা হিপ্পনা চিং-শিল্লকপদা ঈশিংবু ইকংনা ইচুপ থোকপস্থ উমহৌদনা মালেমদা উতুপ ঐরা তাবগম্বা তাহনা লৈওমখ্রে ।। লাইমিংথোইগী রাথনবু থাপাংনা লৈকুপল্লুবে, অরাং পাংনা থোজারক্কনা কুরুম চী লেন্দা য়োংম্নক্রগা থেংগ্রউম চীংলোনবু চীংদোন লোম্না কাকরগা লৈফম অহুদগী মাই নোং-পোক চীংথৈ পাংনা চংখিহুনা (চবৌফহোংচীং) ওম্না থেংঙরক্কনা চীংদোন লোম্না রাথল অহুদা কাররক্লে । থৌরন অসিবু উংলৌ য়াইবিরেন নোংদম্বনা উরহুনা লাইমিংথোই অসি-গী রাথন অশিদি কাংথ পুথংনরোইদৌরি হায়দুনা নোংদম্বা মরুনা চরৈফিংহো, চীংদোন্দা স্না ফম্বাল্লাংহুনা থংলে, লাইমিংথোইনা মরুগী শকথোংবু তানফংবদা হীঃ মশিদি কনাগনা নিংথি চংথোনখরেদা লৈথোনবদা লৈফম অশিদা লৈওমদে, ঐনগু লৈথনলমদে কদাইদগীবু থোকওম লাকওমহুনা লৈওম্নবনো রাখম্না নোংদম্বু য়েংহুনা চংশি চংউমদা, হংশি হংওমদনা য়েংহুনা নোং-ওম্লে ।। থৌরম অসিদো (তুরৈ খো লৈমা লাইরেম্বীনা) উওম্লক্রে, হীঃ করিনো মাংলেমদনা ঐনা তৌওম্নবা অসিদো অরা পোথানরা হায়ববু লৈমুং লৈমাংনবা তারেনা থৌরম অসিদি মমুং মতমম্ব লৈরাংলি, ফৈদোম ৩ গী চকগু লৈয়াং লৈহৌনদরি করমনো ঐদি মরুগী মিচৈ তানফংনবা থৌপুরেদনা হায়হুনা লাইমিংথোইবু থাকৌরক্লে ।। হো লাইমিংথোই থৌহৌরিবা পরমদো মমুং মতম লৈথুংদরি লাইমিংথোই নংবু হনওমলকখো নথৌনওম্ব থৌহৌবদা মঙাইরি হনওমলকখো হায়বা মাইগৈ ৪ গুংদাই ৪ বু চেন্দনা লাইমিংথোইবু থাকৌরক্লে ।। মহুদা নোংদম্বনা হায়, "লাইমিংথোই নংবু অশিদা কৌদৌবা লাক্লবা লৈফম অশিদা লাকদবা মশক্তি পোক্লগা শিবা, শিরগা পোকপা হায়বা চংলগু লৈশ। নোংদমলগা লাকদবা লৈফম্নি, নংদি লৈমুং লৈমাংবা য়াদবা লাইনি, লারৈ লথুপ থাওম্বদগী হেন্না মাংফদবা নংনি, করি হুংবু অশিরোইবু শাবনো নাথী লোইদে কৌওম্নি পংলেম শেম্বী নমানা তাদবরা হনওমখো অশিবগু অহিংবগু, থৌরম পুম্বা থৌহৌনা লৈথম্নগদবা নহাক্নি হায়না নোংদম্বনা থগুনা লৈথাম্বীহুনা হনওমহল্লে ।। খুদক অহুদা লাইমিংথোইবু মালেদা তুহুনা লৈবদগী হৌগংলক্কনা হীঃ করিনো ঐনা চংওম য়োঁওমখিবলম রাদবগু য়োক্লবে অথংবগু লৈথুংলুইদা ঐনা তৌওম্নবা পরম থৌরম অশিবু কদৌম্নগী চংলমনো বানা হুংওাইরমলেদা, ঈশং অসিদগী পোকওমখিবা ঐগী রাথজিকো কনখ্রেদা মরাই কাবা ঈশিং অশিবু কমদৌনা মালেমদা লৈওম হনগনি মশিদি লৈমাং লৈমুংনবা

ময়াই কাবা ঈশিং অশিবু বনানা শংথোক নোংদম্লহুনা থাংনবা লৈপুনঙম্লকপনো হায়না মাইথৈ শিন্ন য়েংলাক্রু ।। লাইমিংথোইগী নিংয়েংবু উহুনা (লাইরৈমা তুরৈ থোংলৈমনা) হায়জরবই: লাইমিংথোই, "লাইমিংথোইগী অরা পোথাবদা মুংঙাইগদরা বাখল্লহুনা (রাং লৈমা) ভাহুন্ ঐনা শাথোক্লবনি, পোৎথানবদি ওইঙমদরে মতুং মতম্ ওইদনবা থোঙম্ শাথোক্লবা ওইঙনরর লাইমিংথোই অয়োন অরানবু লৈঙাক লৈকনবীহুনা মালেম থক্তা ইচেল্লবা রাং- লৈদো লৈঙাদনা লৈঙম্নবা পরম থোংলম্ লৈয়েংনা লৈথম্নবু থৌবিরন্দু, থৌরম তশিবু পোইরৈনা চাদোন গুদোন লোম্বদা থৌকাওদনবা লাইমিংথোইবু অশিনা হায়বা থৌঙম্ থৌতৌনরুই লৈখংনবা লাইমিংবু ইরৈমনা য়াইফা থৌরম লৈশিনবদা অশিলৈবু থোকঙম্নখিদা ঐগী ইনানবু লৈমুত্তবগু ওইঙম্না (লাইমিংথোই অশিবা) লৈহুন থাকৌনঙমশি, লৈথুংলুবা, লৈহুম্নরকপা লৈকম্ অশিরোইনা লৈকাকম (শয়োই চীংলেন) অসিদগী কৌরশি লাইমিং- থোই ঐগী লংজা ইরান্দো লৈঙাক লৈকনবীহুনা কুবি নোংদম্বা নফম্নাদা নিজগে" হায়না মিংহুনবু লৈয়াবিহুনা লাইরেম্বী ইখোংলৈমবু হনঙমখরে ।। লাইমিংথোই অশিবনা মালেমদা ইচেন নাইনা ঈশিং (রাংলৈ ময়াই কাববু) শোক্তনা নোংথৌ পাংনা চাইথক্তনা "লাইজ রাংলৈ নংদি মালেম অসিদা ইখোং ইচেন নাইনা চেনবশে চেল্লহুশি মালেমদা হৌঙমালবা, হৌঙনগদবা, উরি, রারি,। হৈ-লৈ। অচা-অথক পুম্বদা লৈচংহুনা লৈঙমলো হায়না নোংদমহু- না লৈচাই লৈয়েন্না লৈঙম্নবা লৈশিন নোংদম্নগা হনঙম্লক্তনা থেংগ্রউম চীংদোন্দা কাথক্তনা চীংলেন মথুংশুবু কোইনা লৈয়েংলক্লে ।।x

কোঞ্জম্তথোকপনা কুরুম চীংদা ফম্নানবা

কোঞ্জম্তথোকপনা ময়াম্বা লাইমিংথোই অশিববু থিয়ে, "হৌজিকরাইদা পনশাবা লোই- হুনা লৈরম্বনি অরা পোত্থনখিবরা হায়নবু কদোরবনো হনংম্লক্লরিবা অশিবু" হায়না ময়াম্ববু মরুগেতুনা লাক্তনা লৈয়েংবদা কংলোইরা মা থেংগ্রউম চীঙ্গী চীংদোনদা ময়াম্মুংনা অরা পাশোবা লোইরে হায়হুনা অরাংলমগী খাথোংবু লৈথিংনবা লৈঙাক্লাইবু শাথোক্তনা খুবম্মু লৈথম্নবা রাখনবদো থংল উরহুনা "হৌ: লৈঙাক লাইবু লৈথমদৌরিনা মশিদি ঐনা লৈরবা লৈফম কংলোইয়া কুরুমচীং অশিদি ঐগী লৈফম ওইনবা লৈকনহৌদবা য়াদ্রেনা, খুবম্মু লিং- ঙমগ্নবদি চীংলেন অসিদো মাগী ওইখিহুনা মানা ফমখিহুনা ঐ লৈকম্বা ফংদবা তাগদৌবি- দনা, লৈফম অসিদো ঐগীনি হায়হুনা লৈকনহৌদবা য়াদেনা হায়হুনা কোঞ্জম্তথোকপনা ময়াম্বনা থংদরিঙদা মশকপু (খ) লাইয়েক্লা নাওয়োম থানা লাইমিংবু (খম্লাংবা) লৈহুম্না

চোংথোক্লুনা মখোং য়েংনা কংলৈপুংমাইগ্লোন্দা নেং৷ ওইথংবা খোংনা লৈশৌ নোংপোক চাংদা নেকনা মমাই থা মৈরম পাংলা ওন্দুনা, কুরুম চীংদা কম্বাল্লাং, সনা থীংগ্রউম চাংনা নমং। ওইদুনা মগক্কা য়োংপু চগেমগুম্ন শাইনা, নুংবু থুমগুম্না তুম্না উম্বা ওইনা কনদুনা অকিভুজনা লৈতনা লম্বু কন্দুনা কম্বালাংদুনা খেনা নোক্লুনা মিৎয়েংনা লমদম তান্না য়েংদুনা লৈথোন্ন পনশাবা অশিবু লাইমংথোইনা কদাই লৈফম্বু য়ৌনা পনশা পম্বিংবিদৌরিননা বাখনদুনা লমগী লমথৈবু রাখদা চৈয়েংদুনা লৈঙ্গ্নে। লাইমিংথোই অশিবুনা সনা থেংগ্রউম মংওান্দগী সন কম্বাল লৈথাকম্বু কেইনা লেয়েংবদা মনাওগী তৌভমদবা উবদা নোক্লদুনা মনংগী তৌভমদবা মশকথোংবু অহিয়া মক্লবু খ হন উইন্নিংদুনা থেংগ্রুম চীংদোক্লগী অরাক ওম্না "হো মঙ অহিয়া শিদনা" বৌবক্লে॥ ওরা লমথৈ পাংনদগী কৌবদি তারগা থৌরমদি থংদদুনা অহিয়া মক্লনা করিবু তৌদ্নবা রাখন্দুনা মপারিনা লৈথানজবা লৈফম তাননা লাক্লুনা শাথোক্লগা লাই-মিংথোই ইচানা নপা ঐবু কৌনবু করিবু সুংবু তৌভম্বনো ? হায়না থকৌ পাউহংনা মচাগী নাক্তা চলক্লে। মক্লগী পাউশা পাউহং তাবদা নচানা কৌজবদি ইশানৌ কোন্দে গুনৌবনা মপুক হরাও তয়ামজনা শাথোক পম্বাল্লাংজববু সনা মিংয়েং তাহম্নিংদুনা কৌজবনি॥ কদাই ননাওদি ? এঃ মশিদি ভকথ্রেদা কদৌরিবনো মানা তৌভম্নিবশিংবা, লাইমিংথোই নপুক খোইশাওগম্বু থৌরম পুম্বা থৌভম্নবা নপা ঐনা তৌউমগনি, নভম চাওশা ইচাদি নপা ঐনা লৈহনগে, পারি নংনা কৌবদা নপা ঐনা শাথোক্লুনা পারি ইচাবু থাকৌনা পাওহংবা লৈফবু (মানা নানা কৌনবা চীং) মিংহুম্না লৈথম্লশি ।। পারি ইপা ইচানা উনবা লৈফম অসি-দো (মক্লগী লেমফু) থকৌনা লৈথম্ম ।। হায়থখিবা নাপোম অসিদো মক্লগী নাথাং, নাতোন, শাম্নচি) লৈহম্না লৈথম্লশি ।। ইপানা কোরৌ অসিদগী পারি নংবু (কৌক্র অশিবা মক্ল) লৈহুম্লগে, অদুগা লৈফম অসিনা পারি নঙ্গী কম্বাল লৈফম ওইগদবনি লাই-মিংবু (মিহিংলেন মিপোকপা) মেক্লনা (হোপা) থাকৌগে ।। লৈফম অকোইবশিদা পারি ইচানা খোইয়ুম কনাবু শাদম শাথোক্লা কম্বাল লৈথমলমগে নিংভম্বা থৈবিক লৈথমলো নপা ঐবু থোকাওদনা লৈথহৌগে, অদুগা পারি ইচাগী খুবম লৈফম অমনা নোংপোক পাংবা চাংদোন অসিদা পারি নঙ্গী নশক লাইমিংবু (শলাইলেন) মিংহুম্না, মেক্লনবু (নোংথা-ক্লেন নোংনিংথৌ) হায়না থাকৌনা লৈথম্ম ।। লৈফম খুদংদা নমি লৈহনবু থাকৌ ইরাং-চনদা মানা মানা হায়জ নিজবদো পারি নংনা কুবি নোংদম্বীনবা ওইবিও ।। লাইমিংথোই পারি নংনা লিংভম্বা নোংদম মউ লৈথম্বা নপা ঐনা মিংলাং থম্না লৈয়েঙ্গ খুবম লৈথানবা তৌভাম্না । x

· ম্না থেংগ্রউম চীংলেনবু নোংদম্নে ।। লাইমিংথোইনা নোংদম খুবম লৈথানবা থৌহৌম্নে ॥

ম্না খেংগ্রউং চীংদোন লুরাইদা মরু অতিয়া শিদবগা লাইমিংথোইগা তিলু ফম্বান লৈশাহ্নলা লাইমিংথোইগী কোলোইবু (মিঙ্গিংলেন মিপোকপা কৌক্রু অশিবা ঙৌবা) মিংহ্নজা খুবম শেমহ্নলা লৈথমলে ।। মনাক্তা লাইকোম ইশাইফু অমা তৌয়ে ।। মনাক্তা শঙ্গাই য়ুমকম অমা লৈথোক্নুনা লৈথমলে । লৈকম অহুদা মুঙ্গী কাংথোন অমা থাযে ।। মুংনা শুম্বন য়াংকোক শেমহ্নলা লুতুং থৌরম থোয়েংনা লৈথয়ে ।। কোম অতুগী মপান্দা লাইমিংথোইগী সনা হুকচাংদগী তুনিংথৌ অমা শক্তুনা মাজেমদা থাবদা (সনাথোংনাং) ওইনা লাইকোম মনাক্তা হৌরে ।। লৈকম অসিদগী নোংচুপ পাংবদা তুবুম (৩) শক্তুনা লংবদা (নোংথৈ, কোংঙা, চাক্রিক) মপাম্বী ওইনা হৌহ্নলা পায়ে ।। লৈফমগী নোংচুপ পাংবদা মুং অমা থানা লৈথমলে, মশিদি (মীরেন পনয়ানফম) ওইনবা লৈকম ওইনা থয়ে ।। অপোক ইহুন নোংদমফম, লৈহুন খোংহুন লৈতাকফম লৈকম অসিগী মনাক্তা লৈবিতোমশোন মরিন লাইথুন অমা ফাক্তুনা থয়ে ।। লৈফম অশিনা (শম্বোংগী থোং) ওইরে ।। লৈকম অসিগী অবাং পাংনা মুংজাও অমা থাহ্নলা লৈকম্বু থংনলা থম্লগা মঙম্বু (শামুবু থোক্লবা) মঙম্বু থমলে ।। মমিংবু (পোকপী লাইশান্নু) কৌঙমলে ।। লৈকম অশিদগী মথা পাংবদা থংনবা মুং অমা লৈথমহ্নলা (ওক পোকপী) হায়না নোংদম্না থয়ে ।। লৈফম অসিগী নোংপোক মতোন অতুম্বদা নোংদম্বু থোংপুনা মহাক্কি মহাক ওইবা অমা শাক্ফোংহ্নলা লাইমিংবু (নোংথাকলেন নোংনিংথৌ) লৈহ্নম্না থয়ে ।। লৈকম অসিবু থাবা হেক লোইবদা মতোন অহুদা (ঈশিং পেরে) অমা ফাওরক্তুনা লৈরে ।। লৈকম অসিদগী চিংথৈ পাংবদা লাইমিংথোইনা মুংজাও অমা অমুক থাহ্নলা থম্মি, লৈকম অহুদা মুংবু হেক থাবদা নোংপোক অপাম্বনা মাগী লুবাই হামুন্দগী ঈশিং ঈশেংবু শাথোকহনগা লৈবিতোমশোন মরিন ঈফাক্তুনা মুং অহুগী মথক্তা ঈশিং অহুবু তাহনবা থোপুনহ্নলা ঈশিং অহুবু ঙাহল্লে ।। মথা পাংবদা মুংবী অমা থমহ্নলা মঙম্বু (থুনুগী মশকপু) পোকহল্লে ।। মনাক্তা অরাংবা মুং অমা থমহ্নলা মঙম্বু (এনগী মশক ঙামুগী মশক্কবু) শাথোক্লবা হাপ্পে ।। কংলোইম্না ম্না গেংগ্রং চীংদগী উরানখিহ্নলা কংলোইয়া ফুরুন চীংমাদা পুং অমবু লৈথোক্নুনা পুংবু মমিং (লন হামপুং) মিংহ্নম্না থুবম থাম্লগে হেক তৌবদা অতিয়া শিদবনা পারি লাইমিংথোই ওক্লে হুনঙম্নকথো কৌরক্তুনা হয়রক্লে ।। পারি সনাহল লাইমিংথোই ঙাইখে। লৈকম অহু অহু কোম্না খুবম থাখি শেম্বদি শেমথরে ননাও অসিগী চংলম অসিবু হক্ল। থোইমন য়্বানম্নথরে নপা ঐনা অহুক থারক থোকাঙনখিগে ।। লাইমিংথোই অশিববু লোথাম্নগা কোজন ডুথোকপগী মনাক্তা লাক্তুনা হায়এ ।। পাম্নি কোন্দে ডনৌবা, নংনা তৌঙম্লিবা অশিবু করি মুংবু কৌবা ময়াখদি শোকচংনা করিতবু পামহ্নলা য়ারোং খুংলাম চাওঙম্না ? নয়াম্বনা শিনশুবদা করিহুংগী খুংলৈং খুংলৌবা, নংশিদি (ঙংলোতোন লৌখিবা) মথক্লিদনা কদাইলমু লম্নু

য়েংবা শারি (কাংথং পুথং লৈথংদবা) নংনা নঙ্গী নমিৎনা য়েংবদা খঙ্গা লৈক্কম অতুদা লৈবাক অলিগী লমলোই লৈথং নঙল্লো ।। লৈকম অতুগী থংনবদি উরি ঝারিনা য়েংলম পাংনা লৈরেংনা হৌখিবা লম মথৈনা মীয়মলেনবু লৈথাইরো ।। উরি, বারিনা ওইরেম পাংনা য়েত্তুনা হৌখা মথৈনা নয়মলেম্নি থংঙো, ময়মদি থৌরম খুদিংবু থৌডয়বা নয়াম্বনা শিনগুরগা শিনগুবগু থৌজমদবা নংনা লৈরোনহুনা নঙ্গী ফম্বান শেম্নবা থৌপুবা পয়ম অশিবু চারোন গুমোম্না কাওদনা থংজহৌনব য়ারাবু (য়েংনা লৈবা পরৈবু ওইনা হনডম্ন'র) য়ারা অসিদো অমাই অনপনা শাথোক্লবদা লৈনি, থৌনিব', তিনকোক লাইকোক্লবা পুরুম ইনাংকি বাথেংই পা'ওশা রাঙমলোন ওইশমু, নংনা শাথোক্লহুনা অকি তুজুং লৈতনা শাফোংবা লমদম অসিনা পারি কোন্দে তনৌগা হুংশিরবা ইচানা ময়াম্বগী মক্কমদা লৈনি শথোক হৈহৌখিবা লমদম্মি কাওদনবগীদমক উবিপোক লয়্রংশি থাকোগে নশক্তি নঙ্গী নঙমু থাকপা লৈতনা লৈথয়হুনা শাথোক শাফোংনডমনৈ কাওদনবা থম্নংবা য়োংপু চগেম শ'না শাথোকপা মুংবু থুম তুমগুম তুম্না শাফোংবা) মিংহুনগে নপা ঐনা ।। নংনা ফম্বানবা লৈফম অশিনা (হৌ কংলোইয়া কুরুম চৌং) লৈহল্লে ।। নথাম্বনা মাইগৈ পম্ভিং পনডাক্লা লৈকোই লৈথিংনবদা মশানৌনা ময়াম্বদা কশকমিহৌ হৌ লাংথক্লা নিজবদা কোম্না তানফংনডমজব' লৈফম্নিদো থংনবা চীংলেন অসিবু অথাং ইরোকমা তরানিথোই, চীংশা নাপোম্মা তরামাথোই লৈহাম্না, কুরুম লাঙ্গোল ও তৌনা কৌডমলে ।। লৈকম অসিদা নপা ঐনা মেনফম অহুম লৈতমগে, মেনফমদি নয়াম্বগী মেলনি ফম্বদি নংনা নয়াম্বদা লৈমিবদা তানফং লৈফমডাবনিনা ফম্বদি নংনা ফমজবা ওইজৌও নোংদমলে ।। মেনফম মম্মিংনা শম্ভোং পাংবদি (থয়্রং উগান থাংনা মেন) ওইনৌ ।। নোংচুপ পাংবদি (অমম থোংলম লৈডাক্লা নোংদমফম) ওইমু ।। অমনা থরাই য়াইবি লৈফা লৈহিংকা মপা চীংমেন থাকৌনা লৈকম অহুম অসিদু নমা লৈমরেলনা সনাকিবান ওইনা লৈডমলো ।।X

(অতিয়া শিদবানা থোইগুম্ব ও গী মথক্লা ফম্বা)

থৌশিন পয়ম্বু লৈঙম্বনা থৌয়ানবা রাথন্দ্রনা অচান মিন্নাই থাইদনা মরুনা থেংব্রু কৌহুনা য়েংলমদা লৈহল্লে ।। ওইরমদা মপারি কোঞ্জন ফুথোকপবু লৈহল্লে ।। অনিমক্তি ময়াইদা লাইমিংথোই এশিবা মচাবু লৈথন ওইনা থমলে । অহমগী মথক্লা খুদা অমা থাহনা অতিয়া মরুনা সনাকশাল লাংহুনা পাওশাইয়, "থেংব্রু নমপোন নোই নোই, ঈবাই

থংবা মথংবা, কেংশি লোইয়া ময়োইয়া, নানলোই থরোই থজিক্কা থজিক থাবানা" নিয়োল পাওশাবু শক্লে। থেঙ্না পুবা লৈকমগী মথক্কা মপাম্নি কোজনতুংথোকপগী কগী = খুদা লৈকম অমা শেম্বীতুনা নোংদম্না পীরে ।। লাইমিংনা "ওম লৈ মোংথাং তরংবা চাংঙে" লৈহল্লে ।। খুদা অসগী মথক্তা থেঙ্নবু লৈপাক লৈরোম অমা পুথংল্লনা লৈশিরগী কম্বি = খুদা অমা শেমদুনা লাইমিংথোই অশিবা মপারিদা মক অতিয়ানা কুম্বি নোংদক্না ফগ্গাল লৈকম্বু শিরে ।। পারি লাইমিংথোই নংনা কম্বি লৈকম পুম্বা য়াইফা নোংদম লৈঙাক লৈকমবা নোংদম্না শেম শানা লৈথম্বা তৌওদ্রু, মকগী নোংদম থোঁদাবু থোপুনা শিল্লানবা থোহোঁরে ।। মশানৌ কোজনতুপোকপনা লৈকম্বা লৈকম্বু মহাক্কী থোইযুম ৮বু শাথোক্লনা নোংচুপ্পা চক মম্বিংবা, মথাদা – তাওমম্বিংবা, নোংপোক্তা — মুংমরিংবা, অবাংদা — পাম্বরিংবা, লিক্রম = কৌক্র = তুমহাবা, মিংলম = সংস্থাংদা — তুমবিংবা, মৈরমদা — মাঙ্গিবা, লাইঙ্গিদা (চৌংথৈ) — হাইশবা থোইযুম্বু লৈপাক্লা মনাওগী লৈকম্বু য়াইফং-নবা কুমিরে ।। মকনা লৈকম্বা লৈফম থেঙ্নো লৈপুবা মকম্, থেঙ্গী লাইমিংবু (মক-তিক্কা খিংকুরুং লৈপুবা) লৈহল্লা মকগী থোগনবু ১ লৈমুং থোমশিবেন, ২ – লাইবেন পোরোম থাংপা, ৩ থরা, ৪ - নোংয়াই মরিওনবা কৌবা থোইযুম ৪ বু শাফোংতুনা মক অতিয়াগী সনা পোন ওইনা থম্মে ।। মচাগী মতম উবদা অতিয়া মকনা হাই, লইমিং-থোই পারি অশিবা লৈবাকপু মমুং মতম ওইওন্না লৈওম্বা য়ানবা নথো নডম্বু নিংশিংলো ।। য়াক্তাবদা লাইমিংথোইনা (লৈমুংশিশিম) পুথাক্লনা এক, শামুগা ২ বু শেমতুনা অনিবু শাকোংনবা পাওরৌ প ওশাম্মে — (পিংতরং পিংতরং করসং করসং, শনশং লাইশম পিং পিং) পাওশানা শাফোংলে ।। অতিয়ানা হায় — পারি লাইমিংথোই অশিবা, তেংবানবা অশিদা লৌরিবা, লৈরগদবা অশি খিবিকশে নংনি, নঙ্গীনি লৈবাকী য়াইফনবা পদম পুম্বু পারি নংনা শেম্বীয়ু, নপা ঐগী ইওম্বু পারি নংনা ওইওলো. ইকনও লৈকমলো লাইশোন লাইনিং পুম্বা চৎলম লুতিন লাইরকচনবু মামুং চৎলম্বু থায়না নোংদম্বীতুনা য়াইফা থোরম্বু কুবি নোংদম্বু পারি নংনা কোরৌ অশিদগী ইতিক ইওম লৈবা খিবিকপু পারি নঙ্গী ওইডমলো নপ ঐনা শিমরে, লৈওম্বা পুম্বনা লৈখিনহুনা পুকনা ফৌনিজম্বা মশকতু পারি নঙ্গী নকমদা নপা ঐনা নোংদম্বওন, পারি নংনা শাথোক্লা কুবি নোংদম তম্বীও, চৌংঙ্ মতামোই পুম্বু নোং-দম্না শিমরে ।। লাইনিংথোইনা মকগী নোংদম্বু তানকংলবদা লৈবাকি মাইথৈ মম্বিবু চুকক্তা লৈথম্বা থোপুরে ।। লাইমিংথোইনা লিক্রমদা (উমৈপাললা) চৎকশেন ওইনা থারে ।। মিংলমদা থাবা চৎক্পু (উরেংবনা) থারে ।। মৈরমদা থাবা চুকলোনবু (উশিংবা) কোম্মা থারে ।। লাইঙ্গিদা থাবা চুকশেম্মা (উয়োইশনা) থারে ।।× কারনগী মম্বাইদা লাই-

মিংথোৌই অশিবনা (ওম হে মৈচিক মা মু তুম্বিকপা) মিংচম্মা শেন ওইনা (ভাগ্যে) মিংহুম্মা কখাল্লে ।। লৈবাক নোংথোৌতুনা উথুঙ্গী মথক্তা অতিয় মরু শিদবনা কাপ্তু ওইনা লেংহুনা লাইমিংবু লৈতুলেং লৈতংলেংবা) মিংহুম্মা লৈবাক নোংথোৌতুনা লেংহুনা ফম্মে ।। নোংয়াই মরিওনবা, চাওম্না মপাল্লথিবা মিংহুম্মা লাইমিংথোইন। মশক অনিবু শাথোক হুন্দনা পরিং অমুক থাহৌবে ।। নোংচুপ্তা লৈশাতাওনা ভাক্লে মথাল্লমদা নোংশাতওনা ভাক্লে নোংপোক্তা লৈথোমতাওনা ভাক্লে, অরাংদা নোংথোমতাওনা ভাক্লে ।। ওঙী লাইমিংবু থুকহিংথিকাশী কৌবে, শামুগী মমিংবু (পিশাক্ত কেতিয়েৎ = লোতোংকে মশেং মরু) শু লৈহল্লে ।। থোৌশিনবা লোইরবদা লাইমিংথোইনা মনাওবু পাওশানা লংনবকই হবাব ও — ওকথবী ননিংনথা লৈতম্না, লৈচাই নোংথাই কম্বাওনা মৈ কামও) ।। কোক্কন তুথোকপা = হবাবনা পাওথুম্মী – ওকথবীগী মওমদি মাইগে শিম্না চুকথাখ্রে, ইচিন তুম্মি কামজবরোই ।। মচিন মনাও অনিগী পাওশাবু তাবদা অতিয়া মরুনা হাই – লাইমিংথোই ননাও অসিনা কলক কম্বাও হুনগনবা, মওম মতিক্কি য়াওদনা, পারি ইচানা লৈবাক্কিদমক্তা য়াইফা, নোদম্না লৈথোন লৈশা পনশাবদা অয়েং খুরৌ ওইওমল্লে, প্যারি ইচানা নমিংতম্না থোওম থোৌপুনবা নপা ঐনা নশানৌ কোক্কন তথোকপা — কোংলৌতোন লোৗথিববু বংলৈদা পুবগে লাইথোং ভিলথোং শুনা, রাজনবা রাখন্দনা পারি নংনা লৈবাক্কি য়াইফংনবা শেমহৌবো ।। ×

(লাইমিংথোইনা মনাওগী মওম হম্মা)

ইশানৌ কোন্দ তনৌবা, ইনাওদি নোংদম য়াইফংলকপনা মকগী হৈন্দ থোৌথনবু তানংকংলেদো, পবম অশিবু কদৌমুংবু তানকংখিবা পোইরৈ চাদোন শুদোম্না থোৌকাওদনা ইনাওগী লৈকপু থংনবা পরম থরদং পাওশানা লৈহাপকে ।। উরিপোক য়াবা, ইরাই শাফোং লমদমলমংশি, কুকম চীংগেন লৈকোম্না তানকংজবা = (লাঙ্গোন চীং) লমহাংখুংলেন্দা য়াতাবা সুংকেং পাংতা য়াথোকনা হৌলম্মাহনবা কংলৈ মা পুংময়োনগী, কংলৈ চিরা মরিদা, যিবাল মরিবু মুংনা, অরাং কাইনা লোকতোনপোক, চিংথৈ লৈনামুং অতুবু য়ংনা কোলোই চি থাংনহুনা লেংফাইনরিভৈগী চীং, মৈতৈ লৈমা থুন্দা চীং, লৈমা নিংলাইদবী থুন্দাথোব, চীংমরি থবাক চুমরাই লালুখলেন, তাওইনা লুমাং কিশিরা লৈনা চীং হাই মপু মরোং থাইবা চীং, অহিংলিক্লা তানবা, হুংখিল লিক্লা কান্দবা চীং, চীংয়াং থক্তা থোৌশাবা, থোৌইয়ুম পুহনা লৈহৌ শাশাথোক্কি ভেলগী অরাং কৌক্রু অচিবগী লোক তোমম্পোক, চরৈ ফিদৌ ফিক্কৌ চীং, চারি মপানথা,

নোংমগী মউ লিংনবা চীং, পোইরেনা য়াংলৈতাওবা লাকাপ চীং, কোয়ৌ নোংথোইবা চীং, লুমলেন তাশোন বোক্লবা চীং, অশিখিদ্রিকপু তানফনহনা নোংপোক লমগী উনিং-খোঙম লাংবলবা, পোইবৈদনা মরুগী খোথনবু লৈকা খোথন তানকংবদো ইশানৌ নংনা ওইতমলয়ে । পাওশানা খুজেং পালোইনা মনাওবু মরুদা শিন্নহনা, অতিয়া মরুনা কোজন ছুথোকপা মঁচাবু কংলৈদা পুখংনা লৈথমখ্রে ।। ৪

কুরুম চীংলেন কংলোইয়া

লাইমিংথোইনা চীংলেনবু কাইনা য়েংহনা নোংচুপ পাংবা চীংমাইদা লাইলানচীংলেন কৌনা, চীংয়াং অমা থম্মগা, চীংয়াং অহুগী নোংচুপ থংবদা মমাই সম্থোংপাংনা ফাত্তুনা কংলৈ কাওনব। লৈথুন অমা লৈখি তোনশোন মরিন কাংলগা মথা থংবদা মুংকান অমা থাহনা, মুংকান অমনা চীংমাইদা নগুনা থম্মগা, মুং অনিগী মবক্তা ঈফাত্তুনা লাইমিংবু (মুংকান ঈচাইবী) লৈহন্দুনা ঈশিং অহুনা চেনথাখিবা ঈখোংবু (চৌপখোং) কায়না থমলে ।। চীংথোংদা ইকোম অমা তৌরে, মশিংদা ইরোই (অঙৌবা) পোক্লকয়ি ।। মথাপাংনা লাক্তুনা (লৈকোম) অমা শেমে, লৈকোম অশিদি ইঙ্গু লাইচুবা লৈ-কোমনি হায়হনা তৌজংশিংনাংনা মপান্দা কোইহনা থনমে ।। চীংলেন অশিদা লাইফম ১০৮ শুনবা থমে ।। মথা থংবা চীংশা নাপোমগী লোকচপ্তা (পুঙ্সি লৈনিবা লাইকোম) হায়না অমবু থম্মগা, থাথংবা থংবী চীংশা নাপোমদা (থম্নং থোংঙাক) লৈথাহনা লৈফম অশিদা (লাইশিদহুবী) বু কমহনে৺ লাইমিংবু (লৈমুং হিরিবী = লৈমুং খোনচি মিনশী) কৌনা থমে । লৈফম (থোকঙাক অশিথেন) মিংহল্লে ।। চিংথৈ থাথংববু (চীংলেন মুংতোনচীং হায়রে ।। হৌঃ কম্নিনো চীংলেন অশিদা লৈশাবা খুবম অসিদি লৈকম লৈরাং কনবদি লৈহেন্দে অহুগা লুহুং শাকোং লৈহনগদবা খুবম্বু লৈরাং লৈথমদবা মাদযগী লৈরাংনবা ওইরে থংলক্তুনা লৈথারে লৈফম্বু পোয়রোম থাওরে ।। অহুদগী কংলোইয়া খেন্দ্রব চীংবু মিকু তিংমবা (কংলোইয়া কুরুম চীংলেন্দা) লৈকারে ।। কুরুম চীংবু মিকু থানবা য়েংবদা রাংলমহনা (লাইকহনবা লাইকৈকংবা কংগুবা কৌবা চীংগী চীংদোম্বগী লৈবাক থবা কোইরোক্লক্তুনা লমহাং পুংলেন্দা হাপত্তুনা লিরুম চীঙী কামবা চুক ওইনা নোং-হুম শংবগী পুখোক্তুনা থমলে ।। লমহাংপদী মতোম্বা চত্ক থানা কায়ে কৌরুগী খুবম্বু থা-রে ।। লাইমিংবু (মিহিংকোক কৌনয়েন লৈহনা থরে । খুবম থাবা লোইহনা পুঙী মখোংদা মুরুকপদা লাইশাহিংচাবা অমা, হিংচাবা অমা কাকৈ অমুবা ইচাক অমা পাখোক্তুনা

নোংদম্বনা মচাগী মশুমু চাংয়েঙ্গে হায়তুনা লৈহল্লে ।। মশক অহুমু উবদা হৌ মশিংদি কদাই-দগী লাকপনো, নোংপোক লৈহৌ লৈশাবদশু মশক মরম খংদবশি শাথোরকই, মথোই অশিবু লুতুঙ্গী খুদম খুথিন ওইনা শাথোকপা ওইনশু তৌওম্মি, মথোই অশিনা কোইজাইন-তুনা লৈরবদি লৈবাক অশিবু অবাবদি নোঙ্গাংলোইদৌরি, মহুং মতমদা শাথোকশাহু, হৌজিক্তি কাহুনা থম্বা তাই হায়তুনা মুংলেন ৮ বু লৌকরগা মুং (৩) না লাই অহুমু কাহুনা মুংনা নন্দুনা লৈবোন চন্দুনা থমলে ।। মু মমিংবু (অতাওবা মুং) কৌএ ।। মুংদি ৮ নি, মথক্তা হায়বদি চাংদেন্দা (নোংযোকবোং) য়ুংলে ।। লিক্লমদা থোং থিংলে, লাইমিংবু (ঙাংবা ফেন ঈচুম্লা) কৌএ ।। পুং আসগী থা মৈরম পাংবদা পুং মচা অমশু ফোইদোক্‌লা শেমলে ।। মমিং (চা পান তংপুং) কৌএ ।। মনাক্তা (কৈথেন লৈকম) অমা য়াওনা থমলে ।। লাই শবোই ভারোইনা শাথোক্লবদা লৈতিনকম ওইনা থমলে ।। লৈকম অসিবু য়াংলম্বগা লমহামপুং লেন্দা (থম্লং লৈহন থোংলমু লৈয়াং লৈথনলে) মতুংদা কংলোইয়া কুক্রম = লাঙ্গোন চা লেনবু মিকু থানবা লমহামপুংদা থারে ।। লমহাম পুংবু মিকু থানদা (কংলৈ-ম্না পুংমাইয়োন) খুবম ১০৮ গা লৈহৌ মক্ত লেমফু ওইরিগা, থম্বাল লৈমা লৈকা ১০৮ পানবগুম্না মহুনা কংলৈগী নোংচুপ, য়াংশংদগীনা নোংপোক, লাইশঙ্গা মনাক্তা খুহৃপ ৫ শুনা মাগী তেংকোংনা কুপতনা থম্বাল অহুবু থমলে । মমিংবু (থম্না মুংকোংপা) মিংহল্লে ।। থম্নাবু থম্বালবু লৈমুং লোঙ্গা অরিবা তাওরোইলাইনা মমৈবু ময়ান। চিক্‌না থম্বিবা, থম্বালগী লৈরিক লশিং লিশং পানবগী ময়াইদা থমজেংকি মথক্তা সনা খুদা অমা শেমহুনা লৈমরেন কুথোন ৭ না য়োম্নগা তেংবাংনবগী নোংদম্বা মক্কবু লৈশেম্না লৈথম্নগা মিকৌ থোংলমু লৈফাং লৈথন্না লিক্লমগী চকুরুইনা থমলে ।। অহুদগী লাইমিংথোই অশিববু ক লৈ পুংমাইয়োন্দগী নোংপেক্না অরাংগা লোম্নবা চাংশানাপোমদা হনওম্না থোংদরক্‌লা, অরাংলমু লৈঙাক্লবা, চিংও, খুবম লৈথম্নবা লৈয়েংঙি ।। হৌঃ লেকম অসিদা ঐন্না হনওম্নকপা অসিদি পরম থরা লুতুঙ্গী খুবম লৈকম বংপনা ওইরিবোইরে ।। লৈকম অসিদি তুথুপ অহুমু লৈশা লৈথম্বা তারিদনা বাথল্ল-ক্‌না চাংশা নাপোম অহুম থোক্না (লৈথারোন, লৈয়াইরোন, নোংলোন) তুথুপ অহুম লৈংশা নোংদম্নে ।। লৈথারোন চাংশা নাপোমু (হমচাং) লৈহল্লে । লৈফম অসিদগী লাইমিংথোইনা অবাং পাংনা কারক্রে, লৈকাবা থোংলমু (হিয়াংলম) মিংহল্লে ।। মথংদা মালং চাং লৈশেম লৈথমলে ।। লৈয়াইলেন খুবম হায়না অমশু শেমলে ।। লাইমিংথোইনা মশুম তরাং হৌনা (ম) লাইয়েক্তা নাওয়োমহুনা (৫, র, ব) লাইয়েক্তা থোইরিলিশাংওইনা লাই পাথং অমা শাথোক্‌লা মমিংবু (মারহনবা) মিংহল্লে, মতিক মশানবু মৈরা থাংমৈ থানবশুম তাম্না থাম্না শাকোংজে হায়তুনা লাইমিংথোইনা [থাংমৈ মারহনবা] নংনা লৈয়াইলেনশু লৈওকত

লৈফম অশিবা লৈমগী শিন্নহুনা থম্মু ।। নোংলোম তুথুপ্লামদা অমুক চত্তুনা লৈয়েং শঙ, হুই: মশাদ লুতু খরদা লৈফম অমা ওইদৌরিনা, অহুদি লৈফম অসিগী তেংবাংনা লৈফম অসি লৈথবা তারিবোইনা হায়রুনা অমত্তু শেমহুনা লাইমিংবু (ওয়াচীং) লৈলম । লৈয়েং লৈথিরগা লুতুগী থোংলম্বু লৈয়াংলম্মগা থা পাংনা পোংথোকখ্রে ।। খুদোন পান কৌবা থেন অমা থাবে ।। মহুদগী থেন অমা শেমহুনা চোক্ননা খুদানপন লৈচন্না নোংপোক অচবদা শিন্নরে ।। মতুংদা শামু মকেক পানবা লাই অমা শাথোক্লগুনা লাইমিংথৌ শামু লাই পিশাক্ত কেত্তিকেং নংমা অরাং লম্ব ভারো শিন্নহুনা থম্মুবগা অবাং পনশানা থা থো খিবা লোইহুনা নোংচুপলোমদা লাইমিংথোই উবালক্রে ।। ×

(নোংচুপকি চীংবা পনশা ৯ লৈশাদুনা নোংপোক থোংখিবা)

লাইমিংথোই অশিবনা মৈথাইবা লৌযেৎপনবা লৈঙমদ্রবদা মনিংতম্না নোংচুপ হাবম্বু পনশা ৯ লৈথাম্না চিংবা পনশাবা লোইহুনা নোংচুপ লমগা নোংপোক থোংবু লৈথিবা চুক লেনবু লৈথারগে হুনওয়াকপদা চিংয়াংদা হোংগ ইহুনা নোংপোক থোংবু লৈমাংতুনা লৈরমে ।। থৌবম্বু উবদা লাইমিংথোইবা থোইশাওরে । মীনা চৌউরা ... লৈয়েন বন লম্বু তোগাইবা শাপা, কোঞ্জন থোকপনা হুবাবগা শাম্নহুনা লৈচাইবদি লৈমাক থুদংবু লৈশিন্না ... পনশা পনশা নিংজবগী চৌঙনি, নখাইনা চোগাহুনা লৈবাংপা অশিদি নং ... থোয়েংনা থোযেংবন থঙনিদো লৈশাকম্ভ ... লৈচবম্ভ চ- ... কবম্বু কদৌবা ... বাথন্দুনা মচাক্কুনা মচাক ওইনা (...) ... থানা মম্মু ওম নোংকা মহিক্ত, ও হাযুনা থ... হাইবগা ... থাহিং) হায়রন নিংথৈদু হাপচন (নোংচুপ অশিবা ... হাযনা ... দু । ... মলগা মনিবু লোয়ারাকপা থোংকেনখৌবা লৈহম্না লৈকম্বু শিংহুনা চোকচরে । ... পেন্দহুমা ... মক মথোং খুয়াদা লৈপকপা য়েলবু তাথোক্লগুনা [হ, উ ঙ] লাইরেম ... যোনহুনা মপুক্কা চৎপা ... অনা পুথোক্লগুনা লাইনংবু হুংঙরেল হায়না ... লিং হুমা লোই রাবপদা পিরে ।। ... ইয়াংরাকপনা ভাপ্রগী মংকাক্তা মথোংনা নৈরুনা লৈলন অহুদা হুংভারেন ভাপ্রেম লিংবা হায়না লৈফমহুনা ভাক্লম লৈবে । থৌবম্বু উবগা থোথাই লাই লৈহোত্তনা নোংপোকথোং লৈকাংপগা চৌউরা ... হান নাখে) মাপম্মা শাথোক্লগা হায়রিজেত্র — নোংদম্মা লৈফম অশিভদি লৈবাংপাও লৈহাংবও লম্ভম চাংবা লাইমিংথোই লৈফম অশিবু মুতন্নগী লৈফম কৌরি করাব নোংদম "লৈশিংপবনোং" ... নুক

হেৎবা খোইয়ুম শলাইলেন নংনা লৈহৌ লৈথিং লম্বু খোইয়ুম কনানা লৈফাৎপ [illegible], নঙ্গী থুংশঙ্গ বাইখিদবা লৈহৌ রাগোই য়াংলমনিদনা ॥ চার্যবগী হেংশাংশা শুইনা লৈকৎচানি ॥ পাওশাবু তানদা লাইমিংথোই রাখল্দুনা খোঁয়ংলে, উম লৈ[illegible] [illegible] লাংদাইনিংনা লৈগোম মবিগী লৈহৌ রাগোই যাংলমনিদনা ॥ হুনিশা লৈফম [illegible] খি- গ্রানিংনা লৈ [illegible] অ[illegible] খিলশঙ্গ নখোযগী খোংলমদি নৌংখৌ অহাংবদা [illegible] লৈ- ফম [illegible] [illegible] লৈহৌ চীং যোবা অমা, অমনা কুমচীং, খেংগ্র চং চ[illegible] নু লৈ [illegible] [illegible] [illegible] । মচুং মতম নত্তনা লমকাৎপগু [illegible] অহুগা [illegible] পান বনা [illegible] [illegible] থোনাগনতুনা (ডাগ্রমলিংবা) মংঙ্গু থোপু পৌউয়ুদরবাদি ননিং[illegible] লৈ- [illegible] [illegible] [illegible] মথৌদি চ যদে ॥ পাওশাবু হানতুনা পাংরেীং [illegible] উবাংবা উ [illegible] ॥ থবোইন লৈচুম্না মক্ক ফংইদা) পাওশানতুনা থুংহাইংবে ॥

লোইচীং চীংশাং লেমতুনা থুবম থম্মা লাংজিং পুং লৈথম্বা ।

খোইয়ুম হুনিশিঙ্গা ন[illegible]ইনতুনা পাওশানবা লোইহুনা লৈফম অদুবু লৈথম্মগে থো- [illegible] [illegible] লৈথম্বা যাদ, চীং অসিদি থুবম অশিনা থাবমগ্রবদি লৈঘম অসিবু লোইনা [illegible] [illegible] (লোইজিং চাশাং) মিংহুম্না চীংকম অসি [illegible]। যেং- দনা [illegible] [illegible] থাপুর ॥ চীংঙ্গী মমিংবু লোইজিং = মকুবিচীং [illegible] চীং অম- [illegible] [illegible] থোইঙ্গু থোংযেংনা (লাইং[illegible] কোবোহনব) থুম্মু পাবে। [illegible] ([illegible] [illegible]) কীবে ॥ মিংলেন [illegible] (হুইবি[illegible]) লৈহনা [illegible] [illegible] [illegible], মীশি, মানা, শা শল মতিন মবাই [illegible]) লাই- [illegible] [illegible] লৈশশ্মব । থুবম অসিগী মনাক্তা থুবম অমা থাবে লাংজিংবু (অ[illegible] [illegible]) [illegible] মরুবু (হুনয়িখিংথবা) লৈহুম্না লৈনাক্তা নুমথি থুনগংশবদা নোংবু [illegible] । থুবম থাবা লোইবদুনা ঐবু লৈ[illegible] যারগ[illegible] হ যনা [illegible] (থ[illegible] বোইচ [illegible]) খা থংবদা পুং অমগী মথক্তা মখুং মশা কম্মা থু[illegible] থুং ই [illegible] পাংযদুনা ম[illegible] [illegible] লাই [illegible] শাথোক্তুনা লৈবং উব ॥ চীং অসিদ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বাংনা লানদম শামন্না মখুং মশামক লোংদুনা লানশিংনবিবা অসিবু কনানো লৈবাকী যাহফনবা ঐনা লৈথোন লৈশেম্মিবা আসবু থংদবরা উদবরা ঐবু শাগ্রেম লা[illegible]বা কনানো, রাখন কম্পাও হুম্না লৈফম অহুবু য়ৌনবা লাক্রে ॥ চীং অসিদি ইমা- নিদ কবিনুঙ্গীবু শাংথাক্লিগবা রাখনতুনা মরাই লুক্রা লৈডগে ॥ লাইমিংথোই ইচানা লৈ

বাক্সি য়াইফা মোংলক্শে নমা ঐনা য়েংনিংদুনা য়েংবনি, লৈবাক্তিগু য়াইফনবা মরুগীগু য়া ফন্থাল লৈতম্মি লৈকম খুদিং লৈশেম্বদা, নমা ঐগীগু লৈকম অমতা নমা ঐনা লৈনি-পে লৈয়েংবনি, অদুগা পাম্নি ইচানা লৈবাক্তী য়াইফা নোংদম লৈথোনবশিদা নশানৌ ছারাবনা লৈবাক লান্না লৈশেম লৈথোম্লিংদুনা লৈচাইবদা লৈবাককি শরক্তা লৈওম্মিবা পুং অসিবু লাইমিং খুবম্ব লৈথানা লৈওম্নবা ইচানা নোংদম্বীওমলম্মু শিন্নথরে ।। নোংদম থোৗদা-বু থোঁওম থোপুজানি অদুবু লৈচাইবদা লৈথমখিবা পুংগা চীংশা নাংপোম লৈওম্বগা অশিবু লু-ভুংদা খুবম লাইমিং লৈথমগদবা ওইবনা নচানা খুবম লৈথাদবনি ।। উম ইমাদি মতুদি খং-দেদো পাম্নি ইচানা লুক্তুং থোয়েং লৈথাকপদো লৈথাক্লো ।। লাইমিং লৈকুন তমত্রবগু লৈকমদি লৈয়াংপীরম্মু নম। ঐগীগু নোংদম্না লৈনিদুনা [শিন্থান্নমগা :লৈশিরোল লৈপুনবী হুনখ্রে ।। লাইমিংথোই অশিবনা লৈকম অদুদা মমানা শাথোকপদা খুংগু খুংলাই পান্নদুনা মথুং :ণবু লোংনা শান্দা লানক্লৈরওন্না শাথোক শাফোংনো নোংদমলম্বা লৈফম্নি হায়দুনা পুঙ্গী লাইমিংবু (লানচিংপুং) মিংহুন্দুনা লাইমিংবু (পুংখিৎলংলাংনমিৎ) লৈহুল্লে ।। চীংথক্তা লৈমরেল্ল খুং-লোওবী মরু শিদবীগী খুবম্বু য়াওনা থোইয়ুম ২ গী খুবম থম্লে ।। চীংদোন্দা কাপ্তু কাপংলেন থারে ।। নোংদোন করৌ লৈকানবা থোংলম লৈকা থানা কাংলে ।। লাইকোম অমা য়াওনা থমলে ঈশিংবু ইথোক্লবা লৈকাৎ লৈথম্লে ।। চীংথোংদা (কোম) অমা তৌদুনা [থমলে ।। চীঙ্গী অমাং পাংবদা (পুঙ্গি) অমা তৌম্নে ।। চীংখোঙ্গী নোংচুপ পাংবদা (লাইকোম অমগা য়াওনা ; ঈশিং ঈথোক্লবা লৈবি তোমশোন মরিন থারে ।। কুম তরুক বাও তরুক ;কংদনবা মওম্বু থাওম্না লৈথমলে ।। লাই অমবু শাথোক্লে, মচুবু মুনা শংবানৈ, উবদা লাইমিংথোইবু অকি তুজুংঙ্গে, হী: মশিদি (হীংচাকোৎচাবা) মশক্লী মী মাংহনগদৌরিনা হায়দুনা লাইমী শা-চাববু) ফাদুনা মুংনা নন্দুনা থমলে ।। চীঙ্গী মথা পাংবদা মরোং থোঙ্গী পবম্বু শেমলে ।। মৈরুম পাংবদা নোংচুপ:থাং. অমা য়াংলে ।। নোংতা নোংপাংলগা ঈকৌনবা লাইমিংবু লৈহাপ-লে ।।

হুকুম হুকুম হুকুম, কুম কুম
থুংচিরিক তিংচিরিক লৈবাক মরোনগু ৭ নি,
নোংথৌ মরোনগু ৭ নে, ঈশিংমরোনগু ৭ নে,
থুংনরে থোকাপ্লে, থোকাম্লে, তিংকাপদি
তিকপ্না মিটমিদা মিটবনা নমশিল্লো, থরাওবী
থরাওবী ।। শ্র:
নোংও চুখলো লাংজিং মতোম থুমহুৎলো

পাংশোহমুরাবা তাওথরো,
কৌবা কৌমু নোংও, লোংজিং লোইয়া নোও
থাংজিং কোইরেল নোংও, বাংত্রেন থোনথরেন
নোংও, শন্নুম মহাবা নোংও, চিংথৈ নোংখোক নোংও,
লাইরুবা নোংরুরাও,
কোরৌ খোংদম খোংলকও, মালেম লোইপু লুখী লুমথংলক্কা, পোইচা ঈথা-
বী নং থাবিরকও, খোইয়ুম ঈথাইগী ঈন্নাইবা
নং থাইরকও, পাওশানা লৈথনলে ॥×

চীংথোংদা কোইনা য়াত্তনা লাইকবু মুংনা নন্দনা থনলে লুতুঙ্গী লৈথানথ ॥ নোং-পোক পাংবদা (পাং অমা য়াংলে, নমুংদা (মুং) অমা থাদুনা লুতুঙ্গীদমক্কা নোঙ্গা খোংলম্বু য়াত্তনা থমলমলে ॥ লাইমিংথোইনা কদাই অমুক লৈপাশিবা রাথনবা লৈকম লৈ-ওম্বা খিবিক্কগী লৈবাক লৈচাকপু থরা থরা কোইদোক্কনা লৈফম অমা অমুক শেম্বা থো-বে, লৈফম অদু মমিংবু (কোইজিং) মিংহন্দনা লৈথারে ॥ চীংকোক্কা লাইরেম্বী (লো, কলাওলৈমাগী) কম্বী খুদা অমা মুংনা নন্দনা লৈথংনবা য়াংলে ॥ অমেং লাইনা (লোকলাই তিল্লাইবা) লৈবাক শিম্না ওংলক্লবদা লৈকম্বগীদমক্কা লুতুঙ্গীদমকপু লৈয়াং লৈথমলে ॥ লাইকোম অমগা ঈরাং থোনিনবা থয়োম চন্নন লাক্লবা শেম্বীরে ॥ চীংথক্কা (কৌওইবী লাইরেম্বীগী) থুবম অমা য়াংলে ॥ অচা শথকপু মোংলক্লবদা কৌনা কৌহাম লৈশাংলক্লবদা লৈজাক লৈথিংনবা লৈয়াং লৈথমলে ॥ চীংয়াইদা (লাইলোয়ারেলগী) থুবম অমা লৈথাদুনা য়াংলে ! নোংথোংনা হক্লা নিক্লা লাওদুনা অথাক অম্লাওবু হুকচম্লা তাক্লমবদা লৈথিংনবগীদমক্কা লৈয়াং লৈথমলে ॥ লাইমিংথোইনা লোকাই তিল্লাইগী তিন-কোক লাইকোক্লবা পম্বু লৈথন রাথনবদা লাইনা লাইথুং অসিদো হুকচাং হায়বা মশাক অসিদো হুকচাং হায়বা মশাক অসিবু মাংহনবা অকিত্নুংবা মশাক মজং অমা ওইনা উওমক্কনা অমুক লৈফম অমবু (.কোকচীং) মিংহন্না শেমদুনা থুবম্বু লৈয়াত্তনা লুতুংনা লৈথংনবা থো-পুরে ॥ চীঙ্গী চিংকোক্কা (হৈনিংশিদমুত্তবা) কৌবা অমা মকাক্কা থাদুনা অতিয়া সিনথগী থুবম অমা য়াত্তনা মুং অমা থাদুনা থমলে ॥ লাইমিংবু (অনম জাং) কৌরে ॥ লুতুং লৈপামবদা কংলৈ কম্বানবা লুচিং শিবনা পুন্সি মুক্তাংমা হৈকপামদমবদা লৈনিহুনা পুন্সি মরা তা-বা লৈশামবা লৈকম লৈথরে ॥ চীংয়াইদা খোইয়ুম (জাকংত্রেং) বগা খোইয়ুম লাইরাগুবী কৌরীগী ২ শী থুবম্বু লৈয়াংদুনা লৈথারে ॥ (পুন্সি মুংশাংবা লৈনি কবু ওইবগী) চিংথে-দা লোকম্বু লৈকবী থুবম অমা য়াংদুনা মুং অমা থাদুনা থমলে ॥ লাইমিংবু লোক-

লোকহিং লোকহিংনং) লৈহয়া লোকলাইবু ইরাত্তুনা লাইকোক্পা থনম্মগা নোংচুপ চীংশাংদা থাপাংনা কুমথারক্লে ॥x

নোংচুপ তোয়ারমগী মুত্তা চীংজেন খুবম লেরাংগা
লাইমিংথোই মরু অশিবনা মপুক য়াথন য়াবু

ইপাক্লাংদা করি কনাবু য়াওবত্ত নত্তনা মথত্ত পাওশানা লময়েংহুনা লৈরম্বা লৈফম্বু (ভাং-ভোইহিঁ চীংশাং) কৌয়ে ॥ লৈকম অহুদগী খোংথাংলক্তুনা খুবম্বু লৈয়াং লৈছোয়ে অতুম্বুগী (থাংহিংভাংভোইহিঁ চীংশাং) মিংহুয়া মপেন নোইমু কৈগরুক, থলোইনিক্ক নিক্কবা চীং, নোং-জেনবু লাগা হানথা, মুরাং কয়া য়াখিথেন, লৌতাংনা মিংয়েংশেন লৈথম্ব, চয়াংনা ঈমাই শিনওয়া উগু, কাগু, হুইনথ, চেক্লা থিকি, অমুবীনা খুমাং লৈগ কাও-খুচুং লৈগ কাওহুনা পোম্বীনা য়াকৈ ওয়া চীংও, লাইগী খুবম য়াংলক্লে ॥ মরোং মশা থাইনা—(কং কুককেং ফেং, কং কুক কেং কেং, কংকুক ফেং ফেং, কং কুককেং কেং) লাইশোয়া চীংশাংবু শেমলে ॥ (থাংহিং ভাংভোই চীংবু (লাভোনবা লৈয়োনলাংভবা) মিংহুয়া লৈতমহুনা য়াংলে ॥ লাই-মিংথোইনা মহাক্তগী মহাক অমা (ব) লাইয়েক্লা নাওয়োমহুনা লাইমিংবু (থাংজিং কোই-রেল লাই) মিংহুয়া শাথোক্তুনা খুবম্বু য়াত্তুনা থনলে ॥ শঙ্গাই য়ুমফম্বু থমলে ॥ মনাক্তা লাইকম অমা লাইমিংবু (শংকুপ লৈপোকপী) মিংহুয়া থমলে ॥ মুং অহুম থাহুনা মুং অম-মা থাংজিং মিংথোইগী লাইবু মন্দুনা থম্বীরে ॥ মুং মমমা (য়াগী কংচূপ অমগা য়াগী (চিনচুপ*) অমগা শৈজওয়া মন্দুনা কুপহুমা থম্বীরে ॥ মুং ১ বু (মা ৭পাবু) শাথোক্লবা মঙম লৈহাংদনা লৈশক্লে ॥ মনাক্তা (শিদবা উপাল ৬ পু) পুথোক্তুনা থারে ॥ মনা থোংনাং উপ ল অমত থারে ॥ মনাক্তা লাইকোম অমা শেমহুনা ঈশিং ঈথাং ফাওমবা তোমশোরল মজিল কাংহুনা থমলে ॥ শিদবা উপাল অশিদো মচুমত্ত তাইএ, মবা ৭ পাকি ॥ মনাক্তা (মুং অঙোবা, অয়াংবা) মথগা য়াংহুনা থমলগা মুং অঙোবদা (পামু অঙোবম্বু) শাথোক্লবা মঙম্বু লৈহাপহুনা লাই পোয়ারেলগী খুবম ওইনবা থাংলে লাইহি লাইবাংলি, লাইমিংবু (নোংজেন থোক্পা) লৈহরে ॥ অঙোবা মুংবু খোংথোংমিংথোইগী) খুবম অয়া য়াংলে ॥ মঙম্বু (নোংশাবু পামবাদা) মতম থমলে ॥ মনাক্তা (মচু শনা পাংবা মুং অমা থারে ; মঙম্বু সনা, মুপা, চেকি, পেরে, শিথ্রাই, অফা, মশিং অশক ৭ পু শাথোক্ল-বা মঙম্বু লৈহায়া থমলে ॥ মশিংবু লাইশিংদা চাকথোবী শৈলঙ্গ ॥ মতমদি মশুবু কুশিদোংও নমা থমলে ॥ মুং মঙোম্বগী লাইমিংবু (চোকপী কিলোই হিং) শাহায়া লৈরক্লে ॥x

থাংজিং মিংথোইগী চীংবু মত্তোন ৭ শুমবা শেমলে মথক্তা সনাগী শঙ্গাই অনিগী লৈয়াই লৈথোক্লা লৈথমলে চীংদোল অমদা (মুংগী থুদা তাংবন) থানা থমলে ।। থুদাগী মথক্তা মমাই নোংচুপ লাইজি ওন্না থাংজিং মিংথোইনা ফমলে । নমঙাদা উথুম পান্থৌ অমা হৌহল্লে ।। উগী মখা পাংনা মুংশিং থোং ৩ তোমশোন মরিন লৈফংনা থমলে ।। অমদি চীংথা থংবদা মুঙ্গী মাংকোক কুম্বা মুং অকোইবা অমনা কুপ্তুনা থমলে ।। মথংনা চীংদোন অমদা মুঙ্গী পুথম গুম্বা অমনা থুমহুনা থমলে ।। মথং অমনা চীংদোন অমদা মুঙ্গী থুমুক কুম্বা অমনা কুপ্তুনা থমলে ।। লৈফম অসিবু মুংশিং পোং কৌর ।। কোইবেল লৈমগী শঙ্গাই মনাক্তা লাইকোম অনি যাংলে ।। অমনা ঈশিংবু থক্নবদা লাই ওলহনবা মণ্ডম থমলে ।। অমনা ঈশিংবু থক্নবদা (মী ওলহনবা ডম্বা মডম্ব লৈপিনা) লৈথমলে ।। সনা শঙ্গাইলেনগী মুমফমগী মনাক্তা ঈকোম অমা যাংলে ।। ঈকোমগী মচিনবু মাংবুঙ্গী মচিন মান্না শেম্লে ।। মচিন অশিদা ঈথোক্নুনা মবাং ঈথাক্তুবেগী হচেন মক ওইনবা (ঈশিং তোমশোন মবিনবু লৈফংনা থমলে ।। ঈতারিবা মোইবুং মচিন ৪ নবগী মখাদা লমচৈ ৩ না কোনবা (পাক্লা) লক্নু লাকোন ফানা থারে ।। থাংজিঙ্গী লাইকোনগী থোংমবি শেমহুমা ফাংলে) ।। অরাং থোংবু সনা থোংমানবী কৌবে । লৈফম অশিদা ফুংথোং ওইহুনা লাইশংবু (ফু শুক য়োংশুক) পায়না লৈঙাক লৈথমলে ।। লৈফম্ব চংহৈদবা (তংখলম) হায়না থমলে ।। নোংচুপ থোংগু চফদে হায়না থমলে ।। নোংপোক থোংদা লেচং য়াংলৌ লৈফাংনা লাইকোলবু তানফংনব শেমহুনা থমলে ।। লৈফম্ব মান্নমা চীংদান ৯ বু শেমহুনা লই ৯ লেফম য়াক্নুনা থমলে ।। লাইমিংথোই থাংজিংদা লাইমিংবু (সন নোংনাংথো চৎরংবা) কৌনা লৈহুল্লে ।। থাংজিঙ্গী নমথাংদা থম্বালশাংপা মুঙ্গী খুংলাং লেংহৌবদ পায়হল্লে । লাইমিং থমনা (ওম উইক্রাং চীংথাংশ্রোং) অমনা হুংহিংনুমৈসেং অমমা কুংকি মোওং মুংমিং (মাওংমো) লৈহন্না লেথমলগ্নে ।। ×

(শক্লোং চীংবু খুবম থাবা)

লাইমিংথোই অশিবনা থাংজিং ঙাংঙোই কৌবা চীংবু খুবম য়াংতুনা লেপল্লবনু সনা পুক্লিংদা পেনবা থরবু রাংতুনা লৈফম থরবু লৈশন্না শন্দোক্না খুবম থরবু লৈয়াংলমগে রা-থক্লক্নুনা লৈফম্ব লৈযাং লৈথম্নবা শিন্থাবল্লে ।। শক্লোং চীগী চীংদোন্দা (মুঙ্গা শঙ্গাই) অমা শেমলে, মমাইবু শক্লোং লাইজি পাংনা ফাংলে ।। শঙ্গাইগী ফক্তোমদা (হুংথোংলিংনবা)

শেমলে ॥ শঙ্গোং মিংথোইগী মুংমাইবু (রাই ৫ পাকা পাল্লে । শজাইজাইখন মম্নাংদা মুংপাক অমা থাহুনা শনথোংবু থোংখিংকম হাপ্লে ॥ চীংথোংদা উমুং উপালবু হৌহন্দুনা (চীংথোং উমুং পোকপী) লৈহুন্না ইরাং থৌনিকম অমগা য়াত্নুনা শেমলে ॥ শনথোং-গী মথা পাংবদা শনথোং মিংথোইগী মচা অহন্না থোকঙম্নবদা লৈনবা ভুজী শজাই অমা য়াওনা থমলে ॥ (য়েক্রবা লানঙম্নবা লৈনিফম্ব ওইনা লিংলে) ॥ মুরাং চীঙ্গোনা হায়না খুবম অমা অমুক য়াংলক্লে ॥ মুরাং চীঙী চীংদোম্দা লুতুপী থৌরম্ব থোংখেংনা (ইফু-অমা) শেমহুনা ইফুগী মগুদা শঙ্গোদ অনৌবনা তমজবা ইশিংবু ইমাই থন্না লৈহন্দুনা লৈথম্নমগা লৈফম অসিদগী লাইমিংথোই খা মাইগেবু পনশানা ঔরাং থোং লৈথিংনবা খোংশাল্লক্লে ॥ × ॥ ×

লাইমিংথোইনা খাগী ম্নাইগে পনশানা ঔরাং থোংথিংবা

লাইমিংথোই অশিবনা মযুম থাংঙ থেন পুং তেবা কাংলম মৈলাংঙাং উবুক শিংনা মাইরেং হৌনবু (মযুম থা থাংঙা উরান থেনপুং) শেনহুনা লৈথমলগা লৈফম্ব লৈঙরুবগী লাইমিংথোইনা (ম) লাইয়েক্না নাওয়োম থানা থোইখুন অমা শাথোক শংফোংনা লৈফম্ব লৈঙাক লৈশিম্নরে ॥ লাইমিংবু খানা চাকেনা লুক নাক হায়না মিহুন তমলে ॥ থঙ্গা উয়াল্লক্নুনা পাযেন উথংমদা শিংঙং হাইবী মথুংগুবু থাংনা লাক্নক্না শিবি অঙানবা লাই অমম্বা কৈগদবা তিননীবু শেমগে নিংংহুনা লৈমুং শাহা খোঙারেক তো-ক্লেন লিশিং পানবা হিপু য়াইপুববু থেমনৌনা থেমথোক পাওশানরক্লে ॥ পাওশা — লৈমুং লোঙ্গা অরিবা থোংঙবেন্না মাবু থিঙম্নকপা উবদা লাইমিংথোইব কিহুনা শিংখোদা পকপা লিক্লগী মখুবা চংখিগা (ম, র, ও, শ, ক, ন,) লাইয়েক শুরুকপী মশক মঙানবু লৌহুনা লোতঙ্গা লেবে ॥ লাইমিংথোইনা থোংঙারেনগী মপুক রাবু খংহুনা পাওরৌনহুনা হাত , পুকনা পুকনা লিখাও খাও, খ, খং চিংহুনা নাতৈ অনিগা মরল ! চুহিং লামুং হাইবদি কাকয়েন খুজিন চু চু! রাহৈ পাওশা পাংরৌবু তাবদা খাংঙম্বা য়াঙম-দরে ॥ থোইশাওবা মপুকপু হংহুনা লাইমিংথোইগী নাক্লো মহাক্লসী থোইয়ুম লৈঙমগদবা শিশী মপাঙ্গন ওইনবা তিলিয়েক, লাইরিরেন, খাইবিরেল, লিন্দাওরেল, তাওরোইনাহ মঙাহু পুংথোকুনা থোক্লক্লে ॥ লাইমিংথোইনা পংওয়াবু অরেপ্পা কৈতনা থোকঙম্বা মশকপু হন্না মক্লো য়েংদনা শক্লুনা শোনহুনা লৈঙমলে, অহুদা অমুক—(তিনমুরেল, লাইমুরেম, তিনঙৌরেল, তিনভাংলেন,) মরিমশা অমুক শাথোকহুনা থয়ে ॥ মহুদগু অরেপ্পা লৈতনা

থাংজিং মিংথোইগী চীংবু মতোন ৭ শুনবা শেমলে মথক্তা সনাগী শঙ্গাই অনিগী লৈয়াই লৈথোক্না লৈথমলে চীংদোল অমদা (মুংগী খুদা তাংবন) থানা থমলে ।। খুদাংগী মথক্তা মমাই নোংচুপ লাইজি ওয়া থাংজিং মিংথোইনা ফমলে । নমঙাদা উথুম পাম্বী অমা হৌহল্লে ।। উগী মখা পাংনা মুংশিং থোং ৩ তোমশোন মরিন লৈফংনা থমলে ।। অমদি চীংথা থংবদা মুঙ্গী য়াংকোক কুম্বা মুং অকোইবা অমনা কুপ্পুনা থমলে ।। মথংনা চীংদোন অমদা মুঙ্গী পুথম শুম্বা অমনা খুমহুনা থমলে ।। মথং অমনা চীংদোন অমদা মুঙ্গী থুমুক কুম্বা অমনা কুপ্পুনা থমলে ।। লৈফম অসিবু মুংশিং থোং কৌর ।। কোইরেল লৈমগী শঙ্গাই মনাক্তা লাইকোম অনি য়াংলে ।। অমনা ঈশিংবু থক্রবদা লাই ওলহনবা মওম থমলে ।। অমনা ঈশিংবু থক্রবদা (মী ওলহনবা ওম্বা মওম্বু লৈপিনা) লৈথমলে ।। সনা শঙ্গাইলেনগী মুমফমগী মনাক্তা ঈকোম অমা য়াংলে ।। ঈকোমগী মচিনবু মাংবুঙ্গী মচিন মান্না শেল্লে ।। মচিন অশিদা ঈথোক্তুনা ময়াং ঈথাংতুরৈগী ইচেন মরু শুহনবা (ঈশিং তোমশোন মরিনবু লৈফংনা থমলে । ঈতারিবা মেইবুং মচিন ম নবগী মথাদা লমচৈ ৩ না কোনবা (পাক্লা) লম্ফুবু লাকোন ফানা থারে ।। থাংজিঙ্গী লাইকোনগী (থোংমরি শেমহুমা ফাংলে) ।। অয়াং থোংবু সনা থোংমানবী কৌবে ।। লৈফম অশিদা মুংখোং ওইহুনা লাইশংবু (মু শুক য়োংশুক) পায়না লৈঙাক লৈথমলে ।। লৈফম্বু চংথৈদবা (ভুখলম , হায়না থমলে ।। নোংচুপ থোংও চফদে হায়না থমলে । নোংপোক থোংদা লেচং য়াংলা, লৈফংনা লাই কাললু ওানয়ংনন শেমহুনা থমলে ।। লৈফম্বু মান্নবা চীংদান ৯ বু শেমহুনা লই ৯ লৈফম য়াওনা থমলে ।। লাইমিংথোই থাংজিংদা লাইমিংবু (সনা নোংনাংথো তারেংবা) কৌনা লৈহল্লে ।। থাংজিঙ্গী নমথাংদা থম্বালশাংপা মুঙ্গী খুংলা লৈকৌবু পায়হল্লে ।। লাইমিং অমনা (ওম উইফ্রাং চীংথাংশ্রোং) অমনা ছুংচিংনুরৈসেং অমমা কুংকি মেওং, ছুংনিং (মাচংমা) লৈচম্না লৈথমলম্লে ।। ×

(শঙ্খোং চীংবু খুবম থাবা)

লাইমিংথোই অশিবনা থাহিং ভাংঙোই কৌবা চীংবু খুবম য়াংতুনা লৈথম্লবনু সনা পুক্লিংদা পেনবা থরবু রাংতুনা লৈফম থরবু লৈশন্না শন্দোক্লা খুবম থরবু লৈয়াংলমগে রাথল্লক্নুনা লৈফম্ব লৈয়াং লৈথম্লবা শিম্থারক্লে ।। শঙ্খোং চীনী চীংদোন্দা (মুঙ্গা শঙ্গাই অমা শেমলে, মমাইবু শঙ্খোং লাইজি পাংনা কাংসে ।। শঙ্গাইগী ফক্লামদা (মুংথোংশিংনবা)

পোক্লনা য়াংলে ।। অশংবা, অঙাংবা, নাপুগুম্না তগুপ তরেংবা মুংদা অঙাংবদি — ঙাখি মুক্লাং, ঙানোই, পেংবা, ঙাম্নাবু পোক্লবা নোংদমলে ।। মখিংবু ঙাহিং পোক কৌরে ।। অমনা (পুকমহিং) কৌরে ।। অমনা (পোকপী শংফু) লৈহন্না লৈয়াং লৈথমলেগা ।। শঙ্গাইগী মনাক্তা নুং অনি থাহুনা থোংদম অনি য়াম্বনা থোং অমনা (অশিবা থোং অচংবা থোং) বু শেমহুনা লাইমিবু (কহিং হৎখংম, সহং) লৈহন্না মা থোং লুপা পোরোন থানা থোংবু থিহুনা থমলে ।। রাংব্রেনবু (খাপুংলেন খবনিংথৌ) মিংহন্দুনা মিংথৈবু (খমহিংচি) লৈহন্দুনা লৈথম্নগা লাইমিংথোইবু লোক লোমদা লাক্লে ।। লুতুং পরম্বু মাংলম চন্না থোরেংনা মুঙ্গী লাইশংবু য়াম্বনা থারে লৈগদবা লাইগী মখিংবু য়াংলে রাংব্রেনগী মচা ওইনা শাথোকহনগে পাইমা মরিন খারনি লাক্লা তমখিরগনি কাইনা হুল্লে ইঐ রাখম্না শাথোকনদ্রিডৈগী মমাদা মথুর্ম শংলেনগা লাইমিংগবু লৈতন্না য়াংলে ।। মরিন খারনি (খানা চাওবা লৈয়াম্বনা খাহিংসনা সিংখিরেন) = নৌমুবা মিংহিংচি) লৈহন লৈয়াং লৈতম্না লৈথমলমলে ।। X

থাঙ্গা উরাল্লক্লনা চীঙ্গী লৈহৌনা লৈয়াং লৈথম্নখিবা পরম থোংলমগা লৈয়েংনরক্লনা থুবম্বু লৈকাং লৈথম্নবা লৈয়েংলে ।। মপারি লাইমিংথোইগী রাখন লুতুঙ্গী থোরেংনা শিম্বাবা তৌগুমদবা মথৌনবু অকি তুজুং লৈতনা থোঙম্নবা খোপুবা পরম থোরম খুদিংমক্তা শাফা থোয়াংববু উবদা লৈশিরেনগা মরু অতিয়ার্গনা লাকতুনা হায় — পারি লাইমিংথোই সনাহন, পারি ইচানা লোইবী চীংশাংনা মাইগে খরিবু শিনবা থুংনা পনশাবিরে, অতুবু কনা ভুঙ্গাদমকতবু লৈতম্না শানলো? চীংলেন খুদিংদা লৈঙাক লাইবু লুতুঙ্গী লুমাঙ্গী লৈয়েং লৈয়াং লৈথম্না লৈবাক্লা য়াইফংনবা লৈশেমনা লৈথম্বীরে অশিবু কনাগীদমক ।। মরু নচা ঐদি থংদে কনা ভুঙ্গী দমক্লো, মরু অনিনা নোংদম্বীবা নয়াথংবু নচামা খোপুজবনি থোঙম্নবা লৈশনবদি মরুনা লৈন্শিনবিবনি ।। পারি লাইমিংথোই চীংলেন খুদিং অশিদা নমা লৈশিরেনগা নপা ঐগা ঐথোই অনিগী থুবম্বু লৈয়াং লৈতম্নবু থাবিও নপা ঐবু লৈজগে পারি নখোজান্দগী ।। মরুগী পাওখা তাবদা লাইমিংথোইনা মরু অনিগী লৈকমদা মরু অনিগী সমা চীংগোনলাংদি অসিনি, অসিদগী নত্তনা চীংলেন পুম্বম্ব মরু অতিম্লাগী ফম্বী কম্বাল ঙাকতনি — কেরা কাঙ্গশচন, মিংয়েংসেনা চেংলজ শাকাইলোনিবগুন, পুক্লংলমঙান হাইবা অসিদা অহিং লিক্লা ঙাকতবা মুংখিল লিক্লা কংদুবা, অচুবন্না মৌদবা অশানবা কংদবা অশিদা য়াতারিবা লাইমিংথোই পোইরে পুকমাং নিংহুনগনু, তেনৌ চিদা হায়হনগনু, পোইরে খুনক্ল'ও লৈডাওববু কুবি নোংদম্না চীঙ্গা মিংথোই মপুরেল ওইনা লৈপু লৈফম্না লৈবিও সনা মিংলেনবু (হে খোইয়ুম শিদরী শিদবও) নঙ্গী দমকপু লাংজরি লৌবিও লৈরাংনহুনা লৈহন্নে ।। X

লাইমিংথোইনা মরুগী নোংদম্ থোপুনা অমুক নৌহৌনা শেলোই মতাই লংমাইদ্রলেন পাত্তগী হৌরক্লনা পুমলেন্দাওখ্রংলে ।। লৈকম অসিদগী লাক্লনা লেংতাক খরোই কুদা খুং-লে ।। চীংশা নাপোম ১২ গুনা লৈহৎপা থমলে ।। মমিংবু (চীংখুচাও) লৈরম্লে ।। পাৎশোইদগী হাইজরেংনা চিংথাংলক্লনা পাকমপিরগী খুজাক থাংনকরে, খুরোয়া চাখাং মরুবগী লুগী শোইমাংদা থাং (মাই য়োইবা) চংঙৈদা থাং অখোকহুদি অশাবা কৌহুনা থাং অহুনা লুমথক্তা কাখৎলক্লে হায়হুনা লুহুংদা চীংলেন অশিবু থোথোকপু লৈরেনা (থাংবু কায়ে = থাংকাবা চীং) থাঙ হাৎনা মিংহোংনখ্রবা চীংনে ।। চীংমদি চীংখুচাওবনি ।। চীংনাপোমা অরাং পাংনা থমলে ।। চীং মপুক্তা মথা পাংনা থমলে ।। মচৈ মকোক ২.৫ মিত্রনা থমলে ।। নাতোন মখুন অহোবা অনিবু লাইনা লৈবা মকমদা শোমহুনা কাওলে ।। লৈবাক্কি খুচাও লৈ-চাওনবা শেমলমলে ।। লাইমিংথোইনা চীং মৈতোনবু মোংপোক পাংনা শেমজ্জনা লাইমিং-বু (কল্লা সিংচুও হোরো) হায়না লৈহন্না থমলে ।। খুহুং অনিবু (থোই মনাক্ক চীং) মিং-হুম্না খুহুং ওইবু থমলে ।। হায়জরেং থংবা চীংজিন্না খুহুংয়েংপু শেমলে । খুমাং য়েংপু পুথ্র-মর্ চীংদোন নিংহুম্না থমলে ।। ওইথংবা খুমাংবু (চীংলক চীংজিন) মিংহুম্না থমলে ।। ময়াং-দি মথবাক্তা চীক্লনা থমলে ।। লোইশাং শংলেন লৈয়াংলে ।। অহুগী লোক অনিদা মমিং অনিবু পাল্লে ।। চীংজেম্না থোইদৌনে, অমনা হাওবিজয় চিংচেনতা) ওইরে ।। লাইমিংবু হেলোইপু রাওবা), নোংপুরাওবা নিংহুম্না থমলে ।। *

থা মৈরম্বু উরান্দুনা খুরম অমা য়াংলে, ('খ) লাইয়েক্লা নাওয়োমহুনা লাই পাখং অমা শাথোক্লে মমিংবু (খপ্লাংবা) মিংহুম্না লৈফম্বু শিমহুনা থমলে ।। খাদা পনশা ৯ বু পনশা-বা লোইহুনা খাগী অরাং থোংবু পনথিংবা লোইশমলে ।। লাইমিংথোইনা অমুক বাখল্লে নোংদম থৌদা থোপুশিবু করিগুংবু থোরাংশিবনো কোইনা অমুক লনয়েংলক্লে ।। মাইগে ৪ লৈয়াং লৈথিংবদি লোইরে অহুবু লুকুন্দামকতা মরকতা লৈচাই লৈ.খ্রমথিবা চীংশা নাপোম থরদি বাংলিদনা অহুদি লৈয়াংকদবা মথেদি য়াংলম্বা তাম্রিথোইরে হায়না অমা অমুক হৌনা শেমলে ।। লৈফম্বু থোইয়ুম চীং '= লাইরোং চীং কৌনা থিংরম্লে ।। অরাং পাংবা চীংয়াই-দগী লোক অমা য়াংলে ।। মমিংব, থাংলোক কৌনা ঈমৈবু থোংচুপ পাংবা য়াংলে ।। (থা-রোন লোং কৈরোক =থরোলৌক) হাইরম্লে ।। থা পাংবা চীংয়াঙ্গী নাপোমদা (হুংতা রে-পুখুদা) থানা য়াংলে ।। মুং অমনি অকহং লাইরৌকপু য়াংলে ।। জুং অমদি সং লাই-য়েককী লৈফম্বু য়াংলে ।। মুং অমদি কৈং লাইয়েকপু য়াংলে ।। তুং অমদি তুং লাইয়েকপু য়াংলে ।। ভুং অমদি উং লাইয়েকপু য়াংলে ।। খুং অমদি ভা লাইয়েকপু য়াংলে ।। মুং অমবা (নং) লাইয়েকপু কাউনা লৈফম্ব য়াউনা থনম্মে ।। খোইয়ুম চীংগী লাইবিংবু

(হুং হিং রং রিং চীং চিংবা) লৈহল্লে ।। খোইয়ুম চীংগী লেমফুদা লাইরেম্বা শিদবীগী লৈফম অমা য়াওনা থমলে ।। নোংচুপ শাংবা থারোন লোক্তি চীংদোন্দগী সনা লমজৈ (৬৮) বু ওনথোক্লগা লাইকোম অমা য়াম্বনা থমলে, লাইকোম্বু (লাইলোই মান্তক কোম) হায়না থমলে ।। খোইয়ুম চীংদা চংবদা য়াইকংনবা লৈরে লৈচাইন। খোইয়ুম চীংগী লাইমিংবু হায়হনা লৈবাকপু চাইহনা চংনবা লৈরেফম্বু চীংচিন অমা য়াংলে, মমিংবু লাইপঙ্গা চিংজিন লৈহনা য়াংলে । চীংখোংদা শামুশাবা মুং অমা য়াংলে মমিংবু (সহিং) কৌনা থমলে ।। থারোনলোং লৈরোককী মনুংদা খোইয়ুমগী (ফুংশি মীপোকলেন কোল্লিংবা) লাইগিবু থুবম থাহনা শাথোক লৈথমলে ।। লাইলোই মান্তককেনগা লৈতিন তিল থানা লৈয়াং লৈথমলে ।। মণ্ডবু লৈমা লৈবাক পীবা য়ুমদিনগা হায়না মপু খোকওম্বা লৈহাপনা থমলে ।। ×

লাইমিংথোইনা খোইয়ুম চীংবু য়াংপা লোইরগে রাখন্দুনা য়েংবদা পরম লৈথাবা অমা লৈরাংলমলে ।। ইদঃ অসিদি মণ্ডবু লৈহক্লা লৈডমদোরিনা করিনো কংলৈ পুংমাইয়োন লৈবাক অসিবু ইথ্রমহনা লৈওম্বা মশকপু খুত্তাক লৈতাক্লহনা লৈফম্বু কোইজাইনবা পরম অমত্ত ওইদোরিনা অহুগা লৈবাক অশিদা লৈওম্বা খোইয়ুম মখৈনা চংফম অসিদা লৈথুপনহনা লৈথাংনগদোবা পরম অমবু লৈঙা লৈফম ওইনা থোকওম্লিন', অহুদি লৈফম অসি হকচাং অমগী মশকপু লৈহাপ লমদবা য়াদবা লৈফমনিদনা থংলক্কনা খোইয়ুম চীংবু হকচাঙ্গী পরম্বু লৈহাপ্না শাথোক্কনা লৈথম্বা অমুক হন্না য়াংলে ।। শানাচি হায়না নাতোন পাল্লে ।। চীংখোং হায়না নাতোন নাকচী অনিবু হাপলে ।। চীংদোন কৌনা নাতোন মতোম্দা লৈহাপলে ।। চীংয়াংদা নাথাং অচেংবা থমলে ।। শিদনাদনবা লৈফম ৪ বু লৈহাপ লৈশাল্লে ।। মানাইসান চীঙ্গী চীংশাং মথক্তা উ-বা নাপী শিংবী শোইহল্লে ।। লোক ৪ য়াংলে ।। হিদেন ১২ থারে ।। চীংশাং ৪ থাইরে ।। উমং মরি শেমলে ।। খোইয়ুম চীংদা লাংজিং = লাঙ্গোইচীঙ্গী লৈবাকা চীংথাঙ্গী লৈফমগা, নোংপোক লৈহৌচীঙ্গী লৈবাকক্তা, কুরুমচীং = লাংলোনগা, লমহাংপুংগা, থাংজিং চীঙ্গী লৈফমগা, লাংথাক চীংচেংসা, চীংঙাকচীংনে, পীতুমচীংনে, চীংখুচীঙ্গা, সনাচীং লুপাচীং, পীথ্রাইচীং, কোকওৌচীং য়ুমজাও কায়নগা, চীংথম চীংনে, চীংলেন পুম্বগী চীংদোনগা, তিল্‌ লৈতিন লৈফাম্বা লৈথমলে ।। ×

লৈরোইরগে হাইহনা লাইমিংথোইনা চীংলেনবু কোইনা য়েংবদা থরাই লৈওদে হায়োই হাপচংনহনা লৈওম্মি, হিঃ মশিদি করিবু য়াংপনো রাখল্লক ।। অসিবু লৈহাপ্তে হাইরিবোইরে হাইহনা থারোনলোং মৈরোককী থা প্যাংবা চীঙ্গী চীংবুকতা লৈশিরেন লৈপুনবী অতিয়া মরু শিদবগা মরু অনিগী থুম্বমু লৈয়াওনা মুং থুদা অমা (লিরুমকৌনচীং) পাংনা মাইয়োন

লৈথারে ।। খুবম্ভু লৈয়াংনদা মক অনিনা শাগোরক্তুনা হাই পারি লাইমিংথোই পারি ইচানা লৈয়াং লৈথম্বা লৈকম অসিদা ত্তিলুথা শাথুশকদবশু লৈরাংলি , ফৈদোম মরিগী লৈন্নুংদা অরোইবা ফৈদোমগী লৈন্নুংদা শাথুপতুনা পারি ইচাগা ত্তিলু লৈথানা লৈগদবনি অতুবু পারি ইচানা লৈকম অশিবু খোইয়ুম লাইগী ওইবা ফৈদোম মরিদা লৈচল শিংহাপতবা (হৈয়ম চাক) অসিদা লৈহৌনা খুবম্ভ লৈযাংকে লৈথম্বা শেংহৌগে রাথনতনা লৈযাংলমালে পরম অতুশু কাইদনবা নোংদম্বা উংলৌ য়াইবিরেল লেংদ মাংবনা নোংদমলক্তুনা লৈথমলনা ওইশনু । অতুগা লৈকম অসিবু লৈবাক অসিদা লৈরম্বা খোইয়ুম শিঙ্গৌ শংবোং শাথুপকম ওইনা পারি ইচানশু লুতুংনা মাংলমচং থানা রাথনবু লৈথম্না লৈথোন লৈযাং লৈলমলি চীংলেন অসিবু চাদোন শুদোন্না লৈশিবদা লৈখংজনবা হকচাং হাইবশে পরম লৈশক অনিনা লেইত্রগা ওইরলি খংজনা হামচং হামখোইনবিবা পুম্ব থরাইবু মিকৌ থাকৌনা লৈচ পক্ এ লৈথম্না পারি ইচানা ... দম্না লৈহাপ লৈরম্বা তৌওম্মু নোংদমলগা মক অনিবু খৌ কংলৈদা নজিনখ্রে ।।১

লাইমিংথোইনা হাই, থৌদাবু থোপুনা হৈয়ম খোইয়ুম চীং নঙ্গী হকচাংনা ওইববু ... শিঙ্গা ... পারেংদা ফিংনা ... পোক্ক, লুনা তৌবু পোক্কে, তোংনা উনবু ... টায়তবু পোক্ক, অতু নুঙ্গিবু চীংলেন নঙ্গী ইপাল্লাংদা উ, রা, উরি, রারী শাত্থ-যাংলন ... শিং ... পোকুনা তৌরিব। অশিবু (তু তুশিকা, য়েক শ্রুং শ্রুং সিক্ক হাং, উংনা চকনা) হায়না তৌনি খংলো শিন্নম্বা লাইনম্বা লৈবা খিবিক, মত্ত মকাপ ফংদা ... মাংহনাবা নোংদম্বনা হানামাংন" পাওশাবগা চীংযাদা থুক লৈকানা কুন্দুনা লাকয় ।। (হাই তিনশঙলেন তিংচাংলেন কোক কোবদি হৈপোপ কৌয়, হৈপোপ কোবদি শোবাবেল কৌযে, শোরারেল কৌবদি মারেল অতম শেখাক অশিয়াবু ফাবা রানে নাইনা ফাবনি) হাইনা থা কৌবা খোইয়ুম চিঙ্গা য়াকনদা, নিংশাদা মচিন্দা) পাওশাত্র । ... খোইবিচাম্বা ... শুলা ... ওনা) হায়না পাওশানা ফিরেন, হারেন, যাফমনে লৈয়ম অতম শানিদ অমুক (লাংস খোইথোম পুং লাংচাপুং ... চাহি হিংত কৌত্র) পাওশানবদা খোইয়ুম চীংলেন মানা হাই, মণ্ডনিক, মশা মউ লোংঙমলে, থরাইদি লৈতাংদ লাইমিংথোইনা খোইয়ুম চীংলেন মানা হাই, মণ্ডেনিক, মশা মউ লাংঙমলে, থরাইদি লৈতাংদ লাইমিংথোইনা খোইযুম চাংলেনগী লেমফুদা লৈহাপ লৈকাম ল ।। থরাই মঙামক তিগা থানা ... কমক হয়ি অহুম্মক হৈপোক্তা থোংনা পুববু লরাই লেনকু হৈরে, হৈপোক কৌরে, হৈপোক কৌবদি শোরারেম্মি লাইয়িংথৌ লৈমনে, হিক হিক হিকথা ওবা ।। থরাই মিহিংবু চীংলেন লৈকম শনা লৈকুমাল, অমুক চীংলেনগী খোইদোদা (তিঙভা তিনশংলেন কৌএ ওয়া পাওশানা লৈফম লৈংনা লেমনলে ।। লাইমিংথোইগী থুক্তোন

মঙাদা পাওশাইএ হে ইবুংঙো মপা মপু লৈখংবা নমিংবু লৈমুং কোনচিলাংম্না কৌবা: নহ্রক্রা কংলৈপুংমাইয়োম্নে, খোইদৌনা হোগাইবীনে, নমৈনা স্নাথোংনে, নমৈ মৈতোম্না কোনশিনবিও, তোম্বা মৈশাংবা তাংজা লুপাংবা ননৈবু নয়ানা চিক্লা কোন্দুনা লৈবা নমিংবু হোমনিক মুক্লা কৌবা হোচিক কৌবা ইবুংঙো চেপফদে লোংফদে মবা লেনফু লৈতানা লৈহল্লো শন্না পাওশানা চীংলেনপী খোইদা নমদুনা লৈফা লৈথম্লে ।। ×

লৈফম অসিব মিকু থানবা পুং অমা শেম্লে ।। খোইযুম হৈংপোক চিংবু মিকু থানবা পুংবু নোংছুমশংদা তিলু থাদুনা পুঙ্গী মমিংবু (শীশুমপুং থাংকৌনা মুংশিং লমগী চুক ওইনা থমলে ।। পুং অসিগী মথক্তা লাইমিংথোইনা চুক থারে ।। মদুদা হাইবদি পুঙ্গী মথোংদা (ওক্রাই অমগা শল্লাই অমগা, লনলাই লমজেন য়ারা পাওশাবা) অমগা থোক্তনা চোংথো-কুনা লৈরে ।। হিং মশিংদি করিনো লুতুংদা হায়গদবা তাক্কদবা রাবু হৌজিক্, শাদোগদুনা হাইবরা নমুং মতম লৈরাংলি থোকফদে হাইদুনা লাইমিংথোইনা মু ৬ থক লৌকরগা লাইমিংবু (স্নাচিং তরেং চিহিংনপ) লৈহুন্না লেংগনু থোকখিনু হাইদুনা মুংদুনা নন্দুনা ফাত্তনা লৈথম্লে ।। ৴

পুং অমা অমুক শেমদুনা থাংজিং চিংবু মিকু থানবা খুন্থ, য়াংলে, পুঙ্গী মমিংবু (চিংচংই) পুং (ওম রং হরংচি) লৈহুন্না শেমলে ।। চীংমাই নোংপোক থংবদা নোংপোক অংাম্বগী খুবম অমা য়াত্তুনা থম্বিরে । থৌবম্ব লৈশিরেন্না উরে, চীং লাইমিংথোই ইচাগী খোঙম অসিদি লুতুঙ্গী ফালম্বু থোয়েংনা খুবম য়াত্তুনা লৈথম্বীনবা থোঙম্ব থোপুনবিনা মশিংদি ইচাগী থোপুবদ মুংঙাইনবা মনা এগী লাথুপ্পা ফালম লৈশানগদবা পরম মখৈদি মমা কনা তেংবাংবা তাই রাগল্লজনা লৈফম অসিদা লাকতুনা হয়াই- লাইমিংথোই পারি ইচানা খুবম লৈয়াং লৈথম্বা অসবু নমা এগীগু লাথুপ লাবৈ লৈগেংনা লৈথাইনা লৈফম্বু লৈযাংনবিগু. নচিন ননাও পন্থৌ নপা নচা অহুমগী ফালম লাবৈ লাথুপ্পা নমা এবু য়াওহল্লাই হাইববা ? নমা এগীগু নোংদম্না লেয়াং লৈথম্নবিয়ু ।। পলেমগী লৈফম্বু লৈয়াং লৈথনদবা নচা[illegible] ।। চীংগু লাইরেম্বী শাথোক শাদম্না লুতুঙ্গী পবমগীদমনা নচানা লৈযাং লৈথমজনদা ইমুং ইতম ইনাং নত্তবরা তৌজবনি ।। পারি ইচানা নোংদম্না লাইমিং য়ারা লৈহুন্না লৈয়াং লৈথম্নম্বদো লুতুঙ্গী লাথুপ্প থোপুনা নমা এনা লাথুপ লাবৈ থোপুগনি লাইমিং মিহুন লৈ-তম্বা থোকাওদনা শাদম শাথোক্লগনি লৈফম অসিমক্তদা লাইমুরা লাইরেম্বী ৭ কী লৈথম্নবা লৈ-য়াং লৈথমনবিও পাওশানা লৈশিরেন্না লংইমুরা লাইরেম্বী ৭ পু শাথোক্লা শাফোং লৈথম্লে ।। পলেম মমাগী য়াথং থোপুনা লৈফম্ব (তমফা ম্লাওইবী) মিংহুম্না লাইরেম্বী ৭ কী খুবম্ব লৈয়াং লৈথম্বা হৌরে । মথা থংবদা লাইগী শংলেন য়ুমফম অমা য়াংলে ।। চীংদোন্না

লৈথারে ।। থুবস্থু লৈয়াংনদা মক অনিনা শাথোরক্তুনা হাই পারি লাইমিংথোই পারি ইচানা লৈয়াং লৈথম্বা লৈফম অসিদা তিলুথা শাথুকদবশু লৈরাংলি, ফৈদোম মরিগী লৈমুংদা অরোইবা ফৈদোমগী লৈমুংদা শাথুপতুনা পাবি ইচাগা তিলু লৈথানা লৈগদবনি অতুবু পারি ইচানা লৈফম অশিবু খোইযুম লাইগী ওইবা ফৈদোম মবিদা লৈচল শিংহাপতবা (হৈয়ম চাক) অসিদা লৈহৌনা থুবস্থ লৈয়াংকে লৈথম্বা শৈহৌগে রাথনতনা লৈয়াংলমলে পরম অতুশু কাইদনবা নোংদম্বা উংলৌ য়াইবিরেল লেংদ মাংদবনা নোংদমলক্তুনা লৈথমলবা ওইশনু। অতুগা লৈফম অসিবু লৈবাক অসিদা লৈরম্বা খোইম শিঙ্গী শারোং শাথুপফম ওইনা পাবি ইচানশু লুতুংনা মাংলমচং থানা রাথনবু লৈথম্না লৈথোন লৈযাং লৈগমনিনি চীংলেন অসিবু চাদোন শুদোম্না লৈদিবদা লৈথংজনবা হকচাং হাইবশে পরম লৈশক অসিনা লেশিল্লগা ওইংনি থংজনবা হামচং হামমাইনদ্রিবা পুম্ব থনাইবু মিকৌ থাকৌনা লৈহাপহং লৈবম্নবা পাবি ইচানা তুবি নেংদম্না লৈহাপ লৈম্না তৌভম্ নোংদমলগা মক অনিবু থৌ কংলৈদা অনজিনথে ।।৮

লাইমিংথোইনা হাই, থৌদাবু থৌপনা হৈযম খোইযুম চীং নঙ্গী হকচাংনা ওইববু হাংগা খংঙ, শিঙ্গা শিংবু পোথকদা শিংনা নাব পোক্র, লুনা তোবু পোক্র, তোংনা উনবু পোক্র, মাচুবু পোক, শতু দুঙ্গবু চীংলেন নঙ্গী হপাল্লাংদা ড, রা, উবি, রাবী শাড়-য়াঙ্গন শাদী শিংবা পোক্লনা হৌরিব। অশিবু (তু তুশিকা, য়েক শ্রুং শ্রং শিক্ত হাই, শাবা চকবা) তযনা কৌবদি থংলো শিন্নবা লাইনম্বা লৈবা খিবিক, মহু মকাপ যেবা লৈক মাংহনাগ্রা নোংদম্বনা হাবনসি" পাওশারগা চীংযাংদা থুক লৈতানা কুন্দুনা লাৎয় ।। (হাই শিনশঙলন তিননাংলেন কোক কৌবদি হৈপোপ কৌয়, হৈপোপ কৌবদি শোরাবেল কৌযে, শোরাবেল কৌবদি মারেল অতুম লৈবাক অতিয়াবু ফাব বানে কনাই নংবু ফাবনি) হাইনা থাংগা খোইযুম ঙ্গা থাকনব, নিংশাদা মচিন্দা) পাও-শাএ। ত নম খোইবিচাম্বা নাংদি শৈবে হৈন শলাং লৈনা কৌন ওনা) হায়না পাও-শারং শিংনে য়ারে, যাহমনে লৈফম অতম ফাদ অমুক (লাংস খাইথোম পুং লাং-চয়ং শিংনচাক্তি তিংক কৌং) পাওশানবদা খোইযুম চীংলেন মানা হাই, মঙৈনিক, মশা মউ লোংমলে, থনাইবি লৈতাদ লাইমিংথোইনা খোইযুম চীংলেন মানা হাই, মঙৈনিক, মশা মউ লোংভমল, থনাইদি লৈতোখে লাইমিংথোইনা খোইযুম চীংলেনগী লেমফুদা লৈহাপ লৈ-কামল।। থরাই মঙামক শিগা থানা ওককমক হয়ি অতম্মক হৈপোক্তা থোংনা পুববু নরাই লেমতু হৈরেব, হৈপোক কৌরে, হৈপোক কৌবদি শোরারেল্লি লাইয়িংথৌ লৈমনে, হিক হিক শিকথা ওবা ।। থরাই মিহিবু চীংলেন লৈফম শুনা লৈবুমান্না, অমুক চীংলেনগী খোইদোদা (তিনঙাং তিনশংলেন কৌএ ওরা পাওশানা লৈযম্ লৈম্নংনা লেমনলে ।। লাইমিংথোইগী গুত্তোন

মতাদা পাওশাইএ হে ইবুংঙো মপা মপু লৈথংবা মমিংবু লৈমুং কোনচিলাংমা কৌবা: নঙাক্কা কংলৈপুংমাইয়োম্লে, থোইদোনা হোগাইবীনে, নমৈনা স্নাথোংনে, নমৈ মৈতোম্লা কোনশিনবিও, তোম্বা মৈশাংবা তাংজা লুপাংবা নমৈবু নয়ানা চিক্লা কোন্দুনা লৈবা, মমিংবু হোমনিক মুক্তা কৌবা হোচিক কৌবা ইবুংঙো চেপফদে লোংফদে মরা লেনফু লৈতানা লৈহল্লো ওন্না পাওশানা চীংলেনপী থোইদা নমহুনা লৈফা লৈথম্লে ।। ×

লৈফম অসিব মিকু থানবা পুং অমা শেম্লে ।। থোইযুম হৈপোক চিংবু মিকু থানবা পুংবু নোংহুমশংদা তিলু থাহুনা পুঙ্গী মমিংবু (পীশুমপুং থাকৌনা মুংশিং লমগী চুক ওইনা থমলে ।। পুং অসিগী মথক্তা লাইমিংথোইনা চুক থারে ।। মতুদা হাইবদি পুঙ্গী মথোংদা (ওক্লাই অমগা শল্লাই অমগা, লনলাই লমলোন য়াব্রা পাওশাবা) অমগা থোক্তুনা চোংথোক্তুনা লৈরে ।। হিঃ মশিদি করিনো লুতুংদা হায়গদবা তাকদবা রাবু হৌজিক্কা, শাদাকতুনা হাইবরা ওমুং মতম লৈরাংজি থোকফদে হাইতুনা লাইমিংথোইনা মুং ৬ থক লোক্লগা লাইমিংবু (মাচিং তন্নেং চিহিংনপ) লৈহুন্না লেংগমু থোকখিমু হাইতুনা মুংহুনা নন্দুনা ফাহুনা লৈথম্লে ।। ×

পুং অমা অমুক শেমহুনা থাংজিং চিংবু মিকু থানবা খুবম্থ য়াংলে, পুঙ্গী মমিংবু (চিংডাক) পুং (ওম রং হরংচি) লৈহুন্না শেমলে ।। চীংমাই নোংপোক থংবদা নোংপোক অনাথগী খুবম অমা য়াত্তুনা থম্বিরে । থৌরম্ব লৈশিরেন্না উন্নে, হীঃ লাইমিংথোই ইচাগী খোঙম অসিদি লুতুঙ্গী ফালম্বু থোয়েংনা খুবম য়াতুনা লৈথম্বীনবা খোঙম্ব থোপুনরিনা মশিদি ইচাগী থোপুবদ, মুংঙাইনবা মনা ঐগী লাথুপ্পা ফালম লৈশানগদবা পরম মখৈদি মমা ঐনা তেংবাংবা ডাই রাথল্লক্তুনা লৈফম অসিদা লাকতুনা হাই– লাইমিংথোই পারি ইচানা খুবম্ব লৈয়াং লৈথম্বা অসিবু নমা ঐগীশু লাথুপ লারে লৈয়েংনা লৈখাইনা লৈফম্বু লৈয়াংনবিগু, নচিন ননাও পম্বৌ নপা নচা অহুমগী ফালম লাবৈ লাথুপ্পা নমা ঐবু য়াওহল্লাই হাইববা ? নমা ঐগীশু নোংদম্না লৈয়াং লৈথম্মবিযু । পলেমগী লৈফম্বু লৈয়াং লৈথনদবা নচা[illegible] ।। চীংঙু লাইরেম্বী শাথোক শাদম্না লুতুঙ্গী পরমগীদমক্তা নচানা লৈয়াং লৈথমজবদো ইঙুং ইতম ইনাং নম্ভবরা তৌজবনি ।। পারি ইচানা নোংদম্না লাইমিং য়ারা লৈহুন্না লৈয়াং লৈথম্লম্বদো লুতুঙ্গী লাথুপ্প থোপুনা নমা ঐনা লাথুপ লারে থোপুগনি লাইমিং মিহুন লৈতম্বা থোকাওদনা শাদম শাথোক্লগনি লৈফম অসিমক্তদা লাইমুরা লাইরেম্বী ৭ কী লৈতম্নবা লৈয়াং লৈথমনবিও পাওশানা লৈশিরেন্না লংহুনুরা লাইরেম্বী ৭ পু শাথোক্তা শাফোং লৈথম্লে ।। পলেম মমাগী য়াথং থোপুমা লৈফম্ব (তমফা য়াওইবী) মিংহুম্না লাইরেম্বী ৭ কী খুবম্বু লৈয়াং লৈথম্বা হৌরে । মখা থংবদা লাইগী শংলেন য়ুমফম অমা য়াংলে ।। চীংদোম্বা

লাংচৈ পন্দ্না য়ুংলে ।। শাখোক্লগদবা থৌয়েংনা খুদা (মুং অঙোবা) অমা থাহনা য়াংলে, লাইমুরা লাইরেম্বীগী মমিংবু (পাম্হোইবী লাংমা তরেংয়ি) কৈহন্না থমলে। লাইমুরা লাইরেম্বী ৭ কী লাইমিংবু (শ্রা মহা মনিক চীংলেনখোম্বী) কৈহন্না য়াত্তুনা থমলে। নোংপোক পাম্হোইবীবু পীং পীং সংতরেংহীংবী কৈহন্না য়াত্তুনা থম্মে। পাম্হোইবীগী খুবম মনাক্তা য়োংকী চৈশুবু লৈথম্বীহনা লুহুংদা নৈপায় লৈথম্লবা য়াত্তুনা থমলে ।। চৈংঙাক চীংবু লৌয়েনবা লৈশিন্নহনা লৈথম্বা লাইমুরা লাইরেম্বীগী মমিংবু (চীংঙাক লৈমা—লোইহীংনপ মিহিংফা) মিংথুন্না মথুংগু লৈ অমা কোরিগী মশক্তা শেমহনা (কোরীগী লাং অহু) লৈবাক্তা খুহুপ ৬ লুনা ফুমহনা লাংবু থাকুনা থমহল্লে ।। নোংপোক্কী চীংদোন্দা লৈবা লাংচৈগী নাপোম লাইচি পাংবদা (ঈশিং থোকপা) লৈফম অমা য়াত্তুনা থমলে ।। চীংথক চীংয়ংগী মতোন্দা চীঙ্গী লাহ নিংথৌগী শঙ্গাই শানবা য়াত্তুনা মালেমদা খুহুপ ৬কা কাপ্লেন অমা লুনা (লিক্লাই য়ুম্বী ওইনবা) যুম্বী ১২ বু ফুমহনা থম্মে। নোংচুপ থংবদা (কাপ্তু কাপ্লেনবু) থাহনা মুংথোং থিংলে ।। মনাক্তা খোইযুম লাইথোং থিন্দুনা) থম্মে। লৈবাক্কী করোংগু নোংথৌগী করোংগু অনিমকপু লাপ্পদনা য়ুংহনা থমলে ।। লৈফম অসিগী নোংচুপ পাংবদা (চুক্লেন লাইয়েক) অহুম্ব খুহুপ মরি লুনা লৈমুংদা ফুম্মে ।। মনাক্তা লাইমিংথোহ থাংজিঙ্গী সনাথাং (চংগোইবু, শ্নাগী চৈশু, শ্নাগী কাংচপ), পু খুহুপ অহুম কাপ্লেন অমা লুনা য়াত্তুনা থম্মে ।। থাংজিং লাইনিংথৌগী লাইমিংবু চীংঙারেল নোংলেনচী) থাকৌনা লৈহুন্না থমলে ।। শঙ্গাইগী মথা পাংবদা পাং অমা শেমল্লে মমিংবু (ঙাংলেনপাং) মিংহুন্না য়াংলে ।। লৈফম অসিগী পুংলেন চীংঙাক কৌবদা থাংজিঙ্গী মিকু চীংনে ।। চীংঙাক্কী লৈচংবু (চৌপুপুংদা) থম্মে ।। লাইয়েকপু (র) না নাওযোম থারে ।। রাইথৌ খমপুং চীংশাংবু লৈথম্লকুনা চীংথু কৌবা লৈফম অমা শাথোক্লনা চীংগী চীংখাংদা (লালু থেল অমা) য়াত্তুনা থম্মে ।। চীংদোন্দা (ঙাকলৌ থোংবু) পান্দ্না লাইমিংবু (মারেম নাওকন রাংপুবা মুবা নাওমিহিংচি) থাকৌনা থমলে ।। করি করাবু রাংলিবা লৈরোইবা য়াদবশিবু হায়না কোয়না যংশদা (চীংথাং থাংতেক) কৌবা লম অমা য়াত্তুনা থমলে চীংথক্তা (শোরা) অহুন পাল্লে থোযুম অহুম্ব শা থাকুনা মমাই মাইয়োক্লহন্দ্না লাইমিংবু (লৈকা-নপলাইফা) থাকৌনা লৈবাক্তা নিল্লবা লৈবাক্তা অরা লৈথম তানফংমল্লবদা ইরাং লৈদিহুনা থম। লৈকোক্লব লৈয়াং লৈথমলে । X

চীংথম কৌবা হখোংদা — চীঙ্গাঙ্গী মবিন্দা লৈহন্না লাইমিংখোইবু খোংদারকুনা য়েংহনা লাকপদা লাই অমা শাথোক্লনা লৈরম্মে, লাই অসিবু উবদা লাইমিংথোইনা লৌখামহনা লাইমিংবু (মিগুংলেন মিংহুন্না মুংনা নন্দুনা থমলে ।। চীংয়াইদা খুবম অমা য়াত্তুনা লাইনিংথৌবু লাইমিং (হিংশ্না মিরেন খোম্বা) লৈহুন্না থমলে ।। চীংমাইদা লাইরেম্বী অহুমগী লাইমিংবু (মিহিংলেন মিথোম্ন) লৈহুন্না লৈহাপ লৈথমলে ।। লৈফম অসিদগী হাওকপ উরাল্লকুনা

ফুনালচীং য়োরকলে ।। হাওকপ চীংদোন্দা লাইকোম অমা য়াংলে ।। কোমহুগী মহুংদা থাঙগী মকোই মানবা লাই অমা শাথোক্লনা লৈথমলে ।। চীংকোক্তা (তোকপা লাই) অমা শাথোক্লনা লৈথমলে।। চীংমাইদা লাইরেম্বীগী খুবম অমা য়াত্তনা থমলে ।। চীংখোংদা (লিরুং তেনশুবা) লাই অমা শাথোক্লনা খুবম অমা য়াত্তনা লাইমিংবু (ফুরা) মিংহুম্না থমলে ।। চীংদোন্দগী (ফুরা লিরুংতেন তেনশুবগী লৈফম অমগা য়াত্তনা লৈথম্বীরে। লাইগী লাইমিংবু (মিচিংলেনমিরাকপা) কৌরে, মেরুবনা (সনামিংতোংলেন লৈহুম্না শিন্নরে।।

চীংথাংবু উরাল্লক্লনা লাইমিংথোই অশিবনা চীংথক্তা (চীংথাং লাইরেম্বী) গী খুবম্ য়াত্তনা থমলে।। মনাক্তা অরাং পাংনা লাইকোম অমা য়াংলে।। চীঙী চীংমৈদা (লাইগী লাইয়েক পুম্না) লৈথমফম অমা য়াংলে।। চীংখোংদগী লাইগী লাইয়েকপু) চক লাংদাঙ্গী খুদিং লৈরোং লৈথম্বা লৈফম (তরেং) অমগী য়াত্তনা থমলে।। মনাক্তা চীং মরিনা চুক শানা থমলে।। মনাক্তা লাইকোম (কোঙ্গোন শৌবা অমা য়াত্তনা থমলে।। চীঙী মখোংমক্লদা লাইকোম অমগী য়াত্তনা থমলে।। কোমগী মহুংদা (ইখৈরেন পাখংবা) থমলে।। পাং অমগী য়াত্তনা থমলে, অসিদা ভাপী সনামানবী লাইমিংবু (হিংকুপ লেন ইহিংসং) মিংহুম্না থমলে।। মিংলেম মেরুববুনা (সনাসংত্রেতনৌবা) কৌরে।। লৈফম অসিবু লৈগুম্নগদবনা তিম্থং লাইথংলবদা ইরাং থৌনিহুনা তিনশেং লাইশেংনবা নোংদম্না লৈথম্বীরে।। পুন্সি চুংশাংনবা নিংজবা খিবিকপু থংজনবা য়াংগিবে।। পুন্সিথোং, মাওশিথোং, খেলকাথোং থোং অহুম য়াংতুনা থমলে।। নোংচুপ থংবা থোংনা শগোল্লম ওইনা লৈথমলগা লৈথোনবা লৈয়াংপর খুখারে। লৈপী অহু লাইমিংথোইগী খুত্তা ফুল মচা অমা লেমহুনা লৈরে, মশিবু করি হুংবু তৌশি হায়বনো, কদাইদবু থমশিবনো রাখন তোনা লৈথমফম্ কোইনা লৈয়েং লৈথিনা লাকলে।। মচাগী রাখনবু অতিয়া শিদবনা উরহুনা থোকওমলক্লনা লোখামহুনা হায়, পাম্রি লাইমিংথোই লৈবাকপু য়াইফহনগে হায়হুনা পাম্রি ইচানা লৈথোম্নহুনা চীংবা পনশানা খুবম লৈয়াং লৈথম্বীহুন লৈশাবদা লৈরেম্বা লৈবাক অসিনা লৈবাকী অরা লৈকোক্লবা ওইনবা লৈফম অসিদা লৈথমশি, লৈফম্ মমিং (তোক্রপুং) কৌশে।। লৈফম অসিবু লৈথম্বা লোইবনা চীংবা পনশাববু তোকওমথিএ থংনবা মরুগী নোংদম্ লৈরোহুনা অরেম্বা লৈবাকপু লৈথমহুনা লৈথোনবা লোইহুনা তোকলে।।x

মরুনা মালেম লৈতিললাংবা হৌবা

পাম্রি ইবুংঙো লাইমিংথোই পাম্রি ইচানা মালেম লৈগুরুবদা পাম্রিনঙ্গী হরুচাংদা মালেম লৈরিক লৈচোংনা পকওম্বু নপা ঐনা উনদা নপাগী থোইজং থোইদামশ্রেদা কোরৌ অসিদগী থৌহৌনা নপা ঐগী হরুচাং লৈফম ৯ দা মালেম ইমাবু নপা ঐনা লাংথ্রগা ইশাবু লৈতিন লাংথ্রগা থৌকাওদনা ইকোক ইউ ইতুম্না, খুজিন খুরা লৈশেংনা ইপুক ইরু মাইতাহুনা মালেম ইমাবু

লৈতিল ফম্বাল লাংওমজগে, পাল্লি নঙ্গী নশা লৈফম মাপন্দা লৈচোং লৈপকলিবরু নপা ঐদা পীনৌও ।। মরুগী নোংদম্ব ফংবদা লাইমিংথোই মচানা মশাগী লৈফম লাঙ্গবক য়েং ওইদগী, নাখাং— শাম্নচীদগী পামবোম য়েং, ওইদগী, ঙকথোং লিকশি অকুৎপদগী থবাক ময়াই শদোন লাকাদগীবু লৈপকপা মালেম্বু লৈরৌহনা মরুগী মফমদা মাইয়োক থানা লাংজরে ।। মরুনা খোইজুং লৈতানা লৈরৌহনা মরুগী সনা হকচাংদা মালেম লৈমবু লৈরাংলগা হাই— পারি সনাহল লৈফম অসিদা লৈঙম্নবা মশক্না পারি ঈপা ইচাগী লাইমিংবু থাকৌনা থৌনি ঈরাংচরবদি পরি ইচানা শাথোক্লুনা অয়েং অখোং লৈঙম্বা অহুবু লৌখামহনা তোকহনগদবনি পারি নঙ্গী নশক মমিংবু (চাথাবা তোক্নপুংদা লৈফম্বা ওমহে মৈচিক সনা মুংতুরিকপা) লৈহন্না লাৱৈ লাথুপ অমা লৈথানা লৈথম্মু ।। পারি ইচানা কংলৈপুংদগী লৈফাত্তুনা ঈশেংখোংবু লৈথম্বা লৈফম অসিদা নশা নউবু শেংদোক থাদোকউ ইখোং মাবু নপা ঐনা (থানাখোং) হৎহগে, লৈফম অসিদো লৈথিবনা লৈথনা সনা কোঙ্গল্লাংনা থৌনিনঙম্নজবা মপুক রাবু অরাবা কোক্তুনা মশা মউবু লৈশেংনা লৈপাক্‌বা কুবিনি, পারি নঙ্গী নঙম্নি নোংদম্না লৈশুবগী লৈবাক লৈতেববু চামথোকহন্দুনা মরুগা তোক্ন পুঙ্গী মনাক থা-সম্থোংপাংবদা (ক্রুংপুং) হাইনা অতিয়া মরুগী থুবম্বু য়াত্তুনা পাওশা ফম্বাল লাংমিম্নরে ।।

লাইমিংথোইগী সনা হকচাঙ্গী তুবু লৈচাইদুনা লৈফাবা পরম

ক্রুং পুংদা সনা ফম্বাল লাংমিম্নরবদা মরুনা হাই, লাইনিংথোই পারি ইচানা লৈথোনবদি লোইবিরে অহুবু লৈয়াং লৈথম্বসিবু মিকু থানাপুংদি লৈয়াংলগা মেন লৈফম অনিদংবু লৈয়াং লৈথমদা অসিবু নোংদম্বনা লৈচাই লৈশিনা লৈশেম্বদ মালেম অসিবু চুকথা লৈফারমদবনা মালেম্বু লৈতাদে পারি মঙান চাওবনা উরেল মউ চারিলৈথাবিহুনা মালেম্বু লৈতানবা তৌবিহুনা অরাংপা মেনফম অনিসিগ লৈফম্বু য়াত্তুনা থম্বিরম্ম, লুতুংদা লৈয়াং লৈতম্বীনবা খোঈলুম কনাবু লৈঙমদে পরি ইচা নত্তনা ।। মরুগী নোংদম্ব, থৌঙম থৌপুনা লাক্তুনা লাইমিংথোইনা মৈরম পাংনা খোংদহনা মেনফম অমা য়াত্তুনা লাইমিংবু (ঙাকপা কাওচি হোংনিপা পুংমাইতেম) লৈহন্না থমলে মেনফমদি রাংব্রনগী মেন্নি) তোংবদি ঈপানৌ কোঙ্গনতুথোকপনা তোঙ্গদবনি নোংদম্না থনমলে ।। অমুক নোংচুপ পাংনা মেনফম অহুদগী খোংশাক্লুনা মেন লৈফম অমা য়াত্তুনা লাইমিংবু (পিজাংতি মোইমিং পাওলাংয়েন) কৌনা থমলে ।। মেন লৈফমদি কেগে থা জিঙ্গী মেনফম্নি তোংবদি ইশানৌ কোঙ্গল্লাংবনা তোংহনা ফমগদবনি নোংদম্না লৈয়াং লৈথমলে ।।

মতুংদা শ্না হকচাংদা হৌবা তুবু লৈচাঙ্গনা মরু উরাং চারি লিংঙম্নবা থৌহৌরে ।। লাইমিংথোইনা হাই, তবু পোকপা শেম্বা লাইদি অতিয়া মরু শিদবনে, লাইমিংবু (থুপ্লংমরুব) কৌবনি হায়না হুমিং, থা, থাজা

১২ বু হাইজহ্নবা (ভংশেৎস্তম্না) হাইনা হকচাং লৈফমদা হৌবা তুবু শক্ত না মালেম শিনবা থুংনা চাঙ্গখো-ক্লে, কংলৈপুংমাইয়োনগী য়াংবি লৈকম খুদিংদা মতিক মগুম্মু শাকোংলে।। মপূক্তি মওম্না নোংথৌ থল্লে।। মানম্না লৈপাক্তা থমলে।। মিং অনিগী মওম্না মুমিং থা অনিদা থমলে। মতুগী মওম্না থৌ-রাইপিচা পুম্বদা লৈথমহ্নবা থবাই পীচা (অপকণ্ডা থোংজোম্মুবীদা শিন্নরে)।। শ্না হকচাঙ্গী লিথ্পা অহুমগী মওম্না য়েৎকি লিথ্প্না ঔম্নাং পনশা ইরোক ইখোং অচৌবদা অচৌবা মরুদা থমলে (তু-রেল অচৌবা মরু ওইগদবা মরুদা) ময়াইম্নী লিথ্প্না (নোংপোক চিংথৈইখোং মরুদা) থমলে।। (ঈরিন তুরেনবু লৈত্তৌরগদবা মরুদা) ওইথংবা লিথ্প্না (থৌবা তুরেনবু ঈরৌনবা) মরুদা থমলে। স্না হকচাংদগী ঈনা ঈশিংদা থমলে।। মথোইনা পীগুমপুংদা থমলে।। লাইমিংবু চীংপুংলেন লৈহুল্লে।। খোম য়েৎ থংবনা লমহাংপুংদা থমলে। লাইমিংবু (সনা হিং রানশেংপুং) লৈহুল্লে।। (মিংলংরান লোংপুং) লৈহুল্লে।। ওইথংবা খোম্না (কোনবা পুংদা) থমলে।। লাইমিংবু (মিংলংরানলোংপুং) লৈহুল্লে।। নিংশানা মুংশিত্তা তিল্লে।। মশিংথানা মৈদা তিল্লে।। ময়ুংবুঙ্গ পৈগনা চীংমান, লোকতাইদা থমলে।। মহাওন লৈবাক্তা চংহ্নবা মালেম্ব, লৈফারে।। সিম্নুংনা (সনাজিংদা তিল্লে)।। হুকংনা (তুনি নারো) ওইরে।। মকন মম্নুংনা মুংমু শিদবা মপুগী ফম্বি খুদানি।। খোংজাবীনা (সিউ) ওই।। মতু মমাম্না উদা রাদা হৌবা অপকমা ওইরে।। ময়াদি য়োংকী মশক্তা তিল্লে।। শরুনা (মুঙ্গী) মশক্তা তি-ল্লে।। য়েৎকি থুংনা শিংথা পোক্লে।। ওইগী থুংনা (শিংপোপ) পোক্লে।। নাকোং অনিনা (উয়েন কংলায়ন) উদা শৌবা অপকমাগী মশক্তা থমলে। থোপ্না (কোঙৌগা মিশিগা) পোক্লে।। মথোই মরিন্দগী কোরি শেমলে।। নোংমৈবু শাথোক্লে।। মরিনগী মহাওদগী পিথ্রাই শেমদোক্লে।। মতিংনা (শঞ্জেং) পোক্লে।। শিংলিনা (তুপ-হুপ্লাং পোকলে।। মহাওনা মরেক্কাবা থাউনচিংবা থোক্লবা মশক পোকলে।। মতিন্না (চনম) ওল্লে, এনম পোকলে। মরোক্লা তিংহেলী পোকলে।। নপ্পা শমু (তিংহেলী) পোক্লে।। খুজিন্না (ফৌ, চেং, চাক) পোক্লে।। শম্না মরুগী শিং ওইনা থমলে।। মপানা তিংথৌ পোক্লে।। নাকোং য়েত্তগী তুনা নাপু পোকলে, নাকোং ওইগী তুনা (শেনবা, শেনবু পোকলে।। নাতোন য়েৎকি তুনা শিদবা হিদাক ওইনা হৌরে।। নাতোন ওইগী তুনা (নাদবা পাম্বি হিদাক ওইনা হৌরে।। চিনবান মথক্তিতুনা নৌহিং ওইরে।। কদাং মথাগী তুনা (নোংলৈশং উ) ওইরে।। থবাক্তগী তুনা লোইরং পাম্বী ওল্লে।। শেগ্রাক তুনা (উরিকশিবী ওল্লে।। ওইগী শেগ্রাক তুনা অমুরৈ ওইরে।। খাগী শাজুম্নগী লৈথা তুনা (নাপী, শিংবী) ওল্লে।। শৌজ থোং ময়াগী তুনা তোরৈ ওইরে।। মিউথাউদগী তুনা (উচুংলোই) ওইনা হৌরে। খুদগী তুনা (তুমিংলা) ওইরে।। য়েৎকী খোংবী তুনা (উহন) পাম্বী ওইরে।। খোংদোনবীদগী তুনা (অঙৌরৈ) ওইরে। খোংয়াইগী তুনা (কাংহৈ মপান) ওল্লে।। খোংনিংথৌগী তুনা পাখংবা লৈ ওল্লে।। খোংনাওবী তুনা (লিশিং চাইবা=লৈরাং লশিং) ওইরে।। ওইগী খোংবী তুনা (উরেল লৈ) ওল্লে।। খোংদোনবীগী তুনা (ঈশিং লৈ) ওইরে।। খোংয়াইগী তুনা (কোন্দোল্লৈ) ওইরে।। খোংনিংথৌগী তুনা (লুমংথানবী)

ওইরে ।। খোংনাওবীগী তুনা (লৌবুক্লৈ) ওইরে ।। খুৎনমদগী তুনা (রান্দোং খোইবী) ওইরে ।। য়েংকি খুবী তুনা (লংথৈ) ওইরে ।। খুদোম্বী তুনা সনারৈ ওইরে ।। খুৎয়াইদগী তুনা (লাই-রেল্লাবা থাংয়েৎ লৈ) ওইহুনা হৌরে ।। খুৎনিংথৌদগী তুনা (শিরেম্বী ওইরে ।। খুৎনাওবীদগীনা (হাওকপলৈ) ওইরে ।। ওইগী খুবীগী তুনা চুম্মাং লৈ ওইরে ।। খুদোম্বীগী তুনা ইঙেল্লৈ ওইরে ।। খুৎয়াইদগী তুনা (মাইবা লৈ) ওইরে। খুৎনিংথৌদগী তুনা (লৈরি লৈ) ওইরে ।। খুৎনাওবীদগী তুনা (কালেন লৈ) ওইরে ।। খুদাঙ্গী তুনা (ককলৈ) ওইরে ।। পাম্বোদগী তুনা (কৈরাং লৈ), লেংজুমদগী তুনা লৈশোক ওইরে ।। নঙ্গদগী তুনা (তাইরেন উ) ওইরে ।। খোম অনিদগী তুনা (কুমলিক) ওইরে ।। কুমলিক্লা থিক পোকলে ।। থিক্লা হুম পোকলে। তাও পোকলে ।। তাওদগী তিন কাং অয়াম্বা পোকলে ।।

উহং পুথোকপা

থবাক মখা লকাদগী য়াইনিংথৌ কৌবা তুবু শওনা লংলকলে ।। লৈরাং মশক খংদবা ওইনা হৌহুনা লৈরে ।। লৈরাং মপান অতুগী মনম তাবদা লাইমিংথোইগী মপুকপু খোইজং খোইদজবা ওইহুনা হীঃ লৈরাং অসিদা ওস্থোক্লা খোইজং খোইদব মনম্বু ঐবু তানফং-হনখ্রেদা মশক কবিবু ওইরিগবা রাথন্দুনা য়েংহুনা লৈংস্মি। লাইনিংথোইগী মপুক রাখনবু শক-চানবহু উবহুনা মকনা হাই,- পাব্রি লাইনিংথোঙ্গী পারি ইচানা অতুক খোইজং খোইদনা য়েং-শুম্লিবা লৈরাং অতুবু কবি লৈরাংনো ? লৈরাং অতুবু মনম তাঙ্গদা নপা ঐনম্বু ওস্থোক্লা খোইজং খোইদনওম্রেদা লৈশক লৈমিংবু নপা ঐদা তাকওম্মুবা ।। নোংদম্বনা নোংদম্বদগী নচানা থেঙস্থ থৌপুনা লৈচন লৈথাকবনি, মশক মমিংদি নচা ঐনদি খংওমজবা তানফদে ।। লাইমিংথোই লৈরাং অসিনা লৈহৌখিবহু পারি ইচাগী থমোই লকাদগী লৈশওনা লৈলম্না লৈথাখিবা লৈরাং অসিদি মতিক মওম্না বাংখিবনা লৈরাংবু লৈচিনগদবা খোইয়ুমদি মালেমদবু শাথোক্লিদো, অতুবু মম্মং মতম্ব লৈথংক্রিদো পারি ইচানা লৈশং লৈথাপ্রবনিনা লৈরাঙ্গী মশকপু নপা ঐনা উজবদা লৈশক লৈচুবু খংদবনা নফম্নুদা পাওহংনখিবা (হৈয়ম চক্তা) শাথোক্লাখবা লৈরাংনিদো চাদোন শুদোম্না লৈহৌপরম্ব লৈখংনবা (উহং উরাং) মিংহুম্না লাইয়েকপু শ্রীং হ্রীং ক্লং ঐং উহং নোংদম উংলৌ য়াইখিরেন শিদবগী লৈচন লৈরাং ওইনা লৈথম্লশি কোরৌ অসিদগী লৈহুম্না নোংদম্বগী লৈচন লৈমনবু পাংথম নমানে নশানৌ কোঙ্গনতু থোকপনে, পারি লাইমিংথোই ইচাগা, নপা ঐগা ঐথোই মরিনা তানফংজহুনা লৈ-থেৎ লৈরাং ওইনশি, লৈরাং অসিদো চৎলম চুমদবদি শোকফদে চিনফদে পারি লাইমিংথোই লৈরাং অসিদো লৈকম থংনা (ময়াই শুমদোনপান লৈফমদা) লৈথং লৈথম্বা তোঙম্ব নোংদম্বীহুনা লৈরাং উহং উরাং লৈপানবু কংলৈ শুমদোনগান ময়াই লৈংকাই পুংদা লাইমিংথোইনা মউ চারি লৈশম্বা লৈথারে ।। লবাই কোরেললদগী থোপকি মশকপু (পুমহিংগাং) হায়না লৈয়াতুনা ফুমহুনা ইহিংশংবু শাংহন্দুনা ইরিক ইকোং শেংদবা শেংম্বা থমলে শেংলে ।। লাইনিংথোই অশিবগী লাইমিংবু হিংশংহিং মিহিংচি

মিহিংসং লৈছল্লা কংলৈপুং মাইয়োম্দগী শম্বোং, নোংচুপ, অরাং পাংমা লৈকম অহুম্ব লৈয়েংহুনা (মেনফম) অহুম্ব অমতা ওইনা য়াত্তুনা থম্লে ।। মমিংবু (মুবা কৌয়াইতম্বা) লৈহল্লে ।। ইমা লৈরোন ৭ না ফিবান ওইনা শেম্মে, (লিকপা কাওয়াই থংব') কৌনা লাইমিংথোই অশিবনা লাইমিংবু কৌক্ত অচিবা মিংহুম্না ফমলে ।। মেনফম অসিদি ঐগী ফম্বান মেনফম্নি, লুমেল তোংবদি ইশানৌ কোঞ্জন তূথোকপনা তোংজশনু ।। মেনফম মরিমকশিনা ইনাওগী মেনফম মরি ওইশন্থ লৈকম অসিবু লাইবুংথৌ ১৪না ঙাক্লো ।। খুদোনপান তোঙ্গানপান মেনফম্মা মারহুনবগা মাগী লাইবুংথৌ ২০ গনা ঙাক্লো ।। ঙাকপা কাওচি হোনিবা মেনফম্মা রাংব্রেনগা লাংবুংথৌ ২৪ গনা ঙাক্লো ।। পিজাখ্তি মোইমিং কাওলাংয়েং লৈহুনবা মেনফম্মা খাংজিঙ্গা লাইবুংথৌ ১৭ কনা ঙাক্লো ।। পাওশা নোংদম্মা লৈবাক্কি চিরা ৪ দা মনাওগীদমক্তা মেনফম চুক মরিবু লৈথানা লৈথম্মগা মরুপী থোদা থোপুবদা করিবু থৌঙম থোপূবা অরাংপা লৈঙম হৌত্রা হায়না লৈকম খুদিংদা লৈয়েংবা লৈকোইরক্লে ।।x

স্নাখোংনাং লৈমনা লাইরুম ফ্রিরোনবু শাবা হৌবা

নোংপোক অঙাইবা চন্থ স্না খোংনাং লৈমনা পন্থৌ মপাগী লোইবী পামদা চংলুবদা লৈরাং মপান্বী খরবু পাম অহুদা শিন্থুংনা মপান্দি লুপানা পাদাং থোংবগুম ইঙৌ ঙৌনা শিন্থুংনা শাত্তুনা লৈরম্মে ।। লৈরাং অহুবু উবদা লাইরৈমা স্নাখোংনাং লৈমগী মপুক রাথন্দা খোইদজবা ওইহুনা লৈরাং অহুবু মনিং তম্না হেক্তুনা মরাম য়াইদা পুরকলগা কংলৈপুংদা খোঙ্গারকলগা অতিয়া শিদবগী মফম্রাংদা লৈরাংলৈয়ে ।। অতিয়া শিদবনা ঙাকপি,—লাংলেন ইবেম্মা লৈরাং অসিদি শিংঙেন লৈরাং ওইনা নাপ্পদা লুমাং লুতুঙ্গী শম্লাং কিশিদা লৈরাং ওইনা থেংনবা নত্তে, শিংঙেন অসিদগী মকি লংবু শাথোকলগা চরৈ মরোল লৈথন লৈখন শাহুনা শেংনা ইম্নবা, লিংনা হেংনবা শেমহুনা লৈথন লৈচুবু লৈহাপ লৈশেম্মগা সেংনা ইম্নহুনা চিংগদবা লৈরাংনি ।। অহুবু ইমোম ইচানা কোরৌ অসি লৈহুম্নবা লৈরাং অসিবু মমিংবু শিঙেন লৈরাং (লশিং) মিংহুম্না নপা ঐনা লৈরাং মপোপ অমবু লৌওম্না লৈথেং লৈরাং ওইঙমগে, লৈচৌরিব অসিদি ইমোম নংনা চরৈ ফিরোন অমা শেমলু শরুরো পোইরৈ শুদোন ফাওবা ইমোম ইচানা লৈশা লৈহৌরম্বা ফিরোন্নি কংলৈবাক্পা থৌ কাওদনা লৈখংচৌনবা লাইরমলেন্দা ফিরোন অহুবু লৈথমশি ।। নোংদম থৌদাবু থৌঙম্বা থৌপুজবা ওইজনি অহুবু শিংঙেন অশিনা লৈরাং কনাবু লৈতমহুনা মচু মওম্ব শেমগবনো ? লাংলেন কংলৈপুংদা শাংলিবা লাংলেন ইচাগী মাংদা ঙাল্লিবা পামেন মপান অসিগী লৈচুবু লৈতম্না নমথাং ফিরোনবু শেমলু—খ্বাংলি খ্বাংশেং অমগা ।। পামেনগী মপান অহুগী মচুবু লৈথংনবা হাইহুনা স্না খোংনাং লৈমনা হংনা হনা য়েংজৈ, লৈরাগী লৈচুবু থোকাওখিদবা হাইবগী

মপুক রাখনবু চিংনবা ওইহুনা থৌরম্ব অতিয়া মরুনা খংলহুনা হাইয়ে ।। লাংলেন নংবু কল্লিবু নপুক রাখন্দা থৌফাওগনি চিংনবা লৈচু লৈখনবু চিংনবা পামেনশে কোরৌ ঙসিদগী (চিংথ্রাও) মিংহল্লা খুংনশে পামেনগী মমিং লৈহুন্দবনা থৌকাওগত্রা লৈচুবু নপুক রাখন্দা চিংনবনি পাবি কোঞ্জইন তুথোকপা চিংথ্রাও অসিগী শিংঙন মপান অসিবু মপান অমতং হেন্রগা থৌকাওদনবা নশানৌ শ্লাখোনাং লৈমদা পীওমখ্রো ।। মরুগী নোংদম্বু থৌপুনা সনাকোঞ্জন তুথোকপনা কংলৈপুং-মাইয়োন্দা হৌবিবা শাংলিবা চিংথ্রাও মপানবু হেক্তুনা মদাইরেন্দা পীরে ।। মদাইরেন সনাখোংনাং লৈমনা পীওম্লকপা লৈরাং অহুবু থমোই লকাদা থমহুনা মপুক খোইজ্রং খোইদনা লৈরাংবু চিংনা চিংনা য়েংনা পুঙম লক্তুনা মবাম য়াইদা হনওম্লক্তুনা থৌদা পরম্ব থৌপুনবা থৌকাওদনা পম্বৌশক্লা নাওকোনবা নোংপোক অঙাইবদা পাওহোম্মি ।। মমোমগী বাবু তাবদা লাংলেন মচানা মরুগী থৌদাবু থৌওম্লবা চরৈ ফিরোন শানবা লশিং কৌবী লৈরাংদগী চরৈ শানবা লংজৌনবা মউ মচাকপু শেমগৎ শাগত্তুনা পীওম্লবা থৌরাংলক্লে ।। শ্লা খোংনাং লৈমনা লশিংবু ফত্ত হৌদিবু মম্বাক্তুনা মুংশাগী মঙান্দা শান্দাক্তুনা কৌরে ।। পম্বৌ অঙাইবনা লশিং অহুগী মপোপ মম্লুংদা নপুনা পাল্লিবা মরুবু লৌথোক্লবা উনা শাবা খুংলাই অমা পিনবে ।। খুংলাই অশিনা লসিং মপোপ মমুংদগী মকবু খাইদোক্লবা থৌপুবদা খুংলাই অহুগী খুংশু পাইহুনা লৈবদা (কপ লাওবংম্না) লাও-হুনা লসিংদগী মক লৌথোকই হায়হুনা মশক অহুবু (কপাজেং) থোল্লে । অশুম্না থৌরম পরমবু থৌয়েংলগা খুংশু খুংলাই পোংকী মমিং থোন্দুনা শাথোক্তুনা থৌপুনবা হোংনহুনা কাংপ্লান অমা, তুংজরি অম, তবেং তংং অমা, তেম অমা, য়েংপু অরুম, শানম আম্না, নাচৈ মরি, লংহুনতেন —পাংঙঙেন অমা, লংফু চৈ —লংঙচৈ অমা, শাথোক্লুনা পীরে, ।। সনা খোংনাং লৈমনা লশিংবু মক লৌথাক্লবা তক্লে । লশিংবু পাথোক্লবা কাপথোক্ল, মোম্বাপ তরে, তারংদা লং চিংলে, তওক্তা লংবু ফাইদোকলে; লংঙচৈনা লংদা কুত্নহুনা শুবে । লং খবনা ঙাংঙনবা লৈচু শংলে, খরনা কুম মচু অমুনা শংলে. খরনা ঙৌনা থমহুনা লংফৌবে । লংপুম্বা লৈখন মচু খাইনা লং চাকশল্লে (লংচাক) লংমংশল্লবা উতোং (তৌ) দা ফিফৌবে ।। শুনা খন্দুনা অছৌবা মচুনা ফিবান লেপ্লগা অঙাংবনা যিবানগা তাইনহুনা অমুবনা মরক্তা লোন্দুগা ফিরোন নমথাং অমা শারে ।। থ্বাংলি আইথন ফিরোন অমা অমুবা মচুনা ফিবান শইহুন অঙাংবগা নাপু মচুগমা মরম ফিবান লৈচিংনা ফিরোন অমগা শাবা লোয়হুনা কংলৈপুংমাইয়োন্দা পুরক্লুনা উনা পানবা উশা মচা খরা থেক্তুনা মালেমদা লৈথমলে ।। উশা মরোংগী মথক্তা ফিরোন নমথাংবু লেথমলে, অতিয়া শিদবগী মফমলাংদা চরৈ নমথাংবু লৈহুল্লি নোংদম থৌদাবু থৌওম্লবা থৌপুজবা ফিরোনবু লোইজরে মিংয়েংবু কুবি-নোংদম্না পাংশোইনিকপা মিংয়েংনা য়েংবীহুনা পরম থৌরম লৈশম্বা কুথোই থোইমা য়াংনা লৈ-হাপ্পখা লৈয়াওনঙম্বা পুম্বু কুবিনা নোংদম মিংয়েং তাবীহুনা চরৈ লৈহুনবু লৌবিও লৈহুল্লে ।।

অতিয়ানা লাং লেন ঈচানা থৌপুবিবা চরৈ মরোন অসিদো পম্থো নপা ঐনা খোয়জং খোইদা-জবা চংখোনবা ফিরোন মণ্ডম হকপা মশক নাইবা ওইখ্রেদা নিংখিজেদা ॥ চরৈ নমথ্রাংবু উশা মরোংদগী সনা থুংনা হেক লৌথুৎ খিবদা ফিগী মখা থানবা মরোং মশা অতুবু মনা অমনা শং-থাংনা, অমনা ঙোরোকঙো, মপান্না নাপু ঙাংঙানহুনা লৈরম্মি মণ্ডম্ব উবদা হিং ফিরোন অসিদে পরম শিন্তাক লুপ্রেদা, খোইয়ুমশা ইমোম ইচানা লাংজবা ফিরোন অসিদে মরু অঙমগী লৈ-শক্লিদনা ফিরোন অসিবু লৈম্বা উশা মরোং অসিনা মনানা মচু অনি, মপান্না লৈচু অমা ওইনা শাখোকলম্বা অসিনদি ফিরোন অসিদো মরুগী লৈচু চুকলেন অহুম্ব শাকোংবা ফিরোন অসিদো লৈবাক অসিগী রাশক রাকৎ রারেপ রাথৈ ফিরোল ওইঙল্লি অসিনদি নখোই ঐখোয়না ইপাদা ইপুধৌদা পুরুম লৈপাইনা রাকৎ রারেপহুনা থৌনিজবদা লৈথমহুনা পাওদাক পাওশাবু তাঙমহুনা কুবি নোংদম্বীনবা ফিরোল লৈশক অমা নমথাং অসিবু (লাইরুম) ফৈরোন লৈহুম্না লৈবাক অসিগী লাইরকচন চংনরম ওইনা কৌরৌ অসিদগী লৈথমলশি ॥ নমথাং লৈথম্বদা উশা মরোং মশাশিগী মনাবু অশনবা মচুগা, অঙোবা মচু অমগা, মপান শাংলম্ব। লৈচুনা ঙাংঙনরম্বা উশা অশিবু মমিং মচু অহুম লৈহুম্না উপাল অসিবু লৈমুত্তনবা লৈথাহুনা মউ চারিবু হৌলাম্মহনবা কং লৈপুং ময়োন অসিদা লৈথমলো, অতুগা খ্বাংলি লাইথন মরুগী চুকলেন লৈচু অহুম অসিবু শেংপদি অকন অহক থৌপুবা মতিক মণ্ডম্ব, অহকপা মরুলোন লৈশক লৈচু লৈথ'বনতা শেংনশি অতুবু হৌজিক্তি ফিরোন অসিবু মরুনা রাখল পাওশানরিঙৈদা লৈথোন লৈয়েং লৈ:কাইবা লৈথুহুনা লাই-মিংথোইবু লাইরকচন্দা লৈচংলক্লে। অতিয়া মরুনা পারি লাইমিংথোই পারি ইচাবু লৈহল্লকপবু নপা ঐনা তানকংজবা নপা ঐবু য়াইকংজরে। পারি লাইমিংথোই নপা ঐদো (অয়েং কংবা) নপানিনা পারি ননিংদি থুংঙমলোই পারি ইচান লৈবাক য়াইকংনবা লৈথোন লৈশেম্নববু লৈ:রাই লৈহলকপা পারি ইচাগীদমক্তা চরৈ খ্বাংশেং (খ্বাংলি লাইথন) লৈগাপ্পা অসিবু পারি লাইমিংথোই নঙ্গীদমক্তা নপা ঐনা লৈহুনগে ননিং থুংদে রাখনগম্নু মতুংদগু নঙম লখা রাংঙম্মী চরৈগী মঙম্মা লৈহক্লপনা শেংপিনবা শাথোক্লে পারি নংবু নত্তনা খ্বাংলি অসিদো লৌঙম্লো ॥ মরুগী নোংদম্ব থোয়ান চরৈ খ্বাংলি লাইথন তাববু ফিগাও শানা য়াজহুনা লৌঙমহুনা খ্বাং শেলো ॥ মচাগী ফিজেং উবদা মরুনা হরাওজহুনা পারি অমগু লৈরাংলি মরুগী চুকশেন নমথাং ফিরোন রাশক রারেপ পাওশা নমথাং ফিরোন অসিগু পারি ইচাগী ফিরোন ওইহুনা লৈথম্লো পাওশান। মগাগী মনমদা কুম্মীহুনা খোইয়ুম পুম্বা মুংঙাইনহুনা লৈঙম্মরে। x

মাইগৈ শিন্না লৈথাখিবা খোইয়ু শিংনা মরুগী থৌদাবু হৌঙম্নবা থৌপুনবা

হৈরোং লৈমা নোংপোক চিংথৈ খোংদরকপিনা কোইনা চত্তুনা খোংদারক্কুনা করি করাবু হৌঙম লৈঙমলমদবদগী উশান মচা থরা নিংখিনা চীংমাই অমা থম্মা হৌরগা উপানশিং অতুগী মরক্তা

অকংবা মপানবী থরা মকু তাহনা মকু অহুদা মশিংবু শাংনা ভৌনা মঙানবু ইলং লংনা লৈরম্বা মালেমদা হৌরম্বা মক্ষম অমা থেংনরে।। মকু অহুদা পক্লিবা মশিং অরংবা কাবা অহুবু উবদা হৈরোং লৈমনা উকু অসিগী মশিং অনিদি নিংথিদা মশা অসিবু ইংএশু নাক্লি ফজনা উইদা মশিবু থরা য়াম্না তান ফংহনা লৈথম্বা ভম্নবদি থৌরম পরম অমদি শাথোকপা য়াবা মশক ওঈনা তৌঙম্মিদা ব্রাথন্দুনা মকু অহুবু অকংবা মথৈ থুনজিন্দুনা মকোন মকোন কোন্দুনা ঈশিংদা তিংহনা হুমিং থরা থমহনা পোপথোকহল্লগা অমুক শেংনা শুদোক চামথোক্লগা য়েংবদা হৈরোং লৈমগী থোইজং থোইদবা মশক ওইনা থোকঙমলে।। মতুং অহুদা লাইরেম্বী অশিনা উপান মচা অহুবু (অনানবা) মিংহন্দুনা মহৈবু চরি শমথনবা লৈথমহনা মপাম্বীনা ঈশিংদা তিংহনা পুমহল্লগা মকুদগী মশিংবু লৌথোক্লুনা উনা, ব্রানা, মহৈ মরোং উকুদগী তান-ফংবা মচু মঙানবু শংহনা লৈচু মঙানবু লৈয়েং লৈখিনা লিতিন্দুনা খ্বাংশেং, নমথাং, নমশা তোলোক, কোনথাং ফুরিংপু পংককশা, হৈকোই, লাইয়েং, লিথাং মথাংবু (কানো থানা শেম শাহনা কুময়িন ফিরোন) ফিবান হাংপা মিংহন্না কুময়িন পোংলোই) হায়বা অমা কুময়িন পুমথিং ফিনেক হাইবা অমগা মচু মঙানবু অঙাংবা, অঙৌবা, অশনবা, নাপু, তিগোক, কফোই মপান, নোংগৌবী মচু, মঙ্গ্রা মচু, মচু লৈখন চনা কানো লৈয়েক্না লাইরেম্বী লৈঙম্নাপুম্বগী ফিজেৎপু লৈগুন লৈতমগে ব্রাখন্না খোরাংনা শাথোক।। দিগে মচু অঙৌবা, অরাঙবা লৈচিন মচু, নোংথৌ মচু, অমুবা লৈচু, হুংচেং অঙাংবা মচু, নাপু মঙ্গ্রা মচু লৈচুগী ফিরোন খ্বাংশেং কোংখাং ফুরিং, নমশা =কোকয়েং লৈঙম্বা লাইবুং থৌ শিঙ্গী চরৈ লৈহুনবা ব্রাখন ভৌনা শেমলে।। x

পুং শাবা

ইব্রাংথেন পুংমিন্নবা খা মেরম খোংদশিবনা পামেন উকক মরিন হানা অম তানফংহন মশিংবু শ্রীবু কবি গৌঙমশিবনো ব্রাখন্না অশুম লাকপদা (শনম্বা অচৌব, অমগা হুপ্পু ক অচৌবা অমগা) (ক হুনা লৈবম্বা অমগা) অমুবশু থেংনহুনা মশক অনিহুগী মউনবু লৌগা মতু মমান কোইদোক্লুনা অহানবা তানফংবা ব্রাং উকক অহোবা অহুংম্বা অমগা শেমহুনা উকক অনিহু মউন অমমন্না মমাহ উ মচা অমগী মরিনা মউন অহুগী মপান্দা হুত্তুনা য়েংলোম মমাইরোমদা লৌশিল্লগা চিংবদা অহোবা উমাই অনিদা কুপ্রিবা মউন অহুপেংখত্তুনা লৈরম্বদগী চাং মান্নবা তিংল, উকু অহুম্নগী পোংতিং-পোঙ্গাল) মিংহল্ল।। পোংতি অহুগী মকুনা তিংনা সিফাহুনা লৈথমলগা মথুংনা য়েহুনা থত্তুনা শান্নবদা মথোনবু য়াম্না মেংনা হুংশিনা (তোং তাং তেং থোং পাং থোং) ইব্রাই ইনিল অমবু তানথংনহুনা অনিমক মরেংবান্দা য়ানশিল্লগা য়ৈহুনা শান্নহুনা কোইনা চীংথোঙ চীংয়া চত্তুনা শান্নহুনা লৈঙমলক্লে।। x

থুং শাবা

লৈম্নুং থুং থুং অচিবনা লৈখারোন্দগী লৈয়াইরেন্দা লৈকারক্তুনা লৈয়েং লৈকোইবদা মম্নি চৎপা মপাল অমদা মহৈবু তুম্না য়াম্না নিংথিনা পান্দুনা কংতুনা লৈবা মশক অমা থেনরে মশক অশিবু ফুলগুম্না তুম্না চাওনা পান্দুনা লৈখি হায়দুনা মমিংবু তুম্বা মিংহল্লে ।। তুম্বা অকংবা পান্দুনা লৈঙম্বা মশকপু য়েংহুনা মশক অশিনা ঐবু করিবু শেমথোক শাথোকশিবনো মশক অমতদি শেম্মিংঙিদা রাখম্না য়েংহুনা লৈঙমলে ।। লৈম্নুং থোংঙারেল লাইমিংথৌগা পোইরৈ মোইরেং চাম্বগা খোইয়ুম অনিবু লৈফম অহুদা লাক্তুনা থুং থুং অচিবদা হাই, লাইমিংথৌ করিবু হুংবংনা হুংশুক হুং বংনবনো ? খোইয়ুম অনি ঙসি তানফংলিবা তুম্বা অসিবু ঐবু করিবু শেমশিবনো রাখন ঙকচানহুনা লৈবনি, খোইয়ুম রাখন চাওবা অনিবু লাক্লবনিনা থৌম্নু থৌখংলনি ।। লাইমিংথৌ থুং থুং অচিবা মশক অশিদি নোংদম্বনা নংনা নংনা খোইজংবা নথুংশু নোংদম্বগী লাইমিং অশৈ খোংপাংনৌ তাম্বেংহনবনি ।। অহুদি লাইমিংথৌ থোংঙারেন তুম্বাদি অহুম্নি অশিবু কমদৌদৌশিবু হায়বনো ? ঐ খ্বাইদগী পিকতক ভৌবা অশিদো পোইরৈমোইরেং চাম্বা রাঙম থৌগুবনা মথুংশু খোংনিংবা মশক অমা শাথোক্লশনু মথং অশিদো লাইমিংথৌ থুং থুং অচিবনা নথুংত্তা খোংনবা অমা শথোকপীরো ।। অহুগা খ্বাইদগী পিকপা তুম্বা অশিদো ঐগী ইথুংশু খোংনবা লাইমিং অশৈ শিংথাবদা খোলপাংনবা শেমজবগে । তুম্বা অশিবু পাল্লম্বা মপাম্বী অশিবু লৈবাক অশিনা (খোংদ্রুম) হাইনা কৌরশনু, পাওশবু তাবদা খোইয়ুন অহুম্বু খোইদনহুনা তুম্বাবু অমমম য়েম্নহুনা মানা মানা পাম্বা মশকপু শথোক্লবা পুনা চৎনখ্রে ।।X

থুং থুং অচিবনা তুম্বাবু মঙক থরদং কল্লগা নাদা মরিন হুত্তুনা থুত্তোন থুংশানা নমহুনা নিংশাবু থাদোক থাজিন শাম্নহুনা খোংবা য়াবা মশক অমা শাহুনা মচৈ লৈহাল্লিবা মতোন্দা মচিম্না চুপ্তুনা নিংশাবু কামশিল্লগা মথুং থুঙাম্না নিংশাবু থাদোক ফাজিন শাম্নবা খোংহুনা লৈফম থুদিংদা কোইহুনা লৈঙমখ্রে । X

খোইবৌ লিখং শাবা

লৈম্নুং থোংঙারেল লাইমিংথৌনা তুম্বা অহু মমাই লৌথোক্লগা উ অমবু মবুক থম্না কোথোক্তুনা মকোক ওইনা পাল্লগা তুম্বাগী মমাই অহোবপা মকোক অহুগী মমাই খোত্তোকখিবগবু উ মপাক অমা পানা শাথোক্তুনা মমাইবু মেনশিল্লে ।। মকোক পাল্লিবা উ অহুগী মতোন ময়া শাদোন অমা হনবদা মমাই মেল্লিবা অহুদা হুত্তুনা মচৈ অমা হাপ্লে ।। মচৈ অহুগী মমাং থুদোন অমা লৈহম্না মচৈ অনিগা হাপহুনা মচৈ মম্নি মক্তা পোঙান মকুনা থাংজিং তাহুনা য়েংলগা তিংলক্তুনা তুম্বা মায়াইদা মেল্লিবা উ অহুগী মথক্তা তিংলক্তুনা তুম্বা মমাইদা মেল্লিবা উ অহুগী মথক্তা

তিংলক্তুনা তুম্না অতুগী লপান্দা লৌতুনা কন্না ফাতুনা তুশ্না মমাইদা মেনবা পুঙ্গোই মথক্তা লৈফান খুদোন অনি পাকপা খুৎনিংথৌ খুৎশাগী তাং অহুম শাংবা অম্না লৈথাতুনা মরি মরিবু থাজত্তুনা লৈফমহন্নগা মতোন্দগী মচৈ মরিশুবা মচৈ অতুদগী খুদোন অনিবু লৈহঙ্গন্দুনা তেংখন অমগা লৈফম মরি হক্তুনা নপশিন্নগা মরি মরিবু লৈফানা মরি অমমম লৈথাইনা লৈথমতুনা লৈফম অতুদগী খুদোন অম্না অমুক লৈহনবদা তেংখন অমা অমুক নপ্তুনা মরি ৪বু থাজত্তুনা শাদম্না লোইশল্লে ।। মকোক অতুগী নাকন্দা য়েংকি থুবিনা নমতুনা খুৎয়াইগী মতাইগী মরিদা লৌতুনা খৎলে ।। খুদোম্বীনা মরি অহুম্ব খত্তুনা শান্নবদা উংচিরি) হাইবা য়াবা ইখোন অমুবু য়াম্না মেংনবু শাথোক্লে ।। হিং মশিদে হায়তুনা অমুক লৌতুনা খৎলি (উংচিথোম) হাইনা ইহৌরে ।। অমুক খৎলি (উংচিথাক) ইরাইরকই, অমুক হন্না লিরৌতুনা মাপল্লক শুনা লিরৌ লিখৎপদা (উংচিরিৎ, উংচিতক . উংচিশে।. উংচিলা, উংচিখা, উংচিথুম) য়ারাবু ইহৌনৈ ।। মশিগী খোইরৌলিখৎ য়বা অশিদি ওইনিংবদা ওইবা য়ারা ইখোন্নিদনা শৈরাও য়ারা মাপনবু মশক অসিদা পুন্না য়ারা ইনিনবু হাইহনবা য়াবা মশক্লিদনা মশিদি মাংহনবা য়াবা থাদোকপা য়াবা মশক নাত্তনা অতুনদি তেংবানবা মপুগী লাইমিংবু নিংশিংজবা অশে খোনপাংনবা শৈরাও পুম্বগী য়ারা ইংথোনবু লৈশুবা অশিবু ঐনা থানবা লৈতনা লৈপুতুনা নোংদম্বগী লাইমিংবু শক শোন্দুনা কোইনা চত্তুনতুম লৈ-শল্লগে রাখন্দুনা হৌকংলৈ লম্ম হনবা কংলৈস্না পুংমাইয়োনগী লৈফম থুদিংদা লৈকোই ফম্বাল লাংতুনা লাইমিংবু শকশোন্দুনা কোইজাইনতুনা লৈশমলক্লে ।।x

(পেনা পুথোকপা)

পোইরৈ মোইরেং চাম্বা রাওম পৌপুবনা তুম্বা মচা মওক য়াওদবা অমা পুতুমা লাকপদা শনম্বা কৌবা শা অমগা খৈরোই মমৈ মতু চুম্না পানবা অনগা থেংনতুনা মশক অতুম্ব পুতুনা অমুক মথং মথং লাক্লে ।। থুদক অতুদা (মহামনিকতেপাক) কৌবা শগোল মশা পাননা কোইন পাক্ত-তুনা লৈকোইবদা উ অমগী মশাদা শামৈবু লৌতুনা ওক্তুনা থুবাম অমা পন্দুনা লৈশম.চাবা হন্না মক্না য়েংদনা মহাম নক তেপাক হাইবা শাগোলবু পাইতুনা চৎলে অতুন্নগীবু লৈফম্ব (শামৈপন) কৌশমলে লৈফম আনদা পোইরৈ মোইরেংজাম্বশু য়ৌশমলক্তুনা লৈফম ফম্বাল লাংবদা উশাদা শামৈ থরা পন্দুনা লৈবদো উরতুনা শামৈ অতুশু কৌশিল্লে ।। লৈফম অশিদা (নোংশরি) হাইদা পামেনবু মহৈমিংথিনা মপুংফানা য়ান্দুনা উচৈ অশিবু হেক থোনদদা মখুাদা লৈবা মনপ্পা মহৈগী মকুগা থেংনতুনা (শক শক) লাংবা ইরাই খোল অমা তামফংলে অতুনুঙ্গীবু (নোংশরি) মিংহন্দুনা মহৈর ফিগাও থম্না হেক্তুনা মরম ৫ বু লৈশুনা তানফংলবদা মশক অশিনা ঐবু করি

শাথোকশিবমো ৱাথন তৌনা লৈগুমলে ।। উম. লৈৱেদনা মশক ৫ অশিনা ওইগদবা মশক্তি অনি-থোক্লা শেম শারগা অনিমকপু (নেত্তকহুনা) অথুম্লোনবা য়াম্না ইথোনবু ওইরক্কদৌরিনা, অহুদি শেম্বা তরে থৌরম য়েংলগা কম্নিগুম্বা অয়াংপা মশক অহুদি মতম অহুদা লৈয়েংনা থিহুনা হাপ্পবা তৌবা তাই, ঐনা শেমগে হাইবা মশক অশিগী মরু ওইবা মচাক থোইনা ৱত্তরে হাইহুনা তুম্বা অহুবু ময়ুং ইম্না মাবৎ অমা লৌথোক্লে ।। ৱা মচা অমা মতাং মনিং মমাং কল্লগা থুনিং অমা শাংনা মগুক হাপ্পুনা শনম্বা মউন অহুনা খাইদোকখিবা তুম্বা অহুগী মমাইবু নপ্পুনা মেল্লে ।। শমৈ অহু খম্না মকোক পাল্লিবা ৱাগী মতোন্দা পেঙ্গান মকুনা চেংনা কম্না পুল্লগা শামৈ অহুগী মমৈবু তুম্বারোমদা পুথারক্কুনা তুম্বাগী মথুনলোম হংকোক মউমগা তাইনবদা য়েক্তুনা তিংলে ।। মকোক পাল্লিবা ৱাহুগী শামৈ কোল্লিবা লৈফম অহুদা থৈরোই মমৈ অচুম্ববু য়ানশিল্লে ।। তুম্বা মমাই মেল্লিবা শানম্বা মউল অহুগা শমৈগা তাইনবা মরক অহুদা ছোৱাই থাংপাক মথংপাক— হৱাই থাংপাকী মকু অকুবা অমনা লোনশিন্দূনা শমৈগা শউন মমাই মেল্লিবগা শম্নহন্দ্রে ।। ৱাশা অমা থুত্তোন্দগী পাম্বোম মরু তম্না কল্লগা মতোল্লোমদা কোইরপতৌনা কোলহন্দুনা শাগোল শামৈবু লৌশিন্দুনা পুল্লে ।। শামৈ মথোকপু ৱাশাগী মথোক থুংপাইফম লোমদা পুনশিল্লে ।। নেংশরি অহুবু পোজন মকুনা পরেং ওইনা লিক্লম অমতদা লোন্ডুনা ৱাশা শামৈ পুল্লিবা মতোললোমদা য়েংশন্দুনা শেম্বা শাবা লোইরে । তুম্বানা ওইথম্বা থবাক থোময়াদা গুা ওইথম্বা থুংনা মথোক্লি মতোন ময়াদা পায়রে ।। য়েংথম্বা থুংনা ৱাশাগী মথোক্লোমদা পায়বগা অনিহুবু (নেত্তক, নহুনা য়েংবদা (রিকো রিকো) হাইবা য়াম্না অমা শাথোক্লে ।। হি মশিদি ৱা লৈনা হাইহুনা থোং-হুনা কোইনা লাক্লে ।। মশকপু উবদা, মথোলম্ব তাবদা মরু ইমানা (তক্রীনোইয়ে মুংশিম্বুঙোম্বৈদ) হাইএ ।। মরুনা হাই,- মশক অসিদি (ঙুং কুং ৱাং) পেনা ৱাঙম থৌপুবনি হাইএ ।। x

শনিক = শরিক পুখোকপা

অতিয়া শিদবনা থোইদুমসিংনা মাগী ইমাগী মথুংগুবু শাথোক্কুনা উংলৌ য়াইবিরেনগী লাই-মিংবু মশক শোন্দুনা ম্না ফম্বাল কোইজাইনরবু উরে, থলে ।। মতমদি ওইরে অহুবু থোইদমশিং না শেম শাখিবা অশিব তেংবানবগী মপুয়াই বিরেনবু য়াকাইনবদি য়াওদে কমদৌশিবা. হি. মশক য়াঙ্গ অসিদি লৈশিরেনগা ইৱানিগী মগুম ওইরে অহুনানিদনা থোইদুমশিংনা শেম শাহুনা লৈনরিব ।। উম খংতে মশক অসিদি লুতুঙী চংনলম অমবু শেমলগে মতমগু ওইগদবা মুংশাংদরে (থোইদুম লাইগী মপোকগু) লোইরনি থোইদুম লাৱৈ লাথ,প শাথোক্লগদবদ মজাইরে অহুনদি ইদাইরেন লৈশিরেনগী ম্না হকচাংবু কম্নি লৈবগে লৈথিদবা য়াজেদনা হাইহুনা মরুগী ৱাথম্না ইবেম্মগী ম্না

হকচাংবু লৈখিনা লৈয়েংবদা কন্নিবু খোইনা হক্ল উবা ফংদে ।। হিঃ করিনোদা তৌওম্বিবা অসিবু হাইনা হল্লা হল্লা লৈথি লৈয়েংবদা ময়াই শুমদোং পান্দগী হাইথরকপা ইবেম্মগী পুঙ্গোইদগী হেন্না উবা ভানফংদরে ।। ওস্থোকইদা অসি ওইরে ঐনা অসাই মথৈ লৈথিরিবদি অহুমণ্ডাইরে নোংদম্বনা নোংদম্বা অহুদা থৌওম্নবা থৌপুবা হাইবা অহু মণ্ডাইার পল্লেপ্তুনা থুংনা লৈমেন্তুনা মশক অমা ইবেম্মগী পুঙ্গোইবু লৈতমনা ময়াইদা (অথুরোক) লৈশেন্না শারে ।। মতুংদা মরুগী শ্না হকচাং হুংদবু লৈয়েংলগা শ্না হকচাংগী ময়াই শুমদোং পান্দা লৈপুন্নিবা মরি জিশাবদগী শাথোকপা মিউ শ্না তনৌবা) বু লৈতন্না পুঙ্গোইগী ময়াই শুমদোং লৈফমদা লৌহুনা লৈপান্দুনা মশকপু শাগংপা লোইহুনা শাফোংলে ।। থুংশাইফম্বু শেমহুনা লিপুল্লগা নিকপদা (শ্রীং শ্রীং কুং কুং) হাইবা য়ন্না ইখোলবু শাফোংলে ।। হিঃ মসিদি করিনো থোকাওবা য়াদবা য়ন্নাবু তাহল্লিদা মশক অসিবু পাইহুনা নিক্রুবদি য়ন্না ইখোল শফোংদে, পাইরুরগা নিক্লগতা য়ারা ইখোলবু লৈহাংদনা শাফোংভি মমিংবু (শানিক) লৈহুন্না লাইমিং মেকববু (নোংলুম কুং) লৈথংনা লাইরকচন্দা থন্নশি. মশক অসিদি ইদাইরেন শাইনাওতাবী লাইয়েক যন্ত্রা শাফোংবী নঙ্গী নথুংফা ওইগুন্নো কুবি নোংদন্না শানিকপু লাইনৌতাবীনা মথুংশু ওইজরে ।। x

মাস্তিংলা শাথোকপা

অতিয়া শিদবনা শানিক হাউসা মশক অমা শাফোংববু উবদা লৈশিন্নেন লৈপ্পনবীনা ঐশু মশক অমদি থৌরম অসিদা য়াওনবা অমদি শাথোককম থোবই অতুবু করি করাবু তমজনা শেমশিবা রাখন্দুনা থুংফাং ১০ বু শ্না হকচাংদা মাহুনা নান্দুনা য়েংবদা লকাগী লৈথক লেংজুম অনিগী লৈখা থবাক ভানফমদা ম'হুনা নান্দুনা লৈ য়ংবদা ভানফংলে । উম মশক অসবু তমজনা শেমশমজো নেংদহনা নোংদম্নিদনা হাইহুনা মশকপু ঠেং ওই লৈকম অনিগী মশকপু তমজনা খোমজন্দগী চিনচুপ লৈখান্নগী পুঙ্গোই ফাওববু লৈতন্না মশক অমতবু সেফন যেং শুক লৈফানা অনি থোক্লা শাথোক্লগা ময়াই ভামশেন মরিন ছুংলগা থুংনা পাইনবা মবি অানবু লৈপান্দুনা থুং অনিদা অমমম পাইহুনা থেংনহনবদা (তিলিং তিলিং) হাইবা য়ারা ইখোল অমা শাফোংলক্লে ।। হিঃ মশিদি যারাবু ইংনা হক্লা মুংশিদা, অশৈ শৈশক শৈদম্বদা (লিরোন খোইরৌ) লৈথা লৈহাপনবদা শিন্তাক্লবা ওইনা মমিংবু শাথি লৈয়েংববু লৈবৌনা মশাগী যরা ইখোনগা তিলু থানা (মাস্তিংলা) লৈহুন্না লাইমিং মেকবনা (শং হ্রিং ং ঐং) লৈহ শ্না লৈথমলে ।। x

অতিয়া শিদবনা খ্রাইয়ুম কোইজাইনহনখিববু কৌশিনবা

পোইরৈ মোইরেংজাম্বা রাঙম থৌপু তেংথা নাওয়ৈবা = চক্রবা কৌবা লাইনা মথুংগুবু খোংছনা কাংথং পুথং নাইদা থংদনা লৈফম থুদিং চত্তুনা খোংবদা লৈবা য়াক্লে অতিয়া মরু ॥ মোইরেংচাম্বা রাঙম তেংথাবা অসিনা মথুংগুনি রাথম্না শাছনা খোংলিবা মশক চংলম মপোক্লোন অমগী চংনরমগী মশক্তি অছুবু নোংদম্বনা নোংদমছনা মশক অশিবু শাথোরক্লবা অসিনদি কালম অমা লৈহৌনবা থৌয়েংলো শিঙ্খাক্লে ॥ অছুদি নোংদম্বনা থম্মোইং ওইবা মশকপু ইঙাল লৈশাবিছনা নোংদম থৌদাবু থৌঙম্নবা থৌশিনবিরীবা হৌখিবা পরম্বু থৌকাওদনা (হৌকংলৈ লম্মা হনবা শ্না পুংমাইয়োন) লৈবাক অসিনা কুমজা থুদিঙ্গী থৌকাওদনা লৈঙম্বা পুম্বনা নিংশিনব। ওইনববু থৌহৌবা ওইনা থৌরোইনগ্রবা থৌরম্ব (মিহিং লিরোন খোইরৌনা) অশে খোনকাংনছনা অনোই শাদম শাকোই শদম্না খংদববু লৈখংনবা। উদববু উহম্নবা থৌপুনা নোংদম্বা মাগী লাইমিংবু শোঙবা শকচবনা মপু মাগীদমক্তা লৈকং লৈছন লৈরাংবা ওইনা লৈকংলগে লৈঙম্বা হৈরাং লৈরাং স্না লুপা হি য়াই পুন্নমক অশিগু মপু মাগী জাকুননা ঐনাখোইনা কংমিংঙাইছ লৈঙমদে ॥ মপু মনা কোরৌ থুদিংদা অপাম্বা মশকপু নোংদম থৌদারগা ঐনা লৌশিল্লবতনি নঙ্গী থৌগনবু নঙ্গী লাইমিংবু নিংশিংজছনা ইপুক হরাও তয়ামনা লৈছন লৈরাং লৈকং ওইনা লৈকংলক্কে নথুং য়েংনা য়াবিছনা লৌবিয় ঐনা লৈকং লৈহাপ্পদা হাইজবম্বদগী মাইগৈ তরান্ন লৈশিন্না (হয়মহে হয়া) পাওশানা সনা মিংয়েংবু কোইনা লৈযেছনা লাওয়ে ॥ খোইয়ুম পুম্বা লৈবা য়াদছনা কাথংলকলে ॥ x

খোইয়ুম ইন্নাংথেন পুংমিন্নবনা কপুংগু অমনা মংংবান্দা যান, অমমা মরিবু মঙক্তা হুক্কুনা য়েংকি শেগাদা ওন্দুনা য়াম্লগা মমাই য়েল্লিবা শনম্ব মউন্দা ফুছনা য়ৈছনা কংলৈ পুংময়োন্দ লৈথংলরে ॥ অতিয়া মরুনা হাই, ইন্নাংথেন পুংমিন্নবা নঙ্গী নথুংগু অশিগী য়রা ইথোন অশিবু হুংশিখরেদা মমিং করিবু কৌবা নোংদম্বগী মিংশেন চংলম্বু খোনফাংনবদা নথুংগু অসিগী য়রা ইথোন্না শৈহৌ পৌগল লাংচগা থৌগন মশক অতৈনা তুংইন থৌগন ওইনা তানফংনবা ওইরবগু হুংশিদা মাগী যরা ইথোল তেংনা,খিংতেংতা, খিনশী তেং খিং তেংতা) ঐনা নিংবা পরম পুম্বা লৈহাপ্পা চনবা ইথোল ওইনবু জাঙম্মি মশক অসিব মমিং কবি কৌবা, ? নংনা ঐংজান্দা লৈগোক- উগাদবা ॥ মরু মশক অসিবু মিংছনজদ্রি মরমদি নোংদম্বনা নোংদম্থীবনি হায়ছনা মরুনা থৌদাবু থৌপুনা ঐদি শেমজ শাজবনি উকু অহোবা অমা তানফংবদগী ॥ অছুদি মমিং য়াওদনা তেবানবা লৈছন ওইবা য়াঙমদে নথুংগু অসিব উনা ফিম ওইছনা শেম্বা উ অসিনা নঙ্গী লাইমিং ইহৌফম য়রাব ইরৌনা (রাং) কোগে। রাং অসিদা তিল্লরিবা মশক মঙং অসিনা পুল্লবা মশক মথৈবু (পুং)

মিংছমশি ।। মশক অশিদো খোইয়ুম (গৌবরেন) গী মশক্কি, (গ) লাইয়েক্কা নাওয়োম শাথোকলকপনি লাইমিং মেরুবদি (ক্লং ক্লীং ম্রাং শ্রীং হ্রীং ক্লীং ক্রং ওম, ওম ক্রং ওম) হায়গদবনি নথুংগুব, পুরুষদা খংজো ।। x

লৈনুং থুংথুং অচিবা—চক্রিবগু মথুংগু শাথোকপব খোংহুনা কারক্লে ।। মহাক্কি মথুংগুগী য়রা ইখোলব তাবদা থমোইব নিকহনবা য়রানা ওংলগা মুংশিবা ইখোল অমগা লোইনহুমা শাথোক্কা খোংহুনা মমানা চুপ্পনা মথুং থুবাং ১০না পাইনা থুংপু নমথোক নমশিল তৌনা খোংহুনা লাক্লে ।। অতিয়া মরুনা হংডি করিনো মশক অশিদে ? অতিয়া মরুনা থওবিগনি মশক্কি, নোংদম থৌদত্তপু থৌপুনা শাথোকচবনি ঐহাক্কি মশক মমিওব নোওদম্বীও ।। অহুদি থুং থুং অচিবা মশক অসিদি মুংশংকী মশক্কি লাইমিং লাইয়েপু রুমে কিক ওক কুক উং কৌএ।। নমিংব লৈরোনা থুং মিংছমা নথুংগুব অশেবগী খোনপাং ওইনা তেংবানবগী মপূদা লৈজন লৈরাংনশে লৈথম্লে ।। x

থুদক অহুদা লেনুং থোংওরেনগু মথুংগুব মথুং ওইনা পমহুনা মথোক্কা য়েংনক লেংবান্দা ওারগা থুংশা য়েংকি থুংয়াহনা লিরোনহুনা থুদোম্বীনা লিথং অহুম্ব খন্তুন নোংদম্বগা মাতক মত্তালবু মান্দা শক শোন্দুনা চংলক্লে। খোঙারেনগী মথুংগুগী য়রা ইখোল(উংলৌহিংফা লৈফাও-এ কুং নোংলুম) উংলৌ য়াহবিরেন হাইবা য়রাবু তাবদা অতিয়া মরুশিদবগী রাখল থরাই হকচাংবু ঈশং ঈচেলগুম্না যোংনা মেংনা হংলক্কুনা শ্না ফম্বাম্লাংদা লৈকম্বা য়ারক্লে ।। মিৎসনা থম্বাল লকানা তনম্বা অনিদা ঈরা ঈগৌমওমনহুনা মাইগৈ ১০ বু লৈথুংনা লৈনা য়েংহুনা কনা ওইগবা রাথন্নহুনা ওাইওমদনা ওাহহুনা লৈএ। লেনুং থোঙারেনগু অপনবা লৈতনা চংলকুন অতিয়া মরুশিদববু পুকম লৈপাইনৈ। অতিয়া মরুনা হাই;—থোংঙারেন নঙী নথুংগু অসিব করি কমদৌনা শাথোক্কুনা তানফংবনো ? মশক অসিদ অচিক অশা আনবু লেত্তিল্লবা তেংবানবগী চংলম ওনা লৈকম্বা শেমগৎপা তরুক শাগংপী ইমা ৩৬ কি তিলু লৈথানা লেফম্লিবা, ইহৌরোন মাকাল, মৈহৌরোন মাপনবু লৈহাপ শেথম্বা অসিবু করম্বব তানফলুবা য়াইফওিদা থোংঙারেন নংদি ।। অতিয়া মরুসিদবা ঐনা শাবা শেথ্বা নওে নঙী নোংদম্না শেথ্বা মশক্কি মাতক মওমগু লৈথংদ, মওমগু লৈথংদে, মমিং মশকপু লৈথংজগে অহুমুঙী নকম্নাংদা নাইয়োকথানা চংজবনি ।। থোঙারেন থংদ উদবনা হায়বদি পরম্বু লৈয়েংনা হহওমদমনি অহুবু অথওবনা থওনা থওনা হওম্বা এগী লেংহনবু তাওম্নগে থৌপুনা রাহওবদো তাওম্লো ।। মশক অসিদি থওলো (তেওবানবগী মপুগী মশক্কি লৈথারোন, লৈয়াইরোন নোওলোন লৈফম অহুম্ব শাফোওবা (হৈয়মচক—উঙলৌয়াইবিরেন শিদব) নোওদম্বগী মশক্কি ।। মরি লিশাবা উংুও মরি অশিদি লুতুও লৈপাল্লগদবা চক ফৈদোম

মরিগী মশকপু শাথোক্লুনা লৈউৎ লৈথম্বা মশক্কি ॥ মতুদি অমনা অহুম ওইবা, অহুম্মা মরি ওইবা মরিনা মঙা শাফোওহুনা অমতুগা লৈতিন্না তরুকপু শারেপলিবা, লৈহাগী লৈরোইবা লৈ-জবা (নহাক, ঐহাক, মহাক) হাইবা হ, র,স লাইয়েক্না তিলুথাবা নথূৎশুনি ॥ মমিংবু কৈদোম মরি লৈশাববু অমমম লৌহুনা নথুংনা লিথৎপবু লৈরোনহুনা (থোইবৌ লিথৎ) মিংহুনশে ॥ মেরুবা লা-ইমিংবু উংলৈহিংফা কৌবনি, পাওশা নোংদম্ম নোংদম্বগী লাইমিং শৈরাওবদা লৈরাংনবা লৈথমলে ॥

রাঙম থৌপুবা পোইরৈ মোইরেংচাম্বা— তাংগ্রকপশু মথুংশুবু খোংহুনা হৌলম্মহনবা কংলৈপুংমাইয়োন তম্মা খোংচংলক্লে ॥ তাংগ্রকপগী মথুংশুগী য়ম্বা ইখোলবু মুংশিংনা হুমলক্লুনা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা লৈচলক্লে ॥ য়রা ইথোন রাঙমলোম্ম নাওয়৯নহুনা খোংববু জাবদা লৈশিরেন লৈপুনবী ফম্বাললাংবা য়াঙম্লক্রে, য়রা ইখোল অতুদা খোইদা মনখিবনা কাংথং থংদনা ফম্বানলাং-দগী হৌগংস্তুনা কোইজাইনরক্লে ॥ থুদক অহুমক্কুদা রাঙম থৌপুবা পোইরৈ মোইরেং চাম্বা নঙ্গী নথুংশু অসিবু অনি লৈতক্রহন্দুনা অশুক মুংশি মুংঙোনবা য়রা ইথোনবু শাথোক্লবা লৈশাবা লুতুং মরোন অমদা নৌহৌনা চংনগদবা মরম্মু হৌজিক নংনা শাথোক্লুনা লৈশিরেনগী থমোইবু কাংথং পুথং থংহন্দরেদো, মরম অসিবু নংনা করম্মা লৈথংনহুনা নথুংশু অসিদা হাপ্লিবা য়াওরিবা মশকশিং অসিনা করি কারগবু পান্দম্মা হাপ্লি-পাল্লিবা ? মরমবু শখাইনা লৈশিরেন্দা পাওশানা তাকঅম্বিং ॥ অতিয়া মরু মশক অসিদি ঐনা শেমজা শজবদি নংচদে, নোংদম থৌঙম থৌশিনবনা থৌঙনা থৌশিন্দুনা শাবনি ঐদি নোংদম্ম, থৌপুনদনি মরম্মু হক্না খজদে । মশক অসিদি মক নোংদম্বনা থংবিগনি ॥ রাবু তাবদা লৈসিরেন্না হাইএ মরু নোংদম থৌঙম থৌশিনবা মশক অসিনা ওইবদো লুতুং চংলম রাবু ওইঙম্মশু মশকুদি শখাইনা তাকওম্বিও মরুনা তাংগ্রিকপদি পনম খাইনা পাওশাবদো রাহৌজবা ওইঙমলে অয়োন পাওশাবু ওগগবরা লৈথল্লমায়ে, পনম অতুবু তাজরগা অনোই শাকোই ওইনা লৈশাজহুনা তেংবানবগী মপুদা লৈহুন লৈরাংনবদা হুঙম ওইনা লৈহুন থৌগনবু লাংজগে ॥ মরুনা লৈশিরেনগী রাখনবু লৈখংলহুনা হাইএ । ইবেম্ম মশক অসিবু লৈথংলগে মহাইরবনিনা হাইবদি হাইরগে, মমিংবু হান্না লৈহনগে ॥ অনিনা লৈকক্রবদি অমাই পানবা অচৎপা লৈঙম্বা অপুম্বগী পেম্নবা মুংশি মুংঙোনববু শাথোক্লএ থোকাওদনবা অমনা মশক অসে পোইরৈ মোইরেংচাম্বনা শাজবনি খংনবা (পেমা) র শ হ, শ হ র, হ র শ লাইয়েক্না খাওনগা নাওয়োমগা ওইনা ফিশেৎপা কৌগে ইবেম্মা ॥ খোইথুম পুম্বশু তারো পেনা হাইবা মশক অসিনা ওইখিবা পরম্মু অনোই শাফোংনা তেংবানবগী মপুরেন্দ লৈহুন লৈরাং ওইনী নোংদমলে, পেনাগী মশক হাইগে তারো ॥

লৈম্নুং থুং থুং অচিবা = চক্রিবা কৌবদি মুংশিংনিদো ॥ পোইরৈ মোইরেংচাম্বা = তাং-গ্রিকপা কৌবদি ঈশিঙ্গী মশক্লিদো ॥ অনিমক্না মুংশি মুংঙোম্না নোইনবে অসিদো (শজুম্বা লৈখাগী

মিউনা) শজুম্বা লৈখাগী পুঙ্গোইগী অথুবোক্তা হুকচিন্দুনা খোইজং খোইদরগদবা মশক্তি ॥ অনি তক্লে নেতক্লে তোক্ত্রি নোইএ তিলু লৈতিন্নবদা লৈথুংনিব্রিবা ফাওববু তক্লরগদবা মশকপু লৈতম্না পেনাদা চৈজিংনা তক্লিএ ॥ তক্লববু লৈথুংজ্রিবা মখেদি সুংশি সুংঙোম্নরনী তাক্লিএ ॥ অথু-রোইনা কাইনা লৈশংলে (তক্লহনা য়রা ইখোল সুংশিববু লৈশাবা লৈথুংলবদা অথুরোইদগী সুং-শি সুংঙোম্না থাইদোক্লগদববু) লৈত্তাকপনি অনিবু তক্লবদগী তোকঙম্নকপনা খোইনৌ পাম্নোইবী সুংশিন্নবী খোইজং খোইদবী পুঙ্গোই অহুগী মপানবু খোংনা থানা নৌমা পাল্লগদববু পেনাগী পুঙ্গোই মমাইনা শাকোংলিয়ে ॥ খোইনৌ কৌবদি পানা খোংনা লৈবা খোইরিনে মশক্তি তাংক্লিক-পনি, পেম্মা হাইবদি নাওকম হাইবা মশক অমা লৈরগনি অহুঙ্গুংবু থংহনবনি ॥ মশক্তি থুং-খোংবা, = চাক্লবা = তকুপতয়াং কৌবনে। লুতুং অরোইবদ. লৈগদবা লাহমিংখোইগী মশক্লি ॥ রাবা, তোকপা, শবীনা খোংঙারেনগী যুম্বী পাইনা পাওনোইবদি হাহবদি সুপা সুপী অনিনা লিতিন্নবদা, শাগোম্নবদা থাজা অমদা লৈপিবা লৈ অহুনা য়েম্লিং হুম্নবা মশক অমা ওইখিহনা ইরু তাঙ্গ লৈতুম্না মপোক শাথোকলগদবা রাবুনি । পোইরৈত্তোনবু তানফংলে ॥ তপোপতয়াং শাবা, চংনিংহনবা, মোইক্ষেংবা, মন্নি লিশাবা, মরাংলাংশাবা য়েন্দোরিবা, শাকারিবা হিংচা চাবা মরম ১০০, মুম্না চাবা মরম ১০০ অচা অথক পুম্নবু চারিবা, চানিং থক্লিংহনবা, অরাম্বা খোবাংববু থংহনবা, রাথনবু লৈতক্লনা খলহনবা, খোইরি নাওরি হাইনা শথাইনা শেম্বা মরিবু অমগা অমগা লৌশিন্নহনা খোরম্ব, শথাই নাইনা খোপুর-গদবা, য়োমশন্দুনা মশক মওংবু শগংলগদবা. ইমু নাইমুবু শিংলি নাওরি লৈহাপ্না থাগী খোংদা পোক্লগদবা মশক্তি পরম্ব, লৈত্তাক্লা (পেনাগী মশক ওইনা) লুতুঙ্গী য়ুম্বাল লোনবু শাখোক্লক্লেদো, মশক্তি খোইরিনা সুমিংনি, নাওফমগী মশক্লা থানিদো ॥ X

পেনা হাইবা মোইরেংজম্বগী মখুংগু অশিদি লুতুঙ্গী ওইগদবা শাখোক মপোক চংনরম সুংশি সুংঙোম্না লৈপান্নবা চানিং থক্লিংবা, শেংনিং ইন্নিংবা পুম্নবু লৈহাপ্না শাখোক্লকবা মশক্লি থংলোদো ॥ মতুদি শুমিংকি মঙান্দগী মপান চারি থানবা মরু ওইবা মশক অমা পোক্লনি ॥ থাগী মঙম্বগী মকগী মমুংদা মউ মপাম্বী হৌনবা পোক্লবা মযোন য়েন্নিং চোংনবা মশক অহুবু পোকহন্দুনা হাপ্লে লৈহল্লে ॥ থাগী পুঙ্গোইগী মপুং মপান্দা লৈবা মুরৈ রাওথাং শংথাংনবা মশক অহুনা ময়োং তেংথল ওইনা হাপ্লে ॥ তুম্বানা নিংশানে, তুম্বাগী মমাইদা কুপ্লিবা অহুনা পুঙ্গোই পা-ম্নোইবীনি ॥ অনিগী তাইনবদা হুংলিবা হোরিবা মথুম্না (অথুরেয়েনে) থুরোয়ে অহুগী মমুং অখুবা অহুদা শজুম্বদগী মিউবু হুকচল্লবদা থাদরবদা, পানা খোইনা খুনা পাল্লিবা পাম্নোইবীগী পুঙ্গোই অহুনা কোইনা উমহনা শাজুম্বদগী মিউগী অখুবা লৈখুমবু মমুং মপান ফাওনা চুপশিন্না লৈশোক্লহনা পুঙ্গোইগী মমুংদা লৈরিবা শিংলি মৈরোম্বগা অনিমকপু লৈশোক্লনা থাদনহনা মতম অহুদা লৈখম্নরকদবা পুরম্ব খোয়েংনা (উয়েকওইনা) পুঙ্গোইগী মমুংদা উয়েকলৈ, হায়বদি সুংঙাইবা পেম্নবা ওইনরনি হায়বনে ॥ X

চৈজিংনা শিংলি মৈরোম্বীগী মতোন তেংবানবগী পেম্নরিবা মখুন অথুবা অহুদা উত্তোং ওইনা হুত্নুনা উয়েক ওইহ্নিবা শিম্নুংদা হুক্লে।। থৌরম অশিদা মুংঙাইবা পোক্নবা রাখমবু পোকহল্লিবা শিংলি অহুদা হুকলে।। ময়োন ওইবা খোইরি অহুনা (চৈচিং) ওইরে।। খোইদৌদগী কারক-লিবা ময়াই থংবা মরি লিশাব কৌবা শিংলিনা চৈচিং ওইরপগা (মরাং লাংশাবা) পুম্নমক শরিক ওইনা হাপ্তুনা খোইরি মরিলিশাবগী নাক য়েং ওইদা কাম্নিবা (চংলিং হেনবা, অখোপ-অয়াংশব) শিংলি অনিবু পান্দম্না (লংহিং লংফাইনা হাপ্তুনা নোংখরিকপু য়ান্দুনা পুথোকলি।। পুজোইগী মহুংদা লৌরিবা লৈফম অয়ুংবা লৈফম অহুগী শিংলি মচা অপুম্বনা পেনাগা চৈচিঙা অনিগী মরি লিশানা লৈথম্নতুনা শাথোকলিদো।। অউংবা কৌবদি, তেংবানবগী হকচাং পুম্নবু লৈ-থুংনা ইফাওনা মুংঙাইবা লৈফম অহুনে।। লৈফম অসিদগী হৌনরকপা মুংশি মুংঙোন রাখন্দগী মুংঙাইবদি হকচাং পুম্না লৈশিন্না মুংঙাই তুজুং ইফাওনা লুবাই কোরেল লৈশাংনরগনিদো।। X

শিংলিগী খ্বাংনপ লৈকাববু শাদম্না পেনা পুঙ্গোইবু লৈকারিবা মশক অশিনি পলেম মমাগী শিওম্নুংদা মরু ইহুন লৈতম্না মশকপু (নাওয়োম্না লৈথম্নগা খাগী থোংদা ইফাওনা মশকপু অপোক শাথোকনগনি পাওশা লৈতাকপগী পুঙ্গোইগী মমাই মেনবনি।। X

মুকমু হাৎমৈচোন = (খৈরোইগী মউন) না খোংরিনা খোইশেংপা খ্বাংলি লিফাববু লৈতম্না পেনাগী পুঙ্গাইগী মমাইদা খ্বাংশি ফিশেং লাকপনি।। শজুম্বা মিউবু উম্না পুল্লিবা পানা খোংপী পুঙ্গোই ময়াইদা নপ্লিবা লৈতক উয়েকশেক্লা নম্নবু লৈতম্না পেনাগী পুঙ্গোই ময়াইদা (তেংখন) বু হাপ্লনি।। পাম্বোইবীগা পাম্বোইবগা অনিনা তরুববু তেংবানবগী পেম্নফম অউংবা ওইনা শাথোক-লগদবা পরম্বু লৈতম্না শাওম্নবা মশক্কি অহুপুঙ্গীদমকপু নথুংগু অশিবু (না (পেনা হাম্না লৈহুন-বনি।। মশক্কি পেনানা লৈশিরেনগী শক্তি, চৈচিংনা ঐগী ইশকপু ওইজনা নোংদম্বগী লৈফমদা লৈহুন ওইনবা লৈথম্নশি নোংদম্না লৈথমলে।।X

হৈরোংলৈমনা চৈর ফিরোনবু লৈখন নাইনা লৈহুনবা

চিংথৈ খোঙ্গাবী হৈরোং লৈমনা লৈথেংবদা খোইয়ুম কোইজাইনখিবা পুম্বনা কংলৈপুংম্বা ইয়োন্দা খোঙ্গা লৈথ্নংহুনা লৈওম্নবা খোইয়ুম মরিনা নোংদম থৌদবু থৌওম থোপুনা মথুংগু অমমম লৈশাহুনা লৈরাংনবু উরকলহুনা, ঐবুদি থাকৌখিদ্রে রাখন্দুনা মপুক তাখিনা কংলৈ

পাংনা লৈয়েংলকলে ।। লৈশিরেম্না খংলহুনা হাইরকলে, লোইনবী নঙী ঐগী , মস্থং মতম য়োদরি কৌদরনি , করি মুংবু , শাওবনো নঙী নওস্থ লৈকায়কলো নংনা লাকলগা শেংনরদি লৈগনিদো চানবদি লৈশিদরি অহু মুঙীবু কৌদবনি, লৈকায়নি চাইরবনিনা লৈকা লৈরাংবিররো পাওশা- রকলে ।। পাউশা রাবু পাউজেন হৈবা মালংবনা লৈপু পাওদমলহুনা হৈরোং লৈমবু খোজা লৈথম্মওমলে ।। অতিয়া মরু শিদবনা হাই, ইদাইরেন ইবেম্মা পুঙমলকলিবা অসিবু ময়োম মশিং লাকওমদনা হুমলেন মালংবনা পুরকুনা পংথাদা মথাদৈ লৈরাং হৈরাং করিবু ওইবনো ? নোং- দম্বনা নোদম্মীদবনা যাওজববু থৌওমত্রে, চরৈ ফিরোন নোংদম্বদি লৈচুওনা লৈথিবদা তানফং- হন্দুনা নোংদম্বনা শেম্বী শাবিবা মখৈদি যাওজরকলী ।। কদাই ইবেম্মা লৈচু লৈথনবু য়েংওমশি ।। মকংগী নোংদম্বু ফংবদা হৈরোং লৈমনা চরৈ ফিরোন ময়োম পুম্বর পুথোক্তুমা মকদা মিংয়েং তাইহল্লে ।। x

ফিরোম মশক :— থরাইলিচা শজিকী মচুগী মওান্দগী কুমম্মিন কানোক পোংফাই, কোন- খাং শাইককপা, ফিয়াই নমথাং, খ্বাংলি ফিয়ান, লুরেন লৈচাও, খুংশি, নাশি, খোংশি, খুংশি ।। ফৈচোন খ্বাংশেং, ফিয়ান খ্বাংশেং, ফিয়ান খ্বাংয়োং কোনথাং, নমশা—তোলোক, খুংশি নাশি, খোংশি খুংশিগী প্যায়োম অমা ।।x

অশওবা মচুগী কুময়িন কানো, খ্বাংলি ফিয়ান, কোনথাং শাইককপা, ফিয়াই খাওন, লুরেন লৈচাও, খুংশি নাশি খোংশি ।। ফৈচোন খ্বাংশেং ফিয়ান খ্বাং কোংখাং শাইককপা নমশা তোলোক, খুংশি নাশি খোংশি । মরম অনি অনিনা চুকথানা লোক্তাবী মচুগী ময়োম অমা ।। অঙৌবা মচুগী ময়োম অমা ।। কফোই মহৈ অমুম্বা মচুগী ময়োম অমা ।। অঙাংবা লৈচুগী ময়োম অমা ।। রাহোং মতুগী মচুগী ময়োম অমা ।। মাপু মচুগী ফিরোন ময়োম অমা।। মখল মখলগী ফিরোন ফৈচোন, কোনখাং, নমশা, নমথাং, লেংয়ান লেংফাই, লেংয়ান খাওন পং- ককশা, লাইয়েং, লিথাং, লিয়ৌ খোইরৌ, হৈকোই, ওথৌ লোথৌ, খুংনা লোন্দুনা শাবায়াবা মশক মখৈবু পুথোকুনা লৈহুল্লবদা অতিয়া মরুনা হাই, ইবেম্মা মচু মশক ময়াম লিরোল খোইরোন কানোক অসিবু কনাদা করিবু শেংহন ইনহনগদগে ? মহুদি নোংদম্বনা মাগী মাগী লাইরম য়েংনা মথৌ মওস্থ খোয়েংনা চরৈ ফিদমবিগনি ঐগী ইওম নংচদে ।। করে অহুদি ঐনা মরম খাইনা লৈশিন্নবা লৈথমলগে চাইনা থমলে ।। x

অতিয়া মরু শিদবনা লৈশিরেন্দ য়াফু পিবা [ইমোইনুগা, লাইকৈরুংবগা শাফোংবা পরম]

অতিয়া মরু শিদবনা থৌরম অমা থৌহোরগে রাখল্লক্লে ।। লৈওম্রীবা মশক পুম্নমক অসি

অরাম থৌরাংবা মুংশি মুংঙোম্না ইকাই লৈথুম্না লৈপাম্নবা চংলম্, লৈহৌন্দুনা নোংদম্বগী থৌজম থৌপুনথিবা পমম্, মকমলাংদা সৈহুন লৈকংলগে রাথম্নহুনা (য়াইফু) অম্না শাথোক্ত্,না লৈশি-রেন্দা পীয়ে ॥ ইদাইরেন লৈশিরেন লৈজম্লিবা মশক পুম্বা অসিনা থকে চাগে লৈমিরক্লবদা মানা মানা চানিংবা মশক, নিংবা নিংবা মশক লৈরাজনা পিজ পিথক্লবা নংনা লৈশিন থৌজম্, থৌপুনো হাইনা য়াইফু ফুহিংবু পিজমলে ॥ য়াইফু ফুহিংবু তানক্লংবদা লৈশিরেম্না মপুক হম্বাও তয়ামহুনা মরুবু পুরুম লৈপাইনা শাকোইবদা অতিয়া মরু শিদবগু মুংঙাইহুনা অনিমকপু খুৎচেং পালোই লাক্লহুনা নোইত্রেএ ॥ অনিগী অনোই শাথেকপু উবদা খোইয়ুম পুম্বগু মহৌ মহৌ মরাং-নহুনা মানা মানা হৈজম্বা মওংদা নোইনৈএ ।' X

অনি মক্লা পাওশা লিরোয়ৈ—
কংলৈ শ্বা পুংমাইয়োন
লফু লাগুম মজান শামদে,
শং শংত্রো শংত্রো পিলো শংত্রো ফা
পাওগী থরোগা ইংথোন্দগী স্নাগা
রাইনৌশে রাইনৌশে শরা লাংলৈ রাইনৌবৈ,
শাবন লমথোকশে, কোইনা লমরেংশে
হা মি মি রো রো,
কাংথং তারো ॥
চীংয়া পামেন অমুনহৈ,
শেমজবনা চানবা হৈ,
সে সে চাজরো,
সে সে লৌজরো সায়ানশিদা ॥

শ্বা পুংমাইশোন লফু লাগুম মজান শামদে শং শংত্রো শংত্রো পিলো শংত্রো ফা, পাওগী থরোগা ইংথোন্দগী স্নাগা রাইনৌশে রাইনৌশে, শরা লাংমৈ রাইনৌফম, শাবন লমথোকশে কোইনা লম-শেংশে. হা মি মিরো রো, কাংথং তারো রো ॥ চীংয়া পামেন অমুন হৈ শেমজবনা চানবা হৈ সে সে চাজরো, সে সে লৌজরো শয়ানশিদা ॥ X
লাই ময়াম্না পাওয়োকএ—

খোইনৌও তুথরো নাওরা ঐথোইনা থুজরগে
ইপুরোই চংনিংলোই

নকা ইকা খোংখিল্লোই
হংগা থুরা লৌও লৌও
কবোক পোক্নুম মকালাম
থোইনা হেন্না মকেরে ।। x

অশুন্না পাওশানহুনা শাকোংনা নোইনহুনা অচা অথকপু য়েন্দুনা চাবা থকপা হৌরে ।। পীজ পীথক্নুনা চাবা থকপা থংহল্লবদা লৈশিরেন্না মহাক্কী (ও)—লাইয়েক্লা নাওয়োমহুনা লাইরেম্বী অমা শাথোক শাফোংনহুনা মমিংবু (ইমোইনু অহোং অচাওবী) মিংহুন্না লাইমিং মেরুববু (ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং ক্লিং) তেংবানববু নাওয়োক নাওকোন্নবা চাক্নু লনকুবিরিবী লৈহুন্না ফুহিং অহুবু লৈশিন্নহুনা লৈথমলে ।। থৌরম্বু উবদা অতিয়া মরুনা মহাক্কী ওঁ লাইয়েক্লা নাওয়োমহুনা লাইপাখং অমা শাথোক শাফোংহুনা লাইমিংবু থাহিং কৈতেকপা কৈরুংবা, মেরুবা লাইমিংনা ওম হ্রিং হ্রিং শ্রীং শ্রীং লনগৈ পুম্ববু লৈয়েং লৈপান্নবা লৈহুন্না চরৈ ফিরোন লিক্লোন খুৎশি-নাশি পুম্ববু লৈশিন্নহুনা লৈথম্লে ।। x

লৌ-উবা তম্বীবা খোইয়ুম লৈওম্বা পুম্ববু

অতিয়া শিদবা রাখল্লক্লে, অচা অথক শেংনা ইন্নবা থৌরম অসিবু য়াইফুদগী লোহুনা মালংবনা কোইনা পুরগা খোথয়ুমশিংবু মানা মনা চানংবা শেংনিংবা অনিং অনিংববু পুহুনা পীহুনা চাহনবা শেংহনবা অসি লুতুংদা অকাহবা অরাবা পরম অমা লাকদৌরি ঐনা নোংদম্বদা থৌরম্বু লৈহুন্না পাদম লৈরাঙ্গে নিংবা অসি থৌরম থরগু লৈরাৎলিদনা অসিবু কমদৌশিবা থৌরম অনি লৈবাক অসিগী লুচিংবা পাবা কংলৈ লৈশংবনা লৈহাপ্পা থৌরম্বু অমুক লৈহৎলশন্নু থৌরম অসিমদি ঐনা লৈকৎপদা থৌয়াওনবা তৌওম্বা তৌরে হাইহুনা খোইগুম পুম্ববু কৌশিন্দুনা হাইরয় ।। খোইয়ুমশা তেংবানবা অশিদা লৈরিবা অচৎপা চত্তবা লৈরক্লদবা পুয়মক্কি মমা হাইনা মশকপু ওইহুনা চানা থক্লবা, শেংনা হন্নবা, চিন্নবা লৈবা খিবিকপু শাথোকহন্দুনা (মালেম লৈমা ইমানা) মথাক্লংদা কোন্দুনা য়োকপি থাকপিগদবা ভাক্তনি ।। কোরৌ নোংথৌনা ইপানি, কোরৌ নোংথৌদগী মরেক মহাও লৈবা খিবিকপু থাদরক্লগা মালেম ইমামা ইমাই চোন্না য়াহুনা লৈরৌরগা মহৈ মবোং মপানবু মথল মথল পোক্নুনা চানবা শেংনবা লৈবা খৈবিকপু পিওম্বীহুনা নাওয়োক্লদবনিদো থংও ।। মালেম ইমাবু হোপাইহুনা মহৈ মরোং চানা থক্লবা থৌরম্বু তৌওন্নশি পাওশানহুনা অতিয়া শিদবা মরুনা মালেম্বু খিনগাই হোগাইনবা থৌরাংলে ।। অতিয়া শিদবনা মালেমবু থিজাইবদা য়াওগদবা মশক পুম্ববু থাকোহুনা মাগী মাগী মথৌবু লৈশিল্লে ।। x

ফাইরেন থাজা ৫ নি পানবা শগোলশেনবী মুংখিল পোপ্পা হুনবদা কৈনা তিতি ফাই; নোংশা তাওনা অরং ফাই, খারৌনা পোংপু ওইরে, লিন্দুনা ভাংজৈ হাপ্লে, নারিল্লা লুম্লিপাল্লে, লিনথারা রাইখুমিং হাপ্লে, তিনবুন নাপুল্লা য়োং থাংলি ওইরে, খোনাইবনা য়োংচৈ পাল্লে, ভৌভাইবনা য়োংথোন হাপলে, তাংলৈনা লাংগোন ওইরে, লিলহানা চৈবুল শারে, খুলাই খুদোনপান চাক-শৌপুংদা লৌতাবা মিংহুল্লা অতিয়া শিদবনা মালেম্ থিনগাইবা হৌরে ।। মালেম্ থিনগাইবা উবদা থ্রোইযুম লাইয়াম্না পাওলৌহুনা শাকোই শাদয়া মুংভাইনৈ ।। পাওশা :—

হে মালেম শমপোংলোই
মালেম থিনগা লৈহৌরে
ভিজোই পুমথাং লোয়েদা
লৌতাশে চৌনরে ।।
হে, হে, হো ইতাও হোয়ানগেদা
হো ইতাও হোয়ানগেদা ।।

শমপোংলোই অতিয়ানা খুম্মি :— হো হোই হোই, হে হে হংস য়োইবু য়োইহৈ তানফংনবা কৌখা খুম্লমলো ।। লাইয়াম্না—য়োইবু য়োইহৈ তানথেংনা কাওথুম তানজগে, পাওশাইদো ।।

লাইরেম্বীশিংনা লৌলিংবা হাইনা লৈশিরেল্লা লুচিংহুনা লাইরেম্বী পুকশিংখোম্বী, অভাইবী, থারৈমা, থৌভাইবী, থিংবালোইখোম্বী, কোংটিংলৈমা, য়ুচেং লৈমা, চিংবা লৈমা, চিংচেুাঙবী, হৈরোংলৈমা চরৈ ফিওম্বী, লাইনৌতাবী, ইমোইনু ভুরৈখোংলৈমা, চিংথৈ লৈমা, পিথ্রাইবী, খোং-জ্রাইবী, লাংজিং লৈমা, হৈপোক লৈমা, চিংভা লৈমা অসিনচিংবনা শৈখুম্না শকনৈয়ে ।।

লৈশিরেম্না — হোই তৌ হোয়ানগেদা
হে থোইনৌ ইতাখোই শিখোং
ইবুং ভাইওম্নবা হোয়ানগমশি ।।

লাইরেম্বীশিংনা— চীংয়া পামেন অমুল হৈ
শেমজবনা চানবা হৈ
সে সে চাজয়ো চাজয়ো পাওশানহুনা
লৌ লিংলো ।। x

লাংবন কারবদা লৌ উবা লোইরহুনা—লাইয়াম পুম্না মপুক হয়াও তয়াম্না মথুত্তা চৈবুল পাই-হুনা লৌভারুহুনা পাওশাইদো—

হে হে হে ই ও হে হে ই ও
য়ারৌ কারে হে হে ই ও,

লাংবম কারে হে হে ইও,
খমজা খমলে হে হে ইও,
শিখোং জিকোল লাংজেংলে
হে হে ইও।।

অশুম্না পাওশনহুনা লৌউবা হৌওমহুনা তেংবানবগী য়াইফনবা থৌহৌহুনা লৈথম্মিদো ।।x

মৈতৈগু নোংদালাই—লৌউশিংউবগী থৌরম্বু থৌরোইরবদা নবুথৌনা থৌরম্বু লৈকৎনিংহুনা লাই কৈরুংবদা নোংদম্মিদো ।। কৈরুংবা খোইয়ুম লৈগম্বশিংবু মাগী মাগী লাইরকচনবু থৌয়েংনা চরৈ ফিরোন পিগমলে ।। খোইয়ুম পুম্বা নখোই থিবিক্তা লোইনহুনা ইপূক ইক্ক মাইতানা লুতিন ফম্বান লাংগম্না তেংবানবা মপুগী লাইমিংবু নিংশিংনহুনা থৌখনবু তানফংনবা তৌগমশি নোংদমলে ।। অতিযা মরুগী নোংদম্বু তাবদা খোইয়ুম লৈগম্বা পুম্বা কংলৈ পুংমাইয়োনগী লাইথুন্দিন্দা লৈকা লৈফমলে ।। লাই কৈরুংবমা চরৈ ফিরোনবু পুথোক্নুনা পারম লিক্রম থাইনা ফিরোন লৈচু লৈয়েংনা য়েল্লক্লে ।। খোইয়ুম পুম্বা মকোক মউ ইতুম্না থুজিন থুয়া লৈশেংনা ইক্ক ইশেং থাকৌ লাংনা মশা মউবু লৈশেংনহুনা. মশা লৈফম ৯ দা মালেম লৈতিন লৈকৎনহুনা মাগী মাগী লৈথংবা ফিরোল লৈচুবু শেৎচন হৃদশন, লিংশন, য়েংশন, য়ানশন শিঙ্গিননহুনা নোংদম থৌখন লৈশাববু য়েঙ্গদবগী য়াগুগাদবগী লৈকা লৈফম্বা লৈগৌনরেদা মৈতৈগু নেংদালাই পাখংবা ।। লইবুংথৌ ৮ লাইরেম্বী ৮ মাগী মাগী ফিরোন মচুবু পরম নাইনা ফিশংনহুনা শাথোক থৌখন ভাইগমলে ।। হরাওতয়াম্বগী ফিশেং অতিয়া মরু শিদববু— শ্বা ফিগে কৈচোন খ্বাং শেৎলাং, হিয়াইনা লৈহৎ কানো লৈথাব কোনথং শাইককপা লিক্তুনা নমশা শলাই= তেংকোক মথক্তা উরিশেক লেগিন লাংগম্নহুনা থুংশি নাশি, খোংশি ফিয়ান লৈতেংনা শাথোক্তা কোলুপ ভাইগমলে ।।

হরাও তয়াম্বগী ফিশেং

লৈশিরেন লৈপূরবীগু কফোই মপান মচুগী কুময়িন পোৎলোই খ্বাংশেং লাং, অসংবা লৈচুগী কোনথাং শাইককপা লিক্তুনা, ফিয়াই নমথাং খ্বাংয়েং ফিয়ান থাহুনা, থুংশি, নাশি, খোংশি লিকফাং শিগম্না লুরেল লৈচাও হাপ্তুনা, উরিশেক শময়িন লৈথেংনহুনা ভুংইন থৌগন ভাইগমলে ।।

লাইরেম্বী অগাইবী শজিক থরাইপিচা মচুগী কুময়িন কানো পোৎলোই খ্বাংশেংনা, কোংথাং শাইককপা; ফিয়াই নমথাং থৌগনলাং; থুংশি নাশি খোংশিহাপ; লুরেল লৈচাও নমশা হাপ্তুনা উরিশেক লৈথেংনগমলে ।।

হরাও তরাম্বণী ফিশেং

লাইপাখং অঙাইবা থবা থরাইশিঙা মচুগী থ্বাংশেং কৈচোল মাঙ্গা মোক্তোক লাইথন লৈহাপনা শেংতুনা কোংখাং শাইককপা লিত্তুনা থ্বাংলি, থ্বাংলি থ্বাংরেং নাকল কিয়ান মোক্তোক শানা রানহন লৈকাহ্নুনা খোংশি নাশি নমশা-তোলোক (শলাইথুখরেং) য়েংবা নম; উয়িশেক লৈখেং হাণ্ডুনা মরুপী খৌথল লাংতৃি ॥

লাইরেম্বী কোটিংলৈমগা, লাইপাখং উকোংলেনগনা অশংবা লৈচুগী ফিরোনগা লৈতেংগুনা শেং, শিহ্নুনা খৌথল লাংনা লৈগুম্বী।

লাই পাখং কোংচিংলেনগা লাইরেম্বী পুকশিখোম্বীগা অনিনা নোংলৌবী মচুগী ফিরোম ফিশেত্তুনা খৌথল কম্বাদ্রি ॥

লাইপাখং থৌডাইবগা লাইরেম্বী থৌডাইবীগা অনিনা ফিরোন ককোই মরু অসুনবা লৈচুনা অমজবু ফিশেংগুনা শেত্তুনা খৌথল লাংলে।

লাইপাখং থরাইগা লাইরেম্বী থাবৈবগা অঙৌবা ফিরোন কুমথিন কানো কৈচোল লৈতেং গুনা লাংহ্নুনা খৌথদ্রি।

লাই পাখং মুহাগা লাইরেম্বী খিংবালোইখোম্বীগনা অঙাংবা লৈচুদা ফিরোন গুনা লৈতেং ফিশেংত্তুনা খৌথল লাংতি।

লাইপাখং চেঙাগা লাইরেম্বী চেংবালোইখোম্বীনা রাহোং মতুগী মচু মানবা মচুগী ফিরোন্দা পরম গুনা ফিশেত্তুনা খোথল লাংতি।

পোইরৈ মোইরেংচাম্বা শেনা অশৈবা, থু' থুং অচিবা থুং অশৈ খোনপাংবা অনিনা অঙৌবা থ্বাংশেং কৈচোন মোক্তোক লাইথন ফুংয়েপ্রা, কোনথাং শাইককপা অশংবা, থুংশি নাশি; খোংশি নমশা শলাই য়েংনা নম্বা উয়িশেক শমজিন লাংনা খৌডাইরি।

লৈশুং খোংঙারেল – খোইরৌ জিখংপনা লৈচেং অঙাংবা লৈচুগী কৈচোন থ্বাংচেং নমথাং খৌওন কোনখং শাইচোনবা লৈতেংনা ডাইওদ্রি।

ইরাংথেন পুংশিম্নবগা মোংপোক মচৌলাইগা অনিনা নপু কেচোন কোনথাং শাইককপা থুংশি নাশি খোংশিবু লৈতেংনা য়ংনা শাবা পুং মাইপাকপা; পুংমাইথুকবু খোওমহ্নুনা খোথনবু ডাইয়ে ॥

অমাইবী লাইনৈডাবীপা; হৈরোংলৈমা লিরৌ খোইরৌবী, মাঙ্গিশা লৈঙবীগনা অঙৌবা থ্বাংশেং কানো লৈশাদবগা নমথাং ফিরেল লুক্কুং শমলাং কিশিথানা খোথনবু ডাইওদ্রি ॥

মৈতৈত্তু নোংদালাই—ইডাইথকপা পোম্বী চেক্রাওম খৌরথ্ ডাইহ্নুনা লৈওয়মক্লবদা চিংথৈ অচিবা মরুবু মা অহিংবা মচুবু অমজবা থ্বাংশেং কৈচোন মাঙ্গা মোক্তোক লাইথন লৈশাপা থ্বাংশেংলে ॥ কোনথাং শাইচোনবা লিত্তুনা নমশা শলাইঅঙৌবা লৈখক্তা উয়িশেক লৈংখং লাওনা ইশইবু ইমাইচোম্না হাপ্তুনা মরুশা (উইস্ত মনাবু) থাদহ্নুনা শাপী শিঙবিগনা লুপ্তুনা খোইমুম পুংবু ফিকশেং থাশেংনা ইচাই খৈপুম্নক্লে ॥

কুরৈ ঈথিং ইনে, লোকচাইবা চিংজোম ইকো, কোনবা ইনে, ফাকোং ইবে, ঈশেং মতানা ইমিল হৈরম লাংজা হেজিংজা, ওম হৈ, ওম হৈ, ওম হৈ ।। য়ু,

হয়ম হোয়াহে, ওম হৈ, ওম হৈ,
কেগা য়োইগা ম্যোংগা য়াইগা
থৌরি থৌয়াংলা থৌরি থৌদিলাং
থাবা মাবু লায়ংদে
হুমিং পোংথৌ তম্রিঐ।।
পোংথৌ মথং পিজগে
হুমিং মাবু লায়ংদে,
য়াবা কোংগাংশাগী
পোংথৌ মথং পিজগে
কুমজা লৈপাল থোজরগে।।
ওাম্রে ভেররে
ওমহৈ, ওমহৈ, ওমহৈ,
নহায়োং মোংবা তুদৌ খোংদৌভৈ
ভুদেং খোংদেং নোঙ্গী
থৌরি থৌয়াংলাং
থৌরি থৌদিলাং
থৌরি থাবা পোংথৌতম্রি
থাবা মাবু লাচংদে,
হুমিং পোংথৌ তম্রি
হুমিং মাবু লায়ংদে ওম হৈ ওম হৈ
তিনবা লাইনবা তিঙ্গুবা লাইচুবা
অনবা অহাবা তিনশেং লাইশেংনরশে
হৈরম হোয়া হোয়া ।।য়

মৈতৈ অোংদালাই শিকশেং থাশেংবা লোইহনা খোইমুক হুম্বু নিশানা পরেং অমা, লাই হুবানা পরেং অমা, অনি থায়াংবা হুকোং পাত্তা খোজমুহনা অমাইরী লাইনৌভাবীনা শানক পাওশা মাকেনা, অমাইব চিংথৈ মুক অচিবনা লাইযোন হিরি লৈকানুবা (ভেংবানবা মপু

উংলৌ য়াইরিবেম শিদবনু) মোংলোম লৈয়োমনবু লৈকা লৌচিংবা লাইজাহুংলা থাকৌ লৈকানহন্না থাকৌনরক্লেদো ।। x

খৈয়োম ইনবা :—

ঐয়ম হোইবৌ হোয়ানশিদো
পোইরৈ তোপ্পা খুম্থিরকপা,
পোইনাও তাম্না খুন্দাম্নবু
থম্নুং শুংমুং নংবু খুন্দামগঙ্গীওম্লো
অঙানবা মীওয়েন মীথুয়েন লাও লাও ও
সংলৌয়েম্বা লৈয়োম্লাংতমৌবা কৌওমগে ।।
নোংদম্বা নংবু কৌজ্রবনে,
অঙানবদা লৈওম্বা শুম্বায়েম্বগু শায়োক্লে ।।
নোংপোক লৈমা পাম্থোইবীগু শায়োক্লে,
নোংদম্বা নংবু শাথোমক্লো
নঙ্গী নোংদম থৌরম্ব
থৌরম ফারম শিনখিবা
নফম্লাংদা লৈকং লৈছন লাংজরগে
নদা শয়োন শাদম শাথোক্লা
কৌরৌ অসিদগী লৈছন থৌখন লাংজগে,
লৈকা শাথোক শাকোংলো ।। x

হাইনা খৈয়োম্ব (হো য়ো সো) হাইনা লৈয়িন্দুনা (নিং নিং নিং রি রি রি) পাওশানা নোংদম্ববু থক্লকোনা থাগোম্লহুনা (অতিয়া শিদবগী লৈশিরেমপা) অনিদা লৈশিন্নহুনা মরুবু কংলৈ পুংম্নাই-য়োন্দা (স্না তাংবন ফম্বীবু) লৈথানা লৈথম্লেদো, মৈতৈগু শাথংবা নোংদালাই ।। চিংথৈ মক্লনা লুচিংহুনা থৌয়াওদবা লাই পাখং শিঙ্গা লোইহুনা মাইকৈ চিন্না মরিদা লেপ্তুনা নোংদম মরুবু মশল লাবা অমোম্বু কোনজনবিগে শাফোংলে হাইনা হোই লাওনা পাওজেনবিহুনা মাইগৈ পুম্বদগী খোইয়ুম পুম্বা লৈকা ফম্বাল্লরেদো মৈতৈগু ।।

হৌজিক্কি মৈতৈগু হয়াও তয়াম্নবদা শৈয়াওবা, তানয়ৈ শৈশকপা পরম্বু পাজগে পাওশনা পুক্নীং খোইজংলো ।। লাইপাখং মথৈনা পঙ্কং অমা অতিয়া মরু শিদবনা মাংদা লুচিংনা লেপ্লেদো ।। লৈশিয়েন লৈপুনবীনা লুচিংনা লাইরেম্বী মথৈ অমা লেপ্তুনা থাজ্রাং—থাজ্রাংনা কেপ্তুনা চোং,

শেকপীন, হুমাই, শেনথক শেনথা, পাইনা লেপ্লে ।। অশৈবা পেবা খোংবনা হৌইরৌ হোইয়ম লাওয়ে—

হৈয়ম হোইরৌএ, এ-এ-এ
হোয়ানগে, এ - এ - এ ইংশো ।।
নহানোং ময়ুম য়ুরেললোক
লুরেল খুম্বী রোক,
মাস্তক থয়াই রোক
চীজোই পাওরল্লি
মরিং ইথৈখোং অচম্বা
লেমলৈ পাক্লা হাথাবা,
পোম্বী নাওথেম চীং
থোহু মুংশুম চীং
লাইবুংথৌ মাপম্না তুম্নগা জাইমুবা তরেংনাও ক্লৌবা চীং
লাইমুবা তরেংনা তুল্লগা
লাইপাখং মাপুন্না ওক্লৌবা চীং
মুবা ফিবুল ওাইরোই চীংদগী
হৌনিন্নরকপা চীংগু ইবুংঙো
খোইযুম লাইমিংথোই
খোইযুম য়াইবি য়েলহৌভগী
য়েলহৌ মচিনভগী
অমম লৈশা হল্লকপা,
য়াইবী ওমথি তুম্মোইনা
খেরে মুজুম তগুপহৌ
ফোইদিং নোংথাং তরংলেন
তরং লাইজ ইপোক্লকপা
লাইমিংথোই মুংনাং চরাইরোই অহেনবা
কোরৌ কান্নীবা বাংবন কুবিবা
বাংবা মিংথোই পানজুম্বা,
হুপ্পাং মপালথা চারি মঙউ লিংনা

লাই, শেমপোং কাইবী পুম্নমকপু,
মুঙ্গুম পরিং লাংশম থা,
উকক মাইথোংয়ান
মালেম লৈশেম লৈহৌরকপা
চীংঙু ইবুংঙো নোংদম্বা
কোয়ৌ অসিদগী নদাইরেন পুম্বনা
শ্না থৌগন লাংজনা কুমজা থাজা খুদিংদা
শ্না থৌগন লাংজনা
নোংদম্বা নঙ্গী থৌদাবু
থৌওম থৌদা থৌপুনা
নঙ্গী লৈহুন লৈরাংজবা
কুবি নোংদম য়াংপীও
পপ পপ্ হু হুপ হং-ও
ওম হৃং সো মনিক হোমনিক রোননিক লৌতরেং হৈযম

লাই নিপা মুপী উযুংবগুম লেপ্পুনা লৈরম্বদগী পাওশাবু লোইবদা অশৈবা পেনা খোংবনা

হাখেফু হাখেফু হোপরা ঞাও ঞাও
হৈ হোরিং ঙিং,
লোম্নক লোম্নক
থাও ক,ক থাও ক,ক
কদি কোংচিন মকোংচিন
য়েক্তা হঙ্গিম হঙ্গিন ॥

শৈরাওবদা নিপা মুপী অনি থোক্লা থাইদোকহুনা শাকোই শাদম্নহুনা, মমৈগা মকোকা শমজিন্নহুনা (অতিয়া মরুগা লৈশিরেনগা) অনিনা ময়াইদা লৈওম্না শাদম অনোই লোলবু য়েক্তা অনিরক হন্না লৈরম্মগা শাফোং শাদয়ে ॥

কুমহৌরোন

কুম কুম কুম শ্না
কুম্নীক্লাই ঙৈনাং চীংদালান্দা কুপ্পোইতিনবা ॥
কুম পোকপীনা পোকপীহল,
জাইরোংনা জাইরোং হনগে কেন,

য়াংখোংজা নিঙোনবী লাংলেন কোংয়াং মচৈশুনা
ৈফনা শুনবী মকুমশা
কুম্বী মমুং ওইদে-এ ॥
খোইমা নায়োম্নংদা লাংজেং তোংগাংকানা
কাওরেন শন খোঙ্ন্দা মিংয়েংবীনা
মিংয়েংহৌবা মকুমশা ॥
হুইয়েন্না পুংহেম্বোক
থয়োনা মুঙ্গাই শানা হৌবা কুম
কুম্বী মমুং ওইদে-এ ॥
থাংজিংনা কেবাক খোক্লা হৌবা কুম
কুম্বী মপুং ওইদেদো ॥
হৈরুক্লা নাবেং থাংনা হৌবা কুমশু
কুম্বী মপুং ওইদেদো ॥
থম্মনা লাকোলকানা হৌবা কুমশু
কুম্বী মমুং ওইশুমদে
কুম নোংদম জম্লগে
শি নোংদম জম্লগে
চংনোংদম জম্লগে
শি নোংমৈনে পাই নোংমৈনে
করি জেলমে বরা জেলনে
কশা দালোন খোমা মালোন
কশা তিলু ওম খোলি ওম কশা
মাংদা চংপা য়ুমা কোজাং লাই
থিজৌ থাদোলাই. অওক অচং লাই
লাই মমম তরাগাতরেং মকুপু
থংজহৌরো উজ হৌরো
তেংবানবগী নোংদমনা
নোংদম খৌদারকপবু
অতিয়া মরু শিদবনা

মিংথোই শম্বুম মহারাবা হাইনা লৈরিঙৈদা
ইমা লৈশিজ্রন লৈপুন্নরীনা
থোংন্নু লৈমা হাইনা লৈরিঙৈদা
নোংদম্বগী থোদাবু
থোঙম থোপিন্নহুনা
থোঙম থোপুনখিববু
অনোই শাদম্না লৈশানা
নোংদম্বগী লৈফমদা লৈহুন থৌগন ওইহুনা
লিরোন পাওশা শৈশক্রা
থোথন লাংনা পাদম্বদা
থংহৌরো উহৌরো অহা, ইহে হোয়া হোয়া
হৌইরো হোইয়ানগেদা ।। x

মলাংসিদা (তোং তোং, তোং খোং খোং খোং) পুংয়েদো

লৈহৌ লৈশা শৈরাওবা

হযম হ হয়মহে অহা ইহে হয়মহে ।।
হোয়াহে হোয়াহে, হোয়ানগেগে ।।
হোই হোই হোই হোই হা-হা হা
হয়িলো হয়িলো, ও হয়িলো ।।

হেরিলো হেরিলো, ও হয়িলো ।।	তেংতা তেং
হয়ুতে হোয়াতে, ও হোয়াতে ।।	খিংতা খিনতাং
হয়ুতে খুলাইতে, হয়াহে হয়াহে ।।	খিজ্রেংতা
অঙোএ অঙোএ, ও অঙোএ ।।	তখুপ তখুপ চোং-
হারুং হুং হারুং হুং হৌহে হো	দ্রেম চোংদ্রেম, তোং
হোয়ানগেদা হো ।।	দোংখোং ধন ধন ধন
কংলৈ শ্না পুং মাইথোন	তা তা ধন তা তা, ধন
লফু লাগুম মণ্ডান শামদে	তা তা ধন ধন ধন, ধিন
শং শংদ্রো শংদ্রো পিলো শংদ্রোকা	তেংতা খিজ্রেংতা খিত্ত থেনতা
পাওগী থরেগা ইংখোন্দগী সনাগা	খিজ্রেংতা

রানৌসে রাইবৌশে
শয় নারশয় রাইকৌশে ॥
শাথন লমথোকশে কোনবা লম্ময়েংশে ॥
চৌংয়াগী পাম্মেল অয়ুমচৈ
শেমজবনা চানবা হৈ
শে শে চাজরো শে শে জৌজরো শয়ানশিদা ॥ x

শৈশক শৈয়াওমহ্না (মৈতৈঙু নোংদলাই) অতিয়া শিদবগী লৈশিয়েন লৈপুনবিগা অনিনা ময়াইদা নোংথাগী (কন্থি থারিবা) মনাক্তা লেপ্তুনা থৌথন লাংজবা ওইনা নোংদম থৌদা থৌওম থৌপুথিবা পরম, নোংলোন্দা ইতান লৈশানবা শেমগৎপা মৈ, ঈশিং, মুংশিং, লৈচিম, থরাইশিচা হুমিং থাবু শাথোক্তুনা শেমগৎপা শাগৎপা লৈহাপ্তুনা চংলম তরুক হুমিং থা কুমজা লৈথয়বা থৌপুয়মদগী শৈহৌনা মালেমদা লৈকুমহ্না মথং লেংনা শমথনা থৌপুনথিববু (অমোই শাথেক) ওইনা শাকোই লৈশানা শাহ্না নোংদম্বা মপু উংলৌ য়াইবিরেন্দা) লৈহন লাংহ্না খোই-য়ুম পুমগী মপুক হয়াও তয়াম হন্দুনা লৈহন থৌগন ওইনা কালেন কৌবা থাজা অমবু লৈচুপা শাবৈদো, অহ্ন হুইবু (লাই হয়াওবা) হাইনা থৌরম অসিবু মিংহুনখিদো মৈতৈঙু ॥ x

হয়াও তয়াম্বা লাইয়োইগী অয়ুক্তগী কোয়েহনবনা য়ুংথক থানবা ফাওবা উমংলাই তয়া মখিনা শগোল কাংজৈ শায়হ্না (তেংবানবগী মপুরেন্দা) লৈহন লৈয়াংবা ওইনা শাব্রেদো ॥ শায়বা লোইরগা লৈশিয়েন লৈপুনবিনা খোইয়ুম পুমবু হৌকংলৈ লম্বা হনবদা কৌশিন্দুনা অথুম অহাও লৈওমবু পিজ শিথক্তুনা খোইয়ুম শিংবু হুংওাই হখিদো ॥ x

কাংজৈবুংদি— ৯৫ঃ পানজরকম্বা কুরুম চৌংমৈগা, মপা পুজদা ওইদো ॥ মথাগী পানজরকম্বা চৌংত্তা পীওমদা ওইদো ॥ ফুন কাংত্রুম জনকমদি নোংপোক অচিবা মরুনা হুখিদো ॥ কাংজৈরোই ১৪ গী য়ুংশেং, কোনথাং শাইককপা, নমশা=(তালোক কিশাং) লাংবদি হৈয়োং লৈমনা ওন্নি-দো ॥ ফিয়েনবনা লাই কৈরুংবনা ফিয়োন মচু তম্না য়েন্দুনা শেংনৈদো ॥ উরাং মৈবনা ফৈচোন তাংত্তনবা, কোনথাং নাপু কিশাংনমশা অত্তৌবা ॥ মথা য়েথনা ফৈচোন নোংথো মচু কোনথাং অসংবা, কিশাংনমশা অত্তৌবানিদো ॥

নোংপোক লেম্মা মথা য়েবা	নেংচুপ লেম্মা উরাং লেম্মা
১। পনঙাকপা—মার হনবা	১। পনঙাকপা—থাংজিং
২। পনঙাকচন—চিংঙু থয়াংবা	২। পনঙাকচন চিংঙু খোইদি[illegible]বা।
৩। পনলকচন—চিংঙু ইরুম্মা	৩। পল্লকচন— য়াংয়েন
৪। লাংচৈ—চিংও ইকোপলাই।	৪। লাংজৈ— য়াজোইলাই

৫। পঞ্জেন পল্লকচন—চিংঙু ইয়োংলাই
৬। পঞ্জেন চল—নোংশাবা লাইমিংথোই।
৭। পঞ্জেনবা—নোংপোক অপাম্বা ॥

৫। পঞ্জেল পল্লক চিংঙু নম্বুলাই
৬। পঞ্জেল চল—চিংঙু মুংবা মহাবা
৭। পঞ্জেনবা—কৌক্রু লাইলোংবা ॥
তরামরিনা শানহুনা লৈহল্লেদো ॥

হুমিৎদাং নোংদম্বা মকবু নোংলোঙ্গা লৈখিনবা পরমু থৌপুহুম্বা (ঐগ্যমিকোন) থৌপুবা থৌশিল্লে ॥

চিংথৈ মকনা শৈরাওবা—
খেক্কোরে খেক্কোরে, খেক্কোলংমৈ খেক্কোরে,
অচিচিরো চিচিরো
হামেং খেঙ্কোং মখেক্কোং
খুয়োলও লৈখোং কাই মরিও লৈয়াম্বী।
চী ঙাল লিক্লা রাইবংথু
কোকাই মোইদাই অক্লাংঙা ॥
ছিথা থাংমৈ অচোংঙা,
থোইদিংও মকেরে ॥
কবোকও মকায়ে
ভজনুবা লিও লিও।
ইপুবাই চংনিংলোই,
নকা ইকা খোংথিবো।
নাওরা ঐগোইনা থুঙ্গপ ॥
হে নওরা শমাদোন
থরাই মীরেন লিখাও খাও ॥
ককয়েন থুজিন চুচু
য়াজোই তোংবা কাইরংবা
নংনা তোংবা য়াংদেদা ॥
লমশী পানা খোংশাংবী,
নংবু শাইবা ঙাংদেদা ॥
ইনিং ইমাং ঙাহৌনা থুবাক হাহৌনা ॥
খনকোরে খিনকোরে
হে হো তানহে হো নে নে নে ॥ X

পাওশা লিরোন :—

অঙৌবা হেকংদা লৈহৌবা
হৌনশে হৌনশে ।।
রি রি পাওথেম লিরি রি,
য়েংথমনা লিরি রি ।।
লাংশং কুমশং লাকম তোক্পা
খারৈ মরৌ মাংদ—অ
অকুবা কুবি শোবিমা
লোইবী রিজেসো ।।
মিরি খুম মিরি খুম
হে কৌ লিরি খুম খুম ।।
শিংজেংনা মপান শারেদা,
নিংথৌ খুংশা মুরারে ।।
থেঙ নম্বোল নোই নোই,
হরাই থাংপাক মথংপাক
চীংবি লোইয়া মরোইয়া
লমলোই খরোই খজিক-এ
খজিক খজম চম চম ।।
ক্ষংতি য়েপশে ময়েপশে
এনবু লোকশে মরোকশে ।।
তোঙমদগী ওমুনা
খোইজু তোংপাক চীন্দিরি
কোলবদগী ওাথানা
কোনবলৈ কাঙবা লাক্লরি ।।
লমহাংপুজী কাকফৈনা
মনা-হুমাই শাদরি ।।
যারৌদগী শঙাইনা
মচি কেক্রু থোক্লরি ।।
ওক্লা মহৈ য়ান্দরি,
য়াংকোক্লা মপান শাদরি ।।

খেঙ্গুও অঙাংপো
ইনম পোল্লি পোঙমদে ॥
ওক থুবী মৈকাম্লো
ইচিন ছুম্মি মৈহৌরোই ॥
কারি শানো, য়াংকোক শানি
কনানা ফাই য়াম্বনা ফাই ॥
লোম্নরু লোম্নরু
য়েত্তা হম্না লোম্নরু
হঞ্জিল হঞ্জিল হৌইরৌ হোয়াশো ॥

মরু নোংদম্বু নোংলোন্দ লৈথিনবা

বাকয়েও বাকয়েও,
বাকয়ে নংবু হোন্দেদে ॥
লাঙমিংথোইবু হোনবনি,
তরেঙা তরেঙা ॥
নহা শিংথোই পুংথু খোই,
হোইয়া লিথোই খোই ।
ইতাথোই মুরাথোঙ হৌমশে হৌনশে ॥
য়োইবু রাঙম শুমাংদা
শিংদ্রেংনা মপান শারেদা
শিনৌনা ময়াই কারেদা ॥
নচি লাম্লোই অঙম্বা
নোংয়াই চরৈ রায়েনবা কদাইদা তাগনা ॥
শা কৈথেল নিংথোউ
খোঙ্গু সুংপাক বায়েনবা কদাইদা ভাগনা ॥
নোংপোক লৈমা ভান্দগী
য়োইবু রাঙম শুমাংদা

তারয়ো তারয়ো ॥
হে হে লাইরৈমা
চরৈ কিগাও শাহুনা য়ারয়ো য়ারয়ো ॥
হে হে লাইমিংথোই কামরে কামরে,
কাবিমশিদ কোয়ো, সো, শী ॥

পাওশানা অচিবা মরুনা মখুং খুৎয়াইবু নোংথোদা হাইগৎলুরগা খম হাইনা খুৎপু হাইথ নওয়ে ॥ x

খোইয়ুম লাইয়াম পুক্না অমগা অমগা
চথোক চৎশিন্নবসু ঔগ্রী লাওবগেকো :—

ঔগ্রী ও কোলো—ও—ও
নমায়েন্দা মতাইমদা কোল্লো ॥
কংলৈ পুং মাইয়োন্দা কোল্লো,
য়োইম য়াইবু তাওদনববু কোল্লো ॥
অঙামববু মালেম খৈববু কোল্লে ॥
লাংজখৈববু কোল্লো
শ্নাতানবু খোম্মদোনবু কোল্লো ॥
খবিরেনবু শেনগোইরেনবু কোল্লো ॥
শ্নাহনবু নমু তাইবং শেমগদববু কোল্লো ॥
খোইয়ুম্বু লাইবু শেম্বু কোল্লো ॥
খোইবু শেম্বু নোংশাবা মৈবু কোল্লো ॥
নোংপোক লৈমা চাবু
শৌবি লৈমা চাবু কোল্লে ॥
মালেম হৌ লৈরাই পনগীবু কোল্লো ॥
নিংথৌ চন্নুবু কোল্লু ॥
লাইমগীদি নিঙ্গোইগীদি কোল্লো ॥
পলেম শিন্না পিথাং শিন্না কোল্লো ॥
নাওয়োকপিববু মৈবু কোল্লো ॥
মপনলোনবু কোল্লো ॥
কোরৌ চন্নুবু নোংখোম্ব চন্নুবু কোল্লো ॥

স্নাগিদি নিজোইগিদি কোল্লো ॥
চুমিং ওল্লবদা য়ুম্নীং ওল্লবদা কোল্লো ॥
হেনবা থান্নবদা মাংদা থান্নবদা কোল্লো ॥
লোইজিংলুম্নবদা, চীংবু লুম্নবদা কোল্লো ॥
মালেম লুম্বা চম্নু লৈবু লুম্বা চম্নুবু কোল্লো ॥
য়োইময়াইদি তাওদনবদি কোল্লো ॥
লাইজা হনখিশনু হয়ম চকৈঙেগী
মালেম হৌঙেগী
লৈগা শেমঙেগী
পোইরৈ শেমঙেগী কোল্লো
নোঙ্গা হৌঙেগী
খোইয়ম থোগা লাইবুংথোগা
শমজান্দগা চীংমাবগা
মমোম্বীগা মুরাংবীগা
ঐগ্রুই লাংদা শামৈ লাংদা
লাংজেং বাইনা লিতোন বাইনা কোল্লো ॥
কোন্নরমগী মকোম্থোক্তি কোল্লো ॥
হঙে কোল্লো, হয়ম তোয়াঙো ॥

অশুম্না মৈতৈঙ. হয়াওবা হুইবা অশে অশুম্না লাইরোইনহুনা থোথন লোইশয়ে, খোইয়ুম পুন্থনা খংদবা খাজহুনা নুংঙাইনা হন্জিম্লরেদো ॥ ১

খোঙো পাওশা ঔগ্রই মীকোনবু তাবদা অতিয়া মরু শিদবনা রাখল অমা অমুক থল্লক্লে ॥ ঐনা লৈঙম্বশি হক্না নুংশাংলবোইনা ঙসি চিংথৈ মরু অচিবনা পাওশবদা তাইবং মীবু শেম্ববু কোল্লো ॥ খোইয়ুম্লাইবু শেম্ববু কোল্লো । শামদোন অয়াংববু কোল্লো— পাওশা অহুম অশিদা পাওশা অনিদি থোকঙমদ্রিবা দাওশানি ॥ অসিনদি ঐগী ইঙম লোয়ে নমু তাইবং শেমহুনা খোইয়ুম লাইগী মপোক শাথোকপা তোক্লো, শাথোক অসিনা মপুং ওইনা থোপুরম্নু, তাইবং হাইবা মপোক অমা থোহোনবা (পীগা— পাগা) য়ুমদিন ফালম্না চাদা নাওদবা ফালম অমা থোশিন্নবা থোহোরো নিংশিংবা বাবা পাওশবা ওইরে ॥ অহুদি নোংদম্বগী থোথন অসি লৈঙম্বা

খোইয়ুম শিঙ্গী লাইবুংদা কোইদুনা হরাও তয়াম্বা থৌপু তৌবা তারে হায়ইদুনা মুরাং থাংজিঙ্গী লাইবুংদা হরাওরে ॥ রাংত্রেনগী লাইবুংদা, নোংপোক অপান্বগী লাইবুংদা, মায়হনবগী লাইবুংদা, চিংথৈ থপ্লাংবগী লাইবুংদা, কৌক্র—অচিবগী লাইবুংদা, কোইনা চত্তুনা হরাও তয়াম্বা খোইয়ুম পুম্বগা নোংদম্বগী থোগনবু লৈছল্লগা হৌ কংলৈ লম্মহনবদা অহিং অমা চুপ্পা (চৎলম তরুকপু) চিংশিন্না লৈশা থৌখন তৌওমদুনা অতিয়া শিদবনা পরম অমা লৈহৌনবা তৌওম্লে ॥

অতিয়া শিদবনা মচা অনিদা থৌদ নোংদম কুবি শেম্ব্রীবা (নোংখোং কোইবা)

মৈতৈগু নোংদলাই হৌভিক্রি (পাগা পীগা) ভিলু লৈতিম্নদুনা (নমু তাইব লাইপোক) হাইবা অমগা (তাইবং মপোক) হাইবা অমগা শাতথ রুবা থৌহৌবা পরম্থু পাদুনা পাওশারগে পাতনা শাথোকপা. মাতনা শাথোকপা শ্না হকচাংদগী শাথোকপা খোইয়ুম লাইগী মপোক শাথোক্লা শেমগৎ শাগৎপবু লোমশনলক্লুনা নোংদম খৌওম্বু পরম অমা পৈহোংলকপগী থানিদো তাবিও ॥ অতিয়া শিদবনা মচা অনিবু কৌদুনা হাইএ ॥ পারি চাইমিংথোই অশিবা, পারি শ্না কোক্লিনতুথোকপা পারি নচিননাওবু তেংবানবা আসদা লৈরিবা অচৎপা চত্তবা শা, ডা, উংচেক, তুমিং, য়ুরান, ককচেং খোইযা তিন, কাং, লাই, হিংচাবা. পুম্নমক অশিগী হৌনফম মউ মপানবু মশক থংলবরা ? থংলবদি নপা ঐবু থংহল্লু, থংদবশিংনা লৈবা লৈবা লৈফম খুদিংদা চত্তুনা তাহন্দুনা থংবগু থংহল্লু ॥ নচিন ননাওনা থংদরগা থংনবা অখুংববু শৈখিত্তুনা, খংজনবা হংঙম্মু ॥ পরম অশিবু পাওদম অহানবা মশক অত্তদা কংলৈ পুংমাইয়োনগী (শ্না থম্বাল মেনফম্বু) লৈশংবা পরম্বু লৈশিন্নরমগে ॥ ইপাদি অহমগী মতমগু ওইওম লদো. থংদববু থংহন্নবা থৌওম থৌপুনৌ ॥ লাইমিংথোইগী রখনবু খদংবু খংহন্নরা তৌওম্লু খৌদা নোংদম্বা ওইনা রাখনখিদুনা হৌওম্মীদো (নোংদলই মৈতৈ) ইশানৌ কোন্দে তনৌবা মকগী নোংদম্ থৌপুনা লৈফম খুদিংদা লৈকোই পাওহংবা ওইনা পাওশকশিদো. করি হাইবগে ইশেনৌ নংবু ? য়াম্নুং ননাওদি কোন্দে নৌহৌঙবনা হৈনা থৌখন ইনবদা যাম্বগী খোংলৌ খুরৌ চনবা ওইগনি লৈফম আসদা লৈজহৌরগে লাইমিংথোইনা মকদা পাওশাবা মতমদা লৈখংদববু নোংদম নয়াথংদগী তাক্তুনা ননাওবু লৈখংজবা তানফংবা ওইজরগে । মনাওগী পাওশা তাংদা লাইমিংথোই মরুগা লৈশিরেনগবু পুকম লৈপাইনরম্মগা কংলৈপুংদগী খোংশানথোক্লে ॥ X

মৈতৈগু নোংদলাই, লাইমিংথোইনা কংলৈ পুংদগী থোকওম্লরুগা হাইদো উম লৈফম অসিদি লুতুঙ্গী থৌরম লৈফম অমা য়াংলম্মু হাইরিনা, অত্তদি লেকোইবশি ঐ লৈফম অসিদগী লৈহৌবগু

লৈকম খুদিঙ্গী লৈতম্নিনা মশিংদি রাহৌ রারোই (লৈফাঙ্লপকা) লাংদাইফম মিং মিংছুন্না লৈহৌফম লৈরোইফম ওইগনবা তারে ।। মালেম নংনা লৈশংলোদো লৈফম অশিংদগী হৌরমছুনা নোংদম্বী খোদাবু খোঙম খোপুম্বা চৎপা লৈহৌখিএ হাইবা খাঙম্বীছুন্না খোরম পুম্বনু খোঙম্বা কুবিবা নোং-দম্বীমুকো লৈবাক লৈম্মি অমা শিংহাপ লমলগে, লৈম্মি অমা মালেমদা চিংছুনা হরুগা খোংশালে ।। X.

নোংখোং কোইবা

মৈতৈগু নোংদলাই লাইমিংথোই অশিবনা কুরং=মকু হাইবা উচেকপু কোইছুনা লাইমিং-থোইনা মথক্তা তোংছুনা লাকপবু (থুং তিং খিকশো) কোব ওক্তা লৈপুবগী মথক্তা, তোক্রেনলিশিং অমদা হিয়াই মঙান নাইবা লিশিং লখানা লৈতেংলিবা লৈমুং লোঙ্গা অরিবা তাংরোইলাইগী নাওফম্বু লৈথানা লৈঙম্মীবা লৈফম, লাইশোরারেন (মিকুরুহিংহিং) কোবরু চাখা খোংজোম্বী তরেংনা কোইছুনা লৈবা, লৈবু ভাকপনা (গুরাইনিংতোংবা চাওরা মপানথিবা, লৈমুং পিশিম্নু) অহুম্না ভাক্লিনা লৈফমদা লৈচংলক্তুনা তেংবানবা লৈঙম্লিবা মশক পুম্বা অতুগী লৈহৌফম মক মপানগী পরম্বু লৈফম কদাইদগীবু লৈহৌরক্তুনা লৈঙম্মীবনো পাওহং পাওশানবদা, লৈফম অহুদা পানফরিবা মিকুরুহিং হিং কোবা লাইশোরারেম্না, লাইমিংথাক পরম অতুদি নংওনা খংবনে ।। মরম অতুবু লৈফম অসিদা লৈবা এথোইনা খংব উবা ইতিক নত্তে ।। লাইমিংথোইনা লোংবিরক্নী লৈগিদা পরম অহুবু শিনুক নোংদংও হাইছুনা লাইমিংথোইগা পরম্বু পাওশানছুনা কুংগইনছুনা নোরম্মগা শিযম অসিদগী লৈহৌবমদা হল্লিরক্তুনা পাওশা পাওদমলে (রাহৌ রারোই লা দাইফমদা) অমুক হৈংখি অমগা চিহুনা অনিশুবা লৈহৌবা হাইছুনা খোংশালে ।। X

২। পরাইপিচা অপকমানা পুবা লৈফম (সং ত্রেং তরেংবা) লোবা লাই শোরারেলনা পানবা, মনাচা লৈফুরেন কিনাইবগা, যুহাগা, ভাভোই লৈযাম্বগা) অহুম্না লৈভাক থোখনবা তিনমুরেম্না লৈপুবা লৈফমদা থুংলরে ।। লাইমিংথোইনা চংকপা উবদা লৈঙম্বা লাইশিংএ তিনমুরেনবু লাইমিংথোইগী কম্বী=খুদা ওইগমলো হাইছুনা থেমনৌনা থেমথোক্লে ।। তন্দন মাই-খোক শেনজি শেনজাও থ্রাও থ্রাও শাঙম্মো) ।। পাওশাবু তাবদা তিনমুরেনবু—(লিরোন খোহ-জ্রোন লিশি খোইশি, পরৈ লোংথ্রৌ) শানা লৈঙম্মছুনা লাইমিংথোইগী (ফম্বিথুদা) ওইছুনা লাইমিংথোইব লৈফমছুনা লৈহংবদা লা'য়াম পুম্বনা পরম অহুদি লাইমিংথোইদনা থংবনি, খংজ বমা তাকওম্বীও হাইজৈএ ।। লাইমিংথোংনা পরম পুম্বর পাওশাখিদুনা মুংতাইনবম্মগা হনঙম্মক্তুনা (রাহৌরারাই পুজা)। লৈক অমা হাপম্মগা অমুক খোংশাল্লক্লে ।। X

৩। থানা লৈফম্বা লৈফমদা চৎলে—থানা লৈবা লৈকমচি (কারে লৈরাং শ্রী ঙাংগ্রুবা) কৌবা (সোয়ায়েল অসিগী মমাংদা লৈএ ।। থাবু ইরু মাইতা থৌগল লিব'দ (চারোৎ রাইকরেং) কৌবনি ।। লাইমিংথোইবু লাকপা উবদা লাইয়ান্না লৈমুরেমবু লাইমিংথোইগী খুদা ওইনবা পাও শানা থেমথোক্লে—কৌথেম্বী কৌথেম্বী কৌনা মতোন হাইজশে কৌ কৌ) পাওশাবদা হুরাওনা খুদা ওইনা লাইমিংথোইনা নোংদম পরম্বু পাওশাদুনা তাহল্লম্মগা লাইমিংথোই হনওম্লক্না লৈয়ি অমাগা হাম্নরে ।। লৈমুরেলনা পুবা লৈফম অসিদা লৈবদি (তরংথোইমুচা, লৈমুংহিপোকপী, লৈহাপ লৈয়াইরেন, হিরৈমা অসি থৈবিকপু লৈওম্লিবা লৈফাম্নদো মৈতৈও মনিংশিংশিদো ।। X

৪। মুমিংমা লৈবা লৈফমদা লাইমিংথোই অশিবা থোংশাল্লক্লে, ।। লৈফম অশিদ লৈবদি মু-নাংলেন অপোকপা, তরংঙাং, ঙাম্বভাং, মিত্তরং অসিগী মমাংদা রাকপা-শক্তিক লৈ। শক্তিকপু ইরু মাইতাবিবদি পিনশুঙাশু কৌবমচিবনা লাইমিংথোইগা ফম্বাল্লাংমিন্নদুনা পাওশানবদা লাকপা শক্তিক্লা হাই ।। লাইমিংথোই খংদবনা হংলম্নবদি ঐখোইশু পাওশা খরা মখেদি পাওশাজবা ওমগদবনি, অথংবা নংনা হংলগা করিবু পাওশাগবনো লাইমিংথোইনা লৈয়োসিরকলিঙৈদা লৈবাংপা শরুকপু লৈহাপ নোংদম কুবিরম্মু। লুতুঙ্গী ইথোইঙমদা লৈবাংগনা থোপুজবা ওইমবা, লৈথুংফমদা থুংজনবা, লৈহল্লকপা হমওম্লকপা মতমদা ইঙাল লৈশা পরম্বু লম্বী ঙান্না শাঙম্লবা রাকপা শক্তিকি রাবু তাবদা লৈওম্বা পাওশাবু লৈশাদুনা তাহন খংহনবিদুনা মতিক মঙম্বু লৈহাপ্ন। লৈথম্লমদুনা লাইমিংথোইবু হনওম্লক্না লৈয়ি অমা অমুক লৈহাপ্রপা লৈফম অমদা চৎলে ।। X

৫ শুবা থোংচৎ :— লাইমিংথাইবু তিনশাও'রম্না পুবা লৈফমদা থো'শাল্ল'ক্ল। লাইমিং-মিংথোইনা লাকপবু (লেইক্লেন লৈ'শাবা, খিনবিলা'বী, কামাল্লবা, রাইরৈমা, খাবিল্লকো'বী) লাইমথোই তরুক্লা উদুনা তিনবাও'রনবু থেমনৌনা লাইমিংথোইগী ফম্বি= খুদ' ওইনা (চাকঙান চনিংশাবাগুম শাও) হাইদুনা শারে ।। হাইবদি মৈতৈও নোংদালাই চাকথোং চনা মনিংদা মৈগী মৈশা লাংলবদা চফূ অহু লৈশাগ তিলু থ'না শারে ।। মৈশাদা তিলু থানা চফু অদুনা শাররুবা অদুদা চফুগী মমুংদা হাপ্লিবা ঊশিং অদুশু মৈশুম্না শাররুনা ঊশিঙ্গা তিলু থানা হাপ্লরবা মশাক অদুবু কল্লম্বদগী পেথনবা থেরা'দুনা খৌপুবদা (পিত্রিক, পিত্রিক, পুত্রুক পুত্রুক) য়ারা ইনিলগা লোইননা ইরিক কোঙ্গাল থানা শৌবগুম থৌদাবু লিরোল খোইরোম্না, লিথপ খোইথপ শুনা শাহন্দুনা ইরিক কোজোল থাকগুম পরম তুথপ লৈশুনা শাথোক্না লাইমিংথোইগী খুদা ওইরে হাইবনিদা মৈতৈও ।। লাইমিংথোইমা মনা ফম্বাল জাংবদা হাইদো তেংবানবমী লৈহৌরককম্বু হংবদা লাইয়াম্না মতুবু ঐখোইনা হাইজবা ওম্বা নত্তে, লাইমিংথোইনা পাওশাবিবগা লাইয়াম ঐখোইবু খংহনমিও ।। পাওশাবু তাবদা লাইমিংথোইনা (খুম্ন দেগী ইঙাল লৈশানখিবা)

পরম্ব পাওশাবিবদা মপুক হয়াও তয়াম্না লাইমিংথোইগী মমাংদা পাওশা লিয়োল শক্তুনা মুংঙাইনৈএ। হোইরৌ হোয়া পিত্রিক পিত্রিক, হৈয়াশে হৈয়াসো পুক্রক পুক্রক, হিংশো হিংশো হেহুপ হৈ-এ) শৈশক্লহুনা মুংঙাইমরগা লাইমিংথোই রাহৌ রারোই লাংদাইপুংদা হমক্তনা লৈয়ি অমা হাপ্লম্মগা অমুক লৈচিলনা পূবা লমদা লাক্লে ।।

৬ শুবা থোংচং :— লৈচিলনা পূবা লৈকমদা লাইমিংথোইনা উচেক মকুরিবু তোংহুনা লাকপা উবদা লৈকম অত্তুদা লৈঙম্নীবা (থোংঙাইরেল কৌবগা, মনাক্তা লৈবা থরাইপিচা চিংচোইবীনে, থাজা কুমজা পরম্ব শানবা লাইনে, নোংহাইবা মশকপু চুহন্নবা থৌপুবা লাইনে, নোঙ্গী মশকপু মতুম ওইনা তাশিন্দুনা লৈথমহুনা নোঙ হংরাকহুনা তাহন্নবা লাইনে, নোংমৈ শিংজংবু থাদনবা থৌপুবা লাইনে, অথাক-অরাওনবু তৌনবা লাইনে, উম হাইবা মশকপু তাহন্নবা লাইনে, চুমথাংগী মশকপু শাথোক্লবা থৌপুবা লাইনে, তেংবানবদা লৈবা উ-রা, নাপী শিংবী পুম্নবু অনৌ য়েন্নিং চোংহনবা লাইনে, নোংথাঙ্গী মশকপু শাথোক্লবা লাইনে, মথোই অসিনা লুচিংহুনা লাইমিংথোইবু মপুক হরাও তয়াম্না লৈশক্তনা লাইমিংথোইনা পাওশাববু তাজহুনা লৈথিবদা তানফংবা অনাদা পাওশাবু তাজহুনা মুংঙাইনৈ ।। লৈকম অসিদগী মালেম লৈয়াইলেন্দা লৈকুমলক্তনা লাইমিংথোইবু রাহৌ রারোই পুংদা লৈয়ি অমা চিংহুনা লৈহাপলমমলগা লৈকম অমদা অমুক চংগ্র ।।

৭ শুবা থোংচং :— শামুনা পুবা লৈযমদা লাইমিংথোই লৈচংলাক্ল । লৈতৈঙ নোংদালাই লৈযম অসিদি শামুগী মথক্তা ওক্তী নাওফম্ব লৈথমলগা শমুগী লাইমিংবু পিশাম্নু কেকিয়েং) কৌইদা । মমিং অমনা (লোতাংকে মশেং) হাইনশু কৌইদো । লৈফম অসিদা লৈবদি (য়ুচেংনে, থৌগী লৌফানবীনে, পীশাতাও) অশিনা লুচিংনা লৈঙম্মিদা লাইমিংথোইবু উজবা তানফংদা মপুক খোইকং খোইদবগা লোইননা লৈচংলক্তুনা থৌথম্না লৈহংজে ।। লাইমিংথোইনা কুবি মিংয়েং নোংদম্বীহুনা তেংবানবু নেদম্বীবা নোংদম্বগী মপা মপুরেনগী লৈথোক শাক্ষোংবা পরম্ব পাওশবিহুনা তাহন থংহনলম্মগা মাগী মাগী মথৌ মওম্ব পরম বাইদনা থৌওম থৌপুনা লৈঙম্নবা লৈশিন মোদম্বীহুনা মংখাই পুম্বগী মওম্ব থৌয়েংনা লৈহান্নীহুনা মথল মথা পাওশানহুনা লৈশিন নোংদম থৌপুনা শিস্তাক থোদা নোদংঙম্বী ।।x

মৈতৈঙ মনুং অসিদা মশানৌ কোঙ্গন তুথেকেপা – ওমলোতোন লোথিবনা মপুক খোইশাঙবা ওইঙমলক্তুনা সুমিং থুদিঙ্গী মিংশ্না ইরা চেন্দুনা মাইথোংবু লাংশিম্না মুংগুক মুংজাননা পাথং পুথং থবদনা লৈঙম্মিদো ।। নোংকোয়ৌ অমদি মমা ইবেম্মনা উদুনা ইংভি । পারি কোন্দ তনৌবা

করি হুংবু নপুক ননিং থুংদবা লৈবা, পারি নঙী মাইথোংচানবু কোয়ৌ হনববু লৈচিন্না খনবগুম্না মঙ্গবু য়াখন করিবু খন্দুনা তৌওমলিবা মমা ঐবু লৈকাওবন্না হাইযু নমা ঐঙোন্দা নপুক চীংনবা লৈতনা পাওদমলো করি য়াবু খংদবা ননিং থংদবা করিনো হাইয়ু ।। তেংবানবগী ইমা নচানা লৈখংদবা মরম্ব, তাকপীনবা খংহন্নবা শিন্নাকপিনবা মশকপু তানফংজখিগদবা ইমা ? করি কোঞ্জত্তু থোকপা পারি ইচানা খংদববু লৈখংনবা লৈতাক্নবা মচাগী তমক্লা মমা হাইবা মশকপু তেংবানবা অসিদা লৈখম্নি ।। পারি নংমা লৈহংদবনা তাক্ত হাইদবনি খঙ্গবত্ত লৈখোং য়ৌনা লৈতাক হৈংদবা ঊনা ঊনা উহন্দনা লৈঙম্না মশক্কি নমানা তাদবা নত্তে উদবা শত্তে খংডি নমনা থৌরম পুম্বা ।। ইমা, মরুগী পাওশা য়াহং অসিবু করি হাইনা পাওদমগদগে ? য়াম্লং লাইমিংথোউদি খংদবা উদবা ঙমদবা লৈতবনিনা লৈথুংলহনা পাওশররনি মকল্গী লৈফমদা ইমা তাকপিরো নচাদা মরুদা পাওশা নহৌজরগে ইমা ।। পারি কোঞ্জন তু থাকপা নয়াম্বদি মকদা পাওদমহনা মরুগী কন্নালবু লৈনিহনা কংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈশংবা নয়াম্বা নত্তে, হাই লৈতে ।। নয়াম্বদি খংদবা মরম্ব লৈখংহন্নবা নোংদম্বীগদবা নয়াম্বনি, তেংবানবা অসিদা লৈরিবা অচৎপা চত্তবা, লাই, হিংচাবা পুম্নমকপু লৈশংহনা অফবা ফত্তবা থৌরম পুম্ববু পুথোক শাংথক্রহনা লৈয়েন নোংদমলিবা নয়াম্বান কাওগনু পুম্নমকপু লৈশংনা থাগোনবিহনা নংবুত্ত ঐবুত্ত য়াইফংনবা শেম্বীগদবা নয়াম্বনি ।। অদুবু মরুনা পারি ইচাবু শাথোক শফোংবগা নোংদম থৌদনা হংনখিহনা নয়াম্বগী হৈনা তুংইনখিবনা পরম পুম্বা লৈখংনবা কোয়ৌ অসি হুমিত্তা নমা ঐনা ইথাম্লংদা কোন্দুনা ফৈনাকংঙা লৈখম্লহনা নমা ঐগী থোম্মাংবু খাবোং থম্না লৈউম লৈথকপগুম লৈথক্লা পারি নংনা লৈখংনদ য়াঙংবনু নমা ঐনা পাওশাগে তাওম্না খংজো ।। নোংদমহনা মৈতৈঙ্গ নোংদাম ই—পালম মমানা লেংনা লৈখম্বা য়াবু পাওশাবিহনা তাকপিরেদো, পংমগী পাওশা য়াথংবু যিগাও শানা য়াবুগা লুয়াক কোইরেন্দা লৈথম্না লৈপাইরম্মগা ক লৈপুং মংহান য়ায়েন নোংদম শংনেন্দা শম্না তাংবন মথক্লা (অতিয়া শিদবা, লৈশিরেন লৈপুনবী, মরু অনিনা য়েং ওই ফম্বাল লাংনা লৈফমহনা থোইযুম অশাই অশম পুম্বনা থৌখাল লাংহনা লৈফমলবদা মক অনিগী খুদাবু তরেৎলক লৈকেইরগা মক অনিবু পুরুম্নহনা থুবাং চেপ্না লোম্না খুলৈদা পক্লা মরুগী য়াথংবু ঙাইহনা কোঞ্জত্তু থোকপা মরুগী মাংদা লৈঙম্মিদো ।। মরুনা হংডি—পরি কোন্দে তনৌবা করিবু পাওশা হাইনিংবা হাইম্লদনা ।। নোংদমখিবনা নোংদমখিবা লৈথি লৈহংজহনা পাওশা পাওদমলো নয়াথংবু নোংদমখিবা পাওশা পাওদমজগে নফমলাংদা পুরুম লৈপাইজবনি ।। পারি ইচানা নপা ঐগী পাওহংবু পাওদমগে হাইবা হুংশিদা থোইযুম পুম্ববু তানবা নপা ঐগী ইফমদা পাওশারো । নোংদম য়াথংবু তানফংবদা কোঞ্জত্তু থোকপা পাওশা য়াবু থৌহৌনৈ ।

তেংবানবা পুম্নমক্কি লৈহৌকমদি লৈয়োল মাপন পানবা লৈফমদা থোংলম অহম্ব লৈফাংনা লৈঙম্মি ।। মপান থংবা থোংদা চকমরিবনা থংনা লৈঙম্মি ।। অনিশুবা থোংফমদা পামরিবনা থংনমা

লৈ, অহুমশুমা হুকথংবা থোংদা তুমহাবনা লৈঙম্মি ।। মশক অহুম অসি থাপ্পদনা লৈঙম্মি ।। লৈবাক নোংথৌ তুবা লাইনা লৈবদি অঙাইরেন্না থংনা লৈহুনা মথকশু মখাশু অনিমক্কা থংনা লৈরগা অনিগী মখাইদা লাইমিংথোউ লৈনিংতোংবমা লৈঙম্মী ।। লৈবাক্কি করোংদি লৈতোং লেংবা কৌই ।। মশক অসিনা লৈবাক থংবনি । নোংথৌগী করোংদি নোংদংলেংবানি, নোং- থৌবু থংবা মশক্কী ।। লৈফম অসিদগী থরাইপিচা মিংথৌশিদবগী মপূক মহুংদা চংহুনা লেমলৈ ঙাচিং কৌবা ঙাগী মমু মকুশুম থোক্পংলক্নবা হুংনাংলেন অথুবা মিংহুন্না ঐগী লৈফম অসিদা কন্না য়ৌকরোই হাইনা ঙাক্তনা লৈবা লাইমিংবু কোনথৈ অতোনবা লৈহুন্না লৈঙম্বা মশক্কি ।। অমম্বা (শোয়ায়েন অমম্বা অচিবা শলাইলেন– থমলেন থম্বা) লাইগী নিংথৌ (থোই থোইবা) শোইযুম পৃম্বগী মক অথোক্তবা নশক্তগী মহাক্কি মহাকপু উজনা লৈ ।। লাইমিংবু অথৈবা মহাক্কো (নোংকজাও হুংনাংলেন) লৈহুম্না লৈথারোন নোংলোন পুম্নমকপু শাথোক্লগা হুমিংথা, থরাই- পিচানা লৈয়োদনা, অচিক অশাবনা লৈথুংদবা লৈকমদা শাথপ লৈফম্বনা লৈঙম্বা পুম্নমক্কি চৌ- বকফম মউ লেমমনি । হাইনা মকবু পুরুম্না লৈমাইথক্কা মশা কোক্কনতুখোক্না কোংয়াং চৈ তাবশুম তাহুনা লৈঙমখি ।।

অতিয়া শিদবা মরুন মচাবু মালেমদগী মচাগী লেংজুম অনিদ থুংনা পাংহুনা পারি কোন্দে তনৌবা পাবু থংবা পা থংবা হৌগংলো পা এবু লৈহাপকে পারি ইচাদি অহনগী নাক্তা লৈ- চংহুনা পাংশা পাংচং চেংচবনা মম্না লৈশিংলেন লৈপুনবীগী নাংদমদগী (লিক) অনিদি ঙান- থ নহুনা থবানবা পুম্নমাক্ত লৈহৌবা শিংপা । লৈহৌ লেখংলা অহুবু হৌ কংলৈ অসিদা লৈশং লৈপু লৈফমগদবা মশক্কি লিবম অহুম হেনা চিরু হৈক মেকবু লৈহাপ লৈথংদবনা শাফদে ।। অহুবু মপা ঐনা ইচাবু লৈংহনদনি শিংমবা পবমদি কিহাংনা থৌদাবনা লৈহা মথবনা পাসি ইগানা লাইশংদবনি ।। লিক্রম অমগা হৈক অরাংপা অহুদি নপা ঐনা লৈহাংক পারি নংশু ফংজরো ।। হৈশক থংনা চাহম্মু লৈশক থংনা লেথেংচৌ, নযাম্বদি লৈশক হৌনা হৈরাং হৈশুনা হৈখং লৈথংবা কবি নোংদম্বীবা অশাংপা নোংদম্বা নয়াম্বনি । পারি নংদি অপোক নোদম্বা নহাক্কি, চেন্না নখৌ পোজম্ম, পোম্বী নথিক নোইগম্ন নযাম্বগী লৈকমদা ।।

কুয়োম ৭ খোংফম ৮বু তাকপা

পারি কোন্দে তনৌবা পাবু থংবা (পা থংবা) লৈঙমলিবা লাইহিংচাবা অচংপা চত্তবা লেংলি পাল্লিবা পুম্নমক অসিম্না মমাদি মালেম ইমা লৈপিরেন্নি, লাইমিংবু লৈহিং নং ইপুথোক

ইয়াবী মিরি হিং লৈয়োম্বী) লৈহল্লিদো ॥ পম্বোইপানা কোয়ৌ লোংথৌনি, লাইমিংবু উম ভৈং য়েং লাইয়েক্লি ॥ অনিমক্কি পম্বৌ মপাদি লৈময়েল ফুয়োম্ম তরেংনা য়োম্মলগা খুদা নিপান শুমদা থকনি চাগনি ফুমগনি লৈথল্লুবা ভৌদনা থোকাও লৈথম্মহনা লেংলি পাল্লিবা পুম্মক্কা অকবা ফম্ভবা, অমম্বা অঙানরা থোপুরিবা পুম্মমকপু ঐগী য়েংথংবা খুবাক ময়াই অসিদা হাপ্পুনা পীরো লৈ-শিন্নরো থাকৌনা শাথোকখিবা মশক্কা অরেপ্পা মশক ওইনা মাতাবু মহাক্কা নিংথৌনা স্না ফম্বী মথক্তগী মখোং অমিবু মালেমলোমদা য়াম্বনা লৈঙমলিবা মশক্কি ॥ কৌব্রৌ অশিদগী পরম অশিবু থোকাওদনা হৌ কংলৈ লম্মা হনবদু লৈশংবা ওকহনা ক'লৈ পুংমাইয়োন লৈবাক অশিদা লৈঙম্বা পুম্বগী লুচিংবা ওইহনা নপা ঐনা ফমলিবা খুদা অশিদো পারি ননা কেয়ৌ অসিদগী মথংলেংনা তানফংজবা ওইজরো ॥ নপা ঐাদি পারি নঙী নকুম্ব লৈথপ্পুনা লৈঙমলগে নোংদমহনা কংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈশংবা ফম্বান মেনবু লৈশিন্নহনা স্না ফম্ব'ল খুদাগী মথক্তা থাঙ্গত্তুনা লৈফম-হল্লেদো (মৈতৈঙ্গু নোংদালাই) ॥ অদুগা মরুনা খোংয়ুম শিঙ্গা লোইনহনা পার কোঞ্জতু থোকপবু হুক্লেং পাংকি ঈশিংবু ঈশোক লাংভম্মুহনা মচাবু মকোক মউ ইতুম্মা ইতৈনা ইরু মাংরুকহিরে ॥ মচানা ফম্বাল লৈফম্বা লাইমিংবু পাবুখংবা (পা-থংবা ওমথৈ নোংথাং তরংবা চাংতং ওর) লৈহন্না লৈবাকপু লৈশিন্নহনা মচাগী মকম্ব লৈপুপ্পা লৈঙম্বদু হৌঙমজে ॥ x

পা-খংবনা স্না খোংনাং লৈমবু লুতিন লৈরৌবা

কোঞ্জত্তু থোকপবু পা-থংবা মিংতন্দুনা কংলৈসনা পুংমাইয়োনবু লৈশংবা, লৈবাকপু লুচিং ফম্বাল লৈফম্বা তানফংবদো উবদা মতম ওইরে রাথন্দুন মমোম শক্ক। নাওকোঞ্জবী সনাখোং-নাং লৈমবু পুঙম্মক্কুনা লৈহুন লৈরাংঙি। মৈতৈঙ্গু—পা-থংবনা লৈবাক্কি লুচিং যম্বাল ফম্বদা মাইয়োকথা থৌগন লাংনবা নোংপোক অঙাইবদি করি লৈজদবনা তাওজিং অথেন মাইযোকথবু লাংজবগুম নখোং খাদা লৈরাং লৈহুন তমজবগুম নোংপোক লৈমা কোন্দা চাওজবী, কং লৈপুংদা শাথোকপী ইমোম লাংলেন নদাইরেন অসিবু নখোং খাদা লৈরাং ওইনা তমজরি লৌবিয়ুকো ফম্বাল মেনবু লৈশং লৈফম্বা ॥ ইংগু নঙাল লৈচাওবা অয়োন অরান লৈবা খিনিকশু কুরি নোংদম্মা ইমোম্বু লৈহন তমজবা লুতিন লৈয়ানবিও পাওশানা লৈরাংগুম লৈহু-ল্লে ॥

থৌরম্বু উবদা চিংথৈমরু অচিবনা হাইয়ে, মৈতৈঙ্গু পাবু থংবা অঙাইবগী লৈরাং লৈহুন অসিদো ময়ুম য়ুম্বানবা চংলম্বু লৈহৌনবা লৈহুম্নি. কুনিনোংদম তম্বীহনা ময়ুম লুহোংনহনা য়ুম্বান চংলম লুতিন লৈয়া লৈরৌবা পরম্বু কংলৈশংবনা থৌরম অসিবু থৌহৌবিও ॥ পাখংবনা হংজৈঐ-চিংথৈ

মরু ময়াখং কুবিবদো ফিগাওশানা লৈয়াজরি অচুবু চংনরম অশিবু করিবু করম্না থৌহৌগবনো ? পরম্বু থৌলিংনা কুবি নোংদম তম্বীও ॥ মৈতৈশু লুতিন পরম অশিদো থৌরমগী ইহানবা মৈবু ইরাত্তুনা রারেপ রাশক লৈথমগনি ॥ রারেপ্পী নোংপোক লৈমা কোন্দগী অঙাইবা চন্নু এবু ইপাম লৈহৌলুবু কোরৌ অসিদগী লৈহোংতুনা কংলৈলুদা লৈত্তিনজবা তানফংজরগে ॥ হে মৈ কৌবা নঙ্গী মফমদা খোইযুম পুম্বগী মঙম লৈথম্না ফম্বাল লুতিন ওইনা লৈজন্না লাইনিদো, অচুম্বগী দমক্তা নংবু ইরাংচতুনা পৌবম অশিবু খোইযুম পুম্বগা লোইনতুন তাবিয়ো থংবিও হাইবগী ইরাং লৈপাঙ্জরিএ পাওশানিদো ॥ মৈতৈশুনা হাইবিনিদো—হে মৈ মফয়াংদা লৈত্তিল্লবা খোইযুম পুম্বগা লোইননা তাবিরো থংবিরো অঙাইবা চন্নু নোংপোক লৈমাকোনগী নদাইরেন স্না খোংচাং লৈমানা লৈহৌলুবু লৈথারমতুনা কংলৈলুদা তিল্লগে হাইবগী লুহোং লুতিন লৈরাংজবশে পাখংবা এনা লুতিন লৈয়াতুনা কোরৌ অসিদগী লুতিনজববু থৌয়াবিনিদো ॥ খোবম্ব থৌরোইবদা মৈতৈশুগী নিংলেংবু লুতিন (লৈরৌ লৈযাবা) মিংতুন্না লুতিন লৈয়া ফম্বাল্লাংদা লৈফমতুনা লৈরাং লৈতুঙ্গবনু লৈরৌ লৈয়াবিনিদা ॥ নদাইবেন অঙাই লৈমনা কুমশং পুমথিং থাংশেং অকোইথী ফিবান কানো থাববু লৈহোংতুনা, কুময়িন কানো পোংলোইবু শেত্তুনা মৈতৈশুগী লৈরৌ লৈয়া ফম্বানগী মাংওইন মাইরু শম্বোং পংনা স্না নাক্তা থৌখন ফম্বানতক্লগা, লাইরুম নমথাংবু পাইতুনা মৈতৈশুগী যেংথংবা থুবাক্ত নপাইবনগী থুবাকা লোম্নবিরগা পালেম শরুং নাওকাঞ্জবী চৌংচবাইবী মমানা তুম্নৌনাবু মাপন্ন লুতিন শিফামবিনা লাইকুম নমথাংদা লৈহাপ্পনা পাওশা কুবিতুনা লৈশিন্ননি ॥ মৈতৈশুনা খোইচংনা থৌনাতুনা লাইকম ফিরাংগী লৈচুম্ন যেংনা মরু অচুম্বু মিংশিংগনি নোংদম পাওশবনা মকগী লাইমিং হাইতুনা মরুগী মতিক মঙানু লৈশিনা লৈহাপকনি ॥ অঙাইবী চন্নুবু লুতিন লৈরাংবী মিংতুন্না লৈওম্মিবা এখোই পুম্বনা কুবি নোংদম্বীতুনা থৌবম্ব, থোযাবা থৌপু নোংদম্নগনি অনিমক্তী যাইফংনবা ॥ নোংদম কুবিবু থৌরোইরগা নোংপোক লৈমা লুতিন লৈবাংবীনা লুতিন লৈয়াবরু য়েংলোইননা ৭ (তারৎ) লক শাকোইগনি ॥ অহানবা শাকোইবদা মিউ লৈফমদা লুতিন লৈজন লৈবাঙ্গনি ॥ অনিশুবদা শাজুম্বা লৈফমদা লৈরাঙ্গনি । লৈফম অসিদা শাকোই অতুম্নক লাঙ্গদবনি) মঙাশুবা শাকোই অমনা মরি লিশাবা খোইদৌদা লাঙ্গনি ॥ মরিশুবা শাকোই অমন (থবাল—লকাদা লাঙ্গনি ॥ তরেংশুবা শাকোই অমনা লুরাই কোইরেন্দা লাঙ্গনি ॥ মতুংদা শাকোই লৈহৌফমদা লৈচতুনা লুতিন লৈতক লৈরাংজতুনা ওইথম ফম্বাল্লাংলনি ॥ লুতিন লৈবাংবু পরৈ লৈকোই অমা লৈথাইবিতুনা লুতিন লৈতুক লৈবাংলনি ॥ মৈতৈশু তিল্ল লুতিনবু নমথাং ফিচি কিশি লৈপুল্লগা ফম্বাল্লাংদগী পুকম থৌনিনা খোইযুম অমাই নোংদম্বনা লুতিন ফম্বাল থক্তগী লুহোং লুতিন লৈরাংবীগা. লুতিন লৈরৌ লৈয়াবগা অনিবু থেমথোকপিতুনা লুতিন ফম্বান্দগী লৈকুমহন্দুনা থৌরোইগদবনি ॥ খোইযুমশা,

য়ুম্বাল চংলম লুহোং লুতিন লৈয়াবা থৌরম অসিদা ফম্বান্নবা থাবা থুদা কম্বি অসিদি ফম্বাল মেম থুদানি থংঙ ।। x

খোইয়ুমশা কোয়ৌ চুমিং অসিদা লৈফম্নবা লৈথাবা ফম্বী থুদা অশিদি লৈথমখিবদগী লোংঙ্কদেদো ।। মতিক মঙম লৈঙাক থৌপুবা লাইমিং লাইশকপু থুংঙ, নোংদম্বনা লৈয়াংবা লৈথমগ্রবা মঙম্বি ।। কুরুম চীং, শ্মা থেঙ্গুম চীংনে, নোংপোক লৈহৌ চীংনে, থাঙকমু চীংনে, নোংচুপ লোইয়া হুংঙাইরেন চীং, চীংবা প্যানশা ৮না পনশা ৯ মাপনবু লৈথাহুনা লৈঙাক্লীবা লৈফমদগীবু পানলাকতুনা লাই হিংচাবা তিনয়েং খোংয়েং হুনি নায়ো লৈঙম্বনা লৈকাক্লকুনা নামুংবা ফত্তরা পয়ম্ব থৌবুরকুনা নোংখাই নোংদম্নববু ঙমদনবা হাইহুনা থুদাগী চিরা অমগী মখোংবু লৈপুহুনা লাইমিংথোই কোংচিলেম্না লাইমিংথ (লাইগিংলেন কিংনাইবা) মি হুম্না লৈফমহুনা থোংঙাকপবু (কোংনিংথৌ) বু ঙাকহন্দুন অমম্বা ময়োল ৯ মপান মঙগী য়েথাই থিঙ্গাইবা লাইশ লৈচংবা ঙমদনবা মারুহনবগী লাইবংখৌ (২০) গী মখোং লৈফমবু লৈশিন্নহুনা (লৈম্নতেক) কৌনা ঙাক্লিবনি লুতিন ফম্বানবা কোলুপ অহুদা পয়ম্ব থংনা লৈপাই লৈফম্নবা থৌনি ইরাংকদবনি ।। x

নোংলোন ৯ মকুগী ফত্তরা মতিন মরাই মৈবী শঙাইশেল নোংমৈ শিংজং কুমথি যুমগাংবু চংঙম্নকনি হাইহুনা চিরা অমদা লাইমিংথোই কোস্থৌরেম্না লাইমিংবু (লৈফু রন কিনাইবা) লৈফম্না ফমহুনা থোংঙাকলাইনা কোংতিংলেম্না নোংথৌ মরান্দগী থোকঙয়্রকদবব লৈবাক শেন্দা শাংলাকখিবা লাইবংখৌ ৪ গা লোইনহুনা মখোইগী লৈপুবা থোং ওইনা ঙাক্লিদো ।। নোংলোন ৯ দগী লৈথোংদগী হুনি নায়ো অয়েং অথোং লাইনা শাথোক্লকুনা চুমিং শিঙ্গম ৩৬০ থাঙা ১২বু লৈচুপ্পা লৈমাং লৈমুংনবা থৌপুনদা থৌঙমদনবা হাইবগী চিরা ১দা মীশি মীনা লৈচংদনবা লাইমিংথোই অপুম্বানা লাইমিংবু পেংবী শানোই হিংশা রিতেং) লেহুম্না লৈফমহুনা খোংঙাকপনা থাও ঙাইবনা থাংজিঙ্গী লাইবুংখৌ ১৭ কা লোইনহুনা মখোইগী থোংওইনা ঙাক্লি ।। নোংখোংহুনা খেক লাওহুনা মতিন মকাং মহিক মবাং লৈশারকুনা তিঙ্গু লাইচুবব চৈবিননি হাইবগী লৈচংবা ঙমদনবা নোংথৌ লৈয়াই লৈথাতুনা লৈফম্বা শলাইলেন অমম্বা শ্মা ফম্বাল লৈতম্না চিরা অমদা অবাং নোংফুরেন কিং থিং কিংনাইবা) মিংহুম্না চীং শেম্বগী লাইবুংখৌ ১৭ কা লোইনহুনা লৈফম্নগা মখোইগী থোং ওইনা নোংদম্মা লৈফম লৈঙাক্লা লৈগদবনি ।। থুদা অহুগী মথাদা লাইমিংথোই তাওরোই লাইনা লৈপু লৈকম্মা থুদানি মরুবু লৈথিনা ফাম্বি থুদাবু লৈথা লৈফমগদবনি খোংয়ুমশা ।। খোইয়ুম পুম্বনা থৌয়ারে নোংপোক চিংথৈ মরুনা লুহোং লুতিম লৈরৌনবগী চংনরম লাইরকচন লুতিন নোংদম অসিবু হোকংলৈ লম্মা হনবা কংলৈ শ্মা পুংমাইয়োন্দগী থৌহৌনা মথং

লেংনা চৎনরম লাইরকচন ওইনা য়ুম্বান য়ুমদিন থোপুনরশি ।। থোরম্বু থোপুদনা য়ুম্বান য়ুমদিল্ল-বদি লাইরকচন্দা নামুংবা চৎলম য়ুমদিন ওইনরশি বারেপ্পহুনা লৈখয়ে ।। মতুংদা থোরম পুরবু থোরত্তনা থোবুহুনা পাথংবা শম্না কোঞ্জন ভুথোকপনা লৈরো লৈয়াহুনা নোংপোক অঙাইবা চমু শম্না খোংনাং লৈসবু নোংপোক অঙাইবনা লৈয়াবগী খুৎ পাইহনা লৈরাংলে, কংলৈলুদা লুতিঙ্গহুনা ওইথম ফম্বাল লাংওমথ্রে ।। লৈরো লৈয়াবা, লুতিন লৈরাংবী অনিগী নমথাং ফিজি অনিবু তিলু কিশি লিপুনবিহনা লুতিন ফম্বান্দগী নোংদম্বনা লাইশোল্লুনা কৌথরে ।। মতুংদা (লৈনপ করোক) ইন্দুনা লাইরেম্বীশিংনা পাওরোএ ।।

পাওরো :— হিথা থাংমৈ অচোংঙা
থোইদিংও মকোর
করোক্কুম মকারাম
চঙ্গুবা লিও লিও
ইপুরোই চংনিংলোই
নকা ইকা খোংথিল্লোই
তৌ হে হোযানবশে । x

পাংশানবা লোইহুনা লাইরেম্বীশিংনা খিন্দোক্লে লাইবুংথৌশিংনা লৈওক্লুনা কংলৈ পুন্সী শংলেন্দা কেংশিন্দুনা (বাকোংশংদা) চরৈ খ্বাংলেং ফি থাম লৈকোংহুনা মক্লাইরেন শ্মাখেং-নাং লৈমবু লাইরেম্বী ১— পুকশিখোম্বী, ২- লাইরম্বী, অতাহবী, ৩— লাইরৈমা থারৈমা, ৪ — লাইরৈমা থৌঙাইবী, ৫—লাইরৈমা খিংবা রোইখোম্বী ৬— লাইরেম্বী কোংটিং লৈমা, ৭ লাই-রেম্বী য়ুচেং লৈমা, ৮ লাইরেম্বী চিংবা লৈমা ৮ মক্লা থোখল্লা লৈওল্লে ।।x

মৈতৈণ্ডু পাবুখবা কোঞ্জন্দু থোদপবু লাইবুংথৌ অঙাইবা, লাইবুংথৌ উবোংলেন, লাইবুংথৌ কোংটিংলেন, লাইবুংথৌ থৌঙাইবা, লাইবুংথৌ থরাই লাইবুংথৌ য়ুম্ন, লাইবুংথৌ য়ুচেং, লাই-বুংথৌ চেংঙা লাইবুংথৌ ৮ না থোখল্লাংনা লৈওল্লে ।। য়ুম্বানবা চৎলমু থোহৌরবদা লাইবুংথৌ লাই রেম্বীশিনা মুংথাইহনা পাওশা লিরোম্নে ।।

হৈয়ম হোয়াহে
লৈরো লুতিন লৈয়াবদা
লুহোং লুতিন লৈরাংবীনা
ভুম্নলাংবু ভুল্লক্লে ।।

হুমলাংবু হুনবদা—
লাংচন রাইরে চাকরাইবী লিতোন রাইরেদো
রাইতোন মশোক তারে, শোক্তা মখোং কক্রে
হৈকক য়াচন চনবদা
শোম্ব লাওনা চল্লি ইপোক কৌয়শে ।।
লৈয়োবা লৈয়াংবী অনিনা রাতানহুনা
পুক্কংদা হয়াইগী মরু থাবদি
মহৈনা অঙ্গোবু অঙ্গা পাল্লনি— সয়া সায়েদো
খোইনৌ মৈবু লাংজেং সংনা
কোনবা শক্লা লৈশংপদা কোল্লো ।।
সরাবা চৌংদা, তুকেনবা চৌংদা কোল্লো ।।
খোইয়ুম থোগা লাইবুংথোগা ওংজাম্বগা
চৌংমবগা মগোম্বীগা মরাংবীগা
অঙ্কুরি লাংদা শমৈ লাংদা,
লাংজেং রাইনা তিতোন রাইনা কোল্লো ।।

খোইয়ুমশিগী পাওশা তাবদা মৈতৈশু কোঙ্গপু থোকপা পাখংবনা লৈবাক্তি যাইফনবা হাই-হুনা (পিশুম খোংথৈ ওইনা অরাংদা থৌঙাইববু লৈঙাকহল্লে ।। নোংপোক্লা—থৌঙাইববু ঙাক-হল্লে ।। নোংচুপ্ত— খোইয়ুম কোংটিংজনববু ঙাকহল্লে ।। মাঙ্গৈগী মরিদা খোইয়ুম ৪ না লৈঙাক লৈফয়বদা মৈ, ঈশিং, মুংশিং ইন, মুংবি-মুংলাই, তিনলাহ অপকমা করি করাবু য়েথাইবা খিন-গাইবা লৈচংবা ঙমদনা বায়েন নোংদম্না লৈপানবা থোহৌর ।। মতম অসিদা নোংপোক অঙাই-বগা মদাইরেন লাইরৈমা চিংচ্রাইবীগা অনিনা মমোম শ্না খো নাং লৈমনা লুহোংহুনা চংঙম-খিবগী মপুক অরা রাথম্না লাংতক্লহুনা লৈঙম্ববু মদাইরেন চিংচ্রাইবীনা মচা নিপা অমা জান-কংজহুনা অরা রাথনবু লৈকোক্লহুনা মচাগী মমিংবু (পামশাবা) লৈহুনজহুনা মপুক খোইজংনা নাওকোন শিন্দম্বীহুনা মতিক মঙম ফবা রারপ লিচুম শৈরেং হৈশিংবা নাওরা অপিচা অমা ওইনা মুংঙাইনা লৈঙমহুনা চাদা নাওদা শৈহোরে ।। x

লাইমিংথোইনা লৈকোই লৈহল্লকপগী থৌদোক

মৈতৈশু নোংদাইলাই—হৌজিক্তি নবুথো লাইমিংথোইনা শামুনা পুবা লৈফমদা লৈঙম্বা খোইয়ুমশিং নোংদম লৈহৌনরকপগী পরম্বু পাওশাবিহুনা, তাহন থংহনবিহুনা মুংঙাইনয়বগী লৈকোইববু

লৈহনজিনবা মতম ওইরক্লুনা হনগুম্নকপগী থোরম্মু পাজহুনা হাইরগে ত্যাবিও ।। লাইমিংথোইনা লৈকোত লৈহৌফমদা লৈহল্লক্লুনা লৈফম্মু কোইনা য়েংহুনা হাইএ ।। ঐনা লৈকোইবা অসিবু হনক্লা লৈয়ি ৭ শুরে ঐনা কোইরুবশে লৈফম ৭ শুরবোইরে অদুগা ঐনা লৈকোইবদা লৈফম অসিদগী লৈহৌফম ওইনা খোংশাল্লিবা অদুগা চৎলুবা লৈফম খুদিঙ্গী লৈফম অসিদা লৈহল্লক্লুনা মালেমদা লৈয়ি অমমম চিংহুনা শিংথারম্নিবা অসিনা কম্নিম্লংবু লৈবনা থোরম অসিবু ঐনা থোগুম থেম্পুবনো হাইমা লৈফম্মু কোইনা যেংও ।। উম লৈফম অসিদা ঐবু অমুক অমুক লৈহজিল্লিবা অসিদি কংলৈ পুংমাইয়োন অসিদগী চৎনবম পুম্বা লেনফম শিন্দম্নফম মযাই শুম্নদোন পাংন লৈফম ওইদোরিনা লৈফম অশিনা লৈবাক পুম্নমাক্ক (লাংওন লাংদাই পুঙ্গী) লৈফম ওইরে, অদুগা লৈফম অসিদি রাহৌধম বারোইফম, রারেপ রাশক্কম রাওম থোপু লৈতাম্নফম (পল্লান্দনী, অশুম্ব। হা'বা লৈফম্নিনা মশিদি লৈঙাক লৈফম কুমাইহাং কুমাইথিং থাকোনা লৈফম নংবু মিংহুম্না লৈগুল্লমনি ন'না থোবম পুম্বা লৈহাংজ, থোরম পুম্বা লৈথিংনা লৈকল্লু নোংদম্লগা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা থোংচং মিংয়েং তাল্লক্ল।। কংলৈ পুংমাইয়োন্দা চৎলম অমবু উত্তনা তিঃ করিনা থোগুম্নিবা অশিদ তাইনা থোংচং লকপবু থোংশান থোংলপ্লনা রাঙাংদনা মপুক রাথন লৈতক্লনা রাথন্দুনা যেহুনা লেপনা লৈএ ।। থমোই লকম্নুংদা তোগদন থোঙম্ম বাথন্দুনা থোবম্ব, থোয়না লাইমিংথোহুনা লৈখন অহুনঙ্গীবু লৈফম, (মুংমুংবী মিহিংফা-পফা) লৈহুম্না লোয়ে ।। কমদোরিনা ঐগী ইমা অসিবু চৎলম অসিবু কোঁজিক্কা থৌতাবদি কমদোনা তুদা পাবু মশক মশম নংবংরগবনো? থবশি থাশি লৈনাইদ লাক্তন যম্নন্দা মপান্নশিব কবিবু চৎলম কৌরগা মশি থব রাবক থোকাও থৌদ্রবদি চৎলম পুম্বা নামুং চংলম ঙান্দ লোবাক অসি চংঙম্না তারে। থেংন নবগী চৎনরমদি লৈফম অসিদগী থৌরোনফম ওইগদবা লেথম্নি অহুবু নাতুঙ্গী। বদি থোযেংদনা ঐদি অরাং লুতোন ফম্বানবু তানফংলগা লইবে রাথন থোংহৌবা তসিবু থাহংম নানা থৌহাববু তৌনবরা হক্লা মনিং লৈতাম্ন, লুতুঙ্গী বাথন খংমন্দবে ।। এনা তৌগম্নিবা পুম্বাশ মাগী য়াইফংনবতা থোঙম্নবা থোপুবা ঙাক্লান, মাতমা লুতোন ফম্বাল লাংজনবা লৈথ লৈথম্বীবা ঙাকনিদ মপুক রাথল পিরমাল্ল রুরক থোকাও হৌদ্রবাদ মাগী রাথন অরাংবা লুতোন ফম্বালবু লৈপাম্বনা মশাবু লৈথনবিহুনা চৎনরম পুম্বা থোকাওনরগনি বাথন্দুনা অশাওবা মিংয়ে উত্তুনা লোংকাপ ইরুল তম্নক্লে ।। লাইমিংথোইগী শুম্না মিংয়েং কঙাও শুম্না লৈচংলকপবু উবদা পাথংবা শুম্না কোঙন তুথোবপনা অকি তুজুং ওইহুনা শুম্না তাংকন (মিহিং সংসংদ অপাম্বা) কৌবা উন্দ্রা —ফম্বী থন্ত্রগী চোংথাহক্লুনা চেনগ তৌওয়ে। পাবুথংবগী মতৌবু লাইরেম্বী ১ পুকশিথোম্বী, অঙাইবী, থারৈমা থৌঙাইবী, থিংবারোইথোম্বী, কোংটিং লৈমা, যুচেং লৈমা, চিংবা রৈমা চনা খংও উরহুনা খুজেং পালোই লাক্লা লিশম্নহুনা পাথবরু শাকোইহুনা লৈথক্লুনা লেথায়ে। কাবরু মুংবু চেনবনে নপুক তয়াং তশোইবনো? ঐখোইনা থোথল্লিঙৈদা থেইয়ুম কনাবু চংঙম্নগবনো

চেনবিগম্‌ ঐখোইনা লৈঙাক লৈকল্লগনি পাওশানা শাকোই লৈথংমহুনা পাওশা লিবোল নাঙ-থেম্না কোইনা থংনা চোংহুনা লৈখাম লৈঙাক পাওশারক্লে ॥

কে ক্রেক কে মো মো,
য়াঙ্গোই শম্বা শ্যাও শ্যাও,
তোকপগা কম্বগা
কৈগা য়েনগা চাইবা,
য়েনখোং কন্তে চাশল্লো,
লাইগী য়েম্বি চাফদে,
নোংদম্না মউ লৈথানা
চাম্বি মপাম্ম লিংবনি'
সে সে বাইনৌশে
শবা লাংদা ব্রাইনৌশে ॥
কেক্রেক কে মো মো
যাঙ্গোই শম্বা শ্যাও শ্যাও,
শাবল লমখোকপা কোমবা লমায়ংশে,
হো ইপু মেক্রুকপা
নংবা যাঙ্গে য়াংঙবা
অরিবনা শোইদোকশে
অনৌবনা শোইজনশে
চীংয়া তময়া অমুল হৈ,
শেমজবনা চাজবা হৈ,
য়াঙ্গোই শম্বা শ্যাও শ্যাও ॥

লিয়োল পাওশা তাবদা লাইমিংথোই ফুংঙোল্লে ॥ উম থৌরম অসিদি ইশা নৌনা কল্পাওবা নমজনবা নত্তবোইরে, ঐদি চুমন্তা ইনাওবু লৈথংনবা ব্রারক থোকাওগে তৌজম্বনি অহুবু মখোই ৮ অসিনা করিবু মঙম লৈহুনা শাকোইনা লৈথংশাবা মযুম য়ুম্বানবা চম্বুগী নাক্তা ঐনা চংঙম্বা হৌনদবনিনা লৈকম অসিম্মদি লৈকল্লরো ॥ পাওশা করি অরিবনা শোইদোক্লে, অনৌবনা শোইজল্লো, চীংয়া তময়া অমুলহৈ, শেমম্বনা চাজবা হৈ. কনানা শেম শাহুনা নোংদমহুনা লৈফম্বা, করিবু মঙম হেন্দুনা, ঐদি থৌদবগী য়াঙ্গোইনা লৈকোইবগুম কোইনা চত্তুনা থৌপুবনি, অহুবু

ঐনা করিবু নামুং চৎলম চত্তুনা তাম্নদবা, ঐ কনানো ? হাই লাইরেম্বীশা নয়ুম য়ুম্বাল চৎলম্মা লৈথুম্নখিহুনা থংত্রমায়ে লৈথংনবা থৌপুগে লৈকনবা ঙম্নবা নথৌ নওম্ব থৌপুজো ।। নোংথৌগী মখা মালেমগী মথক অশিদা ইমিংবু থৌয়েংনা (অশিবা, মাঙ্গিবা, হাই লোম্বা, নোংখেরেন) ইমিংবু মিংহুম্না লৈবাক অসিবু (চুকশেন ওইনা) লৈফাহুনা মিংহুন অমদা (থৌবী লৈফম্বা= লৈফম্বী) থাকৌনা শেম্বী নোংপোক থংনা লৈফম্বা ইমিংবু—ভাংওোই মৈরাম্বা= মৈরাম্বী কৌনা খোংনা= নোংচুপ্পাংনা চৈ যম্না লৈঙাক্লিবা ঐনি, ঐনা তৌগমগে নিংববু কনানা লৈথিংবা ওম্বা থৌয়েং শিদো লৈফম অসিবু মথক মখা ওংম্বাক্লগা লৌনা অমুক শেমগৎকে থংঙ ।। ঐবু লৈখাম্বওম-গদবদি (মহাক, নহাক) অনিত্তনা ওমগদবনি থংঙদো ।। হাইরম্মগা থাংহিং ভাংওোই তম্না চোং-থিহুনা লৈবাক চিরা মরিবু চুকফা লৈথত্তুনা হৌলম্মহনবা কংলৈ পুংমাইয়োন লৈবাকপু মথক মথং শুম্বোক্তুনা লৈথম্নবা হুনি রৈখাইলাই ১ বু শাদোংহুনা খেক লাওহুনা মৈবি পাইবগুম (খুন্তাক লৈতাক খোংলম্ব লৈশানখ্রে ।।

খুন্তাক লৈতাকপা খোংচৎ :— কংলৈপুংমাইয়োন তম্না খোংফম অহুম্নক চংশিল্লক্তুনা য়েংভি ।। য়েংথংবা খোংবু ফুক্তুনা য়েংলমদা লৈরক্তুনা খোংবু তুংলোমদা হোত্তুনা নোংচুপকি অনশা চৌং-খোংদা লৈথুংহুনা য়েংকি খোংনা ৩ লক থিন্দুনা ৩ লক অমুক খুদোম্না হোৎলে ।। ওইগী খোংনশু ৩ লক থিন্দুনা ৩ লক হোৎলে ।। য়েং থংবা খোংবু থাঙ্গত্তুনা চোংথৎলগা খোংবু শৎলে ।। ওইথংনশু থাজত্তুনা চোংহুনা খোংবু শৎলে ।। মাইগৈ ৪ বু য়েন্নবা লাইমিংথোইদা শাগ্রেম্নবা কনা লৈবা নাথম্না কোইনা চোংহুনা খৌশারম্ফা য়েংলোমদা লৈশল্লক্তুনা কংলৈতাম্না চেনখৎ-লত্তুনা খৌশা খোংদহ্নরে । য়েংথম্বা খোংনা (৩) লক মালেমদা থিন্দুনা খুদোম্না (৩) লক হোৎলে ।। ওই থম্বা খোংনা ৩) লক থিল্লে খুদাম্না ৩) লক হোৎলম্মগা চোংখত্তুনা য়েংকি খোংনা শেৎলে ।। ওইনা অমুক শেৎলে ।। চোংথুং চোংখত্তুনা মাইগৈ ৫ কোইনা য়েংলে ।। য়েংলমদা লৈশল্লক্তুনা ম্রাওো রাবাই লাংদাই পুংদা চেনশিন্দুনা লোয়না রাখল্লে ।। (খোংচৎ-অসিবু পম্লিং পনমাং খোংচৎ কৌওএ) ।।

লাইমিংথোইনা কংলৈ পুংমাইয়োনদু লৈতাক কেমুংহল্লগে নিংহুনা খৌহৌরে খোংকাপ (৩) কংলৈরোমদা চংশল্লম্নগা য়েংকি খোংনা হাইদোক্তুনা (২) রক হোত্তুনা ভাইহাত্তুং লৈরে ।। য়েংথম্বা খোংনা (২) রক থিল্লে, খোংদোম্না (২) রক লৈহোৎলে ।। ওইগী খাংনা (২) রক থিল্লম্মগা খোংদোম্না (২) রক হোৎলে ।। য়েংকি খোংনা শেৎলে । অমুক ওইগী খোংনা শেৎলে।। মাইগৈ ৪ বু চোংহুনা থুগাইনবা লৈফম্ব য়েংলে ।। য়েংথম্বা খোংনা (২ রক থিন্দুনা থৌছম্নগে ত্তৌববু

ৱৈথাই থিঙ্গাইবা লাকদবনু লৈথংলে ।। ওইনস্তু ২ রক থিন্দুনা থংলে ত্তাল্লে ।। য়াথন্দা অয়েং অখোং লৈঙম্বর লিকা লিপুম্নহুনা ফার ।। খোংলম অসিবু চিরা ৪দা খোংচংলম্নগা খোং অনি-রক হোত্তুনা শম্থোং চিরাদা চেনশিল্লক্তুনা য়েংকি খোংথাঙক্তুনা অনিরক থিল্লম্মগা লৈবাকপু মথক মথা ওনগদবগী তৌঙমলে ।। খোংচং অসিবু থুন্তাক লৈতাবপা খোংচং কৌএ ।।

লাইমিংথোহগী মঙম উবদা চাথা খোংচোয়্বীনা পাথংবদা হাইএ—মৈতৈং পাবু থংবা লাইমিংথোইবু পুকম লৈপাইনা হাইজহুনা থেমনৌনহুনা লৈনিহৌ নত্রবদি লৈমাং লৈমুংপনা লৈহান্নিনি ।। পাওশাবু তাবদা পাথংবনা ক্ষুংকেং নাক্তা চোংথোক্লুনা মাই শম্থোং ওন্না খুবাং ১০বু চেপ্পা লোম্না খুনিং কাং, খুদোন লৈদা নেং, খোং নাম্মা লৈথাঙ্গং মমিং পাংমা উংশিন্না থৌনি লৈপাইনরক্লে ।। 'হে লাইমিংথোই নতিক নঙমবু লৈহকপও, হৌ লম্মা হনবা কংলৈ পুংদা ৱৈথাই লাইনা থোংদারক্তুনা ৱৈথাই থিনগাইবা থৌঙমদনবা মাইগৈ ৪ শুংদাই ৪ লৈথক্তুনা চিংলা পনশা ৯ বু লৈথোন্না লৈথিংবিবা লাইমিংথোই, শেন্দ্রিংগী মশেমথোক শেম্পীও নিঙ্গরিএ ০নাওনা, নকোক-থক্তা পোম্বী বাহোং মতুনা উরিশেক লৈথেং ওইবও, নপুক্কা নোংথো অতিয়াদা লৈথম্বা, ননম্না মালেমদা লৈথাবা, নকুনা য়োং ওইবা, শিংলিনা থৌবা ঈশেং মক, ঈরিক ঈশেং মক, তুরৈ ঈচাও ঈশেং মরু ওইনা লৈথম্বা, মরি লিশাবা, তপোপ তয়াংশাবা, চংনিং হেনবা অতুন্না ঈশেং ঈথোং (৩) গী মরু ওইনা লৈথম্লিবা, ঈনা উপি উরেন ওইরিবা লাইমিংথোই লকাদগী নতুনা উঁঙং উরাংবু ওইনা মালেমদা হৌহুনা তেংবানবনু পোকলেন শাংপগী লেঙুন লৈরাংবু লৈতম্লিবা লাই-মিংথোই চিরাই লোং অহেনবা, মিং শ্না থম্বাল মিংলাংচান অনিবু ক্তুমিং থাদা লৈহাপ লৈথম্লিবা নকোক্লা শাম্নচিদা লৈফম্বা, নয়ুংনা থুম ওইনা শাথোক্লিবা, নথিনা তেংবানবগী অচা অথক্কি মশক ওইনা মালেমদা লৈহৌহন্দুনা পিজ পিথক্তুনা নাওয়োক নাংকোনবিরিবা, মিউনা অথুম ওইনা শাথোকপা, লৈবাকপু শেংগী লাইমিংবু নোংতুমশংকন্দা (লৈরংলেন তাথংপা) লেঙুনবা মিংলেন অমনা (হুংনাংলেন (অপোংবা) থাকৌবা, শামচিন্দা লৈবদা (মুংকোম্নবা) থাকৌবা নয়ুম শংলেন লাইগী শঙবু চক ২না কোনথা লৈথম্মিবা তাংলোই নাইদবা অত্তৌবা মচুনা কো-ইশিল্লবা, স্না মিংলেনন্ (স্নাকোনশৌরেন কৌরেনবা) লৈঙুনবা, মিংলেন অমদি (চিরেন তোংলে-নবা) থাগোল্লিবা, নচু নঙানবু (মৈত্রেং শ্না অহিংবা) মিংঙুনবা, নয়া য়াখোং য়ারক থুদিংদা শ্নাগী কোঙ্গাল শৌবগুম শ্নানা পাদাং থোংলিবা, সনা হকচাঙ্গী লৈনম্ থম্বাল ১০৮ কৌবা লৈরাংনা তমজরিবা, নথুংয়ত্তা সনাগুবা, নথুং ওইদা লুপা থোকপা, থক্তা লৈবা লাইনা থকথন ওইনা থানবা, থাদা লৈবা লাইনা থুদা ওইনা ফম্বা, অমম লৈশানঙৈদা নংতা মঙাইনা লৈরকপা, কিন নাম্মং-বনু কোনথাবা, তমফানা থোথিংলিবা, ঈশিং থোইকগুম্বদা কুনবা মিশিগুম্বনি, য়ুহাবগু নহাক্কি, উপোই কাদা লৈবগু নহক্কি, নমিংবু (সনাতিনম্নরেম) হাইনা লৈঙুনবগু নহাক্কগী নচাক্কি, নংঙ্গা

তৌগে নিংবব্ কনানা লৈথিংবা ওমগবা, অয়োন লৈবা খিবিকপু লৈঙাক লৈকন্দুনা কুবিও, শেম্বি-বগী মশেমথোকপু নেংদম্না শেম্বিও নখোং খাদা পাইমা শিল্লে লোম্বনা হুম্না; হুম্না লৈপাইনা নকা-হুংদব্ লৈনিজবা ওইজরি কুবি নোংদম্না য়েংবিও ॥ x

পাখংবনা হাইজা রাব্ তাবদা লাইমিংথোইব্ হুংচোল্লি, করিনো এনা তৌওম্লিবা অসিব্ ইঙ্গম চাওই হাইহুনা নমথেক নমজানবা চংলম্ব্ লৈবাকপু মাংনবা এনা নাম্মংবা চংলম্ব্ থো-হৌবা, এগী চংলম অসিব্ চুম্বরা চুমদবরা রাখন্দুনা মনাওনা পাওশাবা মাইগৈদা মনাওব্ অরাক তম্না য়েংলক্লে ॥ পাখংবদি লাইমিংথোইব্ য়েংজবদা লাইমিংথোইগী মতিক মঙম্না হকমনখিবনা মিংসনা পাংতিং মাম্লনা য়েংজবব্ ওমদহুনা মমিং পাংমা উশিল্লে, মখোং নাম্মা খাঙ্গত্তুনা মশা মউ ওনিক ওশোইনা য়েংহুনা লৈরম্বব্ উওম্নক্তুনা লাইমিংথোইনা মনাওব্ অমুক তাখিরে ॥ রাহৈবু তাপদি কয়া হুংশি হাল্লবা মতৌ মওংদ করেম কথাইনহুনা এবু জংনা শাথেক শাওম্নহুমা পাওশাবা, নপুক্তি ইকুমাইতাদনা লোনম রাহৈনা অফাশানা এবু পাওশানরিবোই (কোংকোন্তে থুরাই তাংবা শোংবু চিরাই কাংবা শানা) এবু শাগ্রেম্বা শারিবোইদা, পীওশিরা রাখনবনি নওং মতৌ য়েংনিংদে এগী ইথৌবু তোক্লরোই রাখন্দুনা খুদক অতুদ। থুনা য়াংনা লৈমুংনবা শাফোংলে ॥ ময়াম্বগী লাকওম ফাওমদবা মওম্ব্ উবদা প্যাখংবনা লৈকনবা হুম্নরোই খংহুনা অকি তুজুংবগা লোইননা অরাক অখংনা লৈবাক লৈমাং লৈমুংলে, মরুন। লৈকনবিদ্রবদি লৈঙাক লোকনংয়ো হাইনা থুলাম হোইনা কৌওম্ন ॥ অতিয়া মরুশিদবনা করিন্নুংবু তৌবনো অরাক অখংনা লাও-অক্রকপবু নাখন্না য়েংবদা লৈবাকপু মখক মখাওন্দুনা লৈখম্নবা হৌওম্ব হওম্নে ॥ খোরম্ব্ উংদা আতয়া মরু শিদনগু অকিতুচং তানখংলে, হীঃ কনানা কদৌরকপা কংলৈ পুংমাহয়োন, মরুগী খুদাবু লৈমুংনবা থোয়াংনা থোঙম থোপুনরিবা করিগী লৈমাং লৈমুংপাওনগবা এমক লৈয়ে লেখং-দবা কনানো নাখনহুনা অশাও লৃত্তো। লৈকাখহুনা করিবু হুচী কনানবু শিম্মারিবা নাখল্লমদ্রে ॥ তৌখম্লম্বা মওংনা অকি তুজং হকমনখিবনা লৈমাংবনা হংনগী রাপন খিহুনা থাকৌরকপা তাবদা থুংজে থাংলন (চিঙ্গুথাং কুপাংদং শেং মিরাকথাং) বু পাইহুনা লোংথক্লে ॥ মকনা থাংব্ শংপদা (শ্রীং ওং ত্রংক হাই হরা) লাইমিং পীহুনা পাং শংলো। থাঙ্গী ময়াদ।—ক্লীংফং ওরা হাইনা লৈহাপ্পুনা, মথৌ লৈহাপ্পুনা য়েক য়েক য়েকতিসে হাহ পাখবা নংদিশ্না থাঙ্গুম মস্তান্নাইবাগুম্না থাংনি সেং হাই তুম্নো হাইনা থাংদা নাক্লগা হ ই হিংশং লংনা তৌবা থবক্তি চুমথাংপাই কৌবা কাইথ্রো হাই) হাইনা খোংখিন্দুনা লাংহুনা থাংগাই অমুক্রংব্ হাইরক্লে ॥ মরুগী খোংবিন খোনলাওদা লৈহুং খোওম্নবা থোপুবা মশক শাথে ক্লখবু ফাইহুনা নাইগৈ ৮ দা লৈবা লাইশিঙ্গী লৈকমদা লৈচংহুনা লোংথ্রে ॥ লাইমিংথোইদ অবিতুজুং লৈকনা থেক্লা নোক্লা তিঃ থৌরম পুম্বদি মকনা তৌইনবনিদনা অহুাদ মরুগী মমিং লেপ্পুংলম্মু রাখল্লন্দুনা অবি হুংং

লৈজনা খেল্লা লাওনা লৈঙম্মি ।। মরুগী থাংলেনবু অমুক্তুং হাইখিবনা লাইমিংথোইগী হকচাংবু থাংফম ৭ লৈকল্লে ।। মরুগী থাঙ্গী মঙাল্লা লাইমিংথোইবু থাংফম ৭ থোক্লা লৈকল্লবদা লাইমিংথোইনা সনা হকচাঙ্গী লৈকম ভকক্তুগী লৈথাইহুনা মলেম লৈমাইথক্তা ৭পু থাদরম্মগা মক্কনা নিংবা লৈথুংনবা লৌবিহৌরো মতুপ ৭ অসিদো, য়াইকা নোংদম্মা পানঙম্মবা তৌবিরো ঐদি লৈহম্নজরগে পাওশারগা মকোক্লেনগী মশক্কা লাইমিংথোইগী শকথোংবু লৈহন লৈরেপ্তুনা নোংথৌ পাংনা খোঙ্গা ইহুন তমথরে ।।X (মৈতৈভু নোংদলাই থৌরম্মু উবদা মকবু অৱা লৈখম তানফংনরেদা)—

অতিয়া মরু শিদবনা লাইমিংথোইবু থেম্নৌনবা লৈফমথিবা

অতিয়া মরু শিদবনা হীঃ করিনো ঐগী থাংনা মাংহনবদি ভমদনা, মশক মতুপ ৭ তুমথাদরম্মগা মশানা নোংথৌপাংমদা চংখিবা ভম্বা অসির কনা ওইরিগবা ।। মতিক মঙম্মু থোইমা য়াম্মা হকথ্রেদ রাখন্দুনা নোংথৌ পাংনা লৈথি লৈয়েংভি ।। হীঃ অসিদি মপারি সনাহন ইচানিনা (থ, ক, ন, গ, র, ম, হ, শ) লাইয়েক ৮দা শথপ্পনা লাইমিংবু (ম্নংহিং তোংলৈরা ম্নংহিং তোংনানিক) লৈহুম্না লোত্তুনা লোইদাম থাদা তিলু লৈফম্মা লোত্তুনা লৈথ্রেনা করির গুঙ্গীনো ? মালেমদা ইহুৎ ইরেং লৈশিম্না ইশক ৮বু লৈথম্মবনি ঐবু খিঙমলরম্মু শিল্লাক্লা লৈরোংলিবোইরে, লাইয়েক ৮ অসিবু কনাবু ওইবনো মকনা রাথল্লে ।। (থ) দি থাংজিং লাইওইরে ।। (ক) দি ফক্তোক অরিবা কোইরেংলাই তেংবানবা মপু মুংশিংপু ওইরে ।। (ন) দি চিংচোইবীগী মশক ওইরে ।। (গ) দি গৌবরেন=কৌবরেল ওইরে ।। (র) দি লৈশিরেল ওইরে ।। (ম) দি খানা চাওবা ওইরে ।। (হ) দি মরু শিদবা ওইরে ।। (শ) দি নোংশাবগী মশক ওইনা লেগৌরবানি ।। ঐদি ৮গী মরুম্মু থুপ্তুনা লৈবগে লৈরোংলেদনা অসিদি ফালম লাথপ লারৈ শাম্নগদবা ঐদগী হৌনা লৈঙম্বা ভাক্নি, শেম্বী শাবিনবা থরাই য়াইবিরেনবু লৈফানবদি কনানা ওইগদগে ।। কম্নিবু কমদৌনা থেমথোকশিবা উম কনাবু লৈতবা অচিকপা লৈফম অমা লৈয়েংহুনা ঐ চৎপা ভারে, লৈফম অহুদা ইপা ইচাদা পাওশানহুনা থেমথোক্তুনা লৈথম্নবা থোপ্পদবা যাদে, থৌবম পুম্নদি পারি ইপা অরিবা লাইমিংথোই মহাক্তুনা নোংদম থৌগৌগদবা মহাক্নি ।। নিংশিংলক্তুনা কনাবু থংহন্দনা কংলৈ পুংমাই য়োন্দগী থাপাংনা অচিকপা লম্ন লৈখিবা লৈকুমথ্রে ।X

মৈতৈভু নোংদলাই—নবধৌ পাথংবা কোঞ্জম্মু থোকপনা লৈকনবিরম্বা মরু অতিয়া শিদবনা মনাক্তা লৈরম্বদগী হেক মাংথিহুনা উদবা অহুদা হীঃ করিবু তৌরবনো ? মকম্মা ঐবু থাদোকশিহুনা চৎখিবা অসিবু ঐগী অয়োনবা চৎলম্না হকমন্দুনা অৱাবা লৈফম অসিনা লৈকনবিরম্মগা

হৌদোকপিরম্মবোইরে কমদৌশিবা ।। মরুবু কদাইয়ৌনা লোংঙমগ্রবনো রাখন্দুনা মাইগৈ ৪ জংদাই ৪ বু তুনা কোইনা য়েংতুনা লৈথিরে ।। করিনো মরুনা তাংজ লুক্লা মুংশুক মুংবংনতুনা খোজাপ নহাইরু ইপোম হৌদনা মপুক অরাবা রাখন্না স্না হকচাংবু থুমহৎনখিবগুম খা মাইগৈদা কুমথরিবা অশিবু, অসিদি ঐনা মাইগৈ নাকোই অমারোমদা মরুগী মাংথানবা লৈকুমথগ্রগ। হনগুমক্লনা মরুগী মাংদা লৈথক্তুনা পুরুম লৈপাইনা লোথামহৌদ্রবদি মরুবু লৈহল্লক্তবা তাঙমদোরি, অহুদি লম্বী অমরোমদা লৈফাক্তুনা চথবা তারে রাখন্দুনা চথখরে ।। খোংলোতোন লোথিবা স্না কোজক্তথোকপনা নাকোই অমরোমদা চথখিতুনা মরুগী মাং থানবা লমদম থরদং চথরগা অমুক অরাংপাংনা হাইগংলক্তুন অতিয়া সিদবগী মমাংদা মপা কোঙ্গন তুথোক্লা মালেম থক্তা কোংয়াং চৈগুম লৈক্তুন। মরুনা লৈকুমকপা য়াংলোবু লৈথক্তুনা লৈঙম্লে ।। মরু অতিয়া শিদবনা লাইমিংথোই মচানা লৈরোক্তুনা লৈখিবগী অহাবা রাখন মুংশি মুংঙোনবনা মরুগী স্না হকচাংবু থুমহক্তুনা তাংকলুক্লা খোজাপ নাহুইবু থাংগুমদ মপুক রাখনবু লৈতক্লা লমদম বদাইদা থেংনৌনা পারি সনাহন লাইমিংথোইবু থাকৌশিবনো রাখন্না খোজমলকপদা লম্মথাংদা মপা কোজক্তথোক্লা। লৈথংলম্বা উবদা চীঃ মশিদে কমদৌশিবনো মাগী কাম্নবগী মরমদা চিরোন চিলহাইনবা থোপুনদি হৈশিংদৌরিদা রাখন্দুনা মচাবু চিংনা য়েংতুনা হাইযে ।। চিরোল চলহাই হৈশিংবা পাথংবা নংদি লৈফম অসিদা কাদৌরিবা হৌগংলু ঐ চংকে ।। পাথংবনা মালেমদা য়াহিপ শংনা লৈপাইরম্বদগী থু লৈদা লৈনম্মা থুবাং চেপ্পা লেংম্মা হাইজেয়ে ।। মরু নচাবু থাদোকপীগম্ম তুংইন থোগন ওইজগে ।। কোংলোতোন নংয়াওনা চংপা য়াব নখৌ নওম্ব নক্তে নংবু চংবা য়াব থোঙমলক্তে ।। মরু কুপি নোংদম্বীও নচাবু মরুনা লৈথাবিরগা নচাবু কনানা শিক্লাক নোংদম্বীতুনা লৈঙাক লৈকন নোংদম্বীগদগে ? লুতুঙ্গী পবম্ব লৈখংজদবা বারক খোকাওবু থৌলিন্দবা মীংক মঙম নাইদবা নচানি কুবিনোংদম্মা লৈকাইবা থোপুনখিবা অয়োন চংলম শিক্লামখিদবু লৈঙাক লৈকম্নবিও নচাগী কনা লৈজদে ।। কোংলোতোম নঙ্গীমমক নপা ঐবু চংপনি নংবু বুবি লোনম ওম্বীনবা নয়াম্বনু থেমথোক্লগে চংলিবনি, নংবু শেম্বী শাথিনবা থুঙ্গাও লোচাওনাব লৈপান্নবা নংবু নোংদমগদবাদ লাইমিংথোই নয়াম্বনা নোংদমগদবনি নপা ঐনা নোংদম্বা ওম্বা ইথৌ ইওম নওে ।। কোরৌ আসদগী নয়াম্ববু থোক ওদনা লৈথংজৌ, নংদি থৌরম অশিদা য়াওবা মঙ্গরাই নপা ঐনা থেম্নৌখিগে, নয়াম্বনা থাকৌনবিরকপবু জাইতুনা লৈকম অসিদা লৈওমজৌ ।। নঙ্গী চংলম লৌজনবা নঙ্গী কান্না পৌরমদা চিরোল পাওশা হৈশিংবশে লুতুংফাওবা লৈখংনবা নমিংবু (চিরোন পাওশা হৌশংবা) কৌম্না লৈফম অসিদা লৈবমথো, লৈফম অসিম্না (শমুলৈথং লোথামফম) মিংহুন্না লৈথংনহৌরশনু লৈংহৌরা নোংদমলগা অতিয়া মরু শিদবা লৈকম অতুদগী অমুক চথখরে । X (পাথংবা চিরোন চিহাইরা—শামুরৌ) হাইখ্রে ।। X

(লৈশিরেন্না মরুবু লৈথিবা ৱারম)

লৈশিরেন লৈপুনথিনা লৈয়েংবদা চৌলম্মাইকবা কাংলৈপুংইয়োন্দা অতিয়ামক শিজববু উবা ফংজবদা মরুবু কলাইদা করি করা কদৌববু চংঙমখিবকো মাইগৈ শিন্না কোইনা লৈয়েংনা লৈথিরে ।। থা মাইগৈদা তাংজলুক্না মরুনা লৈকুম্ববু উঙমতুনা কদৌরম্বকো মকনা মপুক অরা মুংশিনাথম্না লাংতক্লবগুম খোংথাং লেংঙম শাঙমদ তাংজা লুক্না লৈকুম্নব্রিবা অসিবু চংঙম্নলমদাইদগু ঐম্বু লৈতাক লৈহৌববু নোংদমদে ।। ঐনা করিবু লাংজক্লতুনা মরুমা ঐবু তাথিবিরিবা. অতুদি ৱারম থংনবা ঐ মরুবু উনবা চত্তবা য়াদ্রে ৱাথন্দুনা কংলৈপুংদগী খাপাংনা খোঙ্গুমলক্তুনা মকবু তান্থ নরক্রে । লৈশিরেন্না মকবু তানফংনবা য়েংনা খোংদেক্টে হুনঙমলক্তুনা মরুবু তানফংগে হাইবগী মরুনা লৈকুম্নাখবগী ওইথম পাবদা শাথোক্লে ।। মরুবু তানফংগে নিংজতুনা শাথোকপা লৈফম্বু (মক তানফং লৈয়েং শাথোকপুং) থাকৌম্বে ।। লৈফম অতুদা লৈহৌরম্বা মশকপু (য়েংদৌ) মিংহল্লে, য়েংদৌপোকপী = নিংথৌ পোকপী শাথোকফম কৌরম্লে ।।x

অতিয়া শিদবনা লৈশিবেন্না শাথোকপবু উবতুনা পামেল অমগী মকমদা নারোং নাথেতুনা লৈশিরেন্না উদনবা অতিয়া মক চংঙমথ্রে । লৈশিরেন্না য়েংজবদা মকবু উরে, পামেল অতুদ মউরে. লৈশিরেন্না হাইয়ে—পামেন নঙী মন ক্লা চংঙমজগা মকপু নংনা কদাই লৈথম্লবা করম্না হাইনা নাথেতুনা মকবু চংঙমখিবনো পাঙশানা হবেম্মনা পাঙহংনৈ হাইতুনা পামেলগী মমিংবু (থৈবোং) মিংহল্লম্মি ।। অতিয়া মরু শিদববু উরম্বগী উখিদবদা লৈশিরেন অঙাওবীগী মতৌংম থাংশেং নমথাং কিশি লৈফাতুনা শতু যাঙ্গেনগী মবক্তা অকিতুজংবা লৈতনা মকমু মাই গ শিন্না চেন্দুনা লৈথিবে ।। লৈশিরেনগী হকচাংদা নাপী শিংবী হৌঙতুনা য়াংথক্না ঊথোং ক্রবা শিন্দুবনা হৌঙমলিবা নাপী শিংবিদা লৈতুনা পুক্তুনা লৈহৌবা মশকপু (ত) হাইনা মিংহল্লে ।। লৌশাবেনগী অম্বাবর উবদা অতিয়া শিদবা পামেন অমগী মথোংদা লৈচাংতুনা মরুগী সনা হকচাংবু লৈফম অতুদা লেংদনা লৈবঙম্না মরক মবক্তা উহন্দুনা পামেন অতুবু মকগী সনা হকচাং ওইনা উহনতুনা লৈশিরেনগী অম্বকবু কোবহন্না অতিয়া মরুনা মারোক্তুনা কোইনা লৈফম অচিকপবু লেথিনৈ ।। মকগী মশকপু উজবা তানফংবদা লৈশিরেন লেপুনবিনা ম্যাম্না হৈশিংনা মারোক্তুনা নাপী শিংবি হৌঙম্ববু লোংহন্দনা ইপোম নাশেংন থাংহন্দনা মরুনা লৈবা লৈফম্বু তানফংনবা লাকপদা ম-লেমদা হৌঙমজিবা মশক অতুনা ইবেম্মগী রাথনবু তেংবাক্লে হাইবগী হৈশিংনা লৈমাংতুনা শারেংদনা তেংবাংলক্রে, ইবেম্মগী অতুমুঙী লৈফম অতুদা হৌঙম্বা মশকপু (শিংনাং) মিংহল লৈতম্বী ।। লৈথিবদা নিংশা ইচুনবু হোহা লাওনা লৈহোম্ন লৈথিজেএ হাইতুনা ইবেম্মবু (অহোম্নু) লৈগুন্দুনা

অহোম শোরোৎপী শিনখোম্বী মিংছনখি ।। পামেল অচুগী মনাক্তা লৈথ্রবা ফাওবদা মরুগী রাখল্লা থ্রমহৎখিবনা পামেন অচুগী মখোংবু লৈকোন্দুনা পুরুম লৈপাইনৈ, পাওশাজগে তৌঙম্বদদি মরুদি নওৱে পামেন উরু ওইরম্মে ।। পামেল অচুগী অকোইবদদি মরুগী সনা হকচাঙ্গী মনম হুংশিবা হৈরাং লৈরাংতগী মনম্মা চুরবা মনম্ব নমহন্দুনা ইবেম্মগী থম্মোইবু খোইজং লৈতানহন্দুনা কৌহল্লি ।। অরা হুংশি হুংঙোম্না হাইজেএ. পামেল নংনা ঐবু করি অশুক হুংশি হুংঙোলহল্লিবা পামেল নংদি য়াইফংঙিদা মরুগী হকচাং মনম্ব নংনা করম্না তানকাংলিবা নঙ্গী মফমলাংদগীবু কয়াদা হৈনা চংথ্রবনো মরুনা পামেল নফমলাংবু তানফংবদা তানফংখিদ্রবা মরুগী সনা হকচাঙ্গী লৈনম হৈনম খোইজং খোইদজববু পামেন নংনা তানফংহল্লু ।। পামেন নংবু কৌরো ঙসিদগী (হৈনৌ) হাইনা মিংচনজগে নফমলাংদা মরুগী সনা হকচাঙ্গী মনম্ব তানফংহন্দুনা ঐগী হুংনাংবা রাখল্লা চাক্লবা থমোইবু নফমলাংদা ঐবু পোথাহন্দুনা কাইনা মৈচাকপু লৈমুংনা নফমলাংদা পোথাববু লুতুংনা থোকাওনদবা অচুগা পামেন নংঙোন্দা মরুগী হৈনম লৈনম্ব লৈথম লৈশিন্নরম্বদা মরুবু লৈফম অসিদা চংকনি. মফম অশিবু য়ৌনা চংকনি. লৈফম অসিদা হনঙমলকথিনি, হনঙমলক্লরোই তাল্লম্বরা. হাইরম্বরা মরম অচুতদি পামেন নংনা ঐবু থংহল্লু তাকপীয়ু হায়না পামেন হৈনৌদা পাওহং পাওশাচুনা মশম মনা ইফাফা খুদাং পীফম লানা কোইনা কোইনা যেংচুনা লৈঙম্মি ।। লৈশিরেন রাখনবু উবদা মরুশু রারে কমদৌশিবা পারি সনাহন লাইমিংথোইশিদি তাংঙম্না শাফোংগ্রবা ইচানি কমদৌনা মফম কদাইদা থেন্নৌশিবা রাখল্লা লৈশিরেনগী মচৌগী লৈয়েংনা রাখন্দুনা লৈঙম্মি, লৈফম্ব অতাংবা = তাংঙল্লা ইচানি রাখনফম, তাংঙমপাৎ = তোংঙাপ ৎ থাবৌরে । X

অতিয়া মরুগা লৈশিরেনগা শায়োন শাথোক্লবা

অতিয়া মরুনা মচাগী রাথন খন্দুনা হুংশুক হুংজামহুনা পোথাচুনা কৈবু লৈশিরল্লা অমুক উঙম্নচুনা মরুগী লৈফম্ব তানফংগে হাইবগী মপুক খোইশাওবগা লোইননা খোঙাপ কল্লাও চুল্লা মরুবু তানফজে চংশিল্লক্লে । লৈশিরেন্না চংশিল্লকপা উবদা অতিয়া মরু শিদবনা (ওকশি থারাম্বী পুজলাইনৌতাবী লমগী খুন্ন) ওইনা শায়োন্দুনা পাইদুনা চংথ্রে ।। খোইশাওবগী মথক্তা অমুক্তা হেন্না খোইশাওরে লৈশিরেন, লাকচৈদা ঐবু হুপীচানি তৌঙমলীবোই মীগী অরাবাদি লৈথংদনা চংখিবা থঙনিদো ঐনদি করিবু তৌঙম্মোইদবা পাওশানা মাম্থিক থারাম্বী থরংথন্নু ওন্দুনা অরাক তম্না তাম্মরাক্ল ।। লৈশিরেনগী খোইশংনা লৈতান্নরকপা উবদা মরুবু অকিতুজুংনচুনা শহু য়াঙ্গেন মরক্তা পাইথচুনা নারোত্তুনা লৈঙম্মে ।। শহু য়াঙ্গেন মরক্তা হাইথরকলে ।।

মালেমদা লৈতাবা উবদা মরুবু লৈয়োংফম লৈতহুনা, লৈরাং মপান ঙৌনা শাংপা শাম্বী অমা ওইনা হৌহুনা লৈরে ।। খুদক অহুদা ইমা লৈশিরেনবু (কাইরৈ এনবী) ওইনা শাথোক্তুনা মালেম্বু মখোংনা হোত্তুনা মচীন্না তু— তুমা লৈচাইনা লৈখিবদা তানফংদরে, য়াঙমলক্তুনা মঙক থাঙ্গত্তুনা নোইবদা লৈরাং ওইনা হৌববু উরক্তুনা লৈখোংদা চংহুনা কুন্দুনা মচীন্না লৈখোংদা তুহুনা লৈঙম্মী হাইহুনা শিংঙম অহুগী মমিংবু (কুন্দোন অঙৌবা), তিলু লৈরাং লৈফম্নে মিংথুল্লে ।। লৈরাঙ্গী লৈখোংদা কুন্দুনা লৈশংনা মরৈরবদা মরুমা ঐবু কমদৌশিবা রাখল্লা লৈরম্বদগী রাখল অমা থোপুরে ।। নোংখৌ পাংবদগী অমম্বা লৈচিন্না মাইগৈ মরিবু মালেম পক্লা লৈশিন্না কুপ্তুনা মমহন্নগা অমম্বগী মরক্তা শাথোকখিহুনা শহু য়াঙেন মরক্তা অমুক হন্না চংখিহুনা মালেমদা কুন্দুনা লোত্তুনা লৈঙমখ্রে ।। কাইরৈ এন অহুনা মরুবু লৈ হাইবগী লৈরাং কুন্দোন অহুগী মখোংদা কুন্দুনা লৈজবদে মপুক রাখল তয়া তশোইরব্রে ।। ঐবু কদৌরংনো র খঙ্কত্তুনা লৈরাংবু হন্না হন্না য়েংলকপদদি মরুবু মফম অহুদা লৈঙমলমদ্রে ।। মরুদি লৈতে চংথ্রেনা কদাই অমুক য়ৌ-থ্রবনো করি মুংবু মকনা ঐবু অশুক হক্লা শাওবনো হাইনা অমুক কোইনা থিরবে । মাইগৈ মরি শুংদাই মরি লৈফানা য়েংহুনা লেয়েংবদা উবন্তু ফংদে থিবন্তু লৈখংদরে ।। মপুক রাখল অল্লা মুংশিবগা লোইননা পাংমন অমদা ঙাহুনা নোংকারৌবু লৈচপ্লা বোইনা মকবু লেয়েং লৈখিবদা লৈখ্রদরে । ইবেম্মনা নমঙ্গা ওইনা লৈফম অহুদা নোংকোরৌ অমা অল্লা রাখলবু লেং-তক্লা খন্দুনা লৈঙশি অহু মুঙ্গী পামেল অহুবু (নোংলৈশং = নোংনাংকোরি) মিংথুল্লে । লৈশিন্না করিবু কমদৌন লৈখিবগা তাংযঙবা অথাক্লদন্তু উঙমজে, কদাইদবু লৈরিগবা রাখল্লা তাংজ লুক-থরক্তুনা ইবেম্মনা লৈজবিবা মনাক অকোইবদা কোইনা হন্থনা য়েংজবদা লৈঙশিবা মফম অহু-দগী ইবেম্মগী মাং ওইন লমঙম থগাই লাপ্পা শহু মরক্তা কাওরেন কুন্দুনা লৈনহন্না কুন্দুনা লৈরম্মে ।। লৈঙম্মা লৈফম্বু (তুপাকপী) কৌরে ।। ইবেম্মনা মকবু য়েংঙমজে । মরুনা খোত-শাওবা মিংয়েংনা য়েংহুনা লৈরম্মি ।। মরুগী রাখলবু উবদা লৈশিরেম্মা মোলুক্লা লৈচংজহুনা থামোইমুঙ্গী মুংশি মুংঙানগী খ্বাংজিনা মরুনা খোইজং খোইদাবিনবা পাওশাগী হুন্নলাংবু তন্দুনা মরুবু অউপ লাংনা উপ্পগুম থেম লৌনা লৈচংলক্তুনা খুংগল কোঙ্গাই লৈশানা মরুগী মখোংদা লৈশোক্লা লৈচংজে ।। মক্বু (উনপুং) হাইএ । লৈশিরেনগী অল্লাবু উবদা মরুবু শাংশগে শাওঙমদ খোইশাওই হাইশি হাইঙমদ, তিল্লাংবু খোইদাইদ হাইশি হাইঙমদ মরুগা খুংশা পাম্নোম ২ না ইল্লাংমদা লৈথম্নহুনা কেনা নৌনা পাওশানহুনা তিলুক লুতিন ফম্বাকহুনা অনিমক্লা লিতিন কম্বাল লাংববু ঙক্লা লাইয়েকপু লৈথমহুনা লৈযম্বু (কেঙ লমহাই হাইরে ।। মরুনা খুংনা শৌখিবা লৈকম্বু খংজরবদি নিংবা খিবিক তানফংনৈদো মৈতৈঙ্গু নোংদালাই লৈফম অহুনা মালেম অঙানবগী মঙম্না লৌরিডৈদা কোরৌ নোংথৌথঙ্গা (থল্লাইপিচা নিংদবনু উঙম-গনি ।। মশক্তি (লকোইগী মওংগুম্না) উগান ।। অচান চান্দা অনিগী পুংনি ।। থুম্নু অঙোরা

পু ১, শ্না তাঙ্গা লুপা তাঙ্গা, ক্বিরোই নমথাং নমশা শুনা থাত্নুনা হৈফাং ওমপোৎ মোনখাং চাহাওনা অনৈ চাজালাংজৌও ফংবনি খংঙু ।।x

লৈতৈঙু, মতৌ অশুম্না ভাইহাক লৈঙন্নবদগী মরুবু মচা লাইমিংথোইবু কাইনা মৈশা মুংশি মুংঙোম্নববু নিংশিংত্নুনা লৈওম্মা ওমদরে ।। ঐনা কব্রি করম তৌরগা পারি ইচাবু উনবা ফঙ্গবা লৈখনবা, মচাবু উননিংবনা মরুবু লৈফম অমদা চথোক্নুনা হাইনা হুম্না থোইরাংনা খাংত্নুনা লৈওম্মে ।। লৈফম্ন মরুনা অরা বাখন্না থুমহৎখিত্নুনা ম্না হুকচাংবু ভানা শানা ওলাংখোইশাওনা খাংনখিএ হাইবগী লৈফম্ন (ভাংলো) থাকৌনা লৈখম্মে ।। মরুগী অরাববু উত্নুনা লৈশিরবন লৈপুনবীগী থেম্বা চম্নুনা মরুবু থেমনৌনা লৈফম অতুদগী লৈফম অমদা পুথোক্নুনা লৈফম অমদা তিলুফম্মাল লাংমিন্নত্নুনা মপারি লাইমিংথোইবু কাইনখিবা পবম্ন নিংশিংন্দুনা মচাবু থাকৌনবা রাংহৌনৈ ।। লৈফম্নু মহৌ ফাইবোকচৌং থাকৌরে ।।x

লৈশিরেন্না লচাবু থাকৌবা

মরুগী অরাবা উবদা লৈশিরেন্না হাইজেএ ।। নোংদম থৌদাবু থৌওম পরম্ন লৈশিনবা মরু শ্না পুক্রিংদা অশুক ভাওন মুমওম্না অরা মৈশা লাংওম্না খাংলম্মিবা অনা হুংশি করিবু তানফংত্নুনা খানফংনরিবনো? থেম্ন চম্নু পোংকম পোংখাংনবী ঐনা নোংচম্নগী থৌদাবু থৌওম্নবা থৌশিনবদি নপারি লাইমিংথোইবু লৈরম্নদগী থৌশিনজবা ওমজবনি তাংওম্না শাথোক শাফোংনখিবা নচাবু ঐনা বাখন থেনগিবনা পারি ইচাবু মপুক খোইশাওনখিবনা কোম্রৌ থক্তা নারোং লৈথুম্না লৈওমখরে, পারি ইচাবু থেমথোক্তুবদি থৌওম থৌপুনবা লৈওমদরে, নোংদম্নগী থৌদাবু থৌওম্নবা থৌশিনগদবদি ফেংদাম মবিশু লৈয়াং লৈখম্নদরি থোপুনবদি খোইযুম কমানশু থৌওম্নোইজৌরি তাংওম্না ইচা নত্নুনদি, রাহৈ করি করা বমদোনা পাওশারগা পারি লাইমিংথোই নচাবু থেম্নৌ থেমথোকপা য়াগবা বাখন্না ভারৌ থুমওনবনি, পারি নচা লাইমিংথোইদি তাংওম্না শাথোকরকপা মতিক মঙানবু লৈহকপা মহাওগী মহাক ওইরিবা নং ঐগী ইশক্তা তিলু ইঙান লৈতিন্না শাফোংবা খোইযুম নং ঐবু পুরিবা নচানি ইবেম্মা ।। পাওশানবা লৈফম্ন (তাংপাং) হাইরে ।।x

থেম্না চম্নু—লৈশিরেন্না হাইএ, নোংদম্না পরম অতুক্নীদমক্তী অরাবা মৈশা লাংবিরম্নু পারি ইচাবু মমা ঐনা থেমথোকনওমগে, পারি ইচানা লৈফম থুদিংবু লৈকোই লৈচংবিত্নুনা তেংবানবা মপুগী মতিক মঙানবু লৈথংদনা লৈওম্নম্না খোইযুমশিংবু লৈখংনবা পাওশা পাংদাকপীওম্নবু থৌ-

রোইহুনা হনঙমলক্লগা মমা ঐবুশু পাওদাক্লমদন। করিহুংবু মপুক অশুক থোইশাওনা তাথি লাওইনা লোৎপনো, পারি ইচাদি লৈমুৎ লৈমাংবা য়াবা মশক্তি নত্তনা মচাদি মমানা কৌবদা শোইদনা লাকদবনি, মমা ঐনা কৌজগে হাইনা মচানা লৈরমকদম্বা লৈফম্ব, কদাইদা লৈরমগবা লৈথি লৈয়েনরক্লে ।। মাইগৈ মরি চিন্না মরিবু কারন থানা য়েংবদা উবা ফংঙমদহুনা নোংথৌ পাংনা লৈথিরকপদা (থ, ক, ন, গ, র, ম, হ, শ) লাইয়েক ৮ না নাওয়োমহুনা লোইদাম থাদা তিলু ফম্বাল লাংহুনা লোত্তুনা লৈবা উরে ।। মচা লাইমিংথোইগী মত্তিক মঙম্ব, উবদা খেম্বা চন্নু পোংথাংনবী মমনা মিংম্নাইরা চেন মশম মন কোইফানা, খুদাং পীফম লাংঙম্না মালেমদা ওঙোইনা নুংশি নুংঙোম্না মচাবু থাকৌনরক্লে পারি শ্নাহল লাইমিংথোই, নোংদম থৌদা থৌশিনবা নপা মকবু লৈফম অসিদা লাকঙমনহুনা পারি ইচানা ফমলেন লুচিং ফম্বালবু ফম্বান শিংকক লাইরোহ চৈশিং লৈশুনা তাংথেং পাক্লা শাংনা তানফং পরম্ব, নোংদমগে অহুম্নুগী লাকঙমনি, করিহুংবু লৈরোং লৈফমজিবনো ? পারি লাইমিংথোইবা পলেম নমা ঐগী ইনক্তো হনঙমককথো ।। লাইমিংথোইনা তানা তানা পা ওখুমদে থোরঙমলরোই নাথন্দুনা । থৌরম্বু উবদা খেম্বা চন্নু মমানা মাইগৈ থদেন বৌঞ ।। পারি লাইমিংথোই অশিবা, পম্বৌ নপানা শাথোক শাফোংলকপগা নোংদম থৌদানা লৈহানখিবনা নমা এনা যেবা থক্লা পারি ইচাবু নাওকোন্না লাইনক থীবী নমানা খোমলাঙ্গী খোমজিনব ইন্দুনা পারি ইচাগী মাইথোং নিংথিবা খোন্দানখোইমুনা জান্নরিববু মিংলাং থন্না য়েংজহুনা নমা ঐগী খোমলাংবু হাজবু তানফংজদ্রিবী নমানি ।। পারি মংবু হনঙমলবখো নোংদমথীবী নমানা পারি ইচাগী কাংলোং লৈথন্না নমা ঐগী খোমলাংবু নৌহৌননা হনক্তখিগ ইমাগী যেরাদা যম্বান্না নমা ঐগী খোমলাংবু তন্নুত্তা থাবোং হঃ। থক্লগা মালেম লৈমাইদগীবু নোংথৌ লৈফম লৈথংনা শ্নাগী কৈরাক থাডনানা, কৈরা খুদং লৈনেংনা মলেম থোদা কুমলক্লো ইমা খোমলাং ইনাখগ পারি লাইমিংথোই হল্লবখো। পলেম মমানা শঙাম তোইনা থাকৌবা মিংশ্না ইরাচেন, খুদাং পিকমলাং নুংশি নুংঙোম্না থেমজৌরকপদা লাইমিংথোইবু পাওখুমদনা নারোক্লুনা থাংঙম লৈঙমলক্লহুনা হাইরক্লে। হাদা পলেম, ইমানা খোমলাং থক রো নচা ঐবু থাকৌবিবদা থোকমজরোই পাওখুমহিদ্রবা নচানি, নচাগী লাংঙন খুদিংদা ইমাগী খোমলাং থকত্ররোই পলেম মমাবু থৌখদ্রবা নচানি ইমানা থাকৌবিবর নচানা পাওখুমলবদি ।। নোংদম থৌদাবু থৌশিনবা মক শলাইলেন শিদবগী থৌশিন নোংদম্ব, কাইঙমলনি, মরুগী থৌশিনবু কাংদনবা ইশানৌ কোন্দে তনৌবনা থৌঙম থৌপুক্তনবা নচা ঐবু মালম লৈথাঙরোই তাথি নাওইবা তৌবিরম্নু ।। মপোক লাংওন অমদা পলেমগী নাক্লা লৈজহুনা ইমাগী থৌগনবু তানফংজনা পলেমগী নাক্লা লৈজববু কবি নোংদম্ব, ফিগাও শানা নফমলাংদা নিজরি পলেম্ব, মিংশ্না ইবা চেনবিরম্নু ।। লাইমিংথোইগী পাওশা তাবদা অতিয়া মরু শিদবনা হাই, পারি শনাহল লাইমিংথোই নপ ঐনা ইচাগী মঙম্ব, শাম্নবা নপা ঐবু পাওশাবদি থৌঙম থৌপুনখিদেনা, করি হুংবু নপা ঐবু পারি

নংঙোন্দা পাওদাক পাওশানঙম্মি নশানৌ কোঙ্গন তুথোকপনা পাওদম পাওশা হানবদগী নপাগী খুদাবু তানফংথিবনি ।। ইচাগী নতিকনডম্বু চাইখাইবদি নতিক নওম্নদি হকপনিনা নপা ঐনগু পাম্মি নংননি লৈখংহৌদবনা পাম্মি ইচানা তেংবানবগী য়াইফংনবা লৈথোন চীংবা পনশারুবা হৌদম্মাহনবা কংলৈ শ্মা পুংমাইয়োনবু লৈমূং লৈমাংবনা লৈহানগ্রান হাইবগী লৈকম্নবা থৌপুবদা পাম্মি ইচাবু ওইরম্বনা করিম্নুংবু শাওবনো পাম্মি নংবু থাকৌবা নপা ঐবু লাকওম্বান নপা ঐদি কদৌদে ।। লাইমিংথোইনা হাইএ-- মরুনা তাকপীবা নয়াথংবু থৌপুনা লৈকোইনা পাওশাবা চংঙমজবনি পরম্বু থংঙম্নমত্রা হংবদা নাওবা ওইবনা লৈথংদে, য়াম্বনা পাওশাবা মতমদা ননাওবু লৈখংবা পরম্বু তানফংজগে পাংখুমদুনা লৈকোইরুশি য়াঙমদনা লৈহৌবা ইনাওনি করি বরাবু কমদৌনা ইশানৌনা লৈফংনতুনা মরুদা পাওদম্নম্বনো ? মাদি খংদে হাইহৌবদা করিগী লৌনম্বা বাবু থৌহৌবনো, মম্নুং মতম অশিদা পাওশা অশুম্নবদি থোইয়ুম লাইগী মরাম্ব মতিক মওম্বু শাম্নবা থৌওম থৌহৌনবা ।। পাবি লাইমিংথোই মাহল লাইগী রাব মতিক মওম্বু শাম্নবা লৌনম্বা রাবু থৌহৌদে ননাওবু তাথিবিগম্নু পাম্মি নংনা কুবি নোংদম্না নাকোনবিনি পরম্বু খংজদবা নওনি ।। মরু খংদবা ইনাওনা লৈখংদবা পাওশাবু করি হাইনা পাম্নদ্বা ? লাইমিংথোই পরম থৌরম্বু লৈখ জনিংদুনা ননাওনা মিংশ্মা ইবা ইহৌ ইচেম্না অহনগী মনাত্তা কৈচংঙদুনা রাহং পাওহনা লৈথ লৈহংজবদগী পরম অচুব অহনাশিংনা লৈতাক পাওশাবিবদগী কোন্দ নৌনা লৈহৌবা ননংনো লৈখংনবা তানফংনদুনা নপা ঐদা পাওদম্বদগী নাপা ঐনা অরাংপা হৈক অমবু লৈহাপ্পুনা হৌ কংলে কাম্ম হনগী শলাইয়োন হচিংবা পিংগী শ্মা ফম্বানবু নপা ঐনা শিন্নথিবনি ।। মতম অসিদা অহন কনানা লৈনংসমদুনা পত্তশাবা অহন কানাবু ওইরিগবা য়াইফংতানফংনা শাথোক শাফোংব, অতাংবা তাংঙম শাংঙন শাথোরিদা ।। পাম্মি সনাহম লাইমিংথোই পরম অচুব লেখংবা হহন কনাবু লৈগদগে, পালেম নমা শিনাই ফমথোন , লৈপুবী পোংখাংবী কেম্বা চনু লৈশিরেন অমানা পাওশা পাওদাকপীবনি ।। পাওশাবু তাবদা লাইমিংথোই অশাও লুতোন বাখাও এনা মরুগী খুদা লৈশজবা তানফংগদবরু য়ৈখাইবদি ইমানা থৌপুনবিরগা লৌনম্বা বাহৈ বয়ানা পাওশাদুনা ঐগী রাখনবু মমা মপা মচিন মনাও কইনা মৈশাবু নৌহোমনা এবু অমুক রাহনবা এনা অয়োন চংলম্বু করি থৌপুরমদুনা করিগী ইমানা ঐবু লংনবা মাগুং চংলম থৌতৌগে, মচা পোক্লে হাইরগা অচান মিরাই লৈখাংবা চংলম্বু থৌহৌবা মশকপু মতম অসিদগীবু থৌহৌরবদি লুতুংদ চংলম্ব, করি থোক্কদগে চংলম আসগুম্বা থৌপুনা মশকপু তৌকংদৈ লম্মা হনবদা লৈথরম্বা হৌনদে রাখন্দুনা অশাও লুতোন কানা লাওদুনা মখুৎশু থাংলেন চুমথাং পাই কৌবা লাইমিংনা (উতুং তিংবা হোহুক হিক হিক) কৌবনু থুৎপাই চেংনা পাইদুনা নোংবৌদগী মালেমদা চোংথারক্লে ।।X

মচাগী মঙন অশাওবদগী লৈশিরেন লৈপুনবীনু মাংখিবা তারে হাইদুনা অতিয়া মরু শিদদনা

মচানা মাল্লেমদা হেক তাবগা চোংশিন্দুনা লাইমিংথোইবু কোন্দুনা পাম্রি লাইমিংথোই করিবু তুঙ্গী পাইমা নরিনজেন অতুক হক্লা থানা শাওবনো লৌথাম্লে ।। মরুনা থাগোন লৈকাবদা লাই-মিংথোবু শাওঙম্বা রাথনবু মাংখিহনা হীঃ করি মত্তৌনো ঐদে ইমাবু মাংহন্নবা থৌহৌরুবা ঐবু কদাইদা কমদৌনা লংঙ্গবা ঐগী ইরানবু কনাদা কমদৌনা ঐ মাংলে, রাথন্দুনা মালেমদা ওস্তোইনা ঙাওন থ্ মওম্না লৈঙম্লে ।। লাইমিংথোইগী অরাবা রাথনবু উহনা পারি লাইমিংথোই ইচাগী করি মরান লাইমিংথোই ইচাবা মমা হাইবা মশক লৈঙম্নগদববু মতিক মঙম্, শামগ্রনি রাথন-বিহনা ইমা হাইবা মশক্কী মঙম্ লৈহক্লা মালেমদগী কোরেীথক্তা লৈথাঙত্তু্না লৈথম্বীগে থৌহৌ-বদো নপা ঐনা লৈখ্ইই, পারি লাইমিংথোই হৌগৎলো নপা ঐনা নোংদমগে ।। ফৈদোম মরি লাকওম্লকদববু লৈথুংনা ফালম পুম্বা কাইদনবা পারি নংদি থৌরম পুম্ববু থৌহৌগদবা অয়োন অরাম্না লেচং লৈথ্ংদবা পারি নংনিদো ।। অথংবনা থংদশানা পরম অমুক অমুক থৌপুরকপা অসিদা নপা ঐবু রাঙমলে, লৈথংদবদা শিন্তাকপদি রাঙমদেদো অথংবা পারি নঙ্গী লৈফমদা নপা ঐনা করিব করম হাইনা পাওশাশিবনো অতুবু পরম থরদং পাংশামিন্নবা ওইঙম্না নপা ঐনা নোংদম্বু ওইঙম্না নৌহৌননা শিংথগে পারি নংদি অফবা যত্তুনা থৌম্লেদনা হৌহৌনা লৈথম্বীগদ-বশু নহাক্লি ।। থোইযুম পুম্নগী মথক্তা রায়েন থৌদগদবশু নহাক্লি, অচুম অবান থৌযেংগদবশু-নহাক্লি ।। শংলেন থুদিংদা রায়েন লৈফমগদবশু নহাক্লি । শংলেন লৈফম থুদিংদা শিঙ্ংনা মশক পুম্বগা লোইনগদবশু নহাক্লি ।। অশাং অপোক নোংদমগদবশু নহাক্লি ।। থোরারম হুম্নরম্ শিস্তাকা থৌপ্গদবশু নহাক্লি ।। পারি নঙ্গী নম্বিংব নপা ঐনা বৌরৌ অসিদগী (থাবা লাইমিংথোই) থাবৌরগে ।। কোবৌ অসিগী মুচিঙ্তা পারি ইচানা কোরৌ মোংথৌদগী মালেম লৈকুম্নবা শাথোক থৌপুনববু লংজবা অয়োনবা চংলম্লী পারি ইচানা রাথম্লিবদা লৈকাক্লবা অয়োনবা লৈরম্মবশু লৈকাক্লবা ফৈদোম মরি লৈচংবগী লৈমুংদা যুম থুদিঙ্গী শস্তোং লৈফমহনা পলেম নমানা লপলেন কাজাও যানা যম্বান্দুনা লৈঙম্নশম্নু নপা ঐনা পারি ইচাগী নমাংদা লৈফম ফম্বাল লাংঙম্না লৈ-ঙমগে, পারি নংনা তাইবং পুম্ববু লাংবন কাওরেন শেনবওম পোনশেনবিয়ু । মতম অতুদা শা-থোক্লবা অমাইবনা পলেম নমাবু ফম্বা লৈফম থৌপুনা রাহে কারন থৌপুনা নকাহুংদা লৈপাই লৈচংনরবা অমাই মশক অতুনা পারি ইচানা পলেম নমাবু লৈমাং লৈমুং নহনগে থৌপু থৌ-হৌবগী লাংজবদো অমাইবা মানা তানফংনবা ওইরশানু, পাওশানা মকনা মচাবু মালেমদগী কোনথংলে । X

রাঙ্গোই লাইকোল লৈথম্বা, পাম্রংবগী লৈফম তম্বিবা

অতিয়া শিদবগা লাইমিংথোই থাবগা তিলু ফম্বাল্লবদা পলেম লৈশিরেন লৈপুনবীনা মরক্তা

শকয়েংনবা মিংশেলগুম্না গুাম্না থোইনা ফম্বাল লাংকল্লে, লৈফম ঙাক্কম্বু (থাবা ফমলেন মখোংচুক অহুম) কৌরে ।। মঙাং লুরাং, খুমন মরুগী ফমলেন অহুম কৌএ ।। শথুম্বু △ ফম্বী লৈওংনি ।। লৈফম্বু কোরৌ নোংথৌ অব্রাংবদগী চোংথৈ (রাঙ্গো) হাইরে ।। অতিয়া মরু শিদবনা হাই, "পাম্বি খাঁবা লৈফম অসিবু নপা ঐবু খোইজং থোইদনবেদ, অদুবু পাম্বি ইচানা লাইখোং তিনখোং লৈথি লৈয়েংনদুনা খাখোং, মরোং খোং লাইখোং অহুম্ব লৈয়াংনা চীংগু খুবম্ব লৈথল্লা (তেন) ওইমা লোশমদুনা লৈংমনবদি ইপুক রাখনবু তানথোং তামকনবাদিদ ।। নোংদম ময়া-থংবু থৌওম থৌপুজগনি নচামা সনা মিংয়েং তাবিও ।। লাইমিংথোই খাবনা ফম্বাল্লাংদগী হৌ-গত্তুনা য়েংথংবা খুৎপু তিংথোক্লকপদা (ট) লাইয়েক অমা শাখোকুনা খুবাক ময়াইদা লৈভমলয়ে ।। লাইয়েকপু লাইমিংথোইনা ববি ওইশিবা রাংল্লাক্ল ।। সনা মিংফম্বু লৈহোংদনা য়েংবদা লাই-মিংথোই খাবগী মখুৎশু ওইনা (টা) হাইবা মশকপু ওইভমদুনা মশিদি ঐগী ইখুৎফা খুৎলাই অমা ওইয়ু নোংশ্বনা পীভমলীবোইনা থেনবু শেম্বদা ইখুৎশু ওইনা পাইদুনা লাইখাং তিনখোং লৈথিনৌ নোংদম্বনিনা । অদুব মশনি লৈরে লাইমিংদি খংদে করিব হাইদুনা খুৎশুশিব পাইগবা রাখল্লা মপুক রাখন ভকচানদুনা কেপ্পুনা লৈ ।। রখনব মরুন খংদুন পাম্বি খাবা লাইমিংথোইবা নংনা পাহৃবিবা মশক্তো পাম্বি মঙ্গী নমিংবু কোরৌ অসিদগী মিংহুনখিবা লাইয়েকা নখুবাক্তা শাখোকপা লাইয়েক্কা লাইয়েক অনিবু লিরৌনা মিংহুনগদবা (খংশুটা) হাইবা অতানি, মেকুবা লাইয়েক্কা ওম তিং লাইয়েক যাবনি নখুৎফা নোংদম্বনা পীবনে ।। নোংদম্বু তান্নফংনদা লাইমিংথোইনা থৌশৌর । X

থেন শেম্বা লাইমিংথোই খাবনা মাংলোমদা খোংফম ও চোংশিন্দুনা মক অনিবু পুকম্মি ।। য়েং থম্বা খোংবু চাংদাক্তুনা খোঙ্গাও ও লক কাওদুনা চিংথৈ পাংনা চিরাদা তাভশু । খোং ও লক থিন থিন্দুনা য়েংকী খোংনা ও লক চেংংলে ।। ওই থম্বা খোংনা হৌদুনা • লক অমুক খোং-থিল্লক্লে ।। ওইথম্বা খোংনা মালেমদা ও লক অমুক লৈহোংলে ।। য়েং থম্বা খোংনা শেংলে ।। ওই থম্বনা অমুক শেংলে ।। য়েংলোমদা লৈশল্লক্তুনা মাইগৈ ন্দা কারন শানা লাইফম তিনফম্বু লৈয়েংলে ।। য়েং থম্বা খোংনা ও লক থিন্দুনা থিল্লম লাইরম্বু লৈথংলি । ওইথম্বশু ও লক থিন্দুনা লৈথংলে ।। খোংথিন্দুনা টাদোন্না অনিবক মালেমদা থিন্দুন লাইফম্বু যাংলে ।। য়েংলমদা লৈশল্লক্তুনা খোঙ্গাও ও লক কাওদুনা চিরা অমদা অমুক তারে ।। লৈহোংবদা শাখিবা খোংফম্বু কাইহন্দনা লৈশানা লৈথংলে ।। য়েংলমদা লৈশল্লক্তুনা চিরা অমদা লৈথুংলে, হাম্নগুম্না লৈশা লৈথেমলে ।। য়েংলম লৈশিল্লক্তুনা চিরা অমদা অমুক লৈথুংলে, হাম্নগুম্না খোঙ্গাও খোংহোত্তুনা খোংশেত্তুনা লৈশা লৈথয়ে ।। মহুদগী খোঙ্গও ও লক কাওদুনা ময়াই শুমদোংদা লৈচংলক্তুনা মরুবু পুকম থাগোম্না থেনবু শেম্বা লোইজরে পাওদায়ে ।। X

খুঙ্গাও লৈচাওনবা থৌগু খ্রোশারোন

পারি লাইমিংথোই খাবা ঙিনথোং লাইখোং লৈথি লেয়েংনা চিংগু খুবম্বু লৈয়াং লৈথ-খীহনা থেন শেম্বদি লোইবিরে অহুবু খুঙ্গাওনবা লৈচাওনবদি থোংচং খোংথিন থোংহাইনবিদব-শিবু নপা ঐনা লৈকমজবদা লৈচাইববু ওইওমগত্রনে লাইমিংথোক ইপাবু শেম্বীবদি শেম্বীবা মরম অসিতদি ।। মরুগী কুথি নোংদম থৌদা নচানা থৌওম থৌপুজনি. নচানা রাখন থেনবনা লৈরোইবা পরম্বু লৈথংদবনা থৌরোই পরম্বু লৈরাংলমায়ে নোংদম থৌদাবু ঙাকওম্বা নয়াথংবু থৌরোইনবা থৌপুজরগে ।।X

লাইমিংথোই খাবনা থংগু টাবু য়েংকি শেগাদা চপ্তুনা খোংফম ৩ লক চোংশিল্লকুনা অতিয়া মরুবু লৈপাইনরম্মগা য়েংথম্বা খোংনা হাকদোক্তুনা ৩ লক হোত্তুন লৈথম্বু লেংদনা তারে। য়েং থম্বা খোং ৩ লক থীল্লে ।। য়েংথম্বা খোং অহুনা অমুক ৩ লক হোংলে ।। ওইথম্বা খোংনা ৩ লক থীল্লে, ৩ লক হোংলে ।। য়েং থম্বা খোংনা শেংলে ।। ওইথম্বনা অমুক শেংলে ।। মাহুগৈ ৪বু চোংহুনা অয়েং অখোং লৈথাই থিনগাইগদবা লৈফম কদাহ কদাইদা লৈবা, লাকওমগদবা লৈবা লৈয়েংলে ।। য়েং থম্বা খোংবু ৩ লক থীন্দুনা লাকওমগদবা তিল লাইবু থীংলে ঙাকথোক্লে ।। খোং ২ বু থীন্দুনা অয়েং লাইনা লৈরগদবা লৈফমদা টাদোম্মা ২ রক থীন্দুনা লৈচং লৈফম্মবা ওমদনবা লৈথিংলে ।।X

অহুদগী খোংলম পরম্মু কাইদনা হোংহুনা মাইগৈ ৪ চপ্তুনা লৈহৌখিবা খোংলম পথেংপু লৈরাক্তনা চোংহুনা শেক্তুনা থীন্দুনা খুঙ্গাও লৈচাওনবা লৈভাক্রম্নগা খোংহোং হোক্তুনা ময়াইদা ৩ লক চেনশিল্লকুনা তারয়ে ।। য়েংকি খোংনা থাঙ্গক্তুনা ৩ লক থীল্লে ।। ওইথম্বনা অমুক ৩ লক থীল্লগা থাংগুটাবু নাকন্দা য়েপ্তুনা মরু অনিবু লৈপাইদুনা পাওদমলে । X

মরুনা হাইএ, পারি লাইমিংথোইবা খুঙ্গাও লৈচাওরনি লৈফমগী মতিক মওম মথৌ ময়াই লৈহাম্নীরো ।। মরুগী নোংদম থৌদাগী তাবদা খাবা লাইমিংথোইবু টা নাকন্দা য়েপ্পা য়েপনা খোংফম ৩বু লৈ চোংশিন্দুনা মরুবু লৈনৈ ।। অমুক খোংফম অমগা চোংশিল্লকুনা তারে ।। তুং-লোমদা খোংকাপ ৩ বু হল্লে ।। খোং থীল্লি ।। খোং য়েং থম্বনা চুম্না ৩ লক হোংলে ।। ওইগী খোংনা থীনহুনা খোংদোম্মা ৩ লক হোংলে ।। য়েংলোমদা লৈশিল্লকুনা লৈনা খোঙ্গাও ৩ লক কাওথোক্লমলগা লুতুংলোমদা ৩ লক চোংহুনা লৈহল্লে ।। ওইরোমদা লৈশিল্লকুনা লৈনা খোঙ্গাও ৩লক

কাওথোক্লম্নগা লুতুংলোনদা ৩ লক চোংহুনা লৈহল্লে ।। ওইরোমদা লৈশিল্লক্কুনা ফৈনা খোঙাও বু হল্লে ।। য়েৎলোমদা লৈশিল্লক্কুনা তারে ।। য়েৎ খোংনা শেৎলে ।। অমুক ওইনা শেংলে ।। মাংলোমদা চোংশিন্দুনা লেপ্পুনা মাইগৈ ৪ বু কোইনা লময়েংঙ্কি ।। খোংথীল্লম্নগা তুংলোমদা খোং-হাই হাইহুনা লৈকোইরে ।। য়েৎথম্বা খোংনা লৈহৌনা খোংথীল ৩ লক থীন্দুনা মতিক মঙম্ব লৈ.ফাংলে। ওইনা হৌহুনা খোংথীল ৩ লক থীন্দুনা অমুকশু মতিক মঙান লৈফোংলে।। খোং-অমুক থীন্দুনা মাংলোদা থাংশু টানা ২ রক লৈথীল্লম্নগা খোং ২ বু লৈথুপ্পা মরু ২ বু পুক্কম থাংগাম্মা (অথৌ অঙম লৈগাম্মা) থৌরোইরে ।।

রাঙ্গোই থেনবু লৈপাবা লোইদুনা লাইমিংথোইনা লৈহনবা

লাইমিংথোইনা পুক্কম লৈপাইনা লৈচংলক্কুনা নোংদম থৌদাবু থৌঙম থৌশিনবা মকময়া-থংব থৌপুনা খেনবু শেম্বদি লোইজরে থেন অসিবু মমিং করিবু কৌগনবা ? পাদ্রি শ্রাহল খাবা খেন অসিদি পার ইচানা অনাংবা নোংখৌদগী লৈচোংথোরক্কুনা শেম্বা লৈফম্নি রাঙ্গোই থেবুং লৈংহনশি ।। মক লৈফমগী মমাংবু তানফংজরলনিনা লেশক লৈচু লৈথংনা নকাম্বুংদা লৈজল্লকগে সংঙে। ফম্বাল ওংবিম্বা চানা নখোং থাদা লৈলহল্লা শুক্কগে কুবি নোংদম্মা লৌবিনী ।। পাদ্রি শ্রাহল পাদ্রি ইচানা নপা ঐগীদমকপু নোংদম্মা লৈহনবা রাঙ্গোই থেনপু অসিদি নপা ঐনা খোইজং খাংদবা পলেম নমা পোংলম পোথাংনবী খেম্বা চম্ন লৈশিনবরুশু তিলাং খোইদমা কুংশি কুং-শি কুংশংনবিনা লৈফম্নি ।। নপা ঐনা লুচিংনা পলেম নমাগা তিলু থানা লৈফম্নগা কৌপৌ অসি-চনি থৌওনা পালি নংবু লৈফম অদদা তিলু ফম্বাল লাংশিল্ল ও ।। চুংলেন ৩ বু শিংহাপশি পাওশানা মচাগী খুজাং লিকানা চিংশিন্দুনা মকগী চুকরেন ও লৌশারে । X

খোইয়ুম অহুম্মা তিলু যম্মাগা লৈফম্বু খোইয়ুম লাইগাম্মা উডমহুনা মাগী মাগী লৈফম থাংদাক্কুনা রাঙ্গোই থেনবুংদা লাক্লে ।। লাই অহন নোংপোক অচিবনা লুচিংহুনা খোইয়ুম থোং-ঙাবেন; খোইয়ুম থুং থু, খোইয়ুম মোইরেং চাম্বা, খোইয়ুম ইরাংথেন পুংমম্বা, হেরোং লৈমা, খোইয়ুম অঙাইবা, অঙাইবী, খোইয়ুম উকোংলেন, কোংটিংলেন, কোংটিং লৈমা, থৌঙাইবা, থৌ-ঙাইবী, খোইয়ুম চেংঙা, চিংবা লৈমা, খোইয়ুম থম্বাই, থাইমা খৌঙাইবী; থিংবা লোইথোম্বী, পুকশিথোম্বী, খোইয়ুম যুহা, যুচেং যুচেং লৈমা; চিংচোইবী, নোংপোক অপাম্বা, থানা চাওবা, রাংরেন, থাংজিং, লোইয়ারারাকপা, মারনবা ওরেন, য়াংকোইমিংথোই, থম্নাংবা, ইরোং মিংথোই,

নমুল্লাকপা, চিংথৈলৈম্না অসিনচিংবা লৈঙম্বা লাইমখৈবু মাগী মাগী মথুংগুগা লোইননা লৈকারক্লুনা লাইখুন্দিম্না থৌখন্দুনা নোংপোক অচিবনা থিকশেংলে ।। পোইরৈ মোইরেং চাম্বনা মরু ৩ গী মণ্ডপু নাওথেম শিংথারে ।। লাইনৌতাবীনা মরু ৩ গী পাওশাবু লৈমিহ্নুনা পাওজেল্লে ।। ইরাং-থেন পুংমিম্নবনা পুংয়েয়ে ।। লৈচুং থোংঙারেম্না খোইরৌ লিথংলে ।। খুংখুং অচিবনা খুং খোংঙে, লাইহুরা মখৈনা অনোই শাথেক্লা মানা মাবা খংবা হৈবা তৌভমহুনা থৌখল্লরে ।।x

(লাইমিংথোই খাববু লাইগী নিংথৌ হাপ্পা)

অতিয়া শিদবনা হাই,—খোইয়ুম পুম্বগু পারি লাইমিংথোইগী থৌগনবু লৈকা লৈঙিন লৈ-কমলীগৈ অসিদা খোইয়ুম নখোই পুম্বগী রায়েন থৌদবা লাই নখোইগী নিংথৌবু ঐনা ঙসিদগী লৈ-শিন্নরবনি ।। পারি খাবা নঙ্গী লাইমিং মেরুবনা খাবা=পুংচেপ ভাংথুপতু) থাকৌনা (রাংবা পল্লান্দবী=রাংবন লাইকোয়্রংদা) লৈথাহুনা নপা ঐগা নমা লৈশিরেন লৈপুনবীগন্ম (ক) লাইয়েক ওইনা ভিলু থানা লৈফম্বা থুদা পারি নঙ্গা লোইনহুনা লৈফম্বা তাংবন (হো রো সে) লাই-য়েকী মশক অশিবু লৈশিন্নহুনা পারি নংঙোন্দা নপ. ঐনা লেহুন তম্নবনি ।। অমনা নপা ঐনা (খাবা ফান্দোংববু) কোরৌ অসিদগী পারি নংনা তোংখরো ।। খোইয়ুমশা পারি (পুংচেপ ভাংথুপতু) বু চরৈ খ্বাংশেং নমথাং নমশা শলাই. শমজিম্না লৈতেংগুনা লৈহাপ্পু মফম লাংদা ফম্নবা ।। নোংদম রা তাবদা খোইয়ুম পুম্বনা লাইমিংথোইবু নাক্লোই পলান্দবী লৈকম শস্থোং পাংবদা লৈশাবা (মহৌ ফাইবোক মহৌরেল) কৌবা লৈফমদা পুশিল্ল ।। লাইনিংথৌগী শেংনা ইম্নবা ফিরোন পুম্বা হৈরোং লৈম্না ফিওম্বীনা পুঙমলক্লুনা লাইনিংথৌবু শ্নাফিগে লৈচোন অশংবা খ্বাংশেংলে, কোনথাং ফুরিং অঙৌবা লিংলে, খোংশি নাশি, খুংশি হাপ্পুনা লৈতেংবা লোইরে ।। x

থুদক অতুদা লাইমিংথোইনা (খ) লাইয়েকপু নিংশিংহুনা থুংয়েং থংববু ভিংথোক্লে, স্না খুত্তা (থাং) অমা তানকংলে, থাং মমিংবু থৌপোংবা—ঘেংং ঘেংং ঘেংং মিংহল্লে খোইয়ুম লাইয়াম্না ।।x

লাইমিংথোইনা থাং—টা অনিগী লাইমিং মেরুবা হাপ্লে ।। "(হাই হিংশং চুমথাংপাই হাংতুপ) লৈহাপ্পুনা ওইথমলোমগী খ্বাংলিদা থাংগু য়ানশিল্লে ।। x ·

টাগী মচিন্দা "ওমচিতে ওমতং সরাক্, ওমতং সরাতং, ওমলু সরাপু ওম করা ফুরা" পাওশা লৈহাপ্পুনা খোইয়ুম লাইয়ামগা লোইনহুনা লাক্লে ।। x

মরুম্না হাই. "চিংথৈ মরু মিহিং ম্রোহিং বুং সোং হাই হাই, ওমনিরিরিং শংনৈতেগু লাইয়েক মানা ২৬না নাওয়োম্বা অসিদগী লাইগী নোংদম মরু ওইহুনা, পারি থাবা পুংচেপ ভাংথুপ্পু কৌবা লাইমিংথোইবু লাইনিংথৌ ফম্বাল্লাংদা অতুক থাজংপিরো, পারি ইচাগী মিংহুন লৈরাংলমগে নোংদমলে ।। নোংদম থৌওম থৌপুনা চিংথৈ মরু অচিনবা লাইমিংথোইবু শ্মা তাংবন মৈ. ঈশিঙ্গী মশঙ্কা ওইবদা থাজগ্গনা লৈফম ফম্বাল লাংলে ।। লাইগী নিংথৌবু মরুনা লৈরাং লৈহুন ত্তমলক্লে ।।X

হৈয়ম হোয়াহে, লাইনিংথৌ সনা মক্তিনা নোংপোক অচিবা ওইমা মাবা শঙাইগী নমিংদি কে কৈ য়েক কোয়ে, হুঁ হুঁ শরৈঙ্গু নপকাঁ ।। লাইরেমগী নমিংদি—কে কোয়ে. কে কুপ্কা হিংনপ, মি মহি নিন্ তয়ং কৌএ। লাইনিংথৌ নমিং অমদি কে কে য়েক কোপ্পা উহিংগু সরৈ নপকা হুম ।। লাইরেম্মা নমিং অমদি কেকোতক কেকে তক কোকোতক কেকো তরাম্ন নপ ম্মা হুনা ম্মা চহিংনপ কৌএ ।। কে কো তক, তক তক কেকো তম্নাইনু নপ জা জা জা চহিংনপ ওনা ।। লৈহুল্লে ।।X

চেং থুংনা খোকপা ও তিংথৌ মপোপ ও লা লাতোন ২দা তাপ্পনা মেশেং মৈয়া থান্দুনা মেক্কক মৈগু লাংনা অমুক লাংলে ।। সবা পোম্বী লুক শনা জিক্রা তরংবা ওনা ।।X

অমুক চেং থুংনা খোকপা ও তিংথৌ মপোপ ও অমুক লাংনা লৈহুল্লে ।। শঙ্গোং নিংথৌনা নোংলাইগী মঙ্গুংদা লৈকিতে নমিংদি শাগবা হোং হোং পিংলুপ অ অ অম্ম খিংজরংবা উংঙা ভুক্কা হংডা কৌবা ওনা X

অমুক লৈবাং অমা পাইহুনা সো হং হং ভং তুম্ম ওবা ।X

অমক লৈবাং অমা কৌহনা লাইনিংথৌ শঙ্গোং অক্লিবও অতিয়াদা লৈবও নোংলাইগী মঙ্গুংদা লৈমিতৈগী নমিংদি মিং মিং মিং ও পিং পিং পিং অকোনহিং লয়োল্লাং তমৌবা কৌবা ওনা ।।X মরুনা লৈহুন মঙারক লৈতম্লগা মতুংদা হাইএ—পারি লাইমিংথোই নকাগুং লৈফম অসিদা লুচিংবা থোইয়ুম জিঙ্গা লৈফম্, নোংদম্বীহুনা লৈবাকপু খাংক। নোংদম্বীবা কোয়ো অসিদগী থৌপুনবিয়ো পাশানা লৈশিন্নরে ।।X

নোংদম থৌপুবা অচিবা মরুনা হৈরাং অথেনপোং অমা লাংহুনা থোইথুম লাইয়ামগা লোইনহুনা লৈপাইনা থেমথৌএ, ওম কো হিক য়োহিক সো হিক মোহিক সনা ভাং তয়ংবা নমিংদি মো হাইনা কৌবা ওনা. কুনি নথৌজানবু তম্বিবা ওইবিও ।। পাওশা লৈপাইনা থেমথোকহুনা থোইয়ুম পুম্বগা লৈফমহুনা ফুংভাইনরে ।। লাইমিংথোই থাবা পুংচেপ ভাংথুপপুনা হংঙ,

খোইয়ুম লাইয়াম পুম্বা লৈক্রম অসিদা লাইয়াম পুম্বদি লৈত্তিল লৈফম্রে, অদুবু অমদি উদেদা করি মুংবু য়াওদবনো ? অতিয়া মরুনা হাই, পাম্রি লাইমিংথোই নংনদি কঙ্গাও হুন্না চংখিবদুদা পাম্রি নংদি নতিক নঙান লৈহকপা ইঙান চাওবা লাইনিংনা পুরুম লৈপাইনজগে লৈদি লৈকুমলক্লগা ননাক য়োৌনা লৈচংবদি অকি ভুজুং ওইজহুনা (শমুলোক লমহাংদা লৈরোত্তুনা পাম্রি ইচাগী কুবি-নোংদম নয়াথংবু ইভাইথক্লা ননাক্লা য়োৌশি য়োৌঙমদা, লৈচংবদি চংজনিং হনশি হাইয়া হমঙমদা, নয়াথংবু কুবি নোংদম্বীরকুত্রা মপুক রাথম্রা লৈঙমজরিএ ননাওদি অদুবু পাম্রি নংনদি ।। হিঃ মরু ইনাওবু কনাম্রা করিসুঙ্গীদমক্তা লৈকম অসিদা লৈচং ভুজুং তানফংবা করি মবাল্লবু য়োন্দুনা পাওশাম্রা লৈথোকখিহুনা মনাওবু থাথোরে ।। ইশানৌ কোন্দে তানৌবা পাবু খংবা কোজনতু-থোকপা নয়াম্বা ঐবু য়াংজিং পালান্দবী লাইকোন্দা ইশানৌ নংবু ইভাইহুনা লৈরিএ, করি সুঙ্গী লৈচং লৈয়োৌরক্রীবনো ? য়াম্বগী নাক্তা ল্যাকঙমখো নঙ্গীদমক হাংহুনা যাইনা লৈবা লৈফমদা ইনাওগী ফমলেন লৈথাক্তুনা নয়াম্বা ঐনা লৈহুন লৈরাং লৈতমগে অদুমুঙ্গীদমক্তা খোইযুম লাই-য়ামগা লিত্তিন ফম্বাল লাংঙম্না লৈঙম্রিএ. লৈচংথোক্তা তম্নকখো য়াম্নবু মপুক তাথি তাওইনখিম্নু, হো লাকও য়াম্বগা তিল্লু লৈফম্মিম্নখিশে ।। পাপশাবু তানফংজবদা পাম্বংব খোঙ্গা লৈচংলক্তুনা ১রু অত্তিয়া শিদবগা লৈশিরেল মমাগা, ময়াম্বুং লাইমিংথোইগবু পুকম লৈপাইজহুনা খোইযুম লাইয়ামগ তিল্লু ফম্বাল লাংঙমজরে ।। ৫

লাইমিংথোইনা রাঙ্গোই লাইকোনবু মরাক মখুংবু পরিং লাংশম থান লৈয়েং লৈথিহুনা কাদেন লৈফম্ লৈফারে । কারণগী থাথং থংবা, লাইমিংথোইগী সন ১ঙ্গা২ শংকেন্দগী মৈরম পাংবদা মনাওগী ফমলেন লৈফম্ লৈতমহুনা খোইযুম লাইয়ামগা চেইনা ৩ পুশান ৮, তিংথো ১পোপ ৫, খুৎনা খোকপা চেং ৭. হেয়াং লৈরাং মৈশেং মৈরা লাংনা, নোংদম ২ক চিংথৈমিং-খোইনা অচিননা মাইচিংথৈওন্দুনা পাথংববু মিংলেন ৭ লক লাইশোন লৈগুল ওম্নাক্ল ।। অঙ্গ মো হে, মোং হে, মোংহে হুঁম হুঁম হে হে খেচাক ওরা ।। হাইনা ৭ লক লৈগুন্দুনা লৈপিরে ।। পাথংবনা মমা সম্বাংঙম্না পুকম ৭ লক থৌনিজরে- লিক্লা পুনগী মঙ্গুংদা ইবুংথো ইবুংঙোনা চোং-শিনবদ ইজগে ননাই ঐবু থাথোকপীগম্নু, ননাই ঐশু ইবুংঙোনা ভিনবা লৈফমদা য়াওজগে ননাই ঐশু তিজরবনি .ধীজানবিও কুবিও ।। লৈপাইনা থৌনিজহুনা তিল্লু লৈকম্নরে ।। ৫

রাঙ্গোই লাইকোন্দগী কংলৈদা খোঙ্গবা, মরুনা নোংদম্বা

অতিয়া মরু শিদবনা থাংচোএ লাইমিংথোই ননাওনা পুক্রম থৌনিজবদা কুবি নোংদমগু ওম্বীথরে পাম্রি ইচানা অদুবু হোৌকংলৈ লম্মহনবা অসিবু লুতুঙ্গী লৈথোক্লগদবা খুবম্ লৈঙনা

লৈয়াং লৈথন্নবরা ? পারি ইচানা লৈফম ১০৮ বু লৈয়াং লৈগুনা লুমাং লুতুঙ্গী লৈথমগ্রবদি লৈফম্বু লৈথংজনবা নশানৌদা লৈফম থংনা লৈতাকপীও ।। কংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈশংদুনা লুচিং-পিবা ওইগদবা মশক্তি খুবম্বু লৈগুনা লৈথংদবনা লৈফম ফদে কংলৈ শ্না পুংমাইয়োন মেন্দোং ফম্বাল লৈফমগু খুবম ১০৮ লৈগুনা লৈথাদবা লৈফমদা ফম্বাল মেনগু থমফদে, পারি তিনখোং লাইখোং থংবা ইচানা লৈকা লৈফম্বীদুনা ননাওবু তিনখোং লাইখোং লৈথংজনবা অতুক তাকওন্নবা তৌওম্বীও ইচানা ।। নোংদমপী নয়াথংর নচানা থৌওম্নবা থৌপুজনি নয়াথং ।। X

কংলৈ খোঙ্গানবা খোইয়ুম পুম্বা মহৌরে লাইমিংথোইনা শাথোক লৈশিন্নগুম্নে ।। খোইয়ুম ময়াম্নগু কংলৈ খোঙ্গাব্রনি মপূক হন্নাও তয়াম্নদুনা মহৌ মহৌনবক্লবদা লাইমিংথোইনা মহাক্তগী মশক অমগু মহাকি মহাকমক ওইনা শাথোক্লুন৷ লাইমিংবু লাইনিংথৌ পিংশাম্নু মাম্নু হোম্নু ওনপ হুঁম লৈ-লংতোলং ঙাং ঙাং চিনপরো সে হাইনা মিংহুন্দুনা ব্রাঙ্গোই পালান্দবী খুবম্বু লৈশিন্নদুনা মচি-গ্গাকপু ঙাম্নু ১, চেং-থুম হৈন্না অথেনপোংপু লৈতম্না লৈথম্নে ।।X

কংলৈ খ্রোঙ্গনবা খ্রৌয়ারে—-

লৈগুং থুং থুং অচিননা রাকৈরে ।। পোহরৈ মোইরেংচাম্বনা পেনাবু খোংনা থেমথোক্লে ।। চিংখৈ মরুনা তিনয়েং লাইখাইব । ইব্রাং খেন পুংমিন্নবনা রাং পুংলেন পুংক্লাও তানয়্নেরে ।। লৈগুং থোংঙারেন্না খোইবৌলিথংনা খোইযুম (৩) গী মওম্বু শিংথা শৈন্নাওরক্লে।। শনিক লাইনৌতাবীনা শানিক পুংলোন থুথেক্লা নোইতনা খোইযুম (৩) লিচিং থাকুনা খোংযুম লাইয়াম্না থৌখল্লাংনা হৌ কংলৈ লম্মাহনবদা খোঙ্গা লৈতুল্লকুনা কংলৈ শ্না পুংমাইয়োন্দা লৈখুলে ।। কংলৈ ফম্বাল লাংলবদা অতিযা মক্ত শিদবনা কোঙ্গন্তু থোকপবু কৌশিন্দুনা হাইএ পারি কোঙ্গন তুখোকপা নমু তাইবং মশক (৭) তং শেমদুনা পীনৌও ।। ময়াথুংবু থৌপুনা কোঙ্গন তু থাকপনা ৭ থক শেমদুনা মরুদা পীরে ।। মশিদি লাওজনুংদা লৈগদবা মশক্তি মখোংগু মথুংগু পান্দে নমু তাইবং হাইরগা পারি মখোং তুক্তেদা ল্লাইজ মুংদা লৈথমলু হাইনা থমথ্রে ।। মশক অমা অমুক ৭ থক শাদুনা পীওমলয়ে মরুনা মশক অসিদী হংজোইগুম্না হাইবা অতুনি, লৈকু লৈরাইদদুম থাদোক্লু, হাইদুনা থাদোক্লুরে ।। মখোং মথুং পাম্না ৭ অমা শেমদুনা পুরক্লে ।। পারি নংশে কাংলম কাংথং নাই-দবা পরম থৌরম লৈথংদবা য়োঙ্গম্না মতৌঙাক্তা তৌওশ্নি ।। মশক অসিদি উরক রারক্তা লৈ-গদবনি লৈথমলু, নমু তাইবংবু নংনা শেম্বা শারা ওমলরোই নয়াম্বা লাইমিংথোইব থাকৌরবউ লৈথংনবা য়েংজহৌ নোংদম্বীদুনা মশব ৭ পূ উরক রারক্তা থমলুরগা ময়াম্বু থাবৌজদুনা মকপী নাক্তা থুংলয়ে ।।

নমু তাইবং শেম্না পরম্বু পাওশাবু হাইগে, মৈতেভু নোংদালাই তাও-ও

লাইমিংথোই অশিবনা পুকম লৈপাইমা হংজৈএ, মকনা নচাবু থাকোবিবা কুমি নোংদম তম্বীগদবা করিবু পাওশা লৈবনো নোংদম্বীনি নযাংথং ।। পামি লাইমিংথোই নপা ঐনা নমু তাইবং মিংগুনবা মশক লৈচু ৭ তং মরুগী থোথনবু নোংকায়ৌ অমগী মখুংদা কোলুপ লৈথাইনা তানমং য়েলুপ্পা লৈথম্নবা মলেম লৈয়াইলেন অসিদা লৈথমনিংঙি অদুবু পামি নংবু নত্তনদি থোপুনবা লৈঙমদে ।। থোঙম্নবা থোপুবাদ নচা ঐনা থোঙম থোপুনজনি অদুবু (নমু তাইবং) হায়িনা অশিবু মশক মওং করি কমদৌনা শেমগৎ শাগৎলু হাইবনো ? লাইমিংথোই নংনা ঐবু নপানি হাইদুনা পাঞ্জহংলিদো থংদবনা হংবদি নপা ঐনা তাকগুম্বা ইৎহ্নি দা পামি নংদি নপা ঐনা লোংবা থাবা শাদাংবা গুম্বা ইগুম্বু নফমলাংদা লৈশিন্নখ্রবা পামি নংনি । নংনা লৈহংবা হৌনৈ হংদে নংনা নিংঙিবা নশক অদুনি অদুবু নপা ঐনশু ইপাললাংবু লৈফাওনা পামি নফমলাংদ শাংলে নাগ, মাংলম অঙানবগী মশেক মঙান্না ঙাংহৌরনপদা নপা ঐগী চকচাংদগী ঐগী মচাক ওইরিবা (শবাম=মি হাইবা লোকনবা মচাক) কোবা মশক অসিবু মিতন্না শম খুনা শাগৎলো। মশকি নযাথং থংজরে মউ মচাক্তি কবিবু কদাইদগী কমদৌ ? মথদ পামি যেনাংবা লেংবা হং লাইমিংথোই নংনা মরুপ ৭ লৈথাইনা মাকমদা লৈথমলম্বা পামি নঙ্গী, হকচং অংগম্বা লৈংনবা অশিবু লৈম ইথকা অশম লৈথমদুনা মাংহল্লাশিবা ? নথাথং লোদঙ্গ জালফংজার নম পুথ থো- কাওদনা কৌজনি থোংলমবা তৌজগা X

লাইমিংথোইনা নমু তাইবং শেমগৎলবা থোরাংবা হুমিনা য়েখ.ইনবা তৌওঁ ।

লাইমিংথোইনা মরুগী অশিবা মশক শিদবনা মতুপ ৭পু লৈথাইদুনা মাংলমদা লেথমজৌনবু লৈরৌথদুনা কংলৈপু মাংলমদা নমু তাইবং মশকপু শেম্নবা লৈংমুৎলরে ।। অতাংবা লৈমেৎ লৈ- তৌনা মশকপু লৈমেৎপশু লৈচংদে থোড্ড মুক্ষুম্না লৈকাল্ল ঈশিং ইচাইনা লৈমেৎলি লৈমেৎ লৈচংদে ।। মপুক রাথন পানা য়েংঙম্মি, হীঃ মশিদি ঐনা লৈবাক মথক মথা ওনাগে কাইনা থাইহৌবদা শা- পোকপা মশকি থোঙ্গী লৈফংদনা থোং অসিনা লেখতুনা মাংলমদ থাবু পাংনা লৈচেপঙনথিবা থোংরাইবদি ঙমখিদবনা মশক শেম্নবা লৈমেৎপা য়াদবোইরে । অদুদি মশিদি লৈশোকপা য়াদবা নিংবা পরম্ব, লৈবাইনবা এলুপ লৈফম ওইদুনা মশিবু য়াওনা লৈশানবা লৈমেৎলবদি— মমু তাই- বংদি শেমগংপা য়াঙমলোইদোবিনা রাথন্দুনা পুংমাইয়োনগী মপান লাংদা থোক্কনা অয়িবা লৈ-

থুনগী লাইচিপাংবা মুংগোইবীদগী নোংচুপ পাংনা লৈথমলগা হাইএ, এলুপ নংদি থোহৌরগা থোওমদবা থোমাংনবা থোহৌবা মশক্লি লুতুংনা লৈথংনবা এলুপ [শথাই নংবু মিংছনবু (ওইদপুং) লৈহন্না লৈফম অসিদা নংবু ঐনা লৈথমলগে পাওশানা লৈথমলগা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা অমুক লৈচংলক্কুনা লৈমেংপা হৌরে ।।x

লাইমিংথোইনা য়াথক্লি মশক্তি ৭ শেন্মু নোংদমখি লৈপিদি তরুক্তা মঙাইরে ঐবু কমদৌশিবনো য়াথন্দুনা লৈয়েংলক্লে ।। লাইমিংথোইগী মথা খোইগীদি মথক্তি লৈফমদগী শথাইনা লৈথমলম্বা এলূপ অহুনা লৈওমলিবা এপুপ মঙাহুদগী নোইনা চাওনা লৈওমলমলে ।। উম লৈফম অসিদগী অনি থোক্লা শাদম্মূ নোংদমলিবোইদো হাইহুনা মশকপু অনি শেম্নবা লৈখাইহুনা শাদম ৭ পু নোংলুমগুম্না তাশন্দুনা লৈযম্ব মরুগী মমিবু মিতম্না লৈশাবা হৌবৰু এলুপ করম্বা মশক্লা হান্না শেমশিবা বাথম্না থমহুনা ভাইহাক য়েংহুনা লৈথম্মি লৈফম্ব (মিতমপুং) মিংহুল্লে ।। লাইমিংথোইনা তাইবং শেমগগুনা শাথোক্নবা থোহৌগে থৌরাংবৰু উবদা লাই হুনি ৯ না মপুক তাথিরে ।। লৈবাকপু লৈমাংনবা থোপুগে থোহৌবদা থোওম্নবা হাইহুনা ঐখোইবু শাথোক শাফোংলম্নগা থোওম্নবগু থোপুদনা থোরোইদনা তোকওম্বা, ঐখোই খিবিক্কী লৈফমগু লৈয়াং নো দম তমলমদনা, ঐদি ইভম চাওববনি ঐনা নিংবদা তৌওমগনি য়াথম্নহুনা ঐখোইবুদি থোকাওবা, নোংদম্বা মানা নোংদম্বা পরমদি থোওম্বরা থোওমদবরা মঙম্ব থংনবা থোরম্নদি ঐখোই খিবিকপু শাথোকপীবা ।। লাইমিংথোই মানা থোওম থোপুবা নমু তাইবং শেম্বা অশিবু থোওমদনবা থোয়েন্তুনা য়ৈথাইনবা তৌওমশি ঐখোইনা য়ৈথাই থিঙ্গাইনবা থোয়েংবদা থোওমদনবা লৈঙাক লৈকনবা ওম্বা খোইযুম কনাবো পরম অহুগু খোইযুম মশকপু লৈখংহৌশি য়াতাম্নহুনা করিবু কমদৌনা য়ৈথাই থিনগাইহুনা মাংহম্নবা থোবুশিগে য়াথন্দুনা য়ৈখাইনবা থৌরাংনরে ।। থোরম্ব অতিয়া মরুনা উহুনা মখোইখিবিক্লা লাক্কদবা খোংলম মাইগৈবু লৈতাক্নবা মঙাকতগী (তুইচিন তুইয়া অথৌবা) হাইবা মশক অমা শাথোক শাফোংহুনা মাইগৈ পিম্না চেন্দুনা চংককপা মাইগৈবু খোংহুনা তাক্নবা (হুমিংচিনপু চুপ্না) লৈওমলে ।। মরুনা শাথোক্নখিবা তুইজিনথৌবনা খোংবা তাবদা লাইমিংথোইনা থংওাম্ন ।। ঐনা তৌওমলিবা অসিদি থোহৌবা য়াওমলোইদৌরিদনা অহুদি অয়েংলাইমা উদনবা মশক অশিবু লৈরোত্তুনা লৈথম্নবা তৌওম্বা তারিনত্রবদি মাংখিবা য়ানা লৈওমলি করম্বনো হাইনা লাইমিংথোইনা কননা য়েংবদা উদনবা হাইহুনা লাইমিংবু শকুয়ম—মথুং মশাবু তিংনা শন্দোক্নুনা (অশন তরং) থকৌ মিংহুম্না মিতমপুংদগী নোংলুমগুম্না লৈমেং লৈতাবা ৭ পু পুহুনা (লৈয়াই শাথুপলেনবু লৈফম লৈওকপা । মাহমবগী মফমলাংদা কনাগুম্বনা লৈথি লৈথংদনবা লৈরোংথাগে লুশিম্বানা মশক ৭ বু লৈশিন্নরে ।। ঐনা মশক ৭ অশিগী মওং শেম্বা শাবা মতম নত্রিবা মথৈবু

মাংদনবা লৈরেং লৈরোংনা লৈথম্মু পাঙনা লৈশিঙ্গরম্মি অতুম্বদী লৈয়াইরেন লৈঙাক লাইবু (মারহনবা) মিংহল্লে ॥ খোইয়ুম মাম হনবনা মশক ৭ পু শেমগদবা নোংলুম ঙম্মা লৈমেং লৈতারবা মশকপু শেঙ্গাং পনশা পম্বিং পনঙাক লৈশবা নোংলোন পরম লৈয়াং লৈথম ফমদা পুম্মক্কুনা মথুংগু উরুংনবদা থাংমৈ=উথাংমা লৈশাম্মা উপ্রানা মশক ৭ পু কুপ্পুনা লোত্তুনা লৈংথগা মপালাংদা লৈকমহুনা লৈয়েংনা ঙাক্কুনা লৈএ লোংলিবা লৈফম্বু (ইরু নোংলুম কোন) মিংহল্লে ॥ চীংশা নাগোম অমদি "(ওমলা চীং)" মিংহল্লা থমলে ॥ খোইয়ুমগী লাইমিং অমনা থাংমৈ মারহনবা লৈহল্লা ঙাক্লে ॥ লৈশিঙ্গরম্মগা লাইমিংথোইনা খোইয়ুম ৪ বু থাকৌহুনা লৈঙাকহল্লে, য়েখাই লৈচংবা ঙমদনরা হাইহুনা লাইথংবদা অরাংদা নম্বুলনা ঙাক্লে ॥ মোংপোক্কী তুবুনা ঙাকহল্লে ॥ মখারমদা লৈখোমতাওনা ঙাকলে ॥ নোংচুপ্তা মানখোম তাওনা ঙাক্লে ॥ খোরম্বু হুনি লাইহিংচাবমা খংলে, মাইগৈ ৪ বু লৈথুংনা লাইমিংথোইনা ঐখাইবু চংবা ঙমদনবা লৈঙাক লাইবু থমগ্লে ॥ ঐখোইনা লৈংবা ঙমদ্রেদো অহুদি নোংলোন্দদী লৈঙাক লেফমদরি নোলোন্দগী লৈকুম্বা ঙম্বা লৈমোং লৈথমখিববু লৈথিনা নেংখাই য়েখাইবা ঙম্বা (শাগোল ওইনা শাথোক্কুনা নোংলোন লোমদগী হাইথহুনা লৈচংলগা থাংমৈ উপ্রাম্মা কুপ্পুনা থম্মিববু মাংহন্নবা থৌপুরশি রাতান্নহুনা নোংলোন লামদগী শাকুয়ম=মশা পানবা শাগোল অমা শাখোক্ল ॥ শাগোলগী মমিংবু (মহা মনিকমা তে পাক পাক) মিংহুন্না মালেন পাংনা হাইথরক্লে । হুনি না রা লাই হিংচাবা শিঙ্গী থৌশিনবু উবদা (চাখা খোংজোম্বীনা হাইয়ে, নমু তাং শী লুচিপীবা ঙাংদবা শ্যাকোজ্জনতুথোকপা নঙ্গী অশাঙ অশম ওইনবা নয়াম্বুং লাইমিংথোইনা মরুগী থৌদাবু থৌপুনা নঙ্গীদমকপু নমু তাইবং মশক তরেৎ শেমগৎ শাগৎপীহুনা শাফেংনবা থৌপুনববু য়েখাই লাই হিংচাবা মখৈনা নমু তহবংবু শেমগৎ হল্লে ইচংগী রাতাংচুনা নোংলোন লোওমদগী শাগোল অমা থাদখিহুনা নেংখাইহুনা মাংহন্নবা তৌঙম্মখিবা অসিবু উদবগ্গা নয়াম্বুনা নঙ্গী নওম্বু য়াইফংনবা থৌপুবিরগা নংবু অশুম য়েংহুনা লৈবরা নয়াম্বুংদি মাইগৈ মমিংবু লৈঙাক্লবা থৌশিনবগা, লৈথারোন্দগীবু লৈঙাকত্রা থৌঙম থৌপুবা ঙকচানরে, নংবু কমদোংগ রাথল্লিবা, নয়াম্বুং নমু তাইবা শেমগৎপবু থুংলোইহন্দোরিবরা ? চাখা খোমজোম্বীগী রা তাবদা কোজজ্জ্ঞথোকপা মপুক রাখন খোইশাঙনা মাইগৈ শিম্মা য়েংবদা উঙমলে ॥ লাই হুনি হিংচাবশিংদি ঐ লৈ চাঙ্গশ থংদ্রেমাম্নেদা নংখোইনা শাগোল শাবদি ঐনা ফাহুনা রারক খোকাওনবহু ঙাইদনা হাইহুনা শগোলবু ফাবা ঙম্বা মশকপু লৌহুনা মালং খোংদোই ইহুনগা লোইরমা চেনশিল্লক্লে ॥ শাথোকপা লৈফম্বু (মালংপু = মালং চীং) থাকৌনা লৈপিরেল য়াইবিবু (ওমফা হিংনপ, ওমফাহিংনপ, ওমফাহিংমপ ওমফাহিংনপ, ওমফা হিংনপ) লৈহন্না লৈথমলমলে ॥ শাথোকপা লাইমিংবু মালংরেনা ইতুন কম্মা হৌরকপঙম লৈহৌনা শাথোক্কুনা চেনশিনখিহুনা তাইবং মশক তরেৎ শেমগদবরু শাগোল মহা মনিকমা তেপৎ কৌননা

মখোংনা নেংথক্তুনা মাতুনা মাংগ্রুগদববু লৈকম্লবা শাথেকএ হাইতুনা মারজিং মিংচন্দুনা লাইমিংবু শ্রা ওংলোৎরেল ওংথিয়াং লৈত্তুরে ।।x

মারজিংনা "মহা মনিক তেপাক" কৌবা শাগোলবু তাম্নতুনা মোংবা খুরৌ থানা লেংফাইচম্লা য়েংনরে ।। চেনশিল্লকুনা মঙক্তা কোনশিল্লগা মখোং ২ গী মরক্তা খোংনাম্মা থিনজিন্দুনা খুরৌ য়েত্তুনা শাগোল মথাদা মরেংবাম্না শাশিন্দুনা কানবা তৌগমলে ।। মরজিং পাখংবনা খুরৌ চম্লা লিপুন লিফাগে তৌববু শাগোলনা শাকুয়াম শানা মঙক ঙকচাও থেক্লা নাম্থোক্লবা হোৎনতুনা মাইগৈ শিল্লা চেন্দুনা ইরম কোন্দা লৈচংনবা তৌগম্মি, শগোলবু নাম্থোক্কুনা চেনশিবা মফম্দু লৈশং চীংলাং মৈ থাক্লৌনরে ।। মারজিংনা শাগোলবু ফাবা ঙম্মদবা উবদা মাদাইরেম শ্রা খোংনাং লৈমনা মারজিং পাখংববু লৌথাম্মে ।। লৈশং লৈকনবা শাকুয়োম পানবা মশক অতৈদি থৌরম অতুম্ম লিপুন লিফাবদি য়াঙমলোই, খ্বাংলি অসিনা লংতুনা কানবা থৌপুমবিও পাওশানা ইং-জবেম্মনা মখাংদা পুল্লিনা খ্বাংলি থৌরিবু লৌথোক্কুনা মারজিং পাংখংহনা পীরে ।। শ্রা ওংলোৎরেল মার্জিংনা শাকুয়োম নাইবা মহা মনিকমা তেপাক পাক কৌববু মাইগৈ শিল্লা থক্তুনা ফানশিন য়েংনতুনা খ্বাংলিবু কোক্লোই লিহাপ্পা তুম্মলাংবু লৈশেমতুনা তুম্মলাংবু তুল্লে ।। শমদোন অয়াংবা শাকুয়োম্ব কোঙ্গোই থরে লিফানরে ।। শমদোন অয়াংবগী মখোং জিপুংতুনা মকোই মরাং ফোই-তুনা চৈবিএ লৈফম্ব মরাং (কোইফোইচী) কৌরে ।। মারজিং পাখংবা মপুক রাবু অশাও লাংতোন লৈথম্বিবনা শমদোন অয়াংববু লিফা জিপুম্ন পুরকপদা য়াইবিহৌনা মচুং হৌনা থিলাং-হৌনা মখোই শাওনা লৈপুনতুনা শমদোন অয়াংবগী মতুমমানবু ফোইতুনা চৈবিএ, লৈফম্ব (শরা তুকেনবা চীং) থাক্লৌরে ।। শাকুয়ম্ব কক্তুনা ফাতুনা থম্মলে (লানশং) কৌরে ।। শমাদোন অয়াংবগী শাকুয়াম ২ বু কক্তুনা লৈথমগ্রবদা অমুক রারক খোকাওবু নোংদম্মি ।। শমদোন য়াংবা মহা মনিকমা তেপাক পাক, কৌবা মশকপু শাদম শাথোক্লবা থৌশিনব লাইহিংচাবা তুনিশা ন-খোইগী নম্বুং নতম নথৌনঙম্ব নোংদম থৌয়েন তমদরিঙ্গেদা রারক খোংওনা বক্লিবু থৌহৌবা শকুয়াম শামদোন অয়াংবা ওইনা চংলম অশি লুতুংদগু তৌগম্ন লৌখামলে ।। লাইমিংথোইনা হাইএ, অয়েং অখোং লাইপা নখোই ২ বু ঐনা রাখন কঙ্গাওবদগী শাথোক্কুনা লৈথম্বদি লৈদি লৈথম্মগা নথৌনঙমদি লৈখাইলমদরে নপুক কঙ্গাও তুম্মনু ঐনা কঙ্গাও ইতুম হেনখিবনা থৌপু থৌঙমখিদবগা লৈহন্না উনববু থোকওম্মখিদবনা নঙম নথৌবু য়েলুপলম্মদবনি কোরৌ অশিবু নৌ-হৌনা লৈতমগে পরম্ব খোংলম কাইদনা লাইরকচনবু চংনশি ।। নখোই ২ না মথংলেংনা থৌপুনা অরাবা তুংঙাইবা পরম্ব নোংদম্মা অচৎপা চক্তবা লাইহিংচাবা লৈঙ্মবা মশক পুম্বগী অরা অনং তুংঙাই য়াইফা নোংদম্ববু কোরৌ খুদিঙ্গী থাজা খুদিঙ্গী কুমজা খুদিংবু নোংদল্লো ।। থৌঙম থৌপু

থোহৌনবদি মশক লৈঙম্লবা, লৈঙম্লগদবা মশক অহুনা শাদম্ব শাকোংবা কোয়ৌ অহুদা লৈপাম লৈপুবা থরাই পিচা অহুগী থোংলম্ব় লৈয়েংনা নং নঙী নঙম অরা হুংঙাই নোংদম্ব় থোহৌনগদবনে পম্ব় থোকাওনগম্ব ।। X

হুনি নারো ৯ গী খ্রোংচং

থরাইপিচা শাজুং তেলহৈবা ৩ মোংক্ৰাশাক্ৰা ১২, হরৈমযে় ২১ অহুম অসিন লৈপুবা হুমিং ৩ অহুদা শাথোকপা মশক মখৈনা হুনি মরোং নংনা নোংদম থোহৌহুনা নংনা কুমজা ৬ নোংদম্লো ।। নংনা নোংদম্বা লৈম্লুং অহুদা নংনা থাজা ৪ নোংদম্ম় ।। মতুংদা নংনা নোংদম পুংয়ান কুমজা ৬ লৈফম্বা মতুংদা নঙী থাজা ৪ নোংদম্বা লৈরোইবগা মশিং হুনিনা থাজা ১০ নোংদমগনি ।। মতুংদা মকাপ হুনিনা থাজা ৫ কোয়ৌ ১০ নি নোংদম্মু় ।।

মতুংদা	অশিং হুনিনা	কুমজা	থাজা	১১	কোরো	১৩	নোংদম্মু়
,,	মশেং	,,	,,	৬	,,	২০	,,
,,	হৈয়েং	,,	১	X	,,	২০	,,
,,	হুনিনা	,,	X	৮	,,	X	,,
,,	হংশিং	,,	১	২	,,	X	,,

চংলম অণ্ডম্বা চংনরো ।। X

থরাইপিচা লিক্লাপিচা ৪ লুরাংশাক্লা ১৩ হরৈমযে় ২১ অহুন অসিনা লৈপুবা কোরো হুমিং অহুদা শাথোকপা মশক মখৈনা নোংদম থোদাবু মশিং হুনি নংনা নোংদম থোদাবু থোপুনা শা-ফোং শাদম্লবা ওইয়ু় কুমজা ১৫ বু লৈচুপ্পা মম্লুং অসিদা—

কুমজা ২ থাজা ১ কোয়ৌ পুংয়াম্না নোংদম্মু মতুংদা মকাপ হুনিনা

কুমজা ১ থাজা ১ কোরো ১০ নোংদম চঙ্গনি ।।

অসিংনা	,,	২	,,	৪	,,	১০	,,	,,
মশেংনা	,,	১	,,	৪	,,	২০	,,	,,
হৈয়েংনা	,,	২	,,	৭	,,	২০	,,	,,
হুনিনা	,,	১	,,	৮	,,	X	,,	,,
হংশিংনা	,,	২	,,	১১	,,	X	,,	,,
মরোংনা	,,	X	,,	১০	,,	X		

থরাই শিচা চিংচোইবী, নাক্লাশাক্লা, খাবী লৈতেং অহুম্না লৈপুবা কোৱৌ অহুম অসিদা শা-দমখিবা, শাথোকপা মশক্কী নোংদম অহানবদি মকাপ হুনি নংনা ওইহুনা কুমজা ৮ লৈফম্মু নংনা থোহৌনা নোংদম্বদি থাজ ৭ কোৱৌ ২ নিংশা ইহুন ২০বু অৱা অনং অফা হুংঙাই নংনা নোংদম্নীংবা লৈতম্নো ॥

অশিং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ৩ কোবৌ ৩ কোলুপ ২০ নোংদম লৈয়ংঙু ॥

মতুংদা মশেং হুনিনা থাজা ৮ গা কোৱৌ ২৬ মিহিং ৪০ লৈয়েংঙু ॥

মতুংদা হৈয়েং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৪ কোৱৌ ২৬ নিংশা লৈয়েংজনি ॥

মতুংদা হুনিনা থাজা ১০ কোৱৌ ২০ নি নোংদমগনি ॥

হংশিং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৮ কোৱৌ ২০ নোংদম্মু ॥

মরোংনা থাজা ৫ কোৱৌ ১০ বু নোংদমগনি ॥

মশিং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ১ কোৱৌ ১০নি নোংদমগনি ॥ X

থরাই শিচা চুংশেন্নাগা, ওকপুরোইগা, শিক্লি লিরেঙ্গা অহুন্না লৈফম্বা কোৱৌ অহুমগী মতুংদা শাদম শথোকপা মশক অতুগী নোংদম্বদি হুনি নংনা কুমজা ৮ বু লৈহৌরকপদগী নানা মিংয়েং থোপুবদি কুমজা ১ গা থাজা ৫ গা লৈয়েংঙু ॥

মতুংদা হংশিং হুনিনা কুমজা ২ গা থাজা ৫ ফাওবা নোংদম্মো ॥

মতুংদা মরোং হুনিনা থাজা ৮ নোংদম্মু ।

মশিং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ৮ নোংদম্মু ।

মকাপ হুনিনা থাজা ১০ গা কোৱৌ ২০ গা নোংদম্মু ॥

মতুংদা অশিং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ১০ কোৱৌ ২০ গা নোংদম্মু ॥

মতুংদা মশেং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ১১ কোৱৌ ১০ নি নোংদম্মু ॥

মতুংদা হয়েং হুনিনা কুধজা ২ থাজা ১ কোৱৌ ১০নি নোংদম্মু ॥ X

থোৱাইশিচা মিংথো নাগা, তাওহুইয়েং, য়াক্লা থুরো অহুম্না লৈপুবা হুম্নীগী মতুংদা শাদম শাথোক্লবদি হয়েং হুনিনা নোংদম থোহৌহুনা কুমজা ১৬ নোংদম থোশিল্লু। থোয়েং নোংদম্বদি কুমজা ৩ গা থাজা ৪ কোৱৌ ৩ মিহিং ২০ লৈচুপা নোংদম্মু ॥

মতুংদা হুনিনা কুমজা ২ থাজা ১ কোরৌ ১০ বু নোংদম্ ।।

মতুংদা হংশিং হুনিনা কুমজা ৩ গা কোরৌ ২০ নিগা নোংদম্ ।।

মরোং হুনিনা কুমজা ১ গা কোরৌ ২০ নি নোংদম্ ।।

মশিং হুনিনা কুমজা ২ থাজা ৭ কোরৌ ২০ নোংদম্ ।।

মকাপ হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৪ কোরৌ ২৫ মিহিং ৪০ লৈচুপ্পা নোংদম্ ।।

অশিং হুনিনা কুমজা ২ গা থাজা ১১ নে কোরৌ ২৬ কা মিহিং ৪০ গা লৈচুপ্পা নোংদম্ ।

মশেং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ৯ কোরৌ ৩ মিহিং ২০বু নোংদম্ ।। X

থবাই পিগা নিংথৌতুরেন, তোংচেংম্বী, রাকপা শজিক, অহুম্মা লৈপুবা কোরৌ ৩ অসিদা পোকপা মশক মথেদি মশেং হুনি বংনা নোংদম থৌহান থৌপুহুনা কুমজা ১৯বু নোংদমলো নংনা লৈয়েঙ্গদবদি থাজা ১১ কোরৌ ৩ কোলু ২০বু অফবা কত্তবা পয়মু নোংদম্ ।।

মতুংদা হৈয়েং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৯ কোরৌ ৩ কোলুপ ২০বু নোংদম্ ।।

মতুংদা হুনিনা কুমজা ১ থাজা ১ কোরৌ ১০ নোংদম্ ।।

হংশিং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ১১ কোরৌ ১০ নোংদম নোংখাইরো ।।

মতুংদা মরোং হুনিনা থাজা ৬ কোরৌ ১০নি নোংদম নোংখাইরো ।।

মতুংদা মশিং হুনিনা কুমজা ১গা থাজা ৪ কোরৌ ২০ নি নোংদম নোংখাইরো ।।

মতুংদা মকাপ হুনিনা থাজা ৮ কোরৌ ২৬ নিংশা ২০ গা নোংখাইরো ।।

মতুংদা অশিং হুনিনা কুমজা গা থাজা ৬ কোরৌ ২৬নি নিংশা ৪০ নোংদম নোংখাইরো ।।

থবাই পিগা নোংথৌশামু; থয়াই, থাবা, অহুম্মা লৈপুবা মথেদা শাদম শাথোকপা মথেবু অশিং কৌবা হুনিনা কুমজা ১৭ নোংদম নোংখাই লৈফমহুনা কুমজা ২গা থাজা ৮ কোরৌ ৩ কোলুপ ২০বু নোংখাই নোংদম্ থৌহোরো ।।

মতুংদা মশেং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৬ কোরৌ ২৬ নিংশা ৪০ নোংখাইরো ।।

হয়েং হুনিনা কুমজা ২ গা থাজা ১১ কোরৌ ২৬ নিংশা ৪০ লৈথুংনা নোংখাই নোংদম্ ।।

হংশিং হুনিনা কুমজা ২গা থাজা ৩ কোরৌ ২০ লৈথুংনা নোংখাইরো ।।

মরোং ছুনিনা থাজা ১১ কোরৌ ১০ লৈচংহুনা নোংখাইরো ।।

মশিং ছুনিনা কুমজা ২ থাজা ৪ কৌরৌ ১০ লৈচংনা নোংখাইরো ।।

মকাপ ছুনিনা কুমজা ১ থাজা ৩ কোরৌ ৩ কোলুপ ২০ বু লৈচংনা নোংখাইরো ।। x

থরাই পিচা শামু পিচা, থাদোন, খোংজোমমুবী অহুম্না লৈপুবা কোরৌদা শাদম শাথোকপা মথেবু নারোং ছুনিনা কুমজা ৭ নোংদম নোংখাইনা লৈফম্মু ।। চৎলমদি ছুনিগী চৎলম নোংখাই-বদা লৈচংনা নোংদম থোপুনৌ ।। x

থরাই পিচা উকোংচু, নিংথৌনাগা, অপবঙা অহুম্না লৈপুবা কৌরৌ অহুদা শাদম শাথোকপা মশক মথেবু হংশিং ছুনি নংনা নোংখাই নোংদমু থোপু লৈহান্না কুমজা ১০ লৈচুপ্পা লৈফম্লো, নোংখাইবনা কুমজা ৪ গা থাজা ১ বু নোংদম্মু ।।

মরোং ছুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ১ বু লৈচংহুনা নোংদম্মু ।।

মতুংদা মশিং ছুনিনা কুমজা ২ গা থাজা ১১ লৈচং লৈয়েংনা নোংদম্মু ।।

মতুংদা মকাপ ছুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ৬ কোরৌ ২০নিবু লৈচংহুনা নোংখাইরো ।।

মতুংদা অশিং ছুনিনা কুমজা ৩ গা থাজা ৩ কোরৌ ২০ বু লৈচংহুনা নোংদম্মু ।

মতুংদা হৈয়েং ছুনিনা কুমজা ৩ গা থাজা ৮ কোরৌ ২০ বু লৈচংহুনা নোংদম্মু ।।

মতুংদা ছুনিনা কুমজা ২ গা থাজ ৫বু লৈযমহুনা নোংদম্মু ।। পরম অশুম্না মথংলেংনা নোংদম লৈচংনা খোপুনরো ।।x

মথংদা পরম অমা কুমজা ১০০ চামনা লৈশবা হাইনা পরম অমা লাকনি, মতম অহুদি

থরাই পিচা শজুং তেলহৈবা, শিং ৩ শুবা; শিং ৪ শুবা শিরাপিচাং শিং ৫ শুবা চিংচোইবী অসিনা লৈচং লৈফম্বা কোলুপ্পা শাদম শাথোকপা মথেনা মরোং নংনা নোংদম্মু থোহৌনা কুমজা ৬ পু লৈচংনা লৈফম্মা নংনা লৈফম্বা মতমদা মখোইপুম্মশু মাগী মাগী লৈচং খোংলম্মু থোকাই-নদনা লৈতংনহুনা থোয়েংনা চাকি কিনিনৌ ।। x

চুংশেংপুবী, নিংথৌনাগা, নিথৌজুরেন, নোংথৌ শামু ৪না লৈকম লৈপুনবা কোরৌদা শাদম শাথোক্লবপদি মশিং নংনা লৈহৌ লৈচংহুনা কুমজা ১৫ নোংখাই নোংদম্বা লৈহৌহুনা লৈকমলো ।।x

শামু পিচা, উকোংচু, মোং কা শলকা অহুম্না লৈপুরকপা কোলুপ্পা শাদম শাথোক্লংদি

নোংদম লৈচং অহানবা মকাপ নংনা লৈহৌদুনা কুমজা ৮ বু লৈফমদুনা লৈচং নোংদম থৌশিল্লো ।।

লুরাং শলকা, মালকা শলকা, ওকপুরোই, তাওছইরেং ৪ না লৈফম লৈপুবা কোরৌদা শাদম শাথোকপা মখৈবু অশিং ছুনিনা নোংদম লৈহৌ লৈচংদুনা কুমজা ১৭ থৌপুরো, নোংদম লৈচং খোংলম থৌহল্লা লৈল্লমরো ।। X

তোংজেংনুবী, থয়াই, থাদোন ৩ অসিনা লৈপুবা মতমদা শাদম্বা শাকোংবা মশক মখৈনা ছুনি মশেং নংনা নোংদম লৈহৌ লৈচংদুনা কুমজা ১০ লৈপুনা মথংলেংনা নোংদম খোংলম্ব লৈশিল্লদুনা লৈকমল্লো ।।X

নিংথৌনাগ, হরৈমা, কোরৌম্ব ৩ না লৈপুবা কোরৌদা শাদম শাথোকপা মখৈনা হ.য়ং ছুনি নংনা নোংদম লৈহৌ লৈচংনা কুমজা ১১ বু থৌয়েং লৈফমল্লো ।।X

থাবী লৈতেং, শিলুকিলিরেং, য়রাখুরো ৩ না লৈপুবদা শাদম শাথোকপা মখৈনা ছুনি নংনা শৈহৌনা কুমজা ১২ বু ফমদুনা নোংদম খোংলম্ব থৌশিল্লা ।।

রাকপা শজিক, থবা, খোংজাংমনুবী, অপবমা ৪ না লৈপুব কোলুপ্পা শাদম শাথোকপা মখৈনা হংশিং ছুনিনা নোংদম লৈচং লৈহৌনা কুমজা ২১ বু লৈপু লৈফমদুনা নোংদম খোংলম লৈচংববু মথংলেংনা লৈশিল্লো ।। X

ছুনি ৯ গী চংদম্ব থৌকাও নোংদম্ব রায়েন ইহানবা থৌহৌনা নোংদম্বগা শায়দোন অয়াংবগী মশকপু ওইনা শাথোকপা শাগোংবু (থাং ম্মারহুনবগী) শমুম্মাদ পুখুমক্তুনা থাদোকখবে ।। শামদোন অয়াংবু রারক থৌকাওনবা লৈযম্ব (রায়েন থৌরিং অহানবা কুচু শংশেল) মিংথুম্না লৈথল্লে ।। X

রারক থৌকাও নোংদম্বা লোইদুনা নমু ভাইবং শেম্বা

মখোইগী এরা থৌকাওরম্বা চংলম্ব নোংদম্বদি থৌরোইরে অদুবু মখোই অসিনা ভৌরমদবা লৈতবা অসিদা নোংদম থৌদা অসিবু থৌরোইবা য়াদনা ভোরগত্রা মরুলোন ৭ কি লাইমিংগু মখোই ৭ তগু লৈহুমল্লে ।। মগুমগু লৈহকপাগী মথুক্তা অমুক থোইমদুম লৈহাপ্প রারক থৌকাওনব্রে ।।

মসিদা অমুক নোংজম চংজম্ব, মজম চাংয়েংনরক্লবদি হক্না জুংশাংনা কোরৌবু লৈচংনা থোরোইনবা তাঙায়দৌরি, অহনদি লৌচংবা ওমদনবা লৈঙাক লৈকয়বা থৌশিলহৌবা তাঙম্লি রাথন্দুনা লৈঙাক শাথোক নোংদম্ব, থৌপুরক্লে ॥ অনাংলমদা শাদয়া শাথোক্তুনা থাকৌরে, লাইবুংথৌ উকোংলেনবু লাক্তনা লৈঙাক লৈকয়বা থৌয়াররে ॥ অগুম্না লৈকম ৮ শুনা লৈচোং শাথোক্তনা চিংখৈদা— চেংঙা; নোংপোক্তা—অঙাইবা, মৈরমদা—য়ুচেং, মথাদা—থোংঙাইবা; সম্থোংদা য়ুঃা নোংচুপ্তা— কোংটিংলেন, লাইচিদা—থবাই, লৈহৌমিয়বা লাইবুংথৌ ৮ না লৈঙাক লৈকন থৌয়ারবদা লাই- মিংথোইনা হরাও তয়ামহুনা মথুং ২বু শাকুয়াম্না নোইহুনা থাকৌরবদা থাংমৈনা কুপ্তনা লোং- লিবা ইরুম নোংলুম কোনবগুম্না কেল্লম্বা ওমহুনা থয়ুবা লৈফম্ব, (ওয়াচীং, ইরুম নোংলুম কোল) মিংহুন্দুনা লৈহুন মিংথৈবু (ওম উকহে, ওম উকহে, ওম উকহে) হাইনা লৈথম্মগা ফুন ৭ পু পুরক্তনা মারহনবনা লাইমিংথোইদা লৈশিন্নরে ॥ লাইমিংথোইনা হাইএ—ইশানৌ কোন্দে তনৌবা নশাদি অনিথোক নশক্তী অমতা ওইনা লৈমান শকমায়না শাথোক্তুনা নয়াম্বগী তেরাংথিএ লুতুংনা থৌকাওদনরা নশক অমদি নোংলোন পথেং অসিদা নমিংবু মাজিং থাকৌনা লাইমিংবু (ওম কুং সংতে হিংতে) লৈহুম্না লৈফমহুনা ওয়াচীং (ওম উক হে, ওম উকহে, ওম উকহে) কৌবা লৈফম্ব, লৈশংনা মাজিং অপাম্বা হাইনা লৈঙম্লে ॥ অতুপা লৈয়াইলেন পথেঙ্গা লৈঙম্বা নশক্লা (থাংমৈ মার হনবা পাথংবা) থাকৌনা লৈয়াইলেন (রীং ওইস্না পারি সোপা কোন্দে মরিক ওম থিয়াং) কৌবনু লৈশংনা লৈঙম্লে ॥ নেংলোন পথেং ফম্বা মাজিং নংনা নোংলোন্দগী মতিন মকাং ফঙবা লাইহিংচাবা থোঙ্গমলক্তনা লৈবাক অরা অনং পিঙম্নগদবা লৈববু লৈকুম্বা ওমদনবা লৈঙাক লৈফম্বা থৌপুরো ॥ ইশানৌ নংনা শাকুযাম শামদোয়াংববু ফাবা লৈয়াইলেন অসিনা লাইমিংবু (ওম ফোং ফোং হাই হাই, ওম ফোং ফোং হাই হাই, ওম ফোং ফোং হাই হাই) লৈঙম্না লৈফম অসিদা শামদোন লৈহুন তম্না থৌনিরবদি ইশানৌ নংনা শাথোক্তনা কুাব নোংদমবিন্দা ॥ তুবু নংনা, লৈফমশিং অসিবু (মুমিং চিংপু চুপ্না) থাথোক্তুনা লৈথারোন লৈফম্ব, লৈফমহুনা লৈ- ঙম্লা ॥ নংনা য়াথোকপা লৈফম্ব, (পাখংশাই) থোইয়ুম লৈঙাক লৈকনলাই পুম্বা নঙ্গী নঙ্গী লৈঙাক লৈকয়বা লৈফমদা হজিন্দুনা লৈকয়বা থৌপুরসি, নথোই খ্বাইগী নোংদমদগী এগু নমু তাইবংমীবু শাথোক্লবা মিতয়াংগে নোংদম্নহুনা মাগী মাগী লৈফমদা হজিন্দুনা লৈকনফম্বাম্নখরে ॥ X

লাইমিংথোইবু মমিং (শ্নাকোং তিংলেন) হাইরে ॥ ইরুম ইহা কোলবগুম কোল্লুবা ফুন ৭পু অতিয়া নরুগী মিবু লৈহম্না মথুং মথোং মশা মউ মিনা মালেমদা তিংনা তাবঙম্না শাদয়া লাই- য়েক ২না কুয়াম নাওয়াম থানা নমু তাইবং ৭ পু মিতম্বা লোইহুনা লৈফম্ব (মিতমপুং) হাইনা থয়ে ॥ মশক ৭ পু পুশিল্লক্তনা অতিয়া শিদববু য়েংহল্লি, মরুনা—নমু তাইবং মী হাইবা মশক

অহুবু ওইগদবা মওং মতৌ মশক্তো অসিনি হায়িরে লৈকম অহুবু (মীরেপপুং) কৌরো ॥ অহুগা নমু তাইবং মীগী মশক্তি অসিনি অহুবু লৈকম কাইদনা করম্বা মশকপু খোমখিনা থংনিংঙিদো নপা ঐবু পরম অহু তানিং থংনিংঙিদো ॥ x

মশক ৭ কি লৈফম নাওয়োম তাকপা পুরোন ৭ শাথোকপা ॥

অতিয়া শিদবগী নোংময় পাওতং তাবদা লাইমিংথোইনা মিয়েম্বুংদগী মশক ৭ লু লৌথত্তুনা মিয়েপকমদগী নোংপোক মৈরম শাংনা মথং লেংনা লৈথম্লগা হাইএ ॥ মরু লৈকম ৭ লৈওম্লম্ববু লৈফম অমদি লৈমেৎপবু লৈচংদতুনা করি মুংবু ওইবনো রাখনবদা কংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈমাংনবা লৈচোংবা খোঙ্গী শরুকপু ওইরমতুনা ইপাল্লাংদা পুথোক্নুনা অদুংনা খোঙী খা থংবা, মুঙ্গাইবীগী নোংচুপ্তা (নমু চংলম থোপুবা, থোঙমদনা পুং) হাইনা লৈথমখরে ॥ নোংদম্বদি ৭ শেম্মু নোংদম্বী লৈফমদি তরুক মঙাইবে করম তৌশিবনো রাখনদা খোইগী লৈথক লকাগী লৈথাদগী লৈথম্লম্বা লৈকম্বু নোইনা চাংনা লৈরমতুনা লৈফম অসিনা অনি থোক্না লৈমক্নুনা এলুপ ৭ কেংদু-নবা শেমগৎ শাগৎনখরে ॥ উম পারি অহু এলুপ শথাই অনিদি লৈহৌফম লৈফমদি অমা ৩ নিদনা, অতুগা ৭ অসিবু মথংলেংনা লৈথম্বনা করি মুঙ্গীনো ? লৈফম্না লৈমেক্নুনা নাওয়োম লাই-য়েক্না করি করা কমদৌবা পরম্বু নপা ঐশু থানিংঙি চংলম্বু জুতিন লৈহাপ্পদা লৈফম থংনা লৈহাপ থৌপুনিংঙি নপা ঐবু অহুক তাকউ ইপাদা ॥ মশক ৭ মকি লুচিংবা ওইনা য়েংথম্বদা লৈথম্বা মশক অসিদো খোইদৌ লৈফম মকোকালন্দগী লৈথম্লম্বা লৈপিবু নোংঙান কোলুপ ৬ তগী কোলুপ তরা লৈথুংবা ফাঙবা লৈমত্তুনা লৈনুং অসিদা শিন্তোনা হৈয়েৎ মরুনা ওইরম্না নাও-থোম্বা (অঙ্কহং) লাইয়েক য়াবানা লৈ.য়াম্না মেবা হিয়াঙ্গে) থাজা ২ গী চংলম মওম্বু লৈ-হাপ লৈথম্না শেমগৎ শাগৎনখিএ ॥ লাইমিংথাই মশক অশিঙো কৈথংজে লৈফম অসিদগী লৈ-থাইতুনা (মালং লৈথুনবী মনাক্তা) লৈফম থংনা মথংলেংনা লৈথম্লকবা লৈথম্মুরো অহুগা মথং অশি-মনা কমদৌবা ? লাইমিংথোইনা থৌদাবু থৌপুনা লৈথম্লগা হৱুকুনা পাওশানা তাকওম্লক্ল ॥ x

২। মরু মথং অসিদো মিঙগী লৈথক (শাজুম্বা) লৈকমদগী লৈথম্লম্বা লৈপিবু নোংঙান কোলুপ তবা তাবদগী শিম্হোংবু (অশিং মরুনা) ওইতুনা কোলুপ ২ অনি তাঙবগী লৈমুংদা (সং) লাইয়েক য়াবানা নওয়োম লৈথানা মথৌ মওম্ব, (ফাইয়েন, লমদা) শা তিজু লৈথানা মরুগী মিনা মালেমদা তিংনা লৈঙম্বা মওংবু মিতম্না শেমগৎ শাগৎপা মশক্কি ॥ পারি ইচামা লৌতাক্নুনা মশক অসিমতু

লৈথংলে লৈথমফমদা মথংলেংনা থম্নুরো মথংশিমনা কমদোবা লাইমিংথোইনা লৈথম্নুরো ।। X

৩। মরু মথং অসিনা খোইগী মখা থুদোন অমা লৈকুম্বা লৈফমদগী লৈখাইরম্বা লৈপীনা নোংঙান কোলুপ ১ তাপ্রবদগী লৈহৌনা শিঙ্খোংবু (হুংশিং) মরুনা ওইগুম্বা নাওয়োম্নু (নং) লাইয়েক য়ারানা লৈহাপুনা মঙম চংলম্নু, পোইন্নু, রাকচীং থাজা ২ দা তিলু লৈথানা নোংঙান কোলুপ ৫ তাবগী লৈমুংদা শেমগৎ শাগৎপা লোইজবনি।। অতুমক্তু লৈখংলে লৈথম্নুরো।। X

৪। মথং অসিদো কোক্কী লৈফমদগী লৈখাইরম্বা লৈপীবু মকাপ মরুনা শিঙ্খোং ওইনা হুমিদাং কোলুপ ৬ তাবদগী কোং লাইয়েক য়াবানা নাওযাম থানা কোলুপ ১০ তাবা লৈমুংদা লুত্তিন মতিক মঙম্নু, শজিঙ্ম, কাঙেন থাজা ২ গা তিলু থাজনা শেমগৎ শাগৎপা মশক্কি।। লাইমিংথোই মশক অসিমক্তু লৈথংলে লৈথমদা লৈথম্নুবো ।। ৬

৫। মশক অসিমদি থবাক লৈফমদগী লৈখাই লৈপম্নম্বা লৈপিনা মিতমজুনা শিঙ্খোংবু (মশেং) মরুদা লৈথম্না নাওয়োম্না (নং) লাইয়েক য়ারানা য়োমজুনা হুমিদাং কোলুপ ১০ দগী য়ুংথক খানবা মতুং কোলুপ ২ তাবগী লৈমুংদা শেমগত্তুনা মতিক মঙম্নু (ইংঙা, ইঙেন) থাজা ২ গী মঙম্নু লৈহাপা শাগৎচবনি।। লাইমিংথোই মশক অসিমক্তু থংলনি লৈথম্নুরো ।।X

৬। মরু মশক অনি অসিদি লবাগী মখা, খোইগী লৈথক্তগী লৈখাই লৈংম্নম্বা লৈপানা অনি খোকচবনি শিঙ্খোংবু (মবোং মশিং) মরু অনিনা ওইগুম্না (উং, ঙা) লাইয়েক য়াবানা নাওয়োম লৈথানা মতিক মঙম্নু (থরান, লাংবন) থাজা অনিগা তিলু থানা অযুক্কী কোলুপ য়ুংথক খানবা মতুং কোপুপ ২ দগী হুমিদাং কোলুপ ৬ তাবগী লৈমুংদা অনিমকপু শেমগৎপা লোইজবনি।। লৈখাইজবদি অমগী শিঙ্খোংনা (মবোং মরুনি), নাওয়োম্না (উং) লাইয়েক য়ারানি।। অমগী শিঙ্খোংনা (মশিং মরুনি), নাওয়োম্না (ঙা) লাইয়েক য়ারনি।। পারি ইচ০, তাকওমজুনা মশক ৭ কী লৈতৌবা পরম্নু থংলে, অনিশিক্তু লৈথম্নুরো মথংলেনা, অতুগা মশক ৭ কী শেমগৎ শাগৎপা মরম্নু পাওশাবা লৈফম অসিবু (পুত্তরেং শাংনপুং) মিংজুল্লোঃ অতুগা পারি ইচানা লৈথমখ্রিবা মশক ৭ অসিবু তানয়েদে, হাকথি, হাকাম চন্দ্রে তিংলি য়াংলিদে অঙ্গ অঙ্গোক্তু পাওথম্নখিদে মশিবু কমদোবা ? পরম অতুদি মরুনা নোংদম্নবিও ।।X

নমু তাইবং মীবু য়াইবী থৌপুবা

পারি লাহমিংথোই পারি ইচাগী নোংদম থৌদাম্ নপা ঐনা কোন্নৌ ঙসিদগী থৌহৌনা নোংদম থৌদাম্ থৌপুরগা নপা ঐনা নোংদম্বু থৌপুবদা থৌঙমনরক্রবদি পারি নংমা নপা ঐবু থৌঙমজনবা তেংবাংবিবা ওইগনি ।। নোংদম পাওশাম্নগা অতিয়া মরু সিদবনা মহাক্কি মহাক ওইবা থরাই কৌবা লাই ৫ বু শাথোক্লুনা মশক ৭ ভূগী লুরাইদা থুংনিংথৌগী থুঙোম্না নমহুনা লমফাংলগা লৈচংহনখ্রে ।। লাইমিংবু নাপললেম্বা, নপকবা, নোংখাইবা, লৈপুবা, লৈশংবা মিংচুন থাকৌএ ।। থরাই অমনা খোংজাবীদা থুংলে, লাইমিংবু অমুক (তরৈ হংসং) লৈহন্না লৈকমলে ।। থরাই অমনা রেম্নু=মিদা লৈথুংলে, য়েং ওই অনিদা কম্বান খুদা লৈথানা লাইমিংবু (শেম, মান) থাকৌ লৈহন্না ফম্লে ।। অতিয়া মরু শিদবগী মশক্তা খোইদৌগী মথক্তা লাইমিংবু (স্না লোই হিংসং লোইপুনবা) লৈহন্না সনা কম্বাল লাংহুনা থরাই পুম্বগী নোংদম নোংখাইবা ওইহনা লৈরে ।। পাখংবগী মশক ওইবা থরাই নাপলেম্বা কৌননা কারনগী সনা মুমীগী মথাদা লাইমিংবু (সনাহিং মিকোনবা) লৈহন্না লৈথুং ফম্বান্নে ।। লাইরৈমা সনা খোংনাং লৈমগী মশক্তা লাইরেম্বী য়োংকি চৈশু শুবী ইঙৌ মনাক নকপী ঈমু ঈভাং পানফমবী থ্বাংমৌবীগী মশক লৌহনা লাইমিংবু (চিরিও কাভু কাঞ্জরি অরিম্না থ ু ং নপ) থাকৌনা মেকবা লাইয়েক্তা (হ্রীং রোং হোং হুং রোং রিং সং) লইয়েক যারা ৭ না নাওয়োম থানা পাখংবগী খোংলম্বু লৈয়েং তুংইম্না শাদোনগী মথা ওহথ বদা লৈথুংন য়েংথংবা থবাক মথা (খোংশাবিদা) লৈকমলে ।। অনি মক্তা তিলু থানা খোংলম অমা লৈফাংলক্লুনা খোইগী লৈথক খোংশাবিগী মথাদা শাদোন লৈশোক্তা ফম্বী শেমহুনা লৈরে, লাইমিংবু (থুংরিক) লৈত্তল্লে ।। থৌরম্বু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবী ইমানা ঈশিঙ্গী মশক ওইনা লৈচংলক্লুনা ঈরম ঈখোং ৭ পু লেয়াগুনা হবান্দ সনাথম ওইনা লৈহুনা ওইগী কমখোংবু লৈথুংনা লৈরে ।। কদৌবশু ভমদে মশক ৭ পু মপুক তাথিরে অমুক অতিয়া শিদবা মরুগী খোংলম্বু য়েংঙম্লক্লুনা ঈমু নমথাংনবীগী ফম্বাল লৈফম্বু য়েংলম্না লৈকুম্নক্লুনা ঈখোং ৭ পু ওইথম্না য়েংকী কারন ভম্না লাক্লুনা কমখোং ২ বু লৈফানা লৈঙম্নহুনা মমিংবু (সনামুকেম্বু নোসনামনিক) মিংহন্না লৈফমলমলগা ঈখোং ৩০ গী লুতিন মরু ওইনা লৈপুরে, লাইমিংবু (লৈচিংপুন তরেং জিং হিং) থাকৌনা মকগী নাক্তা লৈথুংলদা মশক ৭ পু লৈচু ৭ শাথোক্লে ।। তনৈদবা অঙ্গো অঙ্গা পন্দংবু থৌঙমদে, থৌরম্বু উবদা অতিয়ানা নিংশিংলে ।। ঐনা খাবা ত্তোংবদি লাইমিংথোইদা পীখ্রে, ঐগী ইঙমদি লোইরেনা পা'ম লাইমিংথোইগী মঙম্নীনা রাখন্দুনা লাইমিংথোইবু থাকৌনবা থৌরাংলে ।।x

অতিয়া মরুনা হাইয়ে :— পাৱি লাইমিংথোই শেমগৎ শাগৎপদি শেমগৎ শাগৎপিৱগা তানৱৈ ইহৌদে (উংঙা, হুংঙা) য়াৱা ঈহৌ ৩বু থৌঙমদনা লৈঙম্মিৱা মশক ৭ অশিবু পাৱি নংঙৈ য়েংঙমলিবৱা ? পরম অসিবু থোইয়ুম কনাগী মঙয়ো, নপা ঐনা তোংলম্বা (খাবা শাদোংবু) নফমল্যাংদা লৈশিন্নহুনা পাৱি নঙ্গী নমিংবু (ন্যোং লাইগী মমংদা লৈুৱৈগী নমিংদি ও সা ও ৱা হোং হোং পিংলুপ ও, ও, ও সনা খিৎ .কৱংবা উংঙা হুংঙা হংঙা মিংলেনবু পাৱি নফমলাংদা নপা ঐনা লৈহুনগ্রবা নত্তবৱা কৱিবু মুংবু কাওবনো ? পাৱি নংদি য়েনথুক য়েনথাক য়াইওইবা য়েনথুৱেনবা মশকপু নংনিদো ।। নোংমাই য়েনথাক মথোংদা পাৱিনা হোংপু হোত্তনা মঙৌ মহৌনবা তৌঙম্বীৱো ।। নমু তাইবং ৭ পু লৈশক লৈচু লৈয়েংনা তাকওম্বা পাওশা থৌপুনা নপা ঐনা লাই-মিং ইহুন লৈওমলগে ।। ফৈদোম ৪ বু লাকংম্বগী পোবলেন শাংপা লৈহৌ ফম্বী ওইওম্না ময়ুম থৱম শাংনফম নাম্বা হনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োন্দগী) লৈহৌ শাদম্বা পু ৭ পু শাংওম্বনি থৌকাও-দনা মথংলোংনা খানবা নোংদাম্লৈ ।। মরুগী নোংদম্বু থৌপুনা লাইমিংথোইনা মশক ৭ কী খুজিন থাদা থুংনাওবীগী খুজিম্না য়াওনা মহ রুগী মহাক ওইবা নহাক, মহাক হাইনা মিংহুন্দুনা লৈফম যম্বাল লৈথানা ফমলে ।। লৈফম অসিদা লৈফমলবদা লুতুঙ্গী চংলম্বু লৈথম্লক্কনা মশক ৭ কী লৈফমদা লাইবুংথৌ ল.ইয়েক ০ না লৈফম ৬ য়াওনা মরু লোন ৭ পু লৈফম হন্দুনা নোংদম মপা মপুরেনগী থৌগনবু লোংকোৱো অমদা কোলুপ খোংলম লৈশাইনা লৈচংলিবা পৱম্বু লৈথম্না লৈ হাপ্পহুনা কোৱৌহনবনা লু চংবা লাইথমদা লু ৫ বু থমলে ।। লোইদাম থাজনা লুচিংবা (খাবদা) লু ৯ মৱি অম ৫ মলে । পৱম ৮ বু থোক লৈখাইহুনা থমলে ।। মমু মপানবু তুনা হৌ কংৈ লম্বা হনবা লৈবার্দী চংলম মশক ৭ লৈফম ৬ মচু মঙানবু অনিনা মথংলাংনা শমথনা লৈনবা পৌহাপ নোংদমনা লৈশুৱক্লৈ ।। মশক অসিনা চবানলোন ১০ ওইরগ অমুক (অয়াংওহনা) পোত্তনা মশক ৬ তা হঞ্জিন্দুনা (অয়াং নিংঙোনবী) থাকোনা থাংজামনুবীদা লৈতিন্দুনা (তয়াং-রমনাও) ওইরকপা, অতম মক্না (ওকপুয়োই) ওইহুনা মথোই অসিনা লৈনাক্কি শিন্নাকপা ওইনা টশোই ইরাংযমদা লৈরশনু । লাইমিংনা উ উমশিংসং) হাইরগে; নুংঙ্গী পৱম্বু লৈয়েংনা লৈ-হৌখিবগা লাক্কদবগা ভিজু থানা লৈফা লৈথম্না থৌশিন পৌঙম থৌপুনৱকপা উবদা অতিয়া শি-দবনা মুংঙাইহুনা পাৱি চৱৈহন পাৱি ইচাগী নথুংশু থাংলেনবু অমতা মঙাইবা নপানা খেংবদা মিংথুৱেন্দ, য়েৎ থাং, ওইথাং লৈশুনবা নপা ঐগী ইথুংশু (পিংত থাং কুপাফংশেং মিয়াংথা) অশিশু থুংশু ওইৱো অসি কোৱৌদগী হাইনা পিঙমহুনা লাইমিংথোইনা তানফংলে ।।১

লাইমিংথোইনা থৱাই পানবা গুম্বগী হকচাংবু লৈপুনা শাদম্বা

হকচাং হাইবা মশক অসিবু লৈপুনবা মশক অমা (শ লাইয়েক্কি মশক্না নাওয়োমহুনা লাইমিংবু

লাইমিংথোই নোংশাবা হাইনা মিংহুল্লে ।। মশক ৭ কী হকচাংবু পুহন্দুনা লৈশিম্নরগা মেরুবা লাইমিংবু (পু'চেপ ঙাংথু পহু) লৈহুম্না হকচাং হাইবা অশিবু শিনবা থুংনা লৈপুনবা হকচাঙ্গী মন্নুংদা লৈহাপ লৈথমলে ।। য়েলুপ শথাই নমু তাইবং মিতম্বা ৭ কী খুজ্জিন খাদা লাইমিংথোই য়েনখু য়েনখাক য়াইনা মহাকমক্কি মশক ওইনা মঙম্ লৈহম্লিবা (নহাক, মহাক) হাইবা মশক্না য়েলুপ মশক ৭ অহুগী খুজ্জিনখাদা লৈফমলবদা মসিংবু (খুমুতুংইম্নবা) মিংহুম্না লাইয়েকপু মিংহিং তরৈশং লৈপুবা) কোনা লৈফমলে ।।x

মতুংদা তানয়েফম লৈফম্ ১০৮ লৈশুনবা লৈয়াং লৈশেংমহুনা লৈযম খুদিংদা লৈফমলে ।। মঙাং, লুরাং, খুমন অহুম্না লৈতিনফম পাখংবগীনা শোইমাং লুরাংগীনা শোইনিং লৈরোং লৈকা ৪ পানবা লৈফমদা শ্নাফম খুদা অমা থাহুনা লাইমিংবু (সিনাখ) লৈহুল্লে ।। মতুদা মশক ৭ পু মচু মঙান লাকপা লৈহৌরে ।। থৌরম্বু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবীগী মশক্না মচাগী তেংবাঙ্গে নিং-লহুন্য ওইগী কমখোংনা সনাফম খুদা অমা থাহুনা লাইমিংবু (তিনখোইবী) লৈহুম্না লৈফমহুনা লাইমিংথোই মচাগী তেংবাংবা খো.হীরে ।। পলেম মমাগী কুবী নোংদম্না তেংবাংনীববু উবদা ইপুক হরাও তয়াম্না লাইমিংথোইগী মশক ওইবনা মক অহুমগী লৈতিনফম্ য়েংহুনা মাগী খেং-লম্ ৪ থোক্না লৈফাংলে ।। মমিংবু (অচাওপুং, চাওদপুং, পাক্নপুং, পুন্নিপুং) কোরে মবিমক্কি মমিংবু (সংসংদা হিংলিক হো) কোরে ।। পাখংবগী মশক্না লৈচংনখিবা থরাই নাপনলেম্বনা খোংনা লৈহৌখিবা মউদা সনাফম অমা মরোং লৈনা ১০ পান্না শেমলগা মনা ৪ বু লৈ বাং লৈংম্না লৈফম্ উন্দ্রা মিংহুম্না - ইপা ইপুগী পোক্ন শাংনফম মিংগুম্না লাইমিংবু (মিহিং সং নংদা অপ.খা) লৈহুম্না ফমলে ।। লাইমিংথোইনা মনাওগী মতৌ থৌরম পুম্বগী লুংিবা ওংজনিংববু উবদা নমা পুক্নিংদা খোইজং খোইদম্হুনা উন্দ্রা শিদরা মক যম্বাল থোং কংলোইয়া কুচু রায়েন থৌদাযম (খোইদৌ শোরা), কোরৌহনবগী তানয়েফম মিংগুম্না লাইমিংথোইনা মনাওদা ... ।। ওইথম্বা লমদা লৈম্নুং থোংঙারেল, খাবা তাংলোইলাই লোইদাম থাজনা তানয়ে তানখুমনফম খাকৌন লৈফম অমা শেমহুনা থমলে ।। য়েংথংবদা (মমিং সনা (খামদোন অখাম্বা) মিংহুম্না লৈথমলে লৈঙাক লৈকনবু পাওখুম্নবা ।। মচা ২ গী থৌপু খোংলম্বু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবীনা লাইমিংবু লৈমরেল কুয়োম ৭ মিংহুম্না মশক ৭ পু মচু মঙান লৈহাপ্নুনা মচুবু লেপ্লে কোক্কি লৈফমদা লৈকা অনি পানবা ফমলেন অমা লৈশেম লৈথানা কোক্কি মরাল অহুমগী মন্নুংদা থমলে ।। পীগুম ২ গী মরক লাই-বক্কী ময়াই তম্না লাক্নুনা অতিয়া শিদবগা তিলু থানা লাইমিংবু লৈশিয়েল লৈপুনবী হাইনা থমলে, লাইয়েকপু (কুং হিং) হাপ্লে ।। লৈকন অসিগী য়েত্তা (মঙাংলি) ওইদা (লুরাংলি) বু থমলে ।। অনিগী মরক্তা (খুমনলি) থংলে ।। লি ৭০৭ কি লৈপুনবা (শম্নুংদা) থাংহুনা য়াংবী-

তুনা লৈপুরে ।। লুরাং মেন্দা থ়্গলে লাইমিংবু (তিঙ্গলিং) কৌরে ।। য়েৎকি চুবাদা থ়্গলে শজিক্ন্না ভাল্লে, রাকপা কৌরে, লাইয়েকপু (শংহো) হাপ্লে ।। ওইরোমদা থ়্গলে, থরাওন্না ভাল্লে, লাইয়েকপু (শোহিং) হাপ্লে ।। মিত্তা থ়্গলে, য়েত্তা (মিংচিরেং মিংহিং) কৌরে ।। ওইদা (মিও-রেং মিংহিংমু) কৌরে ।। মিং অনিগী মরক্তা সনা ফম্বাল অমা থারে (কিংতিক) লৈহুন্না থমলে ।। নাপা নাখোং ২ দা থ়্গলে; য়েত্তা (ওকপুরোই) কৌনা থমলে ।। ওইদা তাও হুইরেন কৌরে ।। য়েৎলম থংবা লৈফমদা লুরাং শিদবগী মেনফম্ য়াংলে ।। লাইপক ময়াইগী শমখোংদা (শ্রীং) লাইয়েক হাপ্লে ।। নাথাংদা থ়্গলে (ক্রুং) লাইয়েক লৈথম্না ঈরোং অহুম্ য়াংলে ।। থবাক্তা থুংলে, মরোং ১৬ পান্না সনাকম অমা থারে ।। ওকখোংদা (ক্ষ) লাইয়েকপু লৈহাপ্না থুম্মোকয়াই) মিংহুল্লে ।। লৈকা ১১ পানবা সনাকমদা শ্রীং লাইয়েক য়ারাবু লৈহাপ্না ওকখোঙ্গা থবাক্তা অনিগী লাইমিংবু কোনংসংমিং লৈহুন্না থমলে ।। লকাদা হিং লাইয়েক হাপ্লে ।। লকাগী মথা থজিন্দা থ়্গলে, লৈফম অসিদা মরোং ১২ লোংনা সনাকম অমা য়াংলে ।। খোংশাবীবু লৈশোন্না দ্রীং লাইযেক্কী মশকপু থমলে ।। ওইগী খোমখাদা থুমন মকগী মেন লৈফম্ য়াংলে ।। থুমন তানয়েফম মিংহুন্না (খোমাচম্ লাইনিং চেৎপীনা) লৈপুরে । য়েৎকি খোইথাদা (পোংলম পোংখাংনবী) কৌনা ফমলে ।। থজিনগী মথা খোইদোগী মথক্তা (হুঁঐঁ) লাইয়েকপু থমলে ।। খোইদোদা থ়্গলে, মরোং ১০ পান্নগা মরোং ২ না শিন্নুংদা লোত্তুনা লৈফম্লিবা লৈফমগী ময়াইদা দ্ৰুঁ লাইয়েক লৈহাপ্তুনা লৈথমলগা লকাগী মথা মরি লিশবগী মপাংনা সনাকম অমগা য়াত্তুনা লৈফম অসিদা ফম্বাবু ১ খোক্রা লৈতমলে, মথক ফম্বান্দা ওাক্রমগদবা (কৌক্র পাখংবা) কৌ-গদবগী লৈতম্না থমলে ।। লৈফম্ (অচিবা) হাইনা তমলে ।। মখাদা সনা খোংনাং লৈমগী তমলে লাইমিংবু (নোংশাগী মবেম্মা) মিংহুন্না ঈরম ৭ পু শিন্নহুনা থকথা ২ গী লাইমিংবু (থ়ংচিরিক) মিংহুল্লে ।। খোইদো লৈফম্ খোইশোম্ন (চিরিক চিংক) কৌনা থমলে ।। অংখামচি কৌবা লৈফমদগী খোংলম ২ বু লৈয়াং লক্তুনা শান্নচি—নাতোন্দা থ়্গলে ।। লাইমিংবু য়েৎলম্না হকশো, ওইলমনা (পংশো) লৈহুন্না থমলে ।। খারোমদা অমুক লৈহল্লক্তুনা খোংখাদা য় মথংদা (হিং হিং) লৈথমলগা লকা মরোং ৪ পানবা সনা ফমলেন লুথাঙ্গী শোইনিং, পাখংবগী শোইমাংদা লাইমিংবু (চেখে) কৌনা লৈফমহুনা হ র স, লাইয়েক অহুম্না রাইথু শো ওইনা খোং ৯ বু লৈখিং লৈফারে ।।

মিউদগা, শজুম্বগদা— ক্ষং হং সং ষং লাইয়েক ৪ বু হাপ্লে ।।

কৈফগন্দা,—শং রং লং বং য়ং লাইয়েক থমলে ।।

কৈবাক্তা

খোইদৌদা— মং ভং বং ফং পং লাইয়েক থমলে ॥

থজিনলকাদা— নং ধং দং থং তং হাপ্লে ॥

থবাক্তা— নং ঢং ডং ঠং টং লাইয়েক হাপ্লে ॥

য়েং কময়াদা- এঙং ঝং জং ছং তং লাইয়েকপু হাপ্লে ॥

ওইগী ,, —ঙং ঘং গং খং কং লাইয়েকপু লৈহাপ লৈথম্লগা মিৎ, নাতোন, চিন অহুমদা ঔং ওং ঐং এং ঋং ঊং উং ঈং ইং আং অং লৈহাপ্তুনা লুবাইদা (ওমহা, অঙো মি মিকোন) পাওশানা কামলে ॥ খুদুক অহুদা নোংমাই য়েনথাক মখোংদগী য়েনথুরেম্বা য়েনথাক য়াইনা মহৌ মহৌ লৈফম খুদিং শিম্বুংনা লৈফম্লবদা (অখোম শিংঙ্ য়েনগা শম্ফোং তাইমায়নগা) অনিমক্লা লৈয়াই লৈখায়োন্দগী অখোমচি তম্না লৈকারক্তুনা ওইথংবা শোহিং খোংলমদা হো হাইনা কামথোকাখদুনা লাইয়েক্তগী মৈ হৌরক্তুনা ফগুবা হৌদুবা লৈরম্বা খৈবিকপু চাকথেক্তুনা মাংহনখ্রে ॥ শংহো কৌবা য়েৎকি খোংলমদা রো লাইয়েক্লা হনজিল্লক্তুনা অমোৎপা থুনাম্বা লৈববু ঈশিংগী মশক ওইনা চামথোক্লে ॥ অগুম্বা লৈচংহুনা উন্দ্রা কৌবা খোঙ্গী লৈক্লমদা লৈথুংহুনা (সং) লাইয়েক্লা শোগী মশক ওইনা উন্নাখোং হাংলে ॥ চুক্লেন অহুম্বু চিত্তিল লৈফাম্লে ॥ হগু রগু সগু অহুম্মক হ-র স কৌনা জিত্তিন লৈফম্লে ॥ খোংলম অসিবু কাইদনা হ না অমুক থোক য় না অমুকচং সনা অমুক থোংহাংনা অহুম মক্লা তিলু লুতিন থায়বদা তান্নয়েরে; তিংলিরে উংঙ', হংঙা, হুংঙা য়ারা অহুম্বু শৈরাওনা কাইনা শেংনবগী য়্রারাগুম্বা লাওরক্লে ॥ হাকথি হুকাম চল্লে ॥ লাইমিংবু (হবশো পংশো) লৈহল্লে ॥ খুদক অহুদা মশক ৭ অতুগী খুক্তংবু পাখংবনা পাইহুনা য়েংন্দা পাখংবগী খুদোম্বী (তিং তিং) হাইবা ঈহুম অমা থেংনরক্লে । হীঃ মশিদ করিনো অশাই মখৈদি লৈতে ইপোম অসিনা ইহুনলগা নমু তাইবংমী হাইবা মশক অসিবু শাফাংহুনা উংঙা লাওঙম্মিদনা মশিদি মীবু হিংজি হিংদে লৈথনবা ওইরে, মানা ইহুল্লগা মীবু হিংলিদনা, অহিংবা মশকপু ওইবা অশিদ (মিহিং) হাইনা মিংহুনবা তাই হাইনা পাখংবনা পাওশাদুনা লৈঙম্বা লাই মখৈবু থংহল্লে ॥ পাওশাবু তাবদা লাইয়াম্বু চংহুন লৈকম খুদিংদা পাইহুনা য়েংনৈ। মশিদি মিহিংনা তান য়েবগুম য়েনা হাইহুনা লাইয়ামশিংনা মহৌ মহৌ ইলাং লাংনহুনা মশক ৭ পু য়েংনবা কদাই কমদৌবা ঐগু অমুক্তা য়েঙ্গ পাওশানহুনা ইন্থোক ইনশিন তৌনহুনা চংনরিবৈদা নারোন্দা পাখংবনা মশক মকোক লেন থংববু কনাবু থংহন্দনা লোম্না পুথ্রে ॥ খোইয়ুম ময়াম্বা নমু তাইবং উংঙা লাওরে মকোক অখোই চংখোনবা তানফংবদা রাগুম্বা মচু ৭ পু শাফোংনা শ ৎঙম্লে হাইনা খোইয়ুম অনি তিল্লে পাওশানা অহুম্বু তিল্লে শিংথানবা হুংঙাইনববু তাবদা অতিয়া মরু শিদবনা হাইয়ে । লাইমিংথোই নমু তাইবং ৭ পু পুঙমলক্লো অঙ্গো অঙ্গা পানঙম্লবদি মশক মচুবু লৈয়েংনা এলুপ শথাইবু নপা ঐবু নোংথাইরমগে ॥.X

পাখংবনা তাইবং মশক ১ পুখিদুনা কৌক্ল লাইলোংবা লৈহনবা

মরুগী নোংদম তাবদা লাইমিংথোইনা নমু তাইবংবু ল্লোশিন্নগে লৈচংবদা মশক তরুক্তা ভাইরমমে লৈহনবদা খোইয়ুম কনানা খংভি উই পাওশানদরে ।। লাইমিংথোইনা থোইয়ুম কোহনা লৈঙম্বম্ববু য়েংবদা মশানৌ পাখংববু উঙমদে ।। মাদি কদৌনোংখিবনো মাইগৈ ৪ শুংদাই ৪ বু লৈফানা য়েংবদা মনাওনা নমু তাইবং মকোকলেন্দা লৈথম্বা মশকপু ঔব্রাং কৌনা চীংথক্তা থোঙ্গু মুংপাক ১দা লোংনা থম্লগা নাশ্রাবু লংনা পাওশানদুনা (অঙ্গারা অঙ্গুরা) পাওশা পাওহংনা নোকমিগ্নদুনা লৈবা উরে ।। লাইমিংথোইনা হাইয়ে মরু মশক্তি ৫তা মঙাইরে অমদি ইশানৌ কোঞ্জনতুংথাকপনা পুঙমখিদুনা (থেঙ্গুম চীংদা) থোঙ্গু থক্তা লোংনা লৈথম্লগা নওরাবু (অঙ্গো অঙ্গা) থাকৌনা লংনা পাওশানদুনা লৈঙম্বখরে, নোংদম্ব করম লৈতম বিগদবা ? মশক অশিমদি ইশানৌগী লুলেনগা লৈতিল লৈথমজগে নিংঙম্বগুম তৌজবরা মরুনা কুবিনোংদম তম্বীনবা থৌঙম্বীবনা যাইফংনবা ভইগদরা ।। কোঞ্জিনতুংথাকপ ননাও অসিবু থৌদম থুদিংদা মাগী (কাংলৌ লৌশিংসি) থৌপুনবা হৈঙম্বদা পারি লাইমি থোই হচানা নোংদম্মীংবা থৌঙম্বু থৌঙম্নবা তৌহল্মো ।। মরুনা নচাদা কুবি নোংদম পিঙম্বীবা নয়াথং থৌঙম্নবা থৌপুজগে নচানা অদুবু লৈঙম্বা পুম্বগা লোইননা মরুগ ।। থংডে লাইমিংথোই পারি হচাগী নথৌজান খোইয়ুম লাইয়াম্বু পুদুনা মপা ঐবু চংঙমগ, লৈচনখিবা ঙমদনবা লৈকোই লৈংহনা লিফানবা লৈথম্নবা থৌপুরমগে মশক ৬ লৈঙম্বদা তিনহেং লাইয়েংপা ঙমদনবা মতিক মঙম্বু লৈহানা লৈহাপ লৈথম্মঙম্নবা নোংকোরৌ থবদ লৈথম্নবা তৌঙম্লম্মু মরুগী নোংদম থৌদাবু থৌপুনা লাইমিংথোইনা মশক ৬পু অঙ্গা অঙ্গ তানফংহন লৈফম অদুদা লৈহন্না লৈথম্ম ।। লৈথম অদুবু মরুগী পাওশা রাব্রাবু কৌতুনা (পুনশিনমাংতম পুং) মাল ইতুন নিংশা ইহোনযম মিতুন্না মশক ৬ পু লৈংম্বম্নগা মরুগী হৈনা থোগন তৌদুনা খোইয়ুম লাইবুংথৌ খোইয়ুম মুরাবী লৈঙম্বা পুম্নগা লোইনদুনা ঔব্রাং থেঙ্গুম চীংদা য়োংক্রুনা কোঞ্জংতুংথোকপবু চেনখি চংখিবা ঙমদনবা থুংশম্নবা কোইশিন্দুনা থংলে ফারে ।।

লাইনুরা লাইপাখং লৈখাই পাওশানবা

হাখেকু থাও থাও,
হোপরাহৈ হোরিংখিং
লোমক খাওনক ফদি ফোংচিন মফোংচিন
য়েত্তুম হজিন মহনজল
হোপরাহোই হোরিংলিং
লোমক খাওনক ফদি ফোংচিন মফোংচিন
য়েত্তা হজিল মহনজল ।।
লাইরেম্বীশিংনা লিরোল পাওশা :
শলাইলেনগী লৈকমদা নোংথৌ খোঙ্গা মতোন্দা
থৌদু মুংপাক মথক্তা নাওরা হুম্মি শুবনা
য়াহিপ ফম্বাল লাংওয়া
রায়েন থৌদা নোংদমগে
য়াহিপ চাকচা লৈতম্নিবা
মপা কনাগী মচানো
মমা কনানা পোকপনো হয়ুম হোযাহে ।।

লাই পাথং লাইবুংথৌ মথৈনা পাওশা পাওখুম্নৈ—

নোংম্না মউ থাবনি নোংদমগী থৌদা থৌপুনা
চারিকু মপান লিংবনি হৈয়ুমহে হোয়া,
হৈ যুতে হৈ য়াতে, ও হোয়াতে ।।
অঙ্গোএ অঙ্গোও, ও অঙ্গোএ ।।
উংঙা হুঁঙা হুম হুঁম ।।

অণ্ডাঙ্গ মশক উবদা হয়াও তয়াম্না পাখববু লৈকোই লৈথং লৈফানরিঙৈদা ল্যাইমিংথোইনা য়াহিপ্লিবা মুংফাল অত্তুগী মমাংদা লৈকোই ইশাইফু) অমা লৈতৌদুনা থমণ্ডয়ে । লৈকোই ইশাইফু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবিনা মহাক্তগী তরং ইহৌহন্দুনা ইলুবু ইমাই চোম্না লৈহাপ্লে ।। থৌরম অনিবু উবদা সা খোংনাং লৈমনা মহাক্তগী মহাকুম্বী অমা শাথোক হন্দুনা ঈফু মমুংদা

চোংশিনখিদ্রনা শ্যাগী মচুনা তমজবা শ্যা থম্বালগী মশক ওইনা শাথোক্লে ।। শ্যা থম্বালগী মতুংদা লৈকা মনা লিপুল লাপুম্না য়োম্লিবা ময়াইদা লৈবা (থমচেৎ) অতুদগী মিরাং মরিগুম্না ইহৌ ইকাপ্লকুনা নাওরা হুম্মি শুবগী মচিন্দা তাওহ্রে। অঙাং হুম্মি শুবনা ঈরিক ইকাম্লকপবু খাবোং থম্না য়াহুনা ঈথকুনা খেক্না খেক্না নোত্তুনা য়াহিপ চাকচা কমফম্বু লৈতম্না লৈরক্লে ।। খোইযুম শিংনা মাগী মঙম শিঙ্গানরিঙৈদা লাইমিংথোইনা থেঙ্গুম চীংলেনগী চীংশাংদা লৈকোই ইশাইফু ৭ পু লৈশুনবা লৈতৌহুনা লৈথমলগা হনগুম্লে ।। লাইমিংথোইনা হাইএ, খোইযুম লাইয়ামশা নাওরা অসিদো হৌলম্মহনবা কংলৈপুংমাইয়োন লৈবাক্তি কুবি নোংদম্বা মতিক মঙান লৈহাপ লৈথম্বা নংনা নংনা লৈঙম্বা নঙম্ব, লৈহাপ লৈপুনঙমশে অহুগা মশক অসিদো কোরৌ অসিদগী মঙাংলুদা লৈতিনখ্রবা মশক্তি ।। মযাম্বা ঐগী এলুপ শখাহবু লৈতিনবিগে নোংদম্না ইশানৌনা লৈরৌপ্রবা নোংদম খুন্দা লৈহানবনি পহম্ব, কাইদনবা খোইযুম পুম্বনা লৈহাপ নোংদম্বীরম্লো ।। লাইমিংথাইগী নোংদম্ব, থৌপুনা খোইযুম পুম্বনা তাম্নতুনা (থ, ক, খ, ন) লাইযক ৪ না মাইনৈ মরিগী ৈ ফা উপুং চুক ওইহুনা লৈফানা সুংতনা ফিন্নান মচু ৭ পু লৈথৎনা চুকফা নাওথেমহুনা অংবংবগা মথক্তা অঙৌবা থকখন মখোন ৭ লৈখম্না নাওরা হুম্মি শুবগী মিংলন মিংহুন তম্নবা থৌপুনা ।। খদক অহুদা লৈঙ্গুং নোংঙাবেম্ন মথুংশু খোইরৌ লিখৎ খঙনা নোংদম কোলো- লৈরাংনা চংকতনা হাইএ, খোইয়মশা লাইমি থোনবা ইঙমি ঐনা জেত্তুন তমগনি লৌ- নাংতু মিংলুন লোয়াং লেজুনবু লৈরম্ন ।। নোংমগী য়াইবী কোন্দগী শাথোকপা নাওবা হুম্মি লৈচংবা নঙ্গী লাইমিংথু মঙাংগুদা লৌতিনাংগ লৈখংনবা (শ্যা কোজল্লাংবা ঙাংজ্রংবা) থাকৌগে ।। লৌহু গুংপাক মথক্তা লোংনা হিপ নাখাম নাওহুম্ব, তম্বদি (লাইলোংবা) হাহিংও অশনবা হাহুমগে। লেশং দ শা থাকংদ লেংদম হাল্লি খংনবা (লৈথুবেল খুন্দা অহানবা ওম চিরিং কৌওম্ল ।। থুং থু থংবগা, পোহরে মোহরে চাম্বগা ২ না মথুংফ (থুং থুং, পেনা থুং থুং লিবেন্না, ইবাংথেন পুংমিন্নবনা মথুংফ তানলন লিবৌ খাইগানিহুন লাইলোংবা নমু খুন্দা অহানবগী মঙম নাওয়ৈনরম্লে।

উরা আরো ইরি হোইরৌ হোইয়া
অ আ, আ সো, ইংসো ইংসো
নোংদোন লৈরোল লৈহান খোংচংদা
নোংদান খোঙ্গা লৈতম্নবা
লোইবি থেঙ্গুম মচান্দা
অঙৌবা থকখন্না থক্তা থোন,

১—সনামহীগী মশাই করমবা মকমদগী শখিবগী তাকপা   ২ মেৎতুনা শখিবা মতম।   ৩ পুখোকখিবা মুমিৎ।
৪—চেনী মমিং : -মড়াং, অভোম, নুরাং, খবাং ভানবা; মোইরাং থুমন।   ৫ ইরুধৌশিঙ্গী মমিং।   ৬- মচু   ৭—নাহৈনবা পোৎ।
৮—কংকদবা লৈ :   ৯ মৈ লৌফম   ১০—অপোকপা থুকুন্দা য়াওগদবা মুত্ত।

১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০
লৈফম লৈরৌবা	লৈমেৎপ মতম লোইচুনা শাবা	লিন্থোং চৈনা	নাওয়োম	লাইমিং	ফিশৎ	থিকশেং নহাইবা	লৈথেৎ	মৈ	মুত্তমচু
খোইদৌ লৈফম	নোংভান কোলুপ ৬ তাবদগী ১০ তাব মনুং	চেংযেৎ মক	অঙ্কহং	ভাংবারল চৎরেংবা কোঙ্গল্লাংবা	খাংঙ্নবা মচু	উহমনা নাপী শীংবী	থম্বাল ১০৮ অভাংবা	মৈ মৈ মৈথাং মৈশেং	ভাংঙ্নবা মুত্ত অভুম্বা
খোইদৌ মখ খুদোল অনিদগী	নোংভাল কোলুপ ১ তাবদগী ৫ ৬ ফাওবা	হংশিং মক	নং	পৌপ্রলেল শিদবা কুপকোপো	অঙৌবা থ জ মচু	তাইরেনগা পুংকাইগা	থম্বাল ১০৮ অঙৌবা	তাইরেন্দগী মৈবা	মুত্ত অঙৌবা
শজুম্বা লৈফমদগী	লেংভান কোলুপ ১০ দগী ২ তাবা ফাওবা	অশিং মরু	সং	আ ভাংব-রেল কো শ্লিংল্লাংবা	নাপু ভাং-ঙ্নবা	খে ক-উ রাখোক মনানি	খোঙ্গল মেল্লৈ	খোইজু মৈথাং	মুত্ত নাপু মমুং ইনবা
থক্তিন লৈফমদগী লৈরৌবা ২	নুংথিল কোলুপ ২ দগী ৩ ফাওবদা শাদম্বা ২ দি	ম.র ৎ মক মশিং মক	লু ভা	তাওবুং লেনশিদবা চাওবুংল নশিদবা	খে মচু লৈচেং	নাপু শেম্পু ,, ,,	লৈশং খেকবাইবা মেলৈ	মৈথম য়াই বৌদগী ,,	মুত্ত অমুবা মুত্তভাংতক তৌবা
থবাক লৈফমদগী লৈরৌবা	লুমিদা কোলুপ ১০ দগী ২ তাবা ফাওবা	মশেং মক	লু	বো পোবোং খোকতুইবা	লৈচিল অবাওবা উৎ মচু	হুপ হুপ্লাং	একম লৈ	মৈথাং	মুত্ত অরাওবা
থাগী কোক লৈফমদগী	নোংভাল বাং ৬ তগী ১০ তাবা ফাওবা	মকাপ মক	কোং	কদিবোং	নেংথৌ মচু	খোকনাগা পুংকাইগা	কাক্লৈ	তাইরেন মৈবা	মুরৈশং থানবা

অঙাংবা লৈচুনা খাদা থা,
মঙান মচু তরেৎনা
নোংদোন থকখন লাংতুনা
মাইগৈ শুংদাই নিপান্দা
মচু তরেৎকি ফিরাম্না
মাইগৈ শিম্না য়ুংতুনা
নাওরা হুম্মিদা ঙাইববু
থোহ্ন ঙাংবা লৈথক্রা
নাওশুম ফদৈ থাদুনা
অঙাঙ্গী ফম্বান তম্ববু
মিংতম্না লাইমিং শিংথানা
মিংলেন শিং'থক হাপ্লগে,
খোইয়ুম তাদবা তাহৌরো
থংদবা খোইয়ুম থংহৌরো
ইংসো ইংসো ।।৮

চৈখিলে চৈয়িলা ও চৈখিলা ।।
ঔরাং থেঙ্‌ুম মিৎলম লাইচি অশুপ্পা
লৈলুরেন থুন্দা অহানবা ।
নোংদমগী মউ থাবিবা
চারি মপান লিংবিবা,
অঙাং হুম্মিদা ঙাইবনা
নোংথৌ শৌরাঙ্গী লৈকোন্দা
রায়েন নোংদম তম্লিবা,
মপা কনাগী মচানো


(শাকল অসি লাইমিতোৱাইবা মনাও পাখংবা তাকখিব, কংজাগী শাইকন ৭.১ চি ।)



মমা কনানা প্যোকপনো,
মরুগী নোংদম থৌপুনা
লাইমিংথোইনা শাৎপনি নোংদম্বনা মপানি ॥
কংলৈ শংবগী লুতিন্নী
মঙাং য়ুমদিন লৈতাবা
খুম্মোক খুন্দা অহানবনি ॥
ঐরাং কৌত্র অগুম্বা
নমু তাইবং পুম্বগী
নোংদম্ব খুন্দা অহানবা ॥
কংলৈ সনা লৈবাক্কি
মউ উরেপ ঙকোক্লি ॥
নমুনা খুম্মোক লৈহানবা
নাওরাবু কোরৌ হুম্নিদা শুবনা
মাইগৈ মরি শুংদাই মরিবু লৈতুনা
বায়েন নোংদম লৈকম্বা
কোরৌ হসিদগী খুম্মোক খুন্দা লৈহৌনা
থোইয়ুম লাইরকচন্দবু
নমু তাইবং মশক্না
থোইয়ুম অথোইবা ওইতুনা
লৈফম ফম্ব ল লাংবিরো হৈয়ম হৈয়ম । X

লাইয়াম পুম্বগা লোইনতুনা শারোই ৭১-৭৪-৬১ গী পরম্ব শিন্দাক্ক মৈথয়ম্বগা থোইয়ুম পুম্বনা থৌখম্না অতিয়া মরু শিদবা হৌলম্মা হনবা কংলৈপুংমাইয়োন্দা লৈহল্লক্লে ।।X

লৈহৌবা মশক ও পু মমিং মিংহল্লুনা চৎলম নোংদম্বা

অতিয়া সিদবনা নোংদমলে, লাইমিংথোই মশক ও লৈঙম্বহু কুচু শংলেন অসিদা পুঙমলক্লো ননাও অসিনা তৌঙমদবা লৈতবা অসিনা কাইঙমহুনা থোঁঙমহৌদনা তোকঙমলনি, পারি ইচানা শেমগৎ শাগৎপিবা মতমদা মকলোন লৈঙম্বগা তিলু থানা লৈমেং লৈশানখিববু লৈয়েংনা মিংলেনবু লৈহুন চৎনলম্বু নোংখাইনা এলুপ শাথাই লৈয়েল্লমগে ।। নোংদম রাবু থোঁপুনা মশক ও পু লাইমিংথোকনা (লুরাং নোংফং শঙদগী) পুঙমলক্তুনা কুচুশঙলন্দা অতিয়া মকগী মমাংদা মথংলেংনা থমলে । মকনা হাইএ, কোঞ্জতুথাকপা মশক অমদি নংনা তিলু থানা [illegible] তাইবংবু লাইবমালনগী নুচিংবা খাঙযুম পোাল্লন ওইনা লৈবাক্কিদমক লৈথমগ্রবনি। লৈশক [illegible] লৈশংবা পারি নংগু লেফম্বা অসিদা যাংঙমলা । নোংদম থোঁদাবু থোঁপুনা কোঞ্জনতুথোকপা চংঙমলক্তুনা মশক ও কী কোক্লেন্দা যম্বাম্লব ।। মকনা হাইএ, (কোংলৌতোন লৌহিম্বা) [illegible] পারি নংশে থোঁম থুদিদা [illegible] নুচিবদা [illegible], অতোংবদা [illegible] লৈযম ওইগেদা মহাইবা, থোকমগু খংদবা নঙম [illegible] লৈহ পুং অশিবু কমদৌনা তানযংনগবা, নয়াম্বা লা-মিংথোইবু লৈত্রবদি [illegible] নীংবা থৈদিকপু তান ফংঙনবা রাথন্দুনা নয়াদ্ধনা নোংদম্বাদা, পবম অসবু লৈথনা [illegible] থাদবা লৈপাইন, পুকমহুনা থোঁনিজো ।। নযাম্বংনা নোংদম্বা [illegible] য়ুাতন য়াযেন থোঁ অহুনা খোঙম থোঁপুগদবনি [illegible] নথা লৈতম্না নমথেক নমজ থোঁপুরবা [illegible] যম [illegible] ।। হৌজিক্তি মশক এলুপ ৭ লৈথাইবগে [illegible]

অতিয়া মকনা মশক ও কী নোংদম্বা [illegible] । পারি লাইমিংথোই মশক ও অসিগী তৌ অমমম [illegible] নুচিংবা লৈহাম্লীবা মথোং [illegible] ননাওনা ওইশনু ।। অহুগা কোংহতুথাকপনা লৈবাদ্বী [illegible] ওইদুনা এলুপ [illegible] ৭ কী নুচিংবনি [illegible] ৭ কী শা থাবফম ক লৈপুং মযোন্দা পিবা ফম্বাল লৈ মচা লৈশংদবা য়াদে, লৈযম অসিদা [illegible], লৈগদনা লাই-যম্বু লৈথংদবা য়াদে লৈবাক পুম্নমদি [illegible] মউ উরাংনি ।। অহুগা লাইমিংথোই ইচানা খোইযুম পুম্বগী নুচিংবা রায়েন [illegible] । থোঁপুনা ননাওবু শিংথাক নোংদম্না মশাইকোন্দা নোংদম লৈথম্বীও চৎলম পুম্বা শিংথ। নোংদম তম্বীও। লাইমিংথোকনা নোংদমু থোঁপুদা মশানৌ কোঞ্জন তুথোকপবু থুদোং পালোইনা পুহুনা লৈঙম্বা থুবম লুতুংদা মিংহল্লগদবা লৈফম পুম্বা লৈতা কলক্লে ।।x

লাইমিংথোইন কোঙজম্নুথোকপদা লৈপুবা লাই তাকপা

ইশানৌ কোন্দে তনৌবা নংনা ফম্বাল তোংবদা মশক পরম অসিবু কাওরোইদবনি ।। উশোই ইরাৎফম কৌবদি কংলৈ শ্না পুং মাইয়োনগী মেন্দোংফম লৈবি তোনশোন মরি লৈফম্নু হাইবনিদো ।। কারন মরিমক্তা লাইমিংথোই কৌব্র, অচিবনে, মারহনবনে, রাংএম্নে থাংজিংনে, মরিমক্তা লৈবাক নোংথৌ তুনা চিরা অমদা লাইনিংথৌ কোৎটিংলেন্না লৈকংলাই থাকৌনা চিরা অমদা ফমলে ।। ঙাকপদি কোৎটিংথৌনিদো ।। চিরা অমদা লাইনিংথৌ কোন শংলেন্না, লাইকিংনাইবা কৌনা ফম্লে ।। ঙাকপদি কোৎটিংলেন্নি ।। চিরা অমদা লাইমিংথোই অপুম্বা রায়েন শোইফদবনা পোকপী শানোইশিংথাতৎ কৌনা ফম্লে ।। ঙাকপদি য়োইঙাইবনে ।। চিরা অমদা লাইমিংথোই শলাই-লেন্না, শ্না থম্বান্দা ফম্বা অচিবনা নোংফুরেন কিংনাইবা কৌনা ফম্লে ।। মরি মক্না ফম্নবদা অতিয়া মরুগা অপাম্বাগা বৌনবা উয়ুং ময়াই লৈপাফ নোংথৌতুংগী মতোন্দা (নোংনাংলেন অপোবপা কৌনা) ফমলেদা ।। অশুম্না ফম্ববু লৈম্নুং থাবনা মপুক ভাথিরহুনা তেংনানম্নু শিম্থুংনা পুরিবদি এৈনি, মঙম করিবু লৈহুনা ফম্বা শাবা হাইহুনা লৈবাকপু মাংহনগে ভৌবদা মাংহনবা ঙমদহুনা মানা ওইথিবা মশকপু হাইগে ।x

মহাক্তা মরুনা করি ওইহনখিবগে খংঙো তাও ঃ—

লাইরেল য়াংবী খুদোনপান যুমজাও কংলৈ পুংমাইয়োন তুবালাইদি শেম্থোনাই খুদোন (মনিনাং খুদোনপান) কৌবনি ।। মথানা - ঙায়াম্নি, হকচাংনা— যুমজাওনি, থনাক্পা- কংলৈ পুং মাইয়োনগী চৎলম্নি, চিরক ফাদোং ফম্নি, শেন্দি - লুতোনফম্নি, মিন্তি—ম্নুংঙাইবা পাৎনি, না-তোন্দি—খাবুং লাইবুংনি, (উ.ফাংপাৎ পুঙ্গাইপাৎ) কৌবনি ।। নাকোং অনিনা—শোরোক থোঙ্গ মুপী থোঙ্গনি ।। থয়াত্তি খাপাৎনি= লুতুং লুচামপাৎনি । নখাংদি অয়াং শিংথাফম ওহএ । নাগী মতোম্না খোংশংনে=ফম্বাল তোংফমদা লৈএ ।। যানা জুরাং নোংফংপুংদা থম্মি ।। মরৈনা—নোং খোংবা শঙদা লৈএ।। (লৈফম্বীপাৎ অসিনি) ।। লৈতোম্না—কাংপাকপী পাত্তা লৈবনে ।। খূমাং অমনা—কোলৈমা য়োনা লৈবনে ।। খুমাং অমনা - চৌপ্ পুংয়োনা লৈবনে ।। মশম্না— শমদোংম্নু পাৎ য়োবনি ।। মচি মাপন পানবদো মঙাদি মকনা ফুক্তোকপ্রে ।। অমদি- ফুঙ্গা মখোং মরু চুক্লেন ও ওইনরে ।। অমনা—, মুম্বীরেন ওইনরেদো ।। অমদি—(চিরংলেন ঙাংঙাংবা) থাকৌনা

অতিয়া মরু শিদবগী খুংলাই ওইথ্রে ।। অমদি— রাঙ্গান ইশাইফুদা থম্লি ।। অমদি—লানশন্দা থমথ্রে ।। লাইয়াম্না তান্নহুনা নিজবা মচি ৫দি থৌরম অসিনি ।। মচি ৬দি চাইহুনা লৈরি, মফম থংঙ্রবদি লৈবাক মাংঙ্ডি, মতিক মগুম ময়েং তাই লৈফম্থু খংজরবদি ফম্নাই যম্নাইবা মতিক মগুম্থু লৈচাওজবা ওই ।। পিবানা ফম্বান তোংবা তানফংজগনি ।। তেংবানবব্ু শিনবা থুংনা লৈপুবা লাইনি ।। ইরাংফম থৌনিবু খংলবদি তিম্থুং লাইথংবু তিনকোক লাংকোয়গনি লৈফমদি মাইগে ৪ গুংদাই [illegible]নি ক্যোংচিংদা লৈবনি ।। নোংলুম পাং অনিদা য়াতাখিবনি ।। কংলৈ পুংমাইয়োন্দা তুবা পাফন অহানবা হৌ কংলৈ লম্মাহনবগী কংলৈ পাফন অরিবা তুবি লৈরোং শানা কোম্বাবা কৌনা লাইমিংবু (তরং লৈশ্না লৈতোনশি কংলে [illegible]নশাবা) কৌনা লৈবনি ।। মৈরমদা রাইবোব [illegible] বোনবা লৈফম্থু য়ৌবনি মথা শংথুংদ (লৈশাঙ হিংনপম [illegible] মেংখম্না বে নং লম্থু ধেবনি ।। অনাং চেংখৈদা (তেনপোক মা[illegible]বা মেম্না কোনবা লম্থু য়ৌবনি ।। মাংলম লৈনাক [illegible] মরু (কাং) ফৌবনি ।। [illegible]গী লাইমিংবু (কোং) ফৌথ ।। মকগী শ্না ফনখোংবু (ইম [illegible] শংবা পুরেম্বা) কৌথ ।। [illegible] ফম্বা অনিমক্তা লাইমিংবু অচিবী, অচিবা কৌবনি ।।

[illegible] দলাই, মনাওগী ময়মদ ময়াম্থু লাইমিংথোইনা মাংদা [illegible] [illegible] লৈকম ১০০ [illegible] লৈতোকপীহুনা ফম্বাল লৈফমবা থৌওম্থু [illegible] লোন [illegible] ফম্বাল মেনশংবু (উদ্র = [illegible]) [illegible] ।। [illegible] নোংদম [illegible] তামা শাহুনা (অতিয়া মরু শিদবগী [illegible] ১। কাহাবোব [illegible] মিরেল [illegible]পুনবীদ) লৈথ্র ।। [illegible] লৈকপ্লান বাবা [illegible] ৪। অমাই অনপ [illegible] অমনা [illegible] ।। মতুংদা লাইমিংথোইনা [illegible] ফম্বাল লৈফমজবদা [illegible] ফিরোন [illegible] লাংমিংথোইনা [illegible] লৈমনা [illegible] পিবা [illegible] মাইথিবানা [illegible] লমপুবা [illegible] ।। [illegible] যাগী হাম্থু লৌপিহুনা [illegible] তোংবা পিবা যম্বল তোংবা [illegible] ফম্ব [illegible] লাংদি নহুথো কোকতু থাবপা [illegible] অসিগী লাংবকচম পিবাবু লৈথম্নবা লৈহাপবা [illegible] ফম্বান তোংহুনা রাঙ্গন থৌপুরেদো ।। [illegible] মরু শিদবন [illegible] লাইমিংথোই খুং

ছপাল্লাংদা শাহ্নুনা নমু তাঈবং শেম্ববু লুতুংদা পল্লি ইচাবু রাওম্লনি পি-পা লৈথম্ৰহুনা পাদগী পীনা লৈম্নৌহুনা, পীগী শিয়োম্ভুংদা লৈচংনহুনা শেমগৎ শাগত্তুনা তাইবং মপোক অমা শাথোক্তুনা লৈ-ক্ষম খুদিংদা লৈথম্লবা থৌপুরশি নোংদমহুনা লেপ্লরে ।। মতুংদা য়ুম্বানবা থৌজ্ৰৌনরে ।।x ।।x

লাইয়াম্না তাইবং মপোক শাথোকনবা রাখম্নব

হৈয়ম হোয়াহে থাংজিং, রাংব্রেন, খল্লাংবা; নোংপোক অপাম্বা মাঝিং, চিংথৈ মরু অচিবা, নোংচুপ মরু অশিবা, লৈম্নুং থোংঙারেল, খাবা তাওরোইলাই লোঙ্গা অরিবা মাপনমক্তা লুচিংনা খোইয়ুম উমং লাই পুম্বগা লোইহুনা লাইখুন্দিন থেঙ্গুম চীংদা থোঙ্গরক্তুনা কৌব্রু লাংলেংবগী মফম লাংদা পাওশারৈএ ।। অরাংবা লাইবু লৈগুপ্পা লৈমাই খুন্দা অহানবা নফম্লাংদা নোংদম্বনা মোংদমখিবা থৌরম্ব, মমুং মতম লৈহেল্লবদা ওইঙম্লদ্রিবা অসিদো করি মুংনা ওইদবা, ওইংনা থৌশিনবিরো উঙমদ্রিবা তাইবং মপোক খোংলম লাইরকচনবু কৈশিন্নবা তৌরশি ।। খোঙুন পুম্বনা লৈকা লৈফম্ববু থৌহৌবিহুনা নোংদম্বীবা হৌদাবু থৌঙবা থৌপুজনি খোইয়ুমশিংনা তাইবং ইপোক খোংলম্ব লৈথোনববু মহৌ মহৌ নঙমদবনা ঐবু ভাইহুনা লৈরবনি মমুং মতম্ব লৈহেল্লবনি অসিদা অমবু থৌশিন্দবা অসিব কনানবু! কৌব্রু লাইনোংবগী রাবু তপদা লৈমুং থাবা তাওরোই লাইনা হাইএ— অরাং নিংথৌ লৈগুপ খুন্দা হহানবা হৌরম শাথোম্ব থৌবু থোয়াংবা অতুদি ঐগী ইঙম্নি পরম অতুদ চিংনবিগনু ।। অতুদি নোংথৌ সনাযম্বানবা তেংবানবা মপুরেন উংনৌ য়াইবিরেন সিদবগী মফমলাংদগী ঐ হোইদোক্লুরগে খোইয়ুম পুম্বগু লৈহনবিরো পরখু কাইদনবা খোইয়ুম পুম্বনা থৌঙম্লবা লৈয়াইরেনগী থৌরম্ব থৌশিনব থৌপুনবিরো থৌশিন্নবগা কোরৌপাংনা লৈকারক্লে ।। x

থৌরম পুম্ব খোইয়ুম লাইয়াম্না লৈমুং থাবদা লৈশিন্নরম্মগা মাগী মাগী মশাইকোন্দা লৈহনখরে ।। লৈমুং থাবনা কংলৈ পিবা মৈতৈগু পান্থংবা কোঞ্জিত্থু থাকপগী মফমলাংদা লৈচংলক্লে ।। পান্থংবনা হংজি, লৈমুং লোঙ্গা অরিবা থাবা তাওরাইলাই নংবু করি মুঙ্গীবু লাকপনো? মৈতৈগু হৌলপ্পা হনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু লৈশং ফম্বান থৌপুবা লুচি পিবা নফমলাংদা লাকচাবদি লুচিংলিবা লৈহাপুনা কংলৈ সনা ফম্বাল লৈশংবশিবু ঐগু থরদি য়াওজগে নিংশিংজবা লাকচবনি ।। লৈমুং লোঙ্গা অরিবা ফম্বাল লৈকমদি অমতনি মরুনা নোংদম্লম্বদি করিবু কমদৌনা ফম্বাল লৈফম আন থোক্লা লৈথাই লৈফম্মগনি? মৈতৈগু পিবা ফম্বালবু শথাই এলুপ্নশি লিংশিং পরম্ম নৎচদে, অতুদি

খাবা তাওবোইলাই নংবু কমদৌনা কংলৈ সনা ফম্বানবু লৈশংবা য়াওগে হাইবনো? মৈতৈশু কংলৈ পিবা, লৈবাককী মণী মপা মাংলবা মতমদা মৈতৈশুনা শাথোক শাফোংদুনা লৈশুম্বা পুম্বগী মপি মপা ওইবিনবা লৈঙাক লৈপানবা লৈহৌবিবা মতুংদা এনা ইবুংঙো নঙ্গী চাদা নাওদবা ওইনা নদাইরেন লৈময়েল ফমলেন ৭ লুচিংবী ওইথম ফম্বাল লাংলিবীগী শিয়োম্‌্যংদা লৈচংজদুনা ইবুংঙো নঙ্গী নচা ওইনা শাথোক মপোক ইহুনজন্না লুতুং সনা ফম্বালবু লৈশংজবা তানফংজ্রগে লৈনিংনি॥ লোনজা অরিবা নঙ্গী শাথোক ফম্বাল লৈশংবা অতুদি তাইবং মপোক লাংওন শাথোকপা হাইনা নোংদমখিবা মপোক অতুদি নঙ্গীগুগী শাথোক মপোক ইহুনবা ওইনা লৈশুমগে তাইবং মপোক্তা শাথোকপদি ঐবু শাথোক্তন্ন হাইবনিদনা, উম মতু ঐ হোয়ারগে অতুগা অরোইবা ফৈদামদ"? মৈতৈশু লাংবা চক অতুদি ইতিক ইশুম ওইশুমদে লুচিংবনা শাথোকপদগী মথংলেংনা কংলৈ সনা যম্ন লৈশংবিও॥ অতুদি নংনা কমদোবা? মৈতৈশু মতম অতুদি মপু নঙ্গী অফা হুংঙাই অবাবা অনংবগী পাওশা পাওজেনজবা ওইনা তুবি লাইগী মশক= (তাংজ লিনগী মশক। ওইন লৈফম থদিংদা শিগ্নুংনা লৈংমজদুনা লৈবাক্কি পাওশাবা ওইনা শাথোক শমথনা লৈজগে॥ অতুদি চৌ-জিক নংনা কমদোবা? মৈতৈশু য়াইবিরেনবু হোইদোকপা কৌব্রু লাইলোংবা চৎথরে, য়াইবি-রেনগা লোইনদুনা ঐশু লাকশুম্নবা থৌপুজরগে নফমলাংদা লৈচংলবা মতমদা লোইদাম থাজা ২ বু চেৎ। চান্না কোনবিও॥ পাওশানদুনা মফম্নাংদা লৈহনখরে॥ X

তাইবং মপোক শমথনবা হোইদোকপা

কৌব্রু অচিবনা নোংলোম্দা থোঙ্গারদুনা নাদহনাই উংলো য়াইবিরেন সিদববু লৈপাইনা ইদরে॥ হৈযম হে মপোক অথোই চংখোনবা কোরৌ ঝাপ্লিবা রাংবন বুবিবা অরাংবা নোং-থৌ য়োইরেন তোমপোকপা লৈফম্নিবা থিরেল উংলৈন্নুংদগী লাংথিয়াং তোক্ত শাথোক্তবপা, থৌরা থোংঙাবেল কৌবা শিদবা লাই উংলো য়াকবিরেন শিদবা থরাক য়াইবিরেল মাংসাবা নহাওনা অচৎপা চশুবা পুন্নমক্কি মশক মশুংবু শাথোকপীবা শাথোক শাফোং থোংলম অংম্বু নোংদম্নম্বা নাগাংখাদা লৈচং লৈপাইনা নিংশিংজবনে মপোক খোংলম অমনা শাথোং শাথোকপা) মপোক খোংলম অমনা (লৈমেৎ লৈশা শাথোকপা) মরুগী হবপু মিতম্না (অযেৎ অখাংনা, লৈথেৎ লৈশানা) শেমগৎ শাগত্তুনা লৈথম্না থরাই নিংশা হোন্দবন্ন হোলহম্নবা লৈচং লৈহাপ্না ইপাম্নাম্দা শাদম শাফোংবশু উঙম্নে মপোক খোংলম্বু নমুত ইবা শাথোকপা মিংহন্না খংহনবিরে॥ নিংঙম্নকপদা

খোইয়ুমশিংজী হক্তুগী মতিক মঙমগা লোইননা শাথোক শাফোংবা থৌরম্মু খোইয়ুম লাইগী মপোক ম্রিংহুন্না উহন থংহনবিহুনা লৈফম থুদিংদা কোইজাইনহন্না লৈঙম্মবা নোংদমহুনা লৈঙম্বদি লৈঙম্লে ।। অহুবু শাথোক শাফোংবা খোংলম অনিগু লৈরেপথিহুনা লৈশিনবা লৈথুংববু থৌঙমজে ।। তাইবং মপোক হাইনা মপোক খোংলম অমা নোংদম্বগু উভম্বা থংঙম্বগু তানফংনদে মশিবু করিবু করম্না নফম লাংদগী হোইদোক্লুনা মালেক অসিদা লৈকোই থুন্দানবা লৈশনগবনো কুবি নোংদম ভম্বিরো শাফোংবা মতমগু লৈহেন্লে ।।

লাইলোংবা খোইয়ুম নখোইনা নিংশিংদবনা লৈবনি, নখোইত্তনা লৈপানবনা হুংঙাই য়াইফং ওইঙম্বনা ঐনা লৈথুপ লৈথম্লিবনি ঐবু ঐনা লৈথাইহুনা তাইবং হক ওইগদববু (নহাক মহাক) মিংহুম্না হক্তি মহুংদা লৈগদববু (ঐহাকপু কৌমু) কৌনা মিংহুম্না লৈঙম্ববু হক্লা মুংশাংলবনি হৌ-জিক্তি নংনা হৌদোল্লবনিনা শাথোক খোংলম ১৯ তরামাপন লাইরেক ৪৫ নিফুমঙাবু লৈগুনা লৈথম্মহুনা হোইদোক্লুনা পুঙম্না ।। নংনা হাইববু ঐনা হোইয়ারে, শাথোক্তি কৌথোকপগু লৈ-হনবগী কৌথোকপগু নঙ্গী নঙম ওইহুনা নংনা ঐগী হক নহাক ঐহাক্লা লেমুংথ্রবদা কৌমু কৌবা ঐহাকপু অমুক লৈহন্না পুঙম্লক্লুনা লৈফম অসিদা ঐ কৌবা ঐবু ইফমদা পিঙম্লা ।। নংনা হোই-দোক্লদ্রিবা, কৌথোক্লদ্রিবা মথৈবু ঐগী ইফমদা লৈত্তিন্দুনা কৌমু ঐহাক কৌবা থবাই য়াইবিরেল শিদববু লৈমিন্নগে ।। অহুগা নহাক মহাক কৌবা তাইবঙ্গী হক্তি মশক ওইগদবা (য়াইবি হামোইবগা) মিরেন হামচৎপগা অনি মক্তি লৈফম থুদিংদ লৈজোংনা নংনা মউ চারি থানিংবা লৈযমদা লৈথানবা নঙ্গা লোইনহুনা লৈগম্মু ।। অমদি নংনা নংনা নঙ্গী নশক নঙানবু লৈথম্লিবা রাকপা শক্তিগা লৈশিন্নহুনা ঐগী ইফমদা লৈয়োনবা শিনগদবনি হোইদাকখ্রো লৈশিন্নবে ।। X

লাইলোংবনা ঐহাক কৌবা য়াইবিরেনবু কৌমু কৌনা কৌথোক্তুনা উংলৌ য়াইবিরেল শিদ-বগী হক্লুদগী হোইদাক্লুনা পুন্নক্লে । থবাই যাইবিরেল কৌমু কৌবা মশকপু লাইলোংবনা কৌথোক্লে হায়হুনা লাইলোংববু কৌত্রু কৌএ, কৌৰু লাইলোংবনা মহাক্তি মহাক মনাওগুম্না চৎনা চান্না লৈমিন্নরে ।। অহু হুঙ্গীবু থবাই য়াইবিরেল কোমু হাইববু মমিং অমুক (কেবরেল, কৌনা লৈমিন্নরে ।। লৈফম অশিদা কৌত্রু লাইলোংবগা কোরৌ হুমিং ভন্নি লৈমিন্নরম্মগা মিংবু (লো-কয়াইলাইজি থোংবা) মিংহুন্লে । লাইমিংবু (শলৈতরুন্দপ) কৌরে ।। X

হে মৈতৈঙু নোংদালাই পা-থংবা লৈফম অসিদো তাইবং মীওইবা মপোক থোং-থোক খোংলমগী লৈথুং অহানবা লৈফম্নিদো ।। মক্কমদি নোংপোক রাকপা শক্তিক থবাই পিচাগী

লৈকমদনিদো ॥ মৈতৈশু লাইমিং অসিনা শুম্বু হাইগে - শিখিরোইএ পুন্সিখিগে হাইরবদি শিদে নাদেএ ॥ কমদৌনা মতুদি তাইবং মাগী মাগী হক খুদিংদা নোংদম্বনা নোংদমখিবা শিদবা নাদা হিদাক মউ চারিবু লৈমুত্তনবা (য়েনলো) কৌবা পাম্বী লৈফম ৪৫ বু তাইবং হকপু শেমগৎ শাগৎপা মতমদা লৈহাপ্তুনা লৈমুত্তনবা থাঙল্লীএ ॥ শিদবা হিদাক হৌরিবা লৈফম অসিগী মঙ্গুং-দগী (মিং কৌবা লৈফমদগী য়েন শিদবনে; নাকোংদগী য়েন শিদবনে; খোঙদগী য়েনশিদবগা; লৈ.তান্দগী য়েনশিদবা=(তিনথিৎকা) ৫ বু তিংথৌদা পকপা (লিক্লানে; চুহিনে, ঈশিংনে) তিল্লগা লাইমিংবু নিংশিংতুনা থকউ ॥ নতুৎপু লৈশিন্নতুনা য়েলহিং অমা থাদোকউ ॥ ঈশিং অতুনা নশাগী থেংঙ ১১ বু খরা খরা তৈতুনা নশাবু কোঙল্লু হে মিওইবা শিত্র নাদ্রে খংও ॥ x

মৈতৈশু পা-খংবা অমশু হাইগে শিরোইএ—

হাইরিবা লাই ৩ অসিনা পোকপগী খোংলম্ব শেম্বা হাইবা অসিবু ৩ অসিনা শেম্বনি নোং-পোক লাই হায়নশু কৌই। নোংপোক লাই কৌবা অতুম অসিদো লৈবা ভাক্কনি॥ অতুম অসিগী লাইমিং মকবা অমনা (কে কে রে কে শরৈতুনপ পোল্লি ম্না কোনকুপ মোং হোং হেং উং তিনানৌ তিদরিক্লাং) কৌএ ॥ লাই অতুম অসিগী মিংথৈবু খংজতুনা থৌন্নিরবদি নাতুনা শিবমক ভাবদা .খ ইংলে মক নৈথুংলবশু কুমজ্জা অতুম তশু লৈখাম লৈথম্বা মিংলেন্নী খংও। থৌনিবু হাইগে ভাবিও॥ চুকশিন নুমিত্তি নাবাদা তোও। ফিরই অশেংবা শেংলো॥ অবাং লোমগী লৈংভাইন ফুল ১ তারো। থাংমৈ হৈকক পানা য়াওনা অথেনপোৎ মাইয়োকথা চাঙনা শেমতুনা লাৎলু। লোং ৪ গা শেমতুনা মাইপৈ ৮ দা যুম্মু ॥ অতুগা মাই অন্নাংওন্না লেপ্তুনা ৫ লক কৌও (হারাবা) হাইনা শোল্লু। মতুংদা কহিঙ্গী যুংথক খানবদ মাই নোংচুপ ওন্না শোল্লু (তুং হৌ লৈশংনা) হাইনা. মতুং অমুক হেং হুনা শাবপা ৭ তিংথৌ মপোপ ৭ কা পাহম্লনা মাই নোংপোক ওন্না শোল্লু (তুংনৌ লৈশংনা) হাইনা কংকনি॥ x

মৈতৈশু পা-খ্রংবা হৌজিক্তি তাইবং ইগোক কাদৌরিবা

কৌন্ন কৌবা য়াইবিরেল শিদবনা থোঙ্গুম খোংথোকলাকপদা শনা ম্বয়াল ওইনা নোংলোন্দা নাওকোম্দুনা লৈঙম্লকপা লৈকম্ব হাইরগে ॥ কৌত্রু লাইলোংবনা মহাক্কি মহাক ওইবা আজ্জি

শংকুপ্লেন—রাকপা শজিক কৌবা থরাই পিচাগী লৈফমদা তাইবং ইপোক খোংথোক পন্ম লৈথুং ফম্বাল লৈশিন্নহুনা মথংলেংনা লৈথমনহুনা মঙম মঙানবু লৈহাপ নাওকোন্না লৈথমগদবা পরম খোংলম্ব্ লৈতাক পাওশানা লৈশিন্নরম্মগা হনঙমলক্তুনা খোইয়ুম মালেমদা থুন্দারিবা পুম্নমক্কা উন্হুনা তাইবং ইপোক ওইগদবা মশকপু পীগী শিয়াম্নুংদা লৈথুংলবদা মশক মওংবু শেমগৎ শাগৎনবা লাইথুন্দিন (থেঙ্গুং চাঁদা লৈফমহুনা থৌরম্ব্ শিন্নহুনা মাগী মাগী মথম মথোদাংবু থৌপুগদবগী থোঙাইহুনা তাইবং মপোকপু থংঙম উঙমলনি হরাওনা ঙাক্হুনা লৈএ ।।X

১—শজিক্কা কৌম্নু কৌবা ঐহাক য়াইবিরেনবু (ইরিক কোঙ্গোনগী) মশক ওইনা কোরৌ নুমিৎ ৭ নি চেংনা লুনা নাওকন্দুনা লাইয়েক (উ, আ, ই) অহুম্না নাওয়োমহুনা মেরুবা লাইমিংবু (বুং শং কুং) য়াইবিরেন সনা লৈহিংচিক তুকুপ লন কৌরে ।। মচু মঙাম্না অশনবা মচুনি ।। মিংলেন অমনা (হোম্রিকহো থুপ্পী লৈশংনু লৈয়োম্বী) কৌরে ।। লাইমিং অসিদি মৈতৈঙ্ চিংথৈগী খুমুক্কি ।। ইমুংদা হিপলো, মৈ মুথংলু থৈজ্রুপ মরোল ও শুপলো; ফিরুক থুম্মু, নমিত্তা খুদোম্বীনা নম্মো (নুমিৎ, থা, থরাই পিচা) ৩ বু উগনি, মিও, হাইয়ো ও মকি মশকপু ওইবনি ।। শাগী ঙাগী মশক্তা চংদেএ শিরবদা ।। তাইবং মপোক অথোই চংথোনবা ওইনা শোইদনা মপোক্কে ।। নোংদম্বা মরুনা মচাগী মকমদা শিন্নখিবা লাইমিং রানি থংবিও ।

২ শজিক্কা থাবদা থংদবা :— রাকপা শজিক্কা নাওয়োম্লিবা কৌম্নু যাইবিরেল (সনা লৈহিংচিক তুকুপলেং রুং শং কুং) কৌনবু থেমথোক্তুনা কৌরু যাকপা শজিক থরাই পিচা আঙ্গিগী মশক ওইবগী লৈফমদা লৈবা মশক পুম্নবু চুপথোক্কুনা (ই, উ, ঋ) লাইয়েক ৩ না নাওয়োমহুনা কোরৌ নুমিৎ ৭ নি নাওকোন্দুনা মমিংবু (মিরেল য়াইবি শদবা) মিংহল্ল। X লাইমিং অমনা (ওং ওক হিক নিঙ্গোনপ) কৌএ ।। মিংথৈ আসদি এবু নাহুনা শিবা তাববদা শিদোরিবা নুমৎ অহুবু ঐনা নিংবা থুংদবা নু মং ওইরবদি থৌনাংদা ২রক্তুং শোল্লু নুমিৎ ২৮ নি য়েথোকএ ।। ৩ লক্তুং শোল্লু নুমিৎ ৩৪ নি লৈথামনৈএ । X

৩ থাবনা নুমিত্তা লৈশিন্নবা :— থবা থরাই পিচানা কৌম্নু য়াইবিরেন সিদনবু নুমিত্ত লৈশিন্নরে ।। চিংঙ্ নুমিৎনা থবনা থংথারক্লিবা মিরেল য়াইবিসিদবরু খোইজং লৈতানা চুপথোক্লুনা (এ, ঐ, ও) লাইয়েক ৩ না নাওয়োম লৈথানা লাইমিংবু (য়াইবি তেতৌম্নু) বৌনা কোকৌ ৭ নিবু লৈথম্লে ।। লাইমিং অমনা (ওহ্রিক হংকুপ হংচো) লাইয়েক য়ারানা মেরুবা হাপলে ।। মৈতৈঙ্ নোংদালাই লাইমিং অসিদি নারবা মতমদা ফগে নিংবা মতমদা ফবা ওধনি ।। লাইমিংবু নথুংবাক্তা শোন্দুনা য়াহৌরকপা মতমদা নপুক্তা পম্মু উপ্তুনা । হৌগত্তুনা তিংথৌদা পকপা

লিক্লাবু লৌ ।। লৌবদা হাইনি— (লাইথুং লাইনা শিগদববু কোকপা ওম্বা লিক্লা তাক্তবা নংনে ঐগী ওইরোমদা (য়ুমশানা লৈঙাক লৈকন হন্দুবা শিদা নাদ য়াইবু হাপ্লিরো) মুম্বিত্তা কৎলগা মিত্তা থরা হাপ্লু থরনা থকউ শিবা হৌনদে ।।

৪ মালেম অঙানবনা তাওবোইলাই চিংঙু থাদা :— হে তাওরোইলাই চিংঙু থা থরাই য়াইবি সিদবা অসিদো নংনা অমুক কুবি নোংদম তম্বিরোদো নতিকপু নওম্বু কুবি নোংদম তম্বা হৌরো তাইবং ইপোক্কো শাথোক্লবদা য়াইফ পরম্বু ওইহনা তানথেংনুনবা পাওশানা থরাই য়াইবি শিদববু থকথমহনা শিন্নরে ।। চিংঙু থানা থরাই য়াইবি শিদববু লাইমিং (থবি শিদবা) থা-কৌহনা মেকবা লাইমি না (থুম্লিশংম্বু মিংম্ব সো তিনখাকসং (লৈতম্মা মুংশি খোইজং লৈতানা নোং-কারৌ ৭ নি লৈথম্মা নাওকোন্না লৈথম্লে ।X

মৈতৈ ঙু লাইমিং অসিদো লৈতোন্দা থোরাক্লবা ঈশিং অহুগা লোইনহনা শোন্দুনা য়োৎলু থোকাওদনা থমচেৎ মরুগী মনুংদা লৈবা অনংবা ময়োনগুম্না শংনা নৌনা লৈএ । পুন্দগী য়েন্নিং হন্দুনা তংৌতাহন্না লৈবা ওম্বা পাম্বি মরা তাবা রানি । X

৫ থানা ঈশিদা থংথুবা :— থাক্ক শাওল্লাংবা কৌবনা কৌম্বু য়াইবিবেন শিদবা তেতৌম্বু কৌববু থ থক্লবদা তরং লাইজগী মশক্ক খোইজং লৈতানা গ, ঘ ঙ, লাইয়েক্না নাওযাম লৈথানা লাইমিংবু (হ থু) মিংলগা কোরৌ ৭ নি মম্লবে । X

৬ ঈশিনা মেদা থকথবা :- হেন্দং ইইডনা কোৎথত্তা ফম্বাংবা মেকহিং ঙাহুনগী মফম লাংদা লৈশিংহনা থকথবক্লবদা মৈতৈং ঙাহুনবনা খোইজং লৈতাজবা থেংজমজহনা লো-ঙম্মা মশকপু ((চ ছ, জ) লাইয়েক্না নাওযাম লেথানা ৮ নং (কৌম্বু যাইবিবেন সিদবা হোমুংহো) মিংহন্ন কোরৌ হুমিৎ ৭।০ (থাগান লৈদমলে । ১

৭ মৈইনা হুমলন মুংশিত্তা থকথন . নালোন্দা লৈথম্ব ঙাংহনবা মৈতৈং কৌবনা কৌম্বু য়াইবি শিদব হোযুংহো কৌববু হুমলেন –মালং কোইজাইনবদা থকথরে । হুমলেন মালংবনা থকথরম্বা মশকপু খোইজং লৈতাজবা থোকওম্না মপুক হরাও তয়ান্না থকথরম্বা য়াইবিশিদববু লৈহৌএ হাইবগী (হুমলেন থাংজিং) কৌএ ।। থকথরম্বা য়াইবিবু (ঝ, ঞ, ট) লাইয়েক্না নাওযোম লে-ফানা লাইমিংবু (নিমিহো) মিংহল্লে ।। লৈফম অসিদা হুমিৎ ৬ নি চুপ্পা লৈগমলে, লৈফম ৭ লিক মরু লাইয়েক ২১ কুনমাথোই লৈগুরে ।। হুমলেন থাংজিংনা কোইজাইনবা পুহনা তাইব মংাক

খোংলমগী শাথোক শাফোঙদোরিবা কৌন্নু য়াইরিবেন শিদবা মহাক্কনা নোংকোরো থুদিঙী তাইবং মথোক শাথোক লাপুন অমামম্থু শাফোঙদোরিবগী তাইবং পাবু কনাবু ওইহনশিগবা লৈথি কোই-জাইনরক্লা লৈপুবদা মিংছনবদি (চুপনরা থাংজিং লেপশিন) কৌএ ।।X

মৈতৈগুম্ব মিংথৈ অসিদি ঐগী হক্লা মুংশাং পুল্লি মন্দুনা পাঙনবু শোন্থংক্লবদা নংনা পান্থা মী অমদগী মপাঙন মশকপু লৈশিন্নদুনা ঐনা ওইহৌবা ভন্থা রানিদো ।। খোরমদি শেংলড়িবা ফিরোই ফিজাম অমবু শেক্তুনা নংনা পান্থা মী হৈনা তুংইন্দুনা ওইরবস্তু মাইয়োক্লদুনা ওইরবস্তু শিন্নগনি ।। বাহৈদি (চুপনরা থাংজং লেপশিন) কৌবা তোংলেন তোএ মি মি মি মিতোংথৎ তোংথৎলে, মি মি মি হা তুংইনবা ইনথরো ।। খোরম মমিংবু মাইয়োক্লনা শিনববু (লেপওন) কৌএ ।। তুংইন্নদুনা শিনবা তুংদা লৈদুনা শিনববু লেপশিন হৌবনি ।। X

৮ তুমলেন থাংজিংনা পা ওক্ইগদবদা থকথবম্বা :— তুম্লেন মালং খঙোলবনা কোংচাই লৈম্বুং লৈথিরকপদা লৈম্নুং থাবা তাওরোক্ত লাইগা পাবু খংবা কোপনতুথোকপগা পাওশানবন্দবু উদুনা থাংজিং তুমলেম্না পাখংবা কোঞ্জনতুথোকপগী লুনাই কোইবেন্দা মাইবাবা (চুপনরাবু) থকথনমলে । ফুরেল লৈমা, লুচাওবী, তম্পাক লৈমা কোবৌহনবা মরিনক্ল খংকদুনা পাখাবগী হক্তুংদা ঠেংগা থাবা তাওরোক্ত নাইং (ঠ, ড, ঢ, ণ) নাইয়েকী মশক ওইনা নাশংখাম লৈমা নদুনা তোংংলক্তুনা থকথারম্বা যাইবিরেন (মি মি হো) গা তিপু থনা লৈথমদুনা নাশমিংবু (ব) হাইনা পুরাক্ত কোইবেন্দা কাপ্পয়েক ৪ না নাওয়োমদুনা, নাওয়াম অসিগী মনুংদা (চনিংনা কোংচাল) ওইনা থাক্তা ১ বু লৈতুন্নবদা পন্থৌ অদুগী কেঞ্জন তুপনাকপা পাংবেগী দাগুম যেৎদবদা লৈবুম্ন দুনা ঐনা লৈরিবা হক উবাং আসবু নাপ্রি কবাবু লেপ্পিশবনা কোইনা য়েংবা হৌএ ।। কাইদোংনবা হক অদুগী (শাম্নচি) কৌবা লেফমদা তেংনানবৎ নোংদাম্নবা ঐ, হাইবা নশক্লা হদি মাপাক্তা সনা ফন্থাম্লাংনা লৈতুন্নগে চাংগ থাক্ল নিংশিংদা হৈনা মহাক্তি মশক মদানবু লৈহাপ লৈথম্বিবা লাইয়েক অহুম্না খোংখোক চিল্লথু লৈফাওদুনা মাঙ পাইচিংবু নিংচিংদুনা লাইবু নিংথা লোক-নিংবগী মশকদুনা লাওগু জাংদা নিংশা ইদুনদা তোংনা শাকদুনা শাম্নচিগী খোংথাম অনিদা লৈববু কৌম্নু য়াইবিরেল শিদববু (র) গী মশক ওইনা হৈনা উপক্ল; শাম্নচিবু মকুগী মশক ওইনা উরক্তুনা, হে কুরং কৌবা নংবু লাওগবা ঐগা পাওশাশে এগা নাংগা । শাম্নচিগী খোংথোক খোংচং লম্বী অনিদা শাম্নরীবা তুমলেংগী মশক ওইনা চংথোক চংশীন শাম্নবনা থুম্নমী । ঐ লাকপা যাদ, নংনা থল্লীবা থীরীবা অদু ঐগু নত্তে, নংনা উগে থঙে পাশম্নগ হাংরগা ঐনা খোৎচংখীবা লম্বীবু নংনা মুন্না য়েংলগা চংলক্তুনা লাও হাইনা হাইনা হনজীনখীএ ।। অমুকস্তু থোকতম্বা চংবস্তু

চাংঙমথিবা হুকং হন্দা চখোক চংশিন শান্নহুম্না লৈঙম্লিবা খোংলম্বু থৌয়েংনা য়েংবদা উরে ।। হক্তি মখোক্তা শ্না অম্ছিংবগী লৈচুনা তমজনরিবা মরু ওইবা মোইতান কৌবা = ঙাম্ন থঙ্গোংবু তোংহুনা মতম অহাংবা লৈথমদনা হকপু শাথৌহুনা থৌদা নোংদমরিহবু উরক্নে ।। মশকপু উবদা য়াথনবা হৌরে, মশক্তি উরে লৈকমগু থংলে, অতুবু ঐবু কৈদৌঙৈ কৌবিগবা করি করম্বা মতমদা চংলগবা য়োঁঙম্নংনা পাখন তৌনা মাগী লৈফমদা হজিনখ্রে ।x

মৈতৈঙু নোংদালাই পাখংবা মতম অসিদা কোঙনতুখোকপা পা-থংবনা মাগী হকুঙী মরু ৩ না নোংদম্বা নাপু ঙাংঙুনবা (সংফাম্নু) কৌবা থাজা নোংমা পানবদগী ১০ নি পানবা, ১১নি পানবদগী ২০ নি পানবা ফাওবগী নাপু য়াওথাংনবা (সংহেম্নু) কৌবা; ২১ নি পানবদগী ৩০ নি পানবা থাজা মশক উবদা ফাওবগী মরে য়াওথাংনবা (সংত্রাম্নু) কৌবা মচু অহুমনা উবা ফংলক্তহুনা পী-গী ফিশেং ঈভিন মুনিংপু লৌয়েংনা লৈঙাইহুনা লৈঙমলে ।। মতম অসিদা কৌম্ন য়াইবিবু লাইমিংথোই লায়োম্লাং তমৌবা কৌনা শিম্নুং খেনলমদা লৈরে ।। পী গী ঈশেংবু ১৬ তরাগা তরুক্তি লৈশুব। মুনিগু পা-গা পী গা লুতিন ফম্বাল লাংমিম্নহুনা (হো-হা) হাইনা থরাই য়াইবিরেল কৌম্নু (ব) গী মশক ওইনা কৈববু পানা থাকৌফকপদা লবাই কোইয়েন্দগী নাম্বরঙুনা পা-গী শিম্নুঙী কে কি ওংকোংনা তমঙংবিবা হকুঙী অকুৎপা মযমদা ভাবরে ।। লেথম অসিদা লিক মরু লাংয়েক ২৫ গী নয়ওয়োম্বু লোইদনা পা পী অনিনা (হো-হা) হাইবা লাইমিংবু শোম্নকপদা লোঙম্বা হুমাদ্রে ।। লৈথাংবা য়ারুহুনা মিটগী লৈকমদা হাইংথিহুনা পী গী পুঙ্গাই মুঙী লাপাগী তেংবেংনা তমজরিবা অকুৎপা ২৫মদা য়াইবিরেল শিদবা লইমিংথোই লযোকলাংদা লৈববু মমিং সনাবেন, সনা তুকুপলেং সনা লোইচিক তুকুশলেন লৈঙন্দুনা (লাংবুং মনিক সনা-না য়োমহুনা মমিংবু (নিঙ্গোম্বি) থাবৌনা (য়া) হাইনা ইনশিল্লকুনা লেথমল পী ওইগনা মিউ লৈচুপ লৌচক খোইজংনা (য়ে) হাইনা লৈচুপ লৈথম হৌরে ।।x

মৈতৈঙু লাইহাৎমং অসিদো তাহুবংনা হকী লৈয়োন এনিংবু লৈতহক্রুবদা সনা খোংনাং মনা ৭ তা শোল্লগা মতুংদগু শোন শোন্দুনা মিউদা য়ৈয়ু ।। মথক শাজুম্বদগু য়েও ফুও শোইদনা হিনা য়ানি ।।

পা-গী মমিংবু (শেমগৎপা) কৌইদো ।। পী-গী মমিংনা (শাগৎপী) কৌই দা। পা গী নোংদমবু শাগৎপী ইমাগী লিয়োম্নুং খোইকং লৈতাজবা ওইজনা থৌরমবু থৌঙম থৌপুজবা লইজনবা(চিংঙু থোংজান খুদিংবু) পুরুম ইয়াংনা থাগোন থৌনিনা লৈঙমলকলে ।। পী শাগৎপীগী পুরুম থৌনিনা হকথিবনা চিংঙু শিংবু লৈথাং

লৈফম্না লৈবা য়াদহুনা পি শাগৎপী শিয়োম্মুংদা লৈচংলক্কুনা জাজা ৩ বু লৈচংলক্কুনা মাগী মাগী মথৌ মওম্ব থৌপুনহুনা (তাইবং মশক) শাথোক শাকোক্লদববু শারেপ্পবা শাগৎনরে ।। লোইদাম থাজা ৩ বু শেমগৎ শাগৎনবা পৌপুবদা তুমিন্না লেংদনা পীগী শিয়োম মুংদা য়াইবিরেল নিংজাত্তি কৌববু মমিংবু (খোইদৌ শল্লাই রা) কৌনা খোইগী মথাদা (রা) কৌনা থমলে ।। লাইমিংবু হৈরোম লাংবম রা লৈহুন্না শাগৎলকলে ।। তুমিন্না লৈএ লেংদেএ ।।

পী শাগৎপী ইমানা থাজা ১০ নাওপুবগী থৌরম

মৈতৈগু নোংদালাক্ট পা খংবা কংলৈ পুংমাইয়োন লৈশংবা ময়ুম শখাই ৭ কি লুচিংবা পিবগী ফমলেনবু সনা ফম্বাল লাংবিনবা শাথোরকপা তাবিও, খোইজং খোইদববু ওইওম্বীহুনা ।। হৌজিক্তী (নমু তাইবং) মশকপু ইপাল্লাংদা শেমগৎ শাগত্তুনা শাথোক্লবা থৌপুবদা ইপাল্লাংদা খোইয়ুম মওম চাওবশিংনা মাগী মাগী মওম্ব থৌপুনহুনা শেমগৎ শাগৎপা থৌরম্ব তোকলশে ।। মালেম লৈকোইববু লৈথংনবা লৈথম্বা য়ামববু থৌওম্নবা থৌপুবদি লৈথুংলরোই রাখম্নবদা লৈথংনা লৈশিন লৈথম্নবা পী পা অনিদা লৈশিন্নহুনা (তাইবং) ইপোক শাথোক শাকোংবা খোংলম অমা অমুক নোংদমহুনা থৌরম্ব থৌওম্নবা থৌপুনবনা পী ওইবা পালেমদা লৈথংলবদা পীগী শিয়োম্মুংদা খোইদুম শিংনা তাইবং মশকপু শাকোংবা য়ানবা থৌপুনহুনা শাথোকপা শেমগৎপা শাগৎপা পরম্ব মথৎলেংনা পাজরকলগে তাবিও ।। হয়ম ।।X

পীগী শিয়োম্মুংদা লৈথংবদগী লোইদাম থাবুং ৩ বু লৈচংনা তাইবং মশকপু সেমলে ।। অহানবা শাগৎপী ইমাগী মশক ওইনা (লৈশিরেন লৈপুনবীনা) লৈচংলক্কুনা ইরিক কোঙ্গাল (সনারেল সনা তুকুপলেং সনা লৈহিংচীক তুকুপালেন) কৌনা লাংবম মনিক সনানা শোম্নহুনা লৈরিবা মশকপু (রে) হাইনা পাইথত্তুনা লাইশক লাইয়েক ২০ না নাওয়োম লৈফানা লাইমিংবু (লাইরেম্মা তানৌ মুংদেম্বী) মিংহুন্না লৈমেত্তুনা লৈশাবদা লৈথংনবা লৈথমলে ।। লাইশক লাইয়েক ২০গী লৈশক (ত, থ, দ, ধ, ন, প, ফ, ব, ভ, ম, অা, য়, র, ল, র, শ, ষ, স, হ; ক্ষ) অসিনা য়োমহুনা (ক্ষ) গী মশক্লা শেগা ২ কময়া ২ গী লৈফম ওইরগদবা লৈফমদা লৈফা চুকথানা হাপলে ।। তাইবঙ্গী হকপু শেম্নবা মচাক মউব লৈরাত্তনবা লৈহাপ লৈথম্বব উরহুনা খোইয়ুম কৌরু হুংশিং শিঙ্গবগা তাওরোই লাইগা মাঙ্জিলা, থাংজিঙ্গা, নোংপোক মরু অপাম্বগা, লৈমরেল সিদবীগা, সনা কোঙজন তুংথাকপগা, অতিয়া শিদবগা তেংবানবা মপু উংলো য়াইখিরেনগা ঐগী ঐহাক

ওইবা কৌন্নু য়াইবিরেন শিদবগা লৈচং লৈফমছুনা শেমগৎলক্লে ।। মখোক লৈফমদগী (মরি লিশাবা= খোইরিতিং) কৌবা শেম্লে ।। য়েংথংবদা চংনিংহেনবা, ওথংবদা তপোপ তয়াংবা কৌবা শীংলিবু লৈথম লৈফানা য়াংলম পাংবদা লোংবা থেক্লা য়াংবু নম্না লৈথমছুনা শিংলি লুচিংবা ১০ গা হুমলেন থৌপুবা ১০ গা লিশম্নছুনা শেমলে ।। শিংলি ১০ গী মমিংবু য়েত্তা (চংনিংহেনবা), ময়াইদা (মরিলিশাবা = খোইরিতিং), ওইদা তপোপ (তয়াংশাবা) কৌবা শিংলি (৩) না লুচিংবা ওইনা ঈশেং খোংলম (৩)বু লৈথম লৈকাংনা মখাদা খোংলম মরি লৈথমছুনা শিংলি মিত্তরেং মিহিংম্নু; শিংলি মিৎতরেং মিহিংম্নু, শিংলি চিংখৈ লাবা = শংহো কৌবা, শিংলি শমাদোন য়াংবা = শংহো কৌবা, শিংলি শমাদোন য়াংবা = শোহিং কৌবা, শিংলি মৈরোম্বা = থৃংচিরি কৌবা, শিংলি তিংলিংশং, শিংলি চেখেকু কৌবা লুচিংবা ১০ অসিনি ।।x

হুমলেন থৌপুবা ১০ গী মমিংনা—হুমলেন য়াইবি শিদবা, হুমলেন য়াইবি হামোইবা, হুমলেন হকপুবা =লৈপু লৈশংবা, হুমলেন লৈয়াবা, হুমলেন মিত্তোংলেন, হুমলেন তনিক তশোইবা, হুমলেন ইথৌ ইয়াবা, হুমলেন য়াকৈ ইহুনবা, হুমলেন হকযাং লৈপুবা, হুমলেন মরু শিদবা = (নোংদম নোংখাইবা) অসিগা হাপ্লা লোইরে ।x

মরি লিশাবদগী (তিং) শেম্লে, খোইতিংবু শাদোক্লে ।। তিংদগী লু শেমছুনা হাপ্লে ।। লুদগী (রাম) শেমছুনা হাপ্লে =লুগী মথক্তা কুপ্পবা রাম—বু রামপান ।। রাম হাইবা কুরামপান = কুরাম্বান্না কুপ্পবদা শিংলি শিংনাও মরি মরাবু লৈশিন লৈথম্বা হাপ্লে । শিংলি শিংনাওগী মথক্তা (তোং) গী মশকপু শেমছুনা হাপ্লে ।। তোংদগী ঈগী মশকপু শেমলত্তুনা হাপ্লে ।। ঈদগী (কু) শেমছুনা কুপ্লে ।। কুনা য়োম্নবদা ভুপোক্কদবা লাইবু =খুজিন পোক্কদবা লাইবু তাইবং ওইগদবগী হক্তুংদা লৈচং ফম্বাল লাংছুনা লৈরে । তিংগলদে য়াংলিদ, থাংবা (৩) লৈংবদা মক অত্তিয়াম্নামপারি লাইমিংথোইবু (পারি শ্নাতল সনারেল লাইমিংথোই মতি মতিরেল) নংবু কাদৌরিবগে লাক্লোগবা কৌএ ।। লাইমিংথোইবু তাইবং ওইগদবগী খুজিন থাদা থংনাওবী খুজন্না য়াত্তুনা লৈচংলক্তুনা শ্না ফম্বাল ফমলেন লৈচংফম্বু লৈথারগা হক অতুগী মনুংদা লুচিংবা ফমলেন ৬ তরুকপু লৈথারগা লৈরম ১০৮ লৈশুনা লৈয়াং লৈফমলে ।। লাইমিংথোইনা লৈফমলবদা তানৈয়ে র ।। তিংলি য়াংজিরে থাজা ৪ মরিবু লৈচংলে ।।

নোংদম্বনা পীগী শিয়োম্নদা নাওকাপরিগে লৈফমলরে । লাইমিংবু (উং লৈজিংবা লৈফাওএ কুং নোংলুম) উংলৌ য়াইবিরেন শিদবা কৌএ ।। তাইবং ওইগদববু নাওরেংবা খোইরি থি

ম্নি মিংছল্লে ।। অজো অঙ্গা পাম্রিবা তাইবং শাফোংনদম্বিবা মশক্কি হক্ক্‌ংদা লৈচং কম্বাল্লাংলিবা লাইমিংথোইগী লাইমিংব্‌ (মিংস্থা সোতিনথাক সং) কৌএ ।।

লাইয়েক লাইশিং হাইগে মৈতৈঙ্‌— পলেম ইমাগী সিয়োম্‌ংদা লৈঙম্বা থাজা মরি লৈচংবা অসিদা লাইয়েক ৪৫ ব্‌ তাইবং শাফোংগদবগী হক্কি মম্নুংদা মাগী মাগী ফম্বাল লৈফম শেমহুনা লৈঙমদেদো ।। অতুগা নোংলোন্দা কোয়ৌ ৭ তরেৎনি লৈঙম্লকপদা নোংলোন্দা লাইয়েক ২১নিদো ।। পাদা থাজা অনি লৈঙমবদা লাইয়েক ৪নিদো ।। পীদা থাজা অহুম লৈফম্না তাইবং হকপু লৈশাবদা লাইয়েক ২০ বু লৈচংজিদো ।। লাইয়েক লাইশক পুম্নমকসে গাগী হক্কগী ওইবা ভাক্তনি । x

হৌজিক্কি হক্কি মশক শেম্বা লাইগী মমিং হাইগে কাম্নবা মৈতৈঙ্‌ পাথংবা—তাইবং হাইবা অসিগী হক হাইবা মশক অসি মরোল ৭, মশক ৭ অসিনা ওইবনি শিন্নুগী হকপু ।। মতুদী অসিনি তাবিও কাম্নবা পরম্ব্‌ লৈরৌনবা ।। হৈয়ম হোয়াহে—শুমরু = মরি লিশাবা শেম্বা লাইদি মুংশিং শিত্তবা লাইনি ।। তেংবানবগী মপূ লেংদবা তুমদ-মাংদবা মরুনি ।। x

তুবু শেম্বা লাইদি—তাওরোই লাইনা শেম্বনি, মমিংবু তিনতরেং তিনতরিং) কৌনা লৈএ ।। মৈতৈঙ্‌ তাইবংনা লাইমিং অসিবু শোন্দুনা তিনবু য়োৎলু তত্তনা ।। তিনহৌদে তিংয়াং হৌবা কৈ ।। লাইমন তিনমন কাংবা হৌনদে ।। শোন্দুনা থকউ চাও পুশি মুংশাংবা লাইমিং লাংগী য়ানি ।।

লুবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—মার্জিং কৌবা লাইনি, মমিংবু (তৌনকাপ হোথাহো) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো শিরমদাইদা লুশমদা শোল্লু হম্বদবা হৌনদবা য়ানি । x

শিংলিবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—কৌব্রু (ওম ওম চিবিৎ জিভি) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো লাইহৌ=নিংথম্ববু থাম্মি । মিহিংবু হাইথরক্লুনা মফমদা লৈগনিএ ।। লাইমিং অমদি (হুইনি মাংদপাম হুইনি) কৌএ । x

য়াম=কুয়াম্বালবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—থাংজিং লাইনি, মমিংবু (য়োকথাং রাই কোংদিং) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো কেক্রুগুম্না অনানবা, হৈক্রেগুম্না পোৎলিংপা য়ানে ।। মিংনহানা চেল-লক্লবদা শোল্ল হজিনবা য়ানে ।।

তোংবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—নোংপোক মরুনি, মমিংবু (এরং) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো মতম মুংশাংনা মারক্লবদা শোল্লক্লবদা নিংশাদা শোন্দুনা শাম্নৌ থকউ চাও, তোংগুম্বা হৌনদে য়াং কাবা হৌনদে ।। x

ঈবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—লৈমরেল লাইখুৎলোংবীনি, মমিংবু (চিরিও, কা, কতু কাঙুরি অরিয়া থুরুংনপ) কৌএ ।। লাইরা অসিদো থাংনা শোকপা ঈথোকপা মকমদা শোল্লো ঈবু থকপা ওম্বা রানি ।। কোক ওাওবা মিং ফিংববু নেম্নবা ফনবনি ।।

কুবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—কোঙল তুথোকপা পা-খংবনি মমিংবু (সেনত্রেং ত্রেংবা) কৌএ ।। লাইমিং অসে শকপূ শেম্বা ওম্মি ।। পুক্লিং লৌশিং থোকএ ।। হক্কি উনবু খুইবা হৌনদে ।।x

তুবু-খুজিলবু পোক্লবা শেম্বা ল্যাইদি—অতিয়া মরু সিদবনি মমিংবু (থুপলং মরুবা) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো মুমিং খুদিঙ্গী থাজা ১২ বু লৈহাংদনা নিংশিংহুনা হাংজো লাংফমদা শিবা হৌনদে খোইরেনবু লৈথ্রদনা ।। থৌরমশু লংজো তাকপীএ ।।

থরাই য়াইবিরেনবু হক্কি মুংদা লৈচংনবা থৌপুবদি থরাই শিদবা য়াইবিরেন্না নোংথক্লা ৭নি লৈএ থাদা পীরে থবী কৌএ ।। লাইমিংদি (মিংস্বা স তিনখাকসং) কৌএ ।। হকপু তংতনা য়েন্নিংহুনবা রানি ।। শিরমদাইদা ফিরোই ফিশেং হোংহুনা শিবা ওম্বা রানি ।। রাখল চোইদে ল্যাইবু নিংজবা ওম্বা রানি ।। তত্তনা শান্নৌ শোন্দুনশু থকউ, চাজৌও, তিনবু কংবা হৌনদে ।।x

মৈতৈগু তাইবং হক্কি কয়াৎ ৯বু লৈথম্লা হাইগে

হে লাইরেমা শিদবী শিদবা তাবিও, হকচাং হাইবা মশক অসিদো ল্যাইনবু তাইবংনশু পোথাকম লৈফম ওইনা অহিং মুংথিল অনিমক্লা মতম অয়াম্বদা লৈচংহুনা লৈনরিবা য়ুম হাইবা অসিগুম্বনিদো ।। মশক্তি লৈশিরেল ইমানে ।। হয়েং য়ুম্ব শিদোক্লশি হৌগদবা হাইগদবশু নংননিদো ।। মচুশু নপুক তাথিবা নাওইবা তৌগন্নু ।। হাম্নশু হাইপ্রবা রাবু অমতা ওইনা হক্কি কাবু মমিং মশক খাইনা হাইগে ।।

১—কা অমদি কোক্লি ।। লাইশক্তি উংলোয়াইবিরেন শিদবগী মক্তিক মঙানবু লৈথম্লিবা মরু অতিয়া শিদববু চিংয়াংথক্লা লেপ্পুনা কংলৈ স্না পুংদগী কৌহুনা উনাখিবা লাইমিংখোই কৌবরু অশিবনি লাইমিংবু পোয়ান কৌইদো ।। থরাই য়াইবিরেন্নি ।।x

২—কা অমদি পৈনি ।। লৈফম অসিদা লৈবনা কৌব্রু লাইলোংবনি লাইমিংদি অতুম (থংচিরিক) মকৌই ।।x

৩—কা অমদি শম্বোম্বীনে—থম্বোম্বীনে ।। লৈফম অসিদা লৈবা লাইদি মার্জিং পা-খংবনি, লাইমিংদি (উৎত্তিনয়ান) কৌএ ।। ঈশিজী মরম্ব য়াৎলি ।।

৪—কা অমদি খোংজাবীনে ।। লৈফম অসিদা লৈবা ল্বাইদি (অতিয়া মরু শিদবনি) লাই-মিংবু মাপন্নমান কৌএ ।। মশক্তি অশিবা থরাইনি ।।x

৫—কা অমদি থিবোং খাওনি ।। খাও অসিদা লৈবা লাইশু মার্জিংনি=মারহবনি ।। লাই-মিংবু বিয়ান কৌএ ।। শগোলগী মশক্লি ।।x

৬—কা অমদি মশিং খানে ।। মফম অসিদা লৈবা লৌইদি খোংঙারেম্নি লাইমিংদি (কাং) কৌএ ।। মশিদো শাদোংবনি ।।x

৭—কা অমদি শৌনাওনি ।। লৈফম অসিদা লৈবা লাইদি (লাইমিংথোই শনা মহিম্নেননি) ।। লাইমিংবু (তক কক) কৌএ ।। অসিদো অয়ান মুংফান্নি ।। মমিং মিংখৈরেনগী লিকচাও লিপ্লাং কৌএ ।। শোনবিও শিরমলাইদা শদৌ খোংবা হৌনদে ।। x

৮—কা অমদি খোইদৌনি ।। খোইদৌ হাইবা কা অসিদা লৈবা লাইদি (লৈমরেন শিদবীনি / মশক্তি শিম্বোং বাইবোংশুম্বনি ।। অনাবগী মওংদু চৈলাওবা লাইনি ।। লাইমিংদি হেঁৗ লাইরেল লৈকুপ্পী লৈহিংনপ ফা ফা মা) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো মিৎপু উৎশিন্দুনা শাম্নৌ ।। য়াৎফম্বু ঙাওবা হৌনদে ।। খোইদৌবু থুকপা হৌনদে ।। লাইহৌবু শোইদনা লেপকদবনি, নত্রবদি মু ঙাই-রবা হোংনরো শোইদনা শিরনি ।।x

৯—কা অমদি হকচাঙ্গী মিহিং তুনফম মতুদি (ঈশিং, মুংশিং, মোইতান) অহুম মক্তি খোংনি ।। লৈমরেল শিদবী কৌবিগী কাইরেন (কৈখৈনি) মরম অশি থজদবনি ।। পরম খোরম অসিবু য়াৎপা লৈথাইবা লোইহুনা থাজা ৪ লৈচংবা মমুং অশিদা মমিংবু নাওরেবা (মোইরিরি, মিংহন্দুনা পলেমগী হকপু শাথৌ শাদোংলিবা মরুগী নাঙা লৈচংবা খোহৌরেদো ।।

থাজা ৫ লৈচংবগী মথৌ মওম থোং ১৪ য়াত্তুনা মমিংতম্লা হাইগে

মৈত্তৈ পা-খংবা তাইবং মপোক শাফোজদবা মশক্রা পলেমগী শিম্বোম্নংদা লৈচংহুনা শেমগৎ শাগত্তুনা তাইবং ওইনবা শাগৎপবু থাজা ৫ লৈচংলক্লে ।। তাইবং হক্তি থোং ১৪ বু য়াত্তুনা থম্লে ।।

থোং ১৪ হাইবদি থোং অমনা লুরাই লেমফুনি॥ অমনা নাকোং ২ নি॥ অনি অমনা মিৎ ২ নি ॥ অনি অমনা নাথাঙ্গী নাতোনগী খোংলম ২ নি য়াংলে॥ থোং অমনা চিনগা য়াগা য়াংলে॥ থোং অমনা খোঁনাওদা য়াংলে॥ থোং অনি অমনা চগোত্তা লেংলক্তা য়াংলে॥ থোং অমনা মথোক্তা=খোইদৌদা য়াংলে॥ থোং অমনা পেংথোং কৌনা য়াংলে ॥ থোং অমদি ঈশিং থোংদা য়াংলে॥ মশকপু (মোইরিরি শংথ্পলেন মিরেম্ন্) কৌবা খোইরিনা য়েত্তুনা পরমগী খোইজিখাদা লৈথ্রবদা তাইবং শেমগৎ শাগৎপবু লাইয়েক ৪৫ চৈনপ ১৪ অপকমা ৭ লৈতিন ৭ লাইয়েক ৭৬ না নাওয়োম্বা তেংবানবগী মপু উংলো য়াইবিরেন শিদববু নিংশিংজবা তানফংলকুনা থুৎশা ১০ গী লাইয়েক্তা লাইমিং শিংথা ওইহুনা শিদবা মরু নোংদম্ববু থাগোন লৈপাইবা লৈওমলক্লে॥ মতম অসিদা লিকত্তুন মরু লিপূন অমা চলুপ তরুকা কুনগুরে॥ শিবু মৈতৈঙু খোইয়ুম লাইমিংথোই ৫ গী লাইমিং লিকওন ৩ চৈথাবা কৌনৈদো॥X

থাজা ও চংবগী থৌরমবু হাইগে

থাজা ৬ লৈচবদা নোংদম্বনা তাইবং শাফেঙদবা মশকপু শাফোং শাথোকপদা ফিশেত্তুনা শাথোক্লববু কিকোৎ শংবা=নাওফম হাইবা মশক্তা ফিশেৎপীহুনা মমিংবু (মুবা লাংঙাং মঙাং নাঙরা শংপা কুপ) মিংতুনবিহুনা পালেমগী শিয়েম্মুংদা নোংদম্বগা লৈমিন্নবা তানফংলিদো॥X

থাজা ৭ লৈচংবদা তাইবং ওইগদবনবু নোংদম্বনা মমিংবু (হোরে অঙ্গ) মিংতুন্না লৈমিন্নৈ।X

থাজা ৮ লৈচংবদা তাইবং ইপোক্তা থোকখিগদবা খোংলম (পোক্পংগী) লম্বীবু লৈতাকপিহুনা মমিংবু (সংথুপ থুপ্লি) মিতুনবিহুনা থৌখনববু তানফংনহল্লে॥X

থাজা ৯ লৈচংলকপদা হাইজৈদো নোংদম্বগী লৈফমদা॥ নোংদম্বা মরু—মরুনা এরু তাইবং মপোক হাইনা নোংদম্বীহুনা শাথোকউ নোংদম্বা অসিবু কনাগী নাক্তা লৈহুনা, কনাগী থৌখনবু তানফংজবা ওইজনা করি কয়াগবু লোইনহুনা লৈওমগদবা মতুতদি কুবি নোংদম্মা তাকপীও, এদি মরুগী নখোং থুয়ারেন থৌখনবু লৈথাবা ঙমলোইএ॥ নমু তাইবং মপোক হাইনা পরম অসিম্মা শেমগৎত্তুনা নংবু এনা তাইবং মপোক খোংলম অসিদা শাথোক্লু, হাইবা অসিদো নংনা শাথোকপদা লোইনহুনা লৈমিন্নগদবা মশক্তি নংবু তোংহুনা শিম্বা নোংদমগদবা মহাক্তো অসিনে থাঙো (শেম্বা দেরারাবা) অসিনি॥ অসিদো এহারি, এহাকশু মহাকনি, নঙা মহাক্তা থানবা

লৈতনা লৈগদবদি নঙ্গী হক্লা লৈমাংবা লৈমুংপা ওইদরিবা মথৈবু মানা নংবু থানবা লৈতনা লৈগদবনি ।। অহুগা ইপাল্লাংদদি—নহাক্লা মহাকপু শাদোংলু, হক্লুংদনা নংবু মহাক্লা শাদোংহুনা নঙ্গী হকপু লৈমাংদরিবা মথৈবু লৈশংবা ওইনা লৈশল্লু. নংনা মহাকপু থৌরম থুদিংদা পাওতাক্লহুনা নথৌনঙম্বু থৌকাওদনা থৌপুও, নানা মাবু থৌহৌনা থৌপুরিবা পুম্নমক ঐনা থৌপুবা থৌগুবনি কাওগম্নু ।।X

থাজ্জা ১০ লৈচংলকপদা তাইবং মপোক শাথোক খোংলম লৈফাংলে ।। খোজুম শাথুপ =ঙ্ঘিহুপ শেম্বীরে ।। মরুপী লাইমিং তাকপীরে; হে তাইবং নংবু কাওরম্নু (উঁ) হাইনা কৌবদি পম্থৌ নপাবু কৌবনি ।। (হুঁ) হাইনা কৌবদি পলেম নম্নাবু কৌবনি ।। মিংশাগী ঈহোন থুদিংদা (হ, র, স) কৌনা হোল্লা থাকৌনবদি নোংদম্বনা নোংদম্ববু নিংজবা কৌজবনি খংঙু কাওগম্নু ।। মহাক্তি নংবু শেম্লিবা নংনা মহাকপু তোংলিবা (শেম্বা দেব রাবা=শেব রাম) কৌবনি খংঙু ।। পাওশা পাওদাকপীহুনা শেব রাম তুকুপ্পনা নাওয়োম্বীর ।।

লৈমারেল ফম্বাল ৭ লৈফম্বী শ্না খোংনাং লেমবু মতম অসিদা । রাঙ্গোন শংলেন্দা । খোঙ্গুল্লে হৈরোংলৈমা থিওম্বীনা অমাই চাবোকপী থৌচংলে ।। থবাক পীচা থাদোন লৈমনা অমাত মাং-হোক্লবী লৈচংনা লাইরেম্বী মঙাইরোই পুকশিখোম্বী; চিংবা লৈমা, শিদম্নবী, তমথোং লৈমা, চিংঙা লৈমা, ৫না থৌগন লৈচংলে ।। নোংদম্বনা তমং যরা ঈশিংদা থৌখহুনা লৈথোক খোংলম লৈফাং জল্ল ।। যারা ঈশিঙ্গী মথক্তা থাঙ্গংলে হে তাইবং অসিদা তোংহুনা থোকহুম নোংদম্না খোইরিনা খোইশেংনা, নাওফম্না ফিশেংনা খোঙ্গুম লম্বীবু লৈথাং নোংদমনা ইম্থোকক্লে ।। তাইবং মপোক শাথোক্লে ।। নোংদম্ববু উঁখিদরে । কাইনবগী অরাবা, হুংশি মুংঙোম্নবা মিংলেনবু অরাও ইখৌ তম্নক্লে (উংঙা হুংঙা, অংঙা) যারা ইখোল তাবদা খোইয়ুম পুম্বা হুরাওনবে ।। অমাইবীনা খোইরেক্লে ।। খোইরি নাওফম্বু শ্না সঙ্গাইগী থাথংবা লপলেন কাদা লৈকুমখ্রে ।। মুঙ্গং পাংকি ঈশেংনা ইক্লমাইতানহুনা ঈশেংবু উহংনাগা, নাপীগা, শিংবীগনা লুপুনা থিকপেংলে ।। পাথংবা কোঙনতু-থোকপনা মপারিদা মরুপী লাইমিং লৈহাপ্লিরে ।। চিংইরেনশিং=শৈয়িশিংবু মুংয়েদগী মৈলৌহুনা মৈ থাগত্তুনা ইবেম্মা শ্না খোংনা লৈমা থাম্বি মৈবু থ্বাং য়াইহুনা মঙাইরোই লাইরেম্বী পুম্বনা থৌখল লাংহুনা পোম্থনবা ওইনা লৈওম্নে ।। মৈতৈঙু কোঞ্জনতুথোকপা পাবু হংবনা ফম্বাল তোংলল হয়িচক শাথোক্লে ।। মম্নুং মতম্বু হেল্লবদা মচা ইবুংঙো অমা কালেন থাজ্জা হুম্নি পানবা নোংকোরৌ হৈয়েং মরুনা লৈপুবগী য়ুংথক থানবদা তানফজবদা মপুক হরাও তয়ামজহুনা খোইয়ুমশিংবু মুংঙাইনহুনা পিজ পিথহুনা থৌনিজৈএ ।X

চাৰোক নাওদা য়াইফং থৌনি থৌহৌবা মতম

পাব্‌ থংবা হৌকংলৈ পূংমাইয়োন লম্মা হনবগী লুচিং পিবা শ্না কোঞ্চত্তুথোকপগী কুবি নোংদমদগী মদাইরেল হবেম্মা শ্নখোংনাং নৈমা লৈমরেল ফমলেন ফমথোন গকি লুচিং ফম্বাল লাংবিবু মপারি অমা তাইব ইপোক শেংহৌন। পোকওমলে তাংম থংঙমহুনা চিংথে নিংথৌ মরু অচিবা মিত্তোংলেন কৌন্নু লৈতবা ওনা য়েংঙম্বা লাকএ।। মরুবু তানফংবদা কংলৈ পিবা পাব্‌ থংবনা হংতি, চিংথে মরুগু লাকঙম্বার অহুবু হন্দক তাংবং মপোক হাইবা অহুবু থংঙমদবদগী থংঙম্লবা চৌকাক অহৌনা ওইনা (হৈয়ম ২ বা মংম্পু লোমলমদাই) হৈয়িচক ইভানবু লৈহৌনগদবগী ইত্তান, মঙন মশাপু লৈক [illegible] আসিদা লোংদম্বনা ঐবু (পা) হাইনা মশকপু লোংদম্বীহুনা তাতবং ইচা অমা [illegible] অসিব তাংবা মপোক হাইবা অসিগী চৎলগ্নু করিগ্ন কয়। বমদোবা হেনয়া, থৌরম্ব লৈ [illegible] পিং লাগিগ য়াইফা পবম্ব নোংদম্না কুবিগু।। মৈতৈঙু পাবু থংবা [illegible] মতম অসিদো [illegible] মতম্না থক্তা হৌ দি লাইথু ১০০ শা লুচিংশা লাইথং [illegible] তৈতিতি নোংমা লোংমগী চৎলম লেহোংন। মথল মথল [illegible] অখোংপু থোয়ড়ুন। [illegible] দবনিদা অহুবু মৈতৈঙু পা থংবা শ্নকোঙ্কন্থুথোকপা নংনা [illegible] মতম অসি। [illegible] লৈঙম্হৌনব। লৈবাক্কিগু এগী ঐনগু মংম থুদিংদা য়াই-ফ [illegible], অমা [illegible] মহুন পুঙ্গাও [illegible] তাক্ত পাক্ত। চাওনা তানফংবা, [illegible] মরা [illegible] লৈতাক অকম বু যাইফং থাবম পৈবু থৌনি থৌওম্বা শংলেন কাওনিরোন হাত্তবা অনবু [illegible] ইবুংঙোগী যাইফ [illegible] থৌনিনা অসিনা লৈহৌবা ওইনা কাইবিরেল শংলগী মগী মওম্বু লৈহাপ [illegible] লৌনিগু।। নচা ইবুংঙো অপিচাগী য়াইফং [illegible] মপান মউ ফানবা [illegible] পালেমদ তাঙ্গা। ইকু লৈনিনা [illegible] ইপোক গুমত্তগী [illegible] তানফংবা অমমগুব গুমিত্তা থৌনি-গনি ।। [illegible] ? মৈতৈঙু [illegible] কোঙ্কন্থুথোকপ নচা [illegible] শাফোং শাংহাং [illegible] কোরৌ অত্তদগী হক্সংনা কোংবা মমিং [illegible] বদা তাঙম কোরৌ [illegible] পালেম মমানা [illegible] মপাদগী লৈচুপ লোরৌ হৌনা গুমিংলে। অহাদ নাওয়া অ [illegible] লোংকোরৌ হৈরেং হকনা লৈপ্‌না নোকোরৌদা শাফোংথবনি মরু কমদোবা ? মৈতৈঙু মহাদি মকাপ মরুনা লৈপ্‌ [illegible] লোকোরোই [illegible] ইকু তাঙ্গা মরু [illegible]।। মকাপ মরুগী থৌনা গুমত্তা পুরুম থৌনিনহুনা যত্তবা হাঙদিবা [illegible] লাকদবগু লৈরম্বগু কাইথোক্লা লাইতামবা লাকদবনা তাকং থোক্লনা লৈচবা ওনদনবা লৈবমনা তৌবিগু।। চিংথৈ মক অচিবগী নোংদম্বু মৈতৈঙু পা-থংবা

কোঞ্জতুথোকপনা থোরম্ব থৌওম থৌপুনবা (কাইথরোল শংলেনবু) চিংথৈ মরুদা লৈহুল্লে ।। পাবু থংবনা লৈঙাক লৈকন্নবা থৌপুনবা থৌরাংঙে ।। চাপোকপা মুমিত্তগী নোংকোকৌবু শিংথেক শিংথানবা শিং চৈ তরুক শুবা মুমিত্তা নাওরা অপিচার ইরু তাঙ্গ। লৈহুনখিবা মুমিং মকাপ মরু কৌবনা তেংবানবা মপুগী থৌথনবু লৈচংবা কোলুপ তানথংহুনা অমাইবী হৈরোং লৈমা চরে ফিওম্বী অমাইবীগা, মাইয়োক্লবী থরাইপীচা থাদোন লৈমগা অনিনা অয়ুক কোরৌহনবনা নোংপোক পাংলমগী রাতোন লোম্বগী কোলুপ্তা ইবেম্মগী মঙাইরোই লাইরৈমশিংনা ফমুং কাম্নুং, ফিরোন ফত্ত-হৌদি থুনাম্ববু ফিশু-ফিজাম্বা লোইহুনা মরু অচিবনা থিকপেং ইচাইনা অনম অথৌ লাইখাহবিরে ।। অমাইবীগা মাইয়োক্লবীগা অনিনা রাঙ্গোন শংকেনগী মাঙ্গেল থেনচংলাংদা ঈশাহফু ইমাইচোম্না হাপ ফৌথাং লুক অচোনবা মনা মশিং লুকমাই থেন ২, চেংবা লুকথেন ২, হৈকল লাকল লৈথানা মালেম অঙানবদা লৈহুন খোংগাম লৈশারগা থৌনিএ ।।

তিং তিং চাওহল্লু
অঙাম্না খিঙ্গবগুম কাহল্লু
নমথি হঙাই মাংহল্ল
তিঙ্গু লাইচুবা কে কহল্লু
তিং তিং চাওবা
হাদা মালেম অঙানবা
মহৈ মরোংবু চুমহল্লু
লৈরাংবু শম্না শাংহল্লু
হৈয়ম হাযানাশ শুরা ।।

অযুক্তি থৌরম্ব, শৌনোইনহুনা মুমিদাং থৌরম্ব, রাথমহুনা চিংথৈ মরু মিত্তোংলেন অচিবনা লিরুং (ফিরাক মোংথাং) কৌবা ১গা তেঙ্কে (চাগিং নপফা) কৌবা ১ গা শাহুনা থমলে ।। থৌরম অসিবু নোংপোক অঙাইবনা উঙম থংকহুনা মদাইরেন চিংচরোইবীদা হাইএ,- করম্বনো তৌওমথরিবা অসিবু চিংথৈ মরুনা তাইম্নং চাবোক্তি হৌবদা মঙাইরি. থৌরম চৎলমদি লৈবাত্তনা নোংদম থৌপুনবা লৈশিনলক্লে, নং ঐদি যুমলিংহুনা নাওদামরি কমদৌশি হাইবনো ? লাইরেম্বী চিংচরোইবীমা হাউএ. লাইবুংথৌ অঙাইবা নং ঐনা পোল্ল হুনা থৌনংবশু থোকঙম্নরোই করি করম তৌওমগবনো, নং ঐনা খংঙম্বা রাবু নত্তরে মোংদম থৌদাবু থৌওম্নবা থৌশিনবা মরু অতিয়া শিদবদা লৈহং পাওহংনবা থৌপুহৌশে তাম্নহুনা লাক্লে ।। মরুদা হংলে মরুনা হাংএ, অঙাইবা

লাইবুংথৌ লাইরৈমা চিংচরোইবী ঐদি নোংদম্বগী থৌদাবু থৌওয়বা লৈশিনজবতনি থৌরম পুম্নককপু থৌশিন লকপদা থৌওয়বা থৌপুবদি চিংবু শেম্বা চিংচ্রোইরা—লাইমিংথোই অশিবতনা থৌওয়বা থৌপুবা অমগদবনি হৌজিক্তি মাগী থৌরম্নি পান্নি লাইমিংথোইনা থৌনংনবা থৌনিও নোংদম্নে ॥ থোইয়ুম অনিমক্তা তিলু ফম্বাল লাংনা লৈফমতুনা লাইমিংথোই অশিবা মরুবু (মিকু চীংনা থাগোল্লুনা) নিংঙমলক্রে ॥ থুঁদক্তা লৈবা থাংবা য়াদতুনা লাইমিংথোইনা মহাক্কী মহাক অমা লৈথাইদোকুনা কুমজা ১৫ লৈচংলবা (লাইমিংথোই শম্বোং অপাম্বা) লাইমিংবু (শম্বোংনিংথৌনা মোংলাইগী মমুংদা লৈরিবৈগী নমিংবু উংঙা. ভুংঙা. হংঙা) হাইনা মিংহুন্দুনা থোইয়ুম অনিগী মমাংদা শথোরক্কুনা মালেমদা লেপ্পুনা লৈথম্নগা লাইমিংথোই চিংচ্রোইবমা হাইএ, লাইবুংথৌ অঙাইবা, ইমা চিংচোইবী নমিং পাংলো নচা থৌপুনবা থনম্নবনি নচাবু লাও কান্দুনা লৈফম থংনা লৈথম্বীতুনা ফৈদোম মরিবু থৌপুনবা শুইনা লৈথমাহৌরো পাওদাম্নগা মাংখ্রে ॥ পাওশাবু তাবদা থোইয়ুম অনিনা মমিং পাংতুনা য়েংবদা শাথোকলম্বা মশকপু উবদা মপুক থোইজং থোইদজবা থোকওয়্নগা লোইননা থুজেং পালোই লাক্লা মথা মুংদা থাগোম্না মরাম য়াইদা পুশিন্দুনা মপারি শক্লা লৈথমলে ॥ চিংথৈ মরুনা তাইবং ইপোক্কী চংকম্বু নোংদম থৌচৌবগী চংলম্বু থৌনাংতনবা মশকপু পীওম্বা থৌওম্নি রাখন্নতুনা লৈওম্বা থোইয়ুম পুম্বনগু মুংঙাইনরে ॥

ঔ, মপান মরা লেমফু লৈতানবা খ্রৌনি চংলম

নোংদম্বা লাইগীদমক্তা থুদ অম মালেমদা থাঙম্নে ॥ মথক্তা ফিঙৌ ফিশেং অমানা কুপলে ॥ অতুগী মথক্তা ফিরাংজি লৈচু অঙাংবা ফিশেং ১না নমতুনা, মথক্তা অঙৌবা লৈচুগী, ভাণ্ড্রবা লৈচুগী, নোংথৌ মচুঅশেংবা মচুগী খকথন (৩)না লোম্না থাম্নে ॥ থুদা মথক্তা ভাংড্রবা লৈচুগী ফৈচোল ১, ফিয়াক নমথাং ১, ফিবেল নম্বা তোলোক ১, লুংহিং লংজা ২গা থারে । মনাক্তা লৈথেং লৈরাং থম্বাল লৈনা (১০০) কৌবা ১, হৈফাং ওমপোং থারো ১, লৈশংকেন মরোং ১, চাকথাং ১, হৈশাং ১, ওমপোংকী লফাং ১গা থাওম্নগা থোংশি-নাশি, থুংশি, লিকফাং লৈখাতুনা য়েংলমদা লিরুম্বা তেনগা ভাতুনা লৈথাম্নে ॥ ময়াইদা নোংদম্বগী সনা হকি কুয়োম ওইবা পুনা লাইয়েক লৈয়েকপবু (থম্মুং ইংঙাল লৈশাবব) থমলে ॥ মাংলমদা মালেমথক্তা লারোন ৭ লৈ থানা চুঙৌ হৈরুক ১. হৈকল লাকল কবোক অথুম অহাওগা, য়েত্তা মাইয়োকথা চাইরেল পুথম চেং অচোনবা ১দা হৈফাং চংথোকপা ১ লোংনা বাপ্পুনা থমলে ॥ লাইবংথৌ ২গী হৈরুক থাঙম্নে ॥ পুম্নমক্কি মমাংদা মালেমদা চেং অকুপ্পা চাইতুনা থোইয়ুম ৫ বু থাকৌ থাগোন ইরাংনবা মাইগৈ ৮বু

চুকথামা (কম্বী) য়াংলে ।। ময়াইদা ঈশাইমু লকোই মরোং ১ লৈছাপ্তুনা খিল্লগা লংহিং লংজা ৯না কোইশিল্লে ।। থোইয়ুম ৫গী হৈরুক ৫ থারে চেং অকুপ্পগা শজোম, চুহিং, থোইহি লকোই, ভিন্দুনা অনৈ চাজা শেমছুনা থমলে ।। চেং, তিংথৌ মনা ৫ পানবা, থোইদিং অমুবগা লৈগা উহং মনা লৈয়োন শেন্দাং মথাপাবা ১০৮ পৈছুনা থমলে ।। নাপীনে শিংবীনে পাইছুনা মুংকেং পাওগী ঈশেংদা লুপ্তুনা পোংলম পুম্বু খিকপেংলে ।। থোমইন লৈমগী মাইয়োকথা অথেনপোংপু মাইয়োকথা অথেনপোংপু ইচাইরে ।। X (পুরুম থৌনিবা চংলমলোন তাকপা)

চিংখৈ মরু মিত্তোংলেন্না উমচুম অঙাংবা=উঙাংবু থৌহু থক্তা তরং ঈহাপ লৌরগা ঈশাই-ফুদা (কম্বী) লৈচিন ৬ পানবা) য়েল্লপা ময়াইদা ইঙাল লৈশাবা আঙিবু লৈথমলে মশক্তি ওঁ হাপ্লে ।। থোইয়ুম ৫ বু থাকৌনা ঈহৈরে ।। ইরাৎ লাইগী রাবু হাইগে মৈতৈঙু পাথংবা, খিক-পেংবদা লাইরাবু—

ওমহৈ ওমহৈ ওমহৈ
কেগা য়োইগা মোঙ্গ য়াইগা
থৌরি থৌয়াংলাই
থৌরি থৌদিনলাই
থাবা মাবু লাম্নংদে
মুমিং পোংথৌ তম্রিএ ওমহৈ ওমহৈ ।।
পোংথৌ মথং পিজগে মুমিং মাবু লাম্নংদে ।।
য়াবা কোজাংশাঙ্গী পোংথৌ মথং পিজগে
কুমজা পালোন থৌজগে,
ঙাল্লরে তেররে ওমহৈ ওমহৈ ।।
নহাম্নোং মোংবা ভুদৌ খোংদৌঙৈ
তুদেং খোংদেং নোঙ্গী থৌরি থৌয়াংলাই থৌরি থৌদিল্লাই
থৌরি থাবা পোংথৌ তম্রিএ থাবা মাবু লাম্নংদে
মুমিং পোংথৌ তম্রি মুমিং মাবু লাম্নংদে ওমহৈ ওমহৈ ।।

হাওম হায়েং—থৌবিতেং লোইবিতেং চেংলৈঙাই ভাংলৈনাই

উঙাংদৈ শিনশু দৈ লনশুদৈ
চয়োইনা থোংশুদৈং য়াম্বীনা থোংদোদৈ,
হুইথৌনা চিনফেংদৈ, কৈরেম্না য়াথোক দৈ
লংমাই হুইজিন হুইয়া থৌজনা চোথাইদৈ
লৈবাক শেম্বালাই, নমু তাইবংমী শাবা লাই
লাইমিংথোই মক্লা থৌঙম্বা য়াদহুনা
অঙক পুংফাইনা লৈঙম্লরক্লবদা
লৈঙম্বিবা মঙমচাওবা খোইয়ুম পুম্বনা
মথৌ মঙম্বু মাইগে শিম্না লৈঙাক্লহুনা
লৈফম ফম্বাল লাংঙম্না
মাগী মাগী মথৌ মথৌ মঙম্না তরং লাইজগা পান্দম্না
থৌবু থৌরম্বু থৌয়েংনা তরং থিকপেং ইচাইনা
লৈঙাক লৈকন থৌবুনরক্লবদা
নমু তাইবং শাব লাইবু তিম্নম্বা লাইনম্বা,
তিঞ্জুবা লাইচুবা লৈপক্লহুনা নোংদম থৌদাবু
থৌঙম থৌপুনখিবা খোইয়ুম লুতিন ফঙ্গাম্নহুনা
নোংদমগ্রবা খোইয়ুম মতিক হেনবা
মঙম চাওবগী নোংদম্বা লাইরানে
অনম্বা অহাবা তিঞ্জুবা লাইচুবা
তিনশেংবা রানি পানরশি শেংনরশি
ওম হৈ ওম হৈ ওমহৈ হুয়ম হোয়ানগে ইংসো ।।

থুগাম্নি কাপ কাপুনা মাইগে লাইবু লাইমিং হাইহুনা লৈপাইবা থৌচৌরনি—
চিংথৈদা—ওমনিং খ্রিং খ্রিং সংনৈদৈ মিস্তোংলেন চিংথৈ মরু ওরা ।।
নোংপোক্তা—ও সংসস্তে ত্যাইস্নু নোংপোক অপানবা ওরা ।।
মৈরমদা—ও আসং সংতে ওথুনে মৈরম থপ্লাং পনশাবা ওরা ।।
মখারমদা—ওম চুংজুং ফংত্যাগু রাহা খানা চাওবা ওরা ।।
মখোংলম—ওম হুঁ হুঁ সং য়িনেশু রাহা থাংজিংবে ওরা ।।
নোংচুপ—ভংপূং বং সংতে ব্যমাই লোইয়ারাকপা ওরা ।।

কৌব্রু লাইচিং—লিরূম—ওম হুঁ হুঁ ফত হুমলেন মুংশিং শিত্তবা ওব্রা ।।
অরাংদা—ত্যং ত্যং ফতক পোম্নাইয় থাঙ্গ্রোই মায়হনবা ওব্রা ।।
থৌরম্ব লৈভাক্কবা তাওবোইলাইদা লৈহুন অম্মাশিন্নৈ—

ওম কোং খোং পা-পী ময়েক নিক নিক নিক
লোং ল্যোং লোং ব্রোং ব্রোং ব্রোং চিক পান
কান কান, ক্রে ক্রে ক্রে; গ্রং গ্রং গ্রুং কু
লুম লুম লুম সো রো রো রো থুপ থুপ
থুপ ওব্রা ।। থৌরম অসিবু থৌখম থৌনিবু থৌরোইনদরিবা মথৈবু

থৌনি থৌরম্ব অকাইবা লৈতনবা অয়েং অখোংপা লাকভুম্বা নমু চংলম লৈচং থৌপুবা পুম্ববু লৈচংবা ওমদনবা কুবি নোংদমা লৈভাকপীও ।।x

লাইরুরেল ৫ বু থাকৌনা ঈ হৈরে—ওম উংলৌ য়াইবিরেল শিদবা ওব্রা ।। ওম অতিয়া শিদবা ওব্রা ।। ওম লৈশিরেল লৈপুনবী ওব্রা ।। ওম লাইমিংথোই অশিবা ওব্রা ।। ওম মা কোঙ্কুং থোকপা ওব্রা ।। থোয়ুম ৫বু কালেনগী চনি পানবামকাপ মরুনা থৌখ-বগী মুমিদাং কোলুপ অসিদা থাগোম্না মিকু লৈথানজরিবসে লৈফম অসিদা সনা ফম্বাল লাংবিহুনা কুবি নোংদম্বীনবা পুকম লৈপাঙ থৌনিজগে চংজক্কমদা লৈচ হুনা৷ হাইজফমদা হাইজহুন' থৌনি পরম্ব নোংদম্বীনবা মিকু থাজবনি সনা ফম্বাল লাংবিও ।। নগু হে বুং ধে ৗ অপিচাবু পুন্সি মবা লেমফু লৈতামা মুংশাংনা লৈপানবা তানথেংময়ুং পাক্কা শাংনা তানফংবা, হৈরাং চুম্না লৈপানবা, লৈরাংবু শম্না লৈশাংপবু কুবিও ।।x

লাইরুরেল লুচিংবা ৫ বু চেং লৈ, থোইদিং, তিংথৌ

উহংমনাবু লৈহুন্না লাংপা, লাইবুংখো মাইপৈ ভাকপা ৮বু চেং, থোইদিং, লৈ, তিংথৌনা লাংপা

১। খমুং পরম লৈথংজবদগী ইভাম্নবা থোভম থৌরম্ব, শাবেপ শাথোকপা, লাবা থিম্নাং-থোক্না লমহৌবা, উংলৌ য়াইবিরেল শিদবা ওব্রা ।। উং লৈহিংক্না লৈকা ও-এ ওব্রা, কুংবোংলুম ওব্রা ।।x

২। কৌরৌ কাম্লিবা রাংবন কুবিবা অরাংশা মোংথোইবগী মচা য়োইরেন তোনপোকপা ময়ুম শলাই লেন ওব্রা ।। মালেম লৈকুম শাথোকপা মুংগাং মহারাবা ওব্রা ।। ওম সনা খম-লেখম অতিয়া শিদবা ।।x

৩—ও পোকপীতু ঈংখৈরেল লাইওইবী ওবা ॥ ওম তাওবী লোইনাই মুংমু তুমদমাংদবী ওরা ।।X

৪— নোংদম থোদা থৌওম থোপুরেল অচা চাদা লাইচুই চৌরকপা লাইমিংথোই কুবি নোংদম্বা ওরা ।। লাংবন তৌশ্না তৌরিক্লাইবু ইমু মচেং খোম্না থবী শেনগোইরেন অপানবদা য়াহিপ্পা অশিবা মরু ওবা ।। ওম হে মৈচিক শ্মা মুংতুরিকপা, মহি সনারেল ওরা ॥

৫। ও হে সনা কোঙ্গল্লাংবা = ছায়াবা ওরা ॥ মহামনিক খোম্বা ওবা ॥ পাবু থংবা সনা লৈত্রেং খোম্বা ওম লৈ নোংথাং তরংবা চাতং কৌবা ওবা ।।X

লাইবুংথৌ লৈঙাকপা ৮ বু লাংলে—

১। ওম মিরুহিং পূরৈচি চেংচা নিংথৌবা, ফোকচী ওরা ।।X

২। লোইবিক লৈহিংমু সংসংগে ত্যাইশু অপাম্বা ।।X

৩ ও আসং সত্তে ওখুনে খপ্লাং পনশাবা লাইবুংথৌ ওরা ।।X

৪। খ, পুংলেন খমনিংথৌ ওরা, ওম হিং ব কফা হিংক্ক কংফা ওবা ॥ খানা চাওবা খ হিং সনা শিংখিরেল ওর ॥ [illegible] মিহৈ ওবা ।।X

৫। ওম উহ ফ্যাং চিং থং শ্রোং ওরা সনা নোংনাংথৌ তরেংবা ওবা ॥ শঙ্খোং নিংথৌ ওম হুঁ হুঁ সংখ্যিনেশু ওরা । X

৬। তং পুং বং বং সংতা ব্যমায়, লোইয়ারাকপা খোংফেন থৌবা ওবা । হুই সনা বা হুইরাং কৌবা লাইনিংথৌ কোরৌহনবা হুঁ রারিচি ওরা ।। অরোইমু হুমখিখি থং ওরা ।।X

৭। ওম হাই চিংপা হাই ফাহিং কৌব্রুবে ওরা ॥ মিহিংলোন মীপোকপা তৌবা ওরা ।।X

৮। ওম কুং শংতে হিংতে মাৰ্জিং ওরা ॥ ওমথিয়াং রিরি ওই সনা পারি শেম্বা কোন্দে মরিকপা ওরা । X

লিক্লং তেনগা লাংলে :—ফিরাক নোংথাং কুপক্কেৎশেং কৌবা নোংদম্বগী মথুংফা লিক্লং ওরা ।। লৈঙাক লৈকনবা তেন; চাহিং নপফা কৌবা নোংদম্বগী মথুংফা তেন ওরা ।।x

হৌকংলৈ লম্মা হনবগী পিবা; নচা ইবুংঙোগী য়াইফ লৈহুন অক্কুক তম্বীও—হৈয়ম, কোরৌ-থক্কা কৌমু য়াইবিবেন্না হুমলেন মালংবগা লোইনহনা মমিংবু চুপনপন্না থাংজিং লেপশিন লৈহুন্না কোরৌ ৫ লি লৈঙম্মগা পন্থৌ মপা ওইগদবা মপাগী লুরাই কোইরেন্দা থকথ-রমহনা পাগী মফমদা মমিংবু (হো হা) কৌনা লৈরম্মিদে ।। পা-পী অনিনা তিলুক ফম্বাল ল্যাংনা (হো হা) হাইনা থা কৌনবদা পানা হো হা কৌববু মমিং (নিঙ্গোত্নি। লৈহুন্না (য়া) হাইবা লাইয়েক্লা নাওয়োম্বীহনা পীগী লুপাগী তে কোংকী অকুপা লৈফমদা থংথবম্মে।। পানা থকথাম্না মশকপু পীনা (য়ো) হাইনা ইযানা লোশিন্দুনা খোইজখাদা লৈথমগৌরেদে।। নোংদম পম্বু খৌঙম্নবা (লাইরেম্বী শাগৎপীনা) পলেম মমা ওইগদবগী শিয়োম্মুংদগী শাথোক্লকুনা পন্থৌ শেম-গৎপনা লৈথমলম্ববু (রে) হাইনা লৌথংলক্কুনা তাইবং হকপু শাথোক্লকপা য়ানব মচাকপু লৈ-রাওনবা লৈমেত্তুনা মমিংবু (খোইদৌ শল্লাই রারা। হাইনা থমলে।। ওম শাগৎপী লাইরেম্বী ইমা নংনা তাইবং হক্কি মশকপু মিতম্বদা মউ মচাকপু রাত্তনা নোংদম্বিবা ওইবিও ওরা।। মৈতৈং কোঙ্গল লাংবনা চেং খোহদিং লৈবু লৈহুল্লে।।x

মৈতৈঙু সনা কোঙ্গল লাংবা চেং লৈবু পাইবিও মবি লিশাবা খোইরি তিংশেমালে ।। তিংদগী লু হাপ্লে ।। লুদগী রাম হাপ্লে ।। রামদগী শিংলি শিংনাও হাপলে ।। শিংলি মরি মরাদগী তোং হাপলে ।। তোংদগী ঈ হাপলে। ঈদগী কু হাপলে ।। কুদগী তুবু, খুঙিল খুযাংবু পোক্লবা হাপলে ।। খোং খুমিং নিংশা থুং খুদাং, খুনিং, শেগা, লেংজম লেংলক শমলে। ঙক, কেংক হাপলে ।। না, পিশুম, লাইপক, নখাং, মিং, নাতোন চীন, চীনবান, খদাং, অশিংগোং, পেঙ্গী থোং ফাংলে ।। ফিরাক নোংথুম, শৈ, মশিং খা, ঙকখোং থবাক, শদোন, লকা, মখোক কময়া, কমখোং, শাজুম্বা মিউ, হকপু শম্বা শাবা লোইরে ।। তিংলিদে য়াংলিদে লাইমিংবু তুমহনা লৈঙম্বগুম লৈএ অহুনুঙ্গী (হেরোম লাংবুমরা) লৈংনা থাজা ৩ লৈচংনা লৈশাইএ। x

থাজা ৫ লৈচং লৈহৌবদা থরাই য়াইবিনা হুমলেন ১০গা লোইনহনা তাইবঙ্গী হুরুংদা লৈ-চংলে, তাইবং ওইগদবগী মমিংবু (নাওরংবা মোইমরিং রিবি) কৌএ ।। তিংলি য়াংলিরক্লে ।। য়াইবিনা শাহৌরকপদি থরাও য়াংবি শীদবনা নোংথক্কা ৭নি লৈএ; থাদা পীরে থবী কৌএ: মিং খৈরেন্দি মিমিম্বস তিনখাকশং) কৌএ ।। নফম লাংদনা লেংফ হোংফদে ওরা ।।x

মুংশিং ১০গী মমিংবু—হুমলেন য়াইবি শিদবা ওব্রা ।। হুমলেন য়াইবি হামোইবা ওব্রা ।। হুমলেন লৈপু লৈশংবা ওব্রা ।। হুমলেন লৈয়াবা ওব্রা ।। হুম লেন মিত্তোংলেন ওব্রা ।। হুমলেন তনিক তশোইবা ।। হুমলেন ইখৌ ইয়াবা ওব্রা ।। হুমলেন য়াকৈ য়াকইবা ওব্রা ।। হুমলেন লৈপু লৈয়াংবা ওব্রা ।। য়াইবি হুমলেন=হুমলেন লৈশংবা = হুমলেন মরু শিদবা= হুমলেন নোংদম্বা ওব্র ।। X

শিংলি ১০গী মমিং ১। মরি লিশাবা=খোইরিত্তিং=শিংলি লৈরোম্বা= শুমুরু ওবা ।। ২। তপোপ তয়াং শাবা ওবা ।। ৩। চংনিং হেনব=লাইরোংবা ওব্রা ।। ৪। মিওরেং মিহিংম্ব ওব্রা ৫। মিচিরেং মিহিংম্ব ওব্রা ।। ৬। চিংথৈ লাবা=শংহো ওব্রা ।। ৭। শোহিং=শামদোন য়াংবা ।। ৮। থুংচিরি মৈরোম্বা ওব্রা ।। ৯। তিংলিসং ওব্রা ।। ১০। চেখেকু ওব্রা ।। মরি লিশাবা শুমরুবু শেম্বা শাবা লাইদি মুংশিং শিত্তবা লাইনি ওব্রা ।। মরি লিশাবা খোইরিত্তিংবু শেমগৎ শাগৎলিবা তাওরোই লাই নংনা নঙী খোংলম্ব কাইদনবা শেম্বীও লাইমিংবু তিনতরেং তিনতরিং কৌবা ওব্রা ।।

লু পোকপা শেম্বা লাই হে মারজিং লাইবুংথোনা নশু হেবুংথোগী লুরম্ব, পরম কাইহন্দনা অসি মরুনা লৈমুৎ লৈমাংদরিবা মখৈবু অসিদগী শেম্বীও (তিনকাপ হো থাহো) কৌবা ওব্রা ।।X

শিংলিবু পোকপা শেম্বীবা লাই অরং কৌত্রু অশুপা হংনা নশু হেবুংথোগী হকপু লৈশা লৈপুরিবা শিংলি পুম্ববু মাগী মাগী পরম্ব কাইদনবা শেম শাত্নুনা লৈথম্বীও (ওং ওং চিবিৎ জি ভি) কৌবা ওব্রা ।।X

রাম=কুবাম্বাল্ব পোকপা শেম্বা লাই হে থাংজিং লাইবুংখৌ তাইবং শাফোংনরিবা নশুগী হকুঙী রাম্ব, মখৌ মশুম্ব, লৈরাংতনবা শেম্বীও লাইমিংবু (য়োক থাং রাই কোংদিং) কৌবা হে থাংজিং ওব্রা ।।X

তোংবু পোকপা শেম্বা লাই হে নোংপোক মরু তাইবং শাফোংলিবা নাওবা অপিচা অসিগী তোংবু মথৌ মশুম্ব, কাইদনবা শেম শাত্নুন লৈবিও লাইমিংবু (এ রং) কৌবা ওব্রা ।।X

ঈবু শেম্বী শাবিরিবী হে ঈমা লৈমরেল শিদবী=লাইরেম্ম খুৎলোংবী ঈমানা তাইবং শা-ফোংলক্লিবা অসিগী হকপু ঈরাৎপা ঈথোইবা নাইদনা লৈবিও লাইমিংবু (চিরিও কাতু শাগুরি অরিয়া থুরুংনপ) কৌবা ওব্রা ।।

কুবু পোকপা শেম্বা লাই হে শ্মা কোঞ্জন্থু খোকপা তাইবং মপোক্তা শাকোং খোংদরক্লিবা অপিচা অসিবু উনগী লাইনা লাইথুংবু লৈচংবা চমদনবা নোংদম্মা শেম্বীও হে ইবুংঙো সেনত্রেং ত্রেংবা) কৌবা ওব্রা ।।z

ভুবু পোকপা শেম্বা লাই হে অতিয়া মরুশিদবা, মরুনা শিংথেক ৭ থাজা ১২ বু হাংহনবা লৈতনা হক্কগী তুবু লৈমুৎতনবা চোংহনবিও পরম খোরম লৈখংদববু লৈহংজবগু তাকপীবা কুবিও হে থুপ্লং মরুবা কৌবা তাকনবনি ওব্রা ।।

থেবা ৩গী মমিং কোক্কি মরোল মচু মমিং

হে থেবা তোকপা, হনি, নখোই অচুম্বা হক্কি মনুংদা লৈবদি খোনাও ছাইবা লৈফমদা ভিম্না লৈবনিদো ।। অচুমুঙ্গী লাংবুং কৌবিদো ।। কৌব্রিদো (ব) হাইবা লাইয়েক্কি মশক্কা খোমচুন লৈযে অচুমুঙ্গীবু লাইমিংবু (পংফং শঙ হঙ) কৌবা ওব্রা ।। পংফং শঙ হঙ কৌবা ওব্রা ।। নখোই তাছম্বু তাইবং নাওব্রা অপিচা অসিনা নিংশা ইচুনবু চিংশিনবদা লৈচংনচুনা খোইদো তম্মা লৈকুমচুনা য়াংফম লৈফমদা শাবোত্তুনা লৈবিরো লাইনগু করি বয়ানগু থিবদা উচন । হনবিগম্নু কৌরবগু চৎফদে লেংবিগম্নু ।।

মিং নহানা কোনবা লমলেন্দি কোক্কি মনুংদা কোম্লিএ (হঁচ সঁ হংং) বৌবা ওব্রা । তাইবং অপিচা অসিদো মিংলাং চেংকুপ শিহনগম্নু কোক কৌবা মশক্তি মরোন (৫)নি । মপান থংদি শঙ্গোম অহিংবগী মচুনি লাইমিংদি (হঁ সঁ সঁ) কৌবা ওব্রা ।। শঁ রঁ হঁ কৌবা ওব্রা ।। শুশাং শুশোং হু হ্যোং ওব্রা ।।

ময়াই থংবগী মচুদি হিগোক মচু অমুবনি । তরুং তরেং তমু তহেনবা) কৌবা ওব্রা ।। অনম্বা অহাবা অকি তুজুং অথংবা মংলাক হয়াকপা তৌহনগম্নু ।।x

হিগোক মচু ময়াই থংবা শুমদোং অসিদা কুমদম্বা লাইনা লৈওম্লিএ ।। অমাংবা ময়েংতাবা লৈতবা নাইদবা লাইগী শংলেন অসিদা (থরাই য়াইবিরেল শিদবনা লৈএ ।। থরাই অসিদি লৈমরেন শিদবীনি ।। থরাই অসিনা হিংনবা শোজবা লাইমিংদি নিংশাবু হোন্দোক্লকপদা হোম্ভিল্লকপদা ল্যাইরেক তত্তনা নিংশিংজবা ওইনা (শঁ রঁ র হঙ্ক কুং) হাইনা শোম্লিএ ।। তাইবং মপোক

হাইবা অসিগী লমলেনগী মশক ওইনা নোংদম্বীবা স্মাইস্লিং অসিবু খোকাওদনা ফুমিং শিঙ্গ্ম ৭নি থাজা ১২ নিবু লৈহাংদনা শোঞ্জবা পুন্সি মরা লেমফু তানা লৈঙ্খ্ম তানথোং পাক্লা শাংনা তানংফংজববু তাইবং মপোক্কী মরু ইহুন তাংম্নকপা কোরৌ অসিদা কুবিও ॥X

লংহিং লংফাই ইরাংগা লংজা ৯ বু, পীগীনা লাংজা ৭ লাংকনি]

ওম হৈ উংলৌ য়াইরেন শিদবা ওরা ॥ ওম হৈ অহিয়া মরু শিদনা ওরা ॥ ওম হৈ লৈনশিরেন লৈপুনবী ওরা । ওম হৈ লাইখিংথোই মহি সনারেল ওরা । ওম হৈ লমা কোঞ্জঙু থোকপা ওরা ॥ ওম হৈ নোংপোক অপাম্বা ওরা ॥ ওম হৈ য়াংত্রন খানা চাওবা ওরা ॥ ওম হাই থাংজিংরে ওরা ॥ ওম কৌব্রুরে ওবা ॥X

নাওরাবু থিবাশংহুনা লংহিং লংজা ৯ পুনব, তেন কাপ্লুনা লৈভাকপা ॥

তাইবং অপিচাবু পুথোক্তুনা থিকশোং ইচাইহুনা খুদাং খুংশি যেংলমদা লংহিং জিপুন্দুনা তিনশেং লাইশেংলে ॥ ওয়ম হয়াহ ।

ওম হৈ ওম হৈ ওম হৈ
কৌরী মচি ঈনা শেংলগা
কোবী মচি ঈ লাব মমাও ঈ
তুরেল লোকচা ম তা ঈ,
শারোই মংলেই ঈ,
মুকোং পাংচা ঈশোং ঈনা শেংনরগে
উহং মনাবা নাপীনা শিবেনা ইচাঈনা
শী দনা নাত্তানা নাপুনা শেনপুনা
উথোক্ক রাথোক্ক হুমা তমাংনা
তাইরেমা পুংফাইনা ইকপ ইচাইন্দুনা
পামরে শেংনরে, কশা মোংথৌ লাইরেম্মা
মাপীনা নোংথোইনহুনা নগুম্মী হক্তা
থ নাম্বা না ভৈবা নমখিবা হংঙাইবা

তিঙ্‌্রম্বা লাইচুমম্বা ফত্তবা লৈওম্নম্বা
খিবিকপু শেংনরে কোক্লরে
রাদা রাশিন হৈবী নংনা বাশিন্নবিখরে
উদা উশিন হৈবী নংনা শিনবিরো
উতিংকোক নংনা শেংবিরো ওমহৈ ওমহৈ ওমহৈ ।।x

অঙাইবনা মচা নিপা শঙ্লোং মিংথোই অপাম্বর পুশিল্লকুনা চিংথৈ মকদা পিওম্লরে।। মরুনা হাইএ—শঙ্লোং মিংথোই অপাম্বা মচা ইবেম্মা লৈমরেল কম্নথোন ৭ লৈপুখিনা তাইবং মাওম্বা অমাবু মপোক ইহন তমজবা নম্বান নিংথোগীদমক্তা মাইগৈ ৮ বু লৈঙাক লৈথিংবিহুনা নোংজানগা মা-লেমগবু থাগোন লৈনিম্বিন্নকুনা নমান নিংথৌগী য়াইফং পরম্বু থৌনি থৌওম থৌপুনম্বিরো ।। মরু নয়াথং কুবি নোংদম্বু থৌপুজনি।। মরুনা লিরুংবু (শ্রীং ওং ক্রুক হাই ওরা।। শ্রীংওং ক্রুক হাই ওম্না)।। হাইনা লৌখত্তুনা লিরুংবু পীরে ।। য়েক য়েক তিংশো হাই, পা-থংবা নংদি সনাগী তেঙ্গৈ মৈহৌবনি নতিকপু নওম্ব শামফদ) ।x পাওশনা তেঙ্গৈ ৯ বু লৌথৎলগা তেনগী মচিন্দা লাইমিং (মুণ্ডক্রবা লম্মুক্রবা, মিরেং খাওরোম্নবা) তংনা মাইগৈ ৮ বু লৈথিং লৈঙাক্লরো, য়েরুবনা থোংদরকপা লৈচাল্লকপা য়াঙল্লাই পাওশরগা তেঙ্গৈশু পিরে ।।

তেন কপ্লবা থৌপূবা—শঙ্লোং মিংথোই অপাম্বা ফৈচোল মোক্তোক মাংলমদা হাইথবন মতুং লোমদা য়েপশিল্লে, ফুরিং কোনখাং লিংলে, মথক্তা নমথাং থোংনা ওনশিল্লে, কোক্তা নমশা তোলোক হাপলে।। লিরুং তেন পাইহুনা চিংথৈদগী থোহৌন তেনবু লিকাপ্তুনা মাইগৈ মরি শুংদাই মরিবু লৈশুনবা লিকাপ্তুনা অরাংদা থোরোইরে ।। তেঙ্গৈ ১দ লিকংদা লুহাপ্লহুনা নোং-লোন্দা উত্তুনা পাওশানরক্লে ।। তেংবানবগী পঙ্লৌ ইপা নোংজান মরোল ৯ মক্তগী অচা অথক লৈথম্নম্বু লৈবাংতনবা খিকথবিহুনা মালেম ইমা লৈয়াইলেন্দা তাইবং ইচানা চাজনবা কোরৌ অসিদগী কুবিহুনা লৈথম্বীরো ।। মালেম তম্না তেঙ্গিনবু লুক্তুনা হাইয়ে ।। তেংবানবগী মমা মালেম শিদ মাংদবী ইমানা কোরৌ মোংমদোন পঙ্লৌনা খিকথরকপিবা অচা অথক লৈবা খিবিকপু ইমাঙ চেম্না লৈচুম্না লৈরৌ ইয়াবিহুনা তাইবংনশু হেবুংথোবু অচা অথক লৈবা খিবিকপু লৈরাওনা লৈংন নোংদম্বীহুনা নথামুংদা কোঞ্জন নাওকোনববু আসদগী কুবি মখিও ।। পাওশানরগা লিরুঙ্গ তেন ১ হুগা পুহুনা চংলক্লগা তেনবু থম্নবা মরুম্দা শিন্নরে ।। মকনা লিরুংগা তেনগা লৌহুনা ওমচি তিমুং ওরা, ওম চিতিমুং ওরা, ওম চিতিমুং ওরা) ফত্তবা হাওদিবা অয়েৎ অথোং লাকতম্বা পুম্বা নংনা ঙাকথোকউ ।।x

শম্মোং মিংথোইবনা কুবিয়ে—ইমাম নিংথৌ কোরৌ অসিদগী তাম্মেং পাক্লা শাংনা তানফংবা, পুন্সি ইপুঙ্সি মরালেমফু লৈতানা লৈপান্নহুনা মরুপী লাইমিংবু থৌকাওদনা থাগোনজবা হিমক য়াই মরুবু তানফংনা লৈপানবা তানফংবদো ব্রাইথুংলো ।। মতুংদা থোইয়ুম পুম্নবু লৈচংলক্লুনা কুবি নোংদম্বীরে ।।x

খেম্বা চম্নু পোংলম পোংখাংনবী চিংথৈ লৈমা থোম ইনবীনা থৌপুবা—চিংথৈ লৈমা থোম ইনবী মমানা তাইবং নাওরাবু থাগোম্নহুনা লৌথংলগা পাওশানা লৈশিন্নরক্লে ।। লৈমরেল কম্না ই কমথোম ৭ লৈফম লুচিংবী তাইবং নাওরাবু অপোকপী পলেম মমাও কোরৌ অসিদগী থৌহৌ না নপারি তাইবং নাওরাবু তিনয়েং খোয়েংপা লৈওমদা, তিঙ্গ লাইচুবা লৈওমদা, তিনশেংবা লাইশেংববু তানফংনহুনা নথানুংদা কোঞ্জন্নহুনা হৈরাং চুম্না পানওম্নবা লৈরাং শম্না শাংওম্নববু তানফংনবা পলেম মমা অপোকপী নঙ্গী কৈরা থক্লা লৈপান্না পলেম নঙ্গী খোম্লাংবু নপারিপী থবোংথম্না য়িন্দুনা নাওয়োক নাওকোন মহৌরো সে সে লৌজরো ।। হৈয়ম হোয়াহো ।

ঈশেংবা লাইরমলেন তাইবং লুতিন

চাবোক মুমিৎ নোংকোবৌ ১২নি চংবগী অযুব মুমিৎ থাক্তোল লাম্নকপা মতমদা নাওরা অপিচাবু খুজিন খুয়া লৈশেংনা লুরাই শম্নাংবু কোকপিহুনা মকোক মউ ইতুম্না ইরু মাইতানবিরেদো ।। তাইবং পোকপী পলেমগু চেংহি শম্বাল্লাং উাদি শমখোং শেংনা ইরু মাইতানহল্ল ।। মাজোল খেঞ্জোং লাঙ্গী খা থংবা উখোং অভেনবা শিংকাপ পুবগী মখোংদা খুদা কমলেন অমা থাবিহুনা তাইবং নাওরবু মকোক মথা পাংনা মমাই নোংপোক ওম্না লৈথম্না য়াহিপ পোশ্নবা লৈতমহম্না থম্নগা চিংথৈ মকনা থিকপেং ইচাইনা থৌনিঁয়ে ।।

শুম হৈ শুম হৈ শুম হৈ,
তিং তিং চাওরো মুমিৎনা করিচৈ কাহৌরো,
মুংশাও শারো, মহৈ মরোং চুমহল্লা,
হৈরাং চুম্না পালহল্লো ।।
লৈরাংনা শম্না শাংহল্লো, নমথি নাহং মাংহল্লো
হকি পাজল কলহল্লো, তিজেল লাইচেল তুমহল্লো ।।

কোম্নৌ হুনবনা ঙানবগুম মপুক য়াখল
মতিক মঙ্গাল ঙালহল্লো,
তিং তিং লৈহাল্লো, ওম হৈ ওম হৈ ওম হৈ
হয়ম হয়াহে ।।x

তাইবং নাওরবু পাখংবা মিংহুন্না তাইবং চাক ইন্দুনা উম্বা

তাইবং অপিচা নাওরাবু থা ৫ লৈচংলবদা তাইবং মচিঙ্গাক চাবা থকপা তম্বীনবা খোরম্ন (চাক ইনবা=চাক উম্বা) মিংহুন্না চিংথৈ মরু মিত্তোংলেন কাইথিরোল শংলেন লৈফম্বনা নোংদম শংলেন লৈপু লৈকম্বা লাইমিংথোই অশিবা-মহি সনালেম্বী খোদা নোংদম্ব খোপুনা চাক ইম্বা থৌশিন থোপুরে ।। শিং মরম ৬=থেবোং, হেনৌ, খোংনাং, হৈক্রু, বোরে ই, শম্নিরেল, চেং-থোইদং, মনা ৫ পানবা তিংথৌ, লৈ, উহং মনা ১০৮ মেক্রক মৈখু, চু হৈরুক, হৈফাং থোকপা, ঈশাইকু ১ মাইয়োকথা চেং কম্বী অচোনবা ১, হৈশাং ১, হৈচেল ১, কোনখাং ফুরিৎ, খুংয়েৎ, নমথাং, নমশা=তোলোক, পাম্লোম য়াই, খোংশি, খুৎশি নাশি লিফ ফাং মথাং, কোন্দুম, লিক্লাং লৈবা খিবিক তানকংববু খোরাংনা থমলে ।। পালেম মম মচা২বু থাজা ৫ লৈচংবগী থিকপেং থাশেং ঈচাইন থিকপেং থাশেংলে ।। উচিন্না ৪ লাফু চুগা লিপুন্না মাইগৈ ৪বু চুকশা লৈকানা য়ুংহুনা থকখন মথাল ৯ খল্লে । মখাদা ফম্বি য়াৎলে চেং অকুপ্পবু চাইগুম্না ।। ফম্বি শ না শিংখন ৯বু মালেমগা শিংথানা হাপ্লে । মৈবু হোরে, মৈহুম ১ লৈশংনা অম্মাংবা মৈশি অসিদো য়াথুন্না শঙ্গোং পাংনা হুন্দোক্লে । মৈ কৌবা লাইবু থাকৌনা হৈক্রম লল্লে ।। মাইগৈ ৮ লৈঙাক লাইশা লেম্নুং লোঙ্গা অরিবা তাওয়োই লাইগদা খোরখু য়ৈথংবা থিজাইবা লাইবু লৈচংবা ঙমদনবা হৈঙাকপা লৈশিন্নহুনা লৈথম ল ।। অহানবদা সনা তাংবন খুদা লৈথাবগী মথঙ্গা লৈহুন লৈরাং তমলে খোংথুম ৫বু ।। মতুংদা মৈ কৌবা লাইবু মৈখুদা লৈহুন তম্বা হোরে ।। খুদাদা লৈহুন তম্বদি ১—উংলো য়াইথিরেল শিদবা ওরা ।। ২। ওম অতিয়া মরু শিদবা ৩। লৈশিরেল লৈপুনবী ওরা ।। ৪। লাইমিংথোই মহি সনারেল অশিবা ওর ।। ৫। মৈতৈঙু সনা কোঞ্জন লাংবা পাবু থংবা ওরা ।। নগু হেবুংথৌ নপারি তাইবং অপিচা অশিদো খোইয়ুম ৫গী কুবিবা নয়াথংবু থোপুনা তাইবং অপোক্লা শাখোক্লবা নাওরা অপিচা অসিদো মমিংবু পাথংবা থাকৌনা মেরুবা লাইমিংবু লৈমুংলোঙ্গা অরিবা হুঁম চিকউম লৈহুন তমজগে কুবি নোংদম্ব খোয়ানা ।। ওরা হৈয়ম ।।

মৈবু ইবাং থৌহৌ খোপুনরক্লে :—হে মৈকৌবা লাই নংবু নগু হেবুংথৌ পাথংনা থাগোন

থাগোন লৈপাইনজরিঞ, ওসি নশু হেবুংথোগী ওরা চাক ইন্দুনা তাইথং হায়বা মপোক্পা পাগী পুন্নী তাইবং চাঙ্গাক ওইনা নোংজমহুনা পীজববু থৌশৌবা অসিদা চাওমখিবা মতুংদগী চাওম্নকপা পুম্বগী মহু ময়াই ফত্তবা পুম্ববু মাংহনবিবা কুবিও অহু মুঙ্গীদমক্তা নশুনা ইরাংচরি কুবিও ॥

১। ওম ভাংভানবা চিংথৈ লৈফম্বা মৈ ওরা

২। অডৌবা লৈচুনা তমকবা থাম্বি নোংপোক লৈফম্বা ওরা ॥

৩। কোরি অহিংবনা তমজনবা থাম্বি মৈরম লাইচি লৈফম্বা ওরা ॥

৪। অমুবা লৈচু মানবা মখা মাইগৈদা লৈফম্বা মৈওরা ॥

৫। অডৌবা মচুবু অমুবা লৈগী মচুনা তিলু লৈফানহুনা শাফোংবা থাম্বি অরাওবা শম্বোং লৈফম্বা মৈওর ॥

৬। মে মনবা লৈচুনা লৈতেংবা থাম্বি নোংচুপ লৈফম্বা ওরা ॥

৭। নোংথৌ মচুনা লৈতংভিবা থাম্বি কৌত্র লাইচি লৈফম্বা মৈ ওরা ॥

৮। সংবানবা মচুবু লৈ • বা থাম্বি নৈরাং লৈফম্বা ওবা ॥

৯। নাপু ভাংভানবা লৈচুবু লৈতেলিবা থাম্বি নোংলোন্দা লৈবা ওরা ॥

১০। সনা অহিংবা লৈচু ১০না তিলু থানা লৈতেংলিবা, হে থাম্বি ময়াই শুমদোনপনবু লৈফম্বা ওবা কুবিও ওরা ॥ উং মৈমুৎশং ওর । উং মৈতরংভাং ওরা ॥ উং মৈভান তুহিং ওরা উং মৈ সংতরেং ওরা ॥ উং মৈবেম্নবি ওরা ॥ উং মৈ হিংসন ওরা ॥ উং মৈমুত্তরেং ওরা ॥ উং মৈ শাংসুবাক ওরা ॥ উংমৈভান তুভান ওর ॥ মৈহৌরোল ৯ মক্তা নশু হেবুংথৌ পাত্র বা— লৈস্নংলোঞ্জা অরিবা হুঁক কৌববু কুবিও ওরা ॥ সনা কোনয়াই লুপা কোনয়াই থারে—উই মিলিং লিং লিং লিং লিং নরাই লাংথৈ, লিং লিং লিং লিং ওরা ॥ উই মিংলিং ৫ লক নরাই লাংথৈ লিং ৪ লক হাইনা হুপ্পে ।

ঈহৌরোল ৯ না শজোন অনৌবনা হৈহুনা মৈ মুৎলে—উংচিরি ওরা ॥ উংচিথোম ওরা ॥

উংচিপাক ওয়া ।। উংচিম্রিং ওয়া ।। উংচিতক ওয়া ।। উংচিল ওয়া ।। উংচিলা ওয়া ।। উংচিখা ওয়া উংচিথুম ওয়া ।। ঈশ্বৌয়োল ৯ মক্কা নণ্ডবু কুবি নোংদম্মা থাগোনবিও ।।X

চউম লৈফম ফিদাবু নিজৈএ

হে মরু উংলৌ য়াইবিরেল সিদবা নোংদম্মা মপু নংনা সনা ফম্বাল লাংওম্মা খুদা সননা মযুং কাবা মনিক্কা মফেল য়ৈম্ছুনা মুক্তানা ফিবান চনববু মরু নঙ্গী কুম্বিবা য়াথংনা অতিয়া শিদবা মরুনা তানকংনা লৈফম হৌবা খুদাবু অসিনিদো ।। অতিয়া মরু সিদবনা মপারি অহন লাইমিংথোই সনারেন্দ শিম্নবিরে, লাইমিংথোইনা মশানৌ কোন্দে অনৌব পাবু থংবা কোঞ্জন তুথোকপদা লৈমিন্নছুনা পিওম্বীবদগী পাখংবনা কলামেনগী মথক্তা মৈতেন চান্দান য়াতোন চিক্কা উমনা কমাল ।। লৈফম্মিবা খুদা আসবু পাথংবনা মৈনে ঈশিংনে, নু শিংনে অতুম্মক্কি মফমদা শিন্নছুনা তেখম্লিবা খুদা অসিদো খোইয়ু ৭ কী নফম্নাংদা পুকম লৈপাইনা খুদা অসিবু নিজারএ ।। কারৌ আসবু তাইবং ইপাচাগী নোংদম চাক ইন চাক উম্বা অসিদা লৈফমছবা তানফ নজগে পাওম্নাববু খুদাদা লৈফম্মা মতিক মওমগা লোইনা লৈহাপ কুবিনা পিনিও ওয়া ।। মরুগী পাওশাবু ৩০ পদা পাথবা কোঞ্জন্তু থোকপনা নোংদম্বিএ ।। পরি চবৈহন য়াইতোমপাক পাশ্রংপা নপা ঐনা তানফংজবা খোইয়ুম লাইগী খদা অসি কোরৌ অসিদগী পারি নংনা তানফ চছুনা লৈফম্নরে নোংদয় পিনারো ।। হৈথুম ।।X

নাওরাবু ফিদাথক্তা ফ্রমহল্লে খুদাবু পাওশাই

হে তাইবং থয়াই হকচাংবু থাগোম্লিবা হুমলেন ১০ মক মৈ, ঈশিং পুম্বা তারশি ওংলশি য়ানরশি হোংনরম্নুশে ।। হুমলেন তাইবঙ্গী হকপু চেনবা চাংবগী থৌঙম থৌপুগদবা হকপু অনোপ অহিং শাম্নগদবা, অয়াম্বা থৌরাংনবা থৌপুবা থরই য়াইবি হুমলেন চাওমখিবা থকওমখিবা মশকপু তুমহম্নবা থৌপুগদবা হুমলেন, হিপহম্নুনা পোথানবা থৌপুগদবা হুমলেম, অরুম্ববু য়াংহম্নবা থৌপুগদবা হুমলেন মিকপ য়াকৈ ইহুম্নবা থৌপুগদবা হুমলেন থয়াই য়াইবি রেনবু হিংনবা লৈশং থৌপুবিবা হুম লন ১০ মক্কা চেংনা চান্না কোনবিরো নথাহুংদগী তাযরোই অসি কৌংনা লৈমুংনদ্রিবা মথংবু মপৌ মওম্বু পরম খোংলম কাইদনা কোরৌ অসিদগী লৈপুনরশে হয়ম ।।

পলেম্না চাকইন খৌপুরে, মরুন। লাইশোম্না চদুম অহুম শুনবা ॥

ঈশিং খরা লৌদুনা—মোং কৌরগশেং, কু কুকু ॥ খোং থাংজিংবে কু কু কু ॥ সোং চিংখে মরু অচিবা অরা কু কু কু ॥x

চাক ইনবা হৌরে—হে নাওরা তাইবং মপোক নঙ্গী মচিঙ্গাক্কে, নপা, নমা, নপু, নবেনগী চিঙ্গাক্কে ॥ নোংদম্বগী লুকলেন লুকময়ে চাদবা য়াদে চাও ॥ থরাই নঙ্গী নমিংদি শুং শুং শুং কৌই ॥ চিচিং নঙ্গী নমিংদি মি মি মি কৌই ॥ চিনবান নঙ্গী নমিংদি মম মম মম কৌই ॥ চাক ইনবা লোইদুনা তাইবং চিঙ্গাক নোংদম্বা হৌরে ॥x

লৈশিরেম্না থিংবাওঙ্গীবু পুখ্রোকপা

নগু হেক্তংখৌরু তরা চাকইনখিবা লোইরমদা লৈশিরেন লৈপুনবিনা মহাক্কগী মচাক ওইবী নোংবেগী অানচা অনা শাখোন শাকেংনওয়্রগা খাগোম্নদুনা কৌরু লাইলোংবদা শিন্নবৈত্র । নমু তাইবং লাই লৈফু খুন্দা অহানবা নোংদম্না মউ লিংওখা, চারি মপান লৈথাবদ্ধ নমোম অমা এনা পুওমলাক্ক. নংনা চেংনা চাম্না লুন লাওকোল্লু মঙ্গং মত্তম ওইরগা কংলৈপুংদা লুতিলহায়্রা পিরে ॥ কৌরু লাইলোংনমা ফিগাও শানা যাওয়্ন হৌরে ॥ হাইত্র ইমা নয়াথংবু খৌপুমা ইখোমগী মিংওনবু লৈদুরেল নমু তাইবং লাই খুন্দা অহানবা নঙ্গী চাইমিং থিরুনা (লৈফুরেন থিংবাওঙ্গী) লৈচংশে, নয়াথং পৌওম্নবা পৌপুন্দনি লৌহৌরে ॥x

লাইমিংখোই অশিংনা খৌচম্নু উর খওলদুনা কৌরু লাইলোংবা থাকৌনা নোংদমলে—লৈফুরেল খুন্দা অহানবা নোংদম শওলেনবু নঙ্গী ফমকেন ওইওমলো । (থমুং ইতাক লেশাবা, খুম্বাক লৈশেমলোন, চৎলম লুতিন লাইবকচন, য়রা ইখোল লাইয়েক লৈশু লৈথম্বা, নমু তাইবং ইপোক মৈহৌরোল) পুরারি অসিবু নখুংশু ওইন লাইয়েতুনা লৈমাংদনা মথংলেংনা শমথনবা খৌপুনরো লৈশিন্নদুনা লৈহাপ লৈশিন্নদুনা লৈথমলে ॥x

তাইবং নাওদা নাওয়োক নাওকোন চৎলম নোংদম্বা

পাখ্রংবা লৈম্নুংলোঞ্জা অরিবনা তাইবং মপোক থোক্নবা শাফোংবা কুমজা ৩ লৈচংবদা (কুম শংলংহিং নায়ানবা) হাইবা থৌরম অমা থৌহৌনা মৈফু ইরাং থৌনিহুনা নাওরা তাইবংবু লাইরেম্বী ৭ না ঈশেং থোং মুংগেং পাওগী ঈশোক লৈথম্নগা খুজিল খুয়া শেং, শিযোমুংদগী শাথোক মিন্নবকপা ইপাল্লাঙ্গী শম্নাংবু কোকথোকপিহুনা থক্তা ফিজং ৭ থনবিহুনা লাই লৈমা ৭না মকোক মউ ঈতুম্নবা ঈহৈবিহুমা ইরু মাইতারগা খ্বাংশেং, ফৈচোল, কোনখাং ফুরিং, খুংশি, পাম্বোম ঘ্নাই তান, নমশা=তোলোরুচিংবা লৈতেংবিরগা (নাহুং নারেং লৈফাংপা) হাইনা মনা ২গী মতৌনগী মথক্কি ময়াই অকুৎপদা হুত্তুনা নাশি=লৈমাম্নববু হুৎপিহুনা অনম্বা অহাবা, ৫ মাংবা অতাবা, লৈঙমলমগদববু লৈকোক্নবা খিবশেং খিকপেংলেন তরু চাইথোরা লৈংনলে ।।১

কুমজা ৫ লৈচংবদা লাইয়েক লাইশক লৈতাক্লে

মচা ইবুংঙো তাইবং মপোক অথোই চংথোনবা পাখ্রংবানা কুমজা ৫ লৈচংবা মেহৈহুপা থংবা সনা কোঞ্জন তুথোকপা (সেনাত্রেং তরেংবনা (নোংদম শংজন লৈপুব কৌব্রু লাংলোংবগী লৈকমদা লৈশিন্নহুনা লাইযেক লাইববচংবু তন্থীহল্লি । কৌব্রু লাইলো [illegible] লাইয়ব চৈগাবা মশকপু লৌথোক্নবগীদমক্তা লাইয়েক ১১বু মশক নাইনা লৈথম্বা অমুক হৌহুনা মচা ইবুংঙোদা অমুক নৌনা লাইয়েক্না লাইশক্না কোম্নবা তম্বীহুনা থহনববু তাকপনা বোংহৈ, থংখিবনা হাল্লক্কুনা তম্বীনবা লাইয়েক লাইশকপু লৈজনদারে ।। খোইযুমশিংন নংঙোন ব তাইবং নাংঙা অসিবু হৈদোক্ত শিংদোক্ত য়ামখ্রেদা মনাগী মপোক অসিদা অথোই চংখোনবা মপাংপ্রিদা ।। [illegible] নাওরা অসিগী ব্রাখনশি বযাদা খোইনা যাংহনা চাংহংজশি লাইশিদবা [illegible] মপুগী হক লাইয়েক অসে, নং ঐগী লাইয়েক থয়া শাথোক্তনা পীওনশি থংবা চাংদমাজ হাক্নবা খোইযুম মুংবা মহারাবা=লোংপোক অপাম্ব', ব্রাংব্রন মং জং, লোয়্রাববকপা, মাজিং খোইংম ৫ন তাম্নহুনা লাইয়েকপু লাইশক অমতদা লাই হব বনোবপু মালামনা [illegible] খুৎইবুরেতুনা মশক অসিবু কবি কবি ওইবা হংনবা মচা ইবুংঙোংশ থবউ নোংদম্না পীওব্রে । পাখ্রংনবা খোইযুমশিনা শাথোক্নকপা লাইয়েকপু কৌরগা খোইনন মোমান তোনা খোইংনশিঙ্গী মফমদা কৌব্রু লাইলোংবনা লৈতাকপীবা লাইয়েক্না লৌহৌবা চৈব ওইনা লৈযেবগা মথং কেংনা শমথনা লৈয়েক্তুনা হাইয়ে ।। খোইযুম নাখল চাওবা পুম্বনা লৈতাবপিরিবা কানোক লাইয়েক অশিদা লাইশক্তি লাইয়েক লাইচক্তি অমতদা লাথুপ লারে লৈথাগদবা মশকপু ওইবরা, লাইয়েক অসিনা তাকলিংশিবু লৈবাক অসিবু লুতুঙ্গী চৈশিং অংরাইবদা লৈফম ৭ শখাই নাইনা (পুবারি মশুম শাথেংনহনগে থৌশিন থোপু লৈযেক্নবা ওই) য়েকখ্রবা কানো ল ইয়েবনিনা লৈওম্নশমু ।। লৈহৌবা লাইয়েক মশক্তি হৌ বংলৈ লম্মহনবনা লৈশুনবিবা অশিনা অশুম মওইন লৈতমজগে লৈথংনবদি খোইযুম ৫না শাদম্বীবা লাংযেক অশিশু লৈথমজগে হাইনা শাথোক্লক্লিবা লাইয়েকপু মশক লাইয়েক অশিনি পাওশানা উৎলে ।



কোত্র, লাইলোংবা নোংদম শংলেন লৈফম্বনা
লাইরেক্কি লাইশক কনো শাথোক্লবগা চৎলমগা
মচা ইবুংঙো পাখ্রংবগী মফমদা মৈতৈ চীংতমগী
লাইয়েকপু তম্বীবা হৌবা ॥

ক,—লাইয়েক্কা নাওয়োমগী মশক ওইদুনা অপাম্বা=পাখংবগা. লাইবুংথৌ কোংটিংলেনগা, লাইরেম্বী কোংটিং লৈমগা কৌত্র, অচিংগা হশি শাফোংঙিদো ॥

খ—লাইয়েক অসিনা নাওয়োম ওইদুনা লাইবুংথৌ খৌঙাইবগা, থম্লাং পনশাবগা, থানা চাওবগা নমা ইবেম্মা সনা খোংনাং লৈমগা শাথোকইদো ॥x

গ—লাইয়েক্কনা নাওয়োম থানা লাইরৈমা থিংবাঙম্বীব শাফোংঙিদো, তক্কদি মুংশাংত্রি মশক্কি লাইথুংলোংবীগী মওঙ্ম ॥ লুতুংদা শৌবোন লাইরেম্বীগা লাইসনাগা শাথোবগনিদো। x

ঘ লাইয়েক্কা নাওয়োম থানা চিংখৈ লৈমরেনবু শাফোংঙিদো ॥x

ঙ—লাইয়েক্কা নাওয়োম থানা নোংচুপ লাইমিংথোই অশিনগা, লৈন্নু কোংঙাইনগা, শাথোক্লেদো। লুতুংদা চেংবা থুংলো অম্বাইব হাইনগু লাবানিদা ॥

চ- লাইয়েক্কা নাওয়োম থানা চিংখৈ মরু অচিবগা, লাইবুংথৌ চেংঙাগা, লাইরেম্বী চিংচারাই বীগা, চিংবা লৈমগা, চংনিং খোনবীগা, চিনফুরোন লৈচিক ঙানবীগা শাফোংলে ॥x

ছ—লাইয়েক্কা লম্মবী যুমজাও লাইরেম্বী গা, লাইবুংথৌ লম্মবগা শাথোকইদো । x

জ—লাইয়েক্কা নাওয়োমদুনা কৌর্, অশিববু য়াকপা শাজক্কা মঙম মশিনবু তিল্লু থান। শাফোংজিদো ।।x

ঝ লাইযেক্কা নাওয়োমদুনা থরাইপিচা থবাবু শাফোংজিদো ।।x

ঞ য়াকপা শক্তিক শাফোংজিদ ।x

ট লাইয়েক্কা নাওয়োমদুনা লাই রথী পাম্মোইবীবু শাফোংদুনা কৌর্, লাইমোংবা ঐবু ইচা চক্রী পান্দমগুম্না নাওকোলহল্লিদো, ঐগী ঙচাবু অনি গুরিদো। x

ঠ—লাইয়েক্কা নাওয়োমদুনা ঠরৈম-ফুরেল লৈমা শাফোংজিদো ।।x

ড-লাইয়েক্কা নাওয়োমদুনা লাইরেম্বী লুচাও লৈমা শাফোংজিদো ।।x

ঢ-লাইয়েক্কা নাওযোমদুনা লাইরেম্বী তমপাক্লৈমা, তক্কা লৈমা শাফোংজিদো ।।x

ণ—লাইযেক্কা নাওযোমদুনা লাইনুংথৌ কোরৌ হনবা শাফোংজিদো ।।x

ত লাইযেক্কা নাওযোমদুনা তাওবাইলাই অত্রাশিদবনু শাফাংখি লৈলুং খোংডাংরমগুম কৌন্দো ।x

থ—লাইয়েক্কা নাওযোমদুনা লাইবুংথৌ থৌভাইরগা লাইরৈমা থৌভাইবীগা। ইরাই লৈমগা শাফোংইদো ।x

দ- লাইয়েক্কা নাওয়োমদুনা শিত্তাকপ-শিদাম্বী লাইলেম্বু শাদঃ শাফোংলৈদো ।।x

ধ- লাইয়েক্কা নাওয়োমদুনা মালেম ইমাব লৈচাইবনিদো ।।x

ন—লাইযেক্কা নওয়েমদুনা নোংথাং লৈমগা রাংবেন থানাচাওবগী মচাগা শাথোক শাফোং নওমখিংনিদো ।।x

প—লাইয়েক্কা নাওয়োমদুনা লাইবুংথৌ পাম্মোইবা, পোইরৈ মোইরেং চাম্বগা, ইরাংয়েন পুংমিম্নবগা লাইরেম্বী পুকশি খোম্বীগা শাফোংজিদো ।।x

ফ—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা হুমলেন কৈমা=স্নুংশিং লৈমা শাফোংঙিদো ।।X

ব—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা লাইথুংলোংবীগা লৈম্নুং খাবা তাওরোই লাইগা শাথোকইদো ।।X

ভ—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা নম্মলেং=মালং লমলেম্বু থম্মিদো ।।X

ম—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা মারহনবগা মাণ্ডিঙ্গা শাথোকপনিদো ।।X

অ—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা থাংহিং ফক্তোক অরিবগা লাইবুংথৌ অঙাইবগা লাইরেম্বী অঙাইবীগা শাফোংখিদো ।।

য়—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা লাইক্লমলেম্লে, লাইবুংথৌ হুহানে, লাইরেম্বী যুচেং লৈমনে শাফোংখিদো ।।X

র—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা ইংথৈ লৈমগা লৈশিরেল লৈপুনবীগা শাফোংবনিদো ।।X

ল—লাইয়েক্ল নাওয়োমহুনা লৈম্নুং থুং থুং অচিবগা তেংবানবগী লম্বীগা লাইরৈমা থরৈমানে, লিক্লংতেম্লে, লাইনৌতাবীনে, লিরি লৈমনে, কৈফুরেন চম্নু লৈমনে, লৈপিরেল চম্নুনে, লৈচিক লৈমনে, অসি খিবিকপু শাফোংনখিবনিদো ।।X

র়—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা পাগ্রংবা নংবু শাথোক্লিবা অসিনিদো ।। লুতুংদণ্ড নঙ্গী নাওয়োম লাইয়েক্না লৈফামহুনা লাথুপ শাফেংে লৈঙমলিদো । X

শ—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা লাইমিংথোই অশিবা, লাই কৈক্লংবগা, শনিক লাইনৌ তাংগা শাফোংখিবনিদো ।।X

য—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা তিলিরোনবু শাফোংবনি, লাইয়েক অশিদি মরু শিদবা শিদবী নিদো ।।X

স—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা লাইরিরেলবু শাপোকপনিদো ।।X

হ—লাইয়েক্না অতিয়া অত্রাশিদবা=শলাইলেন অমম্বগা হৈরোং লৈমা= যিরৈমগা শাফোংবনিদো ।।X

ক্ষ—লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা নপা ইবুংঙো পাবু থংবনা হন্নাবা লৈচাইবা বনবা হাইনা শাথোকপবু লৈচাইবা ভম্মদনবা নপাবুংবু কৈক্কাবা লাইয়েক্কি ॥

লাইয়েক য়াইবীশিদবা ১০গী রা

আ—লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা ল্যাইরৈমা, অরাই কংদবী শাফোংঙিদো । x

ই—লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা ইরৈমগা ইচাইবীগা শাথোক্লেদো ॥x

ঈ—লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা ইরোং নিংথৌবুগু শাথোকনৈদো ॥x

ঊ- লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা খোইযুম পুম্বনা লিরি পোংগন হিন্থাপ্লরিদো ॥x

উ—লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা তেংবানবগী মপুনা থম্মুংবু ইভান লৈশানরিদো ॥x

ঊ—লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা লাইবুংথৌ উকোংলেনবু শাফোংনৈদো ॥x

এ - লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা লাইবেম্বী এ লৈমগা এরাং লৈমগা শাফোংনৈদো । x

ঐ লাইয়েক্কা লাইবুংথৌ এয়েং থাবা চৈংলৈ তাওবা, ভইনিংগুম্বা শাফোংনৈদো ॥x

ও- লাইয়েক্কা নাওয়োমহুনা ফোংহজুথোবগা নপা ইবুংঙো পাবু থংবু শাফোংবনিদো ॥x

ঔ লাইয়েক্কা গুগ্রুই কাংলা শামৈ থাববু হৌনেদো ॥x

লাইয়েক ৪৫ অসিগুনা লুচুংদগু লাৈর শাথুপ্পনা চৈপান্নবা থৌশিন্নহুনা কৈভন্নবা শা, উচেক, তাইবং মী লাইনচিংবা পুম্নমক্কি লাইমিং য়ানবা ইথোলু পুম্ববু শাফোংনবা তেংবনবু লোংদন্নিবা শেমগল্লীবা মরুগী মনা হক্কি কুয়োম্না লাইয়েক্কি মশক ওইবনি ॥ অমা হায়রবদি (উং ; লাইয়েকপু থঙ্গদবনি, লাইয়েক অসিগী য়ারা ইথোলবু লাওবদগী তেংবানবা অসিবু শাথোরবা উরেন উয়ুংবু লৈথল লৈথম্বা কৈহৌদুনা ইভাইরৈশানম্নকপনিদো ॥ মথংদা তনি হাইবা লাইয়েক অমা লৈশাইদো লাইয়েক্কি (ক) লাইশঙি অতিয়া শিদবগা লৈশিরেল লৈপুংবিগা) তিলু ষম্বাল

লাংবনি ।। অশুম্বা লাইয়েক অমগা অমগা তিলু থানা অমদি লাইয়েক অমগা অমগা য়ারা থৱবোন থানা লাইয়েকপু য়ৈথাইনদুনা থৱাই পানবা পুম্বগী লাইরিক্লা মরা ইখোন ইৱাইখোনব শাফোংনবনিদো ।।X

লাইয়েক ৩৫গী চৎলম লাইরকতন হাইগে :—ক, হাইবা লাইয়েক অসিদো অচৎপা চত্তবা থৱাই পানবা লৈবা থিবিক্তি হক্লীদো ।।X

খ, লাইয়েক্কি মশক্লা থৱাই পানবা পুম্বনা চারিবা চিঙ্গাক্কি মশক ওইদো ।।X

গ, লাইয়েক অসিনা চানিং থক্লিংহল্লিবা অশাম্বা খোৱাংবা তোইল খংহল্লিবা মহক্লা থোপু নঙমলিবনিদো ।।X

ঘ, লাইয়েক্লা থৱাই পানবা পুম্নমক্কি য়ুমগী মশক ওইনা তুংনকমগী লৈফম ওইরিদো ।। X

ঙ, হাইবা অসিনা থৱাই পানবা পুম্নমক্কি হকপু লোংইনবা থোপুরিএ ।।X

চ, লাইয়েক্লা নিংথিজবা, ফজবা মশকপু খংহল্লিবা প মহল্লিবব থোপুইএ X

ছ; লাইয়েক অসিনা অচুম্বা না ঙাংবা অরেপ্পা রাবু শিজিন্নবা পাম্বা, তুম্বা য়াংদনা পো-রম্ব থোপুরিএ ।।X

জ, লাইয়েক অসিনা থোরম খুদিংদা পরম মশো মওং অশুম্বা থোপুগে রাখলহল্লিবা থো-রম্ব থোপুরি । X

ঝ, লাইয়েক্লা মীবু উশিত্তবা থোপু খুদিং কঞ্জাওদুনা তোঙম্বা থোশিল্লী ।X

ঞ, লাইয়েক অশিনা মীপুম খুদিংনা চাইবব থোয়ানবা মপুক রাখল কলক মিহৌবা লৈতনবা থোশিল থোপুবা লাইয়েক্কী ।.X

ট, লাইয়েক্লা মপুক রাখল অথোই কানবা, মশানা কনফানবা চৎলম্ব থোপুবা লাইয়েক্কি । X

ঠ, লাইয়েক্লা রাঙাং হৈশিংবা মরাহৈ পাঙশানা মীবু পেলহলদুনা শুমহত্তুনা লৈথম্বা চৎ-লম্ব থোপুবনি ।।X

ঙ, লাইয়েক্রা শা, উচেক, মী, লাই-পুম্বনা কনাগুম্বনা মমাক্তা লৈছম্ববা থৌপুনবশে লাইয়েক্র অসিগী এঙম্নি-।।x

ঢ, লাইয়েক্রা মীবু মাংনবা হোৎনবা মীবু ফত্তনবদা হোৎনহল্লিবা মঙম্বু থৌপুবা লাইয়েক্লি ।।x

ণ, লাইয়েক্রা থবক খুদিংদা অক্লিংবা, অমগা অমগা থেন্নাইনবা, খৎন চৈনবা ৱৈনা শুনবা লাইয়েক্লি

ত, লাইয়েক্রা থৌরম খুদিংবু থৌঙম থৌপুবদা রাঙাং রাত্তা খুদিংদা মীনা ঐবু করি হাইনা লুচুংদা থৌরম অমদি রাহৈ অসিদগী করি ওইগবা রাথন চৎলম্বু থৌপুবা লাইয়েক্লি ।।x

থ, লাইয়েক্রা থৌপুবদা, থৌদাবদা ভাইথো হোরেল তৌশি, হয়েং তৌশি লৌথাম থৌপুবা লাইয়েক্লি ।।x

দ, লাইয়েক্রা পরম খুদিংমক্তা তাংজলুক্তা রাহৈ কারাম চাওদবা নোলুকপা চৎনলম্বু থৌপুবা লাইয়েক্লি ।।x

ধ, লাইয়েক্রা ইরাং ইশৌ লাংনবা থৌশিনবা থৌরম লৈফম অমদা চনিং লৈতান লৈ-ঙমদনবা থৌশিন থৌপুবা লাইয়েক্লি ।।x

ন, লাইয়েক্রা লোন হাই পাওশাবা হাইজ চৎচবা থৌরম্ব হৈশিংবা, মীনপ র.নপ্প, হৈশিংবা লাইয়েক্লি ।।x

প, লাইয়েক্রা মীনা মুংশিনবা, চৎলম্ব থৌপুনবা রাহৈ পাওশাবু ভাংনবা থৌপুবা লাইয়েক্লি ।।x

ফ লাইয়েক্রা মীয়োক মীচান কুবি লোংদম চৎলম্ব হৈশিং থৌপুবা লাইয়েক্লি ।।x

ব, লাইয়েক্রা মীথোই মীহেনববু পাম্বা ঐ মঙাইরে হাইনা শাথোক্লিংবা লাইয়েক্লি ।।x

ভ, লাইয়েক্রা অকি তুজুংবা রাথন পোকহনবা লানজিং লাংথোংনবদা মাইয়োক্নবা ঙমদবা চৎলম্ব থৌপুবা লাইয়েক্লি । x

ম, লাইয়েক্রা ঐনা মহেক্না হৈবা খঙ, তৌশিঙবা ঐনি থৌরম পুম্বা ঐনা লৌনা শনাগী মঙম্ব লৈননা রাখনবা লাইয়েক্লি ।x

অন্বয়,—পীজ পীথকপদা পাম্নুবা লৈতবা মীপুম খুদিংবু অমত্তা ওইবদি মানা য়াবদা ঐবা য়াবনি, মানা মুংঙাইরগা ঐশু মুংঙাইবনি য়াথল চংলম্নু থৌপুবা, লাইবু নীংবা থকশি কায়ম চত্তববু থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।x

ল, লাইয়েক্কা মানা মানা ফংখিবা পোংচৈবু কনাদত্ত পিথোকনীংবা পীজনিংবা লৈত্তবা পুম্নবু য়ুরা ইথোল থোকহল্লিবা লাইয়েক্কি । x

র, লাইয়েক্কা উরিবা পুম্নবু পাম্বা লৌনিংবা চারিবা মথৈবু লৌশিল্লিবা মথৈবু পেনবা লৈতবা লাইয়েক্কি ।।x

র, থৌপু থৌরম খুদিংদা মানা তৌনিংবদা তৌদবা কনাগুম্বদা য়াহংলগা অফবনি ফত্তবামি মুম্না লৈখংলগা থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।x

শ, লাইয়েক্কা লাওথোকহনা অকি তুজুংবা উত্তুনা পাওশাম্নদ করিনু নাচুংবা লৈত্তনা তুংমিম্না তাত্তনা লৈঙম্বা ওম্বা লাইয়েক্কি ।x

য, লাইয়েক্কা নিংশাবু হোম্নবা থৌপুরিবা য়াহিপয়তানা পোথ হল্লিবা মপাঙলবু লৈহাপ্নরিবা লাইয়েক্কি ।।x

স, লাইয়েক্কা থবাই পানবা পুম্নমক্কী মপাঙলবু লৈহাপ্নবা থৌপুরিব লাইয়েক্কি ।।x

হ, লাইয়েক্কা লৈঙম্নিবা মশক পুম্বনা তাইজবা য়াবু হোয়ানা থৌপুনবিনা লাইয়েক্কি । x

ক্ষ, লাইয়েক্কা তেংবানবা অসিদা যত্তবা লৈবা মী লাই হিংচাবা য়াইতম্বা লৈবা খিবিকপু তাকথোকনবা মাংহম্নবা লাইয়েক্কী ।x

লাইয়েক ৩৫ অশিবু খাংজরবদি থৌরম্ থৌওমদবা লৈঙমলয়োইদবনে মশক অশিত্তনা লাইবৈ লাথুপ শায়োনলগদবনি থংঙু হৈয়ম ।।x

হৌজিক্কি খোইয়ুম পুম্বনা শাথোকপা লাইয়েকশু তানফংলেদো, লাইয়েকপু য়ৈথাইবা ল ইয়েক য়ুবা খারবোন, লাইয়েক চৈনপ, অপকত্তা, লৈতিল য়ারাবু শাথোক্লশি নপুকচংনা য়েংলো তায়ো পাগ্রংবা :—

ময়েক্কি খোঙ্হোক প্লুথোকবা ঃ—

লাইয়েক ২গী য়ারাবু লৈহন্দুনা হন্না হন্না হাইরকপদা গ হাইবা লাইয়েক য়ারাবু তানফংবনিদো ॥ পরম অগুম্বা লাইয়েক ২ গী য়ারা ইনিলবু হন্না হন্না হাইরগা মতুদা য়ারা ইথোল শমথরকপা য়ারাবু লৈক্না লৈরৌতুনা লাইয়েক মরক্তা লৈবা ঃ১গী মশক য়ারাবু অনেশ্বা অরাংবা লৈখাইনা শাথোক্লথিএ অসিবু লাইয়েক থরবোন তৌবা কৌবনিদো ॥

লতুদি ক। খ গী যারাদগী গ গী য়ারা ফংলে
(খ। গ) অনিদগী ঘ গী য়রাবু তানফংনৈ ॥
অগুম্বা থৌরম অসিদো কাইফা তোংকদবা লাইরকচন লাইয়েক লৈথম্বনিদো ॥

ময়ুক্ষে —

ক+খ= গ। খ+গ=ঘ ॥
চ+ছ= জ। ছ+জ=ঝ ॥
ট+ঠ= ড। ঠ+ড=ঢ।
ত+থ= দ। থ+দ=ধ ॥
প+ফ= ব। ফ+ব= ভ ॥
হ্ম+ন= ম্ন ॥ অসিনিদা ॥

লাইয়েক য়ৈখাইবা

লাইয়েক অতুগী মশক য়ারাবু মশক মওং লৈগুদনা শাথোকহন্দুনা য়ারা ইথোন অমবু শাফোংনবা লৈগুমলিবা লাইয়েক অতুদা নপশিল্লগা লাইয়েক অতুগী য়ারা ইথোনবু তোংদাক্লবা চৈনপ লাইয়েক হাইনা লাইয়েক ২৮ দগী শাথোকলকইদো ঃ—

মতুদি আ=া, ই=ি ঈ=ী; ঋ=ৃ উ=ু, ঊ=ূ,
এ=ে, ঐ=ৈ, ও=ো, ঔ=ৌ, ট=ৎ, র=্র, নম=ং,
ঙঞ নম=ঁ, নস=ঃ, য=্য, রপ=র্ অসিনিদো ॥

অগকঙা লাইয়েক

লাইয়েক অমদি লাইয়েক মশা মক্সা অপক ওইনা লৈচংবা, লৈচংঙিবা লাইয়েক মাগী খোম্বোক ইরাইবু লৈগুনা হাইবা য়াদবা হাইনা অপকঙা লাইয়েক হাইবা ৭ অমা অমুক শাথোকই্দো ।। মশক্তি ই=ই; ক=ক্; ঙ=ঙ্; ন=ন্; প=প্; ম=ম্, ল=ল্; য়=(র্ মচেৎ); য=ল অপকঙা লাইয়েক লৈগুদবা কৌএ ।।x

লাইয়েক তিলু থাবা

লাইয়েক তিলু থাবা হাইবা মশক ৭ অমগা শাদম্মিদো, মতুদি ক+ম=ক্ম; ক+ল=ক্ল; ক+স=ক্স, য+এ=ঞ্চ ঙ+এ=ঙ্গ, লাইয়েক তিলু অসিদো মাগী মাগী য়ারা লৈমুৎ লৈমাংহনকদে ।।x

পাঞ্জংবা মগী লাইয়েক লৈতম্বা লোইহুনা লাইয়েক অনিগুবা লৈতম্লনিমা হৌঙিক্তি লাইয়েক হৌঙিক্তি লাইয়েক ৪৫ অসিগী য়ারা ইখোলবু শাতুম্লকপা হাইগে তারো ।। খৌরি চাউবা লৈফম অসিবু লৈশোক্না য়রা ইখোলবু হাইগনি, অ, ক, ক. খ প ব, ঙ লাইয়েক অসিদো ।। তৌদগী লৈহৌনা—ই, ঈ, য, শ, চ, ছ, জ. ঝ, এ লাইয়েক ৯ হাইগনি ।।

লাইয়েকশিঙ্গী য়রা ইখোল লৈহৌ শাথোকফম তাকপা

কোক হাইবা লৈফম অসিদগী ঋ, র, য়, ট, ঠ, ঢ, ণ লাইয়েক ৮ অসিবু লৈহৌ লৈচংনা হাইগদবনি ।। য়া হাইবা লৈফমদগী ল, স, ত, থ, দ; ধ, ন লাইয়েক ৭ অসিগী য়রাবু হাইদা লৈচংনা হাইগনি ।x

চীনবান হাইবা লৈফম্বু লৈচং লৈশোক্লহুনা উ. ঊ, র, প. ফ, ব ম, লাইয়েক ৮ অসি হাইদোকপদা লৈশোকহনগনি ।। খৌরি অমদি তৌদগী লৈশোক্না এ. ঐ হাইবা লাইয়েক অনি অসি হাইদোকই ।।

খৌরিগা চীনবানগবু লৈচং শাথোক্লহুনা ও, ঔ লাইয়েক অনি অসিবু হাইগদবনি ।।X

লৈত্তোয়ে ঙৌনে ২ সি শোক্লা ক্ষ লাইয়েক্কী য়ারাবু হাইগদবনি ।।X

লাইয়েকশিঙ্গী য়াইথিগী শাথোক লৈফন্নু হাইবা ।।X

ঙ, ঞ, ণ, ন, ম, লাইয়েক ৫ দি নাত্তোন লৈফম্নু লৈশোক্লা লৈবনি ।।

শ, য, স, হ লাইয়েক ৪ অসিনা নিংশাগী ইহুন অশাবা শাথোকফমদা থরাই য়াইবীবু লৈংঙম্মিদো অশানা ময়েক ।।

য, ল, ব্র, ব্র লাইয়েক ম নু ইত্তাল লৈথুংদবা মহ্নক্তা লৈবা মশাগী শাথোক লৈহৌফম্নু লৈথুংনা থরাইবু লৈত্তাদবনে ।।X

মতিক মতম্না লৈশু লৈচাওবা লাইয়েক য়াইবী শিদবা (থরাই লাইয়েক) কৌবদি অ, আ ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ ঋ, ঐ, ও, ঔ লাইয়েকশিং অসিগী মতম থরাইবু চাপ্পনা লাইয়েক ৩৯গী য়রা ইংথোলদু হাইঙমদে, অহুন্নুঙ্গীবু লাইয়েক ৩৪ বু লাইয়েক কামোইবা কৌবনি । X

অরুম্বা অয়াংবা চৈনপ হাইগে

অয়াংবা চৈনপ থরাই লাইয়েক্কি অ, ই, উ, ঋ, এ, ং, ন । X

অরুম্বা লাইয়েক চৈগাদি আ; ঈ; ঊ, ঐ, ঔ; ঁ, ঙ, ল, অসিনা খংঅগন্নিদো ।।X

হৌজিক্কি কাং কিং লৈশাবা অমুক হাইগে ক, কাং, কি কিং, কী কী ঁ, ঙ, কু কুং, কূ কূঁ ঙ, কৃ কৃং কৃঁঙ, কে কেং, কেঁঙ, কৈ কৈং, কো কোং কোঁ, কৌ কৌঁঙ, কন, কল কং ক্ক ক্ম, ক্য ক্র, ক্ল, ক্ল র্ক ।X

খ, খা, খি খী খু, খূ, খৃ খে, খৈ, খো, খৌ, খং, খৎ, খন, খল, খম, খ্ব খ্র খ্য র্খ ।।

গ গা, গি গী, গু গৃ, গৃ, গে গৈ, গো গৌ গং গৎ, গ্য গ্র, গ্ন গৃ গ্ন গৃ, গ্ম র্গ ।X

ঘ ঘা; ঘি ঘী; ঘু ঘূ ঘৃ ঘে ঘৈ, ঘো ঘৌ ঘ্য ঘ্রু ঘ্ল ঘ্ন, ঘ্ব ঘ্ম ঘ' ঘং ঘঃ ।।x

ঙ ঙা, ঙি ঙী ঙু ঙূ ঙৃ ঙে ঙৈ ঙো ঙৌ ঙং ঙঃ ঙ্রু ঙ্য ঙ্ন ঙ্ল ঙ্ব ঙ্ম ঙঁ ।।x

পাঞ্জংবা পরম খুদিংবু লৈয়েংনা লাইয়েকপু হাপ্পুনা ম্নারা ইথোলবু শাথোক্লিবনি. হৌজিক্তি লাইরকচনগী পরম খুদিংবু নংনা খংদবা উদবা লৈঙমদরে ।। শা উচেক লৈঙমলিবা পুম্নগী মারা ইথোল ইপাও লৈবা খিবিকপু নংনা খংদবা উদবা লৈতরেদো ।। হৌজিক্তি খুংগু খুংলোই লৈশুববু তম্নবা থৌহৌরশে পাঙশানহুনা লাইয়েকপু লৈখংনবা তম্নীবা লোইহুন লিরুং তেনগুবা মখল মখা থাং, তা, য়োংশুক শুবা, অরাম্বাই লংবনচিংবা লৈঙাক লৈকম্নবা মহৈ মশিং পুম্বনু নোংদম শংলেন লৈফম্বা কৌব্রু মরুনা তম্নীরেদা ।। মৈতৈশু নোংদালাই পা-খংবা কংলৈ ফম্বাক্বু লৈশংবীগাদৌরিবা নবুথৌ পাঞ্জংবগী মঙম্ব উনদ নবুথৌ পাখংবা কোঙ-ভুগোক না লৈখংলহুনা ঐগী ইহৎপু লৈশিম্নবা লৈঙমলে হাইহুনা লৈশিম্নরম্ম গ রাখন্দুনা মচা পাখুংবব্ লংহিং লংফাই ম্নানবা থৌরাং থৌপুনঙম্নক্লেদে, মৈতৈশু ।x

লংহিং লংফাই ম্নানবা পরম থৌশুবা

মাইগৈ ৪ দা উচিন্না অমামমগা লফু চু অমমমগা হুংহুনা ময়াইদা থকথন থংলে ।। মথৌ লা ইশাইফু অমমমগা হৈকক অমমমগা খোইরু থাউমৈ অমংগা পান্দুন মাইগৈ চবু হৈরাং চৌনি লৈপাইনহুনা মৈবু থাবৌনা থৌহৌরে ।। লৈ চেবু লৈহুংনা নোংদম্না গোইশুম্ব লৈজন্দুনা মৈবু ইরাংনা লৈপাইনহুনা তৌওম্লিনা থেংশু লৈপাইনহুনা খংহল্লে । মচা হৈংগু পাঞ্জংবা খুহনহুয়া লৈশেংহুনা লাইরেন্বী ৭না মললো থকথন খন্দুনা চেলোং ঊহৈনা মশাক মন্টু ইংুয়া উক মাইতানা থৌরাইরে ।। চিংথৈমক অচিবা মিতন্তাংহেম্না মচা চবুংতোগু শিকশং থাশেংবিহুনা পাঞ্জংবগী মাঙথোং লাংয়েন ৭ তা মালেম লৈরাং লৈহুম্নবগী চংলম কাবো লৈখা লোয়েন্না আপ্রা শিদগা হক্তী মপুগী লৈকমদা লৈরাং লৈহুনখিহুনা হক্তী পরম্ব থাইনা লৈতাকপীহুনা মালেম লৈ-গী হক লৈফম ৯দা লৈকং লেহুল লাংহল্লে ।x

হক্তি লৈফম ৯দা মালেম লৈহুলবা তাকপা ।।

চিংথৈ মরুনা হাইএ, পাঞ্জংবা হক্তি মম্নুংদা লাংয়েন ৭ লৈ হাইবদি মিৎ ২, চিম ১ মা–২ লরাই লৈফম ১ নাতোন লৈফম অভুম্বা লৈফম অশিবু কৌবনি. লৈফম অশিদা আপ্রা শিদবনা

মাগী মঙানবু চাইথোক্তুনা লৈএ ।। অচুদগী মথা রমদা মথোক লোমদা কয়াং ৮ অমা শেমদুনা আত্রা শিদবগী হক মঙানবু লৈফম্না থোৌপুরিদো ।। হক্কি কাদি ২নি অমদি থক্তা লৈবা লুরাইনি, লৈফম অশিদা লৈবা কম্লিবা লাইদি লাইমিংথোই ঐহাক কৌত্রু হাইনা কৌবনি ।। করি মুংগীবু কৌবনো হাইবদি থেঙ্গুম চীংলেন কুরুম চীংলেন অনিবু শেমজৈদা নপা ইবুংঙো পাথংবনা কুরুম চীংদা ফম্বাল্লাং, থেঙ্গু চীংনা নমঙা ওইনা লৈফম্না শাম্নদুনা লৈজৈদা লাইমিংথোইনা মশানৌ কোন্দে তমৌবগী মতৌ লৈওংবু উবদা মপুক হয়াও তয়ামলদুনা থৌরম্ব মরুবু স্না মিংথেং লৈ-তাহনগে নিংথদগী থেঙ্গুম চীঙ্গী মতোন্দা লেপ্তুনা কংলৈশ্বা পুংদা ফম্বাললিবা অতিয়া মরু শি-দবব কৌদুনা উনবা কৌওমখিএ অমুঙ্গীবু কৌত্রু অচিবা হাইবনে, মিংথৈদি (পোয়ান) কৌইদো ।।x

কা ১ দি খৌনাওনি, কা ১দি যেংক্কি থবাক মথা ফিরাক নোংখুমনি, কা ১দি ওইগী থবাক মথা পৈনি, কা ১ দি খোংজাবিনি, কা ১ দি থিবাংখাওনি, কা ১দি মশিং থানি, কা ১ দি মথাক কৌবা—খোইদৌনি, কা ১ দি হক্কি মিইং লুনফম্নি মফম অশিদো মৈ, ঈশিং, মুংশিংতনা লৈফম চংনা ফম্লিন্দা ।। লৈফম অসিবু লৈমরেল শিদবীগী কাইরেল লৈফম্নিদা ।। মশিংখারু শেমীবা লাইদি থোংঙাবেম্নি লাইমিংদি (কাং) কৌবনি মশিদি শাদোংনি ।। থিবোং খাওবু পুনা লাইদি থাংমৈ মারুনবনি লাইমিংবু (বিয়ান) কৌইদো ।। পথ্রুংবা মালেম লৈকং লৈবাংবা হাইবা অসিন্দা নোংকারৌ খুদিঙ্গী খোঁকাওফদবা চানলম্নিদো তাইবং হক অমা শাথোক্রুবা শেম্বদা মালেমনা লৈপীশইরগা ঈখিঙ্গী শরুক, মৈগী শরুক, লৈচিংগী শরুক মুংশিংকি শরুক, নোংথোগী শরুক, অসিনা হক্কি দা ।। হক অসিন পুক্লিবা লাইশং অচুন লৈশম্ব লৈফম্নিবা লৈ-ফম্ব থোকাওদনা নিংশিংদুনা হক্কি মম্নুংদগীব ইপাল্লংদা লৈখ কুনবগীদমক্তা তেকংগী মপুগী লাইমিংবু লৈযেক্তুনা লৈফম খুদিংবু লৈফাবনি মালেম লৈকং লৈতিন লৈফাবক লৈথনা লৈফা-ববদি লৈগে হাইবা মথৈবু ওম্নিদো, লাইথুং লৈনাবু মনিংবা মুমিত্তা কবা ওম্বা হৌ ক লৈ লম্ম-হনবা লৈফমগী চংলম্নি ।। মুমিং লিপুন ১না পোবপগুম মতিক মঙম্ব, তাঙ্গেদো, থাজা লিপুন ১না শাথোকপগী মঙাম্না ঈংবগুম ইনা লৈশানবা ওননেদে পাপ্রবা ।x

আত্রা শিদবা কৌবদি তেংবানবা অসিবু শাথোকনবা থৌওম গৌশিনখিবা মপু; হাইবনি ।। মপু মানা লৈবা লৈফম্ব খুংনঙ শোকহৈদে পাইহৈদেএ অচুম্নঙ্গী মরক অহাওবা নাখাং হাইবা লৈফম অসিনিদো লাইয়েন্দী কুং লাইয়েক্না ফম্লিএ লাইমিংবু কুং নাংলুম কৌইদা ।। লৈকারক-পদি মথোক=খোইদৌ লৈফম অসিদগী লিদা ।। খোংথোক খোংচং লম্বী ওইদুনা অহিঙ্গী খোংলম মুংখিলগী খোংলম্ব লৈথাইনা চাগে থকে পেথগে বাখনবা লৈতনা চংথোক চংশিনবু শাম্নদুনা

লৈগুম্লিদো ।। লৈফম অত্থদু লৈখংমবা মাতোনা হাইবা লৈকম অশিদা মালেম লৈকংপদা শাংবা লেমথৰবনিদো ।। মমিংবু শাম্নচি কৌবনে ।। শাম্নচিগী কৰি মোংগীবু কৌবদো তেম্বানবগী মপূনা থোক- লম ২ বু ইপাল লাংফাওনা শাম্নহনা লৈত্র হাইবগী কৌবনে ।। শাথোক্লবদি মৈগী মশক্কে লৈ- চংলক্লপাদি ঈশিঙ্গী মশক্কে ।। লাহয়েক্তি, (হ, য) হাইবনি, লৈথুংবদি (স) হাইনা থুংলৈএ ।। খোংলম ২ বু অহিঙ্গী খোংলম মুংথিলগী খোংলম্ব কাইদনা শাম্নরিবা লৈথিরা হাইবা মথৈবু ভম- লৈএ অহুবু লৈথংনবা লৈয়েক লৈকং লাংবনিদো ।। পিগুম ২ গী মরক্তা (ক্লং ক্লিং) লাইয়েকী মশক ওইনা অতিয় শিদবগা লৈশিরেনগা লৈত্র, লৈহৌ 'খোংগাম্বকপদি' মখোকংলৈফমদগী খুদোন ১ লৈকুম্বদগীনে ।। লাইপক ময়াইগী শমখোংদা শ্রীং লাইয়েকী মশকপু লৈএ ।। লৈহৌরকপদি মখোক লৈফমদগী খুদোল অনি মথাইগী লৈফমদগী লৈকা লৈফম্ববনি, লাইশক্তি লাইমিংথোই ত.ইবং শেম্বনি ।। লৈফম ৩ অসিবু লৈপাই লৈশোক হৈদবনা লৈখা চৈবু শেমহুল লৈকং লৈ- রাংবা মতমদা মালেম লৈনা লৈখা লৈথম্বনিদো ।। লুরাই কোইরেম্দা লৈবদি কৌবরেল অচিলনি লাইয়েক্তি (স) নি লাইয়েক্তি পোরাম কৌএ ।। লৈফম অসিদি লৈফমপুম্বা লৈকংপা লোইরগা লৈাংং লৈরোই লৈশেংমগদবা লৈফম্নি ।। গুকথোংদা লৈবদি লাইমিংথোই শানা মতিদা লাংবনি লাইমিংবু (তককক) কৌএ লৈফম্ব অরান মুংকান কৌএ লইমিংবু লিকচাও লিক্লাং লৌবনি ।। থবাক এৎলম থংবদা লৈবা ল ইদি মার্জিং পাথংবনি, লাইমিংদি (উংতিনয়াম) কৌএ ।। শংংবা থবাক্তা লৈবদি কৌত্র লাইলোংবা নোংদম শংলেন লৈফম্নিবগী মণ্ডাম্নি লাইমিংবু ((থুংরিক) কৌএ ।। লুকা লৈফমদা পুবা লাইদি অতিয়া মরু শিদবনে লাইমিংবু মপাং মান কৌবনি থরাই লৈহনবা থরাই লৈথোকপা য়াইবিনি ।। মখোক কৌবা=খোহাদো কৌবদি লৈশিরেন লৈপুনবী ইমংনি, মশক্তি শিম্বোং কাইলোংগুম্বনে ।। লাইমিংদি (হো লাইরেল লৈবুম্বী লৈতিংনপ কাক্কা চ ক্বা কা মা) কৌবান ।। লৈফমদি মরু অতিয়া শিদবগী লৈফম্নি মরুনা মপাগি বোন্দে লৈ মেইতও নশাবুং পাথংবদা লৈশিম্নলিয়ু নপা চংংজানা ফমলে শংলে লাইমিংবু মিতিংসং সাদ অং থা কৌএ থরাই য়াংবি লৈশংবনি হরু। লৈমুৎ লৈমাংনদরিবা মথৈবু লৈ শংদবা লংশান ।। রেংথংবা পানবাম মরুদা রাংত্রেম্না লৈফম্নিএ লাইমিংবু শমতিং ক্রুককা হিংক্রুক কাক্কা কৌএ ।। ওইথংনা পামবোম মরুদা লোকনীংথৌ থানা চাওবনা লেপ্প লৈফাম্ন লাইমিংবু (খাগীংম্না থিবেল) কৌএ ।। পরম অসিবু লৈথংনা মালেম ইমাবু ঐ এগী হরু। লৈরাং লৈকৎচরগা লেমহৌবা অহুনা ঈশিং থংগা তিল্লগা লুরাইদা লৈরাংহনা লোইগনি লাইয়েক্তি (স) মশক্তি তেংবানবগী হকপু শেম্বা পুবা য়াইবিরেন শিদবনিদো । থৌরম অশিবু থৌদুবদি এগী হকপু মমুং মপানবু লৈশংনা মালেম ইমাবু লৈতিল লৈহনবা য়াদেদা পাঙ্খংবা ।। মরু পৌরম অহুদি বমদৌপ ? মরুম অহু অহুক হাংগে তা.রা । X

পুক্লিং হকচাং ইরুমাইতাবা পরম

খুবাক য়েৎথংবদা ঈশিং খরা খরা হাপ্তুনা লাইমিংবু হাইত্নুনা ৩ লক থকুনা শিয়োম্নংদা ইরু মাইতানা শেংদোক্কনি।। খুবাক ময়াইদা হাপ্লিবা ঈশিংদো লাইমিং হাইরগা খুজেং মথক্কি ইরোং (৩) ফাংবদা চেন্থহন্দুনা থক্কদবনিদো ।। লাইমিংদি ১—ওম হাই চিংপা হাই ফাহিং কৌব্রবে ওরা ।। ২—ওম উই ফ্যাং চিংথং শ্রোং থাংজিংবে ওরা । ৪—ওম শ্রী ভাং তরেংবা, নোংপোক অপাম্বা ওরা ।। লাইমিং লাইশকপু নিংশিংত্নুনা হক্কুংবু ইরু মাইতাগনিদো ।। মতুংদা হক্কি লাংয়েন ৭ কা হক লৈফম ৬ কবু লৈশেংত্নুনা য়েৎকি খুজিল ৫বু লাইমিং হাইনা থরাই য়াইবী মভানি রাখন্দুনা নিংশাব্র চিংশিন্দুনা য়োৎকনি ।। খৌরম্ব হাইগে:—য়েৎকি খুৎশা মভাবু যুংখৎলগা খুবিনা তাং ১ বু থেক্কুনা নাতোনগী মমাংদা অমুক, খদাঙ্গী মথক চিনবানগী মখা অকুৎপা অসিদা অমুক অশুম্না থকথাব্র অশুম্নক লৈশোক্কনি লাইমিংবু (কোনং সংমিৎ) হাইত্নুনা থকথাব্র লৈশোককনি খুবি মনমনা।। খুৎশা ৫বু থম্বাল শানা উম্ননি, রাখন্দি ঐগী থরাই য়াইবী ৫ নি রাখন্দুনা চৌগনি মখিং হাই হাইত্নুনা হে থরাই য়াইবী ৫ লাইমিংবু (যুহা য়ুচেং চেংভা থোংভারেল, অভাইবা হরস মিরেলচান পাখংবা নোংদম্বগী থৌখনব্র তানফংনবা থৌপুশি কোরৌ অসিদি হাইত্নুনা মমস্ব নমত্নুনা নিংশাব্র চিংশিন্দুনা য়োৎকনি ।। মতুংদা খুব মতেলগা খুদোনথী মতোনগা শমনত্নুনা লাইমিং হাই হাইত্নুনা নাভোন নিংশা শোকফমগী নাক হেত্তা ৩ লক শোক কনি ।। য়েৎলমদা হকশো, ওইরমদা (পাংশো) অহুম অহুম্নক পাইগদবনি ।। মতুংদা খুবিগা খুৎ য়াইগা শম্নত্নুনা লাইমিং হাইত্নুনা শম্নবগী মতোননা মিৎ ২ দা অহুমলক শোবকনি।। য়েৎথংবা মিত্তা (মিৎচিরেং মিংহিংস্থ) ওইথংবদা (মিত্তরেং মিং হিংস্থ) হাইগনি ।। নাত্রেৎ থংবদা (শংহো) নাওই থংবদা (শোচিং) হাইত্নুনা য়েৎ ওইবু অহুমলক শোবলমগনি ।। মতুংদা খুবিগা খুনিংথৌ মতোনগা খোইদৌদা অমুক লাইমিং (শিনখে) হাইনা শোককনি। থজিল লকাদা (খুংচিরিক); থবাক্লা ভিংলিং, ভকখোংদা (চেংথেকু), রেৎ থংবা পামরোমদা (ওম হোরিক) ওইথংবদা (ওমথিরাং), পিশুম ২ গী মরওা (কুং হং), দক্ষাইদা (বিং তিক ওরা) লৈশোকুনা লৈপাইগনিদো। x

মতুংদা তেংবানবা মপুগী মঙম লাইয়েক লৈথমলম্বা হোইদোদগী মখা খুদান ১ মখাইদগী, খুদোল ২ মখাইদগী লাইয়েক ৪ লৈথাম্নববু য়াকৈত্নুনা চিংখত্তুনা লাংয়েন ৭ না কোইবা লৈয়াইলেন্দা লৈহাপকনিদো ।। মত্নুদি নিং নিং নিং হাইনা য়াকৈগনি ।। রি রি রি হাইনা চিংখত্তুনা হাপকনি।।

খোইদৌদগী (কুং) নথাংদা থমজো ॥ খুদোল ১ মথাইদগী (কুং হিং) পীগুম ২ গী মরক্তা, খুদোল ২ মথাইদগী (খ্রীং) লাইয়েকপু লাইপক ময়াইগী শমখোংদা লৈহাগুনা নোংদম্বু নিংশিংলগা মতুংদা লৈকং লৈরাজদবনি খংজো ॥ x

লাংহিং লংফাই য়ানবগী ময়ম হাইগে পাখুংবা

লংহিং লাংজা লংফাই ৯ অসিদো ইপাল্লাংদা হক্তি মমুংদা কা ৯ থোক্তা লৈখাইহনা লৈগুম্লিএ ॥ কা ৯ অসিনা হক্তি মরোং মশানি, মরোং মশা ৯ অসিগী মখোক্তি খোইদৌ হাইবা লৈফম অসিনি ॥ খোইদৌ হাইবা লৈফম অশিদা নোংদম্বা লই ৫ না নোংদম থোঁদাহিহনা তাইবং খোঙ্গুম্ন চিংবগী হকপু শাদোংহনা কোইনা শাথৌরিএ ॥ হক হাইবা অসি খোইয়ুম ৫ গী কাইদোংফম য়ুমনি য়ুম অসিবু লৈফম ৩ দগী কা ৯ থাইহনা ৫ মক্তা শাম্নহনা লৈরিএ হাইনা নিংশিংনবা ইপাল্লাংদা শাথোক্তুনা থম্নি ॥ অমদি লংথ ৩ ৯বু লাইদুংথ ৯ নি থংনৈএ লাইয়েক্তী অ, ক, ঙ, হ, ন, স, উ, ও, আ লাইয়েক অসিনা মক শেমগংপা ৭ কী লাইমিংবু শাক্তোংলগা মক ৭ পু লৈফম ৬ তা লৈথমনা লৈফমশুনখিদো পাগ্রংবা লৈফম ৬ কি খোংলম অসিগী লংফাই লংহিং লেংয়াম্নবদি লাইমিং কোলোই লৈগুনম্রিবা তেংবানবা মপুগী খোথন লৈগুন চংলম লৈচংব্রীবা মথৈদি লংফাই ৬ য়ানগনি চুপ্লন লিপুন (৩) না চিকহনা ॥ লংফাই ৯ বু লাংযানবদি থোংলম লিপুল (৩) থোক্তা য়েলুপ্পগা লিপুল লৈফম ৫ চুক থানা লাই মং ৫ বু লৈহাপ্পগনি, ভক্লাংদা লিকচাও লিথুপ অছুম্বু লাইমিং থানা লিকশিহনা লাইমিং শিংহাপ শিংথাববু লৈথম্মগদবনিদো ॥ লাইমিং শিংথা শিংকক লিকচাও অসিদো পামেন অমা অমনগু হেক ককফাদ কোয়ৌ নোংমদগু শেমফদে. মরোং মরুনা লৈপুবা মুমিং মুমিগু শিং অমমম শিংকরহনা মরোং মরুনা লৈপুবা ১০৮ দা শিংবক চালুপ অমগা শিংকক ৮ লৈগুনবা শেমগনিদা । x উশক্তি উহং হাইবা অসিগী মউতনা কর্কান শেমগনি, তৌগদবদি মউ ১গী মমুংদা লৈহৌরক্লিবা মালেমগা তাইনবদগী মথক্লোমদা খুদোন ৪ বু পাদমনা কক্কুনা লৌরগা কক্কুনা লাইমিং শিংককপু শেমগদবনিদো পাথংবা নত্রবদি লাইরকানবু নামুংবনিদো ॥ লংহিং লংফাই ৬ য়ানবনা লিপুন (২) থোক্তা চেলুপ্পগা লিফা লৈফম্ব (২) না নমহুনা লিপুনগনি লাইমিংনা (ওম হাই চিংপা হাই ফা হিং, ও কুং শংতে হিংতে, ওম উই ফাং চিংথং শ্র) হাইনা লৈফম (৩ বু লিপুনবদা শোনগদবনি । লংহিং ৯ বু য়ানবনা তৌগদবদি লংহিং থোংলম ৯ বু (৩) থোকনা চেলুপ্পুনা লিফা লৈফম্ব ৫ বু মথং মথং থাগনি

(ও) মরু অহুগা লিপুমবা লোইরগা লাইমিংবু (ওম লৈনোংথাং তরংবা চায়তং ওবা ।। ও হে মৈচিক শ্না মুমুতুরিকপা ওবা ।। ও শ্না থমলে থম ওবা ।। ও শ্না মুহুহু নোং শ্না মনিক জোপ্তী ওবা ।। উৎলৈতিংকা লৈকা ওএ কুং নোংলুম ওবা ।।) লাইমিংবু নিংশিংহুনা লৈহাপ্পগা য়াঙগদবনি, তাকপিহুনা লংহিং ৯বু য়াম্দুনা লাইমিং পিভমলে ।। হৈয়ম হোয়হে ।।X।।X

মৈতৈভু কংলৈ পিবা নোংদাল ই পাখংবা চংলম অসিবু লৈহৌভৈদগী মথং মথং শিন্থাক্লহুনা ইবুধৌশিংনা হোকংলৈ শ্না পুমাইয়োন লম্মাহনবগী চংনলম লাইরকচন থৌপুনরিবা অসিনিদো ।।

য়ুম্লান থোপুবা পরম

মতুংদা পাখংবা কোপ্পন তুথোকপনা মচা ইবুংঙো পাপ্রংবগী চংলম্বু উবদা শ্না পুক্লিংদা পেন-লিহুনা শ্না ফম্বালবু লৈশিন্নরমগে রাখন্দুনা নোংদম শংলেন লৈশংবা কৌব্র লাইলোংবগী মফমদা হাই এ ।। নোংদম শংলেন লৈপুবা মরু নঙ্গী চহু লাইরৈমা থিংবা ওন্বী (সনামুহেহু লৈনপকা) কৌবীবু কংলৈ লুদা লৈতিল হুল্লশি, অহুবু মরুনা করি হাইবনো ? মৈতৈভু পাখংবা খোইয়ুম লুচিংপিবা সনা নোংদম তাকপিবা য়াংফংজবনি সনা পুক্লিংবু পেম্লনবা লৈথুংনবা লাইরমলেনবু লুতিম্লবা থৌপুনবা তৌভম্বীরো ।। লাইলোংবগী য়াথং তাবদা মৈতৈভু কোঞ্জাংবনা (হৈ শিং হৈ দমবা) শাংহুনা রারেপ মিন্নর ।। মতুংদা হৈবাং লৈরাং কবাক অথ ম অহাপ অপোকপদা পোকলেন শাৎপদা লৈহুন লৈথানা মৈফু ইরাং রাশকনা য়াওরুম ফিরোল লৈপাইনহুনা খোইয়ুম পুম্লনা কুবি নোং-লৈহুহুনা পাপ্রংবগী লাইমিংবু লৈরৌ লৈরাং লৈয়াবা লৈহুল্লে ।। লাই লৈমা থিংবা ওন্বীগী লাইমিংবু (লুহোং লুতিন লৈরাংবী) মিংহুনা পত্রাবু লৈকোই ৭ রক লৈহুন লৈরাংভে ।। মিউ ফমলেন্দা (৩) লক সুরাই কোইরেল নমশা তোলোক মথক্তা ৪ রক, মথংদা কুন্দোন পরেং ২ পাইভনহুন লুতিন লৈয়াবদা লৈহুক্লগা ওইথম ফম্বাল লানা থৌখল্লে ।। লৈরৌ লৈয়াবনা লৈ পরেং অমা লৈখাই-বিরগা লুতিন লৈরাংবীদা হুকপীরে ।। মতুংদা লুতিন ফম্বালদগী অনিমকপু চিথৈ মক অচিবনা থেমথোক্লনা খুবাক (৩) লক খুরগা খুবাক লাইকা শানা ফম্বাল লাংদগী থেমথোক্লনা লুতিন ফিজি লিপুন্দুনা শঙ্গাইলেন্দা লৈচং ফম্বালনথ্রে ।।X।।

নোংদম্বা মরু ৪ (লৈবাকি য়াইফ থৌরাংবনা)
লৈথপ্লগে রাখম্লহুনা মহুৎ মরেং লৈশিন্নবা
থৌপু থৌশিন্নরকপা

অতিয়া মরু শিদবনা চিংথৈ মরু অচিবা মিওাংলেনগী মফমদা থৌওম থৌপুরবা লোংদম থৌশিনবা মওম্বু লৈশিন্নরক্লে ।। লৈশিরেল লৈপুনবী তেংবামবগী মমাগী মওম্বু লাইলৈমা খিংবা ওম্বীগী মফমদা লৈশিন্নরক্লে ।। লাইমিংথোই অশিবগী বওম্ব্‌ কৌব্র্‌ লাইলোংবগী মফম্নাংদা লৈশিন্নরম্মগা থোঙ লৈতমখিদুনা লোইনাম থাঙগী লৈফমদা সনা ফম্বাল লাংনা তিলু লৈথানা লৈখরে ।। মৈতৈও্‌ পাখংবা সনা কোঙম্ব্‌ থোকপনা মচা ইবুংঙো পাগ্রংবগী মফম্নাংদা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু লৈশিন্নদুনা অশাই অশম ওইনবা নমু তাইবং কোঙ্গিলাংবা, নমু তাইবং পৌপ্র্‌লেন, নমু তাইবং পোরোং থোকহাইবা, নমু তাইবং চাওবুংলেন শিদবা, নমু তাইবং কোনচি লাংবা, শখাই ৬ পু কৌশিন্দুনা পাগ্রংবগী অশাই অশম হাপ্ত্‌না পগ্রংববু লৈশিন্নরম্মগা মরু অতিয়া শিদবগা লৈশিরেল লৈপুনবী মরুগা মরু ২গী হৈনা তুংইন্না খোঙামিন্নদুনা মালেম অওানবগী লৈফমদা তিলু ফম্বান্না লৈওম্নরে ।। মতুদা অতিয়া শিদবনা হংঙি, পাৰি কোন্দে তনৌবা পাবু থংবা নয়াম্ব্‌ং লাইমিংথোইদি কদাইদা লৈহৌরে মরু নচাদি থংজদে মরু ২গী থৌখম লেংওম্মগ্রো লৈখনবদগী য়াম্ব্‌ংবু ঐদি লৈয়েংলক্রে কদাইদবু চংওমলগবা লৈফম অসিদা লৈথ্‌রলমদবা অসিবু মরু ।। ওম্হোকপনিদা পাখংবা নং অসিদো মপুক রাবু মথোং তাক্কেদকো, নংবু ঐনা নয়াম্ব্‌ংবু লৈথাগম্বু নঙ্গী নপুক রাখন্দি থৌরম খুদিংবু নয়াম্বগা রাবু তান্নরগা থৌওম থৌপুনৌ নপুক রাবু ননিং নখা লৈতম থৌপুগম্বু হাইবদি নপুক রাথনবু ননিং তৌওমলুবনা নয়াম্বনা লৈতাক্লমদনা চংগ্রেদনা কমদৌনি থৌরমদি লৈহৌবদা মরোইরি লুতুঙ্গী থৌরম পুম্বশিদি কাংথং পুথং নাইরোইদৌরে কমদৌশিবা, পাখংবা নংশিদি নপুক থোঙ্‌ল লৈতাদেদকো ।। পাওশানা কদাইদবু লৈওমলমগবা রাখন্না লৈফম খুদিংবু কোইনা রাখনগী মিংয়েংতনা য়েংলক্লে ।। তি কন্নিনো মমাংঙৈগুন্না লোত্ত্‌না লৈগ্রেন মশক লাই রেক অসিদে ।। পাখংবা নয়াম্বনা লোত্ত্‌না লৈওম্লিবা লৈফম অসিদা নয়াম্ববু থৌথল্লিবা লাইয়েক অসি উবরা ? মরু লাইয়েক্তি ৮ থকপু উওম্বা তানফংজৈ অতুদি করি কন্নিবু লাইয়েক্লো ? মরু লাইয়েক অসিদো থ, ক, ন গ, র, ম, হ, শ, অশিনি মরু ।। অতুদি লৈওম্মিবা লাইয়েক অদো লাইশক্তি থংলবরা ? মরু লাইয়েক অসিবু লোংদমখিববু 'থ' না থাংজিং ফেপ নওবরা ? উম চুম্মি ।। 'ক'না ফকথোক অন্নিবা কৌব্র্‌ নত্র ? মাম্নি ।। 'ন' দি চিংচরোইবী 'গ'না গৌবরেল== কাবরেল 'ম'না রাংব্রেন থ না চাওবা নওবরা ? মাম্নি ।। 'র' দি ইমা লৈমরেল ফমথোন ফালম ৭ লৈতম্বীনি ।। 'হ'না নোংদম থৌদাবু থৌওম্নবা শিম্বাবা অতিয়া মরু শিদবনি ।। 'শ'না নোংদম থৌদা থৌপুবা লাইমিংথোইনি ।। অহুম মরুা মৈ ঈশিং মুংশিং হোরো শো, রো, হো শো, শো হো রো মশক শাফোংবিববু ওইগদরা নিংজৈ অতুবু অয়োন পরম কুবিও ।।x

পাখংবা ময়ম অতু লৈবনা নয়াম্বব্‌ লৈথাগম্বু হাইবনি নয়াম্বনা লৈবা লৈফমদা পুম্নমক্কো

লৈবনে ।। নহাকণ্ড মহাক্নি, ঐহাকণ্ড মহাক্নি অহুমুঙ্গীবু মহাক ঐহাক নহাকা কৌবনি, হাচবনে খংলোদো নপা ঐনা নফমলাংদা অমুক লৈহন্না লৈকৌনহুনা লৈথঙ্গী রনগে কাওগন্নু কুবিরে ।। মরুনা হাইএ, লোইদাম থাজদা তিলু ফম্বানবা লাওমিংথোই মপা। ঐদি কোরৌহনবগী লৈফমদা লৈ-কৌনবা লৈকারুরে পারি নংবু লৈরমগন্রা হাইহুনা পারি ইচাদি লৈথুংনবা খোজরমন্রে, নপা ঐবু থাদোক্লগে হাইহুনা নঙ্গী লৈফম্ন, লৈথুংনবা খোঙ্গা ইহুন লৈতমনরমদবরা থৌরমপুম্বা নপ ঐনা লৈথাংই মতিক নওম লৈহকপা পারি ইচাগী চৎলম্ন, তাংজলুক্না লৈফম্বা অসিদো লুতুংনা লৈথংনহৌ-নবা নপা ঐনা পারি ইচাগী ফম্বাল অসিমতং লৈহুনগে নপুক তাথি নাওইনহুনা লৈফমদবা তৌগন্নু তিলু ফম্বাল লাংমিন্নশি ।। পারি নংদি মুমিংনা ফিরাংজি খুদা থাওম্মু লোইদাম থাজনা থকথন ওইনা লৈথনবা হাইনা নপা ঐনা পাওশানা কোরৌ অশিদগী থাকৌ লৈহন্না পারি নঙ্গী চৎলম্ন, লৈথমলমগে লৈথিবনা লৈথংশন্নু থংদবনা থংদশন্নু পারি নঙ্গী লাইমিংনা (লাইমিংথোই শম্থোং অরিবা মুমিংনা ফিরাংজি খুদা থারিবা থানা থকথন ওইঙম্বা অতিয়াগী লৈমরেনও নোং-লাইগী মন্নুংদা লৈঙৈগী লাইমিংবু মিং মিং মিং ও পিং পিং পিং অকোলহিং লৈয়োম্লাং তনৌবা) হাইনা নপা ঐনা লৈহুন লিএ পারি নংবু লাওগবা হাইনা থাকৌনবদা লৈচংলকুনা মক ৪ বু তিলু ফম্বালনা লৈথ্রে ।।x

মৈতৈগু পা-খ্রংবা নোংদলাই মতম অসিদো ঃ—

হৈয়িচক ফৈদোম শৈহৌরে, হৈয়িচং তাইবা ফৈদোম অশিনা লৈপানবদি তাইবং কুমজাদা লাপুন ১৭ লিপুন কুনগানিপানবু লৈপাল্লনি= চৈয়েক্লা ১৭, ২৮০০০ অসিনিদা ।। তাইবংনা মনিং তম্বা পুন্সিনি ।। মশাগী মরেপ মওম্মা মহাক মহাক্কি মথুং থুংশাগী মতোন্দগী থুংকি থুনিং য়োনা কুইবা চৈদম্ন, ২০ রাংইদো ।। লাইনিং চৎলম লাইশোন্না (উং লৈহিং ফা, লৈফা ও য়ে, কুং নোংলুম ।। ও সনা মুহেন্নু মোং সনা মনিক থোম্বী, হুং থমলে থং শলাইলেন অমম্বা) লান্না থুবম্নে ।।

হৌজিক্কি নবুংথৌ পাথ্রংবনা লৈঙাক লৈপুখিবা রাবু হৌজরগে হৈয়িচং হাইযে :—

হৈয়িচংগী মওম্মা লৈচংলকপা কুমজা লিপুন ৩ চালুপ ১গা শুপ্না কুমজা ৮ লৈচংবগী নোং কোরৌ হৈয়েৎ= (শগোলশেল) মরু, কালেনগী ৩নি পানবগী মুংথিল পোপ্পা লৈথাইবগী যুংথক

থানবা মতমদা নমু তাবং ১ কোজিল্লাংবা, ২ নমু লাই তাইবং পোক্লোং খোংময়বা, ৩ নমু লাই তাইবং তাওবুংলেম শিদবা, ৪ নমু লাই তাইবং চাওবুংলেন শিদবা, ৫ নমু লাই তাইবং কোনচি লাংবা, ৬ নমু লাই তাইবং পৌপ্র্‌লেন তরুক্না ঈশোং ঈচৈমা মকোক মউ ঈছুম্না থুজিন থুম্না লৈ শোনা হৌলম্মহনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োন্দা লুচিংবা শিবা লৈকম্না সনা ফম্বাল লাংবা লৈহাম্নগী ফম্বানবু ইবেম্মা থিংবা ওম্বীবু লৈমলেন ফমলেন ৭ লুচিং ফম্বাল্লাংবী লৈহাপনা ফম্বাল লৈকম থৌখন্দুনা ফম্বাল লৈকমল্লে ॥ চিংথৈ মরু অচিবা, মরু ফৌত্র্‌ লাইলোংবা অদিনা লাইরকচনবু নামুং চৎলম থোকহন্দনা পরম পুম্বা থৌরাত্তনবা থৌপুম্না অটেল খোমম্মাংনা, অমাই অদম্না থৌ রাত্তনা য়োইরেল থাবী লেংনা লৈত্তিন্দুনা ফম্বাল মেন্দগী থেমথোক্তুনা শঙ্গাইলেন্দা লৈচং ফম্বাল লাংহনা মুংঙাইনবা রায়েন থৌদা নোংদমলে ॥

হৌ লম্ম হনবা কংলৈ পীবা পাপ্রংবা হু চি উম ওং সনা শোম মনিক শেন তম্বং= লৈমুং লো- ঙ্গা অমিবনা থাংহিং ঙাংঙোই চৌঙনা কোনবা লম্ব্‌ হৌ কেগে মাইগৈ থাথংবা ময়া পনথান অরাপ্পা, লৌতাং ঈরেম্না শকয়েং শেল ওইবলম, থাংজিংনা উঁফম ওইরিবা লৈম্না কুমজা চালুপ অমা—১০০ রায়েন নোংদম্মা লৈঙল্লে ॥ কুরুম চৌঙ্গা নোংপোক লৈহৌ নোংলান চৌঙদা (নোংহুম শংলেন) শেল্লে ॥ ন্যাইমিংবু (তু থৈহিং ঙাংহুকংবা) লৈহুল্লে ॥ য়ুহানা হাদ চৌঙ য়ুচিক্লা চিক্ত চৌঙ শে- লোই নিক্ক নীত্তবা হাইনা থল্লে । X

পুং পুংজাও মাইশাকপা ৩ শাথোক্তুনা, তিংহুনা থৌরম্ব্‌ শিম্মা পাউজলহনা লৈনম্মা হৌ কংলৈনা কোনবা লম মমুংদা লৈবা লাই, অমদি তাইবংনা পৌহৌনা থৌপুনবা অরাম্মদা পাঙশা নোংদম থৌদাবগীদমক্লা (মৈহুম মুরো) হাইনা মৈবাবু শেমহুনা লৈথমলে । পুঙ্গী মমিংবু (লান- বুং) ১ না (শাবুং=কৈবুং) ১না (নোংলেনপুং) কৌবা পুং অসিবু তানয়েরবাদি অথ্‌বা মুমিং অহুদা তৌদবা য়াদবা অথ্‌বা পাওনি লৈথংনহল্লি । পুংশিং অহুবু লৈথম্বা পুং অহুগী মমিং লৌ- হুনা মিংহুন তমলে ॥ মতৌ অশুম্না লৈফম থুদিংবু থৌরম লিংনা শেমথোক শাদোক্ত্‌না লৈবাকপু য়াইফংনবা থুজাও লৈচাওনা লৈপাম্নবা থৌরাং থৌপুনা কুমজাবু মুংশাংনা লৈপামরকবদা মৈতৈ লৈমা ফমলেন ফমথোন ৭ পু লুচি ফম্বাল ন্যাংলিংবী ইথেম্মা থিংবা ওম্বী মৈতৈশু, কংলৈ পীবা পা- প্রংবগী নোংদমদগী রাঙ্গোন শংলেন্দা থোংমুম্নুনা মচা ইবুংচো অমা পোক্লে ॥ মচা পোকপগী চৎলম লুত্তিন নাওয়োক নাওকোনবু নোংদম্মা মমিংবু (কংলৈ থোম্বা, সনা সং লিং ত্রৌং চৌং) লৈহুন তম্বী, নাওয়োক নাওকোম্না সনা পুক্লিং মুংঙাইনা লুতুঙ্গী থৌরম্ব্‌ রাথম্না পানওমলে ॥ X

কোজি লাংথনা লাইরৈমা লৈথমলেম্বীগা য়ুম লিংহনা মচা লিপা লাংবরেল পোত্তুনা থুন্দা লৈপামরক্লে ॥ (লুবাঙ্গী পুকোক্লে)

৩। পৌপ্র, লেন্না ইঙোই য়াংঙোই লৈমগা য়ুমলিংহূনা মচানিপা ইঙৌয়াবা পোক্নুনা থুন্দা লৈশন্নরক্নে ।। (অঙোম পুকোক)

৪। পোয়োং খোক হাইবনা লাইফুরেম্বীগা য়ুমলিংহূনা মচা নিপা য়োং মুরাওবা পোক্নুনা থুন্দা লৈশন্নওল্লে ।। (মোইরাঙ্গী পুকোক্নে)

৫। তাওবুংলেন শিদবা=তেদে অসনবনা লৈচিক লৈমগা য়ুমলিংহূনা মচা নিপা চিংয়িরেন পোক্নুনা থুনশল্লে ।।x খাবগী পুকোক

৬। চাওবুংলেন শিদবনা লৈপী লৈমগা য়ুমলিংহূনা মচা শয়িরেল পোক্নুনা থুন্দা লৈশল্লে ।। (ঙানবা)

৭। কোনচি লাংবনা লৈফুরেল লৈচিক ঙানবীগা য়ুমলিংহূনা মচা নিপা সেমানবা পোক্নুনা থুন্দা লৈশল্লে ।। (খুমন পুকোক)

উমংলাইগী লৈঙম্বা খৈনিক মানা মানা লৈডম্বা লৈকম খুদিংদা য়ুমলিংনহূনা মতম অসিদা তাইবং মপোক্কী শাকোংবা মী আক চালুপ=উক অমা লৈগুহূনা সনাফম্ব কোইজাইনবা লৈহৌনহূনা মানা মানা মপুক খোইজবা লৈফম্ব লৈখিনহূনা লৈশন্না থুন্দা খোংদনা মনিং তম্না লৈনরক্নে ।। (উক অমা হাইবদি ১০০০০০০০০০০০০০০০০০০ চৈশিংনে ।x

পাখংবা পিবনা মচাইবুংঙো কংলৈ খোম্বদা লৈশিন্নবা পরম

মৈতৈগী পাখংবা হৌ কংলৈ লম্মা হনবগী সনা ফম্বাল লৈশংবনা মচা ইবুংঙো কংলৈ খোম্ববু চায়াক পরম্ব খৌথিনা নাংকোনবিহূনা খোরম থুদিঙ্গী চংলম্ব নোংদম থোদাবু খোঙম্নবা শিন্তাক নোংদম্না মহৈ মশিনবু তম্বিহূনা মচাগী চংলম্ব খোয়েহূনা লুতুঙ্গী য়াখনবু পোয়েংনা লৈথল্লক্নদা অনিগুবা লুতুঙ্গী ফৈদোমদা লৈহৌ শাথোক্লবা পরমদি মপা ইবুংঙো পাবু থংবা সনা হকপু কোঞ্জলতুখোক লৈপাইনববু থোংহৌ শাফোংবগী মফম্নাংদা লৈনিবদা পাওশা হংহৌদবনা ফালম শাথোক ১ গা লুতুঙ্গী ফৈদোম ৩ গুবগী লৈহৌবা ফালম ১ গা শাফোং পরম ২ বু লৈরাংলমহূনা, খোরম অসিবু খোইয়ুম বনাগা য়াতাম্নহূনা থোরাংলিব অসিবু লৈম্বাংতনবা শাথোক শাফোংনবা

থৌপুনবা থৌওম থৌপুবীও হাইশিবা য়াখন্দুনা খোইয়ুমশিংবু উনদুনা পাওশানবা লৈফম থরবু লৈকোইদুনা পাওশানরুগে য়াখল্লে ।। হৌজিক্তি পারি ইচগু মমুং মতম লোইওয়ম্ম, লৈঙাক লৈকনবগী থৌরম অসি পারি ইচাগী লৈফমদা লৈশিন্নরম্মগা থৌরম অসিবু থৌওম্নবদি মফম্নাংদা লৈশিন্নরম্মগা কংলৈ কোইদুনা থৌওম্নবা থৌপুবা তারে হাইদুনা কংলৈখোম্বদা লৈপাকপু লৈয়েংবা লৈয়েংবগী থৌরম্ব লৈশিন্নদুনা অশাই অশম পুম্বগা পাওশা পাওশিন্নদুনা মপারি কংলৈখোম্বু লৈশিন্নরম্মগা কংলৈদগী লৈকোইবা থোংশানখ্রে ।।

কংলৈ খোম্বনা মপা পাখ্রংবনা লৈকোইথিবা মমুং অসিদা লৈফম থূদিংবু চত্তুনা লম য়েংলগা ফত্তবা হাওদিবা অকাই অতোই লৈবা খৈবিকপু শেমজন শাজন্দুনা রাইশেং তুংশেং লমশোদুনা লৈবাক্কী ফজনবা লু হেন্নবা শেনগংলি ।। লৈওম্বা পুম্বগী অচা অথক য়াওনবা য়াইফং থৌরম্ব, তানফংনবা লৈফম থূদিংদা (লোউ শিংউবগী) থৌরম্ব, মপুং ফানবা লৈফম থূদিংদা রাইশেং তুশেং নহন্দুনা লৌ উহনবা, ইংখোল কোইবগী থৌরম্ব, চাওখোকহন্দুনা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু মাইগী দগী অরু অহেনবা লৈফম ওইনা লৈহন্নবা শেমগৎ শাগত্তুনা (সনানা ইংগ শিংপওম মনিক্ত তমফা থিনবগুম্না) লৈথমলে ।।X

মৈতৈ পাখ্রংবনা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু থাদোক্তুনা লৈকোইবক্তুনা তেংবানগী লৈফম কয়ামুক্তা কোইদুনা থুম্দারম্বা তাইবং, লাই লৈঙম্ব শিঙ্গা লৈফমদা চদুনা পাওশানবদা লৈঙম্নম্বা তাহবং লাইশিংনা পাওথুম্মি মৈতৈ লৈমুং লোঙ্গা পাখংবা হৌ লম্মাইনদগী (তুঙ্গী) শাংথা লেংথনা লৈরোংশানা য়াহিপ লৈতানা লৈপানগদবা নঙ্গী লাথুপ মারৈ ফাংনগী হৈনা খোঙম ওঙ্ওম্না থৌখঞ্জৌ নোংদম্বীবা ওইরবদি ঐখোই খ্বাইগী হওয়ি. কুবি নোংদম্বা নয়াথংবু থৌওম থৌপুবা ওমগনি, নংনা শাথুপ লৈফম্না লৈওম্নগা ঐখোইবু নাইত্তোম শাথোক শাথোরুদুনা ফালম থৌরম্ব লৈহৌদুনা লৈশান্নৌ কুবি নোংদম অসিদো ঐখোইগী ইওম ইতিক ওইরমদে, লৈফম অচুম্বদ নোংদমগী মউ লৈথারবা নেঙ্গাংদনবা মউ চারি লিংওম থ্রবা হৌ লম্মাইনবা পরম থৌরম চৎলম লুপিন থোকওম লৈঙমলগদবা খৈবিক্কী (লৈরোনফম) ওইবা লৈহন্মি, ইরাংমদা থম্নোকথ্রবা ইখোইনা লৈহৌ শাথোকপদি ইওম ইতিক নত্তে পাওথুম্না লৈলংলুশা লৈফম পুম্বনা থৌয়ানওমকত্তুনা হৌ লম্মা হনবা কংলৈ পুংমাইয়োন্না লুচিংলিবা লৈফমদা হনওমক্তুনা লোইবা হাওকপ চীংশাংদা লৈকোইনা কোইনা পাওশানদুনা থৌনেকপদা ইতিক নত্তে হাইনা থৌয়াদরে ।।

মতম অসিদা নোংপোক পনশা লৈহৌবা নোংচুপ থোংলোন ৯ বু লৈথিংনবা খোহৌবা নোংলোন

চীংথক্তা পনকবা মুঙ্গ মহারাবগী মফমলাংদা লেপ্পৌ লৈবা খৈবিক্লী লুচিংবা পিবা (ঙাহিং সনাঙাং) কৌববু লাক্লুনা হৌ কংলৈ লম্মহনবগী লৈরকপা পরম্ব, হংঙমলবদা মুঙ্গ মহারাবনা লেপ্পৌ পিবা ঙাহিং সনা ঙাংদা লৈতাকপী ।। ঙাহিং সনা ঙাং কংলৈ সনা পুংমাইয়োম হাইবা অসিদো তেং-বানবা অসিগী লৈহৌফম মউগী লেমফুনি, লৈফম অসিদগী শাথোক্লুনা লাইরৈবাক নোংলোনগী পরম্ব, শাফোংহুনা লৈথমথিবল্লিদো ।। লৈফম অসিদগী লৈথারোনগী লৈফম্ব, লৈথানা লৈথমল্লি-বনি ।। থোরম পুম্বগী হৌনফম মউ, তেংবানবা অসিগা হকি মখোক=থোইদৌ কৌবা উরাঙী মখোক্লি=লেমফুনি ।। লৈফম অসিবু ঐনা লৈথাবা লৈতনা লৈবশে নোংদম্বনা নোংদম্বীরক্লুনা লৈহৌঙৈদা অতিয়া শিদবনা লৈশিরেল ইমাগা লোইনহুনা লাইপাখং ৯ লাইঙুরা ৯ শাথোরকহুনা লৈহৌ লৈশেংরকপা থোরম্ব, (অনোইলোন শাকোই লৈশাবা) মিংহুম্নুনা নোংদম্বগী লৈফমদা লৈ-রাংনখিদো, অহুবু ঐগী ইপুক্তা থোইজং লৈতাজবা পরম থোরম্ব, ওইখিবনা থোরম অহুবু তমজবা ওইনা লৈফম আসদা শাম্নজবা মতম্ব, তানফংজহুনা নোংদম্বগী মথোং থাদা লৈচংনহুনা লৈহুন লৈ রাংজববু করম্বা মতমদা তানফংজগবা বাথম্নুনা থোরম্ব, থোনিবা তানফংনবা লৈফম্মিবনি অহুবু ঐতনা পামজবগী নিংজবা নোংদম্বনদি নোংদম্বীরক্তে, অহুবু করিগুম্বা মতম অমদা কুবি নোংদম্বী নবা অহুমুঙ্গী লৈফম অসিবু লৈথাদনা নোংদম্ব, নিংলিবনি (ঙাহিং সনা ঙাং পিবা) ।। অনি-মক্লা পাওশানরিঙৈদা পাগ্রংবা পিবাগু লৈফম অহুদা লৈথংহুনা চংলক্লে ।। মুঙ্গা মহারাবনা মৈতৈঙ্গু কংলৈ পিবা পংগ্রংবা পাওশা করিবু কুবি নোংদম লৈবনো চংবিরকও, ঙাহিং সনাঙাং লেপ্পৌ পিবা নংদি য়াইফংঙিদা নংনা লাকপা কোরৌদা নোংদম্বগী পাওজেনবু টহুন নোংদম লৈথংনঙম্মিদো পাওশানা অনিমক্লা মফমলাংদগী হৌগত্তুনা মৈতৈঙ্গু পিবাগী থুংশাবু লিপাইনহুনা পুশিল্লগা মফম-লাংদা ফমহল্লে ।। অহুম মক্লা মফমলাংদা লৈফমনহুনা মরুগী চুক মথোং (৩) বু লৈশা ফম্বাল্লাং মিল্লহুনা পাগ্রংবনা রাহৌরে ।। লাইমিংথোই মুঙ্গা মহারাবা নফম্লাংদা ঐনা চংজরকপদি অসিনি, ঙাহিং সনাঙাংগু নফল্লংদা লৈঙমলাম্ম ঐনা মিংবা পরম্ব, লৈথংলগত্রা নিংঙাম্ম, মরমদি ঐনা লৈ-নিবা মতমদা পঙ্গৌ কংলৈপিবা মৈতৈঙ্গুগী মফমলাংদা লৈনিনদা লৈহৌবা শাথোকপদি লৈহংহৌদে ঐনা লুতুংদা ওইরগদবা ফৈদোম ২ অমবু লৈহৌ পরম অনিব, থোরাংলে অসিব, লৈনাং থোরাজ-নবা শাথোক পরম অসিব, থোঙম থোয়ানবা তাম্নজগে লংবপনি অহুব, কমদোশিবা ।। মৈতৈঙ্গু পাগ্রংবা থোরম অহুব, করম্বা মতমদা তানফং পরম্বু পাওত জবা লৈফংগদগে ঙাইহুনা লৈঙম চক-পনিদো থোইয়ুম শিঙ্গী চৈয়ম কৌবব, হৌখিহুনা হয়িচকপু লৈয়োরেদো চক অসিব, শৈরোইগ্রগা লুতুং ফৈদোম শাথোবপব, লৈহৌনা লৈরংপা ফালম্বু লৈমেনবদি হাহিং সমা ঙাং নংনা শাথোক্লুনা লৈহৌরো অহুগা ফালমদি মৈতৈঙ্গু পাগ্রংবগু তেংবাং থোপুনবিরো মহুদা ফালম অমা তেংবাংজগে ।। ফৈদোম (৩) শুবগী লৈহৌবা শাথোক অহুনা ঐগী পরম শাথোক থোংলম্ম অমা ওইজবব

তানফংজহনা নোংদম্বা লাইগী লৈফমদা লৈকন থৌগল ওইজগে লেপ্লে ।। থোইযুম্ব অহুম্বা তাম্হুনা নোংপোক চীংদগী থোংশান্দুনা হৌ কংলে লম্মহনবম্বা কোক্তিবা লৈফমগী চিন্না ৪ বু তুনা মাইগৈ ৪ বু চত্তুনা লৈকম্বু কোইনা লৈয়েংঅকই লৈফম থুদিংদা নিংথি চংখোম্বা লৈমম্বু উবদা মৈতৈভু পাপ্রংববু মপুক ৱাথনবু ওকচাম্মে ।। লৈফমশিং অসিবু থোইযুমশিং, তাইবং কনানা ৱাইশেং লমশেং লিঙম্মীবনো নিংথি চংখোম্বা মচি থুদিং লৈঙম্মীবা অসিবু ঐনা ৱাইশেং লমশেংবদদি লৈফম শিংশিবু লৈথুংনা ৱাইশেং লমশেং ভুশেংলমদে, মশিবু থোইহুম কনাগুম্বনা তাইবং কনাগুম্বনা লম্বু লৈকন থৌপুবরা, পাথ্রংবা ঐনা কুমজা মুংশাংনা চংঙম্ভবা অসিদা ঐবু লৈরি হাইবা থৌকাওনম্নবোইনা মঙম কম্বিবু লৈঙম্ব থৌপুনরম্মীবা, মপুক ৱায়ৌ তাখিনরক্তুনা ৱাদি ঙাংদনা তুমিন্না ৱাথমহুনা মাইগৈ শিন্না শনা মিংয়েং তাঙম্না লৈথিরক্কু ।। উম থৌরম অসিদি পারি ইচানা মঙম থৌপুজবনিনা ঐদা ৱা ৱা পুক্রো লৈচাওনৈদা লমকৌবরাম লৈচাওইদা, মপোংপু নিংথি চংখোম্নবা শেম্বনিদনা ।। পাপ্রংবনা ৱাথন্দুনা ৱাঙাংদনা তুমিন্না লৈকোইনবদা ঙাহিং সনা ঙাং লেয়্রে লুচিং পিবনা মৈতৈভু লৈমুং লোঙ্গা অম্বিবা হৌ লম্মহনবদা শাংথা লেমথনা লৈরোং শানা লৈপানবা য়াংলৌ কোঙ্গাই চত্তুনা লৌয়বা অসিদা শমু অহুমদা চংমিংবদা অনি। লৈয়েংবদা লৈফম থুদিঙ্গী নিংথি চংখানবা উজবদা হপুক থোইজং লৈজবা থোকঙম্বদগী লৈফম থুদিংজী মতিক মঙানবু লৈথাবা ওইনা পাওশানহুনা হেনা থৌগন মায়ন্দা ময়িন্নি, মৈতৈভুনা চুম্মিগু হাইদে লাম্লগু তাকপাদে মুংগুক মুংনংনহুনা সনা খোংলেংবা অসিব ঐনা তুংইন থৌগনবা অসিদা সনা পুক্রিংগী ৱাখন শরম্বু অকাইবা থোকঙমহুনা তৌবরা? ঙাহিং সনা ঙাং এ মহু নত্তে ঐনা ৱা ঙাংদবগী নপুক ৱাচোম কিশি কাংজম্বীগনু এনা ৱাং ঙাংদবদি হৌ লম্মহনবা কংলে অসিবু ঐনা লৈথাদোক্তুনা চংঙম্লকপা আসবু কুমজা হঞ্চ মুংশাং মনখিবগ লৈফম থুদিংনা নিংথি চংখোল্লম্বা অসিগা উবদা হপুক ৱাখনবু তনৌ তয়াংখিবদগী, ৱাখন কামম্নাখংবগী ৱাখন অহুনা ঐগী হকপু থুংহংখিবনা ৱাহে পাওশা যাম্নদবনি ।। মহুদা মুজা মহারাবনা মৈতৈভু পাথ্রংবা পিবা লৈরাক্তি লুচিংবা শিবানা অহুক কুইনা লৈথাদোক্তুনা লৈবোংবা হৌনাবা কনানা লৈরাক্তি অন্না অনং থৌয়েঙ্গবা থৌরম আসদ নামুংইদা ।। চুম্মি লাইমিংথোই মহারাবা অংবু লৈবাক্তি থৌরম অপুম্বা লৈঙাক লৈকাম্লান পুম্বব নত্ত হেবুংথৌ পারি ইচাগী মকম লাংদা লৈশি মহুনা অশাই অশম পুম্বদা থৌশিন্নহুনা লৈয়েং লৈকোইনবনে । ঐনা লৈফম থুদিংদা নোংকোংরৌ অমমম লুচিবা কম্বাল লৈফমহুনা পাওশানবা ঙম্ববদি পারি ইচাবু লৈঙম হৌবনা থোঙম্নবনি, লৈকোইবদা লৈফম থুদিংবু ৱাইশেং তুশেংনা লৈজেম্ব্বদি নত্ত হেবুংথৌনা ৱাইশেং লমশেং ভুশেং লৈথম্বনি ঐনা লমশেংলম্বদি হাওকপ চৌংশাংবু লৈয়ৌদনা ৱাইশেংদা লৈহৌবনি, মাইগৈ ৪ গু দাই ৪ বু লৈশিন্না চৌংঙশিঙ্গা থুবম্বু লৈশি লৈথম্বা অসিদো জেবাকপু য়াইফংনবগী দমজ্ঞা পারি ইচানা

লৈয়েন লৈথমজতুনা লৈহৌথৈগী খুবম্ব, লৈমাং লৈমুক্তনবা নৌহৌননা শেমগতুনা খোইয়ুমশিংবু খুন্দ লৈতানবা থৌশিন থৌপুজবা ওইনা থোকওন্মি অহুবু ।। থংগে মৈতৈশু নপাগ্নি অসিদি থরাই পানবা লৈশন্না খৈবিক্তি লৈচংনকম তুংনফম, ওইশন্না মচানিদনা, থৌওম থৌপুরম্বা পুম্ববু য়েংশু য়েংশবা লৈকম খুদিংদা মিংলা'বু লৈহোংনিংহন্দনবা থৌপুনা শেমদোক শাদোক্তুনা রাশেং লমশেংতুনা লৈথমলিবা অরু অহেনবু লৈখংনা থৌওম থৌপু চংখোনবা নপাগ্রিবু তানফংনৈদো, কংলৈপুংদা লৈহল্লশি নপাগ্নিগী মশক ঐখোইশু লৈখংনবা ওইওন্নগে ।। মুন্না মহারাবগী রাবু তাবদগী কংলৈ পুংমাইয়োন লোমদা খোংশান্নক্লে ।।

হৌ কংলৈ পুংমাইয়োন্দ খোইয়ুম ও বু লৈচংলক্লে ।। লৈমবেল ফমথোন লুচিং ফম্বাল লাং-লিবী লাই লৈমা থিংবা ওম্বীনা মুন্নামহারাববু উবদা কংলৈ পুংমাইয়োনগী শাথোক লাংওন থৌরম্ব, পরম থোরম খরবু রাথন মিংয়েং লৈতানা ৎৌরম্ব, পঞ্চংবনা থংওমতুনা লৈমরেল ফম্বাল লাংডিবী ইদাইরেন নংবু উনানিংতুনা লাইমিংথোই মহারাববু কংলৈ খোংচংলকওমলিএ পাও-দম্মি ।। পাঞ্চংবগী পাওশা তানফংবদ' লাই লৈমা থিংবওম্বীনা লাইমিংথোই মুন্নামহারাবা কোরৌ অসিদি কংলৈ খোঙ্গরকপবু উওমক্তৈ নোংদম করিবু তাকপীনিংবনো ? লৈবাক্তি মবেম্মা লাই লৈমা নফম্নাংদা লৈচংজবকপদি হৌ কংলৈ লম্মহনব লৈবাক্তি লথুপ ফালম্ব, ঐখোইশু তুংইন থৌগন ওইবা তানফংবা ওইজগে হাইবগী নফম্নাংদা চংজরকপনি ।। লাইমিংথোই খোইয়ুম মহারাবা লারৈ লাথুপ করন্না শাথোক শাফোংনবিগে লৈখংনবা ? মতুদি ইবেম্মনা শাথোক শাফোংবা লাথুপ খুদিংদা তুংইন থৌগন তেংবাংজবা ওইওম্না য়াওজবা থৌরম্ব, লুচিংবাদ ইবেম্মগা ইবুংঙোগনা থৌহৌবা ওইবিবা অসিনি ।। মতুদা পাঞ্চংবনা লাইমিংথোই মহারাবা ঐনা লুচিং শাথোক্লা থৌহৌবা ফালম অতুনা লৈশুদবনা নফম লাংদা ঐনা লাকপনি, নংগী ফালম ওতুমদি ঐবু য়াওহল্লগদুন লাইরৈমগা নবাঙানিগনা লৈশুনবা থৌপুখরো অতুগা ওাহিং সনাওাং লুচিংবা পিবগি অনিশুবা ফৈদোমগী লাথুপ শাথোক অহানবা অসিদি ঐখোই অহুম্ব, লৈচংনা ফালম্ব, লৈপুন ফানবা তেংবাংনশি মরক অনিদা ঐগী শাথোক খোংলম নত্তনা ঐবু শাথোকনক্লরবদি লুতুঙ্গী থৌরমদা লৈবাশুনা ফতুম লৈওম হৌরনি ।। লাইমিংথোইগা লাইরৈমগা অনিগী লথুপ শাথোক অরোইবগী থৌহৌবদদি ঐশু থোকওমলক্তুনা লৈহৌবগী তেংবাংবা ওইনা তুংইন থৌগনবু তানফ জগে ।। পাঞ্চংবা মৈতৈশু কংলৈ লুচিং পিবগী নোংদম্ব, খোইয়ুম অহুম্না থৌওম থৌপুনববু হোইয়া থৌয়ানরে ।।

মতুংদা পাঞ্চংবা পিবনা মচা কংলৈ খোম্ববু কৌশিন্দুনা খোইয়ুম ২ গা শকখং লৈখংনহল্লে ।। মচাগী চংলম নিংখি চংখোনবা থৌওম থৌপুনরম্বা মতিক মওম্ব, উবদা মপুকপু হরাও তয়ামুতুনা

লৈবাকপূ লুচিংবা লৈশিন্নরম্বদা রায়েন থৌশিল্লম্ববু উবদা। থৌডম্লনি ব্রাখল্লহুনা খোইয়ুম অহুম্বু রা-ত্তান ফম্বাল্লাংনা হৌকংলৈ পুংমাইয়োন লম্মহনববু লৈশংবা লুচিংবা পিবা হাপ্তুনা লৈবাক নোংখৌ-তুবা (উয়ুংমথক ক্যোংচৌঙ্গী চৌংয়াংদা থাজত্তুনা ফমহল্লে ।। ইতম অসি হয়িচঙ্গী কুমশিং ১.৮৯০০০ =ল্যাপুন অমা লিপুন ম্বরিফু ম্বাপন চংলে ।। কংলৈ খোম্বদা লাইয়েক ৪৬ শাথোক্তুনা তম্বীরে ।। অ আ ই ঈ উ ঊ এ ঐ ও ঔ অং অ: ।। ক খ গ ঘ ঙ, চ ছ জ ঝ ঞ ট ঠ ড ঢ ণ, ত থ দ ধ ন, প ফ ব ভ ম, য য় র ল ৱ, শ ষ স হ ক্ষ ।। লাইয়েক খরা শাদম শাথোক্লা তম্বীরে ।। মতুংদা লাই ৩ বু হৌনহুনা কংলৈ পুঙ্গী অ'কোইবদা লৈ ত্রী লৈফানা লৈথম্লিবা লাইফম ১০৮বু কোইনা চত্তুনা লৈয়েংলম্মগা থাহিং সনা ঙাং কৌবা নোম্লে লুচিংবা পিবনা খা পাংনা চখিহুনা ব্রাংব্রেন পাথংবগী মফমলাংদা লৈচংখিহুনা লৈঙমখরে ।। মৈতৈগু প্যাব্রংব পিবনা অৱাং পাংনা খোঙ্গখিহুনা লাইমিং (অৱাং লৈতোংলেন অতোংবা) মিংহুম্না লিক্লাই কোঙ্গোন শৌবী অৱাং কংলে থংপাৎ হাইনা লৈফম্ব, মিংহুম্না অৱা থেঙ্গ চৌংনা লোইৗরকনা পৰম্বা মাগী লাৱাই শিংদা পাঙশান্হুনা মহাক্তগী মপুক মথানা চংপা তুবি লাইরেল কৌবা মশক ৭ পূ শাথোক লৈথমহুনা চক ৪গী মঙম শিম্বানা লৈকক্ত লৈয়ারেন্দা লৈঙম্মু নোংদম্না লৈঙমনথ্রগা মতুংদা অৱাং নোংথৌ নোংলৈ পাখংবা খোইয়ুম শলাইলেন (হুমচি উমহুক মিংহুম্না লৈখ্রে) ।। মুংঙ্গাং মহারাবনা মফম্লাংদা লৈহনখিহুনা শাথোক ফালম্ব, মম্বুং মতম ঙাইহুনা লাইমিংবু (লুপারাক য়োমশং) থাকৌনা লৈঙমখ্রে ।। লাই-রৈমা থিংবা ঙম্বীনা তাথিরে ঐনা করিবু তৌঙমহুনা ৈবু হৌদবা তাক্লুবা, ঐশে কনানো খংদ্রেমা করিগী কাওবা অরোন থুপচানবা চংলম অসিবু খোইদুম অশুম্বা চংলম্ব, চংপা হৌনবরাশে, খংগনি লৈম্নমশন্নু হাইনা লৈকোইনা লৈথিনবদা অৱাং ক'গৈ ভাংডপাৎ লিক্লাই কোঙ্গান শৌবী হাইনা লৈফম্ব, লৈহুম্না তুবী লাথুপ থানা লৈঙমখিববু লৈখংলে ।। মিংশ্না ইৱ' চেম্না হাঙবাক্র মৈতৈগু নংদি নপুক তাথি নাওইনথ্রবোই ঐগী অয়োনবা লৈঙাক লৈকন্নবিও, ঐদি ৱাখন থেনবী মুপীজনি নংনা কুবি নোংদম তম্বীরম্মু ঐগী ইবান লৈখিবা, নঙ্গী শাথোক ফালম লৈবৎপবু ননিং লৈথংনবগীদমক্তা শাথোং খোংলম্ব, থৌয়াবনি ।। ঐগী ফালম থুদিংদা নঙ্গী লারৈ ঙাক্তনি খঙু মশি পুম্নকশে নোংপোক মুঙ্গ। মহারাবনা কংলৈ খোঙ্গনরকপদগী থৌরম পুম্বশে থোকঙম্নখিবা ঙাক্তনি, লাইমিংথোই মুঙ্গাং মহারাবা নঙ্গী শাথোক থুদিংদ। ঐ লমন শিংজগেকো হৌজিক্তি ঐ কাইনা শেংনবা মৈশাবু লাংনা লৈখিগে, নঙ্গী শাথোক শাফোং থুদিংদা ঐগী কাইনা অৱাবা মৈচাক অসিদো লাইমিংথোই নংনা অমুক লৈশিন থৌপুবা ওইঙম্মুদো মৈচৈনরম্মগা কোইজাইন-রক্লে ।। লৈফম থুদিংদা লৈকোইনহুনা লৈপাক্তী শেক্লিংদা হাওশমগুম্না মচুবু নোঙ্গী মচুনা তমজনা মচাগীদমক্লা য়াইফনবা মমিংবু লৈঙাক কৌনা শান্নহুনা লৈঙাক লৈমা হাইনা লৈরম্মগা মহাক্তি মহাক ওইবী লাই লৈমা ১। লৈফুরেল লৈচিফ ঙানবী ২। লাই লৈমা লৈথমলেন ৩। লাই লৈমা

চিংনু লৈমা ৪। লাই লৈমা হাইলু লৈমা ৫। লাই লৈমা পিশিন খোম্বী ৬। লাই লৈমা পিশিন্নু, লাইরেম্বী ৬ পু শাথোক্তুনা মালেম কোইনা শান্নহুনা লৈমিন্নরম্মগা লুতুঙ্গী থৌরম্বু পাওশানা লৈশিন্নহুনা লৈথম্মে ॥ মতুংদা মযুম য়ুমলেপ চারি ফালম্বু অমুক হাথগে হ্রাখল্লহুনা মমিংবু লৈমা তারিংনু থাকৌনা লৈহুনবু ন ত রো লেখ তাঙা পোকপী লিতিন্নু মিংতম্না কোইজাইনরক্লে ॥ লাইরেম্বী থিংবা ওম্বীগী ফালম্বু উবদা নোংলোন্দা লৈফম ফম্বাল লাংঙমগ্রবা অতিয়া মরু শিদবনা নোংলোনগী লাই লৈমা ২৬ পু মালেমদা লৈকুমহুনা মযুম চারি লিংঙম্না নাওদা চাদনবা হাথরু নোংদম্না মালেম লৈকুমনহল্লক্রুনা মালেমদা কোইজাইনরক্লে ॥X

কংলৈখোম পাখংবনা মপুক তাথিদুনা লৈকোইখিবা

কংলৈখোম পাখংবনা লৈঙাক লৈপূহুনা মতম মুংশাংনা মপা ইবুংঙো মৈতৈঙু পাথ্রংবগা মমা ইবেম্মা লৈমা ফমলেন ৭পু লুচিং লৈফম্বী লৈবাক্কি পলেম শেম্বী ফম্বানবু তানফংলিবী লাইরেমা থিংবা ওম্বীগবু লৈহংলকখিনি হ্রাখন্দুনা পলেম পন্থো অনিগী ফম্বালবু লৈকঙহুন। খুবম অনিগী থোগন লৈহুনবু তানফংজবা ওইনা মপুক হরাও তয়ান্না লৈপাক্কি য়াইফংনবা থৌওম থৌপুনহুনা লৈওম্মি, থৌরম খুদিংবু লাইলৈমা ৬ কা তান্নহুনা থৌওম থৌপুনৈ ॥ পরম থৌরম্বু লৈখংদবা লৈরগা চিংথৈ মকুদা অমদি নোংদম শংলেন লৈপুবা কৌব্র, লাইলোংবদা অমদি কাইবিবোল শংলেন লৈপুবা থাংজিং ফকথোক অরিবা ফেংকি মমলাংদা অশুম থৌপুরকপবু হক্রা মুংশাংলক্তুনা পন্থো পলেম অনিবু মপুনা তাথিরে ॥ করিনা অসিদ করিনুঙ্গী হনওমলক্তবা অসিনু ইহনমক হনওমলক্লরোই দৌবিব্রা নাথনবদা তানকংদহুনা নোংদম শংলেন লৈফম্বা কৌব্র, লাই লোংবদা হংলৈজএ ॥ মরু লাইলোংবনা মচা ইবুংঙো মৈতৈঙু মপাবুঙ্গা মমাইবেম্মাগদি কদাই হনওমকদ প, মঙ্গুং মতম্বু লোমহুনা চংখ্রবনি লুহুঙ্গী ফালম্বু লৈশিন থৌপুনখরে ॥ মরু মরম অতুদি ঐবু করিবু পাওদাকপিদবা ? মৈতৈঙু কংলৈ খোম্বা পাখংবা পন্থোনশু পলেমনশু লৈঙাক লৈশিন্নরম্মিনা ॥ কমদৌনা মরু শংলেম লৈপুবা ? নপাবুংনা লৈথপ্লগে নিংলক্তুনা মচা ইবুংঙোবু লৈপাক নিংথৌতুবা উঙ্গী মথক্তা থাঙ্গতুনা লৈবাক অসিবু লৈশিন্নখিবা অদুদি মচা ইবুংঙোনা পুকহং পাওহংবিহুনা লৈপাক নোংথৌতুবগী ফম্বালবু লৈফংলে হাইহুনা শন্না ফম্বালতা মলাংবি পরমদি হংবিরোদবননি ॥ উম চুম্মি মরু পৌরম অসিদি ঐনা লৈখংদবনা খোকওম্বনিদনা মরু মরম পুম্বা ঐননি খংজরে হাইনা হঞ্জিল্লক্লে শংলেন্দা ॥ মতুংদা হ্রাখল্লক্লে ইপাগী খুবম মুন্দুনা ঐদি লৈফমল্লবোইরে

কমল্লেন অসিনা কংলৈ খোম্বদা করিবু কান্নবা করিবু তোংজবা, লৈকম অসিবু থাদোক্লমম্মতুনা ঐ লৈকম খুদিংদা লৈকোইহনা লৈঙম্বা তাই হাইনা রাখনমহনা লৈয়াই লোন লৈখালোন ভুনা চঙ্না লৈকোইনরক্লে ॥ মরুনা য়াথোক য়কানবদা ঐবু শাদোং খোংনেং খুদা ওইবিনবা লৈকম খুদিংদা থোঙাইজহনা লৈগে হাইনা মহাক্কী তাওয়োইলাই ভুবি ৭ পু শাদম্না লৈরে ॥x

মাইপৈ ভাকপা লমপুবা য়েলুপ পখ্রাইশিংনা মনিং মখ্রাতম্নবা

মৈতৈঙ্ কংলৈখোম্বনা মপুক তাথিনবদগী হৌ কংলৈ লম্মা হনববু লৈথমলমহনা লৈকোইখি-বনা মুংশাংমনখিবনা লমপুম্বা থোইয়ুমলাই নমু তাইবংমী তাইবং মপোক অথোইবা লৈঙম্বাসিংনা মনিং মখা তম্না লৈপান্নরক্লে ॥

১ নং নোংপোক পানফা অঙাইবনা

নোংপোক লোক্লৌ কোন্দা পানফবা অঙাংবগী মদাইয়েন লাইরৈমা চিংচেংইবীনা মচা নিপা সম্বোং মিংথোইবা কৌববু তাইবং মপোক্তা পোকওম্নগা লাথুপ লাইরেনহনা কোইজাহনখিহনা মফম থংদনা মাংথরে ॥ মতুংদা মতম মুংশাংনা চাদাদনা লৈঙমলুরগা লাইরেম্বী চিংচেংইবীবু মচা নিপা পামশাবগা, মতুংদা মচা ইবেম্মা ঙাংশাবীগা পোক্নুনা মপুক হরাও তয়াম্না লৈপান্দুনা লৈংম্ন-স্বদগী মতুং থরা লৈরগা মচা ইবুংঙো পামশবনা লৈপুবা ওম্নবা মতমদা লমথোক কময়েংবা থোকখিবদগী নোংপোক অঙাইবা লৈফম্ লৈফম থংদনা লৈম্মানখিহনা মপাগী খুবম্ লৈশিন্দুনা লৈপাল্লে ॥ লাইমিংবু নোংপোক পামশাবা হাইনা মিংথন্দুনা মনিং তম্না লমপুবা থৌনা ফবা উইন কনবা থোঙম থৌপুবা ওইনা লৈপান থৌপুরক্লে ॥x

২নং হৌকেগেনা কোনবা লম খ্রাখ্রংবা মুরাং নিন্দু পানবান অরাপ্পা মনিংথৌ

লাই পাখং য়ুহানা লাইরৈমা য়ুচেং লৈমগা ময়ুম খুল্লিংনহনা মচা নিপা হৈ রাওবগা, মচা মুপী পামশবী হাইবীগা পোক্নুনা মনিং তম্বা মাইগৈ পুবা লুচিংবা পাঙনবা ওইনা লৈঙমলক্লে ॥ মচা ইবৈম্মা পামশাবী কৌবী অসিবু অঙাং ওইদুনিদদি তাইবং মীয়োনবু লৈশুনা রায়ম পুম্নবু পাও-

শানরম্মি মতুংদা মথোং কাবী অহূনহা ওইরকপদগী মা ঙাংখিদরে মরমদি কনাগুম্বা মতিক মগুম লৈবা লৌশিংবনা মাঙোন্দা পাওরো পাওশাহনা মাবু রাঙাং পাওগা পাওথুম (৫) লকপু থুমহনবা ওম্বা মশক অহূগী থৌগন তৌগনি হায়বা মায়েপ অমগী মথা মাশক থৌরম্ব, থৌপুনা মাঙ্গাংদে ।। কনাগুম্বনা লাইরেমবু মাঙংনবা থৌওম থৌপুগে লাকওম্বা পুম্বগী চৎনলম থৌগনবু নিংথি চংথোক্লবা থৌরম্ব, লোইনবী মঙাইরোইশিঙ্গী লৈকমদা লৈশিন্নহনা লৈথমলম্লগা কনাগুম্বা পাওশাবা হেক লাক পগা মহাক্না তাংবন অমদা হিপ্তুনা ফিরান ফিজং ৭ লৈথম্না মাঙাংবা তৌদনা পাওশারবা মাহৈবু তাহনা লৈওম্মি ।।

মৈতৈগু নোংদলাই পাথংবা ফমলেন লৈপুবা লাই লৈমা পামশাবীবু মা ঙাংহনগনি হাইবগী খোইযুম মশিং হাইওমদনা লাক্তুনা পাওশারবু মাইথিবা ফংহনা হন্নরক্তুনা মতুংদদি লাইগু তাইবংগু কোইজাইনরে মাইথিহনতা তোকওম্মনি লৈমবু পাওথুমহনবা ওয়রোই হাইহনা পাওশানে ।। পাও অসিবু নোংপোক লাইমিংথোই পামশাবনা তাওয়হনা মপুক তাথিনওমলে ।। মানা লৌশিং কয়াম্বু হেনওমহনা খোইযুম চৎলম ৬পু মাইথিবা পীবা ওমথিবা. অহূদি ঐনা মাবু রাঙাংহন্দুনা খোইযুমশিঙ্গী মওম্ব, লৈশামদনবা ঐ থৌপুবা তাওমলেদো মাখন্দুনা লোইনবা কনাবু য়াওদনা খোং-শাল্লক্নে ।। নোংপোক লাইমিং পানশাবনা লাকপা উবদা চৎলম লুতিন লাই ওলাং থাজা থৌ-পুবগা, নিংথম থাজা থৌপুবগা অনিনা লম্বীদা শাথোক্তুনা পামশাবনু লৌখামলে ।। লাইমিংথোই পামশাবা কদাইদবু খোংশানবনো? নংনা চৎলিব ঐখাই ২গু তুংইন্দুনা থৌওম্নবা তেংবাক্নে ।। খোইযুম অনি ঐদি লৈকাই পাওশাবা চৎপনি লাই নখোইগা লোইনহনা চৎওম্বা য়াবা থৌওম নওে । লাইমিংথোই পামশাবা থৌরমহু ঐখোইগু খংদনা নাত্তে খংঙি থৌরম্ব, থৌওম্নবা তুংইন থৌগন ওইগে হাইবনি ।। ঐখাই ২গী ইশকপু খংহন উইগ্লোই লাই ঐখোইনা লৈমগী মফমদা নাইজোং নাইতোম হেংচংলুবদদি মাইথিবা তানফংহনা লাক্লবনি ।। অহূদি খোইযুম ২ না কবিবু কম্বদৌনা নশকপু খংহন উইন্দনা ঐগা লোইননা চৎওম্লগে হাইবা? লাইমিংথোই পামশাবা হুম্বিং হাইবা মশকপু লৌহনা থৌওম্নদরিবা ফাওবা নঙ্গী নাকোং য়েং ওইদা তোংহনা চৎলগা নঙ্গী পাওশা খুদিংদা থৌরোই খুদিংবু থৌওম্নবা থৌরাংলক্নে ।। মা তাবদা থোয়ানহনা নিংথম লাইগা ওলাং লাইগা ২ না হুম্ফিদ্ধী মশক লৌহনা লাইমিংথোই পামশাংগী না য়েং ওইদা তোংহনা লোইনহনা লাকম্মিরে ।।

মতম অসিদা মঙাইরোই শিজ শজাই মাজেল খেনচংদা থুংলোকপী শামহমা লৈওম্নম্বদগী মঙাইরোইশিঙ্গা লোইনহনা সজাই মতুংদা চংশ্রগা ফিজং ৭ না খন্দুন হিপ্তুনা তুমিন্না মাঙাংদনা

লৈঙমখ্রে ।। মঙাইরোই শিংঙ ভুমিন ভুমিন লোত্তুনা লৈনখি ।। নোংপোক লাইমিংথোউ পামশবনা হংজি, য়ুম অসিবু লৈশংবা কনা লৈঙম্বগে? কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমত্তন পাওখুমদে, অমুক হন্না পাওহংলক্লে মত্থুদা ওলাংবগা নিংথম্বগা ২না মশক্তি উহন্দনা খুম্লক্লে ।। লৈবদি ঐথোই লৈঞ কয়িগুম্বা তাকপীগদবা লৈঙম্বনো ? লম অসি মী লাক্লগা ফিদাদি থানদবা লোত্তুমা লৈনবা অসিবু হৌ কেগে মাইগৈগী থাথংবা মুরাং পনবান অরাপ্পা লম অসিগী চংনরম ওইত্রা? মী লাক্লগা লোৎপগু নংচদে; ফিদা থাদবগু মত্তে, মঙম চাওবা জৌশিংবা মীওই ওইঙম্বরা রাথজতুনা শঙ্গাই মমুংদা খুদা থাজগে লৈচংতুনা লৈথাবা খুদাবু লাংজরি অতুবু ইশাল্লাংদনা লুংঙাইগত্রা পাওদজদবদি শঙ্গাই মমুংদা ঙাইজরিদো ।। পাওখুমবু তাবদা নোংপোক পামশাববু লৈচংলক্তুনা ল্যাইরৈমা পামশাবীগী ফমলেনগী মাংদা লৈথাররিবা খুদাদা জেংশিন্দুনা ফমলে ।। থৌরম পাওশানবা তাবদা লৈঙম্মিবা ইবেম্মশিং পুম্বা ইওক ঙরুরে ।। পাওহংবদি মশক উই পাওথুম্বদি শকউদে করিবু কমদৌনা কদাইদগীবু পাওথুমলকপনো মপুক ঙকচানতুনা ইবেম্মগী লোইনরম্বী মতারোই পুম্বনা কোইয়েং য়েংনৈ ।। পামশাবনা হাই, ইমুং অসিবু মী হাইবা অতুবু কনা লৈঙমদবরা রারি অমতা পাওশাগে হাইববু তাবিনিংঙাত লৈতেদা ।। নিংথম্বগা ওলাংবগা মশক্তি উহন্দনা খুমলকই — পাওশাবু তাজগে হাইবগী মুংশাংনা ঙাইতুনা লৈজরক্লবনে পাওশাবিনবা লৈজদবনা তাজবা লৈঙ্ফংদতুনা ওলাং ওনশাওতুনা নিংথম ক্রম্বী কাংনা লৈঙমজরিবনি ঐথোইদি পুরারি লিবিদবা লৈরবদি খরবু লৈথুনা লিবিরো তানফংদবা থৌরম্ব, য়াইফং থৌরম্ব ওইজরগে ।।

তাবিরো লাই লৈমা হে পামশাবী, মমাংঙৈদা নমু তাইবংবু মৈংহৌঙৈদা লাঙোংলেন কৌবগা ল্যাইরৈমা তোংখাংমু কৌবীগা অনিনা তান্নতুনা য়ুম্বান থুংহোক্লরকপবু মচা অমতা চাদ নাওদববু তানফংদনা কুমজা কয়াবু লৈঙম্লরবদা অনিমক্না তান্নতুনা য়োং মচা অমা মচাদা মচাগুম্মা মুংশি মুংঙোম্না থোইজং লৈতানা লৈমিন্নৈ ।। মথোই অনি অসিনা য়োং অসিবু চেংনা চান্না লুনা মুংশিনা নাওয়োক নাওকোনবা চংলম অতুবু উবদা নোংদম্বা লাইনা পেনবিতুনা কুবি নোংদম্বতুনা মতম খরনী মতুংদা মচা নিপা অমা পোকচবা তানখংলে ।। অঙাং অসিবু য়োংনাও অতুনা মতম পুম্বদা থানবা লৈতনা কোঞ্জন নাওকোন্দুনা লৈঙম্মি ।। য়োংনাও অসিনা অঙাং অসিবু লুনা চান্না নাওকোল থৌরম্ব উবদা মমা মপা অনিনা মতম পুম্বদা অঙাং অতুবু য়োংনাও অতুদা নাওরোইবা থৌরম্ব লৈশিন্নতুনা মথোই অনিনা মাগী মাগী মথৌ মঙম্ব শুতুনা লৈঙমৈ ।। নোংকোরৌ অমদি অঙাং মমা অতুনা নিংথা নাহোং অমোং অকাই খরবু শুদোক চামথোক্লে হাইবগী অঙাংবু য়োং অতুদা লৈশিন্নতুনা থনম্মি অতুগা অঙাঙ্গী মপানা শিং থিবা চংখিএ ।। অঙাং

অহুবু য়োং অহুনা ঈরু খুদেং অমদা ঈশিং খরা হাপ্তুনা ঈরু খুদেং অহুগী মহুংদা থাঙ্গত্তুনা শাম্নহল্লগা য়োং অহুনা ঈপাল্লাংদা ফৌহুনা লৈবা শিংয়ন ফিলোনবু ইমুংদা লোইশিন্নবা থৌরাং নৈয়ে ।। মরক অহুদা তাংজা মিয়োনবী অমনা ঈশিং থৌরাংহুনা খুদেঙ্গী মহুংদা লৈবা ঈশিং অহুবু থল্লয়ে ।। অঙাংহুনা শাম্নপোং চঈনা রাখন্দুনা লিন অহুগী মবুক্তা ফু ফুহুনা শান্নৈ, মানা অমুক্তা নত্তুনা অরেম্না লৈতনা ফুহুনা শাম্নবহুদা থাংবা রারক্তুনা জিন অহুনা অঙাং অহুদা চিক্তুনা হু কামশিল্লম্নগা চংশ্রু ।। য়োং অহুনা মথৌ লোইহুনা অঙাঙ্গী মনাক্তা চংলকপদদি লিনগীহুনা মশা পুম্বা কাহত্তুনা তুম্বগী মতৌগুম্না লৈরমলে ।। থৌরম্ব, খংলহুনা য়োং অসিনা অঙাংবু লৈকন্নবা রাখন্দুনা নোংপোক লৈহৌচৌং মুঙ্গমহারাবগী চীঙ্গোন্দা চত্তুনা শিদ নাদয়াই পান্থী হৌরিবব্ হেক্লগে রাখন্দুনা থুনা য়াংনা খুদক অহুদা চংখি, মরক অসিদা অঙাং অহুগী মমা মপা অনিবু মাগী মাগী মথৌবু লোইহুনা হল্লকপদদি অঙাঙ্গী মতৌ উবদা অরাবা রাথন্না থুমহংখিহুনা মচাবু কৌহুনা লৈমাই থক্তা ওন্থোইনা খাংহুনা অরাবা মুংশি মৈচাকপু খাংহুনা লৈওমলক্লে ।। খুদক অহুদা য়োং অহু তবি তবি অঙাঙ্গী মনাক তম্না চেনশিল্লকই, য়োংনা চেল্লকপবু অঙাঙ্গী মমানা উহুনা ইচাবু লৈমাংনবা থৌশিল্লিবা য়োং লাক্লে নংওসিদি থঙ্গনিদো লাওরকই ।। যোংনা রাহৈ অহুবু অকি তুজুং লৈতনা চেনশিল্লক্লে. খুদক অহুদা অঙাঙ্গী মপানা মখুত্তা উতুপ অমা পাইহুনা যোংনা চেনশিল্লকপদা মকোক্তা থাহুনা য়োং অহু মকোক কাইহুনা ঈনা ইঙাং ঙাংনা চেন্থহুনা তুহুনা তুম্বগুম্না লৈখ্রে ।। খুদক অহুদা থোং অহুগী ময়াদা উনা চিক্তুনা লৈরম্ববু থেংনহুনা উনা অহুব লৌরগা শুগাইহুনা ঈশিংদা নৈরগা অদাং অহুদা তৈবদা অঙাং অহুব মশাদগী লিনগী হুব্ মাংখিহুনা হান্নগী মতৌহম্না ঈরু খুদেং মহুং অহুদা শান্নহুনা কৈঙান্ন উনা অহুবু লোইখিহুনা য়োং অহুদা তৈনবদি লৈখাকহৌদনদগী যোং অহুদি অহুমমক মাংলে ।। অহুব য়োং অসিনা মাংখিবশিগী অয়োনবশিবু পাওশারিবা এনা জানফংগদরা, চৈবি চেমথেং পিরিবা য়োংবু মাংহন্নবা পাওদাক্লিবী অঙাঙ্গা মমানা পুগদরা মরম অসিমগা খংজগে ?

রাহং তাবদা নিংথম লাই, ওলাং লাক তনিন মশক্তি উহংদনা গাইরক্লে; মরাল করি অমতা লৈজদবা য়োংবু মাংহনবগী অয়োন অরান লংজবা অসিদি অঙাংবু চীন্নখা লিম্নগু পুফাদ মাগীগু মথৌ মওম পাংথোচবনি, অঙাং মপা য়োংবু মাংনবা থৌগুবনগু পুঙগ্নোই পুরারি পাওশাবগু থৌরম অসি লৈ পাওশাজবনি থৌরম অহুগী অয়োনবা অরানবব্ থৌয়ানফম লৈউমদেএ ।। অহুদি অয়োন অরান অসিদি মাংফদে কদাই লৈংমগনি ? নোংপোক লাইমিংথোই পামশাবা অয়োন থৌরম্ব লৈথম থৌপুগদবাদ মীনা পুরারি পাওশারগা হোই মাই থংই থংদে হাইদনা

মনানদি তারগা তুমিন্না ফিজং ৭ লৈথন্দুনা লৈঙম্বী মহাক্কুনা লৈথম্বা ঙমগদবনি মানা তানফংশন্নু ।। রাহৈ ভাবদা ঙক্লে, মশকগু উদে রাতা মঙাংলক্কুনা অশুক লুবা অয়োন অসিবু ঐঙোন্দা পুঙম্নু হাইবা করম্না থোয়াকম থোকই, মসিদা ঐনা থুমত্ত্রবদি অয়োন লংজবগী পরম্নু থোপীবা থো-নম্বু থোয়াবা থোক্লেদনা রাখল্লক্কুনা হাইএ, করিনো পাওশানরিবা থোরম অসিবু করিগু মরাল লৈখিত্রবা মাগী য়াইফংনবদা থোপুজঙম্বা য়েং অহূবু মাংহনখিবা অয়োন লংজববু ঐদি করি হুঙ্গা তানকঙ্গনি থোয়ম অহু ঐনা থোয়াবা ঙমজরোই ।। থোয়াবিগে থোয়বিরোই হৌজিক্তি ননিংনি লৈয়ি চৈশিং অমদি লৈহৌরে । পামশবীগী র,থল অসি দুমঙাও ঙাওরে করিনে ঙসি অসিদা ওইঙমলিবা থোদোক অসিবু ইমুং অসিদা ঐগী ইনাক অসিদা লৈফম্বদি তাইবং অমতা মরৈ প্যাওশাবদি তাইবং ৩/৪ লৈফম্না পাওশানবগুম থোকঙমলিবা অসিবু করি ওহঙম্নিবনো মওন মওন রাথম্না তুমিন্না অমুক লৈঙমথরে ।।

ওলাহ্ লাইগা নিংথম লাইগা হাইবা ২গুবা পুরারি অমুক লিবা

পুরারি পাওশা অসিব, ওস্থোরুনিংথি চংখোনত্ত্র অহূবু নাবদি রাবিররিনি, পুরারি পাওশা অসিগুম্বা অমতগা তাজনিংঙিদকো ।। লিবদি লিজগে পুরারি তবিনবা তাইবং অসিন, লাংঙন্সা অসিদা ঐতনা পংঙাং ঙাংবা ওইঙমগত্রা নিংবগনি ।। মচি মরুমদা পুরারিবু পাওদাবিবী পাম-শাবীগী লোইনবী লাই লৈম সিংনা লাওরকই ।। হাদা ইবুং নহাবা অমনা অগুম শাক্কা পাওশা শাদম্বা, পুরারিবু পাওশাবিরিবা মথৈদি তাজগে হাইবগী ঐখোই ময়াম লৈজরি পুরারিবু ওওবদি রাঙাংদবগু মঙাংলকই, করিবু তৌবনো থরগু মরিখো ।।x

তাবিও মমাংঙৈদা লুপ্রশিংদা চংলবী অরৈম্নুনা মচা নিপা ১গা ত,ওবা যুম্নশং লুকয় থোবগা লৈমিরৈ ।। মতম মুংশাংনা লৈরক্লবদা নোংকোরৌ ১দি তরা চামবা তানফংহৌদ্রহুনা চরা হেন্দুনা নোংকোরৌহুম্না চরা হেল্লক্লে ।। মতম অহুদা লুপ্রবীগী মচা মুপানা তাওবা অহূবু তাথিরে তাওবা অশি লৈরমত্ত্রগদি মানা চাখিবা চাক অহুনা ঐনা ঙাস চাহুনা লৈগদবনি চরা মক্তী হেল্লোহ্নদবনি, চানিংঙাইমক লৈতবা ইমা অসি তাওবা অসিবু অশুক লুনা তৌহুনা য়োক্লিবশি য়াম্না চুমদবা চংলম্নি, তাওবসি ইমা খাহন্দনা য়োস্তারগা মমন অহুনা মতম থরদগু চানা থরগনি হাইহুনা হুইগং শেমহুনা পুন্দুনা পুথরে । তুই অহুনা মাবু হুইগং থাংনা তিংহুনা পুব অহুদা চংনিংদবা য়ানিংদবগী থূদমবু উত্তুনা মখোং থোংথাংবু থাংনা থাংনা তুংবু ইন্দুনা থোংহুন হাইরকই ঐ

অসে নমানশু নংনশু লোইশন্না য়োকশন্না তাওবদি নত্তে ।। য়োনবদি চুম্মি নংনা ঐবু য়োনগনি পুন্নিবশে, অদুবু ঐ অসে নংবু পোকপীরন্না অয়াংঙন্না কৌবা পল্লৌ নপানা য়োক্লন্না লোইরন্না হুইয়া থৌজানি, পল্লৌ নপানা লাথুপ লাইরৈনরগে রাখল্লকুনা চৎলমদাইদা করি মুংবু পল্লৌ নপানা ঐঙোন্দ লৈশিন্নবন্নিদে ।। ঐগী তাওবা নংনা নারৈ লাথুপ লৈহোং ফালম নদরিবা মথৌবু পারি অপিগা অসিবু ননা ঙাকশেন্দুনা নাওকোন্দুনা লৈভন্নু হাইনা নোংদম্নমতুনা নমা নচাবু ঐনা থানদনা লৈবনি নংনা ঐবু থাদোকনু, ঐ অসে পল্লৌ নপাগী ময়াথংবু থৌপুনা পলেম নমা নচাবু ঙাকশেন্না লৈজবা য়ুমশং হুইয়া থৌজানে, য়ুমদা হজিল্লশি চৎকনু পাওশাইএ ।। হুইবু নহা অদুনা তাওবা অদুগী পাওশাবু থৌওইনবু তাবিদে, মাগী অশাওবা রাখল্লা থুমহৎখিতুনা নংনা রা অদু হাইরগা নংবু ঐনা য়োম্মোকলনি পুঙউন্নক্লগা য়োন্দনা তোকউমগনি নিংবা শাবরা নজ্ঞী নমন অদুনা তরা নোংমতবু ওইরবশু নোংলেম্নগে লাও নংনা চৎপা থাংদুনা কান্নরোই হাইনা কন্না চিংদুনা তাইবং মরোল থংবা হুইজিন হুইয়া য়ৌজ্রব লৈনিংবা কনা কনা লৈভন্নগে থুঙ্গা থুঙ্গং অম্বাইশিবু, পাওশা লাও লাওদুনা লমথোং খুদিংদা কোইজাইনরক্লে ।। খুদক অদুদা থুল অদুগী মরল লৈবা নিপা অমনা তাদুনা অঙাং নংনা য়োনগে হাইরিবা তাওবা অদুবু মতিক মঙউবু করিবু লৈউন্না মাগী মমন্না কয়াবু লোগ হাইউন্নিবা ? ঐগী তাওবা অসিদি মমল লৈতে মাগী মখৌ মঙম অদুদি নংনা ননাক্তা থঙ্গা লৈথঙনি ঐনা হাইবনাদ নংনা উবা থংবা নত্তবনিনা হাইরুদুনা কান্নয়োইএ ।। ফরে অদুদি তাওবা অদুগী মমন্দি ঐ কোম্না পীগে হৌজিক ংঙ্গী অথুবা করম্বা অচিন্নবা লৈবা থৌরম অদুগী মরম খরদং থোহৈনবা ঐ লুপা থাংগেন থাও অসিমা পিথিগে নং য়াব্রা ? ফরে কদাইনো পিরো ঐগী তাওবগী মঙ্গু খঙলগা মাগী মমল অশুক পীবনা মঙম চাই হাইবদো মঙম য়েংলগা ঐশু লোগ নংনশু পিরো ।। য়াংদুনা লুপা থাংগেন থাও অমা পুরকুনা অচা অথক্তা কোম্নমা পুরকুনা চরা তুম্না তৌদুনা লৈরে ।। মমা অরৈন্নু তাওবগী মশক উদবগী অরাব রাখল্লা থুমহৎখিবনা থোকাওন্নবা মশানিবু নিংশিংনা তেংথা নাওয়ৈদুনা চাদ—থকুনা কপ্পতনা মাগী পোথাফম ওইদুনা লৈহমলক্ল ।। নোংকবরৌ অমগী অঙিংদা মীপোৎ মীরন পাম্বা তাইবং কাংবু অমনা মরল লৈবা নিপা অদুগী ময়ুমদা ওাকুনা লুপা সনা হি য়াই লৈবা খৈবিকপু ভম্ব মথৈ হুদুনা ময়োম ময়োম য়োমদুনা পুনবা থৌরাংলে ।। মখোই লাকলিবা মী শিংদগী মমোম পোৎ অমা হেন্দুনা য়ুম্বু অদুগী অরাং থংবা ইংথাল চিথেক উরি রারি নাপী শিংনা হৌবা মোংশোং অমদা পোত্তুনা থনম্নগা মাগী মাগী নম্বো ময়োম অমমম পুদুনা ময়ুম পাংনা হম্নরে । থৌরম পুম্বা তাওবা য়ুমশং হুইয়া থৌজানা তুমিন তুমিন মাবু লৈভন্নি লৈথংহন্দনা মথোইগী মতুং কোইন ইন্দুনা লৈথংথোকলগা হুরানবশিং অদুনা ময়ুম ময়ুদা লৈচংনদুনা লৈনগ্রবা মতুংদা হংউন্নকুনা ইনাক থুনবা অদুগী য়ুম অকোইবদা কোইনা চেন্দুনা

খোংহুনা লৈঙম্লে ।। ইমুং অহুদা লৈবা তাইবং মখৈবু তুংবুন লিফানহুনা লৈবমা তাওবনা অহুক কম্না তত্তনা খোংহুনা হৌদোকপবু তাইবং অমতা ফাওবা মপাল্লাংদা থোকঙমলক্রে মহুদা তাওবা হুইয়া থৌজানা কদোরবনো তাওমদে থোকঙম্লক্কবা অসিবু হাইহুনা হুয়ালবশিংনা হুংলম্বা লৈখুন্দা চংলক্কনা য়েংবদদি লোইনা তুংবুন লিফানহুনা লৈঙমলম্লে ।। খুদক অহুদা থৌয়িবু লিতোন চিক চিক্কনা তুংবুন লিফানববু লৌথোক্লে ।। খুদক অহুদা কৈয়োই লৈকাই লৈঙম্বশিংগু কৈদোরবনো ইমুং অসিবু তাওবা অমা য়াম্না খোংলম্লগা তুমিন্নগু লৈঙমখ্রি, ইমুং অসিগী মীগু লৈবা অমতা ইপাল্লাংদা উদে করি মুংবু ওইরবা হাইনা লাক্কনা য়েংঙম্লবদদি তাওবা যুমশং হুইয়া থৌজানা তুংবুন লিফানববু লৌথোক্কনা নাম্থোনবা থৌপুহুনা থাদোক্কববু উঙম্বদা তাইবং পুম্বা তাওবগী মঙম্ অঙকপা তানফংনহুনা য়েংঙমনৈ ।। লিপুল্লম্ববু থাদোকপা লোইরবদা ইনাক খুনবগী ফৈচোন ফিজিবু ময়ানা চীক্কনা চীংহুনা মপাল্লাংদা থোক্লবা থৌপুনহুনা ইমুংদগী মপান্দা পুঁঙম্লক্কনা ইংখোল ঔব্রাংথংবগী মোংশোংদা লৈথম্লম্বা পোংয়োম্বু তাক্কনা ফংহল্লে ।। মতুংদা তাওবা য়ুমশং হুইয়া-থৌবনা হুয়ানবাশিংবু ময়ুম তাক্কনা লৈঙম্বা খুঙ্গা হৌনা চত্তনা হুয়ানববু ফাহুনা তুংবুন লিফান ঙমলে ।। লোঙম হুঙমলকপা পুম্ববু লৈহন্নহন্দুনা পোংলম পুম্বা লৈরগুন, ইনাক খুনবনা তানফং-নহুনা মপুক হুয়াও তয়ামজরে ।।

মতুংদা ইনাক খুনবা নিপা অহুনা শ্নাগী খাংঙেন থাও অমবু য়োল্লম্বা কাংগী মপু অহুদা পীরু পাওশানা পীঙমলে ।। তাওবা অহুনা পোংশক অসি ঐনা হৌজিক পুহুনা চংলবদি লম্বী লম্মথাংদা তাইবং মপুক ফত্তবনা মুলহৌহুনা মাংহনা তোকঙমললনি, মুমিদাং অথেংবদা থিম্নবা থৌপুগ ৱাখন্দুনা লোত্তনা লৈথমলগা মুমিদাং অথেংবা লম্বী লম্মথাংদা তাইবং চংঙমনদরবা মতমদা মা খাংঙেন হাপ্পা থাওবু ময়ানা চীক্কনা মানা হান্না লৈরম্বা যুম অহুদা লাক্লে ।। মতম্না থেংবনা মীপুম খুদিং অহিং তুমগুম তাম্নবা মতম ওইবনা পোত্থানরমহুনা তাওবনা মাঙ্গোল থেঙ্গং-লাংদা ময়োম অহুবু লৈথম্লগা খেংহুনা হৌদোকচৈ ।। তাওবগী মখোল তাবদা অবৈন্দুনা কম্বাল্লা-দগী হৌগৎচবদি ঙমদবনা মচাবু হৌদোকচহুনা তাওবা লাক্রে খোং খন্না হাংদোকপায় থৌদাজে, মহুদা মচা অহুনা মপুক খোইশাওবগা লোইননা হৌগৎলক্কনা য়োনশ্রবা মক্তদা তুম্বা হীপ্পা কাইনবা খোং লাওহুনা অহিংদা হেক্তা মতৌরৈ লাম্বিংলরগু অয়ুক মুংথিল লাকপা য়াত্রা নংবু করম্বা হুইনো হাইনা খোং হাংদোক্লগা চোশিন্দুনা উতুপ অমনা তাওবগী মকোক্তা থাহুনা ইভাং পাক্করা ঈমু পামফেম্নহুনা তাওববু মালেম থক্তা ওম্বোইনা হৈ নাহেনা লৈথপ লৈমাংনথ্রেগে ৱাখম্নহুনা লৈখ্রে ।। তাওবা য়ুমজং হুইয়া থৌজবু তানফংলিবা থৌরম অসিগী লংজবা অয়োনবা মরান আসব সনা খাওজাও পীরক্লিবা ইনাক খুনবনা পুগদরা? অহুগা চৈ পাইহুনা তাওববু মাংহল্লগে থৌপুবনা

পুগদয়া ? অদুগা পুরারি পাওশারিবনা ফজদয়া পরম অসিতদি পাওদাকপিও ? ওলাং লাইগা নিংথম লাইগনা পাওথুমলক্লে মশক্তি উহন্দনা ।। পুরারি লিবদি ঐখোইনা তাজগে হাইবগী লিখিবনি পূফদে ।। পুরারি তারিবা ঐখোইগু তাওব ছুইয়া থৌজনা মাংখিবগী অয়োম লংজববু পূফদে, মরমদি পুরারি হাইবা পাওশা তাবদা ইপুক্তি রাখনবু চৎলম করিদা রারাক ভেংবাংনবু পাও-দাক করিবু লৈরো লৈওম্বগে পরম্ব লৈখংজগে তাবনি ।। ইনাক খুনবা নিপা অদনা তাওবা অহুবু পাওশিরমত্রবাদ তাওবগু মাংলমল্লোদবনি; অহুবু ইনাক খুনবা নিপা মাগু তাওবা মাংবগী অয়োন লংজববু পূফদে, তাওবা মাবু লৈভেদা মাগী চৎলম লৈখংলগা পীওল্লগে হাইনখি অদু মুঙ্গী মাগী মমনবু লৈথিন্নহনখিবনি ।। তাওবনা মাগী মমনয়ু মাবু হন্না লোইরম্বা মপু অদুদা পীওমলগা তাইবং লক্তা লৈপানবদা মুংঙাইজবা তানফংনা লৈপাঙবা ওইজশমু রাখনবিতুনা অহিং অথেংবদা পুঙমলক্তুনা পীওম্নবা খোংহুনা হৌদোকপীওমলগা শাওদুনা মথুৎ খুৎলাই পাইদুনা তাওবয়ু মাংহম্নবা থৌপুহুনা চৈবী তেমথেংনহনবা নিপা অহুনগু পূফদে, অহিং হাইবা অসিদি তাইবং মপোক্তা পোকওম্বগিদি য়াহিপ পোথাগদবা মতম্নি=য়াহিপ পোথাববু মপুং ফাদরিভেদা য়াকৈরুবনা মাংখিবনি ।। থৌরম অসিগী অয়োন লংজবা মরানবু তানফংগদবদি য়াহিপ পোথাবগী মতমগু নত্তনা য়াহিপ পোথবী মরোন থোক্কবগু নত্তনা লোম্থোক্কবা শারিবী. মনা পংবগু নত্তনা মনাবু থোক্তজংনরিবী, মমিং তাংবগু নত্তনা মমিং তাংবা শাহুনা মনাক্তা লৈবা মীবু উশিন্নদনা লৈরিবী লাইরৈমা পামশবীগী মওম্নি ।। রাবু তাবদা পামশাবীনা হাইয়ে, তাওববু মাংহনখিবগী লংজবা মরানবু করি মুঙ্গী পামশবী ঐনা পুগদগে ইতিক ইওমগু নৎচদে, মরাল করি অমতা লৈখিদরবা মাগীতা য়াইফনবা থৌপুজরিবা তাওবা য়ুমশং হুইয়া থৌজা মাংহনবগী অয়োন লংজা পূম্বা ঐদি পুবা ওমজরোই ।। লংজা অয়োলবু পুরোই হাইরবগু পুগে হাইবিরবগু হাইবিনিংবতা হাইবিও পুরারি পাওশা ২খক্তি লিওয়ে, লৈয়ি অনি । X

উরাওবনা তেনরা হাংগা

ওলাং লাইগা নিংথম লাইগনা হাইএ হো ইবুংঙো লৌশিংবা পুরারি অসিবু ওম্মোক্না মুংঙাইজখরে, রাবদি পংবা রাবিররিনি অহুবু পুরারি অসিব তাবগী অওকপা নাইখিদরে পুরারি অমত্তগা লিবিখো তাজহৌথিগেবা ।। লাইমিংথোই পামশাবনা হাইএ, পুরারি তাবিরিবা ইশানৌ ইবেম্মা নখোইব কনা কনানো নশক অমতগু উওমদে হাইবিরকপা পাওশা মখৈদি তাওম্মি অহুবু

নখোই খ্বাইগী নয়াথংবু থোবুনা পুন্নারিবুদি লিজগে ।। ইশক ইতৌ ইঙং উবিদবগী মপুক ন্নারৌ থোইশাওনখিনো ইন্নুং ইওম লৈথুংদবগী নাথে নারোংনা পুন্নারিবু তাজবনি ।। পাওশানববু তাবদা লাইরৈম্মা পামশাবী ম্নাখন কোইচাইনওম্রে ।। কনানো ঐবু শানা পাওশা পাওথুম্নরিবা অসিনা, পুন্নারিবু লিরিবা ইবুংলোই অসিবু থোইয়ুম লাইনা তাইবং শানা লাকওম্বরা তাইবং মপোক অথোইবা তাইব' শানা লাকওম্বরা তাইবং মপোক অথোইবা মশক ওইরিগদবা থোইয়ুম কনানা ইরুমলাংদা লাকপবু মাইথি মাইথুমনববু তানফংনদুনা হনওম্নখিবনি অদুবু ওসি থোংচংলকপা অসিবু ন্নাওম থোপু থোয়াংবা ওইওমনখিদৌরিবরা মতিক মওম চাওনা পাওশানৈদা নোংদম্বা নঙ্গী পাওথোনলোইবু ওইরবরা খংদেদকো নঙ্গী নোংদম নথোজান হাইনা মওন মওন ন্নাথম্নদুনা লৈওম্বা হৌএ ।।x

মৈতৈ লৈমা পামশাবী তারো খা থোংঙারন কৌবা লমদমদা ন্নায়েন নোংদম লুচিংবা উন্নাওবা কৌবনা তেনন্না তাইবং মীরোনবু নিংথিচংখোম্না খোকপা শম' য়োক্লম্মি ।। তেনন্না অসিনা লম অসিগী ন্নায়েন থোদা অচুম অরান নোংদম্বগী থৌবম্নু মনাতনা নোংদম থোপুনা ন্নায়েম নেংদমহাল্ল ।। লম অসিগী ন্নায়েন কয়া ন্নাফাওবা লৈওম্বা অওম্বা কনাগুম্বগী মরা মপাও অমতা পাওশোনদুনা ন্নায়েন নোংদমদে, মদুদা তেনন্না অদুবু অওম্বাশিং লৈওম্বা অদুনা মপুঙ্গা তাথি মরোন শিথানা ওাংদুনা লৈওমৈদা ।। নোং কোরৌ অমদা নোংথোদা তেনন্না মরুপ অমা পাংদুনা লাক দা পাইওমাজবা তেনন্নাসিং অদুগা মরোম্না থোংদুনা পাওশানৈএ ।। মথোইগী মরেম্না পাওশানন্নগ চংনাখিবা অদুদা ন্নায়েন লুচিবাং উন্নাওবনা হংডি, নথোইনা থোংদুনা হাইনখিবা পাওশা অদু কারবু হাকনাখিবনো ঐগী তেনন্না ? অওম্বা ওইন্নাং কৌক্র চীংদা লৈবা (সিনমরি ' বৌবা হৈকোন্দা মহা ওইবা ওম্বা উহৈ (পাখং য়াংদোং হৈ)=অমু নহা তানফংহে হাইবা উহে অমা হৈকোন অদুদা পাল্লি হৌরিএ উহৈ অদুবু চারুসি হাইনা হৌবনি, মদুদা ঐনা ঐদি তাইবংফম্বা লৈবনিনা নখোই খ্বাইগী নরক্তা তিন্দুনা চংপা ওমদ্রেদো পাইখিগনি হাইনগী খোংদা হেংলিং মলাং থাদুনা পুন্দুনা লৈবনা কোইনা চংপা ওমখিদরে, নখোই খ্বাইদি কোইনা থিদুনা পাইদুনা চারুবা য়াবানিনা চাকরো নখোইনা চাবা লোইহরগা ঐগীশু পাখং য়াংদোং তানফং হৈ অমতং পুবিন্নকউ হাইনবনি ।। অদুদি নংবু চংনিংবরা, চংনিংবরামে ? অওম্বা চংচনিংঙি চাজনিংঙি, উহৈ অদুবু চাজন্নবদি ঐশু নহা অমুক তানফংনগদব হৈন্নাংনিদো ।। অদুদ নং পুন্দি মুংশাংনবা চারুরো নংনা থাদোকম্নুকো মফম অসিদা নং অমুক হল্লবউ ।। অওম্বা ঐ সোইদনা লাক্কনি অওম্বগী চান্নবশু পুজরক্কে ।। পাওশানদুনা তেমন্ন'বু মথোংদগী য়োংহিং লৈথাদোক্কুনা চংহনখি । ওইন্নাং কৌক্র চীংলেন্দা লৈথুংদুনা মরুপ মপাল্লা মাংখাখিবা তেনন্না পুম্বগা উনদুনা মপুক হকাও

তয়াম জহুনা তাইবংলক্তা লৈবগী মুংঙাই ৱারি কোঙ্গাই কয়াবু পাওশানহুনা তেনৱা লৈমিন্নবশিংদা তাহন থংহহুনা মপুক হরাও তয়ামজহুনা (শিমরি হৈকোন্দা) পাইশন্নহুনা পাখং য়াংদোং তানফং হৈবু মনিং তম্মা চানরে ।। উহৈ চানববু মপুক পেন্নরক্লুনা হন্নশি হাইনা পাওশানরক্লবদা তেনৱা তাইবাংলক্তা লৈবনা লুচিং থৌপুবা অঙম্বা উরাওবদা পীজরগা (পাখং য়াংদোং তানফং হৈগী মঙম্বু) লৈখংজনবগীদমক্তা উহৈ অমা ময়ানা চীক্লুনা পুন্নক্লগা থংলরে ।। উরাওবা অঙম্বগী মথুক্তা পাখং য়াংদোং হৈবু পীঙম্মগা মাগী কাইদোং অক্লাদা তোংহুনা লৈঙম্মি ।। উরাওবা অঙম্বনা পাখং য়াংদোং হৈবু চাগে তৌবদা অঙম্বা ৱায়েন করাবশিংনা হাইএ, লুচিংবা উচেক ৱাযানা পুন্নকপা উহৈবু হেক্তা চাবিগে তৌবা অসিবু চুম্মা অমুক্তা চাবা য়াবা উহৈরা নত্তবর্‌রা চাং য়েংবিথিবনা ক্ষগদরা কমদৌনা অঙম্বা ৱায়েন করাবা ? লুচিংবা উহৈ অহৃবু উচেকশিংনা চাবদি অফবা ওইরগা তাইবংনা অমদি থবাই পানবা মশক অমনা চাবদা য়েনমৌনবা চীঙ্গাক ওইরম্মবদি কমদোগবনো অঙম্বা ? অতুদি ৱায়েন করাব কমদৌনা হৈর ঙ্গী মঙম থংবা ঙম্বা ? অঙম্বা লুচিংবা হৈরাংবু ঐঙোন্দা অমুক্তা পীবিয়ু হাইহুনা হৈরাংবু লৌরে ।। মখোইদি তেনৱাগা উরাওবগা পাওশানবা মতমদা হৈরাং পুন্নকনি হাইনখিববু তাঙমহৌহুনা থাং মচা অথোবা অমদা হুতৈহুনা পুনরক্লহুনা নাকন্দগী হু তৈবা থাং অহুনা হৈরাং অহু মচেৎ অমা শোইরগা লৌহুনা হুই অমদা পীজরে. খুদক অহুদা হুই অহু লৈবাক্তা থবো থরো ওল্লম্রগা মাংখরে ।। হুই অহুনা মাংখিবা উবদা উরাওবনা লাথিরে তেনৱা নংবু ঐনা য়োকপদি তাইবংনা চানা য়াদবা নচীঙ্গাকপু পুরক্লুনা পীজরগা ঐবু মাংনবা থৌরাংলিবা নং অসে ঐগী য়েক্লবনিদনা হাইহুনা অক্লদা তোংলিবা তেনৱাবু চৈশুনা নামফু ফুবহুনা তেনৱা অহৃশু মাংখরে ।। হৈবাং অহুশু অওহবমক ওইনা চাগদবনু অকি তুজুং পোক্লুনা হুন্দাকখ্রে ।। অহুবু মাংবা য়াদদা হৈরাং পাখং য়াংদোং তানফং হৈবু মহুপুবা হৈবাং তাহন্দুনা মতিক মঙানৱ মাংহনখিব থৌরম অসিবু কোকপ্নবগীদমক্তা হুন্দাকখিবা হৈরাংবু নোংদম্বনা মউ মপান চাওনা হৌহল্ল ।। মতম থরগী মতু দা হৈরাং মপান শান্থুনা মহৈ চুম্মা পাল্লক্লুনা হৈরাং হৈজিং ফাওমহুনা হৈখোংদা বেন বন্দুনা য়াম্না তহুনা লৈঙম্মে ।। মতাং অসিদা পুন্সি নুংশাংলক্লবা অহন কুক্ক মাঙাং কারবা তোলেনখোম্বগা মদাংবেন লোংখাক্ত কৌবীগা মমুং মতম চারক্রুবদা নিংডাই শাংদানহুনা পাওশানবদগী ইকাই নুংশি যান্নখিবনা লোংখংনু কৌবীবু পাখং য়াংদোং তানফংনবা হৈরাংবু চাহুনা মাংত্রগে হাইহুনা মখোংদা কেন্দুনা তাহুনা লৈবা হৈরাংবু খুন্দুনা চাবদা (অমু নহাগী) মওং ওইঙম্মে ।। খুদক অহুদা হৈরাং অহু খুন্দুনা মশাবী তোলেনখোম্বগী মনাক্তা লাক্লুনা মহাকী পরম্ব পাওশাহুনা হৈরাং অহুবু পীজবদগী পাখং য়াংদোং অমগী মওং শক্তম ওইহুনা মবানিবু শক থংলরে ।। হৈরাঙ্গী মমিংবু অনিমক্তা তান্নহুনা (মুরা হৈ) হাইনা মিংহুন্দুনা হৈরাংবু চাগদবগী মীপুম খুদিংনা নুন্নহুনা চানবদা মীপুম

খুদিং নোংহৌনউম্মে ।। মতুদা তাওবং রাথন থেনবনা হৈরং অহুবু চন্দোক্কনা হৌরকপা লৈফমদগী ফুক্কোতূনা মযুম ইংথোম্মুংদা থাওম্নগে রাথন্দুনা ওম্বা উরাওবনা থৌপুবদগী হুয়াকৈ মিংহুনবু মাংগ্রে ।।x

অশিদা তেনরা তাওবা অমগা মখোই অনিবু মাংহনবগী ৎংজবা অয়ান অসিবু কনানবু তানফঙবা পরম অসিতদি তাকপিয় ।। ওলাং লাইগী নিংথম লাইগনা পাওগ্লম্মি ।। হন্দকি অয়োনবা অসিদো অমতসু নত্তনা থৌরব অহুদা য়াওদবা থজবগু নত্তবা তাওবা অমগু য় ঙনা মাংহল্লিবা মঙব চাওবা অয়োলবা অসিবু কনানবু থৌপুবা ওমগনি ।। থৌরম অসিবু থৌপুগদবদি ফিজং ৭ লৈথম্না হিপ্পিবী য়াহিপ মতম থংদবী মনাক্তা কনাহন্বনা পাওশাব্রগা মনানা তানা তাশিন্নদনা লৈওম্বী, মরোল থোক্কবগু নঠনা নোংহোক্কবী শাম্বিবী লাই লৈমনা থৌপুগদবা অয়োন অরান মথৌনি ।। কম্বিগী ঐনা থৌপুনগনি পুরারি তাগেগু হাইজদবী ঐহাক্কি লাই লৈমা, অ... লংজ তানফংবদি মানা তৌজবনা মানা ফংবা ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা মতু'দ মশানা ...'ন অহুবু ঐথোইগীদি পাওশা অহুমগীদমক্তা পাওশাজবতনি পুবিজবগু কদৌ'দ শিংথব ... হনবগী ইওম থৌপূজবনি লৈবিংহৌরো চংচবগে । খোইহুমগী পাওশা তান'না নাগ্রমি থোই পামশাবগু হৌগত্তুনা ফম্নখদগী চংল.গ তৌজম্ম ।। থৌরম উবদা লাই লৈমা পামশানী নিংরোন হাইদোক্কুনা ইতারোই নখোইবু কদৌঙক্কিবনা লথং দদা হাইনা পাওহুমা চাংথবক্র । থৌরম উবদা লাই লৈমা ময়াম্বু চোংথোক্কুনা লাহা.ংথোই পামশাব. যত্তনা ফারে ।।মতু'দা ... লৈমা পামশাবীনা মাগী রাশকপু লৈথু হুনা নোংপোক পামশাবগী ওইহন ... নোংপোক মাইগৈদা চাদা—নাপ্দনা লম্ম, শেংদোকপা ওইনা পাম্লে । ৯

২ নং ঔরাংলমদা হেনবা মনিংথৌ লমশেন লম্বুবা

উকোংনজনগা লাইরৈমা পুকশিংখোম্বীগা অনিনা য়ুম্বান খুম্লিংহুনা মাইগৈ অসিদা লুচিংবা মনিংতম্বা অমা ওইনা হুংশাংনা চেপান চৈপুনবম্নবদা নোংদম্বগী মচানিপ। অমা তানফংহুনা মমিংনু পোংলেমথোম্বা মিংহল্লে ।। মতু'দা মচা' হুপী অমগা পোত্তুনা মমিংনু খোটিং লৈমা মিংহুন তমহুনা মবম হুংশাংনা লৈপাক্লম্মগা লাই গুন্দুনা মাংগ্রে । x

৩ নং মখ্রা ম্যাইগেদা খুন্দ য়ুল্লান খুঙ্হোকপা

খোংঙাইবা কৌবনা লাইরৈমা অঙাইবীপা য়ুম্বান খুল্লিং থোক্তুনা মাইগেগী লুচিংবা ওইনা লৈপাল্লে ।। নোংদম্বগী নোংদম্না মচা নিপা অমা তানফংহুনা মমিংবু নোংদম অথুবা মিংহুল্লে।। মতুংদা মচা মুপী অমগা তানফংহুনা মমিংবু (খোংঙাইবী) মিংহুজহুনা মাইগেগী লুচিংবা ওইনা লৈপাল্লগা খোংঙাইবা লৈথুপখ্রে ।।

৪ নং ঙরাং হারম পানথাবা লাইবুংথৌ

লাই পাখং চেংঙাগা কোংতিং লৈমগনা পুম্বান খুল্লিং থোক্তুনা মচা নিপা অমা তানফং-জহুনা লম অনিগী লুচিংবা ওইনা লৈরম্মগা লাই ওইনা লৈখ্রে । x

৫ নং নোংপোক চিংথৈ পানফবা মনিংথৌ

লাই পাখং থবাইগা লাইরৈমা খোংঙাইবীগা অনিনা য়ুম্বান খুল্লিং থোক্তুনা মচা নিপা অমা তানফংজহুনা মমিংবু কুপ ক'বা মিংহুল্লে ।। মতুংদা মচা মুপী অমশু পোক্তুনা মমিংবু লাইরৈমা থবাওম্বী মিংহুম্না লম অহুগী লুচিংবা ওইনা মুংশাংনা থুম্বোল্লগা লাইওইথি ।। x

৬ নং খ্রামৈরম মনিংথৌ

লাই পাখং য়ুচেঙ্গা লাইরৈমা চে লৈমগা অনিা য়ুম্বান খুল্লিংথোক্তুনা মচানিং কুরুম্বগা মচা মুপী লাইরৈমা ঙিংবালোইথোম্বীগা, য়ুচেং লৈমগা পোক্তুনা মাইগে অসিগী লুচিংবা ওইনা লৈঙম্মগা মতুংদা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা করি করানবু লৈঙম্মিবা, লৈবাক্তি মপী মপা অসিবু লৈ-মুংপা হাইবা অসিবু তশেংলত্রা লৈশেংলুগে রাখন্দুনা খোঙ্গা খোংরাই তম্লক্লে ।। মতম অসিদা

লাই তাইলং ওই থবা তেদে অশনবনা য়ুম্বান খুন্থোকপদা পোক্লগী মচা মুপী লাই লৈমা তেং মাইমু কৌবীবু ময়ুম য়ুমলেপ্ মউ থাওমহনা চাদা নাওদা হাথনা য়ুম্রীংলগে রাখল্লকুনা কোইজাই-নরকপদা হো কংলৈ লম্মহনবদা য়ৌরক্লুনা শাথোক্লেএ ।। য়ুচেংনা তেংমাইমুবু উবদা খোন্দান খোই-মুম্বী মখোঞ্জেনবু ওমজনা পাওশানা লৈলংলক্কুনা নমথেক নমজনবা য়াহৈনা পাওশা থেল্লোনহনা তেংমাইমুগী মপুক্কিংবু শুমহৎনহনা খুদক অহুদা খোইজং খোইদনবা ওইওঙ্গহনা লিরি খুাংজেং ওইনরে ।। (থৌরম্বু নংবা মহারাবনা উওমহনা হি. থৌরম অসিদি ঐগী লাথুপ লারৈ লৈঙ্কৌ অমা শাফোংনবা থৌওম হৌবা পরম অমা তানফ'লে ব্রাথল্লহনা তেংমাইমুগী শিয়োম্নুংদ' লৈচং-লক্কুনা মউ চরি শাফোংনবা মতিক মওম অমা লৈথুপ ফম্বাল্ লাংহনা লৈওমখরে ।। খুদক অহুদা তেংমাইমুনা মপুক মুংশি মুংঙোল্ ইকাই চরৈ মাইখুল লাংনা পাওশারকই ।। করিবু চংলম্লো খুদক অসিদা নমথেক নমজনবা চংলম্না থৌওম থৌপুনখিবা অসিবু তাইবং চংলম্মদা লৈ-য়েনবদদি য়াওখিদবনি মশিদি শা-উচেক্কা লৈথুংখিবা চংলম্মু ঙসি ঐরু তানফংনহনবা করি মতে নো ওম্ভোকইদা, তম্বা নতিক হেনবা নঙান চাওবনি ঐদি হায়বগা লোইনবগুম করি করাগ লৈওম-দবা লৈফম অসিদা করিবু তৌওম্বনে' রাখন থৌপুনা থৌওম্বীবা অসিগী লমমন্দি লুতুঙ্গী থৌরম অমদা ঐগী লমমন শিংওমগে ।। হৌজিক্কি থোকওম ওইওমগ্রবনিনা মুপীজাবু লইবী ঐনদি নাপিন মউ মরু হাইবা মশকপু ওইওমগ্রবনিনা করিবু থোইনা হাইওয়্রাহ পাওশারগ' মিংম্না ইবাচন খুদাং পিক্কম লাং মাইখুম চরৈ লাংনা লৈগ্রে ।। ইদাইরেন ইবেম্ম মুংশি মুংঙোল খোইজং খোই-দনখিবদগী থোকওমগ্রেদো, নঙ্গী নয়াথং লাংবচক্কি মতমদা ঐবু শোইদনা তানফনব ওইওমগ্রপু অহুবু চরৈ মাইখুম অহুদদি হাইদোক্কুনা ঐবু অমুক্কা য়েংওম্মুশা হাইহনা কেপনা ভাইহনা লৈববু তেংমাইমুনা য়েংওমদবদগী মফম অহুদা অহুম লৈথপ্লগ্রে । রা ঙাংবা লোংখ্রবদা তেংমাইমুনা মাইথম হাইদোক্কুনা য়েংওম্বদদি মশাবিবু লৈওমলমগ্রে, হঙ্গদমা শাবু হংহৌদংনা লৈযম্ব লৈ-রোহৌদবদগী মতম থরা কোইজাইররম্মগা মবুং য়ুমদা হনওল্লক্কুনা লৈওমখি ।।১

লৈমা তরিঙনু কনানো ?

কংলৈ তোংওপাত্তা পানফম্বা তেদে অশনবগী মফমদা লৈমা তারিংমু কৌবীনা ময়ুম য়ুম লপ চার কাংথং পুথং থংদনা কোইজাইনক্কুনা লৈবাক্কি মপী মপা ওইবা লিবা লুচিংবনা কাংলবদা কাংথং পুথংবু লৈথংবু লৈথংনগে হাইবগী লাথবদা মথা নিপা ৮ নিংঙোল ১ গা পোক্লুনা নাওদা রম্বনি ।। মবু ৬ কি মমিংবু কোজোই, য়াংমা, দেশরোং, উরল থুবা, ইরেমা, খাবি কৌএ ।।

মপ‚া ২ গী মখিংদি উরেলহনবা লাংবা কৌএ ।। তেংমাইন্নু কৌবীনা পাশকপু লৈথংহন্দনা নাওপুন্থনা মখ‚ং য়ুমদা লৈত্তন্নবা থৌরম‚ মখ‚ং ৬না মপুক তাথি নাওইনা লৈত্তগ্নে ।। মপ‚া ২ অন্থুনা অত্তাং ওইবনা মচেগী অরাবগী মরমদা লৈকোরুবা করিব‚ তেংবাংবা ওন্না মতম থোক্তুখনা মত্তম অসিদা তেংমাইন্নু অসি য়াম্না রাবা খুদোংথিবা তানকংনহুনা লৈত্তম্মি ।। কম থাদি লৈগুরক চাবদি মনিং লৈথুংদা হাইজ নিজবগু মিত্তমজ্জদবী ওইহুনা লৈত্তম্লে ।। নোংকোয়ৌ অমা তেংমাইন্নু কৌবীনা মখোইগা য়ুমলোন কৈরোম্নহুনা লৈবা অহন পুজি মুংশাংনা লৈপাল্লবা লাইনিংবা লোইদাম ওন্না কৌবা ইংখোল য়াম্না চাওনা কোইবগী যুমদা মনা মশিং থরদং নিরুপে রাখন্দুনা চংখি ।। লোইদাম ওম্বনা তেংমাইন্নুবু উবদা তরাম তরাম্না কৌত্তমলক্লে ।। মুগী মচা ইগুদি উদবা কুইরেদা, নচিন ননাও নখোইদি কমদোরিবা, নবুংশিঙ্গী চংলম অসিনা চংলম লৈতিন্নদবা চংলম খুলোন অমা ওইহুনা ইপুনগু লৈচং লৈহংদবা হক্না মুংশাংলে, অহুব কমদোরিবা নংনা করি কমদোনা চারি থক্লিবা ? ইপু পলেম পম্বৌবু শেংনা কাইনখিবা মুমিত্তগী চোস যাওগী মমুংদা নগুগী মু ত ইবা হাইবদো মশক মতৌ করি কমদোনে। লৈখংদনা ইনুং হতবু লৈখাংনহু ।। লৈরিবী নগুনি ইপু ।। মুংশিদা ইগুগী পাওশা অস্লিদো, অহুবু ইপুনা ইগুগী অরাবা রাখনবু লৈকোরুবা লৈতা লাইরাবু নোংলেন্নবা করিবু তেংবাংনগনি নপুগী হাইবনু নোংদম্বগী থৌগনগীদমক্তা ইংখোল খরা খরা লৈগুনা হৈ লৈ খম্না খরা লৈথারিবা অসি মত্তাইদো ।। মুগী মচা ওসিগী লাইরা অহুং তাবগী লৈকম্নবা চানিংবা মনা মশিং য়াওবরা লৈয়েংত্ত‚ হেকওমজ্জক, থৌরম অসি মত্তাইদো ইপুনা অহুক তেংবাংনগদবা হাইবনু মংনা চানিংবা রেংহুনা হেকচক নোংদমহুনা মনা মশিং হেকপা তেংমাইন্নু চংখি ।। তেংমাইন্নুনা অগুম কোইনা যেংবদা পাল্লিবা হৈ-লৈ তৌরিবা ময়াম অহুগী মমুংদা মাইরেন অমতং তোমথিন ওইনা কৈরা শানা মা লোমদগী লৈথাং থত্তনা পানবা অমা তানফংলে ।। ম ইরেন অহুবু উবদগী অতোপ্পা অমা চানিংত্তনা লৈতনা মাইরেন অহুতগী রখন খন্দুনা করিগুম্বা অমতা হেক্তনা মাইরেন অহুবু চানিংবা দাহন্দা লুপুনা মযুমদা হল্লক্র ।। মতু দা লোইদাম ওম্বা অহল অহুনা তেংমাইন্নুবু করি হেবওম পুত্তমজ্জখিবা রেংবদা হেকওম পুত্তমখিবা তাম্লেংনদ্রে । কদোরবনো করি করা অমতা হেকওম পুত্তমখিদেনা কদোরবনো রাখন্দুনা লৈত্তমখি ।। তেংমাইন্নুদি মুমিৎ তাবদা ত্তাইহুনা লৈত্তম্নমহুনা লোইদাম ওম্বা য়াচংবগী নোংদম্বগী কোলোইবু নি শিং শিংপাবা লোইহুনা ইমু মহুদা ফম্বাল লাংনা লৈত্তমথ্রবদা তেংমাইন্নুনা মাইরেনবু পানহৌবা মফমদা লৈচংলক্তুনা মাইরেন অহুবু হেক্লগা অহিং তহুদা মক মকু ফাওবা হুন্দোকপা লেমহনবা তৌদনা মপুক পেম্নবা চাহুনা পোথাহুনা লৈত্তমখি ।। নোংত্তাল্লবদা অহন লোইদাম ওম্বনা ইংখোল কোইবা চংবদদি অশক্লহুনা অমতা পানবা মাইরেন লৈরমদবা পাল্লমদবা উবদা মবুক তাথিরহুনা কনাননো ঐগী নোংদম্বগী দমক্তা লৈথাক লেয়েংহুনা লৈথম্বা

মাইবেনবু লৈতাক্তনা লোম্না হেক্তুনা চারিবা মশক অহুত্তদি নোংদম্না অংনা অহন মতম ওইবা ঐ- ঞ্জোন্দা অমুক্তদি মশক লৈখংনহনবিও পাওশানা নোংদম্বগী লৈফমদা মিংশ্না ইরা চেম্না থৌতিরক্রে ।। খুদক অহুদা নোংদম্বনা তেংমাইহুগী শিয়োম্নংদা লৈরিবা মশকপু মঙশমগী ওকখোংদগী লৈহৌনা মখোং মথুং পুম্নবু মাইবেনগী মশক্লা য়োমহুনা লৈথমখরে; মুমিং খরগী মতুংদা তেংমাইহু মাই- বেন্দা তাইবং মকোক পানবা মচা অমা পোক্লক্রে ।। মীপুম খুদিংনা কোইয়েং য়েংনৈ করিনো মশক অসিদো ঈংগ্রে ফজখ্রেদা য়েংবগী পেনবা নাইদেদা অহুবু মশাদি মাইবেনগুম্না তুম্লিবশিবু নোংদম্বা কনানা শেমলক্লিবা খুৎশেম্লো ওম্নোকপা অঙকপা খুৎশেম শাথোক্লি কল্লকইদা শোম্নরক্রে ।।x

নোংচুপ লোক্লৌকোন্দা পানফা কোংটিংলেন

লাইপাখং কোংটিংলেম্না খুম্নোক খুন্দহুনা লৈফম অসিগী লুচিংবা লমপুবা ওইনা লৈহুনা ম- দাইবেন লাইবৈম্না ২গা য়ুম্বাম্নহুনা মদাইবেন অপানবী হাওম্ন লৈমনা মচা নিপা অমা তানফং- জহুনা লাইমিংবু পোংথা মিংহুল্ল ।। মতুং মচা নিপা ১৮ তানফংজহুনা মমিংবু হৈনাওপোই মিং- হুল্লে ।। মতম অশিদা মদাইবেন অহন থিংবারোই খোম্বীও মচানুপী অমা তানফংজহুনা মমিংবু শ্মা লেম্বী মিংহুল্লে ।। মতম অসিদা কংলৈ তাংপাত্তা পাল্লম্বা তেদে অশনবগী মচা মুপী তেংমাইহু কৌবীবু মচা মাইবেন্দা তাইবং মকোক পানবা অমা পোক্তনা তাইবং মিরোনবু নিংথি চংখোম্না ওাংঙি তাই হাইহুনা লৈফম খুদিংদগী চত্তুনা য়েংনৈ ।। মতম অসিদা কোংটিংলেম্বা মনিং তম্বা ওইনা লৈএ ।।x

মাইবেন তাইবঙ্গী পুরারি

মাইবেন তাইবংনা কুমজা :৫ লৈচংলকপা মতমদা মমা তেংমাইহুদা হাইএ, ইমা নচা ঐবু কুমজা কনগু ময়ামলক্লে অহুবু ইমানা নচা ঐবু পোকপীবগী নচানা ইমাগী থৌগনবু পোকপদগী ওসি ফাওবা অসিদা করিগুম্বা থৌরম অমতা পাংথোক্তনা থৌওম থৌপুক্লহুনা ইমাগী মতেংবু নচা ঐনা তৌগুম্বা ওমদরিদো ইমা ।। ইমাগী মাইবেন ফমপ্রেং অহু ইচানা নম্তে নমা ঐনা লংজ- রকপা ইরাম্না মচা পোকচবগী মচাগী মপাম্না মুংঙাইহুবা লেমজবা তানফংদবনি, নমা ঐনা পারি

ইচাগী মাংনবা চৎলম্মু পাম্নিনা নম্মা ওইবী ঐগী পীবুরুংদা লৈঙম্বা মতমদা চাহৈদববু চাখিবা নামুং চৎলম থোৗরম্মু ইপুক খোইজং লৈতানা থোৗঙম থোৗপুখিবদগী তাইবং মপোক অথোই চংখোনববু মাংহনবনি থোৗরম অসি মম্মা ঐগী চৎলম ইরান্দগী তানফংবা ঙাক্তনি ।। মানি ইম্মা ইমানা তাকপীরীবা অহু ওইবা য়াই অহুবু ইম্মা কনাগুম্বা অমমা লংজা অয়োম থোৗপুরগা কনাগুম্বা অননা অয়োন লংজরুবা মরান্দগী তানফঙ্গদবা মরাল মহৈ অহুবু থোৗশিন থোৗপুবা হায়বা অসি লাইরমলেনগী বায়েন্দদি থোৗয়াদবা চৎলম্নি ।। ঐনা ইপোক অসিদা তানফংলিবা ইওং ইতৌ অসি নচা ঐনগু লংজবা থোৗরম লৈবনা খোকঙম ওইওম্নবনি, থোৗরম অশিগীদমক্তা ইমানা চিংনবা পূক্লিং অম্রাবা তৌবীরুহু; ঐনা ঐনা ফংবনি, অহুগা থোৗরম অসিতদি থোৗপুনবা ইমানা থোৗবাংবীও ।। ইমাগী ইবুংঙো নমাবু কম্নি তৌগম্মু হায়বা ? ইম্মা ঐখোইগী মামহন ঙনা খা মাইগৈদা হিদ তোংহুনা ললোন ইতিকপা চংপা অহু ঐগু খম্না য়াওজগে হিদা খম্না পুবিও হায়বিয়ু ইমানা ।। ইবুংঙো মহুবু কনানা য়ানিঙ্গবা, নংখোংগু নথুংগু য়াওবা নত্ত কমদোৗনা কম্নিব্র পুবা থাংবা ঙমগনি হায়হুনা য়াগবা ।। অচুম্বনি ইমানা তাকপীবা অহু নচা ঐনা ঐখোইদোৗনা খোংথুংপু ইপাল্লাংদা লৈঙম্নবদি মাম্মশিংদা পুবিয়ু কম্নিগী হায়জ্ বানোমগবনো ইম্মা নচা ঐগু তাইবং অমনা নোমফম গুফম থোকপত্ত নোমহুনা ইমাগী মতেং পাংবা ঙম্নবা হোংনগদবনি অহুবু ঐনদি ঐখোইগা মী মাম্নদবগী হায়জবাত্তনি য়াবিফম থোকইনা ইম্মা হায়দ হায়বিরু পোংচৈ শংবতগু মকাম্ননি ইম্মা ।।

মমা মচা অমিনা পাওশানবা বাবু অহন লোইদাম ঙম্বনা মাগী ইংখোল মম্নংদা কোইনা চত্তুনা মহৈ মরোং পাওঙম্মিনবু য়েংঙম্বদা তাঙমংনে অহন লোইদাম ঙম্বনা মপুক বাখল্লক্লে ।। অঙাং অসিনা হৌঙ্গিক মমাগী লৈকমদা পাওশাখিবা পরম অসিদি অঙাং অসিবু মাংনবা থোৗপুবা অসিদি মমাতনা মাংনবা থোৗপূবা নত্তে, লোইঙাম ঙম্বা ঐগু থোৗপুবদা য়াওম্নেদনা ।। ঐনা মাইরেন অমগীদমক্তা মিচৈ পীহুনা অগুক নিংথি চংখোনবা তাইবং মপোক শকথোং অসিবু মখোং মথুংপু মাইরেনগুম্না মগুং মগুং নাইনা তোঙ্গী মশক্লা য়োমহুনা মথক্তা কুনা কুম্নীনশিবু ঐনা কুপহনবনিদনা, মশিগী অয়োন অসিদি ঐ কমদোৗবা ।। হে নোংদম্বা নঙ্গী থোৗদা থোৗপুবদা তাইবং নাওম্না অসিদি মাংলেদনা নোংদম্বা নংনা নোংদম্বীরো লোইদাম ঙম্বগী লংজববু লৈকোকপীহুনা ঐগী থম্বাই হকচাংনা লৈঙম্মিবৈ অসিদা তাইবং অপিচা অসিবু মপোক নিংথি চংখোনবু উহনবিও হায়হুনা নাওম্না অপিচাগীদমক্তা নোংকোনৌবু নোঙ্গাংদনা নোংদম্বগী লাইমিং শিংথেক থাগোম্না লৈঙমম্নে ।।X

তাইবং মাইরেন্না হিদিঙ্গা মরক খ্যানবা য়াওবা

তাইবং মাইরেন ফমপ্রেংনা নোঙ্গাংদনা পাওশাবা অহুনা মমা তেংমাইনুনা লৈঙম থাংঙম্বা য়াত্রহুনা মবুং ৬ কী লৈফমদা লাক লাকুনা হাইজরক্রবদা মবুং ৬না মমৈ থংদদি য়াবিহুন মবুং ৬না মমাক তাইবং মাইরেন অহুবু রাকয়ে অচৌবা অহুদা ফৈজ্জা অমা কোম্মুনা থাংদে তুনা ফমংহল্লে ।। ঐখোইনা মরং খাল্লিঙৈদা পোৎশং হনবা হাইবা অহু মঙাইয়ে হাইহুনা পুবিহুনা খা মাইগে পাংনা পুথরকুনা (চীংনুং রাংব্রেনগী হিথাথেন্দা) হিথাংহুনা হিবু থনম্মগা কোঙ্গোইনে, মনাও য়াংমানে, মনাও দেমরোংবে, মনাও উরেল খুব', মনাও ইরৈবা মনাও খাগীনে মখোই মচিন মনাও ৬পু শমজি খাইহুনা মাগী চাগী মঙাইশিংনা লৈঙম্বা লৈফমদা চৎনরে । মখোই ৭ না মরং থনবা লাকপদা উচি পিবা অমগা, শবি পিবা অমগা লাইরেন শিদবগা মখোই অমম তাইবং মাইরেনগী তুঙ্গী থোবাংনবা রা তাম্নহুনা হিগী হিরমদা পাওশানহুনা লৈরিঙৈদা খো চৎ ৭ না থেংনবদগী মাগী মাম্মা ৬না মশক অহুম অশিঙ্গি ইমাক্কি শান্নপোৎ ওইরবগু মকাম্নবা ওইবা য়াই খন্দুনা মশক অহুম্বু হিথক্তা হাপ্পুনা পুরকই ।। মাগী মাম্মা ৬না মরং থনবা চৎপ্রবদা তাইবং মাইরেন্না শবি পিবা নংনা উরং কোংগে, উচি পিবা নংনা উরং কোংগে লাইরেন শিদবা নংনা ঙা হিং শ্নংঙাং ঙমি পিবা নখোই অহুম্বু ননিং লৈথুংহনবা ঐদি ইখুৎ ইথোং লৈপান্দবনিনা ঙম্মরাই, মক্সুং মতম চাববা মংঙদা কোরক্কে ঙসিদগী মরূপ শান্নপে নঙ্গী নঙ্গী লৈফমদা চৎলুখো হানে ঙাংনহুন নপ্য অপ্য চৎহনখি ।।

মতম অসিদা লাইরৈমা কোইজাইনবী চীনফুরোন লৈচিক ঙানবী, লাইরৈমা লৈংমালন, লাইরৈমা চিংমু লৈমা, লাইরৈমা হাইমু লৈমা, লাইরৈমা পিশিমু, লাইরৈমা পিশিনাংথৌবী, লাইরৈমা তোম্বী পীয়াইমু মখোই ৭ পু হৌনহনা হিথাং থেন অসিদা ঈফুনাহুনা শান্নগে হাইদুনা তুরৈ মুংদা কুমথারকুনা চরৈ খ্বাংশেং ফিরোনবু কংফাল্লাংদা লৈথম্নগা লাইজমুংদা ফন ফন চেংথনহুনা ইরোই, ঈফু, ঈচাইনহুনা অকি তুজুং লৈতনা শান্নেএ ।। মখোইনা ইগানা শান্নবগী ইথকক ইপোমনা রকয়ে=হিবু হাইবনা তাইবং মাইরেন ফমপ্রেং ওস্থাদোর ।। খুদক অহুদা লাওরকই, ইশানৌ নখোইনা শান্নবদো ওব্রেদনা তোক্লশি শান্নবগি ইপোম্না হি অসিবু হাইবনা ঐবু ওস্থগদোরে কমদৌশিগবনো রাওইনা তাবিদে শম্নবনা নমহংখিহুনা কন্বিবু নাচুংদনা শান্নহুনা মরৈরবদা অশাওবগা লোইনহুনা হাই, হাই চরৈ খ্বাংচেং য়াওদবগী ইকাই খংদবীশা কনাগুম্বনা পাওশাবগু রাওই থোওইদা নখোই অশিবু হৈনাই শুনাইদবী কাংথং পুথং থংদবা ওইনা তৌবরা-

ভোক্লো হাইরবদি মংভাক্লে নখোইবু করম্বা মী লাইনো ? পাওশা অয়াংকপা তাবদা কনাব লৈওম্বনো হিথেনশিদা হাইহুনা মখোই ৭ না কোইরেং য়েংনবদা কনাবু লৈবা উঙম্রপহুনা ঐখোইনা ভাম্নোম্নখনিনা হাইনহুনা অমুক হুংভাইনা অকি তুজুং লৈতনা শান্নরক্লে ॥ মাইরেন কমপ্রেৎনা তাথিরে ঐ হৌজিক মখোই অসিদা করি থৌশিশিবা রাখনবদা নিংশিংলক্লে শবি লুচিংবা পিবা শরুং কৌবনে, উরং কৌবা উচি পিবনে, ভাহিং স্নাভাং কৌবা লুচিংবা পিবগা নিংশিং থা-কৌরক্লে ॥ মত্তম অমতদা মখোই তবু লৈথুংলহুনা মরুপ মংনা ঐখোইবু কৌববু ননিং থুংদবা করিবু লৈঙম্বা তাকভম্মু থৌঙম থৌপুনরগে । ভাহিং স্নাভাং ঐদি হৌজিক্তি থোংগু থুংগু লৈক্কা লৈথম্নরিবা অসিনা করিগুম্বা ঈশিং অসিদা তাহুনা থুদোংথিবা থোকলগরা ঐর ইপুক রাখল চিংনবা পরম অমা পোকওম্নকই, করিগুম্বা ঐনা খোংথুংপু লৈগুনদ্রিভেদা ঈশিঙ্গী মনুংদা ভাবা থোকওম্নবদি ঈশিংদগী কংযাল্লাংবু য়ৌনবা থৌরম অসি কোরৌ অসিদগী নঙ্গী নঙম্ব ওইনা থৌ-ভাইহুনা ঐবু থরা লৈশংঙ্নে ॥ মহুদি ঐগী ইথৌ ইঙম্মি নংনা চৎপা ঈখোং থুদিংদা ঈমুংবুংদা ঐ কোইনা চঙ্না লৈবহু মভাই ঐবু কনানা কবিবু থৌঙমগবনো ঐ লৈরনি হাইহুনা কৈঙমলে ইমুংবুংদা লুপ্তনা ॥ মরুপ উরং নংনা লৈরাইদা লৈঙমলিবা চরৈ থাংশৎ নমথাং অসিবু ইকাই খংদবী কাংথং পুখং নাইদবী মখোইবু উহন খংহন্দনা লৌরুরগা ঐগী ইনাক্তা ৭রা লৈথম্নম্মুনে ॥ মহুদ উচি ঐগী ইথৌ ঙম্মি ॥ লৌকবগে হাইহুনা লাহরেম্বী ৭ না হচাইনহুনা কম্না শান্নরিভেদা থংহন উহন্দন পিবোন পুম্বা চেনশিন্নকুনা মনাক্তা থম্বীরে । মরুপ শবং শবি নংনা তি অশিবু ইপোম অশিদা হাইদনবা ফাহুনা থরা লেঙম্ম ॥ লৈবাদ কৈগা অহুদা ঐগী হঙম ভাশংনদি লৌপ পোমশোন মরিন ৬ৎপনি, নংনা থোদরবনিনা হান্দনবা যানবা ভম্বা মখৈ পৌরাক্লে হাইহুনা লৈচাক লৈগে ৎথহুনা ইমুংবুংদগী রাকযৈবু মৈতাহল্লে x

ভাহাক লৈঙম্নগা লাইরম্বী ৭ পু শান্নবা লোইহুনা চরৈ পোংনগে য়ংনদদি লৈঙম্নদহুনা কোইভাওনরে । কোইনা য়েংনবদা ইবেম্মা অতোনবী পীয়াইনুন উঙমহুনা রাকযৈ হিংহমুংদা লৈরে পাওদাকলকুনা চরৈ নমথাংগু লৌগে পৌবদা মাইরেন যমপ্রেৎনা ’মচারে ॥ হাহ লাইরম্বীশা ঐ অসে নিপা অমনি থংঙ্ ইখোং ইথুং পান্দবা অসিদা নখোইনা ঐবু অকি তুজুংবা ইবাই লৈথুমনদ্রমাম্নে, ফিরোন অহু ঐগী রাবু ভাদনা নমথেক নমভনহুনা মখোং মথুং য ওদবনি করিগু তৌঙমগবনা রাখন থৌপুনা লৈরৌরবদি নখোই খুদিঙ্গী লাথপ খুদিংদা ঐনা ওইঙম্মিবা ইওং ইতৌ অসিবু তানফনবা ওহঙম্মু মফম অসিদা ঐ লৈ হাইবশিবু নখোই উদা থংদবরা নখোই ৭ কী ফিরোন অহুনা মফম অসিদা লৈরম্মিবা অহুবু করিমুঙ্গী লৈনম্বনো নপুক রাখন থন্দনদি করিবু মুঙ্গী রাখন্দবা করি শমকেৎ লমহাইনম্নিবা ঐনা ওইরিবা ইওং অসি উদবরা ঐগু নখোই-

দৌনা লমকেং লমহাইবদগী পলেমগী পিবুকলুংদা তানফংখিবা ইঙংনি ংংজৌ। য়া তাবদা লাইরেম্বী ৭মক ফিয়োন পুম্বা মথুত্তগী হিগুমলুংদা থাদরে ।। হবুংলোই নংবু কনানো লৈফম অসিদা লৈঙম্বী হাইববু খংঙম উঙমজরুত্রে ঐখোইগী অয়ো লংজা থৈবিকপু লৈকনবিহুনা ঐখোইগী খ্বাংশেং মমথাং ফিরোন অসিতদি পিনবিও ।। অশাইদি হাত্রগা মিচৈ ফংলগা নিবরা, পিঙম্বোই হৌজিক্তি ঐগী লাইয়া অয়েং তাববু তেংবাংঙগে ইথুং ইখোং য়াওদে হাইহুনা নমহুনা পুবদি পুজখো ।। ইবুংলোইনা লাইয়া অয়েং তাবগীদমক্তদি ঐগী খুদোপ তম্ফা য়াই অসিবু পিজগে ।। করি লাই লৈমা তোম্বী পীয়াইমু ইথুংগু য়াওদবা ঐনা খুদোপ্তুনা কদৌ দৌরিবা অহুগা মানা করিবু কান্নবা ফংদৌবা ? খুদোপ অসিদি পোংলম পুম্বা পুথোক্তুনা থোকহল্লু লৈথম্ম পাওশিবদা পুথোক্তুনা লৈথম্বা ঙম্বা তম্ফা য়াই কৌবা খুদোপনে ।। অহুদি নখোইনা শেংন ইন্নবা ফিরোনবু লৈঙম্মিবা অসি পুম্বা হেক থোকহল্লগা শেক্তুনা চংপদি কৈদৌই ? চুম্মি তাইবং মপোক্কি চংলমদদি ইবুং লোইদি তাইবং মপোক্তা শাথোকলুহুনা লৈকাওনপ্রমান্নে; ঐদি থোকাওরুরবগু নিংশিংজরকলে খুদোপ অসিদা ইবুংলোইগী লাথুপ শাথোক অসিগী তেংবাং হৌরম্ব ওহনা লৈথমজরম্মগে লৌবিদবা তৌবিম্নু অহুগা ফিরোন অসিবু লৈথেকপা হমদবা নক্তে শাথোকপবু লৈঙম্মি অহুমমক ওইহুনগু ঐখেই ৭না শাথোকপদা শেংঙম্বা চরৈ নত্তনদি লাইহমনেন্দা লৈতিনব য়াওমদবনা ফিরোন অসিবু নিজবনে। খংঙে অহুদি খুদাপ অহুগী মঙম্ব ঐবু উহন খংহান্নদনা ঐ য়ারগে ।। লাইরৈমা পিয়াইমুনা মথুং খুংনিংথৌদগী খুদোপ্প মাইরেন ফমপ্রেংকি মমাংদা লেথম্মগা তম্ফায়াই খুদাপ তাইবং চিঙ্গাক ওইবা ফৌ হাইবা মশকপু হিজাও অসিদা মতিক চানা শাথোক লৈগাপ লৈথুম্ম পাওশিবদা খুদক অহুদা হিমাই থনকোক তৌনা লৈঙাম্মে।। থৌবম্ব উবদা থোয়ানরহুনা ফিরেনবু পীঙমলে লাইরৈমা পিয়াইমুনা মাইরেন ফমপ্রেংকি লুংতনগী শম্লাংদা তম্ফা য়াই খুদোপ্পু পুনশিনবিরগা হাই,হে তমফা য়াই ঐনা নংবু লৈথপ্রম্বাশে হবুংলোই মাইরেন ফমপ্রেংকি ময়াথংবু তানফংদবা তাইবং কনাবু উহন খংতনবা তৌগম্নু ।। কৈহৌরো নংনা মখৌ মঙম্বু থৌঙম থোপুনবা তৌঙম্লরো পাংশানা লৈশিম্নরম্বগা লাইবৈমা ৭ মক হমজে ।।x

ঙাহাক লৈরগা নম্বো মচা অমমম পুম্বনা মাইরেন ফমপ্রেংকি মাম্মা ৬ পু থুংলরে লৈবম্বা ফৌয়াম্ব উবদা ঙক্লহুনা হংলক্লে, ইমান ইবুংঙো ফৌ অসিদি কদাইদগী কবিবু কমদৌনা তানফংলম্বনো ? মামহন ফৌ অসিবু নমাম্না তানফংজবদি ননাকনদি ইথুংকা য়াওদা চানিংঙাই থক্লিংঙাই অন্না লৈথম তানবদগী মাম্মাশিঙ্গী তুংইঙ্গহুনা হি তোংহুনা অচা অথকপু মরন খানবা লাকপনি ঐনা চংপা ঙমদবনিনা হি অসিবু সংজবা ওইনা লৈঙমহৌবনি হাইজবা অহুদা মযম অহুদা লাকঙম্বিবম্বা ইমা ইবেন ইপা ইপনশিং অহুনা নমাক্কি ইঙং ইতৌ উবদা গুংশিবিহুনা নখোং

নথুংশু য়াওদবা নংনা চানিংঙাই লৈত্তমদবনা লাকওমল্লিবোইরেদকো। য়েংন্দা মুংঙাংসেদা লাইরবা অনংবা হাইবা লাইথুং অসেনা ইতিক ইঙম্মি ইঙম নাস্তু লৈখনখিদ্রনিদো। চানা থক্কবা থরাদাবু লৈফংলবদি রাখন্দুনা লাকচারিবনিদকো। ওংম্বোক্পনি ঙাংনরম্মগা ঐবু মুম্না মুম্না য়েংনরম্মগা হম্রক্রে অহুগা ঙাইহাক লৈরগ অহন নহা ময়াম লাক্কুনা ফো অসি পুরক পুংক্কুনা নমা নচানা লাইরা অয়েং তানববু লৈঙাক্কবা তৌঙমনৌ পাওশানা পংহৈদা হৈহুনা পিনরম্বা ফোনি মাম্মা ।। মুংঙাইদা মাল্লোরেন ইমাক্কু হন্দক্ক লাকপা অসিদি য়াইফং খোংশান তানথংশিনদনা হাইহুনা মযুমদা লৈহম্রবা তৌংম্মরে ।x

মরং খ্লানবা হল্লকপগী পরম

মচিন মনাও মখোই ৬পু ফৌগী মশক উন্দা মপুক হরাও তয়ায়ে, ঙাহাক লৈরগা মাইরেন ফমপেংকি মরমদা মাগী মাম্মা। কোঙ্গোইনা হংলকই, মাকলোরেন ফো অসিদি কনাগুম্বীশিংনা ইমাকপু মুংশিন্দুনা ইমাক্কি চানবা পিরম্বা ফোনিদো। অহুবু মাম্মা খাইবু কমদৌ হাইবা? মাম্মা খোইনা পুরকপা ময়োম তানফংলকালবা অসিদি মাম্মাখোইনা থরদি পুরকলে নংনা শংবগী শংবা শংলমখে ঐখোই অনুক অমামমদা খাল্লুখিগে ।। মাম্মা অহম্মা তাকপীবা চুম্বদি চুম্মি অহুবু খোংফম অসিদা লকামম্নবা ঐখোই ৭ নি, অমনবু ফংলংশু ফংত্রবশু ঐখোই ৭ অসিদি থরা থরদা থুংলবশু য়েম্মহুনা চানিম্নগদবনি মামহন, অমা অমদা অয়ুক মরন খাল্লুরগনু হি অমা মপোং য়াওত্রিবা অহুদা ফো থরগা এনশাং নপী থরগা য়েংশিনুনা পোংলম মাম্ননবা শেম্নগা হৈহম্নবা তৌওম্নশি মাম্মা ।। অংদি হনাওশা পোংশি থুগাইহুনা রাকয়ে ২ অসিগী পোং শেম্নবা তৌওম্নশি, উরেলথুবা নংনা (থানিংথোদা লৈকংনবা য়েলহিং অমুবা) অমতা লৌরু চংহনখিহুনা মচিন মনাও ৫ না হি ২ গী মপোং শেম্বা লোইহুনা লৈরে ।। উরেল থুবদি য়েলহিংদি খিবাদ খিদনা মপুক্তা রাখল অমা তৌহুনা য়েলহিং য়েল খিবা ফংদে তোক্লশি মতুংদা মকংলাশি হাইরহুনা অহুম মানা ওমহুনা তোক্লে ।। উরেল থুবনা হাই য়াম্বা অহুমগা ইশানৌ ২ গনা হিবু নিংখিনা শেম্নবিয়ু অহুগা ইমাক্কি ঐগা তোংমিন্নহুনা হিনা মবুক লৈথম্লবনিনা শোইবা হাইখশে তম্বা ওম্বা নক্সে ঐনা থম্না চেকাশম্না ঙাকশেম্নবা তৌওমগে হাইহুনা মাইরেন ফমপ্রেংনা তোংবা হিদা কাখত্তুনা মম্মাক্কী মনাক্তা লাক্কুনা ফমলে হিগা হিহোন ওম্নকলে ।। থানিংথৌ তনখংলকপদা নোংলে মুংশিং অমা হৌরকলে ঈশিং ঈথক ঈপোমবু ইহুন চাওনা চেম্নকলে রাকয়ে হিরু হিনাও লৈচুম্বদা রাকয়ে

ফৈগাকফৈথিদুনা হিবু লাকঙমগে, তৌঙমলে, মপা চারে হাইদুনা উরেল থুবনা মাইরেন ফমপ্রেংপু ঈশিংদা ইম্বপ্রে ।। থুদক অদুদা তুবি লাই শিদবনা মনঙন্দা হাপ্পুনা মাইরেন ফমপ্রেংপু মুং-শিংকি মাং থানা পুখ্রে ।। ময়াম্বা মনাওশিংবু কোরো ৩ নি চুপ্প ঈশিংদা কুমদুনা লুপ্পুনা থিন-হল্লি ।। মানা থর ই রাশিন্নবা শাদুনা কৌদুনা কপ্লি, হা মাবল্লীরেল নমুং নতম লৈরাংলি লৈফম অসিদা লৈহল্লকখো, লৈফম কদাইদা শাথোকলগে চংখিবা লৈফমশুদি লৈখংহল্লুনা, মাম্মবু কন্নিব হাইনা পাওদমগবনো হাইনা তেংথা নাওয়ৈদুনা কপশিন্নদুনা ঐ খ্বাইগী মমাংদা চুম্না ওন্থ-খিবা ওইনা থোকহল্লি থিবদা ফংদ্রবা অতুদদি কদৌনিংঙাই লৈতবনা ময়ুম য়ৌনবা খোংশান হিহোন লৈতমলে।। তুবি লাই শিদবনা মাইরেন ফমপ্রেংপু মনঙন্দা পুবদি মঙম্ব খোংশাল্লরোই হাইদুনা ময়ানা উমদুনা তুলূ কোই খোংলম কয়াবু লৈশম্না অহিং মুংথিল পোথাবা লৈতনা পুঙম্রক্কুনা মাগী থরাই থোঙান্দা থমলে ।। চিংগু ইবুংঙো ঐদি লৈহল্লগে চংলো তুবি শিদবা ঐ ইমাবু কৌদুনা থাংজলহল্লগে হাইনদুনা চংথরে ।। মাইরেন ফমপ্রেংনা মমাবু কৌনদা মমানা তারদুনা মৌপা ২ বু কৌজদুনা মচাবু ময়ুমদা পুশিনহল্লে ।। মাইরেন ফমপ্রেংনা মাবু ঈশিংদা ইম্বগী পরম্ব মাগী মাম্মা অতোনবা উরেল হনবগা লাংবগা মমাগা ৩ দা পাঙদমদুনা থংহল্লি মাবু ময়ুম থোঙান্দা লৈথম্বীবা থৌরম্ব তাহল্লি ।।X

ময়ুং খানবা হিদা চংলুবা তাইবং মাইরেন ফমপ্রেংকি মাম্মবু লৈখুংলদুনা তেংমাইমু মচনগী য়ুমদা লাক্কুনা কপ্পুনা পাওদম্মি ।। তেংমাইমু হৌজিক্তি কবি থোক্লবান মংলে, ঐ থাইনা হাইবদা ইমাকপু চংহন্নীংদবগুম রাথনবদো থৌরম অসিবু উদুনা হাইহাঙদ ঈশিং ইথক অঙাওবা লাকপদা ইমাক অমতা লৈজববু ওস্থখিদুনা মাংখ্র ।। কোবৌ ৩নি চুপ্প থিববু ত নফংদরেদো হৌজিক ঐখোই পুম্বগী য়াইবী মশক ওইনা লৈজবা ইমাবপু লৈফম থংদনা মাংহনখ্রে দা মশিবু ঐখোইনা হাইবদা ইচন নংনা য়াঙম্লবদি থৌদোক অশিবু থোকঙমলোইদবনি, মশি তেংমাইন্ন নংনা থোকহনবনিদো ঐখোইবুশু মিংচং থিহল্লবা নংনা থৌশিল্লদে ।। পাওশা রাবু তাবদা ইমুং মমুংদগী মাইরেন ফমপ্রেংনা লাওরকই, নথাই অশিবু কমদৌনা তাইবং মপোক্তা পোকখ্লম্বা হিংচা য়াইতম্বা শাহিং চাবগী লমচংপু চংঙম্লম্বা নখেই অসিবু ইমাগা পোকমিন্নবা মাইরেন ঐগী মাম্মনিকো শাগী লমচং চংপশা ইমা ঐবু মপান্দা পংদোবপিখ্রু মামতোন ২ গা কৌবিবম্মু ।। ইমাগা পোকমিন্নবা মাম্মা হায়বশি ঐগীদি মরুগী থৌজাল ওইবনি হাইববু শাগী লমচংনা থৌ-পুবগী রাবু তাবদা ঐগী থমোই অসি নিক্লে, থৌরম পুম্ব লৈখনবা ঐগা পাওশানগে মাম্মাশিং অহিং অসিগী মমুংদা মপুক রাথন ফত্তবশু লেথংনবা পাওশারমগে ।। ইমুংদগী হম্না হম্না বম্না লাওবদা তাঙমলক্কুনা উরেল হনবগা লাংবগা মাইরেন ফমপ্রেংকী মামতোন অনিশু চংলক্ল ।।

মাইরেন ক্ষমপ্রেংনা মামতোন ঐবু মপান্দা অমুক্তা থাংদোকপীবু হাইদুনা ইমুংদগী মপান্দা থাংদোকুনা থম্বীরে ।। মাইরেন তাইবংনা হাই, মামতোন ২ বু নম্মাক্লা লৈপাইনা হাইজরি নম্মাক্লদ খোং খুৎপু য়াওদবনা নামুং চৎলম্বু থোদা থৌপুরে মপুক তাথি নবিন্নু, ব্রাকয়েগী মন্নুংদা লৈঙম্বিবা ফৌপুম্বা নম্মাক্কী ঙাক্তনি মাম্মা ২ না কুবিদুনা লোইঙম্মবা লৈফম অসিবু য়ৌনবা থন্না হোঞ্জিন্নবা থৌপুনিও ।। মাইরেন ক্ষমপ্রেংকি ব্রা তাবদা উরেলহনবগা লাংবগা ২ না হিদগী ফৌবু লৈহোনগৎনবা থৌপুরে । কোঙ্গোইনচিংবা মখোই মচিন মনাও ৩ তি ঔশিংদা তাথিদুনা থিবদা থংখিদরবা মাইরেন তাইবংনা মথুমদা লৈরম্বা উবদা অঙক পুংফইনা অকি তুজুং তানফংনদুনা উথুংবগুম লেপ্তুনা কপ্ল পাওদম্লম্বদগী তুমিন তুমিন লৈঙম্লে । তেংমাইদুনা হাই, ইমাগী মাইরেন ক্ষমপ্রেং নংবু কহিবু অদুক শাওবনো, নংনা ফংলিবা ফৌ অসিবু নঙ্গী মাম্মাশিংনা মবংচৎপদা পুঙম্লমত্রবদি তানফংজবা অসিবু য়ুমদা লৈঙম্লগা ফংঙমগদ্রা ? পারি নংবু নঙ্গী মাম্মাশিংনা মাংনবা তৌঙম্লবগু মাংবমক্তি নংবু মাংদেদনা, পারি নঙ্গী নঙম্ব নঙ্গী মাম্মাশিংনগু লৈথংলে, নংনা নপুক তাথিগদবদি নমা ঐঙোন্দা তাথিও নমা ঐনা থোকহনবা ঙাক্তনি ।। রা তাবদা মথং কোঙ্গোইবু তুমিন্না চংখিদুনা মনাও ২ না ফৌ হোনগৎপবু য়াংঙমদুনা মমহাক্তি মাঙ্গোন্দা যৌবু হৈবা য়াওররে ।। ময়াম্বগী লুচিং থৌরম্ব উবদা মনাও ৫ গু থৌয়াওরে ফৌবু হিদগী হোনগৎ । লোইদুনা মখোই মখোইনা তানফংলকপা এনশাং মনা মশিং মহৈ মরোং পুম্বগু লোইনা তক্লা হোঞ্জিল্লক্তুনা মম্ম কি মাঙ্গোন্দা লৈথম্লরে ।। মাইরেন তাইবংনা হাই, মামহন ৬মক নমহাক্লা লানবা ঙাক্তনি মপুক ব্রারৌবিগন্নু মশক অতৈ অসিদি মামহন ৬না মরং খাংলুবদা ফংঙম্বা ঙাক্তনি মাম্মা ৬না পুবিখো নম্মাক্লা তানফংবা নত্তে ঐগিদি শরুক লোক্তরাই ।। ফৌ অসিদি নম্মাক ঐনা তানফংজবনিনা ঐগী শরুক্কীদো, শরুক ৯ থোক্লা এলুপ শথাইরো শরুক ১না ইমাগী শরুক ২না ফৌ হোনগৎপদা য়াঙজবা মামতোন ২ গী শরুক ৬না হি পুথোক্তুনা মরং খানবা লমজিংবিবা মামহন ৬ কি ওইবিরো অদুবু ঐগী মাম্মা য়াইমা উরেলথুবা মপুক ব্রাখল লৌশিং থৌয়ঙবনা করি হাইবনো থৌরম অসিবু ? ব্রাতাবদা ইকাইদুনা ব্রাঙাংদনা তুমিন্না তাংজলুক্লা লৈঙম্লে ।। মনাওগী মত্তৌ উবদা য়াংমনা হাই, মাক্লৌরেন ইমাক্তি কুবি নোংদম চৎলম্ব য়ারোইদবা লৈঙমদ চামিন্নবা হাওমিন্নৈ পুবথনমিন্নৈ খোং চোৎলগা চীনচোৎলি হাইবা পাংহৌবু পান্না পুনা পাঙশানি ইনাওতোন য়ুমদা লৈহৌবা ৬না মাগী মাগী চাকথুং ফংঙবদি মখোং চোৎপা য়াংজবগী ফংজবনি, পুক্লিং লৌশিং চাওবা ইমাক্লা তাংজা=লিনবুগু মাদনবা কোংয়াং চৈ= চৈঙংগু মাদনবা থৌমিংবিবা অসিদো পলেম=নমাগা পোকমিন্নরুবদগী য়াইফং চৎলম্ব য়াইফঙরে মাকপৌরেন নোংদম চৎলম্ব থৌকাওদনা লুতুংদা লৈখংহৌনবা কাঙৌ জগিদগী য়াইফং চৎলম্ব ওইঙমসিকো য়াম্বা ইশানৌ পুম্বা হাইনা পাঙশানদুনা মতুদা মাগী মাগী লুপথুংবু শথাইনদুনা মাং মাগী মন্নাময়াইদা

হোঙ্জিন্নহুনা মপুক হরাও তয়াম্না লৈঙমলে ।। তাইবং মাইরেনগী পাওশা মতিক মঙানবু উবা তাবদা মাগী মামহন ৬না অকি তুজুংবা তানফংনা ইফাই থুম্নবগা লোইনহুনা লৈমিন্নরে ।।x

মতম অসিদা মোইরাং নিংদু মাইগৈবু লুচিংবা যুক্তানা পোক্লম্বা মচা নিপা হৈরাওবা কৌবরু কোংটিংলেনগী মফমদা লাক্লুনা থৌথনবা অশাই অশম অম। ওইনা লৈঙমলবদগী লুচিং থৌয়াংবা অওম্বা অমা ওইনা লৈরক্লে ।।x

তাইবং মাইরেন ফমগ্রেংনা য়ুম্বান থৌপুগে থৌরাং থৌশিনবা গরম ।।

তাইবং মাইরেন্না হাই ইমা নঙ্গী নতৌ য়েংবা অসিদা নচা ঐবু ওাস্থাক্লা বারেদ। ইমা নংনগা অহন ওইশনলকপনে, নচানি হাইবা ঐনগা তাইবঙ্গী মওঙ্গা শুদবনে রাখনবদা রাখ্রেদা ইমা ।। কমদৌনি ইমাগী মাইরেন মম্নম পুম্বা অসিদো নমা ঐনা মাংলম চৎকি চৎলমদা নামুং চৎলম থৌপুখিবনা ঐনা তৌজবা লমচৎনা নমা ঐনা তানফংবদগী থৌহম্না পারি ইচাবু ফওবা অনা মৈশাবু লাংহল্লবনি পারি ইচাগী লংজা অয়োন চৎলমনা তানফংববু নত্তে নমা ঐগীদমকপু অরা রাথন থনগন্নু ।। অহুবু ইমা নচাদা য়েংদনতা হৈবা অসিদা নচা ঐবু য়েংজবা ওমদরে ইমাগী নতেং ওইনবা নচাবু করিগুম্বা অমা তাঙমজৈ অহুবু ইমানা করিবু রাখল্লমগবা থংদেদা । ইমাগী ইবুংঙো ইচানা করি রাবু তাবগে ইমাদা হাইযু, ইচানা হাইববু নমা ঐনা করিবু য়ারোইদগে, ইমা ইচাদা লৈবদা মমানা হাই মচানা য়াদবা, মচানা হাই মমানা য়াদা অহুম তৌনরবদি সুম অসিবু করম্না লিংবা ওমগদগে হাইযু করিনো ইমাদা ।। ইমা নোংচুপ হারমদা লুচিং থৌপুনা কোংতিংলেন কৌবগী মচা হুপী সনারেম্বী হাইবী অমা লৈ, মহাক অসি থাজা য়োনজবা মতম্মু ওইরে তাই মশিং ঐখোইগা লৈমন্নশি হাইহন্নীংভি নচাবু ।। মহুদি ইমাগী তাইবং মাইরেন, হাইরগা তুমিন্না লৈথি ।। তাইবং মাইরেনা ইমা নচা ঐবুশু অহুকশু কৌরিখি অহুগা অহুগা অহুদি হাইহুনা তুমিন্না ফুংবংনন। লৈখিবা অসিবু করি কমদৌবগে, ইমানা মহাক অসিবু খোইজং খোইদনদবরা ? ইমাগী তাইবং মাইরেন নমা ঐনা খোইজং খোইদাদবা নত্তে ।। অহুদি ইমা কনানা কদৌবা ইমা ? ইমাগী ইবুংঙো থৌরম অহুদা চন্নু পোকপা চন্নু পোকপী কনানাবু থৌয়াগবনো ।। ইমা মহুদি য়ানি দ্রংশু তোকশন্নু চন্নু লৈবদি হাইনা শিংনবা হৌনবগী হাং বতানি ইমা, হাইবশু হাইরুদনা য়ারবলোই হাইহুনা থৌরমগী লৈফম থদনা ইমানা থৌপু রানোম রা

হাইদনা লৈঙঙ্গদি থোৌরম্মু লৈফম খংদনা লৈমাং হনবা অসিবু নাম্মুং চৎলুম অয়োন লংজবা লমচৎ তাদবরা ইমা ।। হাইহুনা ময়েংশি য়াদ্রবগুম তোকখিশম্মু হাইদা হাইবিরু রাহৌদোক হাইফম থোকপগী হাইবতনি হাইদবা য়াদে অচা অথক খরা পুহুনা চৎনবা তৌবিয়ু ।। পাওশা অসিতবু তাইবং মাইরেম্মা মমাগী মফমদা হন্না হন্না হাইহুনা পাওশিবদগী লৈঙম থাংঙমদবদগী চম্মু হাইববু অচা অথক হৈ লৈনচিংবা পুহুনা চৎল্লে ।।X

কোংতিংলৈম্মা মপুক তয়াং তশৈাইনা ইদাইরেন তেংমাইম্মু করিবু মুংবু লৈঙম্বা? পাওশা করিবু লৈবনো লাও চংলকউ করি কমদৌনা লৈপাল্লিবা ।। নোংচুপ মুবা লোক্লৌকোন, লিকোন থাওজাও য়ানবা লম, মোরবুং তপ তাই শিবা লম্ব, লুচিং থৌদাবা নফম্মাংদা চংজরকপদি হাই-জফমদা হাইজগে নিজফমদা নিজগে লাকচবনি অহুবু ।। কদাই অহুবু হান্থবদি হাইনিংবা রা হাইবদা করিবু নকোই তুংজুংনবনো নংনা হাইনিংবদা হাইঙম্মু. অয়োন লংজবা লৈথম্নবা তৌগম্মু হাইনিংবতা হাইঙম্মু ।। লুচিং থৌদবা পামজবগী হাহজ্ঞ নিজবনি অয়োন লংজ্ঞ পুম্বা কুম্বিনি, মচা ইবেম্মা সনালেম্বীবু ইরাম য়াইদা লুতিঞ্জবা তানফংজবা থৌনিজগে অহুম্মুঙ্গীবু নফম লাংদা লৈচং লেপাইনজ্ঞরি ।। উম মহুদি হাইনথম শিম্নফম রানি অহুবু নংগু হাল্লো ঐগু মতম থরদং নাখম্নগে ।। নোংদম্নহুনা তেংমাইম্মু ময়ুমদা হল্লক্কে । মাইরেন তাইবংনা রাহংঙি ইমা কনদোরে কৈদৌউ লোরো হাইবা? পারি হবুংঙা রাথম্নখিগে নোংদম্নকই ।। চুম্মিদা ইমা চম্মু থাজরা হাইবশে থরগু রাথম্নদবা হানা নঙেদা পিববু শোইদনা পিগদবা মবৈরবা রাযম্নি হয়েংচু চত্তুনা ঙুমিৎ অহু হেক হংদোকপারা মখাইনা থারকপা ঙুমিৎ অহুদা হেক লৌনিনবা লৌম্নাংবা হাইবা অহুনি ইমা, ইমানবু শুনোম্বা খবদং পোথাবা ফংলবদি নচাগী মুংঙাইবা ওইগনি পাওশানহুনা লৈঙম্ন ।। নোংঙাম্লগা মচাগী পাওশানা লৈঙম্বা ঙমদহুনা চত্তুনা পাওহংঙি ।। কোংটিংলেম্মা হাই, তেংমাইম্মু অমুক লাল্লম্মু নং রাহুনতা লোক্লনি থৌবম অহুগী ঐ রাথনবা ঙমদরি রাথনগী থৌরম লোইরগা ঐ পাও হাইরকে নোংদমহুনা ময়ুমদা হল্লক্কুনা রারম পুম্বা মচাদা তমলে ।। মাইরেন তাইবংনা হাই, ইমা মীনা পাও হাইরক্কনি হাইহুনা ঙাইহুনা লৈথোকপা তৌনদে ।। মীগিদি ময়ুমদা লৈজবা নচাবু কাইনা শেংনাগদৌরিবনি ঐথোইনা য়াম্না তোইনা তকশিন্দুনা অরাব লৈথংদনা হঙ্গদবনি ইমা হায়ংগু চত্তবা য়াদে হাইহুনা মমাবু পাওসিনহুনা চৎহনখি ।।X

তেংমাইম্লনা লাকপা উবদা কোংতিংলেম্মা মবুক তাখিবে, তেংমাইম্মু অসিবু মপুক রাথন চাওবীনি অহুবু হন্দক্তী ঐগী পাওশা অসিবু মানা করি মতা থৈথংদবগুম লাক্লম্মু হাইরবদা নোঙ্গাংদনা লাক্তুনা নমথেক নমজানারবা অসিবু কমদৌশিবা মাবু ঐনা অয়াক অকননা য়ানিংদবা রাহৈ

পাওশাদুনা মপুক ইকাই নুংশিবা রাঙাংবু হাইনিংদবনা হাইদবামে হাইবশে মাদি খংদ্রবোইদো লাক্তনবা ঐ পাও হাইরক্কে হাইরমক্তদা নোঙাংদনা মরাক্কে অসিনদি অশি অয়েম্মা ঐগী রাশক ওইনা মফম অসিদা অমুক হন্না লাক্তনা পাওশাবা তারে রাখন্দুনা পাওশারক্কে ।। ইদাইন্নেন শেম্বী তেংমাইহন্নু ঙসিদি ঐগী অয়েম্মা রাশকা লোইননা নফম্মাংদা হাইরবনি তাও ইবুধৌ পাবু খংবনা তাবিবা খংবিবা ওইবিযু ঐনা হাইগমগদবা রাকম অসিবু থৌঙম থৌপুবা ঙমদবা মশক্কা ঐগী চম্নু সনালেম্বীবু হাংঙম্নরবদি খুদক অতুদা তাইবং মাবু মাংহন্নবা কোংতিংলেন ঐনা থৌঙম থৌপুনগনি তাদবশু তারো খংদবশু খংঙো ।। অতুগা ঐনা হাইগদৌরিবা থৌবম্নু থৌঙম থৌপু থৌরোইবা নুমিৎ অতুদা লৈঙম্বা মশক অতুগী লৈফমদা ঐগী লুদা শায়োক্লিবী হমোম সনালেম্বীবু লুহোং লুতিন লৈরাং লৈহুম্না মৈহৌরোন ৯বু ইরাৎ লৈপাইনা ঙুহিন লৈকৎ লাঙ্গনি ।। থৌরমদি কোংতিংলেন ঐগী ইরাময়াইদগী মরাম য়াইরু লৈথুংনা য়াংকৌলম্বী অমা লৈফাংলক্তুনা য়াংলোবু মালেমদা লৈতাহন্দবা অমা লৌশমদুনা মথক্তা সনাগী ইঙ্গি লৈশিংনা লৈথম্বা ঙম্বা মশক অতুদা পীগনি থৌঙমদবনা কোয়ৌ অসিদগী পাওশা পাওরানথরোই হাইনা রাশক্তুনা লৈবাক্কি মাইগৈ ৪ চিয়া ৪ বু লৈথুংনা তাঙম খংঙম্নবা য়াঙ্গোই তোংববু মাইগৈ শিন্না থাদুনা পাওজেন পাওশানহনখ্রেদো ।। পাওশাবু তাবদা তেংমাইহন্নুশু পাওশানদুনা হনখরে ।। মতমদুদা মুবাং নিন্দু দগী শাইদাংদুনা থৌগনবা লুচিং থৌযাবা অঙম্বা হৈরাওবা কৌববু মাগী রাখল শৈরেংবু কাইদুনা তাংজ লুক্কা ঐনা করি কমদৌনা নিংজবা লৈরাংবু হেক্তুনা ঐগী লৈথেৎ ওইগবা রাখন্দুনা মপুক থোংশাও নুংঙোন্না খাংখি ।। তেংমাইহন্নুন মথুমদা পাওদম্মে, তাইবং মাইরেন্না হাই, হমা কবিবু পাংবনো পাওশা অতুদি অশাইনা তাজার শগোল পাওনা লাওরমদুনা ইৎম্ব ঙাইদুনা নচাবু চৈঙম্জবনি, হাইরিব। থৌরম অতুদগী লৈহেন্না ইমাগা নচা ঐগনা শেম শাবিরগা লোইরে করি নুঙ্গাবু রাবনো ইমানা ।। ইমাগী মাইরেন করি লৈরমদবদগী ফৌ থরা চানবা তানফংলুবা অতুদা সনানা ইংগ, শিংপা ফাওবা তানফংলনি রাখল্লবোই ইচাদি ।। সনানা ইংগ, শিংপা অতুশু অঙম্বা নথোন্না তানফংলো অতুগা য়াংদো অতুবু মাকেমদা লৈতাবশু য়াঙম্নাই শুনগী তরং ময়াইদা লৈশা লৈথম্নগনি হান্নিঙমলিবা অসিবু করম্না লৈথমগদৌবা ? ইমা মতুদি লাইঙমগ্রবা লৈশানি তাইবঙ্গী য়াংকৌবু নত্তবা খোইযুম লাইগী য়াংলৌনি মিংনদি মউবা তাইবং খোংনদি চংঙমদদবা লৈশাবনি রাংলেন অমদা লোইগদবনে ইমা রাবিন্নু নচানা হোরেন যুংথক খানবদা থৌরম পুম্বা পলেমগী নফম্নাংদা লৈকৎ লৈহুন তমজগে তরা লুকমনবু তানফংনদুনা পোথাম্নুংঙাইনা সৈবিযু পাওশাদুনা চৈঙমলে ।।X

মাইরেন তাইবংনা অহিং যুংথক খানবা মতমদা মমাবু হৌদোক্তুনা মাবু ইপাম্নাংদা থাংদোক হল্লে ইমুংদগী ।। মতুংদা মমাব ইপাম্নাংদগী ইমুং মনুংদা চংহনখরে ।। অতুদগী মানা তমফা খুদোপ

য়াইওইববু নিংশিংহুনা থোথাইএ, হে তম্ফায়াই থুদোপ য়াইওইবা ঐগী দমক্কি হাইহুনা লাইরেমা তোম্বী পিয়াইম্নুনা ঐঙোন্দা পিরমলবনিদো হৌজিক ঐগী ওইরবনিনা ঐদি ঐনা থোদাবা থৌরম্মু থৌওম্নবা থৌপুগদবনি অহুনা কোংতিংলেন কৌবা নোংচুপ লোক্লৌ কোন্দা পানফা লুচিংবনা মচিন মখাদা থোকপা পাওশা থরা পংভাং ঙাংখিবা থৌরম তাইবং পান্দা ওইথোক্লোইদববু পাওশা-খিববু থৌরম থৌরাঙ্তুনা শেম্বীরা অহুগা ঐগী ইংথোল অসিগু মনাদনা হৈংগ, শিঙ্তুনা তাইবং পান অসিদা মতিক মঙম চাওবা অমনা শেমগৎ শাগত্তুনা লৈঙম্বা য়াব খিদিক থৌরাঙ্তুনা নংনা শেম শাহুনা লৈথম্লো থৌদারক্কে ।। তম্ফা য়াইথুদোপ তাইবং মাইরেনগী মকোক শমলাং মরক্তা পুন্দুনা লৈবনা তাইবং মী, লাইনা চিংবা লৈঙম্বা মশক পুম্নমক্কি নমিঙা সনা, লুপ, হি য়াইতনা হৎপা থম্বা মশকপু ওইনা উনবা হাইথিবা থৌরম পুম্বা রাক্তুনা শেহুনা থমলে ।। থৌরম্মু থৌ-শিননা লোইরগা তাইবং মাইরেম্না মমাবু কৌথোক্তুনা শঙ্গাই শংলেনগী মমুংদা থাংখিল হন্দুনা লৈরে ।। ইমুংগু ঙাল্লক্লে অদ্বাইদা লৈঙম্মিবা লাইতাইবং পুম্বনা তাইবং মাইরেনগী য়ুম ইংথোন্দা ওইঙম্মিবা মশক মওংবু উবদা মপুক রাথনবু ঙকচানহুনা রাহাঙ্গ, যেংঙমগে লৈচংনবদগী মফম মপাংবু লৈখংনদনা তাইবং মাইরেনগী লোইনবা অশাই অশম ওইনা খুদক অহুদা নিপা মুপী লৈ-ঙম্বা মখৈবু থাক্তনা লৈঙম্নরে ।। লৈঙম্নম্বা য়ুম ইংথোনগী মশক মওং উবদা তেংমাইমুগু মপুক রাথনবু কংঙাওনেএ, অতবু রাখন্দি লৈপাওবা ওইবনা মচা তাইবং মাইরেম্না থৌশিনবনি লৈ-খংহুনা লাকঙম্মিবা চংঙম্লক্লিব নিপা মুপা পুম্নমকপু মশাই কোন্দা লোইনহুনা মতম কুশনা লোই-নবক্লবা মচা মনাও মপিজাওম্মা পাওশানহুনা লৈমিম্নয়ে ।।১

নোংচুপ লোক্লৌকোন্দা পানফব লুচিং থৌপুবা কোংতিংলেম্না য়াহৌরবপা মতমদা মাগী মশাই-কোন্দা লংলম্বা ঙাল্লম্বা ময়ুম খবাই থোঙ্গানগী মালেমদা লৈতাদবা যাংলৌ লম্বী অহুনা নিংখি চংখোনবা মতৌ উবদা তাইবং মাইরেনবু অকি তুজুংনরক্লে । ঐনা ঙবাংদা তেংমাইমুদা পাওশাবা লৈমাক তানবা পাওজেনখিবু ঙসি ইমুং ঙানবদা থৌরোইহুনা লৈথম্নমহুনা উহনবা ঙম্বা অসিদি তাইবং মীদি নত্তেদনা তেংম ইমুংগী মচা মাইরেন অসিদি ময়ুম লাইনা মাগী নিংবা মপুক রাথনগী লারৈ লাথুপ অমা শান্নবনিদনা থংলে মশিদা ঐনা তাইবং মাইরেন হাইবা অসিগী মশক মংংবু মকোক্লা তাইবং মীনি, মশানা মাইরেনগুম্বনি হাইহুনা পিঙমদ্রবদি নাগী খালমদা থোক্লাইবা তা-ঙম্নবদি লুতুংদা অযোন চৎলম ত নফংবা থোকঙম্না তাইদনা, অদুদি থৌরম অসিবু থৌঙম্নবা খুদক অসিদা থৌপুনবা তৌঙম্বা তাইদনা রাথক্লক্তুনা মনাইশিংবু কৈরোই লৈকাই নাম্না লৈখংনবা পাও-জেম্নবা পাওশিরে ।। কোতিংলনগী অশাই অশম নোমা তুলাইগা শেম্বক শেঙ্গা পেনানচিংবা পুহুনা তাইবং মাইরেনগী ময়ুম শঙ্গাই উংদা ঙকচানহুনা পাওহংবদা তাইবং মাইরেনগী থোংশংবনা পাও-

হংঙি; কন্নিবু মুঙী হংবনো ঐখোইগী লৈময়েন তাইবংবু লৈহংলিহবু ? ময়ুম শংলেনগী থোংশংবা মুবা লোক্লৌ কোনগী লুচিং রায়েন নোংদম্বা কোংতিংলেম্মা নখোইগী নবুংঙোগী মফমলাংদা মচা ইবেম্মা মৈতৈ লৈমা শ্নালেম্বীবু কোরৌ অসিগী মুমিত্তা লুহোং লুতিন লৈরাংহনগনি নোংদম্লি শন্থু মুঙ্গীবু লৌখৎলু হাইহুন ময়ুম শঙ্গাইবু খিবনি ।। রাবু তাবদা মনাইশিংহুনা অহুদি অহুক লৈরমখো ঐখোই পাওশারুখিগে হাহরম্মগা পাওদমখি ।। তাইবং মাইরেনগী মফমদা পাওশাহুনা থোরম্বু পাওদমহুনা তাইব মাইরেনবু তুম্বাইদা হাপ্লুনা মচাইয়োই খরগা থোখস্না লোইনহুনা ময় লেন মুবা লোক্লৌকোন্দা পুক্লমক্তুনা থুঙ্গা নিংতিন ফম্বাক লাংঙমহুনা খাম্বি ইবাং খৌনি রাংপঙ্ড ।। লুতিন পাওদাক পাওশানা লৈহুন লৈরাং লৈকন্তুনা তাইবং মাইরেনগী মথাম মাইদা লৈখিল্লে ।। শ্নালেম্বীনা মাইরেন তাইবঙ্গী থোগন্দুনা থাজা অমা অনি লৈঙম্লবদা নোং কোরৌ অমদি ইইবং মাইরেনবু শ্না লেম্বীনা উতি শমখোং শেংহুনা চেংহি শম্বাল লাংঙম্মি মহুদা তাইবং মাইরেনগী মকোক্কি শম্লাং মরক্তা পুন্দুনা থমলিবা থুংদাপ য়াইবু উঙমখরে ।। শ্না লেম্বীনা থুদোংকি মরম্বু মুমিৎ থুদিংঙ্গী থোকাওদনা তাইবং মাইরেন্দা লৈহংলহ্নুনা থুংদাপকী মঙম থোম্বু পাংশাহু ।। তাইবং মাইরেম্না শ্না লেম্বীদা খংহনখি । মতম অসিদা নোংকোরৌ থুদিংদা ইবেম্মা থিংবালোঙ খোম্বীনা মুন্নাংদগী শাইদাংবা অঙম্বা হৈরাওংবু মচা ইবেম্মা শ্না লেম্বীগী হৈরা চানবা লৈরাং চিন্নবা হাইহুনা হৈরাং লৈরাং খিনংবু মরক মরক্তা হেক হেক চংহল্লি, হৈরাং লৈরাংবু লৈখিল-লকপদা সনালেম্বীগা উনহুনা হৈরাংবু লৈরাংবু পিবদগী হৈরা লৈ গ্নাম্না লৈরং লোক্লিংবান পও মোইনহুনা তেমশিংনরক্লে ।। নোংকোরৌ অমদি তাইবং মাইরেম্না যাহিপ পোখানবিংবা শনা-লেম্বীনা তাইবং মাইরেনগী মকোক্তা পুন্দুনা থম্লিবা তম্বা থুদোম্বু শমগা লোইননা চপ্তুং লৌ-ঙম্নগা অঙম্বা হৈরাওবগা লোইনহুনা শঙ্গাই শংলেন অহুগী ইম্নং মমু চগী মাংবে ।। মতুংদা পা মাইরেনগী লোইয়িনশিংনা কোইনা লৈখিবদগু তানফংদরে নোংচুপ লোক্লৌ কোন্দগু লাক্তে হাইনা পাও তারে ।। মতম অহুদা তাইবং মাইরেম্না মাগী মপিজা শোরং শবি লুচিংবগা উরং লৌ ।। উচি খৈবিক্কি লুচিংবগা, তুবি লাইশিদবগবু কৌহুন ঈশিং মম্নংদা লৈকু লৈরাই লৈথুম্নচিবদা লৈথিহল্লি তানফংদরে ।। করম তৌশিবনো লৈযম কদাই কদাইদবু লৈয়েং লৈথিশিবনো হাইনা মখোই ৪ বু রাতাম্নহুনা ফম্বাল্লাংনা লৈঙম্বদা উবংনা পিক্লবা থিবদা যুঙ্গা লাহরুদা রারবা লৈখুন অমা থেংনরে ।। লৈখুন অসিবু লৈফম চাদনা লৈঙম্মিদা কন্নিগী লৈখুম্না হাইহুনা মমিৎ পাংমা উইশিল্লগা মমিৎ পাংমনা চেপথনা য়েঙুবদা লৈফম অহুগী লৈখারোনবু লৈথুংনদম্নিবা ঈশিঙ্গ মরক্তা মবানিনা শাম্নহুনা লৈবনু তানফংলে ।। থোরম্বু ইরংনা পাওদমহুনা লৈখারোনগী ঈশিঙ্গী মথক্তগী করম তৌনা লৈফাশিবনো রাখম্নরক্লে ।। শোরং শবিন হাই লৈযম অশিবু য়োনবা লৈথুনবু

লাওনবদি ঐনা লৈত্তহলগে ।। উরংনা হাক মখোইনা অহাও অথুম চাবদা সনালেম্বীগী মথুক্তগী থুদোপ অমা লৌথোক্লুনা মখোই অনিগী শান্নফম অসিদা হৈরাওববুদি থংহন উহন্দনা হেক হেক লৈথম্লগা চামিন থকামিন্নে, অসিনদি থুদোপ অসিবু পুন্নক্লবদি ঐগী ইত্তম ওইরগে ।। তুসি শিদবনা চাই ঈচাইথাইদুনা হৈরাওববু মাংহন্নবা সনালেম্বীবুনা ইপাক্লাংদা লৈয়োরক্লবানা ঐগী ইত্তম ওইরগে হাইনদুনা থৌশিন্নরে ।। শবিনা লোতোংলে, উচিনা লৈচং লৈফাওথরে অহাও অথুম চাগদবগী য়াইপুদোক্ল লৌথোক্লুনা ফিদাগা মথাদা লোংলদ্দা উরং উচিনা মন্নান উবদুনা পুথংথরে ।। তুবি শিদবনা ঈচা-থাইরে মনমনা ইন্নুংবুংদগী সনালেম্বীবু ইনথংলকলে ।। মমৈনা হৈরাংবব ঈন্নুং-বুংদা লাকথাদুনা লৈথমলে । য়াইখুদোক্ল তাইবং মাইরেনগী শমগী মরক্তা কিশিন্দুনা থম্বীরে ।। সনালেম্বীবু তাইবং মাইরেনগী তাইবং মপিক্তা থরনা লৈথুন্দগী চোংথোরকপদা লিকাদুনা তাইবং মাইরেনগী নাক্তা পুশিল্লখলে । মাইরেন যম ওংনা হাংদম্বা সনালেম্বী ঐনা হাথোং ইখুং ওমদবা উবদা লৈথিবগ থৌত্তমলোইদো রাখনবোইদো নঙ্গী চৎলম্ব লৈবাক লৈখংশদু হাইদুনা ইখুং হাথোং পান্দবনি, হাংবম্বা লংদি ননিং নথা লৈতম্বা লাইরেম্বীনিদা, ননিং থুংনা নঙ্গী ফমম্ব লৈত্তমম্লুথো নোংদম্না সনালেম্বীবু তাইবং মাইরেম্না মাগী মপীজাশিংবু থাদুনা মপাম য়ুমদা লেপিন হন্নস্ত্র । X

তাইবং মাইরেম্ন থৌত্তম থোপুনদা সননা ইংগ লৈশিংনা য়াংলৌ লম্বীনা পনশাদুনা সনালেম্বীবু হৈরোইননা হৌনন লুংংদা থৌবওদননা হাইদুনা অহন লাইনিংবা লোইদাম তুম্বনা কালৈ পুংমাইয়োন লম্পা হনন। হৈবকপ লাইমিং। হৌ লম্পা হনবা কংলৈসনা পুংমাইয়োন হাইনা নিং-ভমনু লৈলমখল ।। মক অদুদা লাইনিংম লোইদাম তম্বনা নাখল্লক্ল ।। নোংদম্বগী মফমদা ঐনা নোঙাংদনা থৌনবা অসিগু ফংদবা কারনানা ঐ করি মরাল লৈদুনা কুবিদবা, চুম্মি কুবিরে ই তাইবং মাইরেন হংসিনা ওইরবা মশক অসিদি ঐনা নোংদম্বদা থৌনিখিবা মশক্কি থৌরম অসি ঐনা থোকহনবা জাক্কন মাস ঐগী ইরান্নি মশিবু ঐনা থোকাওনদুনা মতম অহুদা নবা ইপুরু রাবু পংহাইদা হাইদুনা লাইনং থোপুবা আসমব ঐগী ইরান্নি ।। তাইবং মাইরেম অসিবু মশক মচুত্ত মীপোই মীংহল্লিবা মশক্কি, মচাক মরল মাওক মত্তানত্ত তকবনা তানযংবোইদবা মত্তাম্ন, অসিবু ঐগী রাখন অপংবা পুংতাইতবা অশাওবা চৎসমদগী লৈমাংহল্লিবা চংলম অসিবু নোংদম্বা নংনা তাইবং নশকা শাথোক্লিবা অপংবা তাইবংদা করিবু মুঙ্গী থৌদা নোংদম্বীবনো ।। নোংদম্বা নঙ্গী থৌদাব তাইবং রাখনশেনবনা থৌত্তমবদি থোপুব্রে, থৌরম অসিদু তাইবংনা ইনমদা হৈতাগ্নুনা লৈপুনা পৈত্তম্বা ইতিক ইত্তম্ব মংচদে, নঙ্গী নোংদম থৌদানে লোশিনবিরো নোংদম্বা নখুংম্নুংগু তিংথোকলো কোরো অসিগী মুমিত্তা লৈক্তন পিবা লৈশক্কা ঐগী ইরান চংলম নোংদম্বা নংনা

নোংদম্বগী লৈপুখিবা থৌরম্ব নফম লাংদা লৈকৎনা পাওশা পাওদম্মা নথুংবাক্তা লৈহাল্লবনি লৌখিগ্রো হাইজহুনা মিংসনা ইয়াচেয়া লৈহুন লৈরাং তমলকলে ।। নোংদম্বা লাইনা কুখিরে, লোইদাম ঙম্বা নংনা কোরৌ অসিদগী তিল্লম লাইথোং লৈথিনা থৌনি পুরুম লৈপাইবা হাইবা চৎলম অমবু থৌহৌহুনা তিঞ্জ লাইচুববু লাইকোক থৌনিববু থৌহৌবিহুনা নংনা নিংববু তানফংলো নোংদম্বীরে ।। নোংদমগী থৌদাবু তানফ'লবদা লোইদাম ঙম্বনা তেংমাইহুগী মকমদা পাংশাবিএ তেংমাইমু নঙ্গী নচা তাইবং মাইরেনগী মশা অশি তাইবং শকথাং মপুং লেপ্লা থৌঙম্বর ঐ অমুক্তা থৌয়েঙ্গে, নচা অসিবু উবদা ঐবু লৈঙম্বা ঙমদরে, হোরেন্দি অহিং য়ুংথক থানবদা মাগী অবাববু লৈকোক থৌনি চৎলম অমবু থৌহৌরমগে কুবি নোংদমবিরেএ ।। লাইনিংবা অহনগী পাওশা তাবদা তে'মাইমুনা মপুক হরাও তয়াম্না থৌয়াজহুনা থৌনিবদা লৈচঙ্গদবা পোৎলম্ব, লৈরাক্তুনা লাংহুনা লৈথমলগা থৌনি মতম্ব ভাইহুনা লৈঙমজরে ।।x

লোইদামঙম্বা লাইনিংবনা লাইয়েংবা হোবা

লাইনিংবা অহনবু শাদম্মা শাথোকপা লোইদামঙম্বনা তাইবং মাইরেনগী অবাববু লৈকোক্তখা লাইরা লাইয়েকপু য়ারা ইনিল শাদম্বদা য়ারা ইনিল অমা শাদম্ববু শাথোক্তরে ।। করি করম্নবু য়াঙমদবনো লৈথি লৈ'য়ংবদা উম, শিননিদনা য়াইবি হামোইবা ৩৫ লৈশুদারদনা লাইয়েক অমবু লৈশংনহুনা য়াইবী হামোইবগী য়ারা ইথোল ওইনবা মাগী লৈফমদা লৈহাখহুনা লাইয়েক লৈশং লৈথম্নবনা য়ারা শাথোকনদবনিনা লাইয়েক অশিবু লৈদ্রাংলবাদ নোংদম্বগী হক লৈশাবা য়া রাই-দৌরি, অহুদি অমুক লাইয়েবপু লৈশুনা লাইমিং লা'র লৈথমদবশু য়াঙমদে, অহুগা থৌরম অশিশু থৌঙমলোইদৌরি হাইহুনা লৈহৌভেদগী লাইয়েক ৪৬ পু লৌহৌনবা লৈথমহুনা লাইয়েক লাইরাবু শাদমহুনা ইরাংনবা থৌরাংলে ।। লাইশুকৌবা লাইয়েক (অ, আ, ই, ঈ, উ, ঊ ঋ, এ, ঐ, ও, ঔ লাইমি'বু য়াইবী কৌএ ।। ক, খ, গ, ঘ, ঙ, চ, ছ, জ, ঝ, ঞ, ট, ঠ, ড, ঢ, ণ; ত, থ, দ, ধ, ন; প, ফ, ব, ভ, ম; য, য, র; ল, শ, ষ, স, হ, ক্ষ ।। লোইদাম ঙম্বা অহন লাইনিংবা শাবনা থৌরম্বু লৈশিনবা লাইয়েকপু লৈশংলম্বা লৈহাপ্পা লোইহুনা অহিং য়ুংথক থাগ্নম-দাইদা লাক্তুনা তাইবং মাইরেনবু হোৱরে ।। তাইবং মাইরেনগী মম্মা উরেল হনবগা লাংংগা ২না তাইবং মাইরেনবু থাংদোক্তুনা (চরোং হাবুং) অমগী মনাক্তা লৈথম্রে ।। থৌরমগী হৈথা পোখাবু লৌথরে লোইদাম ঙম্বা লাইনিংবনা মতুংদা মৈ কৌববু থাকৌ থাগোম্না লাংকক্লে ।।

উৱেল হনবগা লাংবগা মচিন মনাওবু লোইদাম ঙম্বনা নচিন ননাওদি চৎলো নমাকি মশাদা য়োম্লিবা অসিনা চোংথোকপদা নথোইদা করিগুম্বা চোংশিন্দুনা য়োমখ্রবদি নখোইবু অরাবা ফংবা য়াই ঐ থৌনিনবা চেং: লৈ থোইদিং তিংথৌবু লৈহুম্না লাইয়েক লাইরাবু ল্লাইশোন হৌঙম্নগে তা-কপিহুনা চৎহনখ্রে ।। লোইদাম ঙম্বনা, হা নাওৱা তাইবং মাইরেন নঙ্গী নমিংদি (অহিং তাংঙ্গ হঞ্জবা য়ুংথক লৈরোং অপানবা) কৌবনিদো কোরৌ অহিং অসিদগী চৌনা নঙ্গী নমিংবু কৌঙম্-শিদো; নংনা নিংজবা লাহদি (উংলৌয়াইবিরেন সিদবনিদো) লাইনিং পৱৈ চেৎনা নিংহুনা পুক্রম থাগোম্নহুনা লৈঙমলোদো নশাদা য়োমলিবা অহুনা হেক পোকখাইবগা খাম্বী চৌনা লৈহুনগদৌরিব লৈফম অসিগী ইরাংমা য়ৌনবা চেস্থোক হৌগদবনি, নশাদা য়োমলিবা মাইরেন অহুনা চরোং হাবুং অহুদা চোংশিনথিবগা 'ক্ষ' লাইয়েক্রা কোইরিবা লৈফম্ য়ৌনা চেনশনহৌকো হাইনা পাওশাহুনা লৈহল্লে ।।x

লোইদাম ঙম্বনা লৈহুন থৌনিবা

হৈয়ম হে খাম্বী মৈশেং অসি কোরৌ থাজা মেরা থাবুং ফবা, নোংকোরো হৈয়েৎ মকনা লৈপুবগী অহিং য়ুংথক লৈখাম্লকপদা নংবু ঐনা থাকৌজরএ ।। কোরৌথক্তা লৈফম্বা নংবু লৈফম অসিদা হৌফবিও অহিং তাংঙ্গ হঞ্জবগী তিঞ্জ লাইচুবশে কোকহনবিররো ।। উই মিলিং উই মিলিং নরাই লংথৈ লিং লিং লিং ওবা হোয়ানসে ।। (ঈশিং চেং লৈ লৈগল্লে) উং মৈমুৎশং-ওৱা ।। উং মৈতরংঙাং ওবা ।। উং মৈঙান তুহিং ।। উং মৈঙান তুঙান ওবা ।। উং মৈশংতরেং ওৱা ।। উং মৈকেম্নবী ওবা ।। উং মৈহিংশন ওবা ।। উং মৈমিৎতরং ওৱা ।। উং মৈ সংলুবাক ওৱা ।। উংও লৈহিংফা লৈফা ওয়ে মফম অসিদা লাকুনা সনা ফম্বানবু লাংনা লৈহুনবু লৌবিবা ওইহুনা কুবিও ওৱা ।। ওম য়ো, ওময়ো, ওম ঠো ওম ঠো অহিং তাগ্র হঞ্জবা=য়ুংথক লৈবোং অপানবদা তিঞ্জ লাইচুরিবা অযোন লংজ মিচৈবু তানফংলিববু মাংহল্ল কোকহল্লো ওৱা ।। হুং হুংহুং, হুং হুং ওৱা । ফং ফং ফৎ ওৱা । হাং হাং হাং, হাং হাং, যঁ যঁ যঁ, যঁ যঁ, রং রং রং, রং রং, লঁ লঁ লঁ, লঁ লঁ, বঁ বঁ বঁ, বঁ বঁ, হুং হুং হুং, হুং হুং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কূঁ কূঁ কূঁ, কূঁ কূঁ ওৱা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কূঁ ইরৈমা লাইরেম্বীনা অহিং তাঙ্গ হঞ্জবগী মিৎলাংবু নংনা শেম্বীও কনবিও ওৱা ।। হুং হুং হুং, হুং হুং, ওৱা ।। হুং ফট ফট ওৱা ।।

হাং হাং হাং, হাং হাং, যঁ যঁ যঁ, যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ, রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ, লঁ লঁ বঁ বঁ বঁ, বঁ বঁ; হুং হুং হুং; হুং হুং, দ্রি দ্রিং দ্রিং, দ্রিং দ্রিং, কূঁ কূঁ কূঁ, কূঁ কূঁ, ওৱা ।।

ওম ঐ হ্রিং শ্রীং কৃঁ সনাখোংনাং লৈমা মখোং কাবী অহিং তাঙ্গ্রু, হঞ্জবগী মাইখোংচানবু নিংশি চংখোনবা ওইহনবিও ওরা ।। হুং হুং হুং, হুং হুং ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা ।।X

হাং হাং হাং, হাং হাং, যঁ যঁ যঁ, যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ, লঁ লঁ, বঁ বঁ বঁ, বঁ বঁ, হুং হুং হুং, হুং হুং, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ, কৃঁ কৃঁ ওরা ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃঁ হৈরোং লৈমানা অহিং তাংগ্রু হঞ্জবগী ওকখোঙী লেংবানগী শরুকপু নিংথি চংখোম্ববা শেম্বীদুনা ফত্তবা লৈবা থৈবিকপু লোথোকপীও ওরা ।। হুং হুং হুং, হুং হুং ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা ।।X

হাং হাং হাং, হাং হাং, যঁ যঁ যঁ, যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ, রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ, লঁ লঁ; বঁ বঁ বঁ; বঁ বঁ; হুং হুং হুং হুং হুং, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ; ওরা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃঁ মুংমুতুমদা মাংদবীনা অহিং তাংগ্রু হঞ্জবগী থবাক লৈফম্ নিংথি চংখোম্ববা শেম্বীদুনা তিঙ্গুবা লাইচুবা ফত্তবা হাওদিবা লৈঙম্বা থৈবিকপু মাংহনবিখো ওরা। হুং হুং হুং, হুং হুং ওরা । হুং ফট ফট ওরা । X

হাং হাং হাং হাং হাং, যঁ যঁ যঁ যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ লঁ লঁ, বঁ বঁ বঁ বঁ বঁ; হুঁ হুঁ, হুঁ হুঁ হুঁ, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ ওরা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃঁ লাইনৌতাবী অহিং তাংগ্রু হঞ্জবগী থামোই লৈফম্ নিংশি চংখোম্ববা শেমজিন্দুনা তিঙ্গু লাইচু লৈপকপা লৈববু মাংহল্লো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা ।। হাং হাং হাং হাং হাং, যঁ যঁ যঁ যঁ যঁ; রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ; লঁ লঁ লঁ লঁ লঁ বঁ বঁ বঁ বঁ বঁ হুং হুং হুং হুং হুং, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ, ওরা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃঁ পুকশি খোম্বা লাইরেম্বীনা অহিং তাংগ্রু হঞ্জবগী পামবোম লৈফম অনিবু নিংথি চংখোম্ববা শেম্বীদুনা ফত্তবা থুনাম্বা লৈঙম্বা লৈফাববু মাংহনখ্রো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা ।। হাং হাং হাং হাং হাং, যঁ যঁ যঁ যঁ যঁ রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ লঁ লঁ লঁ লঁ লঁ; বঁ বঁ বঁ বঁ বঁ, হুং হুং হুং হুং হুং, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ, ওরা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃং ইংথরেল লাইওইবী নোংলোন্দা লৈফম্বী নংনা অহিং তাংগ্রু হঞ্জবগী খোইদৌ লৈফম্ নোংদম পরম্ কাইদনা শেম্বীরো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা ।। হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং যঁ যঁ যঁ যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ লঁ লঁ, ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺, ওরা ।· ওম ঐঁ দ্রিং শ্রীং কৃং চিংবা লৈমনা অহিং তাংগ্রু হঞ্জরগী লোংথাঙ্গী পরম্বু লৈশেম্নবীরো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং, ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা ।। হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং, য৺ য৺ য৺ য৺ য৺, রু৺ রু৺ রু৺ রু৺ রু৺, ল৺ ল৺ লু৺ ল৺ ল৺; ।। ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ ওরা ।। ওম ঐঁ দ্রিং শ্রীং কৃ৺ শনিক লাইনৌ তাবী লাইলৈমনা অহিং তাংগ্রু হঞ্জরগী খ্বাংদগী মিউ লৈফম ফাওববু পরম খোংলম কাইদনা শেম্বীরক্লো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা । হুং ফট ফট ওরা । হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং, যু৺ য৺ য৺ য৺ য৺, রু৺ রু৺ রু৺ র৺ রু৺, ল৺ ল৺ ল৺ ল৺ ল৺, ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ ওরা ওম ঐঁ দ্রিং শ্রীং কৃ৺ মালেম লৈমা ইমানা অহিং তাংগ্রু হনজুংগী খোঙ্গী লৈফম্বু শেমজিন্দুন লৈয়াং লৈফাংনবিরো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা । হুং ফট ফট ওরা ।। হ্রাং হ্রাং হ্রাং, হ্রাং হ্রাং য৺ য৺ য৺ য৺ য৺, রু৺ রু৺ রু৺ র৺ রু৺, ল৺ ল৺ ল৺ ল৺ ল৺, ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হু৺ হু৺ হু৺ হু৺ হু৺, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺, ওম ঐঁ দ্রিং শ্রীং কৃ৺ লৈশিরেল লৈপুনবী ইমানা অহিং তাংগ্রু হঞ্জবগী হক হাইবগী মশক পুম্বগী মওংবু পরম শিচন্না শেম্বীবক্লো ওরা । X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা ।। হুং ফট ফট ওর । হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং, য৺ য৺ য৺ য৺ য৺, রু৺ র৺ রু৺ রু৺ রু৺, ল৺ ল৺ ল৺ ল৺ ল৺, ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺; মিউদগী নিংথু ফাওবদা ক্ষং হং সং ষং শং ওরা ।। লৈফগন লৈফবাক্তা রং লং রং যং য়ং ওরা ।। খোইদৌদা মংভং বং পং ওরা ।। থজিন লকা মপাদা নং ধং দং থং তং ওরা ।। থবাক্তা ণং ঢং ডং ঠং টং ওরা ।। য়েং কময়া ওইরগদবদা ঞং ঝং জং ছং চং ওর ।। ওইগী কময়া মপাদা ঙং ঘং গং খং কংওরা ।। থঁ য়ঁ হঁ টং ভং

থং, নং পং ফং বং ভং মং য়ং রং লং বং শং সং ষং হং লং ক্ষং ওরা ।। অহিং তাংগ্রু হুনজবগী য়েক্লবা তিনয়েংপা লাইয়েংপা লৈরম্বা পুম্ববু মাংহল্লো তুমহল্লো । ওম জোং জোং জোং জোং জোং ওরা ।। ওম র়াং অতিয়া শিদবা লৈশিরেনগী মেরুবা লাইমিং লাথুপ মিংথৈ লাইরেক য়রানা তাইবং হক্তা য়োম্লিবা মাইরেনগী মশকপু কল্লবনি, কাইরো চোংথোকখরো হাই শেং শেগাক কাইরো খাইবোক খাইরো দিং দিং ফট ওরা ।।X

মাইরেনবু খাইবোক হেক তাই, লৈমুং তাংগ্রু হঞ্জবা চোংথোকখিত্নুনা ক্ষ ফম্বীগী ময়াইদা চোংশিন্দুনা লেপ্লে ।। মাইরেনগী মশক্কা খাইবোক তারম্বগী অমুক য়োমশল্লগে হাইগংলকপদা তাইবং হক্তি লৈরমদবদগী চরোং হাপুং মনাক্তা লৈবা অত্নুদা চোংশিন্দুনা য়োমহনা লৈখি ।। লাইমিংথোই লোইদাম ঙম্বনা তাইবং শকথোং চংখোনবা অহিং তাংগ্রু হঞ্জববু মমা তেংমাইম্নুগী মফমদা শিন্নবিরে, তেংমাইম্নু মমাগী হরাও ঙমথৈ লৈতনা মমা মচা লৈঙম্বা হোরে ।। অহিং তাংগ্রু হঞ্জবনা হাই, ইমা ঐথোইনা পুন্সিগী ইরাত্তুতুনা নিংজহুনা চংকদবা লাইদি ইমা হচাদা অহনগী মতম ওইনা উহল্লিবা লোইদাম ঙম্বা কৌবা লাইমিংথোই অসি তনি ইমা তাইবং ঐথোইনা মিংনশু উজবা মতিক মঙমশু ইশানা খংজরবা অহন অশিবু নিংজবা নগুনা কনাবু নিংগদবনো হাইনা মমাগী মফমদা পওশানৈ ।। মচাগী পাওশাবু মমানা হরাও তয়'ম্না য়াঙম্না মমা মচানা লাই-মিংথোই লোইদাম ঙম্বগী মফম লাংদা পুরুম লৈপাইনা হাইজবদা লাইমিংথোইনা হোইয়াবিহুনা ল্যাইমিংথোই লোইদাম ঙম্ববু মমা মচানা লাইমিং লাইয়েকপু মতম ৎ দা (হোহিক রোহিক সোহিক সনা ঙান তরংবা নম্বিংদি মো কৌবা হাইনা লৈগুন লৈরাংবা তানফংনা তাইবংনা মাইরেন ওইরম্ববু লৈকোক্তুনা মঙান চাওবা তাইবং মপোক অথোই চংখোনবা মীয়োক মীচান চংখোন হৈ শিংবা ওইনা লৈঙম্লক্লে ।।X

অহিং তাংগ্রু হঞ্জবদা সনালেম্বীনা চংজবা

অহিং তাংগ্রু হঞ্জবা=য়ুংথক লৈরোং অপানবনা চাবা থকপগী মরমদশু অরাংপা লৈতাবা মাগী মঙাইরোই লোইইনগী মরমদশু অরাংপা নাইরক্তবা, ফিশেং লৈতেংজী মরমদশু মানা শেংপা চাবগুম্না লোংহন চাহনবা থৌরম খুদিংজা মানা লুচিংবা ওইনা থোপুহনা হো কংলৈসনা লৈখাকী অকোইবাশিগী মঙান কবা তাইবং মপোক অথোই চংখোনবা হোকেগে মাইগেগী তাওজিং

তোমথিন পানবগুম্না লৈকম থুদিংদা লৈকোইহনা লৈপাল্লক্নে ॥ মতিক মঙান মশক মতৌবু উবা ঙাবদা মুবা লোক্লৌ কোন্দা তোমথিন শাৎপী লৈরাং মদাই হনশিংদা লৈচনথ্রবী সনালেম্বীনা চাবা থকপা লৈখংদা য়াহিপ পোথাকম লৈখংদনা মশাবী অহিং তাংগ্র হঙ্ববু কোরৌ করম্বা মতমদা হৈখোং খাদা লৈচংহনা তাঙজিং তোমথিন পানববু মথুৎনা ফংনা হেকপদো করম্বা থাজগী পিবুক্রংদা তানফংজবা ওইগবা পরমতবু রাখন্দুনা ইঙাইথক্কী পোম্বীনা নোংদান লাইজবু ঙাইহনা খোরৌ করম্বদা কুমদম নোংবু তারগবা রাখম্না ঙাইবগুম ঙাইওম্লক্নে ॥ কোংটিংলেন মপান মচাগী মতৌ উবদা য়েংঙম থাংঙমলক্তুনা নোংকোরৌ অমদি অহিং তাংগ্র হঙ্ববনা লমকোইরুবদগী হনঙম্রকপদা লম্মখাংদা লৈথক্তুনা মাইয়োকথাবু লৈরাংনা থেমনৌনা পাওশানা মরাময়াইদা পুহনা লৈহৌথ্রবা রাবু হৌদাক্তুনা পাওশানা মমোম্বু লৈরাংনবা পাওনাইরকই ॥ য়ুংথক লৈরোং অপানববু মরান য়াইদা লৈচংলকপা উবদা সনালেম্বী মপূক লাংতকনবনা মুংশি মুংঙোন পম্হেংনখিবা ইকাই হঙ্গোই অকি ভুজুংনখিদরে, নিংঙমখিদবা রাখনবু হন্না হন্না রাখল্লক্নে ॥ মমুং মতম্বু লৈঙাইনা মতমগী পাওশা পাওজেনবু ঙাইহুনা লৈজরবী সনালেম্বী নিংজবা রাখম্না থুমহৎখিহনা খেক্না খেক্না নোক্নুনা লৈকা ফন্না শাৎচবী শিংজেন লৈহাও কৌবীনা খোন্দান খোইমুনা ঙংলকপা খোঞ্জেন তারগা মিৎসনা ইন্না চেন্দুনা পূন্সিগী মতম ঙাইবগুম খোইমু কনশু কাইদোংদনা লৈরিবী শিংজেন লৈহাওগী মতৌগুম ঐবু কনাদা চংজরগা লৈফম কদাইদা চত্তুনা রাহৈ করিবু পাওশারগা নিংজবা মহৈবু য়ান্দনা লৈরাংবু শন্না শাৎচববু ওইগদগে রাখম্না রাহৌজগে রাঙমদা মিৎসনা থম্বাল ২ দা ওরঙ্গী ইন্না চেন্থবনা মিৎলাং পাংন্না য়ারক্তা মরাই তাংজ লুক, খোংবী লৈদা লৈতক্লা নিংঙমদবগী মুংশি মিৎয়েংনা চিংনা চিংনা যেংহুনা খোন্দানবা খোইমুনা করি পাওশাবগে ঙাইজববু খোন্দানবা খোইমুনা শিংজেন লৈরাং লৈরেন কৌবী নশক হেল্লি নিংথিজে ননম তারে খোইজংনৈ, খোন্দানবা খোইমুনা কাইদোং লৈরাং পাঞ্জহুনা লৈরাঙ্গী লিহিবু ইংখৌলাংনা চুপ্পদা লৈরাঙ্গী লৈহিনা খাবনা খোইমুনা খোংজ লাম্ববু খোংদনখিদবনি, নঙ্গী পাওজেন ঙাইহুনা পুন্সি লাকয়েন ভানফংনগ্রো হাইবগুম রাঙাংদনা লৈথ্রবদা মদাইরেন সনালেম্বীনা মখোং খাদ লৈপাই লৈকোইম্না নিংঙমদবা রাঙাংনা শিংথেক্না তানফংজবা পাওরৌনা পাওলোইজ, ঙন্না খোহনা মখোং লৈনা কোঞ্জন্দুনা লৈখরে ॥ খোরম্বু মরাময়াইদা লোইদাম ঙম্বনা উবদা মুবা লোক্লৌকোন্দা লৈচংলক্তুনা হাইগুম্লএ ॥ অহিং তাংগ্র হঙ্ববা নখোং খাদা লৈচংলিবী অদুদি নঙ্গী নদাইরেন ওইগদবনি লৌখৎলু অয়োন অরান লৈজদবীনি, লুচিংবা কোংটিংলেন্না পোকপা মমোম সনালেম্বীদি লৈচং লৈফম লাংবদা ইন্নুংবুংদা লৈথুপ্পখরবনি, লৈঙম্মিবা অসিদো নঙ্গী তুবি লাই শিদবনা নঙ্গী নয়াথং লৈঙাক্তুনা থৌঙম্বা ইনখংলকপা লাইরেম্বী সনালেম্বীনিখাংও ॥ লাইমিংথোইগী য়াথংবু

তানফংবদা অচিং তাংগ্রু হঞ্জবনা সনা লেম্বীবু লৈমাই থক্লগী কোনখত্তুনা ওইথম ফম্বাল লাংহল্লে ।। খৌরম্বু উবদা কোংটিংলেম্না মপুক হরাও তম্বাম্বগা লোইননা চামা চামানা খুজিং ওইনা অওং অউনবু লৈতম্না নোংপোক লৈহৌ চীংদোন পোক (সনা ফিরুকচীং) কৌবা মশাইকোনবু তানফংনা লৈপিম্না মপুক মরা লৈতপ্না লৈপাল্লক্রে ।X

কংলৈ তাংঙপাত্তা পোকপনা মীরমলেন্দা খুন্দবা

কংলৈ তাংঙপাত্তা লৈঙম্লম্বা তেদে অসনবগী মফমদা লৈমা তারিংহু কৌবীনা লৈবাক্তি থৌপুববু কাংলক্লবদা কাংথংপুথং নাইরক্রে ।। লৈবাক নিংথৌ কাংথংলবদা লৈমা তারিংহুনা অদুমক হাথবদি—অমুক য়ুম্বানবদি মচা ৯ পোক্তুনা মচা ৯গী মনুংদা মচা নিপা ৬তি মিন্নুংশিবু থংদনা মশা মশাগীদা লৈখনবনা মথোইগী থৌঙম চংলম্বু ওইনা থৌপুনদুনা চংঙমখিবনা তাইবং মাহংবং ফমগ্রেংনা তাইবং শকথোং চখোনবা লুচিং শাফবা ওইন লেরকপা মমি না তত্তি তাং হৎবা —য়ুংথক লৈরোং অপানবা মি হুম্না যুমথোং থাদবু থোদা নো দমহুনা লৈঙম্লকপনু উবদা মথোই মচিন মনাও ৬কী মপুক্তা মশাগী তোঙমখিবা চংলম্বু নিংশি নরক্তুনা অহিং তাগ্রু হঞ্জবু অক্ত ভুজুংলক্তুনা হৌলম্মাহনবা সনা লৈবাক কচৈ পুমাহয়েন্দা নোঙমগদববু অকি ভুজুংনহুনা মশাগী মবানবু লৈথ দবা লৈক্ষমদা লৈঙম্রবা থৌপুরশি রাংনহুনা মগী মাগী লেইবী তোংলাইগা মচা মশগা লোইনহুনা মানা মানা লৈংবা লম্বু য়েনা চংঙংহুনা লৈঙম্মগ্রে ।। মতুংদা অহিং তাগ্রু হৎনা মাগী মামতোন ২দা মাগী মামহন ৬পু হ ঙমজবদা হমান ইবুঙো এংথাংদত্ত তংবঙম্লদে চংঙনখিবা লমত্ত খংঙমহৌদে মহুম্বু মৈমুত্তনা লেঙমলিবা অনিদো ।। পাংশবু তাবদা য়ুংথক লেরোং অপানবনা এগী মাম্মা ৬না এবু থাদোক্লমহুন লেযম থদনা কদাইবু যৌনা চংথদনা লৈঙমনা মপুক্ত লাংতক্লনা লৈকোইন লৈংবিনরকপদা লৈফম তো তানয নহুনা পাংশ নরবই ।। মাপ্লোইমল কংলৈ সনা পু মাইংহান লৈ বাবপু লৈথ নহুন লৈযম্বু লোইশা লৈচ্ছংনিন লৈহম অসিবা মতম থম্না খুন্দাহুনা লৈঙল্লংস, ইমান নিংথৌ নংগী পানাম নমাগা পেকমম্বব নম্বুনি হাইদুনা নপুরা হুংশি খোইজং খোংহদবিনা লৈথিবহুনা থা কৌনবিব অসিদা নহাৎবু থৌম্বাগ হ ইদুনা নপুক তাথিনবিগনো ।। এগী এগী শংথৌ ইঙম লাবপদা এগী এগী পোবনা শংৎনহম ইমা মৈতে লৈমগী লৈচ লৈফমহুনা এগী এগী ইয়েক ইচু অাই যকপু লৈথি লৈ বাংববু তানয নডবা ওংজগে নঙী কুবি নথোজান্দগী, ইমান নপুক নাওইবগমু হাইনা পংশোনহুনা অহিং তাগ্রু হৎদন কচে সনা

পুংমাইয়োন লৈবাক্তা লৈহল্লকনা লুতুঙ্গী পরঙ্গ থোথিনা কৌত্রু লাইলোংবগী মফমদা পাওশা পাওদমহুনা লৈথম্লে ।।x

লৈওম্নখিবা মশক মমিং

কোংজোইনা নোংপোক লমদা চৎলমহুনা মচা নিপা (পো) কৌবা পোক্লনা খুন্দহুনা লৈহৌরে । x

যাংমনা নোং চুপ পাংনা খুল্লম্নহুনা মচা নিপা (ময়া) কৌবা অমা পোক্লনা খুন্দ লৈতানা লৈরম্মে ।x

দেশবোংখন মচা নিপা থাংখন পাপা অমগা লোইনহুনা লৈওমহৌরে x

উরখ খুবনা মচা নিপা কুতু পাপা কৌবা অমগা লৈওম্নহৌরে ।x

ইরমমনা মচা নিপা লৈথিং পাশা কৌবা অমগা লোইনহুনা লৈরম্মোদা । x

থাদিনা মচা নিপা চাইবগা খাখিবগা পোক্লনা লৈওম্নখিবগী চাইনা (চাইবল) কৌবা অমা পোক্লনা ফুহি মৈ ইবংবু মথল মথা শংনা লৈওম্লে মচা থাখিনা খাংগী চাইহনা লৈওম্নহৌরে ।x

কংলৈ পানা পুংমাইয়োনগী লুচিংপিবা কংলৈ খোম্বগী গুরা

মৈতৈগু যলৈ খোম্বনা মিবমলেনবু ওইনা লেওমাখগদনা । লৈযম পুম্নবু লৈবাইবা লোইনা মরমলেংদা লেওয়কপদা মযুম এপোমা শংনাংগী মাইগৈ লুচিংবশিনা অমন অকনবনা নমথক নমচনহুনা মাগী মাগী নম্ব লৈবন্দুনা লৈপুনরম্ম। উদা মপুক তাবি নাক্লহুনা মফম খুদিংবু চংহুনা চীযা শমনা থাওনা কোইনা লানথহুনা লৈওম্বা লৈম্ম। লৈপাক ব লৈ পুংমাইহোনগী অকোইবদা লৈবা লৈফম খুদিংবু কোইচম্লক্লে ।। লৈওম্ব লুচি থোপুবা লৈবা শৈবিকপ খুতুম লৈ-চনবা লোইহুনা হৌ বংলে ম্না পুংমাইয়োন্দা লৈহল্লগে লাকপদা মুরা লিম্মু থংহি ভাংভোই চীং লমগী চীযাবু কোইনা যেংওমহুনা লাকওম্মি ।। মতম অসিদ তেদে অসনবদা অমবক হৎথানংগী মদাইরেন ইবেম্মা লৈমা তারিংম্ম কৌবীনা মাগী বাইথু ফমলেনব মরা লৈচেংত্তা, কাথ পুণ

নাইঙম্নদবা অচুদা অমুক কোইজাইনচুনা লাকপদা থাংহিং ঙাংঙোই চীংথোংদা কংলৈ খোম্বগা উনরে ॥ লাংওন ফালম হৈশিং থোধাংবী মউ চারি লিংঙম্বী, মালং কোইজাইনবীগী চেংলৌ শকথোংবু উবদা কংলৈ খোম্বগী খোইজং খোংদবা ঙইৎমচুনা মৈতৈগী কংলৈখাম্বা পাখংবগী রাখনবু লাইজ ঈথক ঈহৌবগুম, কুমগী ঈহৌ ঈচেম্না তাংগাক নাক্টদনা চেল্লকপা অকুং অতোংবু লৈমান্ননা ঈহনবগুম উহন্না মপুক মতন মওন রাখম্না, খনং মাম্থিক ঙকশি হরাম্বা চেক্লান উরিং শেন্দাংবু উরগা শরাক তম্না পাইশিনবা কদাই কববু কমদোনা নাম্বাকুনা চেনখিগদা রাখম্না হুমজিন পাইশিল্লকপগুম খোংগাপ বজাও লৈগুম্না লৈচংকুনা মখুং খুংশিবু লিফানা মিনু মাই-যোক্লম্না তিলুক রাবু পাওশা পাওহংঙমি ॥ ইশানৌ নংনু পাইনা নৈনা অগুক খোইজং খোংদানহল্লিবা অশিবু পেম্মা নংবু বনানে, লোইহবা কয়া ঙশদা বরিন ফদম্ব চৌনা লৈঙ-ম্নবম্মিবনো ? হবুং রাওন থোয়াংবা পালম পম্থৌ নাওযা নংবানা বনা লৈঙ্ময়খিদবনা রাইথুং ফনলেন লৈখংনঙমদবনা মালং কোইজাইনবগুম মুজাবু কেইও চুনা চিং ফাম্নন হুইথুং যধু কোইনা লৈথিনজরি চাংখাং চাংরাবু লৈকোইনা, হাংবা লোম্মু নাসনদা ঙান্না শকথোংনা তমজবা খাংনৌবা খোইরাবা নহাকপু বদাই হমন লেখমদা কাইদাং ফম্ব নপু গাংলিবা ? খো-ন্দানবা নখোঙ্গেনবু তাইন্দুনা কোবৌ খুদিংবু নোঙ্গংদনা মিৎসান উবাবু চেঙকনা মপুগী মওম্ব লেলহল্লীবী লৈহাও কৌবী লৈরাজম ইপূম্বি মওম্ব, লোলহল্লগ হাংদুনা পাওশা য়ারাবু তাহন-লম.গ করিবু মুংবু রাবনো. মপা মপা পান্দবা রাইপংহমক্লনা থম্রবী শিংঙেং লৈহাও কৌবীগা ঐগা পান্দমজচুনা কোইনা কোইজাইনচুনা পুম্বিগী মওম্ব লেপম্নগ হাইবগী লোইজাইনচুনা লৈজবনি ॥ পাওরৌ পাওথুম হৈশিংবী হৈহাও লৈরেন কৌনিদ মাংলৌ রেংলো খোইরংনা ঙ-রাংমি, লৈনম তারে মপুক চুংঙোম্নবা শিংঙোম্ন নাই লৈবা, ঙাকুজনগে রাখম্না শিংঙেন্দা মাইন-দোং ফম্নাল লাংঙবদা শিংঙেন মাগী লৈহনা মতু মযাই বনবা কাইলো গদবা খোইমুনা কাইদোংবাদি অকি ভুজ্ তানফচুনা নফম্নদ লাম্নগা নশক নতোদা হৈচুনা নৈমাঙী লৈনমদা তাম্নগা লৈহম্নবা খোইমুংদা ঐদি মচু নৎচাদ ॥ ক লৈ সনা পুমাইযোন লৈবাক অমিগী লুচিং শিবা খোপুবা ক লৈ খোম্বা কৌবচু ঐহাক্কি ঐ অসিগু লম্বা পাংহৈ হক্সা মুশা না নংকাম্লমদবা ক লৈ খোম্বনি অচুব্ পাগী পুগী খুবমদি লৈথাদে ॥ ঐ। কুমজা কযদ লৈগাখাম্নৈদা মাইগৈ লমপুবা লুচিং বশিনা মনি মথা লৈতম্না মগী মাগীবু হম্বু কোইনচুনা লৈংজচুন ভুলুখাই তানা লৈঙাক লৈকম্নরমচুনা হৌ ক লৈ লম্মা হনববু লৈমাং হনববু লৈমা থোপুনম্নদগী মথোই থে-বিকপু লৈখোমজন্দুনা মপুক অনাং লুতোন কানরম্ববু নমথানবা লৈফম থুদিংবু লান্দারুবা লোইচুনা ঐগু চায়া তময়াবু লৈয়েংনা হনঙম্নকপনি ইশানৌ নংগু ক লৈ খোঙ্গনশিদা লৈকারশি লৈবাক্কি

মমা লৈমা ফমলেন ৭পু লুচিং কম্বাল লাংঙম্নবা থৌপুরূশে হাইনা কুখি মোংদম্নহুনা হৌ লম্মা হনবা সন কংলৈ পু মাইয়োন্দা লৈক লৈচংহুনা লৈঙম্লে ।। মৈতৈঙ্ কংলৈ থোম্ববু হনহম্ল্রক্র ভাবদা কলৈগী অঙম্বা অশাই অশম পুম্বনা মপুক হবাও তযাম্না লৈচংলকুনা থোখল্লক্রে ।। মতুংদা কংলৈ থোম্বন অশাই অশম লৈঙম্বা পুম্বদা ফম্বাল ভোংলনি হাইনা পাওতাকুনা মুমিং থা থরাইপিচা অচংবা মাইথোং ফলা লৈহেনা কৌম্ব মক লাইমোংবা, চিংথৈমক অচিবা অনিনা থোঙম পরম্ব থৌশিন্দুনা ফম্বাল্লৈফাম্ল । মিংলেনবু মৈতৈঙ্ কংলৈথোম পাখংবা সনা সংলি ম্রী চিঙ ঙবা চাইমা লৈতুম্লে ।। ইবেম্মগী মিংলেনবু লেমা ফমলেন ভৱেৎ লুচিং যম্ব ম্লাংবী লাইলৈমা তারিংম্নু, চথা মলোন থোপুবী, লৈমা য়াথু য়াবী ওমরাং ওম্না লৈহুন্দুনা কম্বাল মেন্দ মেন্দাবেল । লৈঙম্বা ভোঙৈব পুম্বব মপুক লৈতিন বাখনমহন্না জিলু ফম্বাল লামিক্কহুনা লৈবাকী মুংভাইনবা অচা অনকপু ওনা লৈপান্নবা থৌরম্বু মথা মথা থোঙৌদোকুনা শিন্থু শিন্দম্বীহুনা লৈঙম্বা মী লাইনা লৈথ অচান মিবাই খাইদনা মু ভাই মরাং কাইনা মুংশোংনা শিংথা শিংথেকপা ঙমদনা লৈথক শিন্দম্বী। লৈপাল্লক্রে ।। থরাই পানবা লৈঙম্বা পুম্বগী লৈচংফম তুংনফম ওইহুনা লৈঙম্বা পুম্নমক্কি মপী মপা লৈশক্লা রায়েন নাওংকোনবিহুনা য়েক্রুবা লভনা লৈপাল্লে ।। কমঙ মতম্না লৈপাল্লব্রদা নোংমা কোরৌ অমা মদাইরেন লৈমা তারিংম্নুগা লিরি খাংচেংনহনা অশাই অশম্না থোগম্না হোলম্মা হনবনু কোইনা চম্ভুনা লম্বু লৈয়েংমিন্নবদা কনাগুম্ব লৈভাক্লমদনা মাখ্রে লৈথিনবদশু ভানফদ্রে ।। লৈফম অচুবু মদাইরেন ইবেম্মা লৈমা তারিং-ম্নুগ লিরি খাংচেনহুনা লম য়েংমিন্নবদগী মফম হংদনা ক লৈ থোম্ব মৈতৈঙুনা মা খিবা লৈফম্নি হাইহুম লুতুনা থোকাওদনবা অচুম্নঙ্গীদমক্লা লৈফম অচুবু (খাচে) হাইনা মিংহুম্লে ।। লৈফম অসিদা ইবেম্মা লৈমরেন ফমথোন ৭ লৈপুবী তারিংম্নুনা শংলেন অমা শাহুনা শংলেন অসিদা ইবেমা তারিংম্নুনা অশাই অশমগা লোনমা নামমহুনা লৈশাকি নায়েন থোদা নেদমহুনা লৈ-ফমজহুনা মশালী লৈমানথিবা মৈতৈঙ্ কলৈ থোম্ববু লৈথাঙরম্নবা বান্দুনা হুঙ ইভবনু লৈ-ফাওরক্তবনা কুমজা মুংশামল্লহুনা মপুক রাইনা ভাথিবা ওইঙম্ল ।। লেমরেল ফমথোন ৭ লৈফম্বী লৈমা তারিংম্নু মপুক্লা মুংশি মুংওনগী রাখম্ননা থুমহংবিহুনা ক লৈম্না পু মাইয়োনগী খাজং শংলেন্দগী থোকঙম্রক্রুনা লাইলৈমা তারিংম্নু মমিং সনা লৈয়োন ভদেকপী মিত্রে সনা শাজাই-রেম্বী) লৈহন্না অমুক চীয়া তময়া কোইহুনা কোইজাইনহুনা লৈঙমথরে ।। অশাই অশম লৈহাক হৌনা থিওম্বশু ভানফংনদরে কংলৈ পুমাইয়োনবু লৈশংব লুচিংবা পিবাবু কালে=ভাক্ল লৈভরে, লমপুবা লুচিংবশিংনা মাগী মাগী লম্বু লৈকম্নহুনা অকন অকনবনা নমথেক নমজ্রানহুনা লৈ-পান্নবা অমুক হন্না থোহৌনরে ।।x

হৌ কংলৈ লম্মুহনববু তোলোমবা চীং মিংহনবা, লাইফদিবী শান্নবা হৌবা

লৈঙাক তাইবংলাই শখাই য়েলুপমা লৈঙম্বশিংনা মাগী মাগী লম্বু মচেৎ মচেৎ কনশিন্নহনা লৈঙাক লৈকম্নরক্লবা থৌরম্ব উবদা ঔবাং লমদা হেনবা মনিংথৌ পোইরৈ কংলৈ অতোনবা কোবা লৈফমদগীনা ঔন্নাং কাংপোকপী লৈফম্ব লৈঙপ্পা লৈপানবা পোংলেনখোম্বা কোবনা থাগী লৈফম্ব লৈয়েংলুগে রাখন্দুনা ঔরাং কংলৈদগী খোংশাল্লকপদা হৌ লম্মা হনবা কংলৈ শ্মা পুংমাইয়োন্দা খোংচংহনা কোইনা চত্তুনা লময়েংলকপা খোইয়ুম লাইথোং ১০৮ বু শহু য়াঙেন্না কোইশিন কোইশিন্না হৌখিবনা তিনখোং লাইখোংবু লৈমি লৈয়েংবদা মাপি শিংবিনা শোংখিবনা লৈফম্ব তানকংনবা থৌপুবদা য়াম্না রাঙম তানফংনরকই ।। লৈফম অহুদা কোইজাইনা চত্তুনা য়েংবদা খোইয়ুম লাইশু তাইবং কনাশু লৈঙমলমখিদরবদা রাখন লৈশোন লৈশোন্নরয়ে, লৈফম অসিদি (তোলোংবা চীং) ওইঙাম্নদমা মপু লৈতবা হাইবা অসিদি নিংথি চংখোনলম্বা মতিক মঙান পুম্ববু লৈমাংনরক্তুনা লৈফম্ব লৈমুৎনরক্লেদো কমদৌরগবা লুতুংদা, পাঙশানা মথস্তা মুরুম মুরুম ঙাংতুনা শোন্দুনা লৈকোইনরকই ।। থৌরম্ব উবদা ইমা লৈমরেন লৈপূননীগী জাংগুন ফালম্ব থৌপুবী মমিং শ্মা লৈয়োন তাদকপী মিত্রেংশ্মা শঙ্গোইরেম্বী লৈমা তারিংমু কৌনীনা লৈফম অসিদা শাগোত্তুনা তাংজলুক্লা মাগী ফালম্ব করি করম তৌঙমশিবা রাখন্দুনা শংফোংলক্লে ।। পোংলেন খোম্বনা উন্নক্তুনা হে ইবেম্ম লোইবী তোলোংবা চীঙ্গা পান্দম্নবা শহু য়াঙ্গশনা থুমহৎলবা তোলোংবা চীঙ্গী চীংয়া তময়া অসিদা শাথোক্লহুনা লৈঙন্নরিবা ইশানৌ নংবু কনানো ? চেংলৌ নঙম্মা লোইদাম থাজা পাখংবগী অঙৌবা মচুনা থবাই পানবা পুম্বগী মপুক বাখনবু শুমহৎনহুনা থাল্লিবা, নশেক নঙান উবদা তাইবং মশক পুম্ববু মপুক ইরাং নহন্না মু শি মুংঙোম্নবা রাখন্তনা থুমহৎনহন্দুনা লাই তাইবং পুম্নমক্তা খোইজং খোইদববু ওইঙম থোকঙম্না ঙাম্মোইরিবা নংবু কনানোনে, লৈফম অসিদবু কনাবু নোংদম্বীরিবা, নিংথি চংখোল্লিবা নশেক নঙান্না ঐগী থমোই লকান্নুংদা লৈচংখিহনা ঐগী হকি লৈফম পুম্ববু লৈশিনখিবনা পাংয়াই কাদা হৌঙম্বা চান্না মনাগী মথক্তা তরং ইরিক পকপাগুম তয়াং তনিক তশোইনা চান্না থন্না খাংবগুম খাংহল্লবা অশিনু খবু লংজবা করিবু লৈহনা মালং পাওজেন হৈবনা তময়া চীংয়া শিন্না পাওজেনবর লৈহিতবু ইথোলাংনা লৈঙম্নবা খোইমুদা করিগী পাওথুংবিদবা, অহুবু নোংদম পাওজেনবনদি তাকঙম খংহমবিদরে কোরৌ ঙসিদি ইদাইরেনগী কুবি নোংদম্ব ফিগাও শানা য়াজরি ।। থুন্ন মাহুক ঙকশি থারাম পুজেং লাইনাও তাবও, ঐ অশে

লৈথারোল লৈফুরেল চুম্নি ।। লাইরেম্বী নহাক্কি কনাবু লৈঙমত্রবা তোলোংবা চীংগুম্বা অসিদা করিবু কদৌরিবনো ? খোন্দান খোইমুনা তমজানরিবা ঔরাং কংলৈদা পানফবা ঐ অসে করি কনাবু উত্রবা কুবি নোংদম্বু খিৱিবী নোংদমথৌবী অমনি, হুজা ওইবিগী চংজফম্বু লৈতবনা মালং কোইজাইনহুনা কমলেন লুচিংবু তানফংজগে হাইবগী অহুমুন্দীদমক্তা মুজা ঐগী চংজফম্বু কোইজাইনা লৈখিরকপদা তোলোংবা চীজা পান্দম্নবা শহু মাক্লেম্না লৈথ্রবা লৈকম অসিদা রাইথুং কমলেন ওইঙম্না নারোংনবী শজিগুম নাথে নারোং চহুনা লৈকম অসিদা লৈজবানে ।। ইদাইরেন ইবেম্মা লাইরেমা লৈকম অসিবু লৈথানবা তৌগুম্বীরো ঔরাং কংলৈ চীংদানপোক কংলৈ নাইতোম পোকপী লৈকমদা লুচিং কমলেন লৈকম ওইবিরো, কম্বাল লুচিং লৈফম্ব নোংদমজবা তানফংজগে ।। খুমু মাস্তক ঙকশি থরাম্বা পুজেং লাইনাও পাওশা হৈশিংবা নোংদম্বাবা নয়াথং ফিগাও শানা ম্রাজগে অতুম্নিদি ওইবদা ঐগী থৌরম পাওশা অমতংবু হাইজা নিজবা ওইজগে থৌরম অসিবু নোংদম খোয়ানা থৌঙম থৌপুখিবকদি হৈনা থৌগন ওইজগে । তাকপীনি ইবেম্মা মজী পাওশা থৌরম্বু চৈঙম থৌপুনজগে হাইবিও ।। থৌরম অতৈ নচচদে ঐনা তৌজবা থৌরম নম্বী খুদিংদা নপুক তাথি নাওইবিহুনা পুকহং পাওহংবিগম্ন পাওশা পাওহংন্ত্রি মথৈদি নফম্নাংদা লৈগনি ।। ইশানৌ ইবেম্মা ইকাম্নুংদা লৈরগা নমিং তোনা নজী ফালম্বু কাইদনা নমিং তম্না শাম্নববু তানফংনৌ থৌরম খুদিংদা পাও হংজরোই হাইনা রাশরুহুনা পোংলেনখোম্বা লৈমা তারিংম্নু অমিবু লুতিন ফম্বাম্লাং- মিম্নহুনা ঔরাং কংলৈ কলা অতোম্বী লৈকমদবু লৈহনবা তৌদনা হৌরকলৈ লম্মহুনববু তোলোংবা চী হাইনা মিংহুন্দুনা লৈমন্নরে ।।১

লাইদি=লাইফদিবী শান্নবা হৌবা

চৌ লম্মা হনবা কংলৈসনা পুংমাইয়োন=তোলোংবা চীংহেন্দা পোংলেনখোম্বগা লাইরেমা তারিংম্নুগা লৈমিন্নবা অসিদা নোংকোরো অমগী হহিং অমবু লৈচুপ্পা পোংলেন খোম্বগী মনাক্তা থৌগম্না লৈঙমদে, অহিঙ্গী মতম্বু লৈচংলকপগা মাগী (তাবু) হাইবা লুবাক মথুম পানবা হাওশম তোংনবগুম্না লৈপুবা অমা লৈঙম্মি ।। তাবু কৌবা লুবাক অসিগী মন্নুংদা মাতোম্নগী শাথোক- হনখিহুনা লাইম্নুরাবী ৮ থক মকি মরোনবু লৈচোম্নুনা শেংহুনা মানা নিংবা মশক মশকপু ওইহন্দুনা মানা নিংবা থৌরম্বু শান্নবা হ ইহুনা লোতুনা তুমহন্দুনা লুবাক অহুৱী মন্নুংদা থম্মি ।। অহিং হেক ওইবগা তাবু লুবাক অহুবু মনমদা পোহুনা পুরগা মিচিক মিয়াওখোম তাদবা মকম

অমদা লৈচংহুনা মখল মথা অয়াম্বা য়ুম্বাল্লোনগী চংলম্মু মানা হৈশিং থোয়াং পুচিংবী ওইহুনা তাবু লুবাক অতুগী মনুংদগী কৌথোক কৌথোক্লুনা মানা নোংকোরৌ কোরৌগী শন্নমিংবা পরম খোরম্ব থোপুনা শান্নহুনা মাগী নুংঙাইবা থৌওম্ব থোপূজবা ওইনা অহিং অহিঙ্গী মতম পুম্ববু লেংঙম্ব্রগা অয়ুক নুংথিলনা হনংম্লক্লুনা পোংলেনখোম্বগী মনাক্তা লৈওম্মি ॥ মতৌ অশুম্না লৈমিন্নবদা পোংলেনখোম্বনা নুমিৎ থুদিঙ্গী থেম্মৌনা লৈহোংনববু লাইরৈমা তাবিংহুনা হাইজবদগী খাংম্লেকহুনা কংলৈ তোংলাং চীং কৌওম্নবা লৈফমদগী ঔবাং কংলৈ চীংদানপোক= কংলা চেম্বী কৌবা লৈফমদ লৈহল্লক্লুনা পাল্লয়ে ॥ মতুদা মযুম চাবি হাথরগে রাখলক্লুনা পোংলেন খোম্বগী লেনম্ব পোপুনা লৈমা তাব্বিংহু রাঙ্গোন খোঙ্গম্নহুনা মনা নিপা অমা তাইবং মপোক অমা ইফাওয়ে । পম্মৌ মপানা ইক তাঙ্গা ঈপি ইভন্নথিবা ইপোক নুমিত্তুগী ৬নি শুবা নুমিত্তা তাংফংনববু থোপুনা ইপা মউ নুংশাংনা লৈপান্নবা অয়ুক নুমিদাংবু থোনিনহুনা নোংকোরৌ লৈচংবদা লাইবমলেনগী চংলমদা ইমাংবা ওইবা থৌরম্ব ইশেং ইথাইবা থৌওম্ব থোপুনরগা নুমিদাং হেক ওইবগা মচাবু লৈথয়ুমহুনা মাগী তাবু লুবাকপু কশুম তোংনবংম্না পুখিহুনা মৌচিক মীরাওখানবু তাদবা লৈফম্ব লৈয়েংহুনা চীংখোং চীংযাদা চংখিহুনা মাগী তাবু লুবাকপু মখুম লৈহা দোক্লুনা কৌরক্লে । খোইনৌ মঙাংবোই (অখোম্ন, অভুম্ন, অরৈম্ন, চাখাম্ন, চপাং যাঙ্গাইবী কমপোংম্ন, কৌমী লৈমা; শিম্বা লৈমা থোযাবী) নঙ্গী নঙ্গী নথোনওম্ব শাথোক শাদম্নরশি শাথোক্লো থাকৌথোক্লুনা ইতা মঙাইরোই নুমিৎ শিঙ্গম থাঙ্গা ১গা কোরৌ ১১ নিবু তাবুলুংদা হাওশুমহুনা লৈথম্নরেদো ॥ নপ্পক তাথি নাশইনগনুকো কোরৌ অসিদগী নৌ হৌনহন অমুক লৈশাম্নরশি হাইনা থৌরম্ব লৈশিম্না য়ুম্বাল্লোনগী খোরমদা চম্ন নিঙানবু লুতিন পাকশা রা হাইনহুনা য়াথং লুতিনবু রারেপ্পা হুহে। লুতিনবু লৈহুন লোয়া লৈরৌনহুনা লুতিন ফম্বাল লাংমিন্নবা মযুম য়ুম্বান থৌলিংনহুনা মানা মানা নিংকপা থৌরম্ব থৌওম থোপুনা শাম্নহুনা হু চাইনরগা অমুক তাবু লুবাক মম্নুংদা লৈহাপ্পুনা মরাম য়াইদা হনওম্নক্লে ॥ মতৌ অশুম্না মচাবু অহিং অহিং কুন্দাক্লুনা চংওম্ব। অসিদা মপ্পক তাথিবহুনা নোং কোরৌ অমদা পোংলেন খোম্বনা হাইজ্রে ॥ ইদাইরেন ইবেম্মা কোকো ওসদি নফমলদা থৌরম অমতা নিঙ্গমগ ॥ অতুবু কুরি থৌওম ওইবনো হাইবিও ॥ ইশানৌনা য়াওম্বীবুনা এনা থৌনিজংবু লৈহ মীগে হাইরগা রাপেপ রাশক অমতং তাওমলবদি হাইজগে । হাইবিও থেংঙম থৌয় হান মাকেম লৈমা ইমানা অরেম্পা এগী রাশক্কি ॥ থংজরে ইদাইরেন ইবেম্মা নঙ্গী রারেপ অরেম্পা পরম অতৈবু নৎচাদ ইশানৌ নংমা নঙ্গী তাবু লুবাকপু পুহুনা অহিং অহিং কোকজাইননা চংহুনা শাম্নবা অসিবু তোকওমলশি কোরৌ অসিদগী থোহৌনা ॥ উম, এনা তৌজবা থবক্তা মোয়ে থোথিবাবাইদো, নাথবু থোপুনা

কোয়ৌ ভসিদগী তোকচরগে পাওথুমলগা মাগী তাবু লুবাকপু মনঙ্গন্দা পোত্থনা পুক্তমত্থনা পোং-লেনখোম্বগী মশাইকেন ভরাং থু চাংখৈ পা বা পোংলেন খোন্দ [illegible] হৈকোম্নংদা লৈচংত্থনা তাবু লুবাকপু লৈথমলে ॥ মক্তাইরোই ৮বু [illegible] পাওমল্লি, খোইনৌ [illegible] মক্তাইরোই ঐগী ফালম অসিদ ঐবু লোইরিবা ইপুরোংবগী মযাং বু নো দমদগী ফাদাম অশিনা থোৱোইনদরিবা মখৈদ নখোং [illegible] হরাও ম থাই কামিম [illegible] বো বা ভসিদগী [illegible] তাক্তমলেদো নখোই ৮বু [illegible] অসিদ [illegible] লৈক্তমংম্মু ঐগী [illegible] ঐবু নখোই খ্বাইগী নরক্তা অমুক লৈইন্না যাও [illegible] [illegible] যাওদ্রে [illegible] লৈ [illegible] হাইত্থনা [illegible] উমি বু [illegible] ফদিবী [illegible] অবৈ, চ থ মু, চব [illegible] কোনা [illegible] মা [illegible] লৈমা থোয়া বী [illegible] ঐনা [illegible] পুক্তনা [illegible] পাক্তদাক [illegible] নগী মর [illegible] লৈচন লৈনি [illegible] । [illegible]মা তারিংত্থনা [illegible] বু কৈবম্মনা পমত্থন পাবি [illegible] নমা ঐক্ত ক্তা নোংকাংপ খুদিং ইবম [illegible] বু লৈফাংনা পী [illegible] কদববু কোবৌ অহিং [illegible] পক্ত [illegible] পা [illegible] খোয়াইদ্রে [illegible] মখিনা থোৱম্ম লুত্তক্তী পাওশা ভইনবা [illegible] ম ত্থল্লমগে [illegible] প [illegible] নমাগী খোমলাং ১০৮ বু [illegible] লৈথক্ত [illegible] ইচানি কোবৌ অশি [illegible] লৈম্ভনা ইমান থোম্না [illegible] খোবা [illegible] মলো হাযন, থামলা বু [illegible] । [illegible] ভাল্লবদ নক্তা ঐগা হাইনবা [illegible] অসিদা [illegible] হাইত্থনা পাং-ভনক্তা [illegible] খিত্থনা [illegible] ॥

মাইগৈ লমগুবা এ[illegible]গ লাইনা লৈরে লাথুপ্লদুনা লৈওম্নবা

মথা মাইগৈ [illegible] পাক্তনা লৈ-ভমক্তকপবু মচা [illegible] লাইমিংখোই অশিববু থাগোন ইবাংনা [illegible] মচা নিপা অমা তানফ লে ॥ খোইয়ম লাইগী নোংদমদগী [illegible] হাইত্থনা মহিংগী পুচি মতম্ম কু শাংলক্তবা লৈভমগদবা মতম্ম খুজিল্লববা মতমদা তনফংনৈ হাইত্থনা লাইমিংব (নোংদম অথুবা) [illegible] । নোংদম অথুবগী মফমলাংদা মথৌ মভমগা লৈফমগব লৈশিন্নরম্মগা খা কংলৈব লম [illegible] চংভমখ্রগা কনাবু খংহন উহন্দনা ল উমিংব লাইয়েক (ওম ভ্রী, ভং ওম থট) লাই [illegible] ইখোন [illegible] লৈত্থন্না লৈপ্রে ॥ লৈফম্ম খা শুভম্মু [illegible] তুব পাখংবা [illegible] কোনরে ॥X

ঔরাং লমদা হেনবা মনিংথৌ চেংঙানা লাইওইখিবা

মনিংথৌরা চেংঙা কৌবনা লৈথম্রেম্বীবু পাম্নবদা অহনগী মতম্, ওইবনা মুংশাংনা পাম্লক্লবদা লৈথ্প্লগে রাখল্লক্লবদা মচা নিপা অমা তানফংনরে ॥ অঙাং অসিনা ঐগী ইচম্, লৈশিনহৌনবা হাইহুনা ইমুং ইতমগু নত্রবা মতম অসিদা তানফংলদ্রিবা অসিদি নোংদম্বনা নোংদম্বদা ঐগী চাদা নাওদা অহানবা ওইনা নোংদম্লিবা ওইরে, অহুনদি অঙাং অসিগী লাইমিংদি (নোংদম্লেন অহানবা) মিংথোল্লগে রাখল্লহুনা মচাগী মিংহুনবু লৈতম্লহুন, মথংদা নাওদা অমবু তানফংখিদ্রবা রাখল্লহুনা লৈথ্রুপ লৈমাংদনা থাংহুনা লৈববু মথাদা চাদা অমঙা তানফংনখিদ্রে ॥ ঐনা নিংঙম্না পঙম অশিংদা তানফংনবরোইদবদা নাথন্দুনা লৈঙম্বনিদনা অহুংদ ভাইব শিনা মিনাক চঙঙ্রনি ঐগী পুন্সি হকমল্লে, ঐ লৈথ্প্লবা ভৌঙম্বা তারে রাখম্লহুনা মচা নোংদম অহানবদা মাগী মথৌ মহুম্, লৈশিন্নবগা ঔরাং কংলৈ লমকোইকগে যাথোক্লখ্রগা ... লাইথেবপু ... লাইমিং লৌহুনা তুবি লাইওইনা ঔরাং কংলৈ মক সনাহন লাইখম সনা ... লৈথংহুনা লৈফম অমনা শেকমাই খমংাং কংলা ... লৈহুমহুনা লৈলাক অসিগী ... সনাফম্বাগ লৈফম অমা ওইওম্না লৈথম্রিদো, ... পা-বুগংনা ॥

নোংলেন নোংপোক লৈহৌদ গানযবা থরাইনা লৈথুপখ্রবদ

মচা কুপকংবনা চিংন্থু লৈম পাম্নহুনা কংলৈদা ... লৌশিংগী ... মচা নিপা বু তানফংজরে ॥ অঙাং অশি পোক্লগা মহুংদা মচা অমা হুমুক ... মচাগী মনি (কুরু মালেম মৈনাইতবা) মিংথে মাগী মথৌ মহুম্, লৈশিন্নহুন ... পাবি ... মচ চারি লৈথানা লৈপাঙবব তানফংহুনা পাগী পুগী থুংম্, লৈপানবা তানফংবা ... হাইনা নোংদম্বীরগা নোংপোক লৈহৌ চিঙী ... খ্রগা ওম ... হাইবা লাইয়েকপু লাইমিং লৌহুনা তুবি ... থুপ্লনা লৈঙমখ্রে ॥

খা নোংপোক শুংদাই মনিংথৌরা য়ুচেংনা লৈথুপখ্রবদা

মচা কুকম্বনা হাইহু লৈমবু পাম্লহুনা মচা নিপা অমা কুম্জা মুংশাংনা লৈপাম্লবগা লৈথ্প রাখনবু লৈখম্লবা মতমদা তানফংজবা মচা ওইবনা মচা অসিবু নোং কোরৌ অমগী মঙ্গাংদা

কোলুপ অমা ফাওবা থাদোক্নবা লৈতনা চেংনা লুনা মনাক্তা লৈথমজনা লৈমিন্নহুনা। লাইরমলেন মীরমলেনগী চংনলম্ব, হৈশিং খোইয়ানবা তাকপা তম্বীহুনা নাওয়োক নাওকোন্না লৈগন্মি। মথাদগী মনাওশিং মচনশিং কনাবু নাওদরক্তে হাইহুনা মচাবু চাদা নাওদা মরাং কাইনা তানফংনা লৈপান হনগে রাথম্নহুনা মচাগী মমিংবু (কুরুমলেন মৈনাইবা) মিংহুনবিহুনা কুরুম্বনা মাগী মথৌ মগুম্ব, লৈহাপ লৈশিন্নরে ।। নোংকোন্নৌ তমদি মচাগা লৈরি খোংজিনহুনা= খুং শমুহুনা তৌ কংলৈ লম্ম হনবা সনা পুংমাইয়োন্না কোন্থিবা কংলৈ পুম্ববু লৈকোইনহুনা লাইথোং তিনথোং লৈগম্বা থৈবিকপু লৈথিজন্দুনা মচাগী মফমদা লৈতান্নম্নগা (কু সনা কোনফু মনিক) ওম হ্রীং শ্রীং লাইয়েক য়ান্নাগী লাইমিং লৌহুনা থা নোংপোক গুংদাই তুবু থপ্লাংবা সনা হেদিং পাথং থপ্লাংবা, খোংদাই অক্তম লৈগুম্না তুবি লাংওন ৭ পু হিওম্বা তুবি চারি মপা লৈথানা ল্লাবা থিয়াং থোক্না লমতৌনরকপা হাইনা মিংহুনবু লৈগম্না মাংত্রে X

থাংহিং ঙাংঙোই মুরাও নিলদু পানফবা

লাই পাম্বং মুংানা লাইওইনা লৈথ্রবদা মচা কোইজাইনথিবা হৈরাংবনা লৈখারোনলমদগী লৈফাওনরগুনা পিশিম্নবু মুম্বংম্নহুনা মপাগী থুবম্ব, লৈশিন্নহুনা লৈপাল্লবদা মচানিপা অমা তানফংহুনা মমুম্ব, লৈমুত্তনা মউ চারি লিংঙম্নবা ন্নাথন্দুনা মচাগী মমিংবু ইরোংলেন নোংচুম্বা মিংহুন্না লৈশিন্নহুনা লৈথম্নগা লৌতাং পাংপু ইয়েংলুগে খোংশানথ্রগা লাইমিংবু আং শ্রীং হ্রীং হ্রীং আং শ্রীং লাইয়েকপু লৌহুনা তুবি লাই মানিং তম্বা ওইনা লৈত্রে ।।X (মরোন অসিদো মনিং তম্না লৈপান্নবা মানা মানা নিংববু নোংদম্বনা নোংদম্বীহুনা লৈপান্নেদো শিবা নাবা লৈখংদে । চাবা শেংপা চানিংবা মতমদা চাবা শেংনিবতা শেংপা ফংনৈদো মৈত্তৈজ) ।।X

লাইথুং ১০৮ গী লুচিংবা লাইনা ৭না মথৌ মগুম্ব থৌনিদুনা শিন্থাবা

হয়িচক মিংহুনবা চক্তি কৈদোম অতুগী মতিক মঙান মথৌ মগুম তৌগমলম্ববু মগুম্ব, শামথানরক্লে ।। মতম অসিবু ঙাইহুনা মাগী মাগী মথৌ মগুম্ব, থেংপুগদবগী লৈগম্বা লাইথুং ১০৮ গী লুচিংবা লাইনা ৭ না ন্নাতান্নহুনা লাইমিংথোই অশিবগী মফমলাংদা লাক্নুনা মথোইগী মথৌমগুম্ব

থোইহোনা লৈত্তবা মশক পুম্বদা লৈচং লৈথুংনহনা চাক্তি ফিনিবা থোইহানবগে পাঙ্গারবে ।। মৈতৈঙু নোংদালাই পাখংবা লুচিংবা লাইনা ৭ কৌবদি ১ ঈ কৌবা মশক অসিদা তোংহনা চৈবিগদবা ১ পাখংপা; ২ ফিক্কংপা; মমিংপু লাংখত্নুনা কোংপু ভাঙহনবা খোংম্না হুচি হুনা ঈগী মরমদা লাইনা মথল মখা পিনবগী লুচিং থোপুবা লাইমিং লাইযেক য়ারাবু ওম হুঙ্ রোংরিং লাইয়েক য়ারানা থরাই য়াইবি মেরুবা ওইবগা (২) অমদি হকপু শানা ডাম্না, শাঙগংনা ওলাং খোইশাও ববু চৈবি তেনথেংনহন্না নাহনবা লাইনা পুম্বগী লুচিংবা লাইমিং য়ানাবু ওম থুং চুঙংং হন্না লাইয়েক্রা থরাই যাইবিব মেরুবা ওইবগা, (৩) [illegible] ইঙন [illegible] থজিনবু ফুলহনবা মরি মরাবু লৈশোক্রা লোবথুনা, থোংদম্বু চৈবি তেমংং হন্না লাইখুং লাইনাব পিঙম-গদবা লাইনা পুম্বগী লুচিংবা লাইমিং লাইযেকপু মুজুংজাং লাইযেক লাইরানা থরাই যাইবিরেল মেরুবা ওইবনে ।। (৪) হবপু ঈংনা [illegible] চৈব তেমথেংহন্দুন অনা লাইওংং পিঙমগদব লাইখুং পুম্বগী লুচিংবা লাইমিং লাইযেক য়রান ওম [illegible] থরাই য়াই-বিরেল মেরুবা ওইবনে ।।

(৫) ইরম খোংলম খো ঙখুদংবু চৈ শাক্রা মুংশিংনা চৈ [illegible] নাহ গদন লাইনা পুম্বগী লুচিংবা য়রা লাইয়েক লাইমিং লাইববু ওম দ্রৌং [illegible] যাইবি মেরুবা ওইবনে ।

(৬) অখিংবা অশাবনা চৈবি তেমথেং ওইনা চৈবিহুনা নাহনদবগী লুচিংবা লাইযেক হবা লাইমিংবু ক্লী ব্লী রোঁও ফট লাইযেক য়রানা যাইবিরেল ওইবগা ।।

(৭) লুভং শিংলি নাওরিগী হকুংদা চকথোংনা [illegible] লাইনব চৈবিনা [illegible] লাইনা পুম্বগী লুচিংবা ওম স্রুং স্রুং দ্রাঁও ফট লাইযেক য়রানা থরাই যাইবী মেরুবা লাইবা ওইবগা ।।

লুচিংবা মখোই [illegible] লাইমিং থাই নোংদম্নদি নোংদম্নীহুনা তাবাই ঈনাও ১০৮গা লোইনহুন, এ.থাহ ৭পু শেম্বীরগা শিন্নাখিবা হখো ইঙমাদ হৌহিক যাংবা নমিনবিবা অমিং এখোইবু চাদনা থজনা অশুম লৈঙম্মু হাইবরা হয়িচক থম্বিবু লাকয়েন ভংখাইদি লৈহঙ্কে ইখো ইঙম্মু শিন্নানহুনা চাকচা ফিশেং লৈতম্বীরো এগী এগী ইথোবু থোপুনবা য়াংদিরো।। লু-চিংবা লাইনা ৭ মক চুম্মি নখোংনা হাইবা হয়িচক হাইবা অসিগী মংভি লৈপানগদববু পুন্নিগী লাকয়েন ভংখাইদি চনথ্রে অহুবু থোরম অসিদো শেম্বা মতমদি নখোই খ্বাইগু য়াঙনা শেমগং

শাগৎপ্রবনি ।। মশিদা নোংদম্বা মতমদদি লৈঙম্মিবা মশক পুম্নমক অসিবু মালেম অকোইবদা শিম্থ্রংনা লৈঙমহৌনবতা থাখনবদগী (নাবা, শিবা) হাইবা থৌরম অসিদি নোংদম্বদদি য়াওহৌদরে, পোল্লগা হিংদুনা মানং মথা লৈতম্না লৈপান্নবা ঙম্নবতা থৌশিন নোংদমখরে, লৌখোক্লবা পন্নমদি শিনঙমহৌদেদো মানা মনা লৈনিংঙিবা মখৈবু লৈবা ঙম্বা থৌশিন নোংদম্না লৈহনপ্রবা মশক ঙাক্তনিদো, নখোই খাইগম্ভ নখো নক্সম থৌরম অমা নোংদমপ্রবমিনা থৌরম্ব, থৌঙম্নবা লৈশিন্দবা য়াদবনিনা নখোই লাইথুং গুম্বা ঐগী হক্সুংদা লৈঙম্লো ।। ঐঙোন্দগী লাইনা লাত্রথ, নখোইবু তাইবংশিংনা লৈনি থোক্নচুনা নখোই খিবিকপু লৌঙমহৌনবা ঐনা থৌঙম্নবা থৌপুবা তাঙম্ন হাইনা নোংদম্বিদুনা লাইমিংথোংগী হক্সুংদা লাইথুং ১০৮ গী জুচিংবা ৭ পু নোংদম থৌরম্ব, থৌপুনা হক্সুংদা লৈচংনা লৈঙমপ্রে ।। লাইমিংথোই অতিয়া মরু শিদবগী মফমলাংদা লৈচংদুনা থৌরম্ব, থৌহঙ্গে থাখন্দুনা লাক্নে ।। থৌরম্বু লৈখংলদুনা অতিয়া মরু শিদবনা লাইমিংথোই মচাবু উবদা তন্নাম তশোই খোইজং খোংদানা কৌএ ।। কোন্নৌ হুনবনা খদা ঙইনা লৈফম্বা লোইদা থাজনা থকথক ঙইনা খাল্লিবা পারি লাইমিংথোই হুংঙাই য়াইফববু নোংদম্না মপোক অথোইবু চংথোম্না অপোক ইহুনবু কবিনা লৈপান্নবদি নপা ঐনা উঙম্ন, অহুবু অপোক শাথোকনখিবা মশক্না লৈহনফমদা লৈহন্দুনা লৈথুংফমদা লৈথুংলগা মপোক ইহুনবু লৈতম্না শাথোক শাক্নোংনবদি নপা ঐবু উহল্লি ঙহুনু পারি ইচান কন্নিবু করম নোংদম্লিবা মতম অসিবু হক্সা হুংশাংলবন্না ? মথংলেনগী চকপু মমি ঙাবগুম উঙমকেদ ।। মরু পরম থৌরম অহুমুঙ্গীবু হংনফমদা থাহংজবা চংজফমদা চংজরকই অহুব কারিবু কন্নম্না থৌহৌশিনানা লুচিংবা লাইনা পঙ্ভ হথুং ইফাওররে ।। লাইমিংথোই মহুদি নশানৌ কোঙ্গন ভূখোকপা পাখবগা পারি নচিন মনাওনা লৈবাক কোইনা তানবা পাম্লহেন্দুনা তাহন খংহনবিদুনা পাল্লশাংবা থোপুরো, অহুগা পারি নচিন মনাওভ লৈথ পযমদা লৈথুম্না থোঙম্বিদুনা হন্না থোংথ্ধু লৈয়হনা শিন্দাথিনদুনা নতিক নঙানবু লৈথমনা থোপুরো ।। মরুগী নোংদম্ব, তানফংবদা লাইমিংথোংবু লৈহল্লক্লে ।। লাইমিংথোই অশিংনা মশানৌ কেংহনভুংখাবপগী মফমলাংদা লাক্লনা নোংদম থৌরম্ব, থোপুনবা থৌহৌবদা মশানৌ পাথংনা য়াম্বনা লোনথীবা পুম্ববু লৈনা থোংগথুনা থোংম্নবা থৌপুজবা ঙইজনি হাইনা লোইনদুনা লাইমিংথোই মচিন মনাওবু তাইবংলক্না লৈতিল ফম্বাল লাংনা লৈমিন্নববু থোয়ানবা শাথোক লৈফম্ব, কোইজাইনা লৈখি লৈয়েংনরক্লে । X

মংনম অসিদ কেংহংলেনগী মচা পোংথানা পীয়াইম্নবু খুম্বান্নদুনা কুমজা হুংশাংনা লৈংমলক্লবদা মগানিশা হৈরোং ঙাংলেনবু তানফংবদগী মতুংদা মচা অমুক তানযংনদ্রে ।। পোংথাগী মপুক থাখন্দা মচা অমা অনিদঙ্গা তানফংনিংদুনা নোংদম্ব লাই অতিয়া শিদব্, পুরুম থাগোইদুনা মচা অমা অনি-

দগা তানকংত্রবা ওইজগে হাইছুনা চাবা থকপা পোত্থবা লৈতনা মরু অতিম্না শিদববু নিংজৈএ ।। পোংথাগী লাইনিংবা রাখন থৌরম্ লাইমিংথোই মচিন মনাওনা উছুনা রাতানছুনা পোংথাগী মদাইরেন পিয়াইমুগী শিয়োমমুংদা চংছুনা মচিন মনাওবু লৈগুমখরেদো ।। অনিমক্কা লৈচংকম্বাল লাংনা লৈগুমখিববু পিয়াইমুগী শিয়োমুংদা কুমজা অহুম লৈগুরে, তাইবংনা য়াকা কম্বাল্লাংবদা পাওরি পাওশানবদা য়াওনরে ।। নোংকোয়ৌ অমা পিয়াইমুনা ঈশাইফু অমা পুছুনা ঈশিং শোক্লুইএ. ঈশাইফুদু, পুছুনা লাকপদা খরাবু রাওমছুনা থেলোং ময়াইদা=গুমাং ময়াইদা ঈশাইপুব লৈথমলগা খু ২ দা মখুৎ শৌনা মরাই লুক্রা য়েংছুনা ডাহাক অরা পোথাজৈ ।। তাংজা লুক্রা মমিং উংশিন্না অরা লৈহম্বোক্লবা পোথারম্বদগী মমিং পাংথোকপদা লোইনবা মমিবু ঈশাইফুগী মমুংদা মমি তাছুনা লৈগুম্ববু রাখন তায়োম্বনা খবখিছুনা অকি তুজুংনবনা লুরাই কোরেল যৌনা লৈশাংবখিছুনা ঈশাইফুগী ময়াদা উপ্রাক লৈশিংনা তুছুনা রাম্বছুনা লৈএ ।। পলেম ওইগদবগী অরাবা মৈশাবু উবদা শিয়োমুংদা লৈবা মশক ২না মমা ওইগদবগী অরাববু লৈকোক্লবা হাইবগী মমাগী শিয়োমুংদগী য়াংলম খাইনা মনিলগী মশকপু ওইনা লুরাই কোইরেন তম্না হাইগংখিছুনা মমাগী লুরাইদগী নোংথৌ লৈচিনগী মশক ওইনা শাথোক্লকুনা নোংথৌ অহাংবা লৈকমদা লৈফমু ১ থোরা খাইছুনা লৈগুমলক্লে ।। মশকপু (নোংথৌতুরেল) হাইরিএ হে মৈতৈগু নোংদলাই পাখংবা ২ বিরে ।। অনি থোক্না নোংথৌগী লৈচিনবু শাংথা লেংথনা লৈফাছুনা লৈফমলগা হাইরক্লে ।। হা পলেমশেম্বী ঈমাও নঙী য়াংলম খাইনা খোলছুনা নচা ইবৌঙানিবু পালেম নঙী লুরাইদগী নোংথৌগী লৈচিন, গুম্না খোংথোক্লুনা ঈমানা অরা লৈথম তাববু লৈকোক্লবা শাফোংজারে ঈমা নংগু রারম্ব ।। হকপু তয়াং তশোইনা সুংঙাই য়াইবি মরাং কাইনা লৈরমথো নচা ঐখোই অনিবু তাইবংলক্তা লাকুনা তাইবঙা তিলু লৈফম্লগনি ।। নচা ঐখোই অনিদি (লৌশি লাংথাবপা শমদোন লাংদান শম্বা, মহি কল্লাওবা) কৌএ ।। লাইমিং লাইয়েক্না (শম চুঁঙ ওম চুঁঙ ওম চুঁঙ নেং নেং নেং নেং লাইয়েক য়াবানে ।। ইপাল্লাংদা থোকগুমজগদবা লাইমিংদি (অমাইবা, অমাইবী) মিংক্লা লাকগুমগে ।। পাওশারগা মাংগ্রে পিয়ামু পলেম শকপীবু কপয়াং তাংযানা মচা লৈশবপা অনিগী রাবু তাবদা অরা লৈথম তামকংববু লৈকোক্লছুনা লৈগুম্ম ।। মতুংদা তাইবনা ফালম মপোক অশিবু অঙকপনি হাইছুনা মৈতৈগু নোংদাইলাই পাখংবা তাইব মপোক শাকোং খোংলমদগী অতোম্মা খোংলমদা মপোক শাথোক্লখি হাইছুনা (পোইরৈ তোপ) কৌএ ।। মশক্তি অনিগুনা থোকগুমকএ হাইছুনা (তোনফাং) হাইএ ।। মপোক ইছুনরু তাংগম্বা ওইথোক্লদ্রবা মপোক অতাংবা মপোক্তি হাইবগী (তাখোং) হাইদো ।। তাইবংলক্তবু থোইযুম লাইনা তাম্নছুনা শেম শাছুনা শাথোক্লৈ হাইছুনা লাইনা শায়োনবনি লাইশম্না হাইএ ।। লৈফম খংদনা চংখিএ মাংখিএ হাইছুনা

(তাইবং মালং কোইজাইনবা) হাইনা মিংহুনবু লৈয়াত্তুনা (পোইরৈ তোপ তাংখোং অতোপ্পা মালং কোইজাইনবা লাইনা শাশন্নহুনা শাথোক্লম্বা লাইশ্না হাইনা মিংহুন্না থোকওম্লকপবু ঙাইহুনা মমা পিয়াইম্লুনা মচা অনিবু ঙাইহুনা লৈঙম্লেদো । x

লৌউবা মাইগ ৪ লৈশুনা

পোংথা কৌবা নোংচুপ লোইয়া মনিংথৌরা লুচিংবনা মচা অমুকত্ত তানফংলনি নোংদম্বনা কুবিরে ৱাথঙহুনা মপুক রাখনবু হয়াও তয়াম্না লৈবদা মচা তানফঙদবা মশক্না ওইথোক্তবা খোংলমদা মনিলগী মশক ওইনা শাথোক্লুনা লৈকম খংদনা মাংখিবদগীনি মপুক মুংনাং মুংঙোম্নবা ৱাখন্না মশাবু থুহুম লৈচিনখিবনা লৈঙমনিংলক্তহুনা অৱা মুংশি মুংঙোন রাখনবু পোত্থানবা হাইনা চীংমান উরক ৱারক্তা কোইনা চত্তুনা মতম থরা লৈরম্মগা মকম খংহন্দনা মাংখ্রে ।।x

মতুংদা মনাও হৈনাও পোইনা ময়াম্বনা পোকলম্বা মচা হৈরোং ঙাংলেনগী মথক্তা লান্দারকলে ।। ইয়াম্বনা লৈপূবম্বা লৈফমদি শপ্তৌ ইপাগী লৈফম্নি ঐনা তানফঙদবা লৈফম্নি হাইহুনা লালহৌহুনা মুংল্ল ।। মতম অসিদো মৈতৈঙু নোংদালাই পাখংবা হৌ লম্মাইনবা কংলৈশ্না পুংমাইয়োন লৈবাক অসিদা লৈঙম্বা মশক পুম্বনা খোইয়ুম লাইগতা লোইনহুমা অৱাবা অনংবা মশক খংদনা লাইতংলা লৈপানবা হৈয়মচঙদগী হৌনা লৈঙম্লকপনা কৈদোম মরিগী লুচিংবা হয়িচং কৌবগী মপুঙি লাকয়েন তংখাই ফাওবনু অৱা অন লৈখংদনা লৈপাল্লম্ববু তানফংনরাক্ত্রে ।। চানা থক্লবা, শেংনা ইম্নবা, পরম খুদিংদা মনিং তম্মা তানফংনবদা ৱাঙম্নরহুনা লৈবাক হৌনা ৱাতাঅহুনা লৌউবা হাইবা পরম শিল্লম অমা থৌহৌনরে ।। খুংলাই খুংঙুদি খন মকু মমাকপু, মমংক্না তেতি ফাইএ, মচুদি অমুবনি ।। মকুনা অরং ফাইএ, মচুদি অঙৌবনি ।। লেংঙা কৌবা ৱানা পোংপু শেংম্ন ।। উয়ুংনা ঙাংজৈনা ওইরে ।। য়াইরিনঃ লুম্নি হাপ্লে ।। নো লৈশঙনা য়োংথোন হাপ্লে ।। লম্মুক্না বাইখুম্নিং হাপ্লে ।। খোকৱানা য়োংথাংলল তাহুনা হাপ্লে ।। লাইৱানা শাক্তে শোম্ন ।। য়োংহিংনা লোংখুম পাল্লে ।। লৈফম্মু চাবশৌদুং, অহোংপাং, কংলৈখোং, শুই পোকপি, লৈফম মরিদা কৈদোম মরি থাইনা লৈফম্মু য়াংলে ।। মতম অসিদা হৈনাওপোই লুচিংবগী মদাইরেন নোংলেন খোম্মৌবু মচানিপা অমা তানফংহুনা মমিংবু নোংচুম্বা মিংহুল্লে ।।x

লৌতাবা থাজা থবান নুমিৎ লেপ্তুনা লৌতাবা

মাইগৈ মরি শুংদাই মরিদা পানফম্নিবা তাইবংপুম্বনা ত্থিলু ফম্বাল লংহুনা লৌউ লৌতাবা থাজা মুমিৎ থবানবু লেপ্লহুনা লৌতানবা থোপুনরে ।। ফাইরেন থাজা ৫নি পানবা হৈয়ং কৌবা মরুনা লৈপুবা মুমিৎকি অযুক্কী কোলুপ ৫ তাবদগী কাংলুপ অমনা লৌতাহুনা মালেম্ব, থিঙ্গাইবা হৌঙম্লে ।। কাংলুপ অমনা মালেম অঙানবনা যুংথক থানবদগী লৈহৌনহুনা মু থিল পোপ্তাগী মমুং কোলুপ (৩) তাবা ফাওবা মরোৎ মরুনা লৈচং লৈপুবা মমুংদা লৌতানহুনা মালেম্ব, থিঙ্গাইবা থৌহৌনহুনা ময়ুম এলুপমা ৬ কি মাগী মাগী লুচিংবা সং লাইয়েক্কি রাংবরেল, নং লাইয়েক্কি ঙৌবরেল, হুং লাইয়েক্কি য়োংমুরাও, উং লাইয়েক্কি খেমানবা, ঙা লাইয়েক্কি রাও রাংবা, কোং লাইয়েক্কি ইমুশনবা শমপোৎ ৬ না লুচিংহুনা শৈরাও শৈখুমননা মালেম্ব, থিঙ্গাইরকলে । মৈতৈঙ্‌ পাথংবা মোংদালাই মালেম্ব, থিঙ্গাইবদা পাওশানববু হাইগে নোংচুপ লৈপু লৈফম্বা হৈ নাওপোইনা হাইএ হে হে হং সো, হো হোই হে মালেম শমপোৎলোই হো হোই মালেম থিঙ্গাইবা লৈহৌরেদো । হো হোই তিঙ্গোই পুমথাং লোল্লেদো । হো হোই হে হে হে ইতাও হৈয়ানগেদহৌ ।।

মৈতৈঙ্‌ খুলংলোইনা হাইদো– হে হে হং সো য়োইবু য়োই হৈ ওক্রবা কৌথা তানজমশে ।। হে হে হংসো, য়োইবু য়োই হৈ চান্নবা কাওথুম খুঞ্জিনশে হোই হোই ।.x

মৈ তৈঙ্‌ পাথংবা লৌলিংবা হাইনা লৌক্নম খুদি দা খোঙুনবেদো– কাংলম কাংখুন ৩'৩ পয়েং নাইনা লৈতক লৈপুনহুনা মুপী মুপা হৌনা লৌহো ফৌমানবিবু চারি লিংনার'ক্লদো ।। মহুদা পাওশানৈদো নিপাশিংনা হাই - হো হোই হোই হোইতৌ হোয়ানগেদা হৌ ।। খুলংলোই মুপীনা খুম্মিদো—হে খোইনৌ ইতাশা সিখোং ইবুং ঙানবা ওক্লা রাবু পাওজেনহৌসে, হৌইতৌ হোয়ানশিদো ।।

মৈতৈঙু লাংবন কারক্লবদা অশাই অশঙ্কু য়াওনা চৈবুল লেংদা খোংনদুনা পাওশানৈদো

হে, হে, হে ইও হে হে ইও, য়ারৌ কারে হে হে ইও, ।। লাংবন কারে হে হে ইও ।। সিখোং ইবুং ঙাইনবা, ওক্লা রাহৈ পাওথম্নসে হে হে ইও ।। সিখোং ইবুং থুনবা জিক্কোন জংঙজিংসে ।।

লিকোন=থাগী পোক্লথোং হয়িচঙী কুমশিং ৭, ৮৯০০০ (লাপুন তরেৎ ড়িপুন মরিক্তুতরা মাপন লৈচংবদা ঙাংথঙাংলেম্না মপাগী খুবম্ তানহঙে হাখন্দুনা ঔহ্রাংলমদা হেনবা লৈঙ্কমদগীবু লানমি থবব্ খোমহুনা মতোন হৈনাওপোক্তগী মথক্তা লান্দরক্লে ।। লানহৌরকপা মতমদা লৈথং হৌদ-বদগী মতোন হেনাওপোইগী লাংমিবু ০াংহৌবনা লাঞ্জেন মংঙুইনাখিছুন লৈযম্ লেথিবদা খঙদমা চেনখ্রে ।। নোংচুপ মুবা লেংক্লৌ কোনবু ঙাংথাঙাংলেম্না লুচিংবা থোদা নোংদম থৌপুবা ওইহুনা মপাগী খুবম্ লেপ্লে ।। মতোম্না পোক্লম্বা মনাঙ নোংচুম্বা কৌবনা চক্তংদুনা হাইজ্জরংবগী নাঙ-কোল লৈপম্লীখি ।।x

নাবা শিবা খোরম্ব্রু তাইবংশিঙ্গী খোউম থৌপু ওইনবা থৌশিনবা

লাইমিংথোই অশিবনা (চবা থুংলো অমাইবা) মিং থুল্লে ।। পাখংবংশা কোঞ্জম্ থোক-পনা শানক লাইনৌতাবী হাইনা শাথোক্লুনা নোংথো অহা, লৈচিন্দা যম্বাল লানা মাইগী মরি ওদাই মরিবু কোইজ্জাইনা চেন্দুনা শনিবপু খিংহুনা পাওজেন পাওশ হৈএ ।। মালেমদা লৈবা তাইব শিনা মচি মচি থুদিংদা মনপ মপে মপে তিম্লহুনা পাওশনৈ ।। খোইয়ুম কনাবু ওইগবা শনিকপু নিক্লুনা পাওশানরিবা মবোন্দি লেখংদে, অহুগা শনিক্তি য়ম্বা হংখোন অশিনা কয়াদা লেইঙ্ক খোইলানরিবা মুশিংখদা মংপাইনা পাংশানাববা মরোল অহুনা বরি বাবু ওইরিগবা খনদংবদো ।। অংদ খোইংম পাওজেনব অসিবু মালেমদা বৌংহুনা পাওশারিবা পরম অসি লৈখনবা তৌচম তাশংদা হাংগহুনা মংম তনুপ লুচিংব ও=স=দা থরেল, ন - তৌবরেল. জ বো মর ও, ঈং=শংজেন - চোমানবা ঙা=লৈচে ঙাদা, কে কদিংলা নিমম নব মথোই ওনা নচি হুনা তাইব পুম্বগা লোইনহুন। হৈরো ও পও কনগী মথমদা লাক্লুনা রা তম্নবা হৌরবে ।। তাইবং পম্লমক্ল লিংলিং অমতা খংনা হাইববদা হৈরো ঙাংপা ওংলেনশু থৌবাহুনা নোংলোন অহাবগী লৈচিন মবকা পাওংবব থাংকোনরক্লে ।। পাওশানা পাওজেল্লিবা খোইয়ুম নংবু কনানো ? নঙা পাওজুনম কুবি চোংদংহনা নোংজেনগী মালেমদা শিনবা থুংনা লৈকুম পাওজেনবিহুনা খোইয়ুম নঙী পাওশাবু পরম খনা তাইব এখাইনু তংজনভবা কুবিও। তাইবং-শিংনা পাওজুনবু খোইজনা তাজগে থাকোবনু তাবদা খোইয়ুম অনননা কৌব্রুপা, রাংবনগা, থাংজিঙ্গা খোংয়ুম অহুমগা বাতানরম্মগা মালেমদা খোংদারক্লে ।। শনিক লাইনৌতাবীগা চেংবা থুংলো অমাইবগা অনিনা মালেম শিন্না চেন্দুনা শনিক মথোনবু হৌনা নিক্লুনা লওএ ।। হাইদোকনু হাইবদো হাইদোক্লবা ওম্নরোইএ খোইয়ুমশা, য়াঈফা মুংঙাইবা মথৈদি খোইয়ুম নখোইনা নারোংলুনা

লোংশিন্দুনা লৈথম্লে ।। ঐগী তাইবং ইপা ইচা মখৈদি মুংঙাই য়াইফবা মশক খ হন্দনা পংনা লৈপান থোপুনহনবা করম য়েংহুনা লৈশিবা তাকঙমদবা য়ারয়োই পিঙমদবা ঙম্নয়োই লাও লাওহুনা মাইগৈ মরি চিরা মরি লাওহুনা কোইজাই নৈএ ।। কৌব্রু, রাংব্রেন; থাংজিং অহুম্না শাথোক্তুনা অমাইবা অমাইবী অনিগী মতুং ইম্না তান্নহুনা হাইদোকম্নু অমাইবা অমাইবী খোইধুম ঐখোইগী-দমক্তা লৈখাক্তুনা লৈথম্লবা থৌরম অনিহুতা মঙাইরে, তাইবং কনাদগুম্ভ কুবি নো দম্বীবা তৌবিগনু ।। তাইবঙ্গা খোইযুমগা য়াইফ থৌরম লৈমান্নহনবিগম্নু পাওশানা লাওহুনা লাই অহুম্না কোইতান তান্নবা উবদা তাইব পুম্বা মথুম মরাং তৌনরে ।। পাওজেন ৈবা খোইযুমগু খোইযুম অহুম পাওশাবু য়াবিগনু তাইবংলক্তা লৈচংলকও কুবি নোংদম তম্বীরম্মু, হাইনা লমথোং খুদিং লৈথক্তুনা লাওগুম্নরক্লে । অমাইবগা অমাইবীগা ২ না নিংশাবু ফুইনা ফুইনা খপেং খপেং লৈহান্না তাইবং লক্তা চেনশিল্লক্তুনা খোইযুমশিংনা উদনবনি হাইনা লোক্তুনা তাইবং লক্তা লৈথম্লে ।। তাইব লক্তা লৈচংহুনা লৈঙমখিবা তাইবংনগু মপুক খোইজং খোইদানা কৌশিন্দুনা লৈমিম্নখিবা উবদা লাই অহুম্না ছাইঙম্মি, লাইমিংথোইবু লৈচ খ্রবনিনা নোংদমদি শোইদনা থৌগুম্নক্লনি থৌরম অসিদা তে-বাংমবা করিবু করম তৌশিবনা হওঙ রাংব্রেম্না ।। কৌনুনা হাইএ, ঐখোইগী থৌসমদি হহ-বিরম্মি লাইমিংথোইনা থৌরম্ব, হোযানা তাইবংশিংনা তৌগ্রবদা ঐখোই অহুম্ব, ঐবুনা (অমাই নপফবা) হাইনা লাইনা খুদিংবু লাইয়েংহুনা থোমহুনা তৈহুনা থক্তুনা অনা লাইওং লাইশরুপু কোকচহুনা লৈঙমজবা ঙমজনবা থৌবাংহুনা হিদাক্লোন হাইনা পুথোকনা লেংঙি পাল্লিবা অচংপা চগুবা পুম্নমক্কী লৈকমদগী লৈবৌহুনা থৌপুববু থৌজন্নদো তনফননবু রাওম্নযা পবম্ব, খাইন মতিক ময়াই লৈহাপ লৈথম্নববু থৌপুনা মঙম তরং হৌনা মবেক মহাওবু লোহুনা অনা লাইয়ংবা ওইনা লাকদবনি নোংদম্নম্ন ।। রাংব্রম্না লাইনা লাইথু পুম্ববু লাইকোক হন্দুনা তাইব শি বু লৈপঙবা ঙমজনবা লাইমিংবু নাপনলেম্বা অমাইবা মিংহুম্না (লাইগী রা, লাইমিং পাওশা মঙম্ব) শোন্দুনা কামহুনা পীথক্তুনা, তৈহুনা ইরাং থৌনিহুনা অনা লাইযেবা নশক ওইনা শাথোকউ ।। খে ই-যুম থংনরেল থা জিং পাথংবনা লাইমিবু নোংখাইবা = মবি লিশাবা) অমাই পুরেন লৈশং, লৈহাং নোংদম পাওশাবা ওইগুম্বীহুনা থুংফাং মঙানা মার িশ, লিশেমহুনা অনা লাইথুং লাইচুবা তিঞ্জুবা লাইনা পুম্ববু কোকহন্দুনা লৈপ নহনবা থৌবম থৌপুবা (অমাই পুরেন নোংদম পাওশাবা) ওইনা থোকঙমলকউ হাইরমদবরা ।। লাইমিংথোই থংনরেল থাংজিংনা হাইএ, ঈরাং কৌব্রু, অগুম্পা লাইমিংথোইগী নোংদম ময়াথংবু থৌপুনা নখোই ঐখোইগু শাথোক শাইওন লৈংমহুনা লাইমিংথোইগী নোংদম্নু থৌওম থৌপুনবা শাথোক শাফোংনরশি হাইহুনা মাগী মগী মঙম্ব থৌ-পুনহুনা লৈফম খুদিংদা শাথোক্তুনা খোদায় থৌপুনবা রাহৌনগ্রে । x

মৈতৈগী নোংদালাই খোইয়ুম ২ না তাইব লৈঙম্নবদা তাইবং মখৈনা লৈকোইশিন্দুনা মোঙ্গাং দনা চংঙমজেএ ।। নোংদম পাওজেল কুবি লৈবা খোইয়ুম চেংবা থুংলো পাওশাবা খোইয়ুম লাইশিং মখোইগী দমক্তা চৈখোল্লনা মুঙাই য়াইফংবা পরম অমি লৈগমক্রে তাবঙমখিবা কুবি নোংদম্না পাওশানখিবা অদুবু পরম থোংম চৎলগু করি করম থোপুনা য়াইফং মুংঙাইবা তানফং মবনো ? ঐখোই তাইব বুগু নোংদম্মীদুনা খোইয়ুমশিংনা মুংঙাই য়াইফা তানফংনবগুম্না তাইবং ঐখোইগু তানফংজনা কুবিও । তাইবং শা থোংম অমি অসিদো লাইগা তাইবঙ্গাপুম্না তানফং-নবা য়াবা চৎলম নত্তে লাইনা তানফংজরে তাইবংদা নোংদম্না য়াদে, তাইবংনা থোপুজরে লাইনা তানফং থোপুজনবা য়াবা য়াইফং থোবম নত্তে ।। থোংম অমি অশিদি মপোক শাথোক অমিগী মমুংদা মপোক শাথোক থোংলম অমাংনা তানফং থোপুজগদবনি ।। মপোক থোংলম অমি হাইং-বদি (লাইপোক শাফোংবা ইফোংবা খোংলম চৎলম অদুবু হাইবনি, থোরমদি নং ঐ অসিনা করিগুম্না থোরম অমবু থোঙম থোপুগে নিংবা, নিংজিবা থোরম অদুদি ঐতনা থোঙম্নবা থোপুবা য়াঙমদবা ওইদুনা থোরম্ব, তেংবানবা এহাক্তি মহাক শুংবা চহাক কৌবা মশক অমবু খুদক অদুদা নং এগী চকংদগী শাথোকহন্দুনা শাফোংজগা থোপুমিন্নবা মপোক অসি লাইগী মপোক কৌইদো, মপোক অগুম্না শাফংবা লৈহানখিবন য়াইফং থোবম্ব, মখাইনা লৌদুনা লৈরোংপান । অদুবু পাগা পাগা তিলু ফম্বান্নদুনা লাইপাক্তগী অথোই চংখোনববু হুম্না নোংদম পুংাং লৈগুনা পলেম মমগী হাক শিমায়ুদা থাজা ১০বু নওপুনা হক্তি খোংলান চগী মমুংদগী শাথো পেক্রপুং কৌবগী খোংলম্ব, লৈকুম্নকুনা শাথোক শাফংরিব মপোক অশি মখৈদি তাইবং হাইবা মশক্তি মপোক্তি । মশাক শাথাক খোংলম্ব, লৈতিংদবনা থোরম অসিদো লাইগা তাইবঙ্গাপুম্না তান-ফংমিন্নবা য়াদে, থোবম অদুদি লাইনা থোপুবা ওইবনা য়াওফদে লাইগী মুংঙাইনবা তাইবংনা তেংবাংদগনি । তাইবংনা তানফংনবগুম্ন, খোইয়ুমশিংনা তাইবংনা তানফংগনি । লাইবনা তান-ফংলগুম, খোইয়ুমশিংনা তাইবংবু য়াইফনবা মুংঙাইনবা তেংবাং থোপুনদবা চৎলম্মি । ঐখোই লাইশিন মখাইদা নোংদম্না ওইনা লাংবাগুমনা হাইদাম্লেনা খোয়ম্রবানা লাই মখোইদগী মুনন দ পরম্ব, পুনা লৈঙমখ্র, অদুবু এগীদি তাইবং হপাচানা হবপিন লৈমুনবু থোগান ঐনা গুম্না মখৈবু নোংদম্না লাইদা চজ হাইজদুনা নখোই খাইনা সিদব য়াদে মহাইববা নপুক খোইজং খোইদবা মনরবদি খোংয়ুমশিংদগী লৈমুনবা তোঙমলমগনি নখোই খাইগী মরম্না ঐগু লৈঙম্ন-বনিনা ।। হৈরোং ঙাংথা ঙাংলেম্নাহ ডি- চেংবা থুংলেন অমাইব, মুংঙাই য়াইফংবা থোরম অমিবু লোংশিন্দুনা লৈথম্মি খোইয়ুম মখোইগী শুইরনি হাইনা পাওদাকপাদ তাকঙম্নীরে অদুবু করি করম্না মুংঙাইবনো, থোরমগী মমিংনা করি কৌবনো ? ঙাংথা ঙাংলেন থোরম অমদি (নাবা) কৌএ,

থৌরম অমনা লৈহৌকমদা লৈহনবা, লৈতিনফমদা থিল্লগ. অনৌশাফোংনহনবা চৎলম শিবা কৌএ ॥ মতুদি কমদৌনা থৌপুবনো? ঙাংথা ঙাংলেন থৌরম অতুদি নখোইদী তানফংনদ্রি করম্না থঙবা ঐখোই তানফংলবতনা খংবনি নখোই খ্বাইনা খঙ্গে উগে মহাইরবনিনা ঐ অনাবা লাইথুং ১০৮ গী চৈবি তেমথেং তানফংবা ওইরগে খংনহৌরো হাইতুনা অনাবা শারে ॥ মতুদা শানিক লাইনৌ-তাবিনা তাইবং পুম্বদা থ্বোদাহুনা অনাবগী থৌগনবু তৌহল্লে ॥ চাগে হাইবা মশকপু অরৈ লৈতা থংদনা থিহন্দুনা পিজনবা থৌপুহন্দুনা অনাবগী মশা মউবু শিংনান্দুনা অনাবগী মুংঙাইনবনি হাইতুনা মীয়াম চংতুনা থৌগলহল্লে ॥ থৌরম্ব উবদা তাইবং পুম্বনা খল্লে ॥ মশি য়াম্না মুংঙাইবা মশক নিদনা থবক থনাই লৈশুবশু অনাবনি ঙমদ্রবনি হাইতুনা য়াওহন্দে অতুগা মাগী চানাবদি ঐখোই খ্বাইনা থিতুনা পিজনবা থৌপুবা থবক থনাইবু লৈশুবা তৌদনা মুংঙাইনা হিগুনা ফমতুনা কোইনা চত্তুনা চাথকুনা লৈবনিদনা ॥ হঞ্জিলক্লে অনাবগী মথৌনি হাইতুনা মশা মউবু নমহন নোইহনবা থৌরমশিদি য়াম্না মুংঙাইবা চৎলম থৌরম্নি ॥ ঐখোই তাইবং মখৈনা মাতুনা লৈঙমগ্রবদি অনা-বগী মুংঙাইনবা নাবা যাওদবা মখোই লাই মখৈনা ঐখোইগী মুংঙাইনবা থৌবম্ব লাইশিংনা থৌপুনবা ওইঙম্বা তাঙম্বা থৌঙম্নি থৌরম অসি লাইদগী লৈতৌনবা তৌজন্নশি হাইনা য়ারেপ্নতুনা অনাবা শাঙম্বা চেংবা খুংলৌ অমাইবদা হাইজরে ॥ চেংবা খুংলৌ মাইবনা হাইএ, তাই-বংশা শনিক লাইনৌতবী অমাইবীদা লাইগী লাইবাওবু কৈহংলু পুরুম থৌনি হরাৎ করি কায়াবু থৌপুরগা লাইশিংবু য়াঙম্বা য়াগবা লৈহংঙু তাকপীরে ॥ তাইবংসিংনা য়াহংলে শানিক লাইনৌ তারীনা শানিক লাইমাং ফমতুনা পাওদাক্লে ॥ "হাই তাইবংশা খোইয়ুম লাইবু ঙমগে তানবদি থাজ অমগী মমুংদা থাজা নোংমা লৈপান মুমিত্তা ১১নি লৈপানবা' ২১ নি লৈপানবা কোরৌ থাজা অতুনা খোইযুম লাইবু থাকৌনা পাওশানবা ওইঙমজৌ খোইযুম লাইবু ঙম্ব'ন পাওজেল্লে ॥" লাইগী পাওজেলবু কৌতুনা কোরৌ থাজা নোংমা পানবদা চেংবা খুংলৌ অমাইবন মৈরু হরাৎ থৌনিনা খোইয়ুম লাইথুং ১০৮ বু থাকৌরে। চেংবা খুংলৌ অমাইবনা থাকৌনরব্রবদা খোইয়ুম পুম্বা লৈঙম্বা থাঙম্বা য়াদতুনা লাকওয়ে ॥ খোইযুম পুম্বনা হাইজেএ, লাইমিংথোই মচুবু ঐখোইনা ঙম্বরা লাইমিংথোই নচিন ননাওগী নোংদম্নি খোইযুম ঐখোইদি নঙ্গী নোংদমতবু থৌবুবনি তাই-বংশিনা হোয়াজবা থৌঙমদো কুবি নোংদম তম্বীরো লাইনা লাইথং লাই ১০৮ ঐখোইবু থৌয়া-জরে নোংদমদো পাওশানতুনা লাইমিংথোই চেংবা খুংথিন অমাইবনা লাইনা লাইথং ১০৮ তাইবং অপকমা নখোইনা তানফংবা নশরুক ওইরো নোংদমদে তাইবংনা মপুক খোইজনা থৌয়াব্রে ॥X

মৈতৈগু পা-খংবা তাইবংশিংনা খোয়ারবদা নাবা হৌরে হৈরোং ঙাংথা ঙাংলেন কৌববু॥ শনিক লাইনৌ তাবীনা পাওশাদুনা নপযবা অমাইবনা (হকলোন, এল্লোন) হাইবা থিদাক ৩৮

লাইথুং ১০৮ বু মাংহম্নবা লৈতাক্কুনা লাইয়েংহুনা খংহল্লি। নপল্লেম্বা অমাইবনা লাইমিং লাইশোন্দুনা ইরাৎ থৌনিহুনা মুংঙাইহল্লি ॥ নোংথাই অমাইবনা মরি শুহুনা হরঙী মহুঙী মুংঙাইনবা তৌঙমহুনা চানিং থকনিংবতা হং হংহুনা পিজ পিথক্কুনা মুংঙাইনবতা থৌপুনহুনা লাইগী তাইবঙ্গা চংহুনা মুংঙাইহন্দুনা মশা মউবু নমহুনা লোইহুন অমা লাক করি চানিংবা হংহুনা পুঙমলকুনা মপুক পেম্না পিজপিথক্কহুনা থৌগন মী মান্দুনা লৈচানহুনা লাইয়েংহুনা ঙাংথা ঙাংলেন নাবা ফংব ॥ মদা মথং মথং নাম্লক্লে, মাইবা (৩)নে, অমাইবা অমাইবীনে খোংলোই লারোই শিংলোইগা লোইননা লমথোং থুদিং চত্তুনা কনা কনা নাবা যেকপা লৈঙম্বরা অনাববু মুংঙাই য়াইফহনগে হাইবগী ঐখোই লাক্লিএ হাইহুনা অনাবা শিংবু মনি মখা তম্না মুংঙাইনবা তৌবিহুনা হিদাক লাইরা খুংলি শুববু তাকপী তম্বীহুনা অনাবশু ফহল্লি মশা মউশু ফহল্লি চানিং চানিংবতা তানফংন্দুনা চাহন থকহম্না লৈপাল হল্লে ॥ মহুদা তাইবংশিংনা রাখম্নহুনা হলে চেংবা খাথন অমাইবা শনিক লাইনৌতাবী থৌরম অশিদি তানফাংহুনা য়াইফা মুংঙাইবা তানফংলে অহুবু থৌরম অমদি লৈশু লৈখংনজদ্রে তানফংবশু নোংদম্বীদ্রী অদুগা থৌরমগী মম্মিংনা করিবু কৌবা, থৌরম অদুগী চৎলম্না কমদৌবা ? পরম থৌরমগা লৈতাবগীঙম্না চৎলম অদুশু কুবিবা শুইবিরো ॥ তাইবংশা নখোংশে মুংঙাইনবগী নোংদম্বগী নপুক পেনবা নাইদেদা থৌরমগী মমিংদি (অশিংবাই মঙম থৌপুবা) লৈহুন্না খোইযুমশিংনা তেংবানববু নেংদম্লম্বা লাইবু তানফংজনিংবা মতমদা (শিবা) হাইবা থৌঙম অহুবু থৌপুজরগা তানফংবা ওংজগে হাইহুনা পোৎচপ্পুরবা মঙল্লি অদুর নংগাইগী ওইনা তানফংলগে মহাইববনিনা তানফংজরো কৌরৌ অশিদগী লৈতংহৌনা থেংঙম থৌপুবা শিংথেক শিংথানা লৈথম্বা ওইনরা ॥ অদুগা অশিরোই হাইবা অশিগী চৎলমদি হাইগে তাঙমলো লোইজংনা থৌরম চৎলম্বু থৌপুনদবা যাদেদো ॥ মতুংদি অসিনি হাইগে তাইবং নখোই অসিনা মুংঙাই য়াইফংবা হইবা নোংদম অসিবু লৌশিনগদবগী তোংনবা অসিদা খোইযুম শিংগী মুংঙাই যাইফনা লেপাল্লম্বশি যাহাল্লই হাইরবনিদো নদম্বন লৈতংহুম্বদি যাইফবা নোংদমদি শরননি আনন্দ মতুবু নাবা হাইবা য়াইফং থৌরম অসিমশু নখাইনা লাইশিংদগী মুন্দুনা লৌবিবেদা অশিবা হাইবা থৌঙম চৎলম আসতাদ খোইযুমশিঙ্গী লৈজশন্থ কাইনদা তাইব নখোইনা লৌশিল্লনি খোইযুমশিংদা পীডমলোই মহাইরবাননা লৌননি লৌশিল্লা নখোই পক্লেম মমানা নাওপুরগা মপোক শহুনবু থাগী পোক্লা থোংলমদা শাথোকপা মশক পুদুগী য়াইফা থৌরম্বু তানফংবগী অরোইবা তানথেংনবা ওইজরো ॥ অদুগা অশিরোই হাইব থৌরম আসনা য়াইফংবা চৎলমদি নখোইনা নঙ্গী নঙ্গী নশক নওংবু অনৌবা শক্তম অমা লৈহাংগ নোংদম্নবদা থৌঙম থৌপুনগদবা চৎলমনিদো ॥ অশিরোইবু থৌপুনগ্রব মহাক্তি তাইবং মাগী হৌনরকফম ওইবা তাইবং মালং কোকজাইনরিউদা মশকপু উঙমজববু নোংকোবৌ অমওংবু তানফংজগে নিংজবদা তেংবানবা

মপুবু তানফংজহুনা কুমজা অমবু লৈচুপ্পা মফম্মাংদা লৈজরগা অমুক তাইবংলক্না অনৌই। মশকপু লৈশিন্দুনা শাথোক শাফোংনগদবনিদো ।। নোংকোয়ৌ অমগি মন্নুংদা মিহিং অমগী মতমদবু উজবা তানফংবদো নোংদম্বিয়্ রাখল্লহুনা থৌকাওনদনা নোংদম্বা মাগী লাইমিংতবু শিংথেক শিংহাম্লহুনা থাগোনজবদা তানফংব্রবা মশকপু উত্তমগনি তাবদা তাইবং পুম্বা অশিরোই মত্তম্ ঐহাম্না লৈপুগে মুম্নরে ।।X

অশিরোই চৎলম থোঔবা

লুচিংবা হৈয়োং ভাংথ ভাংলেম্না নাহুনা অমাইবা নপফবনা তাইংঙী হত্তগী ন্.হৈনা লাইথুং ১০৮ গী লাইনবু মাংহল্লবা য়েল্লোন হাইবা হিদাক মরম ৩৮ বু লৌহুনা লৈফমগী লাইমিংবু শোন্দুনা পীথক্লুনা তৈহুনা লাইয়েংলে ।। অমাইবা নাপললেম্বনা অনা লাইওংবু থৌয়েংনা লাইমিং লাইশোল ইরাং থৌনিনহুনা অনাবা কয়াবু ফহল্লে ।। নোংখাই পুরেন মাইবনা মরি লিশা লিখাইবিহুনা লাইয়েংবদা নাবা ফহুনা মুংঙাই য়াইফংনা লৈপাল্লে ।। মতুংদা হেংবানবগী মপুবু তানফংলুগে রাখল্লহুনা অশিরোই মত্তম্ থৌত্তম থৌপুনগে নিংহুনা ভাংথা ভাংলনবু অমম থৌরম্ থৌত্তম থৌ-পুনগে রাখল্লক্লুনা নোংখাই রাখল্লক্লুনা নোংখাই পুরেল অমাইবনা মিহিং গুদিঙ্গী থোংজোন লৈফম্ লাইমিং লাইয়েক লৈপির ।। থেংগোংমায়াই শুমদোংপান শংলেন শঙ্গাই যুমফমগা, নোংশা যুম-ফমগা অনিবু লৈশোক্লা খনশং হাইবা শংলোন কা : না লৈশাবা শং অমবু অরা পোথা লৈফম্ম হাইহুনা শেমহল্লে ।। শঙ্গী মন্নুংদা পুশিন্দুনা লৈথম্লবদা হৈরেং ভাথা ভাংলেন খম্নুং শরা তানবা অমম থরৈ কুম্বা থৌত্তম্ তানযংলে ।। অশিরোই থৌত্তম খোঁপুবা হক্তি অনৌবা হক অমা লৈ-হোংনা লাক্লগদবনি হক অশিবু মাংহন্দুনা হৈথম্লবদি অনৌবা হক অমা লৈশিনববু য়াত্তম লাই অশিবা হক অশিদো (চুকশা মৈথাবা) হাইনা মৈদা থাদোক্লগা গাত্তম ২গী মরক্তগীনা নিংলং অনিগী মরক নথাং ফাওবগী শরুবু মৈথাদনা উৎলোরগা উক্রোং হোংবা হাইবা মত্তম্ থৌপুরগদবনি লিস্তাক নোংদম্বীহুনা থৌপুনবা তৌহল্লে ।। মালেমদগী শিংখন ৬পু লৈহাপহল্লে ।। শিংগন ৬ অসিবু নাক অনিদ উয়ুং ৩ অত্তম য়ুংহুনা লৈহাপ্লে ।। তাইবংশা থৌরম অসিদো পাগী পুগী এলুপ শথাই ৭ কি মত্তিক মঙানবু লৈংল্লকপদা তাংফংনবা অহুম্নুঙ্গীবু ময়ুম ৬ না চুকথা মৈথানবা শিংথাইনহুনা য়াংফং পরম মুংঙাইনববু তানফংনবা কুবি নোংদম থৌপুবনিদো ।। অহুগা শিংবে অশিগী চিরা মরিদা (তোলোংবা রানা) মথোং উয়ুং ওইহুনা থক খন নারেকপবু) খনবিনিদো । মথোং ৎবু

য়ুংঙম্বা লৈফম অসিদো মাইগৈ ৪বু লৈবু লৈঙাকপা লাইঙী ফম্বান ৪বু লৈফানা তুকফানবনিদো ॥ মখোং ৪ অসিদো লাইশক্লা অমমা রাংব্রম্নে (থরাই অঙাইবনে), অমনা থাংজিং (থরাই চেংনা লৈএ), অমনা কৌব্রুনি থরাই অখোম্নুনে, অমনা চিংখৈমরু (থরাই অহোইম্ম) না ওইবনিদো ॥ চুকশা মৈথানরক্লবদা থরাই য়াইবীরেল লৈশংবা কৌবনা থবথল্লিবা অসিগী মথক্তা কাইদোংহুনা নোংদম্বা লাশবু ইঙাইহুনা লৈগদবা লৈফম্লিদো ॥ মহুদা নোংদম্বনা লাক্নুনা মাবু লৌরহুনা (তুলাই মৈরোম্বা) কৌবা শিংঙেল লৈরাংতনা শেম শাববু পুঙম্লক্নুনা তুলাই অহুদা হাপ্নুনা পুঙমখিগদবনি ॥ চেংবা মরু নোংদম্বনা লাক্নুনা লৌজম্লববু ঐখোই খ্বাইনা উঙম্ববু তানক্ক গন্রা ? নখোইদি অশিরোই মঙম্ম লৌপুবা নত্তবনিনা উঙাম্লাই, অশিরোইবু থোপুবা মহাক্কনা থংবা উবা তানগদবনি নখোই ঐখোইনা থঙদবা তৌগদবদি মানা চৎলমদাইদা চুকশা মৈথারিবা হক অহুনা য়াবা হৈখোল অমবু তাক্লকনি (নখোই খ্বাইবু লৈরমখো মুমিৎ থরদং নোংদম্বগী থৌখনবু তানফংজহুনা য়াইফা থৌরম্ম লৈনিরুবা ওইরক্লে) হংইনা পাওশারকপগী থৌরমদি উগনি মশক্তি অনৌ লৈহাংনা শাফোংবা মতমদা কুমজা লৈপুন ফাবদা উগদবনি হাইনা পাওশা শিন্তাক নোংদমহুনা চুকশা মৈথানবা মৈকোইমহুনা মৈথারে ॥ হৈনাওপাইনা পোক্লম্বা মচা নোংচুম্বনা অশিরোইগী চৎলম্ম শৌরা উথাংথৌ য়াংনবা=য়াম্নবা থৌপুহল্লে ॥ চুকশা মৈথাববু থৌরোইরবদা হক মচেৎ ১ না লাইজা হাশ দা থাদারে ॥ হক মচেৎ ১ না মালেমদা লৈচল্লে ॥ তাইবং হকপু শেম্বদা য়াওখিবা লৈফম মশক অহুদা তিলহনবনি তাকপিরে । মতুংদা শৌরা লুথাংবু লৈরোক্নুনা লৈথমহল্লগা তাইবং পুম্বা মকোকপু মউ হতুম্না হৈরুমহৈবা হন্দুনা খাম্বী মৈশেং মৈরাদা য়াইঙমহল্লগা উহং মনানা তরং লাইক্কদ লুপ্নুনা তাইবং পুম্বা খিকপেং হৈচাইনা থাশেংলগা মযুম মযুমদা হনত্রে ॥ মতুংদা তাইবং পুম্ববু তিলু যম্বাল হন্দুনা অশিরোই পবম্ভু তানফংখিবগী য়াইফংনবা লৈঙমহৌবা ইমুং মঙুং লৈমিম্লরম্বা শিংনত্তু লৈমুৎ-লৈ মাংনখিবা মশকপু রাংলেন শরুবু নিংশিং থৌকাওনবা হাইহুনা লাইমিংথোই খুথিন অমাইনা থম্নুং ওইনা লৈঙম্লম্বা মশকপু অনাং অত নাইবা মহাক্কগী মশিক মঙান্দগী অচৎপা চৎলবা লৈঙম্লিবা মশক পুম্ববু শাথোক লৈথম্বীনবা নোংদম্বাবা নোংদম্বনা হৈঙাল লৈশানবা থাশিল্লবপা ওরম্ম পাওশানা তাহন্দুনা কাইনা শেৎনখিংগী হুংশি হুং ঙাম্নবা রাথনরু থৌকাওহল্লে ॥ থম্নুং শাওরা খোংলম্ম তানফংনখিব নাংকোরৌ ৬ নি চৈগুবা মুমিংকৌ অম্নক্তা শরা উথাংথৌ থোপুবা হাইনা তাইবং ময়াম্ম চুকশা মৈথাযমদা চৎহন্দুনা কৌরাৎ লৈৎম্লম্বা লুবু হৈশেং খিকপেং হৈচাই লোক্নুনা লুবু শেম্বা শাবা লাইবু হৈরাংলগা মযুম এলুপ মগী ফিশেং লৈচুগা ফিশংনা পুনশিম্লগা অশিরোইগী মঙম্ম য়াংলিবা নোংচুম্বগী মঙক্তা য়ালহন্দুনা তাইবং ময়ামগা লোইনহুনা মরাম যাংদা পুঙহুক্নুনা লৈথমহল্লে ॥ থম্নুং শরা উথাংথৌ থোপুবা হাইবাশ শিথ্রবা মশক থরাই য়াইবী চগা মিরেল শিদবগবু নোংমা নোংমগী অমমম লৈহল্লক্নুনা লৈথম্লম্বা লু অহুদা ফম্বী কাইদোংযম ওইহুনা মথৌ

মঙম্ব, য়াওগদবগী লৈঙম লৈএ অহুম্নগী মঙম্ব থৌপুবা য়াওনবা কৌশিল্লুবনিদো তাইবংশা ।। কোরৌ অশিদি তাইবঙ্গী হক্লোন ৯ বু লৈশাবা লৈশুরেদো য়াম্ফ খোংকম্ব, তানকংনা লৈহনলকদনগী মযুম পুম্ববু য়াইফা থৌরম্ব, তানফংনবা পুরিং হকচাংবু থিকশেং থাশেংনা লাইনিং চৎলম্ব, থৌপুননা তাইবং ঐগী ঐগী হক=থরাই য়াইবিনা কাইদোংলিবা য়ুমগী মশকপু লৈশেংলো নোংদমনা থিকশেং থাশেংনহল্লে ।। তাইবংশা ঙসিদি তাইবং মশক ওইনা শাফাংলকপা নখোই থিবিকপু পলেম ইমানা শিয়োম্মুংদা থাজা ১০ নাওপুখিবা পরম্ব, লৈশকপা মুমিংনি শাথোক্লকপা লৈফমদা খোংহন খোংচংবু তানফংনবা কোরৌ হয়েংদি লৈহন খোংলম্ব, কাইদনা পলেমনা পম্ভৌদা মপারি খম্নুং শরা তানলকপবু মথৌ মঙম্ব, উক্রোং লৈহোংববু থৌপুনহম্না লৈথিনগদৌরি থৌরম্ব, য়েংহুনা লৈখংহৌননা তাকঙাম্লা হাইনা নোংদমহুনা পাওজেলহল্লে ।। কোরৌ ঙসিগী মুংথিল পোপ্তা হুনবদা নোংদম্বগী পুৱারিবু পাওশানহুনা তাঙম্বগী থৌরম্ব, তাঙম্নহুনা থোরোইরে ।। কোরৌ ঙসি ১১ নি লৈশুবা অশিদো পম্ভৌ নপানা থাজা অমবু নাওপুরম্মগা পলেম নপাগী লৈফমদা লৈশিম্নখিববু লৈশক্তুনা উক্রোং লৈহোংহুনা লৈথিল্লশি নোংদমহুনা লৈহনফমদা লৈথুংনা লৈথিম্নবা থৌপুরে ।।X

লাইমিংথোই চেংবা খুথিন অমাইবা উক্রোং মঙম থৌপুৱগী চৎলম্ব, শিন্তাক্তুনা লাইমিং লাই-শোনগা লৈকম তরাদা পলেম মমানা থাজা ১০ নু নাওপুবদা মিংলনব লাইমিংবু হাইহুনা মশক অহুগা লৈমিম্নরকপা খোইয়ুমশিঙ্গী লৈফমদা লৈহুম্নবা লাইশোনবু থৌপুরে ।। তাইবংলাক্তা শা-থোক্লম্বা অমম লৈশা লৈহন খোংলম্ব, লৈথিবা ভাংথা ভালেন মংবু পোকপাবা নম। শাগংপাগী পোক্লপুঙ্গী খোংলমদা লৈচংনবা হৈরাং লৈরাং লৈহুন্না চেংবা মাইয়োক লৈথানা পুকম লৈপাই নঙমলো হাইনা লাইশোল্লে ।। অশিরাই মঙম্ব, থৌযাল্লিবা নোংচুম্বনা হৈরা, লেরাং চেং, থোই-দিং লৈ, তিংথৌবু পাইহুন লৈহুন লৈরং লৈতমলে ।। অশুম্না পলেম মমাগী শিয়োম্মু দা লৈঙুক্লকপা থাজা ১০ লৈশুরকপদা ফিশেং চাকচা তানফংতা খোলাই মংমং মিংহুনখিবা লাইনিং লাইশোন শিংথারম্বা পরম থৌরম্ব লৈতাক্লা থোংজং লৈচং মম্লগা মবু নোংদম্না লৈমিম্নরম্বা নোংদম্বা লাইগী লৈফমদা হৈরাং লৈরাংহল্লে ।। থৌরম্ব, অশুম্না থাজা ৯ চংবদা নোংদম্বা লাইমিং ফিশেং লৈতাক্তুনা লৈরাং হন্দুনা মথং লেনা হঙ্গংলক্তুনা লোইদা। থাজা অমদা মিংলনবা লাইমিংবু লৈতাংগা লাই-মিং হাইহুনা শেমগংগী মমানা পম্ভৌ মপ শাগংপা কৌবদা লৈথিনহুনা পম্ভৌ মপনা থাজা ১ বু লৈপুবদা মিংলেন লৈহুনববু হাইহুনা মাবু লৈথম্লম্বা খোইয়ুম হুমলেনগী মযম্লাংদা লৈহুল্লে ।। পম্ভৌ মপানা হুমলেন মালংবগী মফম্নাংদা লৈথিলহল্লে ।। হুমলেন মালংবনা তরং লাইজম্না লৈপুরক্তুনা লৈশিম্নরম্বা লাইমিঙ্গা লাইমিঙ্গা লোইননা মাগী লৈফমদা লৈহুন তম্বদা চৎলম ৬ কী লৈহুন থাজা ১২ গী লৈহুন খোংলম্ব, লোইহুনা নোংলোন খোংলম্ব, লৈথিম্নবা লৈখাই পোথারে । X

(১) য়াইবিরেল মি মি হো কৌবা মেরুবা লাইমিংনা (থাংজিং লেপওন লেপশিন) কৌবা ভুমলেন মালং কোইজাইনবনা মাগী লৈফমদগী তাইবং মপোক্তা শাথোক্রুবা থৌরাই য়াইবিরেল-শিদববু তাইবং মিংলেন্দগী মশক মমিংবু হোংদুনা লাইরমলেন্নগী মশক মমিংদা ও. শিনবিদুনা লৈ-থিল্লে ।। হে য়াইবিরেল শিদবা নংদি তাইবংলেন্দগী শাথোক্লকুনা লাইরমলেন্দা লুতিনবা লাক্লব-নিনা কোয়ৌ ওসিদগী থোইয়ুম য়াইবিরেল শিদবা হেথুংহো কৌবতু নংনিদো নংনা তাইবং শা-থোকপদা চাওমখিবা নচিঞ্জাকপু পাওদাক পাওদম্বা ওইনা মৈকৌবদা লৈহুন লৈরাংনা লৈচংলো হাইনা মুংশিংকি মফমদা লৈথিল্লে ।।x

(২) মৈ কৌবগী লৈফমদা য়াইবিরেল শিদবন' মানা তাইবং শাথোক্লুবদা চাওমুবা মচি-ঞ্জাকপু লৈহুন তম্মা লৈথুংলরবদা মানা তরং লাইজনা লৈপুবা লৈথিন্দুনা তাইবং শাথোক্লুবদা চাওম থকওমুবা মশকপু তরং লাইজগী মফম্লাংদা লৈহুন লৈরাংহন্দুনা লাইমিংবু হোয়ুং য়াইবি শিদবা কৌনা লৈথিনবিদুনা লৈচ হন্দুনা লৈথিল্লে ।। অশুম্বা মথং মথং লৈহুন লৈরাংনা থোঙ্গা লৈথুং ফমলেনবু লৈথিন্নদুনা লৈতিনফমদা লৈতিন্নবা পাওশানা লৈথিলহল্লক্লে ।।x

(৩) তরং লাইজনা য়াইবিরেল শিদববু মাগী লৈফমদা লাইমিংবু হোয়ুং কৌনা লৈচং ফম্বাল্লাং-ববু কোবৌ হনবা মালেম অঙানবগী লৈফমদা লৈহুন লৈরাংনা লৈচং হন্দুনা লাইমিংবু য়াইবি তে তৌন্নু কৌনা মেরুবা মিথৈনা (ওমহো কুপ হংচো) লৈহুন্না শিন্নরে ।।x

(৪) য়াইবিরেল শিদবা তেতৌন্নু— ওম হোকুপ হংচো কৌববু লোইদাম থাজা পাথং শাওন লৈতান লৈফম্বগী লৈফমদা কোবৌ হনবনা য়াইবিবেনবু লাইমি (থুপ্পী সংমু) থাকৌনা মেরুবা লৈহুনবু মি ম্বাসো তিন থাক সং) মি হুন্না লৈথিন্দুনা শান্নরে । x

(৫) লোইদম থাজা পাথং শাওন লৈতান লৈপু লৌফম্বনা য়াইবিরেল থুপ্পী সংমু কৌববু মমিং (ওক নিক হিক নিক নপ) মিংহুন্না লাইমিং মেরুনবু শ্না লৈহিং চিক তুকুপলে মিরেল য়াইবি শিদবা লৈহুন্না থরাই পিচা থাবগী লৈফমদা লৈহিন্দুনা শিন্নরে ।।x

(৬) আঞ্জিদা লৈবা মশক পুম্নবু চুপথোক্লিবা থরাইপিচা থাবা কৌবীনা থরাই য়াইবি শিদবা শ্না লৈহিং চিক তুকুপ্লেন মিবেল য়াইবি কৌববু মমিং হোরিক হো থুপ্পী লৈশংমু লৈয়োম্বা কৌনা লাইমিং মেরুববু কুং শং কুং লৈহুন্না রাকপা শক্তিক থরাইপিচা আঞ্জীগী মশক ওইবগী লৈফমদা

লৈথিল্লকুনা লৈশিন্নরে ।। আঙ্গিগী মশকপু ওইবা থরাহৌশিচা রাকপা শক্তিক্রা থগ্রাই শিদববু লাইয়েক হো য়ো সো হাইবা য়াগ্রা ইখোলবু হাপ্তুনা মশকপু নহাক ঐহাক মহাক হাইনা লৈপুশনদুনা য়াইবি শিদবনা তাইবং মশক ওইনা শাফোংবদা থগ্রাই যাইবি মহাক থগ্রাইবু হিংনবগী মশকপু লৈহাপ লৈথম্না চাওম্নবা (ওমলেন ওরা লুকথোংবু) লাংজনা লৈরাং লৈহুনবু লৈকৎহন্দুনা হে মক তেংবানবা অসিবু ইঙাল লৈশা নোংদাম্নবা উংলো য়াইবিরেল শিংবা নঙ্গী নহাক মহাক কৌববু লৈহন্নক্লে নোংদম্বা নংনা তিনবা লৈক্ষমদা তিল্লশিং নংনা লিক্রা পুনগী মন্থুংদা চোংশনবদো য়াওজবু তানফংজববু কুবি নোংদম্না লৈতিন্নরশিদো ওরা ।। হয়ম হোয়াহে ।।X

উক্রোং মঙম থোপুববু লোঃরহুনা তাইবংপুম্বা ফম্বাল লৈতিন মিন্নহুনা অচা অথক লৈবা খিবিকপু চামিন্নহুনা মুংঙাইমিন্নরে ।। মতুদা নোংচুম্বনা হু জৈএ; লাইমিংথোই চেংবা থুখিন অমাহৰ। ইমা শনিক ল্যাইনৌতাবী লুতিন ফম্বাল লাংহুনা অহাও অথুম চাহুনা য়াইফং পাওশাবু শাহুনা মুংঙাই য়াইকংবা অশিদা ঐখোই মখৈতা তিলু ফম্বাল লাংমিন্নহুনা চামিন্নে । অদুনু মু ঙাই য়াইকংজগে হাইবগী অশিরোই মঙম্বু থোপুনদি ই তান লুচি বা ঙ থা ঙংলেম্নি মুংঙাই যাইফংনা চাবা অসিদি যাওবগু য়াওদে অশিবু করি কয়ম তৌরবনো ? নেংচুম্বা চাঙম থকঙবা পরম্নু তাইবং নখোইনা তিলু ফম্বানমিন্নহুনা য়াইফংমিন্নবা অসিদো নংঙান নোংদম্বন মাগী য়াইথ নবা অশিরোই থোপুখিবগী উক্রোং মঙম্বু নখোই খ্বাইবু থোপুনহন্দুনা দিঙবনি নংনা মাদি থোরম অসিদা লৈকম্মিন্নহুনা চাবা থকপা য়াওজম্বদি লাকখিরোইএ ।। নতোম্না নখোই খ্বাইগী নহক্লা হন ঙম্নকুনা তিলু ফম্বানমিন্নহুনা মুঙাই য়াইফং থোরম্নু তাম্মুং পাক্লা চাওনা শানা লানফ তুমা লৈগদবদি অশিরোইবু থোপুনখিবা কোমৌগী শিং থোক শি হাননবা কোবৌ ওঙ লৈ শুন ভুমিগ্রা নখোই খ্বাইনা অশিরোই মঙম উক্রোং লৈচল লৈহোংবা হাংনা নতোংগী য়াইফ নং মঙম চাঙনা তানফংনবা অচা অথকপু লাংহুনা নোংদম্ব মপু উংলো যাইবিরেংগী লৈফমদা লৈহুন তঙ্গীখিগনি ইম্নু ঙানবগী মনু দা লাইরমংন্দগী লৈহল্লমনা নখোইগী নরক্লা লৈরগদবনবা নোংচুম্বা ।। নংনা নতোনগী য়াইফং পরম্নু তানফংনবা নতোম্না অশিরোইবু তানফংনখিবা বাংলম থাঙগী থবান মিং থেকপু ২১ নি পানখিবা নিন্দৃঙ্গী মতু খবান অসিব থোকাওদনবা থাজা খুদিঙ্গী থবান অসিদা নংনা সিগু য়াইফা মরাং কাইনা হনঙমলক্রবা নোংদম্বা লাই উংলো য়াইবিরেল শিদবগী মথমলাংদা নংনা তানফংবা অচা অথক হৈ লৈবু লৈহুন লৈরাং তম্বীনদো ।। অদুগা লাংবন থাজা কোয়ৌ ১৬ নি পানবদগীবু থোহৌনা থাজনা মা খিবা হুনিং ফাওববু তানফংনবা লৈরাংব লৈশোইহুনা লৈরাং উং হংনানা খিকপেংনা নোংদম্বা লাইদা লৈগুম্না পুরুম থাগোনগনিদো ।। করিম্নুঙ্গীবু দমক্লো হাইরবদি নতোম্না লৈগুন ফম্বাল লাংবা হনঙমলকপদা থাজনা নোংমা পানবদগী মপুং লৈফা লৈতাল্লকপবু

থাবান শিংথেক ১৫ লৈশুনদা থাবুং শারেপ লৈফাবদু য়াইফংবা অতুম্ভঙ্গম য়াইফংথৌরম্বু লৈপুন ফানা তানফংনবা থাজা অসিদা থৌপুগনিদো ॥ থাজনা ৫ বুং ফারম্মগা কোরৌ নোংমা নোংমগী মতিক মঙম্ব, শামথনা লৈমুংলুবগুম লৈমুংনগ্রবা নাংনাম্লিদে যাইফংমা লৈপুন ফানা তাল্লবদি থাজনা নৌংগৈননা শাথোক্তনা মপুং লৈপুন ফাবাগুম য়াইফং লৈপুন ফানা হনজম্লকবা থৌপুবনিদো ॥ থৌরম অসিদু থোকাইদনা তাইবং নথোই পুম্বা থৌপুগদবনিদো; তৌজিহ্নি থোইযুম শিঙ্গী যাইফং থৌরম অসিদা লৈরাং লৈথমজনদু তাইবং নথাইনা মন্দুনা লৈগৌরবনিনা অশিরোই হাইবা থোংলম অসিনা তাইবং মপোক পুম্বগী অরা অনং তানফংবদু লৈকোক্রবা য়াইফং, থৌরম ওইনতৌরো, ঐথোই ২গু লৈফম থুদিংদু লৈশুনা লৈকোইন কখিগে থোকঙমলক্লে ॥X

তাইবং পুম্বনা তাকঙম্লম্বা থৌরম্ব, লৈরাংতনবা থৌপুতনা য়াইফা নোংদম্ব, য়াইফংনা থৌপুনা লাকখিনি হনজম্লকখিনি রাথম্লা ভাইতনা লৈঙম্মি ॥ তাইবং যুমথো খুদিঙ্গী অনাবা অশিবা তোই-শিল্লক্লে ॥ কুমজা অমা লৈফানা মথৈবু উক্রোং লৈচাওবা মঙম থৌপুবা হাইবা থৌঙম্ব, থৌঙম্মি, ইমুং ভানবদা হম্লকখিনি হাইবদি হল্লক্লরে ॥ লাইমিংথোই চেবা খুৎলৌ অমাইবগা, মশানৌ কোঙম্ব, থোকপা শানিক লাইনৌতাবী শাবীগা অনিদু লৈফম খরবু লৈয়েংলগা থোইযুম চীংলেন্দা পোগাহনা লৈঙম লৈএ, তাইবংনা নরি কয়াবু হাইজম্বগে হাইহনা পাও তাঙমগে হাইবগী ॥ মতম অশিদা শিখিনা মশকলিং কুমজা অমা লৈশুনগী নোংকোনৌ অমা কোনবদা হনজম্লকদবনি তাক্লম্বদি লৈমাংখিবা তাইবং অতুদি হনজম্লকনব ॥ মতুং মরেংবু লৈশিম্না তাইবং মশক অমদি মমা এইবী শিনা থাজা ১০ নাম্পুবা, পানা থাজা ১ নাওপনা থাজবু ১১ লৈশুনা তাইবং অমদি অংপোক শাথোক্লে ॥ লৈগল্লকপা শাফো মশক লৈঙবু লৈশক থংতন্দনা লৈহল্লকপা অসিদা তাইবংশিংনা লাইগী মরোন মানথনা পাওদাক পাওশানঙম্মি হাইহনা মপুক রাথন্দা তাথিবা লম্নহনা তাইব মথৈ রাতানহুন থোইযুম ২ বু লৈথিনরাক ॥ তাইবংশিংনা মপুক ভাথিনহনা লৈখিবকপবু থ ভাউ রহনা নোংদম অমাম্ক লৈশিম্লবা থৌপুগে । লৈমুং থোংজারেলো রাংরেন, কৌক্র অচিবা, ফাক্কাক অরিবা থা জিং থোইযুম মনা তাংব শিনু মাগী মাগী নোংদম্না পুন্সি লৈপুন নোংদমখিবা মরা লেম্ফবু লৈশোক্রদরিঙগা মমুংদা হুনি নারো নংযুংলাই ৯ না তৌ মথুন গোইথুং ১০৮ না চৈবিনম্লনা অরা তেনথেং য়োহল্লবদা নহান চাওনা থোইযুম মনা মাগী মাগী পুন্সি লেপুনব লেথুংনা য়াইফংনা লৈপাম্লবা তৌবিও তাইবংশিংনা গোইযুম নথোইবু থৌঙইরক্লবা মপুকনা কাওনরবনবদি নঙ্গী নঙ্গী নথৌবু লৈথানহনা লৈঙমনব ওইঙম্ম । নানাল্লম্বা অমাইবা – রাংরেন পাথংবনা তাইবং মথোইগী পুন্সি নোংদম্ব, লৈশোক লৈযৌদরিবা মশৈদ লাইগী রানা লাইমি হারানা লাইথোং শিনথোংবু লৈথিরগা তিনশোন লহাংনম্লা ব মথহনা ইরাং থৌনিবহনা তাইবংশিঙ্গী যাইথনা লৈপহনা থৌবুবিবা ওইবিঙ ॥ নশক্বা অম হব হিদাক্লা নাংথক্লা শাংনা কৌক্রা অচিবনা লৈভাম্বা মনা রানা উরি রারি মনা মশিং উক, উরা, মহৈ মরোং গপাল, মন, মরুনা লাইওং লইহং

লৈয়েংনা পিজা পিথকুনা লাইচু তিনজুববু লাইকোকতন্না য়াইফং থৌরম্ন তানফংনা লৈপান্নবা থৌপুনবা তৌবিও ।। নোংমাই নোংখাইবা— পুক শুচুনা শাবা কোইবেল্লাক খাংজিং পাথংবনা তিঞ্জ লাইচুবা মৈ ঈশিং মুংশিংবি পরম খোংলম চুম্নক্কবা ঈরম খোংলম্ন লৈফুন্নরকলবা নথুং শবাং খুৎশা তরানা মরি লিশা লিথাই লিশেম্বীদুনা অরুম্ববু য়াংনবা অচিনববু কোম্নবা কপয়াং তাং-য়াংনা লৈপান্নবা তৌবিরো ।। অদুগা ঐনা পুন্সিবু লৈথংদুনা মরা লেমফুনা তাওরম্লনদা অমাই পুরেল লৈফুকপা) হাইনা শাথোকুনা পুন্সিবু লৈমিবু লেপ্তুনা তাইবং থৱাই অপকমাবু চংলম লম্বিবু লৈতাকহন্দুনা অমম অঙানবু খোংহাং থৌরমদো ঐগী ইওম ওইরগে ।। খোইয়ুম খোংঙা রেন্না তাইবংশিংবু লোথান্না লৈথম্নবা তৌবিন্নো তাইবংশিঙ্গী খোইশাওবা রাব নেম্নবা পাওশাদি নখোই থৈবিকপু লৈঙাইনা মুংশাংনা লৈফম অশিদা লৈরম্মি নখোইনা খোংবাই য়েনহৌ থেংবনা লৈয়ৌরকপবু ঙাইওমদনা চংখরে, নোঙ্গা খোংলম্ন লৈহাংনবা নোংদম থৌদাব থৌপুনা চংখরে হাইনা পাওশানা লোথামদুনা লৈঙম্নবা থৌবুবিরো মাগী মাগী লৈফমদা হনঙমখিদুনা লৈঙম্নবা থৌশিল্লুরো ।।x

অশিরোই থৌপুখিবনা লৈহনলকপবু লৈখংনদ্রদুনা তাইবং লুচিংবা ১ওন্দৌ রিবা, ২ শক মরিলা, ৩ চনিংহেনবা, ৪ তাইমরেং, ৫ থৌঙরু, ৬ য়োঙাইবা, ৭ লৈফম্বী, ৮ লৈয়াম্বী, ৯ লৈমুং হিকাম্বী, ১০ লৈপাকয়াই কাম্বী, ১১ লিরি লফোংবী, ১২ মরাং তুৱাইবী, ১৩ শজিলাংকম্বী, ১৪ তরং লৈম্না, ১৫ থিক্তোৱী, ১৬ থাখোবী, ১৭ থিকচাওবী, ১৮ থাচাওবী, ১৯ শিংকাবা, ২০ খৌথাবা, ২১ খৌ য়েংবা ২২খৌয়াংবা, ২৩ খৌঙম্বা, ২৪ শাফব, ২৫ লাঞ্জেংঙম্বা অসিনা লুচিং কম্বাল্লাংনা রাজাগী অশিরোইবু থৌপুৱদি মুংঙাইবা পরম্ন য়াইফংদুনা তাইবং মপোক্কি অরাবা থৌরম্ন লৈকোক্লগদবনি ।। মুংঙাইবা মশকপু য়াইফংনদুনা হনঙম্নকদবনি হাইরগা শিখিবা মথৈবু মশক অমা ফাওবা ঐখোংগী ইরক্তা লৈকম্নগু য়াওরবা লৈতে উবশু ফংদ্রে ।। মচিন থিবা লাইনি থিদুনা ফারগা মখোইনা নোংদম অসি মবাঙানিদা অমুক পিঙমগ্রশি থংনবা লোথদবা য়াদ্র হাইনা চত্তুনা থিবক্লে । তাইবং পুম্নবু হৌনদুনা লৈফম খুদিংবু লৈয়েম্নদুনা লৈথিরকপদা লাইমিংথোইগা মশানৌ কোন্দে তনোবগা অনিবু লৈফম চাকম খদনা লৈফম খুদিংদা চেন্দুনা তাইবংনা উদনবা লোৎপবু লোৎফম লৈরকদুনা কণ্ডাওনরকলে ।। কুরুম চিংলেন অরাং ইরোক চীংশা ১২ না নাওকোনবা চীংলেন চীংশা ১১ লোংবা চাংনা কোক্লিবা লম উরিপোকপা লম্নংশিবু য়োঙম্বদা লাইমিংথোইনা হাইএ ।। ইশাঙৌ পাথংবা নপুকপু খোইজং খোইদনখিবা লম উরিপোকপা ল মুংশিবু রাইথংনরে নঙ্গী মন্বাল কুরুম চীংলেনবু তানফংনর, লৈফম অসিদা লৈরোক্তুনা লৈঙম্নবা থৌপুরশি ।। ঐদি তাইবংনা খমং অশিরোই থৌপুরবপ পুম্নমক্কি পরম্ন রাংব্রেন খানা চাওবা পাথংবনা মথৌ মঙম্ন থৌয়েনা থা-গৎলকপা তাইবং হকপু য়াওদ্রবা য়াইবিরেল লৈহল্লকপগী খোঙা লম্বীবু লৈয়েংনা লৈতাকপীনবা

লৈরম্লে, লাইমিংবু থোংঙাক লাইরেম্বা মিংহুম্না লৈফমহুনা নোঙ্গা খোংলম্ব, লৈত্তাকপিহুনা লমহান পুংলেন্দা লৈথিনবিরগা থেঙ্গুম চৌংলেনবু লৈম্লোনবা মকোক ইতুম মাইতানহনবা পরম খোরম লৈফম্ব, শিন্দাকনঙমবিনবা লৈঙমগে ॥ অহুগা ইশানৌ নংদি নপূক থোইচনা শাথোক লৈফমজ-খিবা থম্মং ইঙাল লৈশানরকলবা মুন্নাং চৌঙ্গোন নশাইকোন ফম্বাল লৈফম অাসদা লাইমিংবু চৌংঙ্‌ মুবাং মিংথোই কোন্দেবা লৈহুম্না লাবৈ লৈথ্রঙম্লো নঙ্গী ফালম্ব, লৈগুনবা ।। তাইবনা মঙম তরং হৈনা লৈথিনবা আসদা লৈফম অসি নঙনা লোংনা ফম্বম্মু লৈতম্নে নোংদম্মহুনা চৌংঙ্‌ মচিন মনাওয় তাইবংনা থংদনবা লৈঙম্লে ॥X

লৈম্লু থোংঙাবেম্না থোইযুম মচিন মনাও অনিনা শাথ্রপ লৈফম খিববু উবদা তাইবংশিংবু লৌথামহুনা লৈথম্নবা হাইহ্বনা মহাক্তগী মশক ২বু (তাক্লা ঙানবী, খোইনৌ ঙানবী) মিগুম্না খ্বাই লমহাং পুলেন অশিবোই নোঙ্গা থোংগমদা লৈথতুনা হাইঙম্মি। তাইবং অপকমা খোইনৌ ইশংবী অপুম্বা কাইনা ফুংশি নুংঙোনবা মৈশা লাং মিংশ্মা ইরা ইগৌনাং, থুদাং পিফম লৈতৈনা, নমথাং ফিজিবু ইচোংনহুনা মাইগৈ ৪ শুংদাই ৪বু লৈকোইনা মিকপ মিরাওনহুনা কোইনা লৈথি নবংদা তাইরম্মীদো নখোইবু মুংশানা, নোংদম্বা লাইবু অনিদি কোরৌ নোংগা খোংলম্ব তানফং খোংরইনখরে ॥ হাইরমদববা তাবলমদবরা নখোইদা ? শমু থোংদ হৈনবনা খোংনা তাল্লকও ॥ রাবথৈদা হৈনবনা হিবু তোংনা তাল্লকও ॥ লাঙ্গোই তোংবদা হৈবনা শগোল তোংনা তানঙমলক ॥ য়াঙ্গোই তোংনা হৈঙম্বনা শামু তেংহুনা তানঙমলকও হাইদবরা পাওদাক পাওশানিরমগে তাক-ঙম বরমদনরা তাইবং অপাকমা নখোইবু নপুক রথবু অহুক য়ংম্মা লৈথম্ন অমম্বা হিদাং খোংকম্ব, কবিবু তিথাং লো ॥ হেবন নখোই থ্রুইদমক্লা হাইরম্মিদো ঐখোইদা ॥ নখোই তাইবংপুম্ববু পোকপগু পোবচ, শিবগু মিউ মুংশ থ্রোনা মুশি লৈরোন পরম খোলম্ব লৌখংনা লৈপা মী চুকশা মথ শোনা নুথাং চৌনা ১ঙম চংক্রোং থোপুনহুনা লৈপাংগও ॥ ঙাইনা পুংদা ঙাইরম গ ঙনা পুংদা ইনাশ লৈথরফম্বা লোংনা লো পান খম্বা হংদমগ ॥ হাংগৌ খমজৌ থাপু শরম লৈশাংবা তিতোনফমদা তিয়োম্না তিথংফমদা শিথানা পাংদ মনবা পংদ নবউ ঐ গু নখোইশম্ববু য়াহী খবজৌ লেরোন লো নানবু লোংনবা শিপাকউগু শিম্মারাংগা নখোইনা যহৌ খমজৌ বনা ঙাইঙমলহুনা চংখরে নাহুনা ফদরাং ॥ তাইবং পানবগী মপু নোংদম্বগী কিলাপূনগী নহুংদা চোংশিনখরে ॥ তাইবং পানবগী মপুগু থরাবেনগা মাইবিরেন শিদবগাদা চংখরে ॥ খিঙমহুনা ফ-লরোই যোংবদগু উম্নরোই হংঙুদুনং তাবলবল পাই তাতুনগু থকারাহ ॥ নখোই ঐখোইগী য়াইফ পৌরম্ব হানফমবা থঙাংগনা লৈচাওনা লৈপাম্নবা পুজি মরা থম্মু লৈশোক লৈপাম্নবা নং ঐগী ই থাজম্বু শিম্মানগনা চাকহো, শিংগান লৈপাম্নবা চংথা ইঙম্ব থোপুনবা হনঙম্মশি হাইনা পাওশানা অশিরোই থম্মং থোংলম খো রাংবগী নান লৈ লমহান পুংলেন্দা) লৈথতুনা পাওশানহুনা

তাইবং কোইজাইবা পুম্বু লৌখামদুনা মাগী মাগী ময়ুমদা লৈহঞ্জন্দুনা লৈঙম্মরে ॥ তাক্লা ঙানবী খোইনৌ ঙানবী মখোই ২শু তাইবংশিঙ্গা লোইনদুনা অশিরোইগী চৎকন্থ, মখল মথা শিন্থাক্লুনা লৈমিন্নরে ॥ মপোক কুমজা ২ দগী লৈংেজবদি চুকশা মেথাবা য়াঙাম্লাং লাইরমলেন্দা নাম্নুংনি শিন্থাক্লুনা অপোক ইফাওনববু কুমজা ৩ বু লৈচংদনা থম্‌্‌ শারা তানফংবদি মালেমদা লৈকোম শেমদুনা ফুমদুনা মালেম ইমাদা লৈতিলনহল্ল । লেংফাই লংহংবু তান্নফংদবিবা লাকমিং লাইয়েক তানফংদরিবনা থম্‌্‌ং শারা তাল্লক্লগা কোরৌ ৭নি লৈচংবা ফুমিন্থা উক্রোং মওম্থ লৈহোংনবা থোকম পুনবব্‌ নোংদমদুনা খোরম্থ চৎলম লৈখাইনা লৈপান্নদুনা নাবা শিবা মওম্থ তানফংনা লৈপানবব্‌ থোহৌরে ॥x

মৈতৈশু নোংদালাই পাখংবা মথংলেংনা হৈয়িচক কোবা চক অসিগী মন্নুংদা লৈবাক্তি লুচিং থোপুবা ৮৬৪ লৈপান্দুনা হৌলম্মা হুনবা কংলৈশ্না পুংমাইয়োন্দা নেংদম্বনা তাহব ইপোক ইহনবু নোংদম মউলিং চরি মপান লৈথাদুনা লৈশন্নবা থোপু থোঙম থোপুনবনা মীরোন অসিনা লোইবদা হৈয়াচক কোবা চক ফৈদোম ৮গী ইঙানবু শাফোংনরগে হাঙবগী মঙান মঙম্থ লৈচংনরক্রে ॥ মরাং কৌত্র, অশুপ্পা লৈময়োন খুন্দা অহানবনা হাইএ- তাক্লা ঙানবী, খোইনৌ ঙানবী তাইব, ওঙা য়াঙোইরিবা, মেরা হাইবা থাজা অসিগী থাজা ৯নি পানবা নোংকোরৌ মশিং=নিংথৌকাবা মক্লনা থোপুবা কোলুপ্তা হৈয়াচং কোবা চংবু মপোক ইন্থন তমথ্রেদো, চক অসিনা লৈপানগদবশে তাইবং মপোকী কুমজাদা লাপুন তরাগানিথোই লিপুন মরিফুত্তরা তক্লক= ২৯৩০০০ মপুংনি ওইনা লৈপুরনিদো ॥ মতম থরা অসিদগী তাইবং মী অসি মশাগী খুংশাম হুনি ১৪ দা মরেপ থাংনা পোক্লরনি ফিশেৎ লৈতংবু লুপানা শাবা মশক্লা ওইনরগনিদো মরম অশন্থু লৈথংনা লৈপাল্লো তাক্লে ॥ হয়াচং অসিদা শাথোক্লুনা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা লৈপু লৈপানগদবদি নংথিবা, থরোনী লৈমা চথান্থ, শৌবোন লাইবেম্বী, শ্ন খোংনাং লৈমা, কে বৌহনবা, হুবা মহারাবা খোইয়ুমশিংনা শাথোক থৌহৌনা লৈপাল্লগদবনি ॥ খোইয়ুম লাইমিংথোই উংলো য়াইবিরেল শিদবা নথোং থুযারেল থম্বাল লৈঙাং লৈকানা তমঙানরিবব্‌ পুরুম লৈপাইনা খোইয়ুম হৈযম কোবা থম্‌্‌ংদগী ইঙাল লৈশারক্লুনা মথংলেংনা নাওদা পাওশানরকপবু হয়িচক কোবা চক ফৈদোম ৪ গী পুকোকী পুরারিবু নিংশিংনবগী দমক্লা লৈশিঙ্গবা অশিবু পাওশা রাহৈ খজিক আসনা লৈরোকশনবা ওইঙম্মা নফম্মাংদা লৈহুঙ্গরি, তাথি নাওইবিদুনা লৌবিদবব্‌ ওইবিগন্থ, নোংদম্বা মগী নঙমদি লৈহাপ্পগী অরোইববু লৈতব, লৈথনবশু নাইদবা মপু নক্ল। [illegible] লৌ[illegible]কো নোংদম্বা ॥

হয়ম হোয়াহে খোইযুম লাইমিংথোই ॥x॥x॥x

কাচা বাইন্ডিং—মূ: ৮০,০০

পাকা „ —মূ: ১২০.০০